ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

২১শুবা খণ্ড

শান্তিপর্ব্বগী শরুক্ খর

বেদব্যাসকী শ্লোকাবলী মহাভারতকী
পর্ব্ব--অধ্যায়--শ্লোক মথং মনাও কায়দনা
মরক্ মরক্তা ব্যাখ্যা পীদুনা
মৈতৈরোন্দা মমং মথং
হন্দোক্চরক্পা

পদ্মশ্রী কালাচাঁদ শাস্ত্রী

থোকউবা— গ্রন্থকার মশামক্, উরিপোক্, ইম্ফাল।

থোকউবা চহী— ১৯৭৬ ইং।

মশীং— ১০০০

মমল— লুপা ১৮.০০

নমখ্রা — খোকচোম সামন্তজিৎ সিংহনা কম্পোজ তৌদুনা,
জাংলতী কার্য্যালয়, চূড়াচাঁদ প্রিন্টিং ৱার্কস,
শগোলবন্দ, ইম্ফাল, মণিপুরদা ছাপা তৌবা।

সূচী-পত্রম্

—:(:):—

ওঁ

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জাজলি ঋষিগা বৈশ্য তুলাধারগা ধর্ম্মগী মরমদা ৱাঙনবা)

চনীগা য়াঙ্খেৎতরেৎশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যুক্তঃ স তদা তেন তুলাধারেণ ধীমতা। প্রোবাচ বচনং শ্রীমাজ্জাজলির্জপতাং বরঃ ॥১॥

জাজলিরুবাচ।

বিক্রীণতঃ সর্ব্বরসান্ সর্ব্বগন্ধাংশ্চ বাণিজ। বনস্পতীনোষধীশ্চ তেষাং মূলফলানি চ ॥২॥

অধ্যগা নৈষ্ঠিকীংবুদ্ধিং কুতস্ত্বামিদমাগতম্। এতদাচক্ষ্ব মে সর্বং নিখিলেন মহামতে ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

এবমুক্তস্তুলাধারো ব্রাহ্মণেনো যশস্বিনা। উবাচ ধর্ম্মসূক্ষ্মাণি বৈশ্যোধর্ম্মার্থতত্ত্ববিদ্ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়— নিংথৌ! জ্ঞানী ওইরবা তুলাধারতুগী ৱা তাবদা, তপস্যা, জপ তৌবদা অথোইবা ওইরবা, বুদ্ধিলৈরবা, জাজলি কৌবা ব্রাহ্মণতুনা অসুম্না হায়রকই :— ॥১॥ জাজলিনা হায়রকই :— বৈশ্যশাগৈদা পোক্লবা! রস মখল্-মখল্গী, গন্ধ মখল মখলগী মরু-মরাং, হীদাক্ লাংঙক, উহৈ ৱাহৈ য়োন্দুনা, লল্লোন্নুনা নহাক মকম অসিদা লৈরি ॥২॥ মহাজ্ঞানী! ধর্ম্মগী তত্ত্বদা থমথোকন য়োশিন্নরবী. নহাক্কী বুদ্ধি-জ্ঞান অসি, কদায়গী লাক্পনো? করম্না ফংলুবগে? অদুকনুবা ধর্ম্ম তত্ত্বজ্ঞানবু নহাক্না করম্না কনাদগী ইরায় লায়না থংগ্নুই? মপূং ফানা ঐঙোন্দা অমুক্ত হায়বিয়ু ॥৩॥ ভীষ্মনা হায় :-- নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মিংচৎ চাউরবা তপস্যা কল্লবা, ব্রাহ্মণ জাজলিগী ৱাসি তাবদা, ধর্ম্মগী তত্ত্বপূম্বা মূম্ন খঙলবা তুলাধার বৈশ্যতুনা কূপত্রবা ধর্ম্মগী তত্ত্ববু মথং মথং হায়রবা হৌরকই ॥৪॥ তুলাধারনা হায় :—

তুলাধার উবাচ।

বেদাহং জাজলে ধর্ম্মং রহস্যং সনাতনম্। সর্বভূতহিতং মৈত্রং পুরাণং যং জনা বিদুঃ ॥৫॥
অদ্রোহেণৈব ভূতানামল্পদ্রোহেণ বা পুনঃ। যা বৃত্তিঃ সঃ পরো ধর্ম্মস্তেন জীবামি জাজলে ॥৬॥
পরিচ্ছিন্নৈঃ কাষ্ঠতৃণৈর্ময়েদং শরণং কৃতম্। অলক্তং পদ্মকং তুঙ্গং গন্ধাংশ্চোচ্চাবচাং স্তথা ॥৭॥

জাজলি। অচচত্ত জীবপানবা পুম্নমক্কী ফানবা-কান্নবত তৌরা, জীব খুদিংমক্কা মৈত্রীভাব (মরূপওইবগী রাখল) থম্বা, অতুগুম্বা মীহাক অতুবু সনাতন ধর্মমক্কী মওংনি, মূর্ত্তিনি হায়না লৌনৈ। মতুংগী অথুংপা অকুপ্পা রা থিবিক্কুগা লোয়ননা, সনাতন ধর্ম্মগী জ্ঞান অদু, ঐঙোন্দা তত্তনা ঙান্দুনা হায়বদি মকৃশিন্বা নাইদনা লৈ ॥৫॥ কনাগুম্বা-করিগুম্ব অমগী মফমদা অকায়বা অমদি মীগী শাউনীডায়, মুংঙাইতনিংঙা লৈংবা, অদুগা মমিংত ওইনা অমগা মুংঙাইনদবগী ভাব থবদং অথোইবা তাদি লৈবা তাখিবা, অদুগুম্বা ব্যবসায়-না পার তনা পুন্‌শিগী অথোইবা বৃত্তি (জীবিকা) নি হাযনৈ। অদুগুম্বা বৃত্তিনা ঐস্থ পুন্‌শি হেঙ্গজরি ॥৬॥ *

মীনা যাম্বিংকৃপা উরানা, অতোপ্পা মীশিংনা কাল্লক্পা ইচরুতনা ঐগী লৈননবা যুম অসি শাখিবনি। ঐনা লাল্লাল্লিবা য়োল্লিবসি অলক্ত (মুপীগী খোঙুদা থাননবা তৈননবা চা), কেশর (চন্দন) পদ্মক কৌবা হীগাক্, তুঙ্গকাষ্ঠ (মনম্ মুংশিবা কাষ্ঠ জাং অমা) অসি নত্তবা অগরু চন্দনচিংবা মনম্ মুংশিবা পোৎ

---

* জীবিকা (বৃত্তি) হায়বসি. লৌশিনবা নাইদনা মুমিৎ চুপপা পীথাক্পা ঙাক্কনস্থ ওইহনবা য়াদে। পীথোক্পা নাইদনা লৌশিনবা ঙাক্কস্থ ওইহন্‌বা য়াদে। জীবিকা হায়বসি চাব ঙাক্কী হিংবা ঙাক্কী অর্থ নত্তে। শেল তাল্লুবা লৌশিল্লুবা হায়বসি পোৎঅম পীথোক্লগা তাল্লুখিবনি। তাল্লুখিবা হায়বসি লৌ-শিল্লুখিবা শেল অদু পীথোকপ্রগা অচাথক্-শেং চানবা অমমুক লৌশিল্লুখিবনি। অসুম্না পীথোক লৌশিন্ তৌনবা মীনা জীবিকা শেম্নখিবনি। অসুম পীথোক্ পীশিন তৌনখিবসি তাইবং মমশেল ঙাক্কনস্থ নত্তে। তাইবং মীগী অসিগুম্বা ব্যবসায় অসি শাউচেক্-লৈপাল হৈপালনচিংবস্থ তৌখিবনি। উহৈ পাম্বী মচগী মথোঙদা চাংনাইনা তাইবংমীনা ঈশিং পীথোকই-চাইশিল্লি ঈশিংতুগী মনল ওইনা পাম্বী তুনা উহৈ অমদি মহৈ মরোং পী। শলদা শজীক পীথোক্লগা মঙোন্দগী শঙ্গোম লৌশিনৈ। অসিগুম্বা কারবার অসিদা তাইবংমী মশেলগীদ মুংঙাইনদবস্থ মরক মরক্তা লাকই। লুপা মঙা পীরকপা পোৎ অমু লুপা মঙাদা অমুক পীথোক্লবদি হায়বদি যোম্থোক্লবদি লৈবা য়োনবা কৌবা কলোন্‌বা কৌবা ব্যবসায় (কারবার) অসি করিদি কাম্নরি? পীথোকখিবা পোৎ অদুদগী অহেনবা থোইদোকপা পোৎ অতুনা জীবিকা ওই-নাখিবনি। মঙা পীথোকপ্রগা তরেৎ কংঙক্লবদি অনী থোইদোকই। অনিহুননি হৌক্তিক হৌক্তিক জীবিকা ওইনখিবসি। অনী অদু হেন্দোক্লরকনবা হোৎনবদা অরৈবগা অয়োনগা মরক্তা মুংঙাইনদবা, পেম্নদবা শরদং লৈনবস্থ য়াংথি। দ্রোহগী শরুক্তা য়াম্ন চঙদবসি বৈশ্য (বানিক বানিজ-বানিয়া) গী জীবিকা আস-তদনি। অসিনি, তুলাধার অসিনা হায়খিবদি। অহুবু হৌজিক্তি, বানিজ (বানিয়া) শিংনা জীবিকাগী মচাক্ তানবদগী হেম্না, হায়বদি তানক তনস্তনা ইনাক্ থুনবা নিপানি হায়না ফাওননবগী ফুবা দলাল শাননবগী শেঠনি, ধনীনি, হায়হনগদবগী কারবার তৌনত্রে। মাসিদি বৈশ্যগী সাত্বিক ধর্ম্ম, সনাতন ধর্ম্ম নত্তে, তমথিবা ধর্ম্মনি। (কালাচাঁদ)

রসাংশ্চ তাংস্তান্ বিপ্রর্ষে মত্তবর্জ্জ্যান্ বহূনহম্। ক্রীত্বা বৈ প্রতিবিক্রীণে পরহস্তাদমায়য়া ॥৮॥
সর্ব্বেষাং যঃ সুহৃন্নিত্যং সর্ব্বেষাং চ হিতে রতঃ। কর্ম্মণা মনসা বাচা স ধর্ম্মং বেদ জাজলে ॥৯॥
নানুরুধ্যে নিরুধ্যে বা ন দ্বেষ্মি ন চ কাময়ে। সমোঽহং সর্ব্বভূতেষু পশ্য মে জাজলেব্রতম্ ॥
তুলা মে সর্ব্বভূতেষু সমা তিষ্ঠতি জাজলে ॥১০॥
নাহং পরেষাং কৃত্যানি প্রশংসামি ন গর্হয়ে। আকাশস্যেব বিপেন্দ্র পশ্যল্লোকস্য চিত্রতাম্ ॥১১॥
ইতি মাং ত্বং বিজানীহি সর্ব্বলোকস্য জাজলে। সমং মতিমতাং শ্রেষ্ঠ সমলোষ্ট্রাশ্মকাঞ্চনম্ ॥১২॥
যথান্ধবধিরোন্মত্তা উচ্ছ্বাসপরমাঃ সদা। দেবৈরপিহিতদ্বারা সোপমা পশ্যতো মম ॥১৩॥

মচামশু, হীদাক লাংতক্ত চিংবা কান্নবা পোচৈশিং অসি অতোপ্প অতৈদগী লৈরুরগা অমুক য়োদ্দোকৈ ॥৭॥ বিপ্রর্ষি। ঐগীসিদা মহীময়াই কাবা যুনচিংবা থক য়োন্দে। অসিগুম্বা ফত্তবা পোশকৃশিং অসি নত্তনা, চাবথকপদা মতীক্ চাবা পূক্লীং হকচাং নীমক্ত য়াম্না কান্নবা, তোঙাল্ তোঙ.ম পোচৈশুঙ্গা য়োঙ্গে। পোংয়োনবা মতমদা মীনম্বা নমথাকুনচিংবৰু থুনা শীংননবগী পাম্বে খুংগায় ওইনা থক্ শীজিন্নদে ॥৮॥ জাজলি! অচচত্ত জীব পুম্নমকী মরূপ্ ওইরিবা, পূক্লীংনা, মাহৈনা থবক্না জীবপানব পুন্ন কী কান্নবগী তৌরিবা অহুগুম্বা মীমহাক অকুতনা ধর্ম্মগী তত্ত্ব খুন্ন খঙিঙ ॥৯॥ ঐগী পোং লৈবিয়ু হায়না মী ঙোল্ অমদা থক্ হায়জদে। ঐগী অকবা পোকুদি লৈদ্রগা মীগী ফত্রবা পোং অহুৰ লৈখিবা মীমহাক্ অহুগা মু ঙাইনদবা, থংনচৈনবা থক্ তৌদে। ঐ কদা অমত্তা য়েংথিনবা, তাথিনবা তৌজদে। কনাগুম্বা অমগী মকমদগী করিগুম্বা অমতং ফংননবগী আশা অম তৌজদে। জীবপানবা পুম্নমকপু মীংয়েং চাংচপ্ অমত্তদা চপ্ মান্নবা উই। জাজলি! মাসিনা ঐগী ধর্ম্মনি, মাসিনা ঐগী তপস্যানি। মসিগী মথক্ত মুং অদু মীংয়েং তাবিয়ু। মসিদা লৈরিবসে পোং ওন্নবা খন্নি। মসিনা ঈচামীচা থায়দনা, য়েক্নবা মরূপ য়েন্নবা তৌদনা, চপ্ মান্নবা ওন্দুনা পী ॥১০॥

ব্রহ্মণ অথোইবা! আকাশগী মতৌগুম পোশক অমগা শম্নদনা, জগৎকী তৌরিবা অঙকপা লোনি পা দৃশ্যশিং অসিবু য়েংন য়েংন, অতোপ্পশিংগী অকব থবকপু থোইন থাগৎলুনা তৌজদে, অতোপ্পশিংগী ফত্তবা থবকপু উরগা নিন্দা তৌজদে ॥১১॥ জ্ঞানী অথোইবা? জাজলি কৌবা ব্রাহ্মণ। ঐনা মল্লোমগী থবক তৌরিবসে মপাম্বোংতনি। ঐসি সনা লৈপাকপু চপ্ মান্নবা উবা মীশকনি হায়না খঙঙু ॥১২॥ মনাং তাওবা, মনাপঙবা, অঙাওবনাচিংবদগী মীংকী, নাকোংগী অমদি বুদ্ধিনচিংবগী থোঙবু ওইননীংহুনা থঙ্গ্রবা অহুগা মুংশাশোর হোনবগী শরক্ত মঙাম্নবা, হক্চাংমুংদা লৈম্নিবা, য়েংহুনা উহুনা অহুম্মরেম্বা, মথা জ্ঞান করিমত তৌদবা, দ্রষ্টাপুরুষ (আত্মা) ঐনা, তুলাধার কৌবা বৈশ্যাসগী হকচাং মুংশিদমু অহুম মরেনি। (হায়বদি, উনা উনা উদে, তানা তানা তাদে, মরমদি পূক্লীংসি বিষয় রোমদং থক চঙঙদে। করিগুম্বা ঘটনা অমগী সাক্ষীনা উবরোংবদগী হেম্না করিমত তৌদবা অহুগুম্বা ঐম্ম দেহমুং অসিদা মুংশাশোর হোন্দোক হোঙ্গিন তৌবদগী হেম্না অতৈ করিমত তৌদনা লৈরি।) ॥১৩॥ মথা শোন্নবা, অহল্ ওইরবা

যথা বৃদ্ধাতুরকৃশা নিঃস্পৃহা বিষয়ান্ প্রতি। তথার্থকামভোগেষু মমাপি বিগতা স্পৃহা ॥১৪॥
যদা চায়ং ন বিভেতি যদা চাস্মান্ন বিভ্যতি। যদা নেচ্ছতি ন দ্বেষ্টি ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥১৫॥
যদা ন কুরুতে ভাবং সর্ব্বভূতেষু পাপকম্। কর্ম্মণা মনসা বাচা ব্রহ্মসম্পদ্যতে তদা ॥১৬॥
ন ভূতো ন ভবিষ্যোঽস্তি ন চ ধর্ম্মোঽস্তি কশ্চন। যোঽভয়ঃ সর্ব্বভূতানাং স প্রাপ্নোত্যভয়ং পদম্ ॥১৭॥
তস্মাদুদ্বিজতে লোকঃ সর্ব্বোমৃত্যুমুখাদিব। বাক্‌ক্রূর দণ্ডপরুষাৎ য প্রাপ্নোতি মহৎ ভয়ম্ ॥১৮॥

ইন্দ্রিয়গী শক্তি লৈরকত্রবা, মশাদা লায়না লৈরবা মীশিংনা বিষয়ভোগানাচিংবদা পাম্মুবা-মিহৌরুবা লৈতক-বহুগুম্বা, ঐগী পুক্সীং কৌবা ইন্দ্রয়সিদগী বিষয় ভোগশিংহুনা য়াম্ন লাপ্নথোকৃখ্রবনি ॥১৪॥ মহাক্না কনা-অমতবু কিরুত্রবা, মাবুস্ন কনানকিবিত্রবা হায়বদি মাবু উবদা ফুম্বকদি চৈরকনি হিংসা তৌরকনি হায়বগী চিংনবা অকিবা লৈত্রবা, অতুগা কনাগুম্বা অমদগী করিগুম্বা অমত্ত পাম্মুবা লৈত্রবা কনাগুম্বগী মকমদা শক্রু ওইরুত্রবা, কনাগুম্ব অমতনস্থ শক্রুতা থম্মদ্রবা মীমহাক অতুদি ব্রহ্মভাবপু অতুম মকংত্রে ॥১৫॥ *

অচক্কত্ত জীবপানবশিংগী মফমদা পুক্সীংনা, ঋাহৈনা অমদি থবক্কা করিগুম্বা ফত্তবা অমত্ত তৌদে মীমহাক অত্তুতনা ব্রহ্মভাবপু ফংবা ওন্মি ॥১৬॥ মাওদ হৌত্রবা তুংদা কাক্কদৌরিবা মত্তম অনীগী দমক্ক মী মহাক অতুগী তৌগদবা সিমতং লৈরি হায়বা অমত্ত লৈত্রবা, হায়বদি তৌগদবা থবক অসিমতং লৈরি অতুগা হান্না তৌত্রবতুগী তৌহৌদবা অসিমতং লৈহৌরি হায়বা থবক্কী শরুক স্ম-ত্ত লৈত্রবা অতুগা জীবশানবা পুন্নমক্ক অভয়প্রদান (কিহস্লিবা) তৌরিবা মী মহাক্ অতুদি ব্রহ্মভাবপু লায়না ফংবা ওন্মি ॥১৭॥ অশিবগী থয়াক্ক তারমদাইদা চওতমদাইদা কিব-নীকৃপহুগুম্না মী মহাক্ অতুবু নীওশিওবদা নত্রগা উনরুবদা থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোরুকম ওইব্রবা অতুগা ন্নামংচুপ্না অম্নাক্না-অকনবা ম্রাহৈত্ত শীজিন্নবা’ খজিক্কং শোয়বদা দণ্ড (দাণ্ড) পীস্তনবা, অন্নগুম্বা মী মহাক্ অতুদি অকিবা খুদোংথীবা খুদক্ক থন্নায় মাওবান্নাবা থৌদোক কয়া কয়া থেংনগনি থেংনগল্লি ॥১৮॥ †

* মশামক্ খঙজত্রবস্থ, লেহন্নংদা লৈরিবা আত্মানা ব্রহ্মভাবত্তা অতুম চওত্রবনিনা, মশানা ব্রহ্মসাধনা, যোগসাধনা, তাপস্যাবনচিংবা করিমত্ত তৌরুদ্রে। তৌরুবগা হেম্না, ঐ ব্রহ্ম ফংলে, ঐ সিদ্ধ ওইরে হায়না মিথ্যা জ্ঞান্দা চওওনবগী মাংনেহুম মচাক ওইরে। আত্মা মহাক্কি মতম্ পুম্নদা সিদ্ধানি, বুদ্ধনি, জ্ঞদ্ধনি সিদ্ধ ওইহুনা অতুম লৈজবা আত্মা মহাক্না ঐ সিদ্ধ ওইরে” হায়না হকচাংহুংদগী থক্ হায়রকদবা নত্তে। হেক হায়রকপদস্থ মা মথন্তনা হায়রকপা নত্রে। আত্মা নত্তমা হকচাংসিগা তিন্নমা হায়রকপনি। হকচাংসিগা তিন্নরহনা জাজলি কৌবা হকচাং ঐ, নত্রগা জাজলি কৌবা হকচাংদা লৈরিবা আত্মা ঐ সিদ্ধ ওইরে হায়রবদি মাহুনা হেম্না অমুক লাল্লে (কালাচাঁদ)

† মহাক্না মীঙোল অমদা পীরুবা অম্নাবা অকিবা খুদোংথীবাতুংগী য়াম্ন হেম্না অকিবগী মশক্ ওইবা ঘটনা কয়া মহাক মশামকস্থ ফংগল্লি। মরমদি মীঙোলদা অকিবা মিশাইবা, অম্নাবা হুংঙাইত্তবা পীবতনা মশিন্নাং ওইখিবনা, সমাজগী মীপুম্নমক্কী য়েংথিনবা অত্থ মহাক্ মশানা অতুম ওইজরকই। মী খ্রাইবু কি-হনখিবদি মহাক্ মশা মথন্তননি অতুগা মাগী অত্যাচারদা হুংঙাইখিদবদগী মন্নাম চওহুনা মহাক্ অমত্তগী

যথাবৎ বর্ত্তমানানাং বৃদ্ধানাং পুত্রপৌত্রিণাম্। অনুবর্ত্তামহে বৃত্তমহিংস্রাণাং মহাত্মনাম্ ॥১৯॥
প্রণষ্টঃ শাশ্বতো ধর্ম্মস্ত্বনাচারেণ মোহিতঃ। তেন বৈদ্যস্তপস্বী বা বলবান্ বা বিমুহ্যতে ॥২০॥
আচারাজ্জাজলে প্রাজ্ঞঃ ক্ষিপ্রং ধর্ম্মমবাপ্নুয়াৎ। এবং যঃ সাধুভির্দান্তশ্চ বেদদ্রোহ চেতসা ॥২২॥
নদ্যাং চেহ যথা কাষ্ঠমুহ্যমানং যদৃচ্ছয়া। যদৃচ্ছয়ৈব কাষ্ঠেন সন্ধিং গচ্ছেত্তকেনচিৎ ॥২০॥
তত্রাপরাণি দারূণি সংসৃজ্যন্তে পরস্পরম্। তৃণকাষ্ঠকরীষাণি কদাচিন্ন সমীক্ষয়া ॥২ ॥

মচামশু য়াম্না লৈরবা, জ্ঞানদা চহীদ অহল ওইরবা শাস্ত্রগী পাউতাক অতুং ইমা আচারবিচার কায়দনা চৎলিবা, করিগুম্বা জীব অমগী মকমদা হিংসাগী থবক তৌরক্তিবা মহাত্মাশিংতুগী লেল্লিবা মপুরণি মবেন অতুগী মতৌ তমহনা লৈজরি। ॥১৯॥ আচার বিচার কায়না চৎপদগী শুমহৎপগা লোয়নগ্রবা সনাতন ধর্ম্ম হায়রবসি মরু করনা মাওত্তি। হায়রিবা দাব অমিনা ভিনখিবদগী বিদ্বান, পণ্ডিত, তপস্বী, কামক্রোধবু ঙমবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা, পুক্নীং হকচাংদা শক্তি লৈরবা মথোয়ত্ত কাওবা শওম হাৎপগী লাংদা থুররিবনি ॥২০॥

জাজলি। ইন্দ্রিয় খুদুম চল্লবা. মাগী থম্মোইদা কনাগুম্বা অমগী কত্তর তৌগে খল্লবা, অদুগুম্বা মীশক্তুনা চৎলিবা আচরন অমদি আচার বিচার অদুবু মশাগী আচরণ বাবহারদা পুশিল্লক্রবা অদুগুম্বা অশিংবা বিদ্বান মহাক অতুদি বেদদ হায়রিবা-তাক্লিবা সদাচারশিং অদুবু ভাক্তুনা ধর্ম্মগীরহস্য (মখুংগী অথুপ্পা বা) অদুবু খঙব ঙম্মি ॥২১॥ লাইগী নোংদমদগী তুরেলগী ঈচেল্লা তাউথবকপা চৈ (উ) অমনা মত্তচারুবদগী অতোপ্পা চৈ-উ অমগা অমুক থেংনৈ-শন্নে। অমুম্না ভিন্নশিন্দুনা পাক খাইদোক্লদুনা চৎনখিব মাত্রিতৈ চৈরক অদুদা অতোপ অতোপ্পা নাপী শীংবী চরুর ইরু, চৈতেক চেরাং মচামচা অদুগা শক্তি অকংবা মচেৎনচিংবা কয়াকয়ানা লাক্তুনা (তাউথরক্তুনা) ভিন্নশিন্নে। ময়াব অমিনা ভিন্নরিষসে কদাইদগী কদোমদা করিগী লাক্তুনা ভিন্নরিবনো হায়বদু ঈখঙ খঙহৌদনা হেক থোকখিবনি। ভিন্নরুগে-

মথক্তা হোচিল্লকপদি মী মপে মশেনি, মহাক লীথোকপা করিসত্তা মাত্রবনি। করিগুম্বা মওং চাবদগী লীথোকহোৱবসু মাহুদগী হেন্ন তোইনা মমুক মথক্তা আক্রমণ কয়া কয়া লাক খগদৌরিবনি। অদুনা খুদক্ত থরায় মাঙমা মাবা থোদোক কয়া কয়া থেংনগনি। মরম অদুনা মী খুদিংগী মফমদা অত্যাচার অমদি হিংসাগী থবক তৌরুরিবসি মশা মথন্তগী মথক্তা অত্যাচার তৌরনবা মী মশীং য়াম্ন হেনগৎ-হুনবত্তনি। অকল অরিং শীংবদা থোন্দাথীবদা মমীৎ শুক্তোকপদা হৈনখিবা মীনা মাগুদা অমুম হৈনখিবনা, শাউফম ইথোক থেক্তবা মফমদসু ঈফকজনা হায়কম খোকপা মফম অদুদসু, মরম ঈচাচানা থোন্দা অদুম থীরুই, মমীৎ অদুম শুকতোকলুই। অদুনা, তুমিং খুদিংগী পুংজা খুদিংগী মমীৎ শুক্তোকজবনিনা তুমিং খুদিংগী পুংজা খুদিংগী মশাগী য়েক্রবগী, মাবু লুমহুনা লৈবা মীশিংগী মশীং অমি অদুম হেনগৎচহল্লি। অদুগীদমক্ত গীতানা হায়রি :— মশানা মশাগী মরূপনি, মশানা মশাগী য়েকবনি। বিধাতানা, অসিনা নংগী মরূপনি, অসিনা নংগী য়েক্রবনি হায়না অককনা অমত্তা শেমদে। য়েক্রবা মরূপ আত্মা মা মথক্ত-না ওইজবনি। (কালাচাঁদ)

যস্মান্নোদ্বিজতে ভূতং জাতু কিঞ্চিৎ কথঞ্চন। অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ স প্রাপ্নোতি সদা মুনে ॥২৪॥
যস্মাদুদ্বিজতে বিদ্বন্ সর্ব্বলোকো বৃকাদিব। ক্রোশতস্তীরমাসাদ্য যথা সর্ব্বে জলেচরাঃ ॥২৫॥

কান্নরুগে হায়বা ঈথঙ্ খঙহৌদনা, কয়া কুইনা তিন্নরুনি হায়বা ঈথঙ্ খলহৌদনা তিম্মরিবা কায়নরিবা ঙাক্তনি ॥২২-২৩॥ *

মুনি! মঙান্দগী কনাগুম্বা অচচত্তা জীব অমত্তমা অরাবা লাংতক্লবা মিপাইবা পোকখিত্রিবা পোক-ত্তবা মী মহাক অদু কনাগুম্বা কবিগুম্বা জীব অমগী মকমদগী অরাবা অকিবা লৈতে ॥২৪॥ মহাজ্ঞানী মুনি! ভুরেলগী মপান্দা লাক্লিবা, য়াম্না লাউথোংবা মীয়ামগী ইনিন্ অদু তাবদা তুরেন্দুদা লৈবা ঙা মথেনা কিবনা কোয়চেন চেন্নদুনা ঈশুংদা লুপথিবগুম্না কৈশাম্নচিংবগী মথোলবু তারগা অমদি মশক উবগা কিগনবশিংনা থক্ থক্ নীক্তুনা চেন্নখিবা লোৎনখিবগুম্না, মহাকপু উবগা মী পুম্নমক্না কিবদগী চেন্নরবদি, মহাকস্থু জীব পানবা খুদিংমক্তুগী মীকুপ খুদিংগী অকিবা চিংনবা অদুম মথংডি ॥২৫॥

---

* মচা-মশু মরী মতা ঙাইশেলনচিংবা পুম্নমক অসিগী বিস্তার তৌকদ্রম অসি গৃহস্থ শ্রমদা লৈমিন্নবা নিপা-মুপী অনীতদগীনি। অনী অসিনা তিন্নখিবা, তিম্মরিবা, তিম্মগদৌরিবা অসিস্থু মায়গৈ অমদগী তাউথ-রকপা চৈ (উ) অমগা অতোপ্পা মায়গৈ অমদগী তাউথরকপা চৈ অমগা তিন্নখিবা, তিন্নরিবা, তিম্মগদৌ-রিবনি। মচা-মশু মরী-মতা কয়া বিস্তার তৌরম্মগা (শব্দোল্লম্মগা) মলোম্ন অনী অমুক কায়নখি, চংনাখ, মকম মতম মান্নদমথৈ শিনখি। হায়রিবা নিপা-মুপী অনীসিনা তিন্নখিবস্থু মতাং চাকুবদগীনি, নক্রগা লাইগী নোংদমদগীনি। য়ুম্নাক শাগৈ অমদা পোকপা অমগা, য়ুম্নাক শাগৈ অমদা পোকপী অমগা তিংখিবা হায়-বদি মতৈ-মরাও থোকখিবা অসি মতা চাকুবগা, লাইগী নোংদমগা অনীসিগী মথংদা অমদগীনি। মুম্না ঙস্থ-রুরব'দ "মতা চাকুরা" হায়ংসিনক "লাইগী নোংদম" (দৈব সংযোগ) হায়বসিগা মশা অমত্তনি। নিপা অদুগী রাশিচক্রগা চুনবা রাশিচক্রনা পোকপী মুপী কয়া কয়া মশীং লাকওমন্ন লৈওবনি। অদুবু চুনরিবী মথোয়শিং অদুগী মথংদগীবু ওইরবস্থু চুনদবীশিংদুগী মথংদগীবু ওইরবস্থু অমগা নিপা অদুগী লোয়নবী ওইথি। মসি লাইগী নোংদমদগীনি হায়রবস্থু য়াই, মতা চাকুবদগীনি হায়রবস্থু য়াই। রাশিচক্রগা তিন্নহৈদবা তিম্নবা য়াবা য়াদবী কয়া করানা জগত্তা থাওরবা, জগৎকী উপকার তৌবা মীশক কয়া কয় পোকখিবা য়াওরি। পোকখিবা অকমা মচাদুগুম্বদু নিপা অমনা মাগা রাশিক্রনা চুনবী অমগা লোয়নবী ওইনা তিন্নরমলবদি — পোক্রমদবস্থু য়াই। মাসি, মতা চাকবা অমাদ লাইগী নোংদম (লাইনা তমখিবা দৈব-সংযোগ) হায়বা অনীসিগী পুল্লপুগীনি। মসিগু খঙনা, ঙাইবংপানবদা মশা-মচানি, ঙাইশেন্নি হায়না মতম খরদং লাইগী নোংদম ওইরবস্থ, মতা চাকবদগীবু ওইরবস্থ তিম্মরিবশিং অসিগা পূকচেল খোয়জেল তিম্মনা মতম থরদং শান্তিগা লোয়ননা মপুন্সি লেল্লিবা লেল্লিবশিং অদুত্তনা ধর্ম্মগী তত্ত্বু, ধর্ম্মগী রহস্যবু খঙলবা হায়বদু ওই। মাসিগী ভাবনি তুলাধারনা জাজলিদা হায়রিবসি। মাসিবু খঙনা, অমুক মুথিন্দা, ভূগ্ন—হীপ্ন চাবদা মপুনশি লেল্লবদি মথোয়দা তপস্যা যোগ সাধনচংবা তৌরবগী থোইদোক্লা কান্নবা লৈতে। জাজলি হায়বসি তপস্যা য়াম্না কনবা মীনি। অদুবু "ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়না অহঙ্কারগা লোয়ননা থল্লুংদগী মশাদা শান্তি ফংগ্রদুনা কোয়চেন চেন্দুনা তত্ত্ব অমুক্ থিরক্লি। মাসি আকাশবাণী তাখিবদগীনি। প্রমাণ অমদা হায়-রগা আকাশবানীগী অর্থ খঙদবগী কংসনা শ্রীকৃষ্ণবু কোয়থি থিখি, কোয়তান তাম্নখি। (কালাচাঁদ)

সত্তয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সম্প্রাপ্নোতি মহামতে। এবমেবায়মাচারঃ প্রাদুর্ভূত গৃহস্থতঃ॥
সহায়বান্ দ্রব্যবান্ যঃ সুভগোঽথ পরস্তথা ॥২৬॥
তংস্তানেব কবয়ঃ শাস্ত্রেষু প্রবদন্ত্যুত। কীর্ত্যর্থমল্পহৃল্লেখাঃ পটবঃ কৃৎস্নর্নির্ণয়াঃ ॥২৭॥

হায়রিবা অভয় প্রদান অসি পীনা পীনা উপায় অমনস্থ অমনস্থ পাওথোকপা য়াবা, পাওথোকনবমক ওইবা থবক্তু অস্থম তৌরনা লৈগদবনি। অসিগুম্বা আচরণদা লৈরিবা মী মহাক অদুবু সহায় য়াম্নালৈবা, মশোং মতৈ লন-থুম য়াম্না লাইবা, য়াম্না মরায়বক ফবা অদুগা খুইদগী অথোইবনি হায়নস্থ পঙৈ ॥২৬॥ *

অদুনা, অভয়দান তৌবিবশিং অদুতবু শ্রেষ্ঠপুরুষনি হায়না বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা হায়রৈ। হায়রিবা অভয়দান তৌরিবশিং অসিগী মহুৎস্থ বহির্মুখ ওইবা সাধকশিংনা সংসারগী অনিত্য ওইবা ক্ষণভঙ্গুর— (থুদক্ত কায়গদবা) মিচং, সম্পত্তি, তৌবওম্বনচিংবা বিষয়শিংসিবু মিতৌরুবদগী মপাম্বোফনা অভয় প্রদান (কিহন্দবা, হিংসা তৌদবা) গী ব্রত তপস্যানচিংবদি অদুম মতৌই। অদুনা অশিংবা, অন্তর্মুখী ওইবা অভয়দাতাশিংনা পরব্রহ্মবু কংনবগীদমক্তা অভয় দান তৌই ॥২৭॥ †

* মতাং অসিদা খ্রাইদগী হেন্না পুনশি-মরেন্নবু, তুলাধারনা জাজলি মুনিদা অসুম্না হায়বি :— অক্তোপ্পা অমগী মক্তমদা অকিবা, মিপাইবা, অরাবা পোকহন্দবা, পোকহনবদি লায়দুনা অভয়প্রদানদুম তৌন তৌন জীবিকাগী দমক পায়থ লিবা থবক, তাইবং মীগী পুনশিগী সাধ্য মক্তনি। সাধ্য অদুবু পাওথোকনবগী দমক্ত পায়খৎলিবা সাধন (উপায়) শিং অদুস্থ হৌজিক হায়রিবা অকিবা মিপাইবনচিংবা পোকহন্দবা ভাক্ত ওইহনগদৌবনি। অসুম তৌরবদি সাধ্য-সাধন পুম্বা অদুম্বা মক্তনি। সাধক (পাওথোক্ত হোৎনরিবা) মহাক অদুস্থ সাত্ত্বিক সাধকনি। মপাম্বোংদা যেংবদি সাত্ত্বিক ধর্ম্ম ওইনা উরবস্থ হয়রবদি ধ্যান, তপস্যা, ব্রত, উপাসনামক ওইরবস্থ, তৌরিবা থবক অদুবু উরগা অষ্টবশিংগী থম্মোয় পুক্নং, হংগোইবা, ভূক্ত বা অকিবা, মিপাইবা অকাউবা, দুংভাইতবা পোক্লবদি সাত্ত্বিক কর্মনিনি হায়বগু কারদি কান্নরি? ব্রহ্ম মগা কপু কংননবা হোৎনবদা সাধন (উপায়) ওইনা শীক্তিন্নরিবা তপস্যা যোগসাধননচিংবস্থ উরগা মীগী পুক্নীংদা থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোক্তহল্লিবস্থু, আত্মাদা পোকহনবা নত্রা? লাকল্ অরিং শীতুনা, উশাদা মকোকমথৈ ওম্বনা য়ান্দুনা তপস্যানি হায়দুনা অহিং অথেওবদা, মোংকম্মচি বদা তপস্যানি হায়দুনা তোবা য়াওব্রি। মাগী মতৌ উরগা অষ্টবশিগী থম্মোয়দা আত্মাবা মিপাইবা, অকিবা পোক্লরি। অদুনদি তৌরিবা থবক অদু, মীডোন্দা অকিব দুংডোইতবা অশান্তি পীবনবা ওইব ভাবক্তি। ঈশানা ফংলিবা সুখ শান্তি অদুনা অতোপ্পশিংগী থম্মোইদা অশান্তি (খোইরাং-থোয়শাউবা) পোকতল্লমদি, মাতবু শান্তিরা? মাদুবু জগত্তা শান্তিনচিংবা পীনমবগী অমদি কংননবগী উপায়রা? অদুম্বা তৌবা ওম্বা উত্তুনা, ঈশিং মনুংদা, লৈতুংদা চওদুনা তপস্যা তৌরিবা সাধক (হঠযোগী) অদুগী পুক্নীংদ স্বভাব (অহাসাব) নচিংবা অশান্তিগী মচাশিং অসি থওহৌদনা পোকই। অদুনাক্লাক্নলি মুনিনা ঈশিং মঞ্জংদা ভীপুনা তপস্যানচিংবদি তৌরপা "ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়না অহং (ঐ কবি তৌরুবদগী অমদগী লমদা কোয়চেল চেল্লি। তুলধার মহাক্তি চনীং তানা তোগদবা মাগী জাতি ধর্ম্মগা পুক্নীং চওইনা লৈর। অসিগুম্বা জ্ঞান অসিমু বৈশ্য তুলাধারনা ব্রাহ্মণ জাজলি মুনিদা পীরি। (কালাচাঁদ)

† কনাকনাগুম্বা জৈন বৌদ্ধসম্প্রদায়নচিংবগী সাধকশিংনা জীবশিংবু ফুবা হাৎপনচিংবতব, হিংসানি হায়বা

তপোভির্যজ্ঞদানৈশ্চ বাক্যৈঃ প্রজ্ঞাশ্রিতৈস্তথা। প্রাপ্নোত্যভয়দানস্য যৎ যৎ ফলমিহাশ্নুতে ॥২৮॥
লোকে যঃ সর্ব্বভূতেভ্যো দদাত্যভয় দক্ষিণাম্। স সর্ব্বযজ্ঞৈরীজানঃ প্রাপ্নোত্যভয় দক্ষিণাম্ ॥২৯॥
ন ভূতানামহিংসায়া জ্যায়ান্ ধর্ম্মোঽস্তি কশ্চন। যস্মান্নোদ্বিজতে ভূতং জাতু কিঞ্চিৎ কথঞ্চন ॥
সোঽভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সম্প্রাপ্নোতি মহামুনে ॥৩০॥
যস্মাদুদ্বিজতে লোকঃ সর্পাদ্বেশ্মগতাদিব। ন স ধর্ম্মমবাপ্নোতি ইহলোকে পরত্র চ ॥৩১॥
সর্ব্বভূতাত্মভূতস্য সর্ব্বভূতানি পশ্যতঃ। দেবাপি মার্গে মুহ্যন্তি অপদস্য পদৈষিণঃ ॥৩২॥

তপস্যা, যজ্ঞ, দান তৌবগী অমদি জ্ঞান ধর্ম্মগী মরম ওইবা উপদেশনচিংবা পীবগী তোঙাল তোঙানবা মহৈশিংদু অভয়দান কৌবা ব্রত অসিত্তনসু ফংঙি ॥২৮॥ জগত্তা লৈরিবা অপুম্বক্তা জীব পুম্নমক্তা ভোক তৌরুরিবা অনুষ্ঠান পুম্নমক্তা অভয়বু দক্ষিণাগুম্না দান তৌরিবা মী মহাক অদুদি, দান দক্ষিণা মরাং কায়না তৌরবা যজ্ঞ কয়া কয়া তৌরবগা অম্মাদি ॥২৯॥ অদুনা, অঞ্জলি! জীবশিংদা অকিবা, মিপাইবা, অরা অনানচিবা পীবগী মশক ওইবা হিংসাদুবু তৌরদনা, মাদুগনা উপায় ওইদুনা ফংবা সিদ্ধি অদুদগী হেনবা অতৈ অতোপ্পা ধর্ম্ম হায়বা অমা লৈত্তে। অদুগুম্বা সিদ্ধপুরুষ অদুদি মশামক সিদ্ধ ওইরে হায়বা খঙজদে। খঙদবদগী "ঐ সিদ্ধ ওইরে" হায়বসি মচীন্দা পন্দে। মহামুনি! মাবু উবগা জীব অমতগী থম্মোয়দা লাক্তরুবা, মিপাইবা পোক্রবা মহাক অদুগনা অভয়দানগী মহৈবু ফংঙি ॥৩০॥

ঈমুংদা য়ুমদা চঙডুকপা লিলবু উবদা কিবা মিপাইবত্তুগুম্না মাবু উবদা মী পুম্নমক্তা কিনরবা থগৎনরবা মী অদুদি ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মপানা তৌখিবা ধর্ম্মগী মরম ওইবা কর্ম্মশিংদুগী অফবা মহৈ অমত্তা ফংবা ঙমদে ॥৩১॥ মহাক মথন্তনা জগৎকী অচচত্ত পুম্নমক্কী আত্মা ওইরক্রবা, হায়বদি মহাক্কী আত্মাদা জগৎকী অচচত্ত পুম্নমক্কী আত্মা ওইরক্রবা মী মহাক অদুদি তেক লৈডও-পাল্লিবা পোৎ খুদিংমক মতোন্দগী তোঙানথিবা অমত্তা উদে। অদুগীদি ঐগী মাগী হায়বা রাখনগী মুক্ত ওইরক্রই। মঙেন্দা— মহাক্কী রাগন্দা "অসিগুম্বা বিশেষ ওইবা পোৎ অমা ক ক্রে" হায়বসি লৈতে। মতম অদুদা মহাক মশামক ব্রহ্ম স্বরূপ ওইরকই। মানা চংলিবা লম্বী হায়বদি রাখনগী গতি (লৈক্রম) অদুগী খোঙ্গুল লীগে হায়না হোৎনরকপদা দেবতাশিংনক্তা উপায়ত্ত লাম্বা ফংদে ॥৩২॥ *

লৌহ। পুক্কীংনা, হকচাংনা, রাগেনা মীঅমগী থম্মোয়দু শোক্তা সুংঙাইতবা অরাবা পীবা' আত্মাদা কাম-ক্রোধনচিংবা পোকহন্দুনা আত্মাদুবু আনাত্মা তাকনবা নীংবা কায়হনবা, আত্মাদা য়ৈবা অদুদি মহাহিংসানি হায়রবসি থন্দবা য়াওরে। জীবদিহাওবা, রাবসার (কল্লোল হাত্তক) তৌরিবা জৈন বৌদ্ধ সমম্প দায়গী বৈশ্য (বনিয়া) কয়ানা জীব পুম্নমক্তা চাবা ফংদবামখৈ চাকতাঙমা, পোৎকী মমল হেনগৎলক্তুনা চাবা রানরকপা মতমদা গাদী মথক্তা ফনদুনা লাইনিংবা য়াওরি। অসিগুম্বনসু অয়াম্বা ঙাক্তনি। বৈশ্য তুলা-ধাররি মাত্র নত্তে। (কালাচাঁদ)

* ভাইবং মী ওইবদি সাধনতনা মশামক ব্রহ্ম স্বরূপ ওইবা ঙমথি। স্বর্গগী দেবতাশিংদি ব্রহ্মামশা-মক্তসু ব্রহ্ম স্বরূপ ওইথিবগী সাধনা তৌদে, তৌরগে থন্দে, ঙমসু ঙমদে। মরমদি মশামক্তা ব্রহ্ম স্বরূপ

দানং ভূতাভয়স্যাহুঃ সর্ব্বদানেভ্য উত্তমম্। ব্রবীমি তে সত্যমিদং শ্রদ্ধৎস্ব চ জাজলে ॥৩৩॥
স এব সুভগোভূত্বা পুনর্ভবতি দুর্ভগঃ। ব্যাপত্তিং কর্ম্মণাং দৃষ্ট্বা জুগুপ্সন্তি জনাঃ সদা ॥৩৪॥
অকারণো হি নৈবাস্তি ধর্ম্মঃ সূক্ষ্মো হি জাজলে। ভূতভব্যার্থমেবেহ ধর্ম্মপ্রবচনং কৃতম্ ॥৩৫॥
সূক্ষ্মত্বান্ন স বিজ্ঞাতুং শক্যতে বহুনিহ্নবঃ। উপলভ্যান্তরং চান্যাগচারান্ ববুদ্ধ্যতে ॥৩৬॥

জীবপানবা পুম্নমক্তা অভয়দান তৌবতনা জগদ্দা খুদিংদগী অহেনবা দাননি হায়না সিদ্ধান্ত লেপ্পগ্রবনি। মসমম অহুনা ঐনা হায়রিবসিদা বিশ্বাস তৌ ॥৩৩॥ স্বর্গলোক, সূর্য্যলোক, চন্দ্রলোকমচিংবগী কামনা (পাম্জবা) দগী যাগ-যজ্ঞমচিংবা ধর্ম-কর্মগী অনুষ্ঠান বিধি মায়দনা তৌনরি। মাদুগী মহৈনা তাইবং মীনা স্বর্গ কানঞ্জি। অদুবু, স্বর্গদা পুণ্যকর্মশিংদুগী মহৈ অদু চাব তেক লোইবদা মর্ত্তালোক অসিদা অমুক কুমথরকই। অমুকহন্না মর্ত্তালোক অসিদা পোক্লবা মতমদদি, জীব অসিনা শা-শানগী দেহদনি খওদে, অমদনি খওদে পোক্লবে। ঐ স্বর্গদগী লাকপনি কুমথরকপনি হায়বসিমক কাউথোক্লখিদুনা তাইবং মীনা, মাসিদগী হেন্না ফত্তবা মপোক্তা পোকউনবা হিংসা-চিংবা কর্ম বয়া কয়া তৌনরি। মাসি অদুবদা জ্ঞানীশিংনা সকাম কর্ম (কামনা য়াংবা কর্ম) গী নিন্দা তৌই ॥৩৪॥ জাজলি! অমা খওদে অমা খওদে ধর্মনিবু হায়রবদি ধর্মখুদিংমক কান্নদবা, মহৈ য়ান্দবা অমত্তা য়াওদবনি। ধর্ম অদুগী স্বরূপতি য়াম্না কূপ্পা লৈবনি। অদুবু স্বর্গ নত্রগা ব্রহ্মবু ফংনবগীদমক্তা ধর্ম হায়বসি লৈরিবনি হায়না কনা কনাগুম্বশিংনা ধর্মগী মরমদা অমদি ধর্মগী প্রয়োজন দি মরমদা ব্যাখ্যা তৌবগা চাবা তৌনখ্রে তৌনরি ॥৩৫॥ ধর্ম হায়বসিগী তত্ত্ব অমদি স্বরূপ (থাক্লেশেংবা মশামক্কী মখল) না য়াম্না কূপ্পা পীক্লা লৈবা মরম্না, মীপুম খুদিংনা খঙবা ঙমদে। মরমদি ধর্মগী মরমদা ঙাঙবা শকপা ইবদা পীজিন্নরিবা য়াহৈ ররো য়াঙাঙদুমককুপ্প মচীন লোং লোংতুনা ওইপ্রবদি মহাক্ স্বৃষ্টি তৌরবোইদৌবনি। অদুনা ব্রহ্মদগীতোঙান্না তাদুনা লোথোককপনি। অদুনা ব্রহ্মগী শক্তিনা অমনি, ব্রহ্মাগী শাক্তনা অমনি। তাইবংমীদি মশাদা লৈরিবা ব্রহ্মাঙ্গমক্তদা মঙ্গংমপান্ পুম্বা লোইনা প্রলয় ওইহনখিদুনা ব্রহ্মামহাক্কী স্বৃষ্টিদগীদু য়াবা লান্নচাখি। অদুমক্তনা, ব্রহ্মামকী দুর্লভ ওইবা, ব্রহ্মামক্তা ফংডমদবা তাইবং মীগী মপোক্ত হায়নরি। অঙকপাদি, মাগী খুশেমদগী থোকখিবা পোশক অদুনা অশাবা-অশেম্বা মঙোন্দগীদুম হেন্দোকখ্রে। প্রমাণ অমদা হায়রগা চিত্রকার (লাইথেকপা) মশামকী মশক্তগী মহাক্তা য়েক্লিবা মীদুগী মশক্তা হেন্না ফজবা য়াওরি। অদুম্না ব্রহ্মামশামক্তা মঙোন্দগী হেন্না ফনবা হৈবদুবু মশামক্তা শেম্মি। মানি ব্রহ্মশক্তিনা নত্তে, ব্রহ্মাগী শক্তিনি। শক্তি অদুদি ব্রহ্মনা পীবনি। ব্রহ্ম মহাক অদুদি কনাগুম্বা তাইবং মী সাধকনা ওইবা ঙম্নখ্রে। মাসি ব্রহ্মানা ফল্লকই। অসিগুম্বা তাইবংমী সাধককী সরণিবু (লম্বু) লাইশিং মক্তা ইল্লিবা ঙমদে হায়বনি — (কালাচাঁদ)

"অভয়দান" হায়বসিগী মঙ্গংদা অকুপ্প বিচার অমা লৈরি। অভয়দানগী মরু ওইবা মচাক্তি অহিংসানি হায়রি। অশোনবা অমবু অকনবা অমনা হাংকে তৌরি। অশোনবা অদুদা অভয়দান তৌগে হায়বগীদমক, ঐ লৈ, কিগন্নু হায়দুনা. হায়বদি অভয়দান (কিচন্নবদান) তৌগে হায়বগী অভয়দান অদুনা অকনবদু অমুক হাংলবদি, মাদু হিংসা নত্তবরা? অদুনা অভয়দানগী মঙ্গংদা লৈরিব। "অহিংসা" হায়বসি কুপ্প লৈ।

যে চ চ্ছিন্দন্তি বৃষণান্ যে চ ভিন্দন্তি নস্তকান্। বহন্তি সন্ততো ভারান্ বধ্নন্তি দময়ন্তি চ ॥৩৭॥
হত্বা সত্ত্বানি খাদন্তি তান্ কথং ন বিগর্হসে। মানুষা মানুষানেব দাসভাবেন ভুঞ্জতে ॥৩৮॥
বধবন্ধনিরোধেন কারয়ন্তি দিবানিশম্। আত্মনশ্চাপি জানাতি যৎ দুঃখং বধবন্ধনে ॥৩৯॥
পঞ্চেন্দ্রিয়েষু ভূতেষু সর্ব্বং বসতি দৈবতম্। আদিত্যশ্চন্দ্রমা বায়ুর্ব্রহ্মা প্রাণঃ ক্রতুর্যমঃ ॥৪০॥
তানি জীবানি বিক্রীয় কা মৃতেষু বিচারণা। অজোঽগ্নির্বরুণো মেষঃ সূর্য্যোঽশ্বঃ পৃথিবী বিরাট্ ॥৪১॥
ধেনুর্বৎসশ্চ সোমো বৈ বিক্রীয়েত্তন্ন সিধ্যতি। কা তৈলে কা ঘৃতে ব্রহ্মন্ মধুন্যপ্যৌষধেষু বা ॥৪২॥
অদংশমশকেদেশে সুখসংবর্দ্ধিতান্ পশূন্। তাংশ্চ মাতুঃ প্রিয়াঞ্জ্ঞানানাক্রম্য বহুধা নরাঃ ॥৪৩॥

তর্কবিতর্ক তৌনিনিঙায় ওইনা লৈবগী মশক্তদনি। মরম্ মমক্তো তোঙান তোঙানবা সৎপুরুষশিংগী আচার ব্যবহার আচার বিচারশিং অদুবু উবগা, তাইবং মীনা থাজেশেংবা ধর্মগী থাজেশেংবা জ্ঞান ফংবৈ ॥৩৬॥ কনা কনাগুম্বশিংনা শল্ লাবশিংবু মন পঙংন্দুনা, মমীথ কাক্তিন্দুনা, মথোঙদা য়োংপী থাক্তিন্দুনা, মশক শেংহনা অদুগী মথক্তা অরাম্বা পোংয়োম পুহন্দুনা, পুব ওমথবা মনমগন্দা শাজে থাজিল্লি। কনা কনা-গুম্বনা জীব কয়া কয়াবু হাংলগং জীবিকা ওইহল্লি। মী অমনা মী অমগী মনায় ওইদুনা জীবিকা তাল্লি। মথোয়হুবু নত্তাক্তা নিন্দা তৌত্রিবা করিগীনো ? ॥৩৭—৩৮॥ মীনা হাংকে হায়দুনা ফুবদা অমদি ফাজিন্-বদা মপাদা অয়া অনাগী চৈনা কয়া কংলিবা, মাহুবু মশানা খঙনা খঙনা অতোপ্পবু মত্তাক্ত অমুক কাল্লি, কারি কুরি কাজিল্লি, কৈগুমশঙদা কা পুন্দুনা থঙ্গগা খবক য়ানা শুহল্লি। অদুগুম্বা মীশিংদু করিগীদমক মত্তাক্তা নিন্দা তৌদবগে ? ॥৩৯॥ ইন্দ্রিয় মঙাগুনা য়াওরিবা—কোইরিবা থরায় পানবা পুম্নমক্কী মশাদা সূর্য্য চন্দ্র, বায়ুদেবতা, ব্রহ্মা, প্রাণ, যজ্ঞদেব যমরাজনচিংবা দেবতা পুম্নমক লৈরিবনি। মথোয়সিবু য়াওহন য়াও-হন্না মশাবু অমদা য়োল্লোক্নুনা সূর্য্য· চন্দ্রনচিংবা কাওববু মীনায় ওইহন্দুনা কনাগুম্বনা জীবিকা তাল্লি। অদুগা কনাগুম্বা মীনম্ব মীনায় ওইহল্লি। অদুগা অশিবা জীবগী হকচাংবু কক্তুনা য়োল্লিবশিং অদুগীদি নত্তাক্তা করি হায়নীগুড়ি ॥৪০॥

হামেংনা মৈ (অগ্নিদেব) গী য়াওনা ঈশিং (বরুণদেব) গী, শগোলনা নুমিৎ (সূর্য্য) গী, পৃথিবীনা বিরাট্ ভগবানগী শক্তি অমদি শরাউনা চন্দ্রমা (থা) গী মর্ত্ত্যলোকসিদা লৈবা মীশকনি। মরম অদুনা, হায়রিবা মথোয়সিবু অমদা য়োল্লোকপা হায়বসি অকবা নত্তে ॥৪১॥ অদুবু ব্রহ্মণ! থুম, থাউ, ঘী, খোইহী, মরুমরাং হীদাক লাংতক্লচিংব য়োনবদদি দোষ লৈতে, করি মাঙবা লৈবগে ? কাও হয়িংনচিংব করিমত্ত লৈতবা মফমদা (দেশদা) পোকপা, নীংথি নুংঙাইনা হুংশিনা য়োকপনিকো হায়বসি খঙনা খঙনা অদুগা মথোয় অসিবু মপামমা মচামশূনচিংবদগী লাপ্প পুথোকপিপ্রতদি কায়নবগী মৈচাক কংগবিকো হায়বসি খঙনা খঙনা, কাও হয়িং য়াম্ব লেবা, লৈথোম-লৈনাং শক্তি শয়ুং লৈবা মকমদা নমদুনা ত্রো-ত্রোচিংদুনা হিংসোপা লোয়ননা, য়াম্ব অত্যাচার তৌদুনা পুই। পোৎলুম-পোৎয়োম পুবা শা-জীব কয়াবু মমজন্দা য়াম্নিবমথৈ অরাম্বা মথৈ খোৎপৎপিদুনা, অদুগীদু মথক্তা ফুচৈদুনা তৌহৈত্রবা, হৌনত্রবা মওঙো

মহুদংশাকুলান্ দেশান্ নয়ন্তি বহুকর্দমান্ । বাহম্পীড়িতা ধূর্য্যাঃ সীদন্ত্য বিধিনা পরে ॥৪৪॥

ন মন্যে ভ্রূণহত্যাপি বিশিষ্টা তেন কর্ম্মণা। কৃষিং সাধ্বিতি মন্যন্তে সা চ বৃত্তিঃ সুদারুণা ॥৪৫॥

ভূমিং ভূমিশয়াংশ্চৈব হন্তি কাষ্ঠময়ো মুখম । তথৈবা নডুহো যুক্তান্ সমবেক্ষস্ব জাজলে ॥৪৬॥

অধ্ন্যা ইতি গবাং নাম ক এতা হন্তুমর্হতি । মহচ্চকারাকুশলং বৃষং গাং বাঽলভেৎ তু যঃ ॥৪৭॥

ঋষয়ো নতয়ো হ্যেতন্নহুষে প্রত্য বদয়ন্ । গাং মাতরং চাপ্যবধীর্বৃষভং চ প্রজাপতিম্ ॥৪৮॥

লাক্করি। ॥৪১-৪৪॥ ঐমা খল্লবদি, ভ্রূণহত্যা (গর্ভদা লৈবা জীববু হাৎপা-অস্তাং য়ৈথবা) গী পাপমক্কনা হায়রিবা হিংসা-অত্যাচারশিং অসিগী মহৈ পাপতগী থোইনা হেন্না চাউবা নস্তে। হায়বদি, মচায়ৈথবা গর্ভম্নুংদা লৈবা জীববু হাৎপা মাওহনবগী পাপ অসি কনা মচাউগ্রবনি। অদুবু, হৌজিক হায়রিবা জীববু ওৎপা নৈবগী পাপ অসিদগীদি থোইনা হেন্না চাউদে। অহোয়নদুম অত্যাচারশিং অসিগী নাপন চাউবা হেল্লি। লৌবুক্তা, হৌংখোন্দা মহৈমরোং থাবা হায়বনিনা খ্বাইদগী হেন্নকবা জীবিকা (কারাবর) নি হায়না কনা কনাগুম্বনা হায়নৈ। অদুবু হায়রিবা ব্যবসায় অসিমক ওন্থোকপা শাথিগ্রবা কর্ম ওাক্ত তৌদুনা পাণ্ডথোক্করি ॥৪৫॥ জাজলে। মচীন্দ খোরবা লোওথুম হাপ্তুনা-পানশিন্দুনা থোরবা লাঙ্গলনা পৃথী-মাতাবু তৌথায়রি। লৈপুংদা ফুংঙাইনা, মচামশু পোক্কুনা, মচীঙাক থিদুনা লৈজবা, ময়াম লৈত্রবা জীব-জন্তু কয়া কয়াবু হঙ্কং হন্দা থোইদুনা হাত্তোক্লি। মাদুগী মথক্তা, থবক অদু পাণ্ডথোক্লবা, লাঙ্গোল অদু চিংবা ওয়কত্রবা শললশিংদুগী মথক্তা শাঙ্কেনা অয়াবা চৈনা পীদুনা লাক্করি। তৌরিবা অত্যাচার অমদি জীব-শিংগী দুর্দ্দশাশিং অসিদা চনীংতানা বিচার তৌনা য়েংশিল্লু ॥৪৬॥ *

বেদদা শলবু হাৎপা (গোহত্যা) অদুগা শঙ্গদা হিংসা তৌবা হায়না ময়েক্ লানা হায়রি ইদ্রি। কনামা অদুগুম্বা শলবু হাৎনীওগদগে? শম্বী শল্লাববু ওৎপা নৈবা হায়বসি মহাপাপনি। (অদুবু, মাদু খওনা খওনা অদুম মত্তৌনরি ॥৪৭॥ মতম অমগী য়ানি, য়ারীনি :— নোংমা ঋষিশিং অমদি যতি যোগী-শিংনা নিংথৌ নহুষগী মফমদা অমুম্না হায়খি— 'নিংথৌ! নহাক্না গোমাতাবু অদুগা প্রজাপতি শল্লাববু হাৎখি। নহুষ! তৌবা হৌনত্রবা শাথিরবা কর্ম অসিবু নহাক্না তৌখি। নহাক্না তৌখিবা কর্মদুনা

* অমরোমদনা হিংসাকর্ম মথল মথলনা থোকহল্লক্লিবা ফো·চেং, গেহু, যব মপৈ মপৈ কারক্কপদু, অহিংসা ধর্মবু চু-কোনবদৌনা পায়রিবা জৈন বৌদ্ধ সম্প্রদায়গী বৈশ্য কয়া কয়ানা মখুং থন্দুনা ওাইরি। মাদুবু হোওন হোওনা লৌরগা লৈয়গা অমসুং জীব কয়া কয়ানা চাব ফংদবমথৈ য়ানগদৌবা অকালদু দুর্ভিক্ষ (চাক তাওবা পোংফী মমল হেঙ্গংমন্দুনা পোং তাওবা) গী মত্তমদু ওাইদুনা, লাইথুক্রমদনা লৈরিবা লয়োনবা তুলাধায়না হায়রিবদি ঐনা অল্লোক্লিবা হিদাক-লাংতক পোংচৈ থোক্হীনচিংবসিদু জীব কয়া কয়াবু হিংসা তৌরগা থোরক-ফনবা ওাক্কনি হায়বসি খওডি। অদুবু থুখেংননা জীবশিংদু হাৎপা য়াওকদনা জীবগী উপকার ওইগদবা কায়গদবা হিদাক-লাংতক্কচিংববৃত য়োন্দুনা মাদুনা তোংকপা শক্কশ অদুনা ঐগী জীবিকা ওইদুনা লৈরি অসিনি। হায়রিবসিগী তাবত্তি—জগত্তা হিংসা তৌদবা লৈতে। তারতম্যং য়েংদুনা হিংসাশিং থরবু অহিংসা অদুগা হিংসা থয়বুনা থাজেলেংবা হিংসানি হায়নথিবদনি। (কালাচান্দ)

অকার্য্যং নহুষাকার্ষীৎ প্রায়শ্চিত্তং কৃতে ব্যধাম্। শতং চৈকং চ রোগাণাং সর্ব্বভূতেষু পাতয়ন্ ॥৪৯॥
ঋষয়স্তে মহাভাগাঃ প্রজাস্বেব হি জাজলে। ভ্রূণহং নহুষং হ্যাহুর্নতে হোষ্যামহে হবিঃ ॥৫০॥
ইত্যুক্ত্বা তে মহাত্মানঃ সর্ব্বতত্ত্বার্থদর্শিনঃ। ঋষয়ো যতয়ঃ শান্তাস্তপসা প্রত্যবেদয়ন্ ॥৫১॥
ঈদৃশানশিবান্ ঘোরানাচারানিহ জাজলে। কেবলাচরিতত্বাত্তু নিপুণো নাববুধ্যসে ॥৫২॥
কারণাদ্ধর্ম্মমন্বিচ্ছেন্ন লোকচরিতং চরেৎ। যোঽহন্যাৎ যশ্চ মাং স্তৌতি তত্রাপি শৃণু জাজলে ॥৫৩॥
সমৌ তাবপি মে স্যাতাং ন হি মেঽস্তি প্রিয়াপ্রিয়ম্। এতদীদৃশকং ধর্ম্মং প্রশংসন্তি মনীষিণঃ ॥৫৪॥

ঐখোয়গী থাম্মোয়দা হায়নীংঙাই লৈতনা চৈনা পীরি। জাজলি! অমুক্না হায়ররবা ঋষিশিং অসুবু নহুষনা লৈপি লৈখোন্দুনা হায়জদুনা মশাগী মরানবু কোকপিনবা হায়দুনা, থাগৎখি। অদুগী তুংদা পূকচেল চাউরবা ঋষিশিং অদুনা নহুষনা তৌখিবা পাপ অদু লায়না (রোগ) চামগা অমা থোক্লা লৈবগী মওংদা ওইহন্খিদুনা জীব পানবা পূম্নমক্কী মথক্তা থোন্গংখি। ঋষিশিং অদুনা অমুক নিংথৌ নহুষতা অসুম্না হায়খি, "নিংথৌ! নহাক্কি ভ্রূণহত্যা (গর্ভমুংগী জীব হাৎপা) হায়রবা কুকর্মসু তৌখে। অদুনা ঐখোয় নহাক্কী যজ্ঞ যজ্ঞ অসিদা হবিষ্যনা আহুতি পীররোই ॥৪৯—৫০॥

অসুম্না হায়রবদা তত্ত্ব পূম্নমক্ খঙজবা ঋষিশিং অদুনা তপস্যাগী শক্তিদুনা, নহুষনা তৌখ্রিবা পাপকর্ম অদু অজ্ঞানকৃত (খঙহৌদনা তৌখিব) নি হায়রগসি খঙখি। অদুম্না খঙখিবনা মখোয় পূম্নমক্কী অশাউবা মুংঙাইতবসু শান্ত ওইখি—নেমখি ॥৫১॥ জাজলি! ব্রাহ্মণ! অকিবগী মশক ওইরবা পাপ পুন্ননীংঙাই ওইরবা, কর্ম অমদি আচরণ কয়া কয়া জগৎ অসিদা উনা রারনা থুমদুনা চংনরি—তৌনরি। তৌনরিবা চংনরিবশিং অসি অয়াম্বদি মমা মৈবগী চংন-তৌনরক্তই হায়বা রাখল অসিদগী তৌনখিবনা অয়াম্বনি। মীনা ওক্ননীংঙাই ওইবা, কিনীংঙাই ওইবা, থাগৎনীংঙাই ওইবা তপস্যা মতৌ অসি মুনি ঋষি যোগী কয়ানা মমাংমৈদগী তৌনরক্লি হায়বগী রাখন্দা ব্রাহ্মণ নহাক্সু তপস্যা অসি তৌরি। চংমরক্রবসু মখোয়সিদা করি করি দোষ লৈবগে হায়বসি নহাক নশানা মহাজ্ঞানী অমা ওইরবা কাওবদা থমজিন্ তৌনরিবা অমদি নহাক্না তৌক্লরিবা তপস্যা অদুনা করি দোষ লৈখিবনা নশাদা অহংকার লাকখ্রিবনো হায়বসি তপস্যা তৌরিবা তপস্বী নহাক্না নশাদা খন্থদে ॥৫২॥ "ঐনা তৌখ্রিবা কর্ম অসি করি হেতু (কারণ মরম) লৈগীনো, মসিদগী ওইরক্কবা মহৈনা করিনো?" অসুম হায়না মুক্না খন্থরবা থবকপু তৌরবদি তৌগদবা লৈরবদি নহাক্না লৌনিংবা চংনিংবা ধর্ম অম অমদা দীক্ষা লৌগদবনি। মীনা তৌনৈ হায়দুনা নশামদি তাব ঈতা তাদনা মীতাংবনা লমজিংজঙুম থক্ চংদনাক্লবনি। জাজলি! তৌজিক ঐগী মরমদসু যরা হায়গ তাও। ঐবু কুরবা চৈরক, অদুগা থাগৎলিবা মীপক অনীমক্ ঐঙোন্দদি থেমনা ইমান্ মামনা থোকই, খেন্নবা লৈতে। মীশক অনীগুমী মখুংদা ঐগী চান্নবা মরূপ, অদুগা য়েক্লবা কনামত্তা য়াওদে। য়াম্না কুপ্না নৈনবা অশিংবশিংনা, অসিগুম্বা ধর্মবু য়াম্না থাগৎনৈ ॥৫৩—৫৪॥ য়াম্না যুক্তিযুক্ত ওইবা য়া

উপপত্ত্যা হি সম্পন্নোমতিভিশ্চৈব সেব্যতে। সঙ্গতং ধর্ম্মশীলৈশ্চ নিপুণেনোপলক্ষিতঃ ॥৫৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি তুলাধারজাজলিসম্বাদে সপ্তপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৫৭॥

——:(※):——

হায়রবু অসিনি। অসিগুম্বা ধর্ম অসি যতি যোগীশিংনসু সেবন তৌনরিবনি। ধর্মাত্মা ওইবশিংনা য়াম্না বিচার তৌরগা অসিগুম্বা ধর্ম অসি অনুষ্ঠান তৌনখ্রিবনি ॥৫৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা তুলাধার-জাজলি সংবাদদা চনীয় হ্মিতবেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৫৭॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(জাজলিদা তুলাধারনা আত্মযজ্ঞগী মরম তাকপা)

চনীগা য়াঙ্খোনিপালশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

জাজলিরুবাচ ॥

অয়ং প্রবর্ত্তিতো ধর্মস্তুলাং ধারয়তা ত্বয়া। স্বর্গদ্বারং চ বৃত্তিং চ ভূতানামবরোৎস্যতে ॥১॥

কৃষ্যাহ্যন্নং প্রভবতি ততস্ত্বমপি জীবসি। পশুভিশ্চৌষধীভিশ্চ মর্ত্ত্যা জীবন্তি বানিজ ॥২॥

জাজলিনা হায়— মহাশয় বনিক। নহাক্না নখুত্না খল পায়রুনা খল তম্না তম্না পোৎলি য়াম্না য়োম্না ধর্মগী উপদেশ পীরি। নহাক্না তৌরিবা 'শুম্না তৌরবদি স্বর্গগী খোঙ পুম্নমক থিংগনি। অতে অতে বনিক (লল্লোন ঈতীক তৌবা) শিংগী জীবিকাসু লোইনা কককখগনি ॥১॥ বৈশ্যগী জাতিদা পোক্লবা লৌ উব্রবতদা, লাঙ্গোল্লা পৃথিবী তৌথায়রবতদা, অন্ন (ফৌ-চেঙ) থোকই হায়রবসি কাওবদি নহাক্না থঙকম থোকই— থঙগদবমক ওই। মাতুমক্তনসু নং হৌজিক কাওবা ঙিংতুনা লৈরিবনি। ফৌ-চেঙ মহৈ-মরোং অমদি শাশিংতনা তাইবং মীওইবগী চীঙাক অমদি জীবিকা ওইনরিবনি ॥২॥ হায়রিবা ফৌ-চেঙ শাশরুচিংবা

ততো যজ্ঞঃ প্রভবতি নাস্তিক্যমপি জল্পান। ন হি বর্ত্তেদয়ং লোকো বার্ত্তামুৎসৃজ্য কেবলম্ ॥৩॥

তুলাধার উবাচ ॥

বক্ষ্যামি জাজলে বৃত্তিং নাস্মি ব্রাহ্মণ নাস্তিকঃ। ন যজ্ঞং চ বিনিন্দামি যজ্ঞবিত্তু সুদুর্ল্লভঃ ॥৪॥

ন যো ব্রাহ্মণ যজ্ঞায় যে চ যজ্ঞবিদো জনাঃ। স্বযজ্ঞং ব্রাহ্মণা ক্ষত্রযজ্ঞমিহস্থিতাঃ ॥৫॥

লুব্ধৈর্ব্বিত্তপরৈর্ব্রহ্মন্ নাস্তিকৈঃ সম্প্রবর্ত্তিম্। বেদবাদানবিজ্ঞায় সাত্যাভাসমিবানৃতম্ ॥৬॥

ইদং দেয়মিদং দেয়মিতি চায়ং প্রশংস্যতে। তাত স্তৈন্যং প্রভবতি বিকর্মণি চ জাজলে ॥ ॥

যদেব সুকৃতং হব্যং তেন তুষ্যন্তি দেবতাঃ। নমস্কারেণ নহবিষা স্বাধ্যায়ৈরৌষধৈস্তথা ॥৮॥

পূজা স্যাং দেবতানাং হি যথাশাস্ত্র নিদর্শনম্। ইষ্টপুতাদ সাধুনাং বিগুণ' জায়তে প্রজা ॥৯॥

অসিতনা যজ্ঞকর্ম পুন্নমক পাওথোক্কদবনি— পাওথোক্করিবনি। তুলাধার! নহাক্তি নাস্তিক ওইবগী য়াওাওস্থ তাওলি। শল ইরোইনচিংবগী অরাবহ খন্দুনা, সম্পোৎ খোইত্রবদি, লৌ খোইত্রবদি সংসার পুম্বগী জীবিকাসু মুৎপ্রগনি ॥৩॥ তুলাধারনা হায়— জাজলি! হিংসা য়াওদবা জীবিকাশিংহ ঐ হায়জগে ব্রাহ্মণ! ঐ নাস্তিক নত্তে, যজ্ঞগী নিন্দাসু তৌজদে। অদুগা যজ্ঞ তৌবগী খাঙ্গেংশেংব তত্বহ খঙবা মীসু য়াম্না তাওতি ॥৪॥ ব্রাহ্মণ! ব্রাহ্মণশিংগীদমক্ত', হেদবিধান তৌপ্রবা যজ্ঞহ্‌বদি ঐনা হন্না হন্না খুরুমজরি। অদু-গুমনা যজ্ঞগী তত্বরু মুন্না খঙবিরিবা ব্রাহ্মণশিংহুগী মখোওদা হন্না হন্না মখোও শোক্না খুরুমজরি। অদুবু অরাবদি মতম অসিগী ব্রাহ্মণশিংনা মশাগী তৌগদবা থবকশিং অদুদি তৌদনা ক্ষত্রিয়যজ্ঞদা পুক্নিং চঙ-নরি ॥৫॥ শেল তান্‌বা অমদি শেল ফংননবগী থবক্কদা পুক্নিং চঙনপ্রবা যাজ্ঞিকব্রাহ্মণশিংনা বৈদিকযজ্ঞশিংগী তত্ব মুন্না খঙদবনা, মপানগী কুবক্কদা যজ্ঞগী মওং মান্‌বা মিথ্যাযজ্ঞ কন্না কয়াগী প্রচার তৌরি ॥৬॥ জাজলি! অসিগুম্বা থবক (অনুষ্ঠান) অসিগীদমক অসিগুম্বা দক্ষিণা অসি তৌফম থোক্কই, অদুগুম্বা থবক অদুগীদমক্তা অদুগুম্বা দক্ষিণা অদু তৌগদবনি··· অসুম্না শ্রুতি স্মৃতিদা হায়রি। অদুগা, অসুম্না তৌরবদি কন্নিগুম্বা অমনম্ব খাংগেশেংবা যজ্ঞ অদুম ওইবা য়াই হায়বা মক্কম অদুগা কনাগুম্বা লোভী যাজ্ঞিক, পুরোহিত ব্রাহ্মণ অমনা য়াম্না লৌগদওগী য়াম্না হায়জিল্লবদি যজ্ঞকর্ত্ত ব্রাহ্মণ অদু হুরানবগী দণ্ড (দণ্ডি) অমদি পাপ পুই ॥৭॥ সাত্বিক ওইবা অক্কবা কর্মগীদমক্তা খোম্‌জিন্ পৈশিনখিবা হবিষ্য অদুনা হোম তৌরবদি দেবতা পুন্নমক্তা পেল্লি। শাস্ত্রনা হায়বগী মতুংইন্না অমা অমা খন্দনা খুরুমজবা, স্বাধ্যায় (লাইরিক তম্বা, নৈনবা), নত্রগা অম্ন (অচাথক্) মখোয়সিতনসু দেবতাশিংগী পুজা অদুম তৌনৈ ॥৮॥ অপাম্বগী মথা পোন্‌থিহনা হায়বদি মিংচৎনচিংবা ফংনিংবগী মথা পোনথিহনা যজ্ঞ তৌরিবা, ময়ামগী পুত্রী তৌরিবা, মীয়ামগীনি হায়হনা হৈকোল লৈকোল শেম্লিবা, গুহা তৌরিবা অদুগুম্বা ধর্মগীনি হায়হনসু সকাম তোগতা অসাধু ওইবা মীশিংহুগী মচা মশূদি গুণ লৈতব (চন্দবা) হায়বদি নাপল তৌবা খোয়চৎনবা, তাওচৎনবা ওইনা পোকই ॥৯॥ *

---

* দানধর্ম য়াম্না তৌহনসু, বিত্তা য়াম্না হৈহনসু তৌরিবা দান, তৌরিবা যজ্ঞ, হৈরিবা বিত্তা অদুনা মশাক্তা

লুব্ধেভ্যো জায়তে লুব্ধঃ সমেভ্যো জায়তে সমঃ। যজমানা যথাত্মানমৃত্বিজশ্চ তথা প্রজাঃ ॥১০॥
যজ্ঞাৎ প্রজা প্রভবতি নভসোঽম্ভ ইবামলম্। অগ্নৌ প্রাস্তাহুতির্ব্রহ্মন্নাদিত্যমুপগচ্ছতি ॥১১॥
আদিত্যাজ্জায়তে বৃষ্টিঃ বৃষ্টেরন্নং ততঃ প্রজাঃ। তস্মাৎ সুনিষ্ঠিতাঃ পূর্ব্বে সর্ব্বান্ কামাংশ্চ লেভিরে ॥১২॥
অকৃষ্টপচ্যা পৃথিবী আশীর্ব্বীরুধেঽভবান্। ন তে যজ্ঞেষ্বাত্মসু বা ফলং পশ্যন্তি কিঞ্চন ॥১৩॥

লোভী ওইবনা লোভী পোকই। সমদর্শী (চপ মান্নবা উত্তবা মী) না সমদর্শী পোকই। পুরোহিত যজমাননা ওইরিবা কীবম মওং মতুংইন্না পোক্লক্লিবা প্রজা অবদি মহৈশিং অতুম্ মওং কীবম অতুম মওই। (বিবাহদা পুরোহিত ঐনা যজ্ঞ তৌরি যজমান (বর) ঐনা যজ্ঞ তৌহল্লি, অসুম্ন খন্নরিবা অনীক্তুনা পোক্-হল্লিবা মচা (প্রজা) অতুম্ "ঐ" হায়বা অহঙ্কার অতুগা কোন্নুনা অতুম পোক্লকই।) ॥১০॥

অমকপা অমোংপা য়াওব্রবা আকাশদগী মকত্রবা ঈশিংদা চুথরকপত্নগী মতৌগুম্না অমোংপা য়াওব্রবা শেংলবা য়াথঙ্গ। লোয়ননা তৌথিবা যজ্ঞ অমদি ধর্মগী অনুষ্ঠান অমদগী মতীক্ চারবা মচা পোকই। ব্রাহ্মণ। মৈদা শেংনা বিধি কায়দনা তৌখিবা—কংখিবা আহুতি অতু সূর্যামণ্ডল তান্না কা খি। সূর্য্যমণ্ডলদগী ঈশিং ওইনা থীকৃথরক্‌ই। ঈশিংতুদগী অন্ন পোকই। অন্নদগী প্রজা (মচা) পোকই। প্রজাদগী গৌস্তাক অমতুনা অমুক্ ওইখি ॥১১।১০॥ মমাংতৌগী মীশিংনা করিগুম্বা কামনা অমতা থমদনা তৌদবা খাদবা মথৌ অমগুম্না যজ্ঞ তৌনরম্মি। মতুংদা মশানা অপাম্বা পোংশকৃশিং অতু মশা মশানা অতুম মরাকৃচৈ। লৌবুক

থোরবা নাপল মী উশিত্তবা অসিনচিংবা পোকহনশিতুনা দাত ওইরিবা, বিদ্যাবান ওইরিবা মশামক নাপল তৌবা, থোরবা, কেন্দ্র মোঙবা লেমথোকপা, মতেন্দগী হৈদ্রে হায়ন খল্লিবশিং অতুগা কৌননিংলবা মীশক্তু ওইরবদি মতাক্ অতু বিগুণ (নির্গুণ হায়বদি গুণ কংমতা লৈতবা মীনি, তোল্লবনি হায়ন শাস্ত্রশাস্ত্র-শিংনা লৌনৈ। মরমনি অতুগুম্বা মীশক্তুগী হকচাংগুদা লৈরিব আত্মাতু অশেংবা আত্মা নত্তে, শেংদবা অমোং-পনা কুপ্লবা অমম্বদ মায়াদা তাত্তবা অনাত্মানি। চাউবা পীকপা, নেম্বা য়াংবা, হায়বসি আত্মাগী গুণ নত্তে। মরম অতুনা অতুগুম্বা গুণ লৈতবা অনাত্মা অতুম্ন অনাত্মাতুনা লৈরিবা মপানগী গোপাল, শ্যাম কৌশিল্লিবা হকচাং অতুম্ন অনীমক নির্গুণ (গুণ লৈত্তবা অপঙবা) তাবে। অতুনা জাজলি। নংদি নত্তোম্দা লৈরিবা আত্মাতুগীদি ঈরেং য়েংদে, ঐ সিদ্ধ ওইরে ঐ শাচোবা তৌবগুম্বা, ঈশিংলুংদা লৈগুম্বা, আকাশদা পাইগুম্বা তপস্বী যোগী ওইরে হায়না নংনা নাপল তৌরি। জাজলি কৌবা হকচাং 'নুংদা লৈরিবং আত্মা নহাক্তি লৈপাক ঈশিং মুংশিং আকাশ মৈনচিংবনা শারিবা হকচাংলুংসিদা মতৌশাদগী অতুম মরৈরক্লিবনি। কম্বি অমুক হেন্দোকপা লৈবি? আত্মা মহাক্তি মতৌশাদগী সিদ্ধ ওইতুনা অতুম মরৈরিবনি। হায়রিবসিনা তপস্যা তৌগন্নু, দান তৌগন্নু, যজ্ঞ তৌগন্নু হায়রব নত্তে, য়াম্না তৌগদবনি। সিদ্ধপুরুষ ওইরে, অহৈবা ওইরে জ্ঞানী ওইরে অসুম্না হায়রম্ন হায়বত্তনি। মাত্র হেক্ হায়বদা আত্মাগী মশাদা অহঙ্কার হায়বদু হেক্ লাকনি। অহঙ্কার অতু কোক্ত্রিবমথৈ সিদ্ধপুরুষ ওইত্রি, যোগী ওইত্রি, বিদ্বান্ ওইত্রি, সত্ত্য ওইত্রি। অতুগুম্বা মীশক্তুনা জগতা শান্তি ফংবা ঙম্লোই। অতুনা নহাক্না অমদগী অমদা কোয়চেল চেল্লি। নহাক্না অতুগুম্বা তপস্যাদি ঐস্রু মতৌরি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবগী মথৌশিং অতুদা কল্লকপা মিহৌবা তৌরুদনা ঐগী জাতি ধর্ম ব্যবসায় অসিদা তপস্যা তৌরি। (কালাচাঁদ)

শঙ্কমানঃ ফলং যজ্ঞে যে যজেরন্ কথঞ্চন। জায়ন্তেঽসাধবো ধূর্ত্তা লুব্ধা বিত্তপ্রযোজনাঃ ॥১৪॥
স স্ম পাপকৃতাং লোকান্ বেদগুর্ভর্ম্মণা। প্রমাণমপ্রমাণেন যঃ কুর্য্যাৎ শুভং নরঃ ॥১৫॥
পাপাত্মা সোঽকৃতপ্রজ্ঞঃ সদৈবেহ দ্বিজোত্তম। কর্ত্তব্যমিতি কর্ত্তব্যং বেত্তি বৈ ব্রহ্মণোত্তমম্ ॥১৬॥
ব্রহ্মৈব বর্ত্ততে লোকে নৈব কর্ত্তব্যতাং পুনঃ। বিগুণং চ পুনঃ কর্ম্মজ্যায় ইত্যনুশুশ্রুম ॥১৭॥
সর্ব্বভূতোপঘাতশ্চ ফলভাবে চ সংযমঃ। সত্যমজ্ঞা দমমঘা অমলুব্ধার্থ তৃপ্তয়ঃ ॥ ৮॥

ইংথোয়মচিংবহ্ খোইদোক্কনা— খোইরুক-লাকউবা তৌদনা, মক লংশিল্লুবগা মতীকচাবা কৌ-চেত্তনচিংবা অহুম মপী। জগৎকী কান্নববগীদমক্তা হৈপাল-লৈপাল পূন্নক্কা মচৈ ম রাং লৈ-শূনচিংবা মরাঙ কায়না পী। মথোয়দি যজ্ঞ তৌবা মত্তমদা যজ্ঞ অহুনা পীগদৌলিবা মচৈ অদোমদা থক্ য়েংশিল্লুদে। যজ্ঞ তৌরগা নত্ত্রগা তৌরিবা যজ্ঞসিগুম্বদগী কল্লিগুম্বা মচৈ অমা ফংনখিবা লৈত্রা নত্ত্রগা কানিলিবা মচৈ অসিবু ফংগত্রা হায়না চিংন চিংননা যজ্ঞ তৌরিবা মী (যজমান—পুরোহিত) অদো মহা ধনলোভীনি, মরৈ-ময়া চাউবনি, মবুকচেল কত্তবনি ॥১২—১৪॥

ব্রাহ্মণ অখোইব ! জাজলি। বেদগী প্রমাণবু হায়বদি মশানা ঈচুম চুম্না জাজবা রাবু, প্রামাণিত নত্তে, পত্তহায় হায়জবনি হায়দুনা কুতর্কনা অরেস্নদা তাংনগদবগী তোৎনরিবা, নাস্তিক মহাক্কী বুদ্ধি অদো মাংলবা—মাঙলবা বুদ্ধিনি। বুদ্ধি অহুদা লৈরিবা পুক্নীং অহুস্ন পাপকর্ম্মরোমতদা চঙশিল্লি। মাহুগী মহৈনা মহাক অহ্ তোল্লবা যোনিনা, হায়বদি--তোল্লবা মপোক্তা পোক্লুই ॥১৫॥ ॥ অফবা মতীকচাবা কর্মবু মশাগী মধৌনি হায়না খল্লিবা, অহুগা মাহু তৌগত্রা কল্লি দোষ পাপ লাক্কনগে হায়না অকিবা মিপাংবা পোক্লিবা, অহুগা মহাক্কী মমীত্তা, হোম তৌরিবা মন্ত্র শোল্লিবা ব্রাহ্মণ, মন্ত্র, যজ্ঞবেদি, মৈ··· পূন্নমক অসি তোঙানা লৈরবস্নু নত্রগা পূন্নপ অহুস্ন ব্রহ্ম মাঙগী মশাক্তি হায়না খাল্লবা থঙলিবা মহাক্ অহুত্তনা অশেংবা ব্রাহ্মণনি ॥১৬॥০॥ ব্রাহ্মণ। ঐনা অসিগুম্বা শমস্নু তোয়- তৌরিবা তৌগ্রবা কল্লিগুম্বা অমা রাংপদগী মগুণ লৈতবা কাংত্রমা কর্ম্ম অমা ওইনা তাগ্রবদি অহুগা তাগ্রবস্নু নিষ্কাম ভাবত— মচৈ পাম্মুদনা অহুম তৌথহুনা লৈগ্রবদি মহামঙ্গলগী মশক ওইবা মঙ্গল পীনবৈবা কর্ম্ম অমা ওইরকই। নিষ্কাম ভাবত্তা তৌরিবা যজ্ঞনচিংখা কর্ম অহুদা কল্লিগুম্বা, অমাংবনি হায়না খনবা হুই হৌদোংনা শোক্লরবস্নু মনম্নচিংবা নমথ্রবস্নু পুক্নীংদা চিংনবা খুংঙোইত্তবনচিংবা বাধা অমা লাক্লবস্নু কর্ম অহুদি থক্ মাঙবা মাংবা লৈত্তে। অখোইবা কর্ম ওইনহুম অহুম মরৈ। অহুনা কর্ম পূন্নক্তা নিষ্কামভাব থমগদবনি ॥১৭॥০॥ *

* নিষ্কাম-ভাবতা— মচৈ পামদনা তৌরিবা কর্ম অহু সাক্ষাৎ (মীংনা উবা) ব্রহ্মাগী মশক্তি, ব্রহ্মনি। অহুগুম্বা যজ্ঞনচিংবা কর্ম অহুদা বাধা (য়ৈগায়বা) লাকপগী মশক ওইনা, অমাংবনি থম্নব্য শা উচেকমা শোক্লম্নবস্নু কর্ম অহুদি থক্ মাঙবা মাংবা অনীমক লৈতে— ওইদে। অমাংবা অশেংবা হায়বসি সকাম ভাবনাদগী পোকখিবা ভাক্তনি। অহানবদা, সঙ্কল্পদা মচৈ অসি ফংননবগী দমক্তনি, ঐগীনি, মাগীনি হায়না

উৎপন্নত্যাগিনঃ সর্ব্বে জনা আসন্নমৎসরাঃ। ক্ষেত্রক্ষেত্রজ্ঞ তত্ত্বজ্ঞাঃ স্বযজ্ঞ পরিনিষ্ঠিতাঃ ॥১৯॥

ব্রাহ্মং বেদমধীয়ন্ত স্তোষয়ন্তাপরানপি। অখিলং দৈবতং সর্ব্বং ব্রহ্ম ব্রহ্মনি সংশ্রিতম্ ॥২০॥

তুষ্যন্তি তুপতো দেবাস্তৃপ্তো তৃপ্তস্য জাজলে। যথা সর্ব্বরসৈস্তৃপ্তো নাভিনন্দতি কিঞ্চন ॥২১॥

যাম্না কুইরবা মমাংঙৈগী মীশিংনা অচুম্বা ভাওবা কৌবা অহুগা ইন্দ্রিয় থুহ্মচনবা কৌবা যজ্ঞ অনীসি তুমিং থুদিংগী অনুষ্ঠান তৌনরম্মী। মীওইবা মহাক্কী থাজ্জেশেংবা উদ্দেশ্যদি মুক্তি (অরানবা থুত্তম কংবা) ভনি হায়না লেপ্নহুনা মুক্তি হা বসিগী-ভ লাক্তী ওইরম্মি। লোকতা চংনরিবা শেল-থুমগী মশক ওইরবা লল্ অসি কংনংবগীদমক্ থোইদোক্লা থন্নবগদে। হাচরিবা লন থুমগী মায়গৈ সোমদদি মথোয় তুমিংচুপ্না ঈপেন্ত পেঞ্জহুন, লৈরম্নবনি। কংঙক্ কংঙকৃপা মপানগী পোশকৃশিং অহু থুদক্ত থোক্ থোক্ থাদোক্লরম্মি ॥ ১৮॥ মতম অহুদা মথোয় অয়াম্বা ক্ষেত্র (হকচাং) অহুগা ক্ষেত্রজ্ঞ অম্বা) অনীসিগী তত্ত্ববু মুম থঙজবমক ওইরম্মি। আত্মাগী মরমদা উপনিষদ্ নচিবা ধর্ম্মগ্রন্থশিংবু তম্বা নৈনবা তম্বিবা হায়বসিমক্তনা মথোয়গী মথৌ ওইরম্মি। মাগী মাগী মনাক্তা লৈজরিবা শেল থুগনি খঙনারবা পোং অহুতদা পেঞ্জনা লৈহুনা অতোপ্পশিংবুসু মাগী মাগী লৈজরিবা অহুতনা পেঞ্জহুনা পুনাশ লেম্নবা লম্বী অমদি পাউত্তাক পীনরম্মি /১৯॥০॥ ব্রহ্ম হায়বসিনা থোথোক্পগী মকুনি। লাইশিং পুম্নমক্কী মপৈনা ব্রহ্মাহুগী সাকর মূর্ত্তিনি। হায়রিবা ব্রহ্ম কৌবা দেবতা অসি, ব্রাহ্মণশিংগী দেহহুংদা লেঙদনা লৈ।* মরম অহুনা জাজলি। হায়রিবা ব্রহ্মসিনা তৃপ্ত ওইনা, পূর্ণ ও হুনা লৈরবতদা দেবতা পুম্নমকসু ঈপেন্দ পেন্দুনা লৈ ॥২০॥

চাক চেক্লাং মথেল মখল মথলগী মহাও মখল মথা চাহুনা পুক্ থল্লবা, পেল্লবা তুংদা মাহুদগী চেম্না হাওব চেক্লাং অমা পুবক্লবসু চানীংদবহুগুম্না জ্ঞানগী মশক্ ওইরবা অমৃতবু থকপ চাকংবা মী মহাক্তুনা

থন্দুনা কর্ম অহু তৌগ্রবসু কর্ম অহু তৌগ্রবা মতুংদগীদি ভসাইগী সঙ্কল্প অহু পুনথা থাদোক্লগদবনি। নিষ্কাম কর্ম ওইহনগ্রগদবান। নিষ্কাম ভাবনাদা তৌবা কর্মদি ব্রহ্মগী মশক্লিনা (কর্ম ব্রহ্মোদ্ভবং বিদ্ধি) অহুপা অশেংবা ব্রহ্ম অমাংবা ব্রহ্ম হায়বদি লৈত্তবনিনা, অশেংবা কর্ম মহাক্তি শেংহুনা অহুম্মক্ মরৈগনি। (অরৈবহুদি লৈহুনা চুম্মক মরৈগনি। লৈতবহুদি লৈত্তবা ওইহু। চুম্মক্ লৈগনি।) শোক্ল নম্নরিবহু মপানগী অরানবা কুয়োম উনশাহুনান হুইগী দেহহুংদা লৈরিবা পরমাত্ম - ব্রহ্ম অহুন নত্তে। মহাক্লবু থেংবিশোকশিন্নরবদি হেন্নহুম করে। অহুবু অশেংবা অচুম্বা ভাবনাদা ওইহনবা যাবা কর্ম্মসি নিষ্কাম-কর্ম্মভনি। সংসারাসদি অশেংবগা অমাংবগা, জীবগা হকচাংগা, তোঙান্না লৈনরিবা অনী অনী সিগুম্বত্তনা শাথিবলা অমা বতগা লোয়ননা লৈরিমা সাংসারিক-কর্ম মকুনি। অহুগুম্বা সাংসারিক কর্ম অহুবুনি সকাম-কর্ম হায়রিবসি। অহুনা থবক থুদিংমক নিষ্কাম ভাবতা তৌগদবনি।

* হায়রিবসিগী ভাবতি সিদ্ধি কংননবনি, সিদ্ধি ওইননবনি, মুক্তি কংননবনি, মাগী পেম্মনগীদমক্তনি হায়গা অসিনচিংবা রাথম্না তৌরিবা কর্মমথৈ, হায়বদি— সঙ্কল্প য়াওবা কর্ম্মথৈ সকাম কর্ম্মনি। মসিমদি মশানা মাংবনি। মতোঙ্কা অমাংবনি হায়না থল্লিবা পোশক মমনা শোক্লরগা অমুক্ চেঙ্গিপা মাথথিগদবা নত্তে। মপান্দা থেংলবনি হায়না থঞ্জরিবা হকচাং তুংহুনা মপান্দা খিল্লুং থেংলকপদা মাংই হায়না হায়গদমা পোশক্ কয়া কয়া লৈরি। অহুনা অশেংবা অমাংবা হায়বসি মশান্গী রাতনি। সকামকর্মতদা শীজিন্নবান। (কালাচাঁদ)

তথা প্রজ্ঞানতৃপ্তস্য নিত্যতৃপ্তিঃ সুখোদয়া। ধর্ম্মাধারা ধর্ম্মসুখাঃ কৃৎস্না ব্যবসিতা তথা ॥২২॥
অস্তি ন স্তম্ভতো ভূয় ইতি প্রাজ্ঞস্ত্ববেক্ষতে। জ্ঞানবিজ্ঞানিনঃ কেচিৎ পরং পারং তিতীর্ষবঃ ॥২৩॥
অতীব পুণ্যদং পুণ্যং পুণ্যাভিজনসংহিতম্। যত্র গত্বা ন শোচন্তি ন চ্যবন্তি ব্যথন্তি চ ॥২৪॥
তে তু তং ব্রহ্মণঃ স্থানং প্রাপ্নুবন্তীহ সাত্ত্বিকাঃ। নৈব তে স্বর্গমিচ্ছন্তি ন যজন্তি যশোধনৈঃ ॥২৫॥
সতাং বর্ত্মানুবর্ত্তন্তে যজন্তে চাবিহিংসয়া। বনস্পতীনোষধীংশ্চ ফলং মূলং চ তে বিদুঃ ॥২৬॥
ন চৈতানৃত্বিজো লুব্ধা যাজয়ন্তি ফলার্থিনঃ। স্বমেব চার্থং কুর্বাণা যজ্ঞং চক্রুঃ পুনর্দ্বিজাঃ ॥২৭॥

নিত্যসুখ (লেপ্পদনা হুঙ্গাইব) বু ফংলকনিনা, অতোপ্পা অমনা অমুক পেন্নবীংগদায় ওইদ্রে। হুমিৎচুপ্পা ঈপেস্ত পেন্দুনা অমম মরৈদ্রে ॥২১॥ হায়ন্তিনা মীওইশিং 'সিঙ্গুম্বগী মচুংদ্রস্, অসিগুম্বা মীওইশিং থম্বা অমুক লৈবি, মখোয় অদুদি ধর্ম্মগী আচরণ তৌবতনা অতুম খপেনবা হায়বত্ত অতুম মওইদ্রে। মখোয় অদুদি পুনশিন্নিগী মন্নুংদা মপাংকানা তৌগদবা মখোই (কর্ত্তব্য), তৌদোইদবা — তৌবা তৌনদবা (অকর্ত্তব্য) হায়বত্ নিশ্চয় তৌহনা লৈপ্লবনি। অদুবু জাজলি! ব্রাহ্মণ! হায়রিবা কর্ত্তব্য অকর্ত্তব্য অদুগী চেনবা চাত্তরবা সর্ব্বব্যাপক (মকম পুম্নমক্তা শীন্ থুংনা লৈবা) পরব্রহ্ম পরমাত্মা হায়বা অমা বিরাজমান ওইদুনা লৈরিদো। অসুম্বা জ্ঞানীশিংনা খঙৈদো ॥ ২॥০॥ তাইবং ঈপাসব্ ল্যাগ্রুক্লীংবা, জ্ঞানী ওইবা মহাত্মা-শিংনা থোইদোক্কা লেংলবা পবিত্র ওইরবা, পুণ্য চেল্লবা মীশিংনা চান ৱবা চানরগা লিনরম্বা ফংনখিবা ব্রহ্ম লোক অদুবু ফংনখি। অদুগুম্বা লোক অদুদা যৌরবদা কনিগুম্বা মখলগী জারাব, কনিগুম্বা মখলগী অরাৎপা হায়বা অমত্তা মখোয়দা লৈখিদ্রে। মাতুদগী হুম্বা লোক অমদা অমুক হুমথাক্ত্র লাকদ্রে। মখোয়গী পুক্নীংদা কনিগুম্বা অরাবা, চেকথবা, অরাৎপা অমত্ত লৈখিদ্রবনি ॥ ৩— ৪॥

অদুগুম্বা সাত্ত্বিক ওইবা মহাপুরুষশিং অদুনা, অদুগুম্বা হায়রিবা ব্রহ্মধাম অদুবু ফংখি। মখোয় অদুগী পুক্নীংদা স্বর্গ ফংনবগী, মিংচৎ লৌচিংবা কনিগুম্ব ইচ্ছা—কামনা (অপাম্বা) অমত্ত লৈখিদ্রবনি। যজ্ঞ দাননচিংবা ধর্ম-কর্মগী অনুষ্ঠাননি হায়দুনস্, শেল ফংননবা, মিংচৎ ফংননবগীনমক্ত ওইরবদি অমত্তা তৌখিদ্রবনি। মপানগী সংসারদা উরিবা—লৈরিবা হৈপাক লৈপাক, উ বা পুম্নমক অসিনা মখোয়গীদি হবিষ্য— (যজ্ঞগী মৈদা থাদনবা অহ) হায়বত্ অমুন মওইগ্রবনি। লনথুম দান দক্ষিণা ফংনিংবা ঋত্বিক ব্রাহ্মণ পুরো-হতশিংনা মখোয়গী যজ্ঞ তৌদে, তৌসু তৌহন্দে। অদুগুম্বা পুরোহিত ব্রাহ্মণশিং অদুগী প্রয়োজন (দরকার) কনিমত্তা লৈতে ॥২৫—২৬॥

ব্রাহ্মণ! জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংনা মশাগী হকচাং থোঙ থুংনচিংবা অদুবু ব্রহ্মযজ্ঞ অদুদা থাদননবা, হোম তৌনবা হবিষ্যনি হায়নহুম থনি। মখোয় অদুনা প্রজ্ঞাশিংগী কামনা পীদনক্কা, হায়রদি— ব্রহ্ম মন্ত্রোনগী পোক্লকপা অচেত্ত জীব-পান্‌বা পুম্নমক অসিগী কম্ননবগী নমক্কা হুনিংচুপ্পা মানসিক (পুক্নীংনা ওইবা) যজ্ঞ অসি তৌহনা লৈ ॥২৭॥০॥

পরিনিষ্ঠিতকর্ম্মাণঃ প্রজানুগ্রহকাম্যয়া। তস্মাত্তানৃত্বিজো লুব্ধা যাজয়ন্ত্যশুভান্নরান্ ॥২৮॥
প্রাপয়েয়ুঃ প্রজাঃ সর্গে স্বধর্ম্মাচরণেন বৈ। ইতি মে বর্ত্ততে বুদ্ধিঃ সমা সর্ব্বত্র জাজলে ॥২৯॥
যানি যজ্ঞহবীংষ্যত্র সদা প্রাজ্ঞাদ্বিজর্ষভাঃ। তেন বৈ দেবযানেন পথা যান্তি মহামুনে ॥৩০॥
আবৃত্তিস্তস্য চৈকস্য নাস্ত্যাবৃত্তির্মনীষিণঃ। উভৌ তৌ দেবযানেন গচ্ছতো জাজলে যথা ॥৩১॥
স্বয়ং চৈষামনডুহো যুজ্যন্তি চ বহন্তি চ। স্বয়মুস্রাশ্চ দুহ্যন্তে মনঃ সঙ্কল্পসিদ্ধিভিঃ ॥৩২॥
স্বয়ং যূপানুপাদায় যজন্তে স্বাপ্তদক্ষিণৈঃ। যস্তথা ভাবিতাত্মা স্যাৎ সগামালব্ধুমিচ্ছতি ॥৩৩॥
ওষধীভিস্তথা ব্রহ্মন্ যজেতৈবং স্তেন অদৃশাঃ। ইতি ত্যাগং পুরস্কৃত্য তাদৃশং প্রব্রবীমিতে ॥৩৪॥

অনিত্য ওইনা মহৈ অদুগা অশুভ (কায়দবা অমঙ্গল) ওইবা কর্ম্ম অমদি মহৈ পাম্বা মী (যজমান) শিং অদুগীদমক্তা দান দক্ষিণা শন-থুম পাম্ব (লোভী ওইবা) ঋত্বিক্‌শিংনতা মখোয়গী পুরোহিত ওইদুনা যজ্ঞ তৌরিবনি। অথোইবা জ্ঞানীশিংদি স্বধর্ম্মগী আচরণ তৌন তৌনা অদৈ অতোপ্পা প্রজাশিংদসু স্বধর্ম্মগী আচরণ তৌহন্দুনা মখোযনুসু স্বর্গ কাহল্লি। জাজলি ! মাসি ঐহাক্না হায়রিবশিং অসি কাউদনা ঐসু ঐগী স্বধর্ম্মদা পুক্নীং চঙহনা লৈরি। অদুনা ঐগী বুদ্ধি অসি মতম পুম্বদা চপ্ মান্নবা অথোই অহেন নাইদনা মশক্ হোংদনা লৈরি ॥২৮—২৯॥ মহামুনি। জাজলি। জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংনা যজ্ঞদা মচাক্ ওইনা শীজিন্নখিবা সামগ্রী (উপচার —পোৎচে—মচাক্) শিং অদুমক্ পুন্না মর্ত্ত্যলোক অসিগী পুণ্যলোকস্তা চৎনখি ॥ ৩০॥

জাজলি ! কামনাদা আসক্ত ওইদ্রিবা হায়বদি, অপাম্বদা হকচিন্না পুক্নীং চঙলিবা মীশিং অদুদি সংসারদা অমুকহন্না পোক্লে। জ্ঞানী ওইবা মীশিংদি সংসারদা অমুক্‌হন্না পোক্লকদে। হায়রিবা মীশক অনী অসি দিব্যমার্গদগী পুণ্যলোক চৎখিদি হায়রবু মানা মানা তৌখিবা সঙ্কল্পশিং অদুনা তেল্লখিবদগী অমুকহন্না পোক্লবা, অমুক্‌হন্না পোক্লবা হায়বদুদি অদুম নৈ ॥৩১॥ জ্ঞানী ওইবশিংনা মীওইকপা মকুইন্না, পুক্নীংদা তৌখিবা সঙ্কল্পশিং অদুগী সিদ্ধিগী মতুংইন্না, শন্নবনা মশামক্তা পাড়ীনা পান্‌শিনবগা পোপ্পুবু মরেংদা থোংগৎহনা পুই, অদুগা শঙ্গোম থকৃপী (শঙ্গোম শুপ্পী) শঙ্গীনা মথন্তা শঙ্গোম শুমথক্লবগা, উসাইগী জ্ঞানীশিং অদুগী যোগসিদ্ধিগী মশক্ ওইনা শঙ্গোম পী ॥৩২॥ যজ্ঞ তৌগে. যজ্ঞ লিঙ্খৎকে হায়না পুক্নীংদা সঙ্কল্প তৌরকপা মতমদা, যোগসিদ্ধ ওইবশিংগীনি মখোয়গী মনাক্তা যজ্ঞথুপকাষ্ঠ (যজ্ঞদা যুপনবা থুম্বী) শিংনা মথন্তু অদুম মরাকৃচৈ। মথন্তু লাকচবা মচাক্‌শিং অদুনা মতীক চানা দান দক্ষিণা তৌবা যজ্ঞ কয়া কয়া হৈলায় লায়না পাঙথোকই। যজ্ঞ ফম্লিবা ঋত্বিক্ ব্রাহ্মণশিং অদুগী মনাক্ মনাক্তা মতীক্ চারবা ক্ষীরোদ মোন্দুম-চিংবা দক্ষিণাদু মথন্ মথন্তা অদুম্ মরাকৃচৈ। থশ্লোয় অমদি ধর্ম্ম অনীমক্তা সিদ্ধ শুদ্ধ ওইরবশিং অদুনা পৃথিবী মপুম অসিবু ঈরায় লায়না কংবা, হায়বদি মখোয়গী মথা পোলহনবা ঙম্মি ॥৩৩॥ ব্রাহ্মণ ! যোগ-সিদ্ধ ওইবশিংনা মথন্ মথন্তনা লাকচবা হৈ হৈ, হীদাক-লাংতক্. ফৌ চেঙনচিবা মচাকশিংনা যজ্ঞবু থুদক্ থুদক্তা পাঙথোক্‌পা ঙম্মি। অদুগা মথক্তা অহান্‌বা হায়রিবা কামী লোভী ওইবা অপাঙবশিংদুদি অসিগুম্বা

নিরাশিষমনারম্ভং নির্নমস্কারমস্তুতিম্। অক্ষীণং ক্ষীণকর্মাণং তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩৫॥
ন শ্রাবয়ন্ ন চ যজন্ ন দদৎ ব্রাহ্মণেষু চ। কাম্যাং বৃত্তিং লিপ্সমানঃ কিং গতিং যাস্তি জাজলে ॥
ইদং তু দৈবতং কৃত্বা যথাযজ্ঞমবাপ্নুয়াৎ ॥৩৬॥

জাজলিরুবাচ।

ন বৈ মুনীনাং শৃণুমঃ স্ম তত্ত্বং পৃচ্ছামি ত্বে বানিজ কষ্টমেতৎ।
পূর্ব্বপূর্ব্বে চাস্য নাবেক্ষমানা নাতঃপরং তমৃষয়ঃ স্থাপয়ন্তি ॥৩৭॥
যস্মিন্নেবাত্মতীর্থে ন পশবঃ প্রাপ্নুয়ুর্মখম্। অথ স্ম কর্মণা কেন বানিজ প্রাপ্নুয়াৎ সুখম্ ॥৩৮॥
শংস মে তন্মহাপ্রাজ্ঞ ভৃশং বৈ শ্রদ্দধামি তে।

স্বতঃসিদ্ধ (মশা মণস্তদা পাঙংশাকপবা) ওইবা যজ্ঞশিং অসি কত্তিম্বা মতমদা লিখ্খংপা পওখোক্পা ওমদে। কর্মগী মহৈ পামদবা মহাত্মশিংদি অসিগুম্বা মাহাত্ম্য (শক্তি) অসি লৈ। মরম অদুনা ত্যাগ (থাদোকপা— করিমতা পামদবা) হায়বদুবু হান্না মাঙজোননা চৌদোক্লগা মা ভাঙবা হৌখ্রিবনি ॥৩৪॥

পূর্ব্বাংদা লৈত্রবা অশাম্বা মিহৌবা, মহৈসি খন্দনা থবক্ তৌওম্ব।
থাগৎপা চৈবদা হরাওবা শাউদবা, লৈত্তবা, ওমদ্রবা কর্ম্মনা কাজিম্বা,
কর্মগী বন্ধননা কোমথরক্লবা, ধর্মনা মরু চেৎল্লিকলবা,
'তুগুমবা মীবু লাইবৈবাক্ লায়াম্না— হায়নৈ ব্রাহ্মণ অশেংবা ॥৩৫॥

ব্রাহ্মণ— জাজলি! বেদবু নৈনবা, তপা, তত্ত্বিবা যজ্ঞ লিখ্খংপা, ব্রাহ্মণদা অতম্বা দান তৌবা অসিনচিংবা কর্মশিং আসদি তৌদনা, সংসারগী কেনা যৌবনচিংবা বিষয়ভোগতা পুক্নীং লু শ্রবা ব্রাহ্মণ অদুদি— ফত্রবা থীরবা গতি (পেল্লোংগ) বু ফংখি। নিষ্কামধর্মবু লাইশিংগী মতৌগুম্না আরাধ্যদেবতাশক্তি হায়না থজ্জবা মী মহাক অদুদি যরানবা থুওম (মুক্তি পদবী) বু লায়না ফংবা ওম্মি ॥৩৬॥ জাজলিনা হংজি - মহাজ্ঞানী বৈশ্য! ওসি ননা ঐভোন্দা হায়াররবা তাংল্লিব হাসে আত্মজ্ঞানী ওইবা আধ্যাত্মিক যজ্ঞ তৌবা মুনিশিং কনাগুম্বগী ফমদগী মুক্তা ভখিদ্রে। তৌবগীদি মসি অরুব বিষয় মমা ওইরম্বা য়াই। মরমদি মমাংলৈগী মহর্ষিশিংনা মসিগী মরমদা অদুক য়াম্না কম্না নৈনরমদ্রে। লোইনা থওঙলবস্থ মথেয়না, নহাক্না হায়রিবা অসিগুম্না কর্মগী বিচারবু জগত্তা থনমদে, শন্দোক্লমদে। অদুনা ঐনা মসি নত্তোন্না হংলিবনি ॥ ৭॥

বৈশ্যগী জাতিদা পোক্লবা! অসিগুম্ব আত্মতীর্থনা, হায়বদি— আধ্যাত্মিক ওইবা তীর্থদা লূপঙ্না আত্মযজ্ঞ অসিবু তৌবা ওমদবা অদুগুম্বা পশুশিংনা, হায়বদি মথেও মার পনবা শাগুম্না জ্ঞান লৈতবশিংনা করম কয়াম্বা কর্ম তৌদুনা সুখ ওইবা ফংগনি? অদুগা মতৌ করম্না সংসার ঈশাক (সংসারার্ণব) অসিবু লান্— লান্থোকপা ওমগনি? মাসি ঐভোন্দা হায়ম্। নহাক্না ভাংলিবশিং অসি তবদা ঐগী থজ্জোরদা শ্রদ্ধা অমা পোক্লরে, য়াম্না চেৎনা থাজরি ॥৩৮॥ তুলাধারনা হায়,— দাম্ভিক ওইবা, য়াম্না থোয়বা মীশিংনা তৌরিবা যজ্ঞশিং অদুদা অশ্রদ্ধা—থাজদবা ভিংনবনচিংব। দোষশিং অসি অদুম ময়াওগ্রবলিনা, মথোয়না

তুলাধার উবাচ।

উভৌ যজ্ঞা উভৌ যজ্ঞা মধ্যং নার্হন্তি তে ক্বচিৎ॥৩৯॥

আজ্যেন পয়সা দধ্না পূর্ণাহুত্যা বিশেষতঃ। বালৈঃ শৃঙ্গেন পাদেন সম্ভবত্যেব গৌর্মখম্॥৪০॥

তত্নীং চাবেন বিধিনা প্রকরোতি নিয়োজয়ন্। ইষ্টং তু দৈবতং কৃত্বা যথাযজ্ঞমবাপ্নুয়াৎ॥৪১॥

পুরোডাশো হি সর্ব্বেষাং পশূনাং মেধ্য উচ্যতে। সর্ব্বা নদ্যঃ সরস্বত্যঃ সর্ব্বে পূর্ণাঃ শিলোচ্চয়াঃ॥৪২॥

জাজলে তীর্থমাত্মৈব মাস্ম দেশাতিথির্ভব। এতানীদৃশকান্ ধর্মানাচরন্নিহ জাজলে॥৪৩॥

তৌম্বিবা যজ্ঞশিং অতু যজ্ঞমক্ কৌবা য়াত্রবনি। অতংগুম্না মথেয়েদি পূক্লীংতনা তৌবা মানসিক-যজ্ঞ থবক পোচ্চং য়াওনা তৌবা যজ্ঞ দ্রব্যযজ্ঞ কাওবা তৌবা য়াবগী অধিকার লৈত্রবনি। য়াম্না শ্রদ্ধা লৈবশিংনা থী শঙ্গোম, শঙ্গোম্ব শান্নচিংবনা যজ্ঞগী পূর্ণাহুতি তৌই। শ্রদ্ধাদি য়াম্না লৈরগা পোচ্চং লাওবা তমদবশিংনা শনবু অতুগা মচাক্কী মমৈতংসু শোরগা অতুগা শনগী মচিং ঈশিংতুদা পুন্নগা চুরুগী চুংতনা নত্রগা— মপোওগী উক্ শংসু যজ্ঞগী পূর্ণাহুতি তৌনৈ॥৩৯ ৪০॥ হায়রবা বিধি অসিনা খীংচিবা দ্রবাশিংবু কংনবগীদমক্তা শ্রদ্ধা হায়না কৌবী অতুমকপু লেয়নবী ওইনা থনগা যজ্ঞ হায়বা তুমকপু দেবতাগুম থমলগা হায়বদি আরাধ্যদেবতাগুম থম্লগা যজ্ঞমূর্ত্তি ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুবু পেলহন্দুনা মাগী চরণবু কংননবা হোৎনগদবনি। ॥৪১॥ যজ্ঞনা বিধান তৌগ্রবা, হায়বদি যজ্ঞগী মন্ত্রনা শেংদোক্লুনা, যজ্ঞদা শীজিন্নগ্রবা শনা হাযেংনচিংবগী মখোমনা হৌবা শেম্বা তজনচিংবা অম্ন অতু ওন্থোক্লা পবিত্রনি— অশেংবনি হায়নৈ॥৪২॥

জাজলি। আত্মা অসিমক্ মহাতীর্থ অমনি। মাবু হুন্দেক্লুনা মপানগী অচম্বা তীর্থ তীর্থদা কোয়চেল

---

* হায়রিবা অসিনা তীর্থ ভ্রমণ (তীর্থ চৎপ) বু খণ্ডণ তৌবা নত্তে। হায়রিবসিগী ভাবতি— আত্মিক-জ্ঞান য়াওদনা চৎপা তীর্থদি অতুগা তীর্থস্নানদি মহৈ লৈত্তে হায়বত্তনি। মপানগী পাঞ্চভৌতিক হকচাং অসিগা আত্মাগদি করিসু মরী লৈনদে। তীর্থ ঈশিংনা মপানগী হকচাংসিবু শহাক্কং চোৎহল্লরগা, আত্মা অসিবুনি ঈযৌ য়োংহন্দনা লাক্লবদি করিদি কান্নরি? সুমিৎ তুম্মিৎপা তীর্থগী ঈশিং মখুংদা লুপ্পুনা হীপুনা লৈরুরবসু আত্মাদি য়াওকবা নত্তে। মাসিগী অরায়বা ভাবত্তি— লুপ্লবা, চৎলিবা অসি কনানা করিগী কদায়দা চংলিবনো? হকচাংদা ঈশিংদি অতুম ময়াওরি, ঈশিংবু ঈশিংদা লুপ্লুরিবসিনা করিগীনো? "স্নান" হায়বদি শেংদোকপা হায়বনি। কারিনা মাসিবু শেংদোক্লগদৌরিবনো? অদুবুনি হায়রবসু আত্মাবু মাংত্রা? মাংত্তি হায়রবসু আত্মাবু শেংদোকপদি ঈশিংনা য়াগত্রা? কাম ক্রোধনচিংবনা কূপ্লবা মাংলবা আত্মানি হায়রবসু কাম ক্রোধবু ঈশিংনা চায়্লগা কোক্কত্রা? কাম ক্রোধনচিংসিবু মপানগী হকচাংদা তৈরিবা অমোংপরা? নত্রগা আত্মাদা তৈরিবরা? হকচাংসিত্তবু শেংদোক্লগা আত্মাবুসু অতুম শেংদোকপদা য়াওগ্রবরা? ··· অসিনচিংবসি নৈনহু-১মুন্না থল্লগা, সিদ্ধান্ত অমদা লেপ্লগা তীর্থফলদি অতুগা তীর্থদা স্নান তৌরবদি— মাহু থাঙ্গেশেংবা তীর্থভ্রমণনি তীর্থস্নাননি। অতুম তৌরবদি তুরেল খুদিংমক তীর্থ মক্কনি, চীঙ পুম্নমক তীর্থস্থান ওাক্কনি। মাহু ভস্মাইদবা লৈরবদি কান্নদে। ঈশং মখুংদা হিপ্লগা, মীৎসু উংশিল্লগা চীন্দা গায়ত্রীমন্ত্রসু খোল্লগা পূক্লীংনা কাম ক্রোধগী কামনা অমদা অতুম থম্দুনা লৈরবদি কারিদি কান্নরি হায়বনি। (কালাচাঁদ)

কামৈর্ধর্মমন্বিচ্ছন্ সপোকা সাপ্নুতে শুভান্।

ভীষ্ম উবাচ।

এতানীদৃশকান্ ধর্মস্তুলাধারঃ প্রশংসতি ॥৪৪॥

উপপত্ত্যাভিসম্পন্নান্ নিত্যং সদ্ভির্নিষেবিতান্ ॥৪৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

তুলাধার-জাজলি-সংবাদে অষ্টপঞ্চাশদধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৫৮॥

—— :():——

চেন্দুনস্থ লুপ্ত্পত্থ। ● ঐনা হায়খ্রিবা, হিংসা মতৌদা অহিংস অহুনা মক ওইনা লৈরিবা ধর্ম অদুগী মতুংইন্না চংলিবা, অদুগা করিগুম্বা বিশেষ ওংবা মরম অমদগী ধর্মতত্ত্ববু শিরক্রিবা মী অদুতনা জগতপা শান্তি পীবম্নগা পণাচেন্নবা লোকতা চংদি ॥৪৩॥ ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মসি অদুম্না, হিংসা চাহন্নবা, য়াম্না যুক্তিযুক্ত ওইবা, মহাজ্ঞানী ওইবশিংনা সেবন তৌবা ধর্মগী মতুং বৈশ্য তুলাধারনা শকৃখি ॥৪৪—৪৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা তৌবা সংহিতাদা শান্তি পর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা চনী-য়াঙ্খোনিপালশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৫৮॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

একোণষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(জাজলি মুনিদা উচেকশিংগী পাউতাক্ (

চনীয়াঙ্খোমাপনশুবা অধ্যায়।

——:():——

তুলাধার উবাচ।

সদ্ভির্বা যদি বাসদ্ভিঃ পন্থানমিমমাশ্রিতম্। প্রত্যক্ষং ক্রিয়তাং সাধু ততো জ্ঞাস্যসি তৎ যথা ॥১॥

এতে শকুন্তা বহবঃ সমন্তাৎ বিচরন্তি হ। তবোত্তমাঙ্গে সম্ভূতাঃ শ্যেনাশ্চ ন্যাশ্চ জাতয়ঃ ॥২॥

তুলাধারনা হায়,— ব্রহ্মণ! ঐনা হায়খ্রিবা ধর্মগী লম্বী অসে, জ্ঞানী ওইবা মীশিংনো চংনবা নত্রগা জ্ঞান তানবা মীশিংনা তাব ঈতা তাদনা চংনবা হায়বসি যুম্না পরীক্ষা তৌদুনা য়েংলগা ঈরায় লায়না খঙবা ওয়গনি। অসিগুম্বা ধর্মগী তত্ত্বজ্ঞান অদুম্ মথানা অছুম্বক লাকচগনি ॥১॥ য়েংউ, অমুক্তা লোংথক্তা,

আহূয়ৈনান্ মহাব্রহ্মন্ বিশমানাং স্তুতস্ততঃ। পশ্যেমান্ হস্তপাদৈশ্চ শ্লিষ্টান্ দেহেষু সর্ব্বশঃ ॥৩॥
সম্ভাবয়ন্তি পিতরং ত্বয়া সম্ভাবিতাঃ খগাঃ। অসংশয়ং পিতা বৈ ত্বং পুত্রানাহূয় জাজলে ॥৪॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততো জাজলিনা তেন সমাহূতাঃ পতত্রিণঃ। বাচমুচ্চারয়ন্তি স্ম ধর্ম্মস্য বচনাৎ কিল ॥৫॥
অহিংসাদি কৃতং কর্ম্ম ইহ চৈব পরত্র চ। শ্রদ্ধাং বিহন্তি বৈ ব্রহ্মন্ সা হতা হন্তি তং নরম্ ॥৬॥
সমানাং শ্রদ্দধানানাং সংযতানাং সচেতসাম্। কুর্ব্বতাং যজ্ঞ ইত্যেব ন যজ্ঞো জাতু নেষ্যতে ॥৭॥
শ্রদ্ধা বৈবস্বতী সেয়ং সূর্য্যস্য দুহিতা দ্বিজ। সাবিত্রী প্রসাবিত্রী বহির্ব্বাঙ্মনসী ততঃ ॥৮॥
বাগ্বৃদ্ধং ত্রায়তে শ্রদ্ধা মনোবৃদ্ধং চ ভারত। শ্রদ্ধাবৃদ্ধং বাঙ্মনসী ন কর্ম্ম ত্রাতুমর্হসি ॥৯॥

খুদ্রঙ্গনেম্বা উচেক্ জাং কয়া কয়া মাংগৈ মরিদা কাদু শারম্ কোয়পাই পাইরি। মখোয়সিগী মরক্তা, ব্রাহ্মণ! নহাক্না কোংথক্তা অটম্পা পাক্লনা চাউখ্রম্পা উচেক্শিংদুসু য়াওরি ॥২॥ মখোয়সি জিংথোক্ কন্নোক্লগা মখোয় মখুৎ মশানচিংবা মখা মশাম খুদ্চিন খোমজিনখিদ্রনা, মখোয়বু য়োংশি থাকপিখিবা, মপা মমা শক্লগা, ব্রাহ্মণ নহাকপু ইপাই ওয়না মগত তৌরি, খুদ্রমজরি। মখোয়সিবু নহাক্তা কৌখ্রগা অমুক্তা হংউ ॥৩॥ নহাক্না কাম্না জুশিনা খোংকপীখিবনা মপাংক্তী মতৌশুম্না নঙোন্দা ব্যবহার (বেক্তার) তৌরি। অদুনা নচাশিং অসিবু কৌশিল্লগা হংউ ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! জুপাধারগী য়া অদু জাজলিনা উচেক্শিং অদুবু কৌরক্ই। ধর্ম্মগী মরম ওইবা রাক্তু তাবদা উচেক্শিংদু মায়ম থাজবা লৃংশিংগা লোয়ননা পাইথরকুনা তাইবং মীওইবগী খেনুংথোক্তা অহেম্না হায়রক্ই ॥৫॥ অহিংসা অমদি দয়া (থৌজাল) নচিংবগী য়াথনা মদুং মগুংদা ইজিল্লকুনা তৌথিবা কর্ম্ম অদুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা নীংথরবা মহৈবু পী। পূক্নীংদা লাকপা হিংসাগী য়াথনা শ্রদ্ধাবু মরক কংনা মাঙহল্লি। মদু হৈথেক্লগা শ্রদ্ধা হুনা ওন্শিল্লকুনা হিংসাগা লোয়ননা কর্ম তৌরিবা কর্মকর্ত্তা অদুবু সর্ব্বনাশ শানা মাংহল্লম্মি ॥৬॥ মাঙবা তেংবা অনীবু চপ মাম্নবা মশা অমতনি হায়না উবা শ্রদ্ধা লৈবা, পুকচেল শেংবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা, তৌরগ তৌকবা য়াম্নগী মশক ওইরবা থবক অদুবু ইথৌনি হায়না থনবদগী তেম্না মহৈ কংবা ক্যাংদগী য়াথম অমদি চিন্তা করিমতা তৌদনা যজ্ঞবু তৌরিবা মী অদুগী যজ্ঞ অদ মহৈ মাম্নবা লৈতে ॥ দ ব্রাহ্মণ। শ্রদ্ধা হায়রিবসে সূর্য্যদেবগী মচানুপীনি। অদুনা মাবু বৈবস্বতী, সাবিত্রী, প্রসবিত্রী হায়নস্ত কৌই। পূক্নীংগা য়াইগা অনীসিমকপু শ্রদ্ধাগা য়েংনরম্ববদি, মপাম্ পোৎশক্ তাম্না লৈররোইদৌবনি: হায়বদি— মখোয় অনীসি বহিরঙ্গনি, শ্রদ্ধা হায়বসিনা অন্তরঙ্গনি। ॥৮॥ মন্ত্র উচ্চারণ তৌরকপা মতমদা য়ানী (য়াহৈ য়াউত) গী লোযনগী উচ্চারণ শেংদনা হায়দোকখিবদগী দোষ লৈরবস্ত, অদুগা পূক্নীং হায়বসিনা মশানা চঞ্চল (তাহাক্তা তুমিন্না লৈতব) ওইবনা ইষ্টদেবগী ধ্যানদা অকায়বা অমা পীরক্রবা, অদু ওইরবস্ত তৌরিবা থবক অদুদা শ্রদ্ধা লৈয়বদি শ্রদ্ধাচুমক্তা বাণীগা পূক্নীংগা অমানা তৌবা দোষবু নমহৎকুনা তৌরিবা অনুষ্ঠান অদুবু দোষ লৈতনা ভাকুনা থম্মি। শ্রদ্ধা হায়বী মহাকপু

অত্র গাথাব্রহ্মগীতাঃ কীর্তয়ন্তি পুরাবিদঃ। শুচেরশ্রদ্দধানস্য শ্রদ্দধানস্য চাশুচেঃ ॥১০॥
দেবা বিত্তমমন্যন্ত সদৃশং যজ্ঞকর্মণি। শ্রোত্রিয়স্য কদর্যস্য বদান্যস্য চ বার্ধুষেঃ ॥১১॥
মীমাংসিতোভয়ং দেবাঃ সমমন্নমকল্পয়ন্। প্রজাপতিস্তানুবাচ বিষমং কৃতমিত্যুত ॥ ২॥

ময়াঙ্গত্রবদি পূর্ণাং চওতুনস্থ, মন্ত্রনচিংবা কনা চুম্না দোষ লেতনা থীরবস্থু মথোর অনীসিনা কর্ম (তৌরিবা অনুষ্ঠান) অতুবু কন্যা ওইকপা ওমদে ॥৯॥ *

অসিগুম্বা মতাং লাকপদা, মমাংদগী থোদোক রারীনচিংবব্ মুম্না খওবশিংনা, মমাংগুদা ব্রহ্মানা শক্-খিবা শৈরে ('কবিতা) অতুগী মরমদা অসুম্ন হেক্ হেক্ লৌরে। মাতুদি— অজ্ঞানবদা লাইশিংনা শ্রদ্ধা রাওব্রবস্থু য়াম্নদি লেংবা অমাং অশোয় য়াওদনা তৌজব অতুগা অমনা অতুক য়াম্নদি শেংব্রবস্থু হায়বদি-- অমাং অশোয়গী থোক্না য়েংব্রবস্থু য়াম্না শ্রদ্ধা লৈনদি তৌজবা মীশক্ অনীসিনা লাখচ্চরিবা যজ্ঞগী পোচ্চেশিং অতু চপ্ মান্নরা উই। অতুনা য়াম্না লীকপা, শ্রদ্ধা লৈতবা অতুগা, বেদশাস্ত্রদি য়াম্না খঙবা হৈবা অতুনা পীজবা কপপা অমতুগা, য়াম্না লান তৌবা অতুগ মীওন্দগী শেন্দোম্নচিংবা লৌরমদাইদদি--- লিকাল খুজি মথায় অমা কাওবা তাদনা লোৎকনব অতুনা পীজনা অমতুগা কবি অমস্তা খেন্নদনা লাইশিংন উই। মাসি লাইশিংনা য়াম্না রাখম বিচার তৌগা লেপখ্রবনি ॥ ০—১১॥

নোংমা প্রজাপতি ব্রহ্মানা, শ্রদ্ধাগী মরমদা তৌনরিবা কীবম্ অসি উবদা লাইয়ামদা অসুম্না হায়খি— লাইয়াম্-শা ! নখোয়না তৌরিবসে চুমদে থাইঙ্গশেংবদি পুকচেল চাউবা মীগী অমদি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা

* মথক্তা হায়রিবা অসিগী ভাবতি— যজ্ঞ, সেবা, পূজানচিংব, তৌবা মতমদা কর্মকর্তাগী কীজম অসি অনী থোক্না লৈ। ভক্তি শ্রদ্ধা অতুক য়াম্না লৈত্রবস্থু তৌখ্রিবা পূজাতুগী লৈ-শুনচিংবদ অমাংবগী শক্তক অমস্তা রাওহন্দবা, মন্ত্র যন্ত্রনচিংবা চুম্না থীবা শকপা অমা। অতুগা অম্না অশেং অমাং অদোমদা অতুক য়াম্না য়েংব্রবস্থু মন্ত্রনচিংবা খীর্মিবগী অচুম চুমদবদা অতুক য়াম্না মংওব্রবস্থু ভক্তি প্রদ্ধানি য়াম্না লৈজবা হায়বদি— য়াম্না থাজবা আকবা মুশিবগ লোয়ননা তৌজবা মীশক্ অমা— অনীসিনি। অনীসিনা তৌ-রিব পূজা যজ্ঞনচিংবগী মহৈ অসি চপ্ মান্ননা পীজম্ লোকপ্রা? নত্রগা খেন্নহনগত্রা? খেন্নবা তারবদি— কনানা হেন্না ফংভম থোকই? হায়বসিগী মরমদা যজ্ঞ পূজানচিংবতুগী মহৈ পীবিগদৌরিবা ব্রহ্মা বিষ্ণুনচিংবা দেবতাশিংনা খন্নগি—লেপ্পখি। মাতুদা লেপ্পখিবদি— মাগী মাগী ইষ্টদেব অমমম্ ওইরিবা দেবতা ঐথোয়গী ঈফমদা ভক্তি শ্রদ্ধাদি ঈখম্ থমদনা, পোচ্চেশিং অসিত' তরু তরুরগা কৈদৌনি? শ্রদ্ধাবু লৈরবদি— খোঙ্গোক্ লপ্না থীজব্রবস্থু ঐখোয়না চুম্না অচুম মতাবিগনি। মৈ, ঈশিং, মুংশিংনা শাবা পোচ্চেশিংসিবু মৈ ঈশিংনা অমুক শেংদোকক্তইনা কৈদৌনি? ভক্তি শ্রদ্ধাবু লৈয়বদি ঐখোয়না অচুম মশেংদোকপিগনি। মাগী মাগী কান্নবগীদমক্তা মিচং লংগীদমক্তা মন্ত্র চুম্না থীজবনি, পোচ্চেশিংসিবু তরু তরুনা তৌজবতনি। মীনা ভাবা, য়েংবদা মুংঙাইনবা, থাগৎননবা হায়দুনা শীল্লিবা লাঙ্ভিওবা পোচ্চেশিং অহুগীতা ময়েংবা, মন্ত্র-শিংবু মন্ত্র অহঙ্কারগা লোয়নন্য থীবা শকপা অতুমক্তনা শ্রদ্ধা ভক্তিবু মাওহঙ্গরবা মথোর অসিদা পীবা মহৈদগী ভক্তি শ্রদ্ধগা লোয়ননা তৌজব মীশিদা পীবা ফহনবা মহৈনা হেনকম থোক্কই— অসুম্না লাইশ্রা লেপ্পখি। অতুনা পূর্ণাংস্থ বাণীস্থু অনী অসিদি শ্রদ্ধা হায়বীসিগা য়েংনকুবদা বহিরঙ্গনি। শ্রদ্ধানা অনী অসিগী অমুক মঙুং হুজিনব্রি, অতুনা অন্তরঙ্গনি। বহিরঙ্গদগী অন্তরঙ্গনা কনবা হেল্লি। (কালাচাঁদ)

শ্রদ্ধাপূতং বদান্যস্য হতমশ্রদ্ধয়েতরৎ। ভোজ্যমন্নং বদান্যস্য কদর্য্যস্য ন বার্দ্ধুষেঃ ॥১৩॥
অশ্রদ্দধান এবৈকো দেবানাং নার্হতে হবিঃ। তস্যৈবান্নং ন ভোক্তব্যমিতি ধর্ম্মবিদো বিদুঃ ॥১৪॥
অশ্রদ্ধা পরমং পাপং শ্রদ্ধা পাপমোচিনী। জহাতি পাপং শ্রদ্ধাবান্ সর্পো জীর্ণামিব ত্বচম্ ॥১৫॥
জ্যায়সী যা পবিত্রাণাং নিবৃত্তিঃ শ্রদ্ধয়া সহ। নিবৃত্তশীলদোষো যো শ্রদ্ধাবান্ পূত এব স ॥১৬॥

পীবা কংপদগী ঈশেং শেংনো অতুম মরৈ। অৱাকপনা কংপা অমনা শ্রদ্ধা য়াওদবনা অমাংবনি, অদুগা মাংবত্তা নত্তনা মাঙজৈবনি— করিমত্তা কান্নদ্রেনি ॥১২॥০॥ হায়নিবশিং অসিগী মরু ওইবা য়াদি পুক-চেল চাউবশিংনা কংপা— পীবা অম অদুত্তা চাংদবনি লৌগদবনি। য়াম্না লৌকপা পীনীংবনা পীবা, শৌবিমক য়াম্না পাম্বা, শেন্দোক্ত (শেন্থোক্ত) য়াম্না কাওল্লীংবা পাম্বা মীনা কংপা পীজবা অমনচিংবা অচা-পোং অংত্তা লৌরোইদবনি। মামা কংলুপদৌরিবা পীজরুপদৌরিবা মী নত্রগা দেবতাদুগী মকমদা শ্রদ্ধা লৈত্রেদ. মতাংক্রা দেবতাংগী মকমদা কংননবগী কারিগুম্বা অধিকার অমত্তা লৈতে। অদুগুম্বা মীশক অদুদগী অমনচিংবা কারিগুম্বা অচাপোং অমনচিংব অমত্তা লৌরোইদবনি। মাসি ধর্মগী তত্ত্ববু মুম্না থত্ত-লবশিংনা হংপ্রবা— লেপপ্রবা য়াকম অমান ॥১৩—১৪॥ অশ্রদ্ধা হায়বসি খু ইদগী চাউবা পাপ অমনি। অদুগা শ্রদ্ধাতনা পাপ অদুদগী লাপ্থোক্কবা উপাইনি। লিন্না মকু হদোক্লগা অমুক তক্ত তক্তনা লৈবহু-গুম্না, শ্রদ্ধা লৈবা মীনা পাপপু কন্দোক্লগা, লাপ্না লংথোকত্রগা, তক্ত তক্তনা পূমশেং শেংনা লৈহৌই ॥১৫॥ শ্রদ্ধা লৈবগা লোয়ন লোয়ননা, পাপকী শক্তক মশাদা চত্তহন্দ্রবা মহাক অদুতনা— জীব থাইমত্তগী অশেংবা। * জাত্তিগী ওৌনবী মশিকনচিংবা তৌকবগী পাপ দোষ পুম্বা শ্রদ্ধাতনা লোইনা লাপথোক-হনখি। অদুনা শ্রদ্ধা লৈব মীদি মতম পুম্বনা ঈশে ত শেংদুনা লৈ ॥ ৬॥

---

* মতাংকী ধর্ম্মদা মথোংদা শ্রদ্ধা লৈরিবনি হায়দুনা হুৱানবা অমনা মাগী মথো হুৱানবগী থবক্তা য়াম্ন শ্রদ্ধাগা লোয়ননা মবুকীং চঙলি। মাসিবু ধর্মবা হাম্না চিংনরবদা কুপাসনবা য়াদনমা হায়দুনা "পাপকী শক্তক য়াওদব" হায়বা য়া অসিমা হেন্দোক্ত হায়রি। পাপকর্মদা থম্বা শ্রদ্ধাদি তামসিক শ্রদ্ধানি। অদু-গুম্বা তামসিক শ্রদ্ধানা শেম্ব— লিথ থিবা ইষ্টগী মূর্তিদুসু তামসিক অদুম মওই। মরম অদুনা শ্রদ্ধা য়াওদবা মপান্তদা। শেংবা অদুগুম্বা পুজাবু লৌবদগী, শেংদ্রবসু শ্রদ্ধাগ লোয়ননা তৌজবা পুজাবু হেন্ন থরায় য়াওনা লৌবিগনি— শ্রদ্ধাময় ওইবা পুরুষ ভগবানন। মতৌ অদুগুম্না, ঐ থায়সু শ্রদ্ধা য়াওদবা পীজ-নীংদনা পীজবা অৱাকপগী অমনচিংবা থক লৌরোইদৌবনি— চারোইদৌবনি। অদুম তৌরবদি ঐথোয়গী হকচাংমুংদা লৈরিবা পুরুষ ভগবান্ অসি শ্রদ্ধাময় ওইবা য়ারবোত্ত। হায়বদি— তামসিক মূর্ত্তি পুথিগনি। মতাকবু তামসিক মূর্ত্তি পুথ্রবদি ঐথোয়সু তামসিক মূর্ত্তিদা অদুম মৈথৈ গনি। শ্রদ্ধাগা লোয়ননা তৌবা কর্মনথৈবু শ্রদ্ধ কৌই। লৈশিত্রবশংগীদমক্তা তৌরিবা কর্ম্মনথৈ শ্রদ্ধকর্ম্মনি। "চপমুংনা থাজবা থুংশবং অদুগা "অসি তৌত্রবদি মান. করি হায়থিগদগে" হায়না কিবা" অদুম অসিগ লোয়ননা লৈবী "হৈনিংবা" হায়বীদুবু শ্রদ্ধা কৌবগনি। হায়রিবী শ্রদ্ধা অসিবু য়াওত্রিমথৈ, মপান্থোংদা হজবা শেংলব পুজাবিধিদুনা করিসু কারবা তৌরোই। (কালাচান্দ)

কিং তস্য তপসা কার্য্যং কিং বৃত্তেন কিমাত্মনা। শ্রদ্ধাময়োঽয়ং পুরুষো যো যচ্ছ্রদ্ধঃ স এব সঃ ॥১৭॥
ইতি ধর্ম্মঃ সমাখ্যাতঃ সদ্ভির্ধর্ম্মার্থদর্শিভিঃ। বয়ং জিজ্ঞাসমানাস্তু সম্প্রাপ্তা ধর্ম্মদর্শনাৎ ॥১৮॥
শ্রদ্ধাবান্ শ্রদ্দধানশ্চ ধর্ম্মশ্চৈব হি জাজলে। স্ববর্ত্মনি স্থিতশ্চৈব গরীয়ানেব জাজলে ॥১৯॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততোঽচিরেণ কালেন তুলাধারঃ স এব স। দিবং গত্বা মহাপ্রাজ্ঞৌ বিহরেতাং যথা সুখম্ ॥২০॥
স্বং স্বং স্থানমুপাগম্য স্বকর্ম্মফলনির্জ্জিতম্। এবং বহুবিধার্থং চ তুলাধারেণ ভাষিতম্ ॥২১॥
সম্যক্ চৈতমুপালব্ধো ধর্ম্মশ্চোক্তঃ সনাতনঃ। তস্য বিখ্যাতবীর্য্যস্য শ্রুত্বা বাক্যানি স দ্বিজঃ ॥২২॥
তুলাধারস্য কৌন্তেয় শান্তিমেবানুপদ্যত। এবং বহুমতার্থং চ তুলাধারেণ ভাষিতম্ ॥
যতোঽন্যমোপদেশেন কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥২৩॥

অসিগুম্বা মীশক অমসিগী মকমদা তপস্যা না কৈদোনগদোৱিবনো ? মশাংগী ক্রিজেং-চাকচা, আচার-ব্যবহার অমদি আধ্যাত্মিক ধ্যানচিংবনা কবি কাংহরি ? হকচাংলশিদ লৈরিবা পুরুষ মহাকসু অহুগা পরম পুরুষ মহাকসু শ্রদ্ধাতগী মশক্কি. হায়রবদি— শ্রদ্ধা হায়রবসিতল, শিজ্জিনবা লাগলবা মূর্ত্তি অমনি। মী মী মহাক অহুগী লৈরিবা শ্রদ্ধাহুগী মওংগীমতুংইন্না পুরুষ ভগবান্সু মূর্ত্তি অহু অহুম্ ময়োরি। হায়রবদি— মী মহাক অহুগী শ্রদ্ধা অহুনা সাত্ত্বিকী শ্রদ্ধা ওইরবদি পুরুষসু সাত্ত্বিকরূপ অহুম ময়োই। রাজসিকীশ্রদ্ধা ওইরগা রাজসিকরূপ, তামসিকীশ্রদ্ধা ওইরগা তামসরূপ অহুম ময়োই। পুরুষ ভগবান্গী সাত্ত্বিক, রাজস, তামস ওইবা রূপ (মশক) অহুম্নি ॥ ১৭॥ ধর্মগা অর্থগা অনীগী মশক থাইংশংনা উৎরবা অহুগুম্বা সৎপুরুষশিংনা ধর্মগী এরমনা অহুম হয়রা বাখল ওৎলে। ধর্মদর্শী হায়রবা মুনিশিংগী মকমদা ঐখোয়না হংবা মতমদা মহাক অহুদগী ফংবা ঐখোয়না ফংখিবা জ্ঞাননি ॥১৮॥

মহাজ্ঞানী জাজলি ! ঐনা হাওলিবা— হায়রিবা অসি হকচংদসু মহাক শ্রদ্ধা অহুম মথম্মু (হুথাঙ্গো)। অহুগী মতুংইন্না থবক তৌরগা পুনশিংগী অরোইবা লমথু ফংই য়োই। শ্রদ্ধা লৈরবা—শ্রদ্ধালু ওইরবা মী মহাক অহুদি থাইংশংবা ধর্মমক্কী মূর্ত্তিনি। শ্রদ্ধাগা লোয়ননা মশাগী ধর্মগা লেপলনা লৈরিবা মহাক অহুং-তবু অখোইবা তাইবংমীনি হায়নৈ ॥১৯॥

ভীষ্মনা হায়,— মিংথৌ। অহুদগী খরা লৈরগা তুলাধারগা ব্রাহ্মণ জাজলিগা মহাজ্ঞানী অনী অসি সংসার থাদোকখিরগিহুনা পুরুষ ভগবনগী অখোইবা ধামদা য়াম্না হুংঙাইনা মানা মানা তৌরম্বা কর্মশিং অহুগী মহৈ চাহুনা লৈখি ॥২০॥ মথৌ অহুম্না তুলাধার অহুনা হায়গদবা – তাকদবা বিষয় কয়া কয়াগী উপদেশ পীখি। সনাতনধর্মগী ব্যাখ্যা পীখি। তপস্যা কয়বা জাজলিনসু "তুলাধার" অহুম হায়না কাওরবা, মহাজ্ঞানী ওইরবা শ্রেষ্ঠগী উপদেশগী তোঙান তোঙানবা মপাংবু থম্মোয়দা কোন্শিন্দুনা লৌথি— থমখি ॥২০—২২ কুন্তীনন্দন যুধিষ্ঠি ! তুলাধারনা পীখিবা উপদেশশিং অসি মহাজ্ঞানী পণ্ডিত অয়াম্বনা য়াবা য়াকয় য়াম্না য়াওরি। ধর্ম মতম ওইরবা প্রামাণক ওইবা অর্থনা তিল্লবা পাণ্ডিতাক্ মক্তনি। মাগী

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
তুলাধার-জাজলিসম্বাদে একোণষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৫৯॥

——:(*):——

মাশিংহ্ তাবদা জাজলি মুনিগী থম্মোয়দা শান্তি পোকৃথি। মতোন্দা যুক্তিযুক্ত প্রমাণ খুদম কয়া পীখি হয়য় হৌজিক করি অমুক্ তানিত্তি? ॥২৩॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চাম্না শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা তুলাধার-জাজলি সংবাদদা চনীয়াথোমাপনগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৫৯॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নিংথৌ বিচখ্নুনা অহিংসাধর্ম্মবু থাগৎপা)

চনীগী হুম্‌ফুগুবা অধ্যায়

——:(+):——

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র পুরাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। প্রজানামনুকম্পার্থং গীতং রাজ্ঞা বিচখ্নুনা ॥১॥
ছিন্নস্থূণং বৃষং দৃষ্ট্বা বিলাপং চ গবাং ভৃশম্। গোগ্রহে যজ্ঞবাটস্থ প্রেক্ষমাণঃ স পার্থিবঃ ॥২॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মমাংডৌদা বিচখ্নু কৌবা নিংথৌ অদুনা জীবপানবা পুম্নমক্কী মকমদা থৌজানগে— থৌজান্‌হৈবা উংলগে হায়বগীদমক থম্মোয়নী হায়দোকখিব রাজম পুম্নমক মমাংঙুগী ফুইরবা ইতিহাসদা ইরি। প্রসঙ্গ অদুদা য়াওরিবা রাশিংহুগী খুদম শুইনা হেক্ হেক্ লীনহ্কুহ্ ॥১॥ নোংমা যজ্ঞশালা অমদা শল্লাবা অমা বলিদানগীদমক্তা মত্তক্ ককুনা লৈবা, অদুগা শম্বী ময়াম্না মপি ত্তবং তবং চেন্দুনা কপ্‌চুনা লৈবহ্, নিংথৌ বিচখ্নু কৌবসিনা উরুরে। যজ্ঞশালা অদুগী মপান্দা মাঙোন মথক্তা শম্বী কয়া কয়ানা তত্তক্ তত্তক্ য়েংদুনা লেপ্লুনা লৈবা অদু উবদা নিংথৌ বিচখ্নু কৌবা অদুনা মথাগী অময়া হায়খি ॥২॥

স্বস্তিগোভ্যোঽস্তু লোকেষু ততো নির্ব্বচনং কৃতম্। হিংসায়াং হি প্রবৃত্তায়ামাশীরেষা তু কল্পিতা ॥৩॥

অব্যবস্থিতমর্য্যাদৈ বিমূঢ়ৈর্নাস্তিকৈর্নরৈঃ। সংশয়াত্মভিরব্যক্তৈ হিংসা সমনুবর্ণিতা ॥৪॥

সর্ব্বকর্মস্বহিংসাং হি ধর্মাত্মা মনুরব্রবীৎ। কামকারাৎ বিহিংসন্তি বহির্ব্বেদ্যাং পশূন্ নরাঃ ॥৫॥

তস্মাৎ প্রমাণতঃ কার্য্যো ধর্মঃ সূক্ষ্মো বিজানতা। অহিংসা সর্ব্বভূতেভ্যো ধর্মেভ্যো জ্যায়সী মতা ॥৬॥

উপোষ্য সংশিতো ভূত্বা হিত্বা বেদকৃতাঃ শ্রুতীঃ। আচারঃ ইত্যনাচার্যঃ কৃপণাঃ ফলহেতবঃ ॥৭॥

যদি যজ্ঞাংশ্চ বৃক্ষাংশ্চ যূপাংশ্চোদ্দিশ্য মানবা। বৃথা মাংসং ন খাদন্তি নৈষ ধর্মঃ প্রশস্যতে ॥৮॥

সুরা মৎস্যা মধু মাংসমাসবং কৃসরৌদনম্। ধূর্ত্তৈঃ প্রবর্ত্তিতং হ্যেতন্নৈতং বেদেষু কল্পিতম্ ॥৯॥

মানান্মোহাচ্চ লোভাচ্চ লৌল্যমেতৎ প্রকল্পিতম্। বিষ্ণুমেবাভিজানন্তি সর্ব্বযজ্ঞেষু ব্রাহ্মণাঃ ॥১০॥

পায়সৈ সুমনোভিশ্চ তস্যাপি যজনং স্মৃতম্। যজ্ঞিয়াশ্চৈব যেবৃক্ষা বেদেষু পরিকল্পিতা ॥১১॥

স-সারদ লৈরিবা শক পুম্নাক্কী মঙ্গল ওইসনু। যজ্ঞ শরুদা হিংসাগী থাক অমন লৌশংলক্লবদা শক্কী পুম্নমক্কী মঙ্গল ওইনবগী শনক লৌশংগে হায়না শক্দুনা খাংদা হিংসাগী শনক ... লৌশংহনবা থাম্লগা নিংথৌহুনা হায়ুম্না হায়খি ॥ ॥ ধর্মগী মান মর্য্যাদাবু থুংজুন, মংলান থজদবা, মীনা তাকুদবম্ব লৌদবা মুর্খ, নাস্তিক (ঈশ্বরবু থাজদবা), অশ্মাগী মংলদা চিংনবা, বিদ্যাদা নত্রগা চৈদা মাগী নমিং ঙৈকায় লাম্না তাপ্রিব, অচুংবা মীশক্তন হিংসাবু সমর্থন তৌই ॥৪॥ ধর্মাত্মা মনুনা, শম পুম্নক অহিংসাবু তাক্কদবনি হায়না হায়রম্মি। তাইবংগীনা জ্ঞান ঈতা তাদন, মাংমাংনা নীংচংকপা অতুংগী নতুইনা নগান্-থোংগী যজ্ঞগী মপান্থোংগী বেদীদা বলিনি হায়ত্তন শা-ও হাৎলি ॥৫॥ মরম অদুনা হান্ন সুন্না চনীং তানা খল্লবা জ্ঞানীশিংনা বৈদিক প্রমাণনা ধর্ম কুপ্প। তত্ত্বনাপু লেপ্প হবনি। অচঞ্চর পুম্নমক্কী ধর্মগী বিধান তৌনবকপদ অহিংসাতনা অথোক্কবনি হায়তুম্না হায়খ্রল্লি ॥৬॥ উপবাস (ব্রত) তৌহুনা নিয়মশিং অঙ্কুবু চেৎনা ওক্কনবনি। বেদগী কলশ্রুতিগী মতা থাদোক্কদনি। হায়রিবা কাম্যকর্মবু অথুপ মাত্রগী মহৈনুংগী অপাম্ববু থাদোক্কনবনি। সকাম কর্ম তৌবা হায়বসি মহ অনাচার (তৌদবা তৌরৈবা কর্ম) অমনি হায়না থাদোক্কনবনি। পুক্চেল পীকপা— অরীকপা মীতনা, মহৈবু হান্না মাংজোনন পামজনা কর্ম তৌখন ॥৭॥

মতাং অসিদা কনাগুম্বনা অসুম্না য়েংপা হায়বা য়াঙ্‌, মাস্থদি— যূপ (যজ্ঞগী যূপী) গী মমক্কা উ য়াল্লিবনি। যজ্ঞগী মমক্কা বলিদান তৌরগা মাংস ভক্ষণ তৌনরিবনি। মাসি অরেপ্পা কাম্নদবা নত্তে। অরেপ্পা ওইবা পাপ পুবদি লায়রহনা অহোয়নক্কম ধর্মগী অনুষ্ঠান অমা তৌহুনা পুণ্য তানবনি, অসুম্না হায়রিবসি চুমদে। ধর্মগী থবক ওইরবসু, অসিগুম্বা ধর্মগী থবকপু কনানসু হৈক হায়দে, থাগৎনদে ॥৮॥ যু, মরাই কাবা (হাংলিনচিংবগী) মহী, খোহী, শা ঙা, খোয়দিং, চেঙন তৌবা খিচুরী (খেচ্রি) অসা-অথক পেৎ-চৈশিং অসিবু ফত্রবশিংনা যজ্ঞদা শিজিন্নরি। বেদদদি হায়রিবশিং অসে - বেদগী বিধানদা অমত্তা য়াওদে ॥৯॥ ফত্তবশিংনা নাপল, অপাম্বা, অশাঙবা গুমহৎপগী মথা পোন্নথিহুনা পোচ্চেশিং অসিবু শীজিন্নখিবনি ॥১০॥ যজ্ঞদা মচাক্ ওইনা চঙগদবা উদি অসি অসিতনি হায়না বেদদা তাক্লিবা অনুষ্ঠৈজা

যজ্ঞাপি কিঞ্চিৎ কর্ত্তব্যমন্যচ্চোক্ষৈঃ সুসংস্কৃতম্ । মহাসত্ত্বৈঃ শুদ্ধভাবৈঃ সর্ব্বং দেবার্হমেবতৎ ॥১২॥

যুধিষ্ঠির উবাচ ।

শরীরমাপদশ্চাপি বিবদন্ত্য বিহিংসতঃ । কথং যাত্রা শরীরস্যা নিরারম্ভস্য সেৎস্যতে ॥১৩॥

ভীষ্ম উবাচ ।

যথা শরীরং ন গ্লায়েন্নেয়ান্মৃত্যুবশং যথা । তথা কর্মসু বর্ত্তেত সমর্থো ধর্মমাচরেৎ ॥১৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

বিচখ্নুগীতানুবয়ে ষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬০॥

——:():——

যজ্ঞদা শীঙ্জিন্নগদবনি । শেংলবা আচায় বিচারদা লৈলা, সত্ত্বগুণ চেনবশিংনা শেংলবা মাথম্না, প্রোক্ষণমন্ত্র-নচিংবনা, যজ্ঞগী পোচৈচশিং ছক্রবু শেংদোক্লগা মাঙগী মমুংদগী কব্রিশুদ্ধা পোৎশক অমনা হৌবা— থোংবা নৈবেদ্য নত্রগা তন্দিগ্য মত্র দেবতাশিংনা কংপনা মতীক্ চাররনি ॥১১—১২॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়— ঈনুধৌ ! হিংস হায়বসিবু শুক্‌প য়াথিদ্রবা, হিংসাকগী লাপ্না লৈরবা অহিংসা তবু হায়রুনা লৈত্রবা মীশিং অতুগী হকচাংগা, অরাবা থুদোং থীংগা অনীসি অমগামগা ক্লমিংচুপ্না থাইবুং থাঙবুং তানৈ— থংনৈ ফুনৈ । অরা অনা, অরাম থৌরাংবনা মপানগী হচাংসিবু চুপশিল্লি—কংশিলহল্লি । অতুগা অমরোমদা হকচাংগিন অরা অনাবু কোক্লনবা হায়নরি । অসগুম্না কৃপণরবং হিংসা অহিংসাগী বিচার অসিদগী তীক্ষ-কাণ্ড কথা কয়া লৌ থোক্ইরিবা লৌডবশিংনা লৌ উথিদ্রবদি, অরা-অনা থোকহল্লিবা ধর্মগী সাধন ওইরিবা হকচাং অসিবু করম্ হায়না য়োক্লনি ? মাদি তাকপিয়ু ॥১৩॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির ! হকচাংগী শক্তি হম্বরোইদৌবা, হকচাংদা লায়না লাকওইদবা অতুগুম্বা কর্ম্মনা চঙশিনগদবনি । ধর্ম্মগী বর্মনি, অনুষ্ঠাননি হায়রুবদু হকচাংসিনা থুনক্কা মৃত্যুগী মথা পোনুক্ত্রদি— ধর্ম কর্ম্ম দান-নচিংবা তৌনবগী থুংলায় হকচাংসিনা শোক্সুত্রবা নত্রগা মাঙত্রবদি করি কান্নরি ? হকচাং অসিনা কয়া লৈরবতদা অসুক্ য়াম্বা ধর্ম্মগী ধর্ম মথাং অসি পাঙথোক্লগৌরিবনি ॥১৪॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বনা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বনা বিচখ্নুগীতা বিষয়গী চনীহুম্ফুঙবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬০॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

একষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(মহর্ষি গৌতম অমগা চিরকারী অনিগী ৱারী)

চনীহুমফুমাথোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং কার্য্যং পরিক্ষেত শীঘ্রং বাথ চিরেণ বা। সর্ব্বথা কার্য্যদুর্গেঽস্মিন্ ভবান্ নঃ পরমো গুরুঃ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। চিরকারেস্তু যৎ পূর্ব্বং বৃত্তমাঙ্গিরসে কুলে ॥২॥

চিরকারিক ভদ্রং তে ভদ্রং তে চিরকারিক। চিরকারী হি মেধাবী নাপরাধ্যতি কর্ম্মসু ॥৩॥

চিরকারী মহাপ্রাজ্ঞো গৌতমস্যাভবৎ সুতঃ। চিরেণ সর্ব্বকার্য্যাণি বিমৃশ্যার্থান্ প্রপদ্যতে ॥৪॥

চিরং স চিন্তয়ন্নর্থাংশ্চিরং জাগ্রৎ চিরং স্বপন্। চিরং কার্য্যাভিপত্তিং চ চিরকারী তথোচ্যতে ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হাঞ্জ,— ইবুধৌ! ইবুধৌনি ঐগী অথোইবা গুরুনি। নাস অমুক্তা তাকৃপিয়ু— খুদম ওইনা হায়রবদা গুরুগী য়াথংবু ওাকৃপা, লৈপাক্তা তাতন্দবা হায়রবসি তৌগদবমাকু। গুরুগী য়াথং ওাক্তবা তৌইহেদে। অমগা য়াথং অমগী মসুংদা হিংসা তৌনবগী শরাক য়াওরবদি কংম তৌবা তাই? হিংসামু তৌইহেদে, গুরুগী য়াথং ওাক্তবসু তৌইহেদে গুরুগী য়াথংদুদাদ হিংসা তৌনবগী য়া য়াওরি। অসিগুম্বা মতাং লাকৃপদা কম্‌দৌবা? অম অমা থন্দন থবক অমু থুনা য়াওনা পাওখোৎকজ্র? নত্রগা ওহাক কুইথনা— বিচার তৌথিগদ্রা? ॥১॥ ভীষ্মনা হায়,— ইবুঙো! মতাং অসিগুম্বা লাকপদা, মমাংঙৈগী কৃৎরবা ইতিহাসগী ৱারী অমা হেক্ হেক্ লীনে। আঙ্গিরস শাগৈদা পোক্‌পা চিরকারী গায়রবগী ৱারীনি ॥২॥ নোংমা চিরকারী হায়রবসিগী মপানা মচা চিরকারীদা অসুম্না হায়খি,— চিরকারী মঙ্গল ওইসু। চিরকারী। নংগী মঙ্গল ওইবা চাউখথপা ওইসনু। চিরকারীদি মখৌ পাওখোকপদা অপরাধ (মরাল—দোষ) অমতা লৈহন্দে, অসুম হায়না মচাবু থাগৎতুনা মপানা হায়খি ॥ ॥ অসুম্না হায়রৈ— মহর্ষি গৌতমগী মচা অমা লৈরম্লি, মহাক্ অসি পোকচৈদগী, মাগী স্বভাব অমা ওইনা, কবিগুম্ব থবক্—মখৌ অমতং পাওখাক্লমদাইদা য়াম্না কুইনা বিচার তৌরগা হেক্ হেক্ তৌই ॥৪॥ মহাক্ অসি অমুক পুখিল থবক্ মচ-মমু কুইনা খল্লরগা হেক্ হেক্ তৌই। তুম্লবদসী হৌগৎপমক্তদত্ত পাক্ হেক্ হৌগদ্তে, কুইনা বিচার তৌরগা হৌগৎলি।

অলসগ্রহণং প্রাপ্তো দুর্মেধাবী তথোচ্যতে। বুদ্ধিলাঘবযুক্তেন জনেনাদীর্ঘদর্শিনা ॥৬॥

ব্যভিচারে তু কস্মিংশ্চিৎ ব্যতিক্রম্যাপরান্ সুতান্। পিত্রোক্তকুপিতেনাথ জহি মাং জননীমিতি ॥৭॥

ইত্যুক্ত্বা স তদা বিপ্রো গৌতমো জপতাং বরঃ। অবিমৃশ্য মহাভাগো বনমেব জগাম সঃ ॥৮॥

স তথেতি চিরেণোক্ত্বা স্বভাবাচ্চিরকারিকঃ। বিমৃশ্য চিরকারিত্বাচ্চিন্তয়ামাস বৈ চিরম্ ॥৯॥

পিতুরাজ্ঞাং ন কুর্য্যাং মাতরং কথম্। কথং ধর্ম্মচ্ছলেনাস্মিন্ নিমজ্জেয়মসাধুবৎ ॥১০॥

পিতুর্হ্যাজ্ঞা পরোধর্ম্মঃ স্বধর্ম্মো মাতৃরক্ষণম্। অস্বতন্ত্রং চ পুত্রত্বং কিং তু মাং নাত্র পীড়য়েৎ ॥১১॥

স্ত্রিয়ং হত্বা মাতরং চ কো হি জাতু সুখী ভবেৎ। পিতরং চাপ্যবজ্ঞায় কো প্রতিষ্ঠামবাপ্নুয়াৎ ॥১২॥

অনবজ্ঞা পিতুর্যুক্তা ধারণং মাতৃরক্ষণম্। যুক্তক্ষমাবুভাবেতৌ নাতিবর্ত্তেত মাং কথম্ ॥১৩॥

মরম অসিদগী মী পূয়মক্তা মহাকপু চিরকারী (থবক্তা মতম চঙগনবা) হায়না অকুম কৌনখ্রে ॥৫॥ আ-ক্ষাঙবা খঙ্গদবা, মবুদ্ধি থনগনিংনা মাবুদি অতনুব মী— কতলূনি হায়না খঙ্গহুনা— খঙনহুনা লৈরবনি। মঙোন্দা মী পুম্নমক্ত 'আলস' (কতল্) হায়বা উপাধি (মিংথোল) অসি পীখ্রবনি ॥৬॥ নোংমগী মায়ৌনি গৌতম ঋষিন, মহাক্কী লোইননবী (কুপী) না ব্যভিচারিণী (অক্কী) অমনা তৌগদবা থবক্তু তৌরকপা উরকপদা, মায়া শাক্তখিহুনা মগী অতৈদা হায়খ্রিদবা চিরকারী কৌনা মচাসিদা—"চৌজিকমক্ নমা অসি লোইথোক্লুরো— হাংলুরো" হায়না য়াথং পী থাকখ্রে ॥৭॥ থোক্তদোক্কা হস্তনা খন্দনা য়াথং অসি পীথোক্-লমগা জপ ধ্যান তৌবগী মঙ্গলদা অথোইবা ব্রহ্মর্ষি গৌতম অসি বনদা চংস্থা তৌবা চথে কখ্রে ॥৮॥

মপানা য়াথং অদু হেক্ পীবদা "য়াম্না ফনি" হায়বা পাউখুম চিরকারীনা হেক্ পীদে। চিরকারী-নিদনা, অমুক্ করি হায়গনি। অদুগা মহাক্কা পাউখুম পীখ্রদ্রেবদা গৌতম ঋষিন য়াথং পীরম্লগা অকুম চৎখ্রবনি। মপাগী পীরম্লিবা য়াথং অদুগী মথক্তা মহাক কুপ্না বিচার তৌদুনা লৈহৌই ॥৯॥ মহাক্কা অমা অমা অস্রম্না খল্লকই,— ইপাগী য়াথংস্ত ঙাক্লবা, ইমাবুস্ত হাত্তনবা খবক অনীসি পাংথোক্লবসি করি উপায় লৈ? খুদেংথৌব য়াক্কম অসিনা ধর্ম শাশিল্লগনা ধর্মগী ফিজোল শেংদুনা এইত্তোন্দা চত্তশিল্লকনি। অসাধু ওইবা জ্ঞান তাদবা অরগুম্না এইনা য়াখল ইথৌ তৌনবা চোংথখিগদ্রো ॥১০॥ মপাগী হায়বু ঙাকপা হায়বসি অথোইবা ধর্ম অমনি। মমাবু ঙাকপা য়োকপা, অনাবদগী বনুব হায়বসিস্ত মচা হায়বা অদুগী অথোইবা ধর্ম্মনি অমনি। মমা মপা লৈরিবা মচাগী স্বতন্ত্রতা (মনি-মখা তন্না হাইবা) কদিমত্তা লৈতে। মমা-মপা লৈরিবনৈথ মখোয়গী মখা পোন্না লৈগদবনি। অদুনা নাক্কল অনীমক্তা অধর্মগী চৈনা ফংদনব স এইনা করি তৌবা বাই? ॥১১॥ কুপীস্ত ওইবা, অদুগী মথক্তা মমা হায়বস্ত ওইবা, অসিবু হাৎলগা করম্না তাইবং মপোক্ অসিদা করম্না কুণ্ডাইবা ফংগনৌরিবনো? মপাবু থোঙই উদিংজ্রবা মচা অদুনস্ত করম্না চাউথংপা কুংঙাইবা ফংগনি? ॥১২॥ মপাবু উদিজ্রবা— থোঙইদবা হায়বসি থক্ তৌরোইদৌবনি। অদুগী মথক্তা মা মাবু পোক্পা থাক্পা হায়বসি মবাগী ধর্মনি। অনী অসি মচা হায়বদুগী চত্তবা তৌত্রবা য়াত্রবা ধর্মনি। অনীমক অসিবু এইনা মতৌ করম্না পাঙথোক্কনি? ॥১৩॥

পিতা হ্যাত্মানমাধত্তে জায়ায়াং জজ্ঞিবানিতি। শীলচারিত্রগোত্রস্য ধারণার্থং কুলস্য চ ॥১৪॥
সোঽহং মাত্রা স্বয়ং পিত্রা পুত্রত্বে প্রকৃতঃ পুনঃ। বিজ্ঞানং মে কথং ন স্যাৎ দ্বৌ বুদ্ধোচাস্ম সম্ভবম্ ॥১৫॥
জাতকর্মণি যং প্রাহ পিতা যচ্চোপকর্ম্মণি। পর্য্যাপ্তঃ স দৃঢ়ীকারঃ পিতুর্গৌরব নিশ্চয়ে ॥১৬॥
গুরুত্বপ্রাঃ পরো ধর্মঃ পোষণাধ্যাপনান্বিতঃ। পিতা সদাহ ধর্মং চ স বেদেষ্বপি সুনিশ্চিতঃ ॥১৭॥
প্রীতিমাত্রং পিতুঃ পুত্রঃ সর্ব্বং পুত্রস্য বৈ পিতা। শরীরাদি দেয়ানি পিতা ত্বেকঃ প্রযচ্ছতি ॥১৮॥

মপা হায়বসিনা মশাগী জাতিগী গোত্রগী সদাচারগী, লমচৎকী মান-মর্য্যাদা পুন্নক অসিবু মরী তম্তুনা ভাক্কে শোগাকে হায়বগীদমক্, মশামকপু মাগী লেয়নবীগী গর্ভদা বীর্য্যগী মশক ওইহুনা থমজখিবনি— হাপ-থিবনি। মতুনি গর্ভাধান হায়রিবসি। পিতা মশামক্তা পুত্র ওইহুনা অমুক্ পোক্নরকপতনি ॥১৪॥ মরম অহুনা মচা কৌবা ঐ অসি ঈপা ঈমা অনীমক্না অমত্তা ওইনা পোরক্পগী মূর্ত্তিনি। অহুনা মচা ঐগী মূর্ত্তি অসি মখোয় অনীগী অপুন্বা মূর্ত্তিনি। "ঐ" হায়বসিবু অউবা মূর্ত্তি পুহুনা থোরকহল্লকপগী অহানবা কারণদি— ঈপা-ঈমা অনীমক্কী অসিগুম্বা তাব অমদি জ্ঞান অসি পুনশিনা করিগী লৈহল্লোক্‌দৌরিবনো? ॥১৫॥ জাতকর্ম অমসুং উপনয়ন (লাইমিং কৌবা, উরিক্ হুগুপ হাংবা) মচিনা সংস্কারগী মতমদা ঈপানা পীরিখবা আশীর্ব্বাদ বরদাননচংবদা, মপা হায়বহুগী গুণ অমদি মান-মর্য্যাদাবু উংননবগী মতীক চারবা চাউরবা প্রমাণ অমনি ॥১৬॥ পোকাপবা, য়োকপী থাবাপবা অহুগা 'বত্তা' ওমৎহনবগী ক দিত্তকদি মপা হায়বা অত্তুনা ওইরিবনি। মহাক্কি পরমধর্ম হায়বহুগী মীৎনা উদা মূর্ত্তিনি। অহুনা মপা হায়বা অহুনা হেক্ পীরিবা য়াথংমখৈ লৈথা তাহন্দবসি অথোইবা ধর্ম অমনি হায়না থন্দুনা ফীগাপ শানা য়াগদবনি। ধর্ম হায়ববু য়াসিন্দনি হায়না বেদদসু হত্রগনি হাংগ্রবনি ॥১৭॥ বাৎসল্যপ্রেম প্রীতি হায়বসি মশক উবা পোৎ নত্তে। অহুবু প্রেম প্রীতি হায়বহুনা পুত্র কৌহন অউবা মূর্ত্তি পুহুনা চংথোরকপনি। অহুনা মপা হায়বসি মচগী থম্ থাংবা, লোইজবুবা মরক্নি। মপা হায়বসিতন মচাদা থরায়, হকচাং, ইন্দ্রিয় শক্তি-নচিংবা হেক্ পীবা পোংমখৈ পীগোকথ্রবনি ॥১৮॥ *

* সনা লুপা কিরোন্নচিব পোচ্চেশিং অসি মরূপ অমনা মরূপ অমদা পীথোক্পা অহুম মত্তম্মি। থরায় হকচাং ইন্দ্রিয়শক্তি-নচিংবদি কনানসু পীথ্র কপা ত্তমদে। মশা মথক্তুনা মশাগী বীর্য্য (শক্তি ইন্দ্রিয়) বু পুথোক্তুনা মাগুহন্দুনা ইন্দ্রিয়শক্তি কাওবা হত্তুনা কান্নিলহন্দুনা মপা হায়বসিনা মশাবু মপা কৌহন্দুনা অমুক শেনরুথিবনি। অহুনা তুম্না বক্সুকরুবদি মপা হায়বসনা মচানক্তু ওইনা অমুক পোক্কননিনা. তুপী হায়বাস খ্বাইগী মমানি। মপুরোংবগীগু অমুকহন্না পোক্কনকাম, হায়বদি অপোকপীনি. মচাগীসু অপোক-পীনি। মপাবু থোইদ্ক উনিত্তবা মচাগু মশানা মশাবু উনিচ্চনবনি। মশা মথক্তগী হকচাং ইন্দ্রিয়শক্তি উ-নাই, লু তোং পুম্বা পীথোক্-লাম্নোক্তুনা মপাবু শেম্নি-শাবিথ্রব। মপা হায়বসিনা অমুক মচাদা মাগী লৈজবা লন্ থুম লৌরী-হংথোল পুম্বা ফংননবা অধিকার পীথোক্লি। অহুনা জ্ঞান-বিজ্ঞান অনীমক্কী দৃষ্টিদা মপাবু য়োক্-থাকুপদি মশাবু য়োক্চবনি। মচাবু য়োক্থাকুপদি মশাবু য়োক্চবনি। (কালাচাঁদ)

তস্মাৎ পিতুর্বচঃ কার্য্যং ন বিচার্য্যং কদাচন। পাতকান্যপি পূয়ন্তে পিতুঃ শাসনকারিণঃ ॥১৯॥
ভোগ্যে ভোজ্যে প্রবচনে সর্ব্বলোকনিদর্শনে। ভর্ত্রা চৈব সমাযোগে সীমন্তোন্নয়নে তথা ॥২০॥
পিতা ধর্মঃ পিতা স্বর্গঃ পিতা হি পরমং তপঃ। পিতরি প্রীতিমাপন্নে সর্ব্বাঃ প্রীয়ন্তি দেবতাঃ ॥২১॥
আশিষস্তা ভজন্ত্যেনং পুরুষং প্রাহ যৎ পিতা। নিষ্কৃতিঃ সর্ব্বপাপনাং পিতা যচ্চাভিনন্দতি ॥২২॥
মুচ্যতে বন্ধনাৎ পুষ্পং ফলং বৃক্ষাৎ প্রমুচ্যতে। ক্লিশ্যন্নপি সুতং স্নেহৈঃ পিতা পুত্রং ন মুঞ্চতি ॥২৩॥
এতৎ বিচিন্তিতং তাবৎ পুত্রস্য পিতৃগৌরবম্। পিতা নাল্পতরং স্থানং চিন্তয়িষ্যামি মাতরম্ ॥২৪॥
যো হ্যয়ং ময়ি সংঘাতো মর্ত্ত্যত্বে পাঞ্চভৌতিকঃ। অস্য মে জননী হেতুঃ পাবকস্য যথারণিঃ ॥২৫॥
মাতা দেহারণিঃ পুংসাং সর্ব্বস্যার্ত্তস্য নিবৃত্তিঃ। মাতৃলাভে সনাথত্বমনাথত্বং বিপর্য্যয়ে ॥২৬॥

মরম অদুনা মপাগী হায়বদু ওাকপা হায়বসি মচাগী তৌদবা য়াংদ্রবা মথৌ অমনি। মাসিদা অদৈ অদু অদা পন্থবা হায়রবনি। খন্নবাও মদুনী লৈত্রবনি। মপাগী হায়বদু ওাক্লবদি মশান তৌখিবা পাপ পুম্নমক অমুম কোক্লবনি ॥১৯॥ মচা হায়বসিগী কিরোল লেৎন-চানবা পুখা লাওবা, বিদ্যা তম্বিবা, তমহনবা, লোক সমাজগী নিয়ম-ব্যবহার, আচার-বিচার পুম্নমক তম্বিবা, অদুদগী হেক্লোক্লুনা গর্ভাধান, পুংসবন (গর্ভাধানগী মতুংদা সম্পর্গনচিংবদা তৌগদবা নিয়ম সংস্কার) পোক্লবা মতুংদা তৌগদবা চূড়াকরণ, অন্নপ্রাশন (চউম্বা), কর্ণবেধ, উপনয়ননচিংবা সংস্কার পুম্নমক অসিগী পাওথোক্পদা মপা হায়বসিতনা থাজেপেংবা মপুনি (মথক্তা ফনা অমপুনা ওাংবিনবা লৈত্রবনি ॥২০॥

ধর্ম হায়রবদু মপানি, স্বর্গ হায়রবদু মপানি, মপা হায়বসিনা অথোইবা তপস্যানি। হায়বদি - তপস্যা তৌদুনা তানবিবা মপা হায়বসিদুতান। মপা হায়বসিনা পেল্লবদা লাই পুম্নমক্কা পেল্লি ॥২১॥ মপানা থীনা চৈবা ওাংবদু মচানা আশীর্ব্বাদ পীবগুম লৌনৈ। মপাগী মক্কমদা পাপকী থবক তৌরবস্ত মপা অদুনা নুংশিবা হাইনা কোন্থি-চুপ্পিবা মতমদা মচাগী পাপ পুম্নমক খুদক্তা কোকই ॥২২॥ লৈনা উশাদগী কেন্দুনা তাথি মহৈনা মশাদগী কেন্দুনা তাথি, অদুবু মচানা নত্তবা কর্ম কয়া তৌরবসু, মচাগী হাক্তুগী অন্না-অনং কনা থাওবরনি। মপা হায়বসিনা করব মচাদুবুতদি থাদোক্পা মওমদ্রে। হায়বদি— মচানা মপা-দগী চেত্তোওায়না তাখিবরনি থক মওমদ্রে ॥২৩॥ মচাগী মক্কমদা মপা হায়বসিগী মহিম (মতীক মওম্) অসি কনা য়াম্না চাউনা লৈবগে হায়বসি অদুগা করিগী অমক য়াম্না লৈবিবনো হায়বদুগী বিচার য়াথবদি থনা মন্তৌরে। তৌরিবা য়াথবা পিচর অসিদগী মপা হায়বসি মচাগী তরাহ তরাইবা চওজফম (আশ্রয়) মদা অমকক্তা নত্তে হায়বসি উপমক্তা থওনরে। ঈমাগী মরমদা অমুক কুপ্ন থম্বফম থোক্লুই ॥২৪॥ ঐ— (আত্মা) না পাঞ্চভৌতিক (পঞ্চভূতনা শাবা) দেহ অমা কংলিবাসগী মুখ্য কারণ (মরু ওইবা মরম) দি ঈমা হায়বসিনি। প্রমাণ অমদা হায়রগা যজ্ঞগী মৈ হৌগৎনবগী— থাগৎনবগী মৈ পুথোক্লনবগী অরণি কাঠ অমগুম্বনি ॥২৫॥ মনা হায়বসি বী পুম্নমক্কী মৈগী মশক ওত্তবা হকচাংনিবু পুথোক্লনবগী যজ্ঞগী মৈ হৌগৎনবা শৃঙ্খলগুম্বনি। সংসারদা অন্নাবা তাবা, অচচ্চতা জীবপানবা পুম্নমক্কা লুংঙাইবা অমদি সুখ-

ন চ শোচতি নাপ্যেনং স্থাবিষ্যমপকর্ষতি। শ্রিয়াহীনোঽপি যো গেহমেতি প্রতিপদ্যতে ॥২৭॥
পুত্রপৌত্রোপপন্নোঽপি জননীং যঃ সমাশ্রিতঃ। অপি বর্ষশতস্যান্তে স দ্বিহায়নবচ্চরেৎ ॥২৮॥
সমর্থং বাসমর্থং বা কৃশং বাপ্য কৃশং তথা। রক্ষত্যেব সুতং মাতা নান্যঃ পোষ্টা বিধানতঃ ॥২৯॥
তদা স বৃদ্ধো ভবতি তদা ভবতি দুঃখিতঃ তদা শূন্যং জগৎ তস্য যদা মাত্রা বিযুজ্যতে ॥৩০॥
নাস্তি মাতৃসমা ছায়া নাস্তি মাতৃসমা গতিঃ। নাস্তি মাতৃসমং ত্রাণং নাস্তি মাতৃসমা প্রিয়া ॥৩১॥
কুক্ষি সংধারণাৎ ধাত্রী জননাজ্জননী স্মৃতা। অঙ্গানাং বর্দ্ধনাদম্বা বীরসূত্বেন বীরসূঃ ॥৩২॥

শান্তি পীনহৈবীদি মমা হায়বী 'সিবতনি। মমা হায়বসিবা হিংহন লৈরিগথ মচা হায়বসিবা মপু পান্‌বা চঙজকম লৈবা অমা ওইনা লৈজে। মমা হেক্ লৈত্তবদা মচা হায়বসি নিপাঞ্জয় (চঙজকম লৈম্লবা— মপু পাম্লবা) ওইনা লৈ ॥২৬॥ মমা হায়বসিনা লৈরিবৈদা মচাগী করিগুম্বা চিন্তা অমত্তা লৈতে। হন্নবক্তপা অহন্ ওইরক্‌পা হায়বহুনা, মমা লৈরিবা মচা অমবু, মঙোল্লোমদা কম্না চিংশিনবা শুমদে। মচানা ঈমুংদা চঙকুনা "ঈমা !" হায়না কৌজরক্‌পদা অতুম ওইবী মমানা "করি না ইবুঙো।" হায়না থুম্মক্‌পত্তদা মচা ওইবগী মংকোংদা ঈমুংহুদা অন্নপূর্ণা কৌবী ফৌওইবী লাইরেম্মনা খুম্বিরক্‌পগুম তায়। মহাক মশামক্তা মমা অহুবু অন্নপূর্ণা কৌবী কম্নাগী নাক্তা চঙশিল্লবগুম থজে ॥২৭॥ মশামক্তী মচা মশূনা পীক্‌মল্লবসু অতুগা মশা-মক্ চহী চামদগী হেন্‌বা অহল হল্লবা ওইরবসু মমাগী মনাক্তা লৈরবদি চহী অনীত্তা ভায়রিবা অঙাংমচাগুম্না লৈ। মমানসু অহল মচাহুবু অতুথৈগী চহী অনীতগী অঙাং নাওরাগুম্না উই। অহল ওইরবা মচা অহুনা মমাগী মকমদা নাউথি শাহুনা, ওইনহুনা অতুথৈগী অঙাংগুম্না অতুম লৈ ॥২৮॥ মচাহনা নোম্লবু নোম্লবসু কংবু কংলবসু, কল্লবসু শোল্লবসু, মনানা অতুম য়োক্‌পী খাকপিবগী মওং অমা মরৈ। মমানা মচাবু অহিং জুংখিল কৃপা শেন্নহুনা ঙাক্‌পি-শেন্‌বিবগুম্না কনা অত্তনসু ভৌবা উক্তা নত্তে ॥ ২৯॥ ঈমা কায়নবা মহাক্ অহুদি কনা নহা ওইহুনসু অহলগুম্না ঈশোন্ শোই। জগৎ অসিগী মনুংদা মাগী কনাসু লৈজবগুম্না মতু ঈশোন শোম্না। মাগী মনীত্তা জগৎ অসি ঈহাউ হাওনা উনমুক্ চক্না লৈ ॥৩০॥ ঈমাগা মান্নবা থংপীওত্তায় পোথ নীওভায় মরুম অমত্তা লৈতে। ঈমাগী মশাইগোন্দা লৈবদা ফবা — জুংঙাইবা অহুপ জুংঙাইবা করিগুম্বা এক্ষমদা লৈতে। ঈমাগা মান্নবা সগায় অমত্তা জগত্ত লৈতে। ঈমাগা মান্নবা কন্‌বি-হৈবা মীওক্ অমত্তা লৈতে। অঙানা পাম্বা জুংশিজবদি— মমা নত্তন করিগুম্বা পোৎশক্ অমত্তা জগৎ অসিদা লৈতে ॥৩১॥

পোক্‌চাম্ থাবুম ভম্বাবু নাউয়োমক্লংদা পুখিরক্‌পনা
ঐগী য়োক্‌চবী—ধাত্রীদি ওত্তৈরি পুন্‌শিচুম্না ঈমানা।
ঐবু মীৎ-নায় পাঙহনখিরক্‌পনা অপোক্‌পীনি ঐগী ঈমানি।
ঐবু চাউনহা শেম্বিরক্‌পনা কম্‌শেন্‌-জুশেম্বী লাইরেম্মনি।
অকনৰ মচা পোকপি হৈবনা অকনৰ পোক্‌পী ঈমানি ॥৩২॥

শিশোঃ শুশ্রূষণাচ্ছুশ্রূর্মাতা দেহমনন্তরম্। চেতনাবান্ নরো হস্মাৎ যস্য নাস্থিরিরংশিরঃ ॥৩৩॥
দম্পত্যোঃ প্রাণসংশেষে যোঽভিসংধিঃ কৃতঃ কিল। তং মাতা চ পিতা চেতি ভূতার্থো মাতরি স্থিতঃ ॥৩৪॥
যাতা জানাতি যদেগাত্রং মাতা জানাতি যস্য সঃ। মাতুর্ভরণমাত্রে প্রীতিঃ স্নেহঃ পিতুঃ প্রজাঃ ॥৩৫॥
পাণিবন্ধং স্বয়ং কৃত্বা সহধর্মমুপেত্য চ। যদা যাস্যন্তি পুরুষাঃ স্ত্রিয়ো নার্হন্তি বাচ্যতাম্ ॥৩৬॥
ভরণাদ্ধি স্ত্রিয়ো ভর্ত্তা পালনাদ্ধি পতিস্তথা। গুণস্যাস্য নিবৃত্তৌ তু ন ভর্ত্তা ন পুনঃ পতিঃ ॥৩৭॥
এবং স্ত্রীনাপরাধ্নোতি নর এবাপরাধ্যতি। ব্যুচ্চরংশ্চ মহাদোষং নর এবাপরাধ্যতি ॥৩৮॥

অত্তাং ওইদুনৈ সেবা তৌবিরকপনা, ঈমানা ঐগী শাগোম্নবীনি।
হক্চাং হকচাংগা নপ্পবী ওইবনা, খ্বাইদগী নক্পবীদি ঐগী ঈমানি।
খোপ্তা বুদ্ধিগী শরুক্ খিত্তং য়াওরিবা, ’হুগুম্বা মীশক্তা মমাদা,
হিংস তৌশম খোক্তে তৌহৈদে, তৌববদি মহাক্ মহাপাপীনি ॥৩৩॥
মশা মম অনীনা হেক্ হেক্ ঊনব মতমদা, অফবা মচা পোক্চগে হায়না
ভগবান্দা অনী চওত্নুনা নীজে, পামজবনি মাসি অনীমক্না।
অহুব্ পামজবা শরুক্ অত্নুদি মমাগী শম্মোযদা লৈবনা হেল্লি।
করম্ জাতি গোত্রগী ঈচানো হায়বত্ন ঈমাতনা খঙ্গিও খঙদে অমনা।
মপা কনাগী মচানো হায়বদো, মমা মহাকৃত্তনা মখঙ্গি।
নাউয়োম ’হু দা হক্চাংদা পুবসি, ঈমা নত্তনা কনানো জগত্তা ? ॥৩৪॥
খোংবন-নীনা মুংশিবিবা হায়বত্ন, মমাগী খম্মোয়তদা লৈবনি।
মপাদি মচাগী মপূ ওইবত্তনি, মনাগুম খোইনা জুংশিবা নত্তে ॥৩৫॥

নি। হায়বসিনা লুগোব মুমিত্তা মহাক্তী লোয়নবী ওইগদোরিবী অত্নুগী মক্ষমদা ধর্ম কায়বা জমচৎ চৎলোই, অধর্ম্মগী খবক তৌরোই হায়না রাশকই। অতঃ নিপা অত্নুনা অত্তেপ্পা মুপী অমদা চৎলুরবদি নত্রগা অত্যাচার তৌরুবদি মাত্নু মহাক্তী লোয়নবী অত্নুগী দোষনা নত্তে ॥৩৬॥

লোয়নবীবু ভরণ-পোষণ তৌই হায়বদগী মপুরোয়ববু ভর্ত্তা কৌই। শাসন তৌই হায়বগীদমক পতি কৌই। হায়রিবা অনীসি তৌত্রবদা নিপাত্নু মুপীত্নুগী ভর্ত্তাশু ওইদ্রে, পতিসু ওইদ্রে ॥৩৭॥ থাংগৈশেংবদি মুপী হায়বীসিগী মরান্দি করিমতা লৈতবনি, লাল্লকপসি নিপানা হান্না হোগল্লি। ব্যভিচারগী থবক অসি নিপানা হান্না তৌই। অত্নুনা মরাল লৈতবসি নিপানি ॥৩৮॥ *

* কনাগুম্বী মমীৎ য়াম্বী, ওক্তবীনা মাবু লুনা থাক্চরিবা নিপা অত্নুগী মথক্তা বিশ্বাসঘাত তৌত্নুনা ব্যভিচারিণী ওই। অত্নুগুম্বা মতমদা, লুহোংবা মুমিত্ত মত্তে-মনাও রাশক্লখি হায়ত্নুনসু নিপা মপুরোয়বা অত্নুনা মহাক্পু হায়গুম্না চেৎনা চান্না মুংশিনা লোয়নরুপা অত্নুনা কোমধররূপা হায়বসি মরোল্লা ভাবনি। অত্নুম

স্ত্রিয়াহি পরমো ভর্ত্তা দৈবতং পরমং স্মৃতম্। তস্যাত্মনা তু সদৃশমাত্মানং পরমং দদৌ ॥৩৯॥
নাপরাধোঽস্তি নারীণাং নর এবাপরাধ্যতি। সর্ব্বকার্য্যাপরাধ্যত্বান্নাপরাধ্যন্তি চাঙ্গনাঃ ॥৪০॥
যশ্চ নোক্তোঽপি নির্দ্দেশঃ স্ত্রিয়া মৈথুন তৃপ্তয়ে। তস্য স্মারয়তো ব্যক্তমধর্ম্মো নাস্তি সংশয়ঃ ॥৪১॥
এবং নারীং মাতরং চ গৌরবে চাধিকে স্থিতাম্। অবধ্যাং তু বিজানীয়ুঃ পশবোঽপ্য বিচক্ষণাঃ ॥৪২॥
দেবতানাং সমবায় মেকস্থং পিতরং বিদুঃ। মর্ত্ত্যানাং দেবতানাং চ স্নেহাদভ্যেতি মাতরম্ ॥৪৩॥

মপুরোয়বা হায়রবসি মুপীগীদি ওস্তোক্লা ঈকায়-থুম্নকম ঈরাংনফম্লি। মুপী হায়রবসিগী মফমদা থ্বা দগী চাত্তবা দেবতা খ্বাইদগী হেন্না নীনফম ইষ্টদেবদি মপুরোয়বা হায়রবসিনি। ঐগী ঈমানা মশামক্ পীথোক্‌-উরিবা নিপাক্ ঐগী ঈপাগা হকচাংদা, মতুংদা ফিজং-লৈতেংদা চপ্ মান্নে করিনত্তু থেম্নদে ॥৩৯॥ অসিগুম্বা মতাংদা মুপীগী দোষ করিস্ত্তা লৈতে, নিপাত্তগী দোষনি। নিপাতনা লানবনি। মুপী হায়রবসি মশানা অবলা হায়রবত্থু ওইবনা অসিগুম্বা ঘটনা লাকপদা মুপীগী মরাল অসি ভাকিংফম থাকই। অদুনা মুপীদি মশানা পরাধীন ওইদুনা অদুম লৈবনিন, মাগী মপুনশি অসিদা মরাল শুকপৈ লৈত্রবনি হায়রবসি হায়বা য়াদে ॥৪০॥ শম্ন-খোংনবগী ওহাক্ পুত্তাইবত্থু পাম্মুবগী মুপী অনানা হান্না নিপা অমগী মফমদা ইঙ্গিত ঈতৌ তৌরক্তনা, মুপী অদদা নিপা অদুনা খুদক্তা পাম্মুংশি পোক্তনবগী করিগুম্বা কর্ম্ম থমা তৌরক্লবা, নত্রগা অত্যাচার তৌকুরবা, অদু ওইয়রবদি মুপী অদুগী ধর্ম্ম কাংদনা লৈতে। অদুগা নিপাদুদি অধর্ম্মীনি। মাসিদা করিমতা চিংনমীঙডায় লৈত্রবনি ॥৪১॥ অদুগা ঈপাদি চপীনি অদলানি, অদুগী মথক্তা ঐগীদি গুরুনি। পূজা তৌননীঙভায়নি, অদুগা ঈপাদগীস্থু ঈমানা গুরু ওইবা হল্লি। ঈপাগী গৌরবত্তগী ঈমাগী গৌরবনা হেল্লি। পশুলবা শা ফাওবা মমাবু হা টৈদবনি হায়রবসি খঙ্ঙি। অদুগা ঐনি তাইবং মী অমা ওইরগা অসিগুম্বা হিংসাসি করম্না তৌগনি? ॥৪২॥ ঈপা হায়রবসি ব্রহ্মা বিষ্ণু শিবা দেবতা পুম্নমক্লা পুল্লপ্ পুন্না লৈবগী মূর্ত্তি অমনি হায়না জ্ঞানীশিংনা হায়। অদুবু মমা হায়রবসগী হকচাংমুংদদি মী, জাত পুম্নমক্লা পুংপু তিমদুনা লৈরিবনি। অদুমক্তন ঈপাগী গৌরব (হকপা—লুম্বা) দগীস্থু, ঈমাগী গৌরবনা হাম্না হেল্লি ॥৪৩॥

তৌরবদি রাশকৃথিবত্থু কায়বগী দোষ লৈতে। মুপী অদুনা অদুগুম্বা অমোংপা লমচৎ অদু চংলবা ফাও-বদা নিপাদুনা মুপীদুবু অদুম তুংশিনা মতৌবিরবদি সমাজগী মীৎয়েংদা নিপাগী লমচত্তদুম অকাইবা অমা লাকই। অদুনা লুহোংবা মুমিৎকী রাশরুবসি, পুরে হিতকী মচৌনগী ওইরবস্থ মুপীদুস্থ রাগফহন্‌বনা চুম্মি। অদু ওইরবাদ কনানা হান্না অপরাধী ওইরকপগে কায়বত্থু মদেক্ লান উ়নি। মুপীনা ব্যভি-চারিণী ওইরবা ফাওবদা নিপাদি মতোন্দা লান্‌বা ইরা য়াদে হায়রবদি মন্ত্র যন্ত্র থীদনা যজ্ঞ তৌদুনা লুহোংলুবগীস্থ থোইনা কান্নবা লৈতে। মুপীদুনা ব্যভিচারিণী ওইত্রিরৈদা তৌখবা রাশক্লি। অদুন ব্যভি-চারিণী ওইবা মতুংদস্থ রাশক অদুম্মক ভাকদবনি হায়রবদি ইচা বর্ণশঙ্কর পোকপনচিংবগী দোষ অসিগী দায়িত্বদি শাস্ত্রনা পুবা তাল্লি। (কালাচাঁদ)

এবং বিমৃশতস্তস্য চিরকারিতয়া বহু । দীর্ঘকালো ব্যতিক্রান্তস্ততোঽস্যাভ্যাগমৎ পিতা ॥৪৪॥
মেধাতিথির্মহাপ্রাজ্ঞো গৌতমস্তপসি স্থিতঃ । বিমৃশ্য তেন কালেন পত্ন্যাঃ সংস্থাব্যতিক্রমং ॥৪৫॥
সোঽব্রবীৎ ভৃশসংতপ্তো দুঃখেনাশ্রূণি বর্ত্তয়ন্ । শ্রুতধৈর্য্যপ্রসাদেন পশ্চাত্তাপমুপাগতঃ ॥৪৬॥
আশ্রমং মম সংপ্রাপ্তস্ত্রিলোকেশঃ পুরন্দরঃ । অতিথিব্রতমাস্থায় ব্রাহ্মণং রূপমাস্থিতঃ ॥৪৭॥
স ময়া সান্ত্বিতো বাগভিঃ স্বাগতেনাভিপূজিতঃ । অর্ঘ্যং পাদ্যং যথান্যায়ং ময়া চ প্রতিপাদিতঃ ॥৪৮॥
এতাবানস্মি চেত্যুক্তঃ প্রণয়িষ্যতি তেন চ । অত্র চাকুশলে জাতে স্ত্রিয়া নাস্তি ব্যতিক্রমঃ ॥৪৯॥
এবং ন স্ত্রী ন চৈবাহং নাধ্বগো ত্রিদশেশ্বরঃ । অপরাধ্যতি ধর্মস্য প্রমাদস্ত্বপরাধ্যতি ॥৫০॥
ঈর্ষ্যাজং ব্যসনং প্রাহুস্তেন চৈবোর্দ্ধরেতসঃ । ঈর্ষ্যয়া ত্বহমাক্ষিপ্তো মগ্নো দুষ্কৃতসাগরে ॥৫১॥

কুন্না মতম চঙনা বিচার তৌগনবা. মমিংমকপু চিরকারী (য়াম্না মতম চঙনা থবক্ তৌগনবা) কোৱা অসিন মতৌ অসুম্না অক অকপু পুম্নমক্ মকং হুন্জনা থম্লুনা লৈদি বিচারদা মগী মতম য়াম্না তোত্রে। অসুম্না মতুন লৈরিবৈদা মপা অদু চঙলকই ॥৪॥ তপস্যদা পুরু চঙলবা, মংজ্ঞানী ওইবা মেধাতিথি— গৌতম অসি মাগী লোয়নবী কনীবু হাত্পু হায়বা তৌনত্রব য়াদং অদু মচামক্তদা পীস্বগী পুতাপমন্থত্র-হুনা নীত মরবগী মৈনা থম্মায় চাক্না চক্না মমুমদ হল্লকহ, অরা মুঙ্ইবগী মপী নরী মরীনা মীংলূনগী শিল্লকই। মেধাতিথিগী অমসি শাস্ত্রগী জ্ঞান-শান্তাক্না মশাগী মশাবু থেমজিল্লারে। খুংজাইমনখিত্রনা অসুম্না মপূক্রীদা মওল মদল থল্লকই ॥৪৫ ৪৬॥ অসি, ত্রিলোকপতি! মরোল অহুংগী নিংথৌ ইন্দ্রনা ব্রাহ্মণ ওইদুনা ঐগী আশ্রমদ লাকখি গৃহস্থ আশ্রমদা লৈবগী হোংবী বিধিগী মতুংইন্না, নীথিজবা রাইহৈ-নাও ঙনা মাঙওইনা মতৌন্দা অতিথি সৎকার — অতিথি সেবা তৌখি। অর্ঘ্য, পাদ্য চিংবা পূজাগী সামগ্রী পুম্নমক্না ঐনা মাগী পূজা তৌখি ॥৪৭—৪৮॥

ঐনা মতৌন্দা অসুম্না হায়রখি,— ভগবন্! ঐ নংগী নথা পোনবনি। ব্রাহ্মণনা ঐগী য়ুমদা লোত-নাবিরুকপসিদা ঐ ওসি অরাং-অশা লৈতবা মপু পানবা হায়রক্ত ওইজরবনি। ঐনা মতৌন্দা অসুম্না নীত-খিবা রাইহৈনা তরাম্ তরাম্ ওকচবহুনা মান ঐতৌন্দা য়াম্না পেন বরমগনি হায়না থল্লম্মি। অদুবু মহাক ওইরবা কামলোভী ওইরবা মহাক্না মহাপাপকী থবক অসি তৌরম্লে। মসিদা ঐগী কনীগী লোয় কন্নিশ্বা লৈতখিগবনি ॥৪৯॥ ঐগীসু লোয় লৈতে. মাগীসু লায় লৈতে। মাসিগী লোয়দা অপরাধী পাপী ওইরিবদি অতিথি ব্রাহ্মণ শাপিগ্রহনা লকপা ইন্দ্র মহাক্তনি মগা ভিংসা অমসি মহা থবক্ ওইবা. মুপী হাৎপা হায়বা পাপ তৌবনব. ঐগী পুক্নীংদা অরানবা য়াথল অমা লোকত্রিরসিগী মকদি পাপী ইন্দ্র মহাক্নি ॥৫০॥ ঊর্দ্ধরেতা ওইরবা মুনিবা, হায়রবনি— মথরোমনা কামশরকপা ঈ (ঈর্ষা) গী শরক্না মথক্রোমদা দুঃখপং-থবা অওওবা যেগীমু কমকপা থম্মনবগী অরাব ঈ পাক্না ওই অদুগুম্বা কমকপগী ঈপাক্না ঐসু ওসি ডায়রে ॥৫১॥ ঐগী পুনশিনিমগী লোয়নবীগী মওংদা ঐনা মহাকপু ঐগী য়ুমদা পুশিন্দুনা থমখি। মহাক অদু স্নায়বা মতৌনি হায়না থওত্তুনা য়ুমগী থবক-থনা পূর্বা মতৌন্দা শিন্নখি। অদুগা মহাকপু য়ুম অসিগী

হৃত্বা সাধ্বীং চ নারীং চ ব্যসনিত্বাচ্চ বাসিতাম্। ভর্ত্তবাত্বেন ভর্য্যাং চ কো নু মাং তারয়িষ্যতি ॥৫২॥

অন্তরেণ ময়াজ্ঞপ্তশ্চিরকারীহ্যুদারধীঃ। যত্ত্যস্য চিরকারীস্যাৎ স মাং ত্রায়েত পাতকাৎ ॥৫৩॥

চিরকারিক ভদ্রং তে ভদ্রং তে চিরকারিক। যদ্যদ্য চিরকারী ত্বং ততোঽসি চিরকারিকঃ ॥৫৪॥

ত্রাহি মাং মাতরং চৈব তপো যচ্চার্জ্জিতং ময়া। আত্মানং পাতকেভ্যশ্চ ভবাদ্য চিরকারিকঃ ॥৫৫॥

সহজং চিরকারিত্বমতি প্রজ্ঞতয়া তব। সফলং তৎ তথা তেঽস্তু ভবাদ্য চিরকারিকঃ ॥৫৬॥

চিরমাশংসিতো মাত্রা চিরং গর্ব্ভেণ ধারিতঃ। সফলং চিরকারিত্বং কুরু ত্বং চিরকারিক ॥৫৭॥

চিরায়তে চ সন্তাপাচ্চিরং স্বপিতি বারিতঃ। আবয়োশ্চিরসন্তাপাদবেক্ষ্য চিরকারিকঃ ॥৫৮॥

এবং স দুঃখিতো রাজন্ মহর্ষি গৌতমস্তদা। চিরকারিং দদর্শাথ স্থিতং পুত্রমথান্তিকে ॥৫৯॥

মবেশ্না লক্ষ্মী ওইতুনা মমগী শোং কৈ পৃম্মমক্কী অধিকারিনী ওইরম্নীনি। অদুগুম্বী সতীবু এনা কবিস্ত লৈতনা কল্লবা থম্মনবা হায়বদুগী মথা পোনখিতুনা হাক্কে কৃহনব্রে। তৌঞ্জিক ঐবু মহাপাপ সমুদ্র সিদগী কনানা লন্ধার তৌবনি ॥ঃ২॥ পুকচেল চাউরব, রাখল চাউরবা ঈচা চিরকারীদা মমাবু লাইথোকউ হায়না য়াম্বং পীরবনি। মমিং চিরকারী কৌবগী অর্থ অদু ঈকায় কাযদনা মুম্না কুইনা রাথল তৌরগা থবক তৌবম্নবতদা মহাক্কনা ঐবু পাপ-ঈপক্ অসিদগী লাম্থোকপিবা ঙমগনি ॥৫৩॥ ঈপাগী চিরকারী। নংগী মঙ্গল ওইসনু, নংনা ঙস চিরকারীনিক্ ওইহনা কুনা থম্মগ, মামগী মতুং ম লক তৌবম্নবতদা নামতু মহৈ য়ানগনি ॥৫৪॥ ঈপাগী ঈযুঙে চিরকারী। নংনা থকৈশংবা চিরকারী হায়বদুক্ ওহনা নমাবু, অদুগা ঐনা কুন তৌরকপা তপস্যাগী মহৈশিং অদুবু নংনা কনবা ওইসনু। অদুগা নহাকপু মাতৃহত্যাগী মহাপাপকী থবক অদু তৌরমদবা ওইসনু। পাপ অদুদগী নশানা নশাবু কল্লম্বা ওইয়ু ॥৫৫॥ য়াম্না বুদ্ধি-মান্ ওইবন নশাশনা লৈকোন্ডদগী চিরকারীতাগী গুণ অমা য়াওরকপদা ঙসি মহৈ ফংলম্না ওইয়সনু। নং থাজৈশেংবা থবক্কুম চিরকারী ওইয়ু ॥৫৬॥ অদুগা নংগী নমানা নংবু নাওবুদুনা থা তরা চুপ্পা মতম কুইনা নংবু মচাগুম ফংজগদবগী আশা তৌদুনা, নশক উগদবগী মতম কুইনা ডাইদুনা লৈখিবনি। মহাক্কা মহাকপু মতম কুইনা গর্ভ পুখিবনি। অদুনা মতম কুইনা থম্মগ থবক তৌগনবা। নং ঙসি নমাগী মথাম্ন কল্লমদুনা থাজৈশে বমক চিরকারী হায়বদু ওইরম্বা ওইসনু ॥৫৭॥ ঐগী ঈচ চিরকারী হায়বসিনি অরাবা থৃদোংখীবা তারবা কাওবদা মগী য়াম্না কুইন থম্মগা চনীংতানা থবক তৌবগী স্বভাব অদু ঈথা থাদবনি। কুইনা তুমগঙ্গ হয়েনা থিজবা ফাওবদা ম থল থম্মা থম্না হীপ্তুনা তুমদুনা অতুম মহৈ। ঙসিদি মম্না মপা ওইবা ঐথোয় অনীগী কুপনা রাপ্পনা স্বংঙাইতনা চাক্তুনা লৈগদবদু উবদ মহাক শোয়দনা মতম কুইনা রাথল তৌদুনা, অমসু অমসু কায়দনবা, দোষ পাপ করিমত্তা লৈতমবা তৌরমখিগনি ॥৫৮॥

নিংথৌ যুধিষ্ঠির। মতৌ অসুম্না মহর্ষি গৌতম অসি মপুক্কীংদা মথম্না শোক শোক্কদুনা স্বংঙাইতবা চিংনম্না লোয়ননা লাকুনা ময়ুমদা হেক য়ৌরকপদা মনাকদা লেপ্লদা মচা চিরকারীনা চপ-লেপ্পুনা লৈবদু উই ॥৫৯॥

চিরকারী তু পিতরং দৃষ্ট্বা পরমদুঃখিতঃ। শস্ত্রং ত্যক্ত্বা ততো মূর্ধ্না প্রসাদায়োপচক্রমে ॥৬০॥
গৌতমস্তং ততো দৃষ্ট্বা শিরসা পতিতং ভুবি। পত্নীং চৈব নিরাকারাং পরামভ্যাগমন্মুদম্ ॥৬১॥
ন হি সা তেন সম্ভেদং পত্নী নীতা মহাত্মনা। বিজনে চাশ্রমস্থেন পুত্রশ্চাপি সমাহিতঃ ॥৬২॥
হন্যা ইতি সমাদেশঃ শস্ত্রপাণৌ সুতে স্থিতে। বিনীতে প্রসবত্যর্থে বিবাসে চাত্মকর্মসু ॥৬৩॥
বুদ্ধিশ্চাসীৎ সুতং দৃষ্ট্বা পিতুশ্চরণয়োর্নতম্। শস্ত্রগ্রহণচাপল্যং স বৃণোতি ভয়াদিতি ॥৬৪॥
ততঃ পিত্রা চিরং স্তুত্বা চিরং চাঘ্রায় মূর্দ্ধনি। চিরং দোর্ভ্যাং পরিষ্বজ্য চিরং জীবেত্যুদাহৃতঃ ॥৬৫॥
এবং স গৌতমঃ পুত্রং প্রীতিহর্ষগুণৈর্যুতঃ। অভিনন্দ্য মহাপ্রাজ্ঞ ইদং বচনমব্রবীৎ ॥৬৬॥
চিরকারিক ভদ্রং তে চিরকারী চিরং ভব। চিরায় যদি তে সৌম্য চিরমস্মি ন দুঃখিতঃ ॥৬৭॥
গাথাশ্চাপ্যব্রবীৎ বিদ্বান্ গৌতমো মুনিসত্তমঃ। চিরকারিষু ধীরেষু গুণোদ্দেশসমাশ্রয়াঃ ॥৬৮॥

মপানা লাকপগু উবদা চিরকারী অসি মুংঙাইরবা, অকিনগা য়াম্নরুনা লৈ। মখুত্তা পায়রিবা থাঙ অদু লংথোক্লুনা মপা মহর্ষিগী চরণ অনীদা মকোক নাম্লুনা মপানা শাউদনবগী দমক 'ঐ লাক্লে' হায়রুনা হায়জগে হায়বগী মওংদা থুরম্মি ॥৬০॥

চিরবা বন অমুদা অশ্রম অমুগী মমাংদা লৈরিবা পুকচেল চাউরবা গৌতমনা মাগী লোয়নবী সতী অদুবু অদুগা মচা চিরকারীবু করিমত্তা মকেংদগী লাপচনখিদে ॥৬২॥ করিগুম্বা তৌদবা য়াদবা কর্ম অমগী দমক নত্রগা জপ ধ্যানগী দমক মহর্ষি গৌতমনা থরা লপ্পা চংশ্রবম্ম মচা চিরকারীনা মখুত্তা থুংলায় পায়রুনা মমাগী মনাক্তা লেপ্লুনা লৈরম্মু মমাবু ভাক-শেয়নবগী দমক্তা মহাক্ত য়াম্না নেমুক্তা কুইনা য়াথল তৌরুনা হেক্ হেক্ লে। মমাবু হাংদনবগীদমক্তা মপানা পীখিবা য়াথং অদু মহাক্তা ভাকপা ঙমখিদ্রে ॥৬৪॥

মচানা মকোক লোম্লুনা থাঙদা তুমুনা লৈবদু উবদা থাঙ পায়রবা— থাঙ থাজংপা ঙমদনুনা হায়রবা কিয়মুনা লেয়মাক্লে হায়না গৌতম ঋষিনা খন্খি ॥৬ ॥ মপানা মতম কুইনা মহাকপু থাগৎনুনা, য়ামনা কুইনা মকোক্তা নান্থিরনা, নমমুনা, মপাগোম অনীনা কেন্থংনুনা কইনা কোনশিন্দুনা লমখি। মচাদা আশীর্ব্বাদ তৌরগ — "জীবুত্তে! চিরকারী! চিরংজীবী ওইয়ু— মতম কুইনা পুনশিয়ু।" অসুম্না হায়খি ॥৬ ॥ মতৌ অসুম্না মপুক্রীং মপুক্রাংদা হরাওবা নুংঙাইবা অমগা মাগাবু তুংশিনা অনীসিনা খল্লবা খম্মোয় শোক্না মহর্ষি গৌতমনা মচা চিরকারীবু অসুম্না অমুক্ হায়খি ॥৬৬॥ 'ঈপোগী ঈবুঙো! মঙ্গল ওইয়ু, পুনশিয়ু। চিরকারী ওইবগুম চিরঞ্জীবীসু ওইয়ু। তপথহৈবা! অঙ্গবা! তঙ্গা তহানব। নহাক্তা মতম কুইনা য়াথল বিচার তৌরগা থবক তৌগন্বা ওইনা ওইনা, মতম কুইনা পুনশিনুনা লৈরিবদুগীমথৈ ঐসু মতম কুইনা অয়াবা নুংঙাইরবা য়াওদনা হিংনুনা লৈবা হায়বদি— পুনশি লেনবা ওইজগে ॥৬৭॥

অদুগী মতুংদা বিদ্বান্ ওইরবা মহর্ষি— মুনি অথোইবা ওইরবা গৌতমনা শৈরেং থয়দং অসুম্না শকখি। মতম চঙনা য়াথল বিচার তৌরগা থবক্ তৌগন্বা মীশিংগী গুণশিংদুগা মরী লৈনবা, হায়বদি— গুণশিংদুগী মরমদা শক্লাথবদু মওং অসিদনি :— ॥৬৮॥

চিরেণ মিত্রং বধ্নীয়াচ্চিরেণ চ কৃতং ত্যজেৎ। চিরেণ হি কৃতং মিত্রং ধারণমর্হতি ॥৬৯॥
রাগে দর্পে চ মানে চ দ্রোহে পাপে চ কর্ম্মণি। অপ্রিয়ে চৈব কর্ত্তব্যে চিরকারী প্রশস্যতে ॥৭০॥
বন্ধূনাং সুহৃদাং চৈব ভৃত্যানাং স্ত্রীজনস্য চ। অব্যক্তেষ্বপরাধেষু চিরকারী প্রশস্যতে ॥৭১॥
এবং স গৌতমস্তত্র প্রীতঃ পুত্রস্য ভারত। কর্মণা তেন কৌরব্য চিরকারিতয়া তথা ॥৭২॥
এবং সর্ব্বেষু কার্য্যেষু বিমৃশ্য পুরুষস্ততঃ। চিরেণ নিশ্চয়ং কৃত্বা চিরং ন পরিতপ্যতে ॥৭৩॥
চিরং ধারয়তে রোষং চিরং কর্ম্ম নিযচ্ছতি। পশ্চাত্তাপকরং কর্ম্ম ন কিঞ্চিদুপপদ্যতে ॥৭৪॥
চিরং বৃদ্ধানুপাসীত চিরমন্বাস্য পূজয়েৎ। চিরং ধর্ম্মান্ নিষেবেত কুর্য্যাচ্চান্বেষণং চিরম্ ॥৭৫॥

মতম চঙনা রাখপ তৌরগা, কুইনা চায় য়েংথোক্লগ
পুনশিগী থাবলোয় থিগনি, অশেংবা মরূপ ওইগনি।
মরূপতুবু কানেবা তারবদা, কুইনা খল্লগা কায়ননি।
কায়নদবা রাখিত্রবা মতাং ফাওবদা, কুইনা তায়না থনখিনি।
কুইনা খল্লগা শামখিবা মরূপ্তি, কায়গনদে কুইনা লৈগনি।
কুইনা খল্লগা থবক তৌগনি, কুইনা খল্লগা থবক থাগনি।
শাউরমদাত নাপঙ তৌরমদ্রই, পপেকী থবক তৌরমদাই,
অমদা কত্তব তৌরমদাই কুইনা খল্লগা তৌরিবত্তবু থাগথনৈ ৬৯॥

কনাগুম্বা অমগী মরমদা শাউরগে. মীবু চৈবগে হায়না খল্লরুপা মতমদা, পাক শাউবা কত্তে রাখল তৌদনা হেক্ হেক্ চৈবগু কত্তে। রাম্না কুইনা খল্লগা শাউকম তোক্লপা শাউগনি, চৈকম থোক্লগদু—চৈগনি। তৌগে খল্লিবা থবক অত্তু পাপকী থবক ওইরবদি মাহুনা য়েন্না অমুক কুইনা কুইনা খল্লগা তৌগনি। অপুন্না তৌরিবা মী মহাক অত্তবু পাপকী থবক তৌবা ফাওবদা মরাম্না থাগৎনগনি। অকনবা অকবা থবক তৌরমদাইদগীসু কত্তুবা থবক তৌরমদাইদনা য়েন্না কুইদ খল্লগা তৌগদবনি ॥৭০॥

মরূপশিংগী মনাই-মশাশিংগী অমুগা মুপী নুপাশিংগী লোন্না খুপ্ন তৌখিবা মরালবু রাম্না মতম চঙনা বিচার তৌরগ চুমত্রা চুমত্রা হায়বত্তু চনীংতানা খল্লগা য়োনবী থবক মথা তৌবা অশিংবা অত্তব মী পুন্নমক্লা, জ্ঞ ওনা থাগংনৈ ॥৭১॥ ভরত শাপেন্না পোক্পা ! কুরু বংশগী কুত্তাইনকম ওইবা নিংথৌ ; মচা চিরকারীনা রাম্না মতম চঙনা চনীং তনা থবক তৌরগদু উবনা মপা মহর্ষি গৌতম অসি ওন্থোক্লা পেন্নখি হুরাগথি ॥৭২॥ থবক পুম্বদা মতৌ অসুম্না রাম্না কুইনা বিচার তৌরগা থবক মথা তৌথব অহুগুম্বা মীতনা কুপনা মীওবগৎহৌদবা হায়বা মৈচাক অত্তু থক্ কংদে ॥৭৩॥ অশাউববু মতম কুইনা নমথতুন থম্মোয়গ্লদা থবক ওম্বা অত্তুপ শাউনা তৌখিবা থবকপু লোইদনা থিত্তুনা মতম কুইনা লৈবা ওম্বা, লৈবা লৈথো মী অত্তুনা কারিগুম্বা তুপনা নীওচমকপ ওইদবা থবক অমতা তৌদে ॥৭৪॥ অহল-লমন লাই-গুরুশী সেবা মতম কুইনা তৌহুনা লৈগদবনি। মতম কুইনা লাই গুরুগী সজবু অহুপা সেবা পূজাবু তৌহুনা [illegible] লৈগদবনি।

চিরমধ্যাস্য বিদুষশ্চিরং শিষ্টান্ নিষেব্য চ। চিরং বিনীয় চাত্মানং চিরং যাত্যনবজ্ঞতাম্ ॥৭৬॥

ব্রুবতশ্চ পরস্যাপি বাক্যং ধর্ম্মোপসংহিতম্। চিরং পৃষ্টোঽপি চ ব্রূয়াচ্চিরং ন পরিতপ্যতে ॥৭৭॥

উপাস্য বহুলাস্তস্মিন্নাশ্রমে সুমহাতপাঃ। সমাঃ স্বর্গং গতো বিপ্রঃ পুত্রেণ সহিতস্তদা ॥৭৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি

চিরকারিকোপাখ্যানে একষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬১॥

——:(※):——

মতম কুইনা ধর্মগী সেবন তৌহুনা লৈগদবান অদুগা ধর্মগী তত্ত্ববু থিহুনা লৈগদৌবনি ॥৭৫॥ মতম কুইনা জ্ঞানী ওইবা বিদ্বান্ পাণ্ডিতশিংগী সেবান পূর্নীং চঙহুনা লৈগদবনি। মতম জ্ঞানী ওইবশিংগী সেবা তৌনা তৌনা মতম কুইনা পূর্নীংবু লাক্শিন্ কাঙ্গিন্দুনা লৈগদৌবনি। অদুম তৌরবদি মীনা উশিৎপিদবদি লায়বু লায়হুনা অহোরনদ্রুম্ ঙৈকায় পুম্নবক্রুম ফংঙি ॥৭৬॥

ধর্মগী মরমদা হায়রিবা, পাউত্তাক পীরিবা কনাগুম্বা অমগী মফমদা কয়িগুম্বা রাহং অমা লাক্লবদি মাহু পাউত্তাক্ পীরিনা মী মফাক অদুনা রায়না কুইনা বিচার তৌরগা পাউখুম পীগদৌবনি। অদুম তৌর-বনি মতুংদা নীংঙমতৌদবগী হুংডাইতবগী মৈচাক্তো অমুক লাক্রবোই ॥৭৭॥

মহা তপস্বী ব্রহ্মর্ষি গৌতম অসি মতম কুইনা পুন্শিহুনা আশ্রম অদুদা লৈরম্লগা, মচা চিরকারীগা লোয়ননা নোঙ্গাখি ॥৭৮॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতকী লাখ অমগী সংহিতা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বগী চিরকারিকোপাখ্যানগী অধ্যায় লোইরে ॥২৬১॥

——※——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(দ্যুমৎসেনগা সত্যবানগা অনীনা ওাওনবা মতাং)

চনীহুমফুনীথোইশুবা অধ্যায়।

— —:():— —

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং রাজা প্রজা রক্ষেন্ন চ কিঞ্চিৎ প্রহিংসতি। পৃচ্ছামি ত্বাং সতাংশ্রেষ্ঠ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। দ্যুমৎসেনস্য সম্বাদং রাজ্ঞা সত্যবতা সহ ॥২॥

অব্যাহৃতং ব্যাজহার সত্যবানিতি ন শ্রুতম্। বধায়োপনীয়মানেষু পিতুরেবানুশাসনাৎ ॥৩॥

অধর্মতাং যাতি ধর্মো যাত্যধর্মশ্চ ধর্মতাম্। বধো নাম ভবেদ্ধর্মো নৈতদ্ভবিতুমর্হতি ॥৪॥

দ্যুমৎসেন উবাচ।

অথ চেদবধো ধর্মো ধর্মঃ কো জাতু চিদ্ভবেৎ। দস্যবশ্চেন্ন হন্যেরন্ সত্যবান্ সংকরো ভবেৎ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংখি— নিপা'রজগী অথোইবা ঈবুধো। ঐ 'সিনতং হংজগে নিংথৌ মথন্তনা প্রজা মীয়াম্বু করম চায়না শাসন তৌদুনা ঙাকদৌরিবনো? করাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মকমদা হিংসাগী শরক করিমত্তা য়াওদনা— লৈহন্দন প্রজাশিংবু ঙাকপা, য়োকপা য়ারক য়াতেম্বা'স য়ামনব উতাক অহু তাক- পিয়ু— পীনবিয় ॥১॥ ভীষ্মনা হায়, যুধিষ্ঠির! নহাক্না হংলিবা বিষয়'সিগুম্বদা ইতিহাসকী কুইশ্রবা দ্যুমৎসেন্ সত্যবান্গা অনীনবা রাজাগী মতাং অহু থুদম ওইনা তেক্ হেক্ কীনৈ ॥২॥ অহুম্বা পীনবসে ঐথোয়স্থ তায়। মাংনি— নোমা মপাগী য়াথংদা, মরাল লৈরবা মীয়ামগী মহাক অমা প্রাণদণ্ড ফংল- হুনা তাদান্ মথক্তা হীপক্তুনা চাংকদবগী পুহনা চৎপহু সত্যবান্না ঙাক্লে। মা উন্দা সত্যবান্না মপা দ্যুমৎসেনগী মনাক্তা চংথকুনা হ'ংখিবা হায় মমাংতৈদা ওনা অমক্তনবু হাংলাখ্রে ॥৩॥ কারি হায়না হায়- কখবে হায়বদু— পাবু মহারাজ! মথক্তা হংবাগি ধর্মগী মরবুদ ইং, অধর্মদু ওইবা। ওহুগ অধর্ম ওইবা থবক করম্ মরোদা ধর্ম ওন্না ওই চঙ্গবাসতুম্বা? মাস চুম্বহু জীবনান্দ হাংপা হায়বা অধর্ম অসিনা করিগুম্বা মতমদা ধর্মগী মশক লৌরকপভদি মরৈত্ত্র। জীব-হিংসা হায়বা অধর্মসিনা করম হায়না ধর্মগী মশক লৌরকদৌ য়বনে? মাসি কৈদৌঙৈদহু ওইথোক্তবনি ॥৪॥ দ্যুমৎসেননা হায়,— ঈবুঙো

যদেদমিতি নাস্তৈতৎ প্রবর্ত্তেত কলৌ যুগে। লোকযাত্রা ন চৈব ন স্যাদথ চেৎ বেত্থ শংসমঃ ॥৬॥

সত্যবানুবাচ।

সর্ব্ব এতে ত্রয়ো বর্ণাঃ পার্থ্যা ব্রাহ্মণ বন্ধনাঃ। ধর্ম্ম পাশনিবদ্ধানামল্পোঽন্যোবং চরিষ্যতি ॥৭॥

যো যস্তেষ্বপচারেৎ তমাচক্ষীত বৈ দ্বিজঃ। অয়ং মেন শৃণোতীতি তস্মিন্ রাজা প্রধারয়েৎ ॥৮॥

তত্ত্বভেদেন যচ্ছাস্ত্রং তৎ কার্য্যং নান্যথাবিধম্। অসমীক্ষ্যৈব কর্ম্মাণি নীতিশাস্ত্রং যথাবিধি ॥৯॥

সত্যবান্! মরাল কৈদা মীনু চাত্তবনা ধর্ম ওৎবেবদি অধর্ম্ম হায়নচুদি করায়না লৈ? অচুগা করিবু অধর্ম কৌবা তরে? অদোমবা অধর্ম্ম ওইবা মাওঙনুবদি বর্ণসঙ্করমক্তা পোক্লকনি। বর্ণশঙ্করতাক্ত মথং মথং শন্দোরক্কনি ॥৫। * অচুপ জ্ঞানী ওইবা মীনা তৌগদবনি, ধর্মগী কুপ্পৰ ঙম্বু বেদশাস্ত্রগী প্রমাণনা কুপ্পা নৈনবা শমলি থিবা তাকনি। অচচত্ত জীবপানবা পুন্নমক্কী তোঙান তোঙানবা ধর্মগী বিধান তৌরকপা মতমদা অহিংসা-ওইনা অথোইবা মচাকনি হায়ন লৌনৈ। চয়া হেন্দুনা কল্লবা নিয়মবু তাক-দবনি। বেদগী মল্লদা মহৈ (ফল) ফংলবা তাক্লিবা ক্রতিনত্র পুন্নমক্কু থাদোক্কদবনি। হায়বদি—মহৈ ফংনবা তৌবা কাম্যকর্ম পুন্না থাদোক্কবনি। সকামকর্ম বর্মনথৈ অনাচারগী থবক্ত হায়না কল্লোক্কদবনি। অনাচারী ওইবা মীওনা সকাম-কর্ম তৌই। হিংসাগী থবক অমাম্বা সকাম-কর্ম মক্তনি। অচুনা সকাম কর্ম অমাম্বা কুপ্পা নৈনরবাদ হিংসানি। কলিযুগতদি "লোৎ অসি ঐগীনি" "নংগী নত্তে—" অসুম্বা হায়নচুনা থৎননি, চৈননি, মুননি। মতমচুদা শাস্ত্রগা লোয়ননা জীবিকাবু লৌংখিনা পাঙথোকপদি য়ায়-রোই। অসিগুম্বা মতমদা করম হায়না থবক পাঙথোক্কদগে হায়বচু ঐত্তোন্দা হায়মু তাকউ ॥৬॥
সত্যবানন হায়,— পিতৃদেব! ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র অহুম অসি ব্রাহ্মণনা হায়বা ইন্দুনা, ব্রাহ্মণগী য়াথংগী মথ। লোন্দুনা লৈনবনি। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র বর্গ মায় অসিগী মী পুন্নমক্কা ধর্ম অমতগী বন্ধনদা লৈ বদি অমগানগা য়েংনবো, অমগী মতৌ অমনা তম্মচুনা শূত মাগধ, শূদ্র যাগযজ্ঞ হোম জপ মন্ত্রপাঠ অসিমচিংখত্ত তৌনরক্কদৌরি ॥৭॥ হায়রিবা মতাংদগী অসিগী মচুদা ব্রাহ্মণগী য়াথংগী বিরুদ্ধদা ওম-কৈনবা থবক তৌরকপা মতমদা ব্রাহ্মণ অচুনা নিংতৌগী অমদি বিচারপতিগী মাঙ ভাম্বা চংলগা য়াকং-লুগনি। "ব্রাহ্মণ ঐনা হায়রবু মহাক্না ইন্দে, খৌপাদে" অসিনা চংবা হায়রুচুনা হেক্ য়াকংলরবদি রাজা নিংথৌনা মহাকপু দণ্ড তৌগদবনি ॥৮॥ হকচাংদা দণ্ড (দণ্ড) পীবা মরমদা মৈ চীশিংনচিংবা তত্ত্ব মতাবু

* হিংসাবু হিংসা তৌদবা অহিংসা অহুদি- অহিংসা নত্তে— হিংসানি। অহিংসাবু হিংসা তৌবা হিংসা অহুদি— হিংসাধক্তি। হায়বদি— হিংসা তৌবা মী অতুম্বা হিংসা তৌত্রবদি অহিংসা কৌবা য়াদে। শম্বা হায়রবদা— হিংসাদা হিংসা, অহিংসাদা অহিংসা তৌগদবনি। মী অমদা হিংসা তৌবা মী অচুনা ঐনা হিংসা তৌত্রবদি— মানা তৌরিবা হিংসা অহুগী থবক অচুনা ঐসু য়াওরবগা অম্মানি। মরাল, লৈজত্রবা কনাগুম্বা অমবু অকনবা অমনা ফুবনা কিবদগী ওইরবসু হিংসা তৌনিংদবদগী ওইরবসু - ঐনা অসুম য়েংচুনা লৈরবদি মানা তৌরিবা হিংসাচুদা ঐসু য়াওরবনি। (কালাচান্দ)

দস্যূন্নিহন্তি বৈ রাজা ভূয়সো বাপ্যনাগসঃ। ভার্য্যা মাতা পিতা পুত্রো হন্যন্তে পুরুষেণ তে ॥
পরেণাপকৃতো রাজা তস্মাৎ সম্যক্ প্রধারয়েৎ ॥ ১০॥
অসাধুশ্চৈব পুরুষো লভতে শীলমেকদা। সাধোশ্চাপি হ্যসাধুভ্যঃ শোভনা জায়তে প্রজাঃ ॥ ১১॥
ন মূলঘাতঃ কর্ত্তব্যো নৈষ ধর্ম্মঃ সনাতনঃ। অপি স্বল্পবধেনৈব প্রায়শ্চিত্তং বিধীয়তে ॥ ১২॥
উদ্বেজনেন বন্ধেন বিরূপকরণেন চ। বধদণ্ডেন তে ক্লিশ্যা ন পুরোহিতসংসদি ॥ ১৩॥

তোঙান তোঙাক্না খিদনবা হোৎনগদবনি। হায়বদি— প্রাণদণ্ড পীদুনা মরাল লৈবগী মথায়মাক্ত লৌবি-রোইদৌবনি। অদুনা শিদব দণ্ডিত পীগদবনি। হায়বদি— শিগ্রগত্রা হায়বদু হেনা হেনা শারীরিকদণ্ড (হুকচাংগী দণ্ড) পীগদবনি। নীতিশাস্ত্রগী নিয়মগী মা মপা অদুগা তৌত্রিবা মরাল অদুদগী পীত্রিবা দণ্ড অদুগী মাত্রানা হেন্জিনগ্রবরা নত্রগা য়াংলিত্রা হায়বসি মুন্না য়েংশিনগদবনি। অদু নত্তদুনা তৌথবা মরাক্তা অমা, পীরিবা দণ্ডনা অমা ওইরবদি, হায়বদি দণ্ডগী মত্রাদগী হেন্দোক্নগ্রবদি অহেনবা শক্তক অদু হিংসাগী মঙুং চন্‌গনি। মরালগী ওয়-তৈনবা চৈরাক্ থক পীরোইদৌবনি ॥ ৯॥ নিংথৌনা মহৈহৈবা ভাকুনচিংবদা চৈরাক্ পী, অদুগা মরাল্লৈজজ্রবশিংদগী কগি কঙুংগুম্বা মতমদা পীবা য়াদে। অৎথুবা মী মহাক অদুগী মমা-মপা, মচীন্-মনাওশিংদু, শিত্রিবদুনা মখোয়গী জীবিকা ওইদুনা লৈরম্বা গীশকু ওইরম্বনা মহাক কায়-নবগী অমাবা হুংওাইত্তবদুনা মখোয়দুগু থরায় থাত্রবদি, চৈরাক্ পীরিবদুগী মথক্তা হিংসা তৌবগী পাপ অদু শোয়দনা লাক্তনি। মরম অদুনা চৈরাক্ পীরমদায়দা নিংথৌনা য়াম্না মুন্না বিচার তৌথগদবনি ॥ ১০॥ *

কত্রবা মীসু সাধুসঙ্গ তৌরবগা— অফ অফবা মীশক তিন্নরুগা অফবা পাউতাক্ অফবা অদুম্বা মীশক অমা অদুম মওইরকই। কত্রবা মীশিংগী মচা মশু কয়া কয়ানা পণ্ডিত ওইনা পোক্লি, অফবনসু কত্তবা ওইনা পোক্লি। কত্তবনসু অফবা কয়া কয়া পোকপা উবি ॥ ১১॥ মরম অদুনা অফবা মী কয়া কয়াগী পোক্তকন ওইরিব কত্রশিংবু মরু কংনা হাংদ্রনংলি চুমদে। মাসি সনাতনধর্ম্ম নত্তে। তৌত্রিব মরাল অদুগা য়োনবদা চাং মান্না য়াম্বিরদৈ অদুম্বা চৈরাক পীবনা ফৈ। অদুম তৌরবদি অপরাধী ওইরিবা— মরাল্লৈরিবা মহাকী পাপ অদু কোক্তনবগী প্রায়শ্চিত্তসু ওইগনি ॥ ১২॥ মহৈহৈবা হুরানবশিংগী মথোং-মচৈ মরক্-থুম অদু মুনবা মংপা য়াই কৈক্তুমশুংদা কাথিন্দুনা থম্বা য়াই। অদুগা লেল্লগা শিরোইদৌবা হুকচাংগী শরক মথম কল্লগা মথক থীহনগদবনি। অদুগা মথমায় মাঙুহন্দুনা মাগী পরিবারবু কায়মথগী মৈচাক ফংহন্দনা অয়াবদা ত্তংহনবদি চমদে। অদুগা অপরাধী অদুনা পুরোহিত ব্রাহ্মণ অমগী মনাইগোন্দা

---

* অমঃৰোপদা হায়বগা লাল্লবসু প্রজাদি চুম্বসু প্রজাদান। প্রজাদি নিংথৌগী মচানি অদুগীদমরুদসু প্রজা কৌনবিবনি। মমা মপাগী মকমদা মচানা কনা হায় থীনা লাল্লবসু অদুনবা মচাগী মথরায়মক্তি লৌমদে। মমা-মপাদগী পাউতাক বিত্তানচিংবা মতৌকচানা পীবা য়াংপদগীসু মনাদুনা ডুকুম্বা অমা ওই-থিবসু য়াই। অসিগুম্বা বিচাবগী মীমাংসাদ ধর্ম্মনীতি রাজনীতি অনীসি পুল্লি। মরম অদুনা প্রাণদণ্ড পীরমদাইদা কূপা নৈনহোবা তাই। (কালাচাঁদ)

যদা পুরোহিতং বা তে পর্য্যেষুঃ শরণৈষিণঃ। করিষ্যামঃ পুনর্ব্রহ্মন্ ন পাপমিতি বাদিনঃ ॥১৪॥
তদা বিসর্গ মর্হন্তঃ প্রারিত্তীনং ধাতৃশাসনম্। বিভ্রজ্জতাজিনং মুণ্ডো ব্রহ্মণাহর্হতি শংসনং ॥১৫॥
পরীয়াংসো গরীয়াংসমপরাধে পুনঃ পুনঃ। তত্র বিসর্গমর্হন্তি ন যথা প্রথমে তথা ॥১৬॥

দ্যুমৎসেন উবাচ।

যত্র যত্রৈব শক্যেরন্ সংবন্ধুং সময়ে প্রজাঃ। সত্যবান্ প্রোচ্যতে ধর্মো যাবন্ন প্রতিভিদ্যতে ॥১৭॥
অহন্যমানেষু পুনঃ সর্ব্বমেবমপরাঙ্ভবেৎ। পূর্ব্বে পূর্ব্বতরেচৈব সুশাস্যা ছন্দবঞ্চনাঃ ॥১৮॥

চত্থুনা লৈপ্রবদি অত্থুগা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত অত্থুনা মতেন্দ অভয়দান তৌরনা কোক্কিন্দুনা থমপ্রবদি নিংথৌনা মহাকপু ব্রাহ্মণচুদগী ছত্তোক্তুনা, দণ্ড পীবা চুমদে ॥ ১৩॥ ব্রাহ্মণ পুরোহিত অত্থুগী মক্কমদা আশ্রয় লৌরগা "গুরুদেব! ব্রাহ্মণ! ঐ অসিগুম্বা পবক অসি মতুং-মনাও তৌজরোই" হায়না মাপক্লবদি ব্রাহ্মণচুনস্থ মহাকপু থাদোকপিব ইদ্দোকপিবা চুমদে। হায়রিবসি ব্রাহ্মণ মশামক্তৌ পাইতাক্রি— যাথনি। মক্ক থোক্তুনা, হৈক লক্ষী-মউন্ শেংদুনা সন্ন্যাসী ওইদুনা লৈপ্রবদি, মহক্কুস্থ লৈরাক্ কাহম থোকই ॥১৪ ১৫॥

অমুক থাদোকপ্রগা অপরাধী অত্থুনা, হন্না হন্না নওবা কর্মচু তৌশিন্নক্লবদি বিশাংক্তিদিনা কুপন্না খন্নতুনা অপরাধীচুদা মায়া কনবা লৈরাক পীগদবনি। অদুম্বা মরাকগীদদক ফু-চৈতুন থবা মাইক্লগা হায়রম্বা থাদোকখিবদি চুমদে— থাদোকক্কম থোক্ক ॥ ১৬॥

দ্যুমৎসেননা হায়— ইবুঙো সত্যবান্! মচাইমরকস্থ প্রজাশিংবু থাদিনাইথ ধর্মনীতিগী মর্যাদ ত্তাক্ত ধর্মগী পরিকর মদুদদি লাংদোক্কম ঝাবুক-ঝাতেনগদবনি। ধর্মগী মর্যাদা পরিকর মপাদো লৈতুনা প্রজাশিংগী মক্কমদা নিংথৌনা হায়রিবা তৌরিকমথৈ ধর্মগী থপক্ল কায়না লৌনৈ ধর্মগী সীমাদগী লাম্হোকক্রিবমথৈ নিংথৌনা প্রজাগী মক্কমদ পীনীংবা দণ্ড পীবা যাক ॥১৭॥ * ধর্মগী সীমাদগী লাম্হোক্ক হায়তুমস্থ, হুবান্বা

---

* মমাংডৈনস্থ হৌরিকপস্থ ধর্মনীতিগী মখক্তা রাজনীতিনা নম্ফুনা লৈ। পল্প হায়রবদ মাগী মাগী ওই-জবা তত্ত্বরকপাদ কল্পকনিহৌ, অনাইবা অহুম্বা অসিনাইরবদ থবো অমগী মপোং-মরুপ মুমবা, চুনবা, ফুন-তুনবা লাকপদগী রাজনীতিগী মক্তনবা অতুনাত্ত হায়দাস চানবক্কনি। লৈখা ভাবক্লবা আম্বাতুবু হায়বদি অনাম্বাতুবু চুমথোকপনি। গুকনস্থ জাতগী ঊংদেশনা শিক্ষানিংগী লমচৎ অত্ত চুমথোক্লবা তোৎন-বিরি। মম-মপানা মচাবু ফু-চৈতুনা থাবক্কি তৈম্বক মথল মথল পীবি। মচ-মশুশিংবু অককা লচীনা চংহনবা হায়বসি ধর্ম্মনি। হায়বদ্দবা ধর্মনীতি অসিগী মখক্তা রাজনীতিগী মচু নুক তুনীতি হায়বসি লাক্-লিবনি। অদুবু মপালি মমান হাবদুনস্থ মচ মশুবু কম্বেত্তা ধর্ম পায়না যাংকপা যাদে। মক্লবদি মচাং অত্থুনা রাজনীতিনা মক ওইনা শাসন তৌরকই। মীগী মপোং চুম্নুই হায়দুনা মপা অমনা মচাগী মপাংথোমত্থু থাত্তনা কক্লবদি রাজনীতিগী পরিকরনা লাক্লনা মপাত্থু রাজদণ্ড ফংবা তারে। অত্থুনা রাজ-নীতিনা চত্তলকপাসি ধর্মনীতি হায়বীতুন কাংদেন্নিক্কপঙ্কনি, হায়বদি— মাগী পরিকরদগী লাম্হোক্লকপ-গীনি। পল্প হায়রবদা রাজনীতিনা কাংদেন্নক্লবদ ধর্মনীতিনা শাসন তৌই— যাংকই। অত্থুনা ধর্মনীতি যাওদনা অপোংবা রাজনীতি ওইদে। (কালাচাঁদ)

মৃদবঃ সত্যভূয়িষ্ঠা অদ্রোহাশ্চমনস্বিনঃ। পুরাধিগ দণ্ড এবাসীৎ বাগ্দণ্ডস্তদনন্তরম্ ॥ ১৯॥
আসীদাদানদণ্ডোঽপি বধদণ্ডোঽদ্য বর্ত্ততে। বধেনাপি ন শক্যন্তে নিয়ন্তুমপরে জনাঃ ॥২০॥
নৈব দস্যুর্মনুষ্যাণাং ন দেবানামিতি শ্রুতিঃ। ন গন্ধর্ব্ব পিতৃণাং চ কঃ কস্যেহ ন কশ্চন ॥২১॥
পদ্ম শ্মশানাদাদত্তে পিশাচাচ্চাপি দৈবতম্। তেষু যঃ সময়ং কশ্চিৎ কুর্বীত হতবুদ্ধিষু ॥২২॥

সত্যবানুবাচ।

তান্ ন শক্নোষি চেৎ সাধূন্ পরিত্রাতুমহিংসয়া। কস্যচিৎ ভূতভব্যস্য লাভেনান্তং তথা কুরু ॥২ ॥
রাজানো লোকযাত্রার্থং তপ্যন্তে পরমং তপঃ। তেতপন্ত্রপন্তি তাদৃগ্‌ভ্য স্তথাবৃত্ত কর্ত্তু চ ॥২৪॥

ডাকুশিংঙ্গুনা ধর্মগী সীমা লাম্বোক্তুনা ফত্তবা কর্ম্ম তৌরক্লবা ডাকু, হুরানবা লুট তৌবশিংঙ্গুবু মথৱায় লৌত্র-বদি মাঙ্গুনা প্রজা পুম্নমকী অৱাবা খুদোংথীব লাকপা যাই। অাইনা মমাংদা অৱানবদা পীবা চৈরাকী মওং অাসি ঈমম্ চম্থম্মি। মরমদি মতম অহুনা ংরেথৌ অমস্তং বিচারপতিগী থম্মোয় ওসি যাম্না থোংলম্মি। নিংথৌ প্রজা পুম্নমকী থম্মোয়দা অচৎবা ভাবেঙম। অপেনবা মুনো বা অমদি হৈনীন পোক্লম্মি। কল্লকপা মিতৌবগী ফুন-চেনবা শাস্তিনবা কবিনত্তা লৈরমদে। অপরাধী অমগী মকোকদা ধিক্কার তৌনা, থীনা হায়বা অহুনা চপচারবা কল্লবা চৈরাকনি হায়না লৌনরম্মি। অদুদগী অমুক অৱানবা থবক্তু অমুক তৌরক্লবদি চুম্না নিন্দা তৌরম্লগী তেম্না অথীবা অকনবা ৱাহৈগা লোন্নবা অাবা ঙৈৎপা ভারে, কিরনবা তারে। মাসি বাগদণ্ড কৌই। অহুনা মমংদৈদা অপরাধী অহুনা অমুক ফত্তবা হেঞ্জিল্লক্লবদি যাম্না য়াকপা অকনবা ৱাহৈ অমগী তাঙ্গলগা মরাল্লেবত্তুব থাদোক্লরম্মি ॥ ৮—১৯॥

অহুগী তুংদা মীরোল থরা চথবগা অর্থদণ্ড হায়বদি—লোল থুমহিবা লৌহনা, মপোংত্রুনা (জুর্মনা জরিমানা) তৌহুনা চৈরাক্ পীনরক্লে। অদুদগীদি প্রাণদণ্ড কাওব চানবা তৌখি ॥২০॥

ঐবোঙনা অদুম হায়না তায়, মাহুদি— ডাকু হুরানবশিং, দেবতাশিং, গন্ধর্ব অমদি পিতৃলোকতা চৎলিবশিং অসিগী মসুমগী কন অমত্তনা কনাগুম্ব অমগী শাগে-নাইত্তে, তাই-রেন থোক্তে। অসিত নত্তে, সংসার অসিগুম্ব কনানা কনাগী ফরি লোকপগে ? সংসার অসিদ হুরানবা ডাকু হায়বাসি কনাগীসু ওইদে। মমা-মপা কাওব "ঐগী ঈমানি" হায়নীংদে। হায়রিবসি খাক্লেংবমক্তি ॥২১॥

ডাকু হুরানবা হায়বশিংনা ওয়দি— মোংকরম্না তোঙ্গনা হৈংবা অশিবগী হবচাং কুপ্পিবা ভূত-প্রেতকী অশাদা কুপ্পিবা কিরোল অহু ফাকবা, অহুগা মন্দিরদা লাংলিবা দেবতাশিংগী কিক্লেং-লৈতেং কোল-লিক কাওবা হুক্তোক্তুনা লৌথোকপা ওম্মি। মথোয়গী বুদ্ধি জ্ঞান অদুদি-- কনাগুম্ব অনা হাত্তোকপিগনবজুমনি। অহুওম্বা ডাকু হুরানববু থাজক্লরিবা মহাক অহুনক মূর্খনি ॥২২॥

সত্যবাননা হায়,— পিতৃদেব। হুরানবা ডাকুশিংবু হাত্তনা থম্মগা, সাধু মহাত্মাশিংবু মথোয়দগী ঙাকপা ঙমদ্রবদি অদুগা ডাকু হুরানবশিং অহুবু সাধু যোগী মহাত্মা অমদি সন্ন্যাসী শাহন্দুনা মথোয়দা থোইনা হিংসা তৌদনা, হায়বদি— সাধু সন্ন্যাসীদা হিংসা তৌবা হৌনদে অদুম হায়না থম্মুনা মথোয়বুস্থ কবিবা

হ্রিয়মাণানাঃ স্বকৃতো ন কাময়ন্তি দুষ্কৃতীন্। সুকৃতে নৈব রাজানো ভূয়িষ্ঠং শাসতে প্রজাঃ ॥২৫॥
শ্রেয়সঃ শ্রেয়সোঽপ্যেবং বৃত্তং লোকোঽনুবর্ত্ততে। সদৈব হি গুরোর্বৃত্তমনুবর্ত্তন্তি মানবাঃ ॥২৬॥
আত্মানম সমাধায় সমাধিৎসতি যঃ পরান্। বিষয়েষ্বিন্দ্রিয়বশং মানবাঃ প্রহসন্তিবম্ ॥২৭॥
যো রাজ্ঞো দম্ভমোহেন কিঞ্চিৎ কুর্য্যাদসাম্প্রতম্। সর্ব্বোপায়ৈর্নিয়ম্যঃ স তথা পাপান্নিবর্ত্ততে ॥২৮॥
আচার্য্যো নিরতো বা দুষ্কৃতং যদি গচ্ছতি। দণ্ডয়েচ্চ মহাদণ্ডৈরপি বন্ধুনমন্তবান্ ॥২৯॥

ওমক্রষদি, ভূত ভবিষ্যৎ বর্ত্তমান মতম অসম্পূর্ণ, মদায়বক থীজনা ফত্রবা কর্মবু থাদোকপা ওমক্রবশিং পরমার্থদৃষ্টিদা হায়বদি নবানগী থোক্লনা বেদবিরুদ্ধনা জীবগী ফননবতা য়েংশিনবিদুনা পরমার্থিক ওইবা উদ্দেশ্যবু মাঙহল্লনা থম্লগা করিগুম্বা উপায় অমনা মখোয়গী দস্যুবৃত্তি (চুরানবগী শাক্তং অমদি ব্যবসায়) অদুবু মরু কানঃ কুম্ভোকপিয়ু। অসিগুম্বা সংস্থাদা, হায়বদি— অহি সাতনা নাকল অনীমক কায়দনবা (লিক্সু শিনবা, চৈস্থ তেক্কনবা) শিল্পকৃপা মতমদা কনা কনাগুম্বা রাজর্ষিশিংনা প্রজাশিংগী থম্মোয়দা কাম ক্রোধ লোভ মোহনচংবা লোকহন্দনবগী দঞ্জা তংস্থা তৌই। মখোয়গী লৈপাক্তা চুরান্ চৌম্বীবা মী লৈ হায়বসি য়াম্না ঈকাইনীঙ্ডাইনি হায়না রাজর্ষিশিং অমনা লৌনরম্মি। মাদু কোক্লবা নিংথৌশিং অসিনা তপস্যা তৌন হনি ॥২৩—২৪॥

"চৈরাক্ কক্কনিকো" হায়বগী অকিবদু লোকসুগা প্রজাশিংনা অফবা কর্মদদা পুক্নী চঙকিনবা, হায়দুনা দণ্ডগী বিধান শংস তৌকোক্লখিননি। অদুনা চৈরাক হায়বসিগী উদ্দেশ্য হায়ববু প্রজাশিংবু ধর্ম্ম কায়দনা পুনশি লেলহনবা অসিতনি। নিংথৌনি হায়দুনা মরম ঈরৈ চৈতনা মনী তম্মা কনাগুম্বা প্রজা অমদা অয়াবা পীবা য়াদে। অদুনা ধর্ম্মবু মরু ওইনা থম্লগা রাজর্ষিশিংনা প্রজাবু মচাত মচাগুম য়ারক্-য়াতেমদুনা ঙাকপি লেনবিরম্মি ॥২৫॥

প্রজাশিংনা মাগী মতৌ তম্বা পুনশি লেঙসম্লু হায়বগীদমক্তা নিংথৌনা কীরম পুম্নমক্তা ফীদময়ফম ওইনা লৈকয় থোকই। অহৈবংমী হায়বশিংমক্তবু মচৌশানা অচৌবা মীগী অমদি লুচিংলিবা মীতুগী মতৌ য়াম্না তমজপল্লি ॥ ২৬॥ মশানা ঙম্বিক্তি বিষয়ভোগতা লুপকুনা ঙাকদুনা লৈরগা, অমদি— মশাগী ইন্দ্রিয়শিংবুদি থুদুম চনবা ঙমদ্রগা অতোপ্পশিংদা, হায়বদি— প্রজাশিংদা অফবা লম্বী চংননবগী য়াথং অমদি পাউতাক্ পীবকৃপদা মখোয় মর্যাদুনা থীক থীক্ নাক— করেম্নে ॥২৭॥

কনাগুম্বা প্রজা অমনা মশাদা থোয়দবা নাল লৈপাক নিংথৌবু ঙিশিত্তবা মওং অদু লাকপা হেক্ উবদা নিংথৌম থুদক্ক মতাঙপু ন হংক্কদবনি। মথন্তু ঙায়াদৈরা নমথগাইক্রবনি মাংলৌনা অতৌ কয়াসু তৌশিল্লক্রবদি লৈপক্ত অফাম্বা কয়া লাকই ॥ ২৮॥

পাপকী লম্বীদা চঙশিল্লকপ প্রজাশিংবু থিদিবা নিংথৌগী অচানবদা মশামক্ পাপকী কর্মগী হন্-থোরক্লদবনি। ইন্দ্রিয় অমদি পুক্নীংবু থুদুম মথাদা থনগদবনি। অদুগী ভুগা মাগী শাপেল নাইত বন্ধু-বান্ধব-শিংনা লেপ্পা, চাউথোকপা অদুম মতুবা কর্ম তৌশিল্লক্রবদি মখোয়দা অফমবা দণ্ড পীগদবনি ॥ ২৯॥

যত্র বৈ পাপকৃদ্ভীতো ন মহদ্ভ্যঃ প্রমজ্জতি। বর্দ্ধন্তে তত্র পাপানি ধর্মে হ্রসতি চ ধ্রুবম্ ॥৩০॥
ইতি কারুণ্যশীলস্তু বিদ্বান্ বৈ ব্রাহ্মণোঽব্রবীৎ। ইতি চৈবানুশিষ্টোঽস্মি পূর্ব্বৈস্তাতপিতামহৈঃ ॥৩১॥
আশ্বাসয়দ্ভিঃ সুভৃশং প্রজানাং চৈব চ। এতং প্রথমকল্পেন রাজা কৃতযুগে জয়েৎ ॥৩২॥
পাদোনেনাপি ধর্ম্মেণ গচ্ছেৎ ত্রেতাযুগে তথা। দ্বাপরে তু দ্বিপাদেন চতুর্থে যুগে ॥৩৩॥
তথা কলিযুগে প্রাপ্তে রাজ্ঞো দুশ্চরিতেন হ। ভবেৎ কালবিশেষেণ কলা ধর্মস্য ষোড়শী ॥৩৪॥
অথ প্রথমকল্পেন সত্যবন্ সংকরঃ ভবেৎ। আয়ুঃ শক্তিং চ কালং চ নির্দ্দিশ্য তপ আদিশেৎ ॥৩৫॥
সত্যায় হি যথা নেহ জহ্যাৎ ধর্মফলং মহৎ। ভূতানামনুকম্পার্থং মনুঃ স্বায়ম্ভুবোঽব্রবীৎ ॥৩৬॥

পাপকর্ম তৌবা মীনা মাঙ্গুগী খোইদোকপ দণ্ডি কবা চৈন্তন্ত্রব মহক্তা অমদি লেশ অদুগা পাপকী থবক শিংগী অদুগা পাপীশিংগী মশীং অসি নোংম নোংমগী হেনগৎলকই। অদুগা মাঙ্গুগী মংহনা ধর্মগী অমদি ধর্মগী আচরণ অসিন্দু মথং মথং হন্থরকই ॥৩০॥

পিতৃদেব! শাস্ত্রবিদা উপদেশশিং অসে লোমা ঐত্তোন্দা জ্ঞানী বিদ্বান্ ব্রাহ্মণ অমনা পীরম্বনি। মতম অদুদা মহাক্কা ঐদোন্দা অসুমন্তু হায়রম্মি,— 'ঐবুঙো সত্যবান্। ঐগী ঈবুধৌ অমসুং তাননাশিংনা অসি-গুম্বা পাউতাকশিং অসে ঐওন্দা তাকপিরম্মি। ধর্ম হাপচনা মথাও মরি গুম্বা পাল্লম্বা সত্যযুগ হায়না কৌবা যুগ অদুদা খ্বাঙ্গী ঈচন্ চনবা খ্বাইদগী চনবা অহিংসাগী মশক ওইবা দণ্ড অদুদনা পাম্বে ওইদুনা মকুবিশিংনা প্রজা মরুম্ শাসন তৌরম্মি অদুগুম্বা নহক্না প্রজাশিংবু শাসন তৌগদবনি ॥৩১—৩২॥ ত্রেতাযুগ হায়রবা অতমদদি ধর্ম হায়বগী মথেত পাদ, হায়বদি— শরুক মরি খোক্রুপা শরুক অমা হাপনা পাল্লি। অদুগা দ্বাপরযুগতদি ধর্মগী মখোক অনীতমক্ ল্লাংতৌরবনি ॥৩৩॥ মতৌ অসুমা কলি কৌবা যুগ অদু লাক্লবা মতুদা নিংগৌগী লমচৎ ব্যবহারনচিংবা মপুংফানা চৈরকুম্বদ অদুগা খুইগী মায়ক্রবা কঞ্জবা মতম অদুগী প্রজানা ধর্ম হায়বদুগী শরুক তরাতরুক খোক্রুপা শরুক অমতমক্ লৈরহৌরবনি ॥৩৪॥

সত্যবান্! কবিগুম্বা ঈচান্ হনবা মথলগী অহিংসাগী মশক্ ওইবা দণ্ড অদুনা শাসন অদুম তৌরকপদা ধর্মগা অধর্মগা য়েচিন্হনক্রবনি দণ্ড কংগদোরিবা মীচুগী চহী মত্তাং, পাঙ্গল অমদি দেশ-কালগী মখুংইন্না মুন্না বিচার তৌরগা মতীকচাব দণ্ড পীগদবনি ॥৩৫॥

স্বায়ম্ভুব মনুনা জীবশিংবু থৌজালবিদুনা অসিগুম্বা ধর্মনা মরু ওইবা রাজনীতিগী পাউতাকশিং অসি পীরম্মি। মংহুম তৌরবতদা জগৎ অসিদা সত্যতগী মশক্ ওইরব পরমাত্মাব ফংনবগী হোৎনজবা অদুগা ফংগ্র ফংনপ্রবশিং অদুনা ফংকম খোকপা মহৈ অদু লোয়রবা লৈতবা— শোয়দনা ফংঙিই মাহু য়ানননা তাকপিখিবা ধর্মনীতিনা মুখ্য ওইবা, হায়বদি— ধর্মগী য়ায়েন্না রাজপ্রফম ওইবা রাজনীতি অসি তাকপিরম্বনি ॥৩৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি স্যুমরশ্মি কপিল সংবাদো নাম দ্বিষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬২॥

——:():——

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম পর্ব্বদা দ্যুমৎসেন সত্যবান্ তাওনবদা চনী-হুমফুনিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬২॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(স্যুমরশ্মি কপিল অনীগী সংবাদ)

চনীহুমফুহুমদোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অবিরোধেন ভূতানাং যোগঃ ষাড়্গুণ্যকারকঃ। যঃ স্যাদুভয়ভাগ্ধর্মস্তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

গার্হস্থ্যস্য চ ধর্মস্য যোগধর্মস্য চোভয়োঃ। অদূরসম্প্রস্থিতয়োঃ কিং স্বিচ্ছ্রেয়ঃ পিতামহ ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ।

উভৌ ধর্ম্মৌ মহাভাগা বুভৌ পরমদুশ্চরৌ। উভৌ মহাফলৌ তৌ তু সদ্ভিরাচরিতা বুভৌ ॥৩॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— জ্ঞানী সৎপুরুষশিংগী মফুংদা অথোইবা ঈবুধৌ ! করিগুম্বা কনাগুম্বা জীব অমগী মফমদা অহানবা অমদি হিংসা ওইনা করিমত্তা থোকহন্দনা তৌবা, তপথবা, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা অসিনচিংবা গুণ তরুকপু ফংহন্‌বা অদুগা ভোগ অমদি মোক্ষ অনীমক্‌পুম্ব মহৈ ওইনা পীডম্বা অদুগুম্বা যোগ অমো, অদুগা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা কাম্বরা ধর্ম অমা ঐঙোন্দা তাকপিয়ু॥ ॥ ঈবুধৌ ! গার্হস্থ্যধর্ম্ম অদুগা যোগধর্ম শাংরিবা অনি অসিদি অমনা অমগী থেক্তনা লাপ্পদ। অদুবু মথোয় অনীনিগী মফুংগী কনানা হেনবগে অমদি কান্নবগে মদু নশানা তাকপিয়ু ॥ ॥ ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ ! গার্হস্থ্যধর্ম অদুগা যোগধর্ম তৌবা অনীসে ভীবদা থোইনা লাইবক্‌ফবা পীডম্বা অমদি মহানুভাগী মশক্কি। অনীমক্‌সি সাধন তৌবদা য়াম্না অকন্বা থবক অমা ওইনা থোকই, অনীমক্তা মহৈসু ওম্ফোক্তা চাউবনি। অথোইবা জ্ঞানী-

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি প্রামাণ্যমুভয়োস্তয়োঃ। শৃণুষ্বৈকমনাঃ পার্থচ্ছিন্নধর্মার্থ সংশয়ম্ ॥৪॥

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। কপিলস্য গোশ্চ সংবাদং তন্নিবোধ যুধিষ্ঠির ॥৫॥

আম্নায়মনুপশ্যন্ হি পুরাণং শাশ্বতং ধ্রুবম্। নহুষঃ পূর্ব্বমালেভে ত্বষ্টুর্গামিতি নঃ শ্রুতম্ ॥৬॥

তাং নিযুক্তামদীনাত্মা সত্ত্বস্থঃ সংযমে রতঃ। জ্ঞানবান্ নিয়তাহারো দদর্শ কপিলস্তদা ॥৭॥

স বুদ্ধিমুত্তমাং প্রাপ্তো নৈষ্ঠিকীমকুতোভয়াম্। সত্যামশিথিলাং সত্যং বেদা ইত্যব্রবীৎ সকৃৎ ॥৮॥

তাং গামৃষিঃ স্যূমরশ্মিঃ প্রবিশ্য যতিমব্রবীৎ। হংহো বেদা যদি মতা ধর্মাঃ কেনাপরে মতাঃ ॥৯॥

তপস্বিনো হি ধৃতিমন্তঃ শ্রুতিবিজ্ঞানচক্ষুষঃ। সর্ব্বমার্ষং হি মন্যন্তে ব্যাহৃতং বিদিতাত্মনঃ ॥১০॥

শিংনা লম্বী অমী অসি ঈচং হেক্ চংলি অতুগা চংনখি ॥৩॥ কুন্তীনন্দন! যোগধর্ম গার্হস্থ্যধর্ম হায়রিবা অনীসিগী চপচাবা প্রামাণিক ওইবা তত্ত্ব অতু ঐ নঙোন্দা হায়গে। ধর্ম অর্থ অনীগী মরমদা নংগী চিংনবা অমা লৈরিবদো ঐ কাকহনগে। পুক্নী চঙনা তাও ॥৪॥ যুধিষ্ঠির! হায়রিবা বিষয়সিদা অশুঙ-অাহংশিংনা মহর্ষি কপিল অমসুং গা শম্বীগী তক হংলদা চঙতুনা নৈনবা স্যূমরশ্মি কৌবা মথেৎ অনীন শাস্ত্র-খিবা ইতিহাসকী কুইরবা ৱারী অতু হেক্ হেক্ লীনৈ। মহু ঐ লীগে তাও ॥৫॥ নমাংঙৈদা, নোংমা নিংথৌ নহুষনা বেদগী মাথং অমদি নিয়ম-বিধিবু সনাতননি হায়দুনা, অচুম্বনি হায়না খল্লুনা মহাক্কী ময়ুমদা অতিথি ওইনা লাকপা ত্বষ্টাগী দমক, হায়নদি ত্বষ্টাগী অাতিথি-সেবাগী দমক শম্বী অমনা অমমান তৌগে হায়না থল্লুনা শম্বী অমা শেম-শাহুনা থমখি ॥৬॥ মতম অদুদা সত্ত্বগুণনা তেম্লব, ইন্দ্রিয় থুনম চম্লবা, থাক্কক্ থক্কক চাং নাইনা চাগনবা, পুক্নিংচেল চাক্তরবা, মহাজ্ঞানী ওইরবা কপিল মুনিনা ত্বষ্টাগীদমক তৌগদৌরিবা অম্নদানগী শেম-শাহুনা লৈরবা শম্বী অদুবু উরে ॥৭॥ অাসিগী তুংদা থুংদগী তেম্লবা অকিবা চিংনবা লৈতৱা, মোং-হাদবা, তপ্লবা, অচুম্বা অমদা পুক্নীং থৌগংননবগী মশক্ ওইরবা বুদ্ধি অমদি জ্ঞানবু মপুংফানা ফংলবা, মহর্ষি কপিলনা শম্ অদুবু হেক্ উবদা— 'আঃ! ওস্তে কানি। হা বেদ! বেদ, নংগী নিয়মনি হায়দুনা নংগী নামানা তৌনরিবা অনাচার-অত্যাচারগী লবকশিং অসে—" অসুম হায়না হুংঙাইতবা অরাবগা লোয়ননা হায়দোকৃখি ॥৮॥

মতমমতুমক্তদা স্যূমরশ্মি কৌবা মহাবৈজ্ঞানিক ঋষি অমনা শম্বী অদুগী মশাদা খুং উনদনা চঙখিদুনা কপিল মুনিদা অসুম্না হায়খি,— "এঃ! বেদগী নিয়ম-বিধিবু অসুম্না বেদগী ৱচনবু প্রমাণ চাদবা ওইনা লৌরবদি, বেদ মতোন্দগী বিধি কায়দনা পুথোক্করক্লিবা ধর্মশাস্ত্রশিং অমদি ধর্মশাস্ত্রশিংগীনি করম তৌগ-দৌরি? বেদগী অনুশাসন (য়াথং-পাম্বতাক্) বু প্রমাণ চাদে, চুমদে হায়রবদি— অচুম্বা প্রমাণ-চাবা ধর্ম্মশাস্ত্রদি কনা করি লৈহৌরি?" ॥৯॥ তপস্যা কম্লবা তপস্বী, তপস্যা তৌরবা, ৱাহা-তহারব! বেদ অমদি— বিজ্ঞান অনীগী তত্ত্ববু কুপ্না চর্চ্চা তৌরবা— নৈনরবা ঋষিশিং অমদি মুনিশিংনা বেদবু নিত্যজ্ঞানগী মশক্ ওইরবা পরমাত্মা মহাক্কী মুংশাশোর হোন্দোক্লকপগী মশক্ ওইরবা ৱাগীনি হায়নৈ ॥১০॥ *

---

* মতাং অসিদা হায়রিবা "বেদ" হায়রবা ৱাহৈ অসি অহানবা তাবদনা হৌজিক হৌজিক উরিবা লৈরিবা

তত্তৈবং গতভূতস্য বিজ্ঞস্য নিরাশিষঃ। কা বিবক্ষাস্তি বেদেষু নিরারম্ভস্য সর্ব্বতঃ ॥১১॥

কপিল উবাচ।

নাহং বেদান্ বিনিন্দামি ন বিবক্ষ্যামি কর্হিচিৎ। পৃথগাশ্রমিণাং কর্ম্মাণ্যেকার্থানীতি নঃ শ্রুতম্ ॥১২॥
গচ্ছত্যেব পরিত্যাগী বানপ্রস্থশ্চ গচ্ছতি। গৃহস্থো ব্রহ্মচারী চ উভৌ তাবপি গচ্ছতঃ ॥১৩॥
দেবযানা হি পন্থানশ্চত্বারঃ শাশ্বতা মতাঃ। এষাং জ্যায়ঃ কনীয়স্ত্বং ফলেষূক্তং বলাবলম্ ॥১৪॥

অয়ান-শৌরাংবা লৈত্তবা, পাখৎপা-ফিঙ্গংপা লৈতবা, কবিগুম্বা মহৈ অমতা শামদবা, অপাম-অপাম্বা অনৌ অনৌবা থবক পায়থংপা লৈতবা, অহুম ওইবা পরমাত্মা পরমেশ্বরগী হোন্দোৱকপা মুংশাশোরদগী থোকখিবা বেদশিংগী বচনবু নহাক্না কবিগী শন্ন-তৈননা লৌরি ? ॥১১॥

কপিলনা হয়,— ঐ কপিগুম্বদা বেদগী নিন্দা তৌদে, বেদগী শন্ন-তৈনবা রাসু তাওখিবা লৈত্তে। তোঙান তোঙনবা অশ্রমশিংদা লৈবশিংগী মরমদা বেদনা তাক্লিবা কর্ম্মশিংগী উদ্দেশ্যদি মশা অমত্তনি। মপাম্পোদাদা অমগীদগী অমগী কর্ম্মনা থেংনা ওইনা উদ্ধবসু মমূনদদি অমত্তনি। অমুম্বা পরম্পরাদগী হায়রক্লকপসি ঐখোয়না তায় ॥১২॥ সন্ন্যাসী অমনা কখিবা পরমপদ (অথোইবা গতি) অদো বানপ্রস্থাশ্রমদা লৈবনসু অহুম কাব মঙ্গল্মি। গৃহস্থ অমগা ব্রহ্মচারী অনীনসু মাহ্ম ঈরায় লায়না কংবা ঙম্মি ॥১৩॥ আশ্রম মরিমক্ অসি সনাতন-মার্গনি। মখোয় মরি অসি দেবযান কৌবা, সনাতন মার্গ মরিছুনি হায়না য়ানম্মে। মখোয় মরিসগী মধ্যদা কনানা ঈচাউ চাউই ? কনানা খ্বাইদগী পীকৈ ? কনানা শোল্লি ? কনানা কল্লি—? অমুম হায়না হংনরিবসি, সকাম-কর্ম্মী ওইবা, হায়বদি— মহৈ-পাম্বা মীশিংনা ওাওজবা

লাইরিক ওইনা লৈরিবা ঋগ্ সামনচিংবা মমিং থোল্লি। লাইরিকশিং অমুবুনি হায়না হেক্ক লৌনীঙিঙ, লৌমু লৌমৈ। অমুম্বা লৌনরিবদগী নাস্তিকশিং অয়াম্বনা "বেদগী মরা চত্তে" অমুম্বা হেক্ হেক্ হায়নবা য়াওই। 'বেদ' হায়বসি লাইরিক হায়বা নত্তে, 'জ্ঞান' হায়বনি। 'জ্ঞান' গী মরা লৌদে হায়রবদি 'অজ্ঞান' গী মরা লৌবা তারক্লি। অমুনা, 'বেদ' হায়বদি 'জ্ঞান' বু হায়বনি। জ্ঞান বিজ্ঞান অনী পুল্লগা সংপূর্ণ জ্ঞান হায়বমু ওই। হি লিডৈ মতমদা মুংশাশোর লোল্লিডৈন হকচাংলুমদা লৈরিবা শিংলিনচিংবনা তৌরিবশিং অমু মুক্না থওপে হায়না কনাগুম্বা বৈজ্ঞানিক অমনা য়েংবা তারবদি মাহুদা কক্থোক্ ককশিন্ তৌরিবমু অত্যাচার নত্তে হিংসা নত্তে। জীব পুম্নমক্কী উপকারগী দমক্তনি। পুরাণগী রারীগী খুদম প্রমাণদা হায়রগা— কর্ণনা মচাবু হোরায়না থাম্বখিবা, দধীচি মুনিনা, শিবি নিংথৌনা মশাবু কক্চাখিবা, পুম্নমক অমু হিংসা নত্তে, যজ্ঞনি। অমগী কাম্নবগী দমক থাদোকপমথৈ যজ্ঞনি। মপানগী হকচাং অসিদি অম্নি। শম্বীগী হকচাং অমুমুবু নছুবনা হুইদা দান তৌগ হায়না থনখি। পবিত্র ওইরবা শমগী হকচাংবু দান তৌনীঙিঙ, রেগ হুইনচিংবগী হকচাংবু অম্নি হায়তুনসু দান তৌনীঙদে। মরম অমুনা নছুবনা শম্বীগী হকচাংবা অম ওইরুনা অতিথিসেবা তৌগে থম্লিবসি হিংসাম্বম্ভিদা নত্তে। (কালাচাঁদ)

এবং বিদিত্বা সর্বার্থানারভেতেতি বৈদিকম্। নারভেতেতি চান্যত্র নৈষ্ঠিকী শ্রূয়তে শ্রুতিঃ ॥১৫॥

অনালম্ভে হ্যদোষঃ স্যাদালম্ভে দোষ উত্তমঃ। এবং স্থিতে শাস্ত্রস্য দুর্বিজ্ঞেয়ং বলাবলম্ ॥১৬॥

যদত্র কিঞ্চিৎ প্রত্যক্ষমহিংসায়াঃ পরং মতম্। ঋতে ত্বাগমশাস্ত্রেভ্যো ব্রূহি তদ্ যদি পশ্যসি ॥১৭॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

স্বর্গকামো যজেতেতি সততং শ্রূয়তে শ্রুতিঃ। ফলং প্রকল্প্য পূর্বং হি ততো যজ্ঞঃ প্রতায়তে ॥১৮॥

অজশ্চাশ্বশ্চমেষশ্চ গৌশ্চ পক্ষিগণাশ্চ যে। গ্রাম্যারণ্যাশ্চৌষধয়ঃ প্রাণস্যান্নমিতি শ্রুতিঃ ॥১৯॥

তথৈবান্নং হ্যহরহঃ সায়ং প্রাতর্নিরূপ্যতে। পশবশ্চাথ ধান্যং চ যজ্ঞস্যাঙ্গমিতি শ্রুতিঃ ॥২০॥

এতানি সহ যজ্ঞেন প্রজাপতিরকল্পয়ৎ। তেন প্রজাপতির্দেবান্ যজ্ঞেনাযজত প্রভুঃ ॥২১॥

ওৎকনি ॥ ১৪॥ * অসুম হায়না থক্তগা অমদি থওজগা আশ্রম খুদিংদা থবক পায়খৎকনবনি। হায়রিবা অসি বৈদিক মতনি। কর্ম অমসুং তৌনরক্লিবসি অমাংবা অমমুং লৈবগীনি। অপাম্ব অসিদু কৈক্লাবা হায়রবদি কদিগুম্বা কর্ম অমত্তা পায়খত্তনা লৈতবনি হায়বসিংদা সিদ্ধান্ত পুম্নমক্কী মখল্ দুবী। শ্রুতি-নস্থ আউর্দি ॥ ১৫॥ যজ্ঞতৌবা থবক্ শিংদা শীজিনব্রবনা পায় হৈদে হায়বা নত্তে। যজ্ঞদা শীজিনব্রবদু দোষ থোংদোক্লা কাদে। কদিগুম্বা বচনগী মতাং।. বেদগী বচনশিং শাস্ত্রগী মতংদা করামদা কনায়দা চংনবা হায়বসি থওনবা মায়া অন্নাবা খুদানী অমত্ত কায়ই ॥ ১৬॥

বেদ অমদি আগমশিংদি নত্তবা, মখোয়গী তাঙ্কব, হিংসাগী থবক্তি তৌবগী খক্তনা, হায়বদি-হিংসা য়াওনা তৌবা অনুষ্ঠানগী বিধিদু ওৎকনা, হিংসাশাস্ত্রগী মতম অস্থ থাক্লদা প্রমাণ নইনা উত্ত্ববা, নত্রগা অনুজ্ঞবনা কদিগুম্বা ফুৎথি পাক্তখিবা, ফাখিব লৈরবস্তু মাচু এরোমদা হায়য় ॥ ১৭॥ স্যূমরশ্মিনা হায়, "স্বর্গ কানীংবা, — স্বর্গগী ভোগপু ফংনীংবা মীনা যজ্ঞ তৌগনি।" হায়বসি ইততত্তনা হায়। মরমতুনা স্বর্গগী মশক্ ওইরবা মহেবু হাম্না সংকল্প তৌরগা অদুগী তুংদা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌনে ॥ ১৮॥ হামেং মাও শগোল, শন, উচেক— নগরগী অমসুং অতুগা লৈকলগী অন্নচিংগা পোৎ পুম্নমক্কুসি প্রাণ হা ফুগী অন্ন ওৎকুনি, অসুম্না শ্রুতিনা হায় ॥১৯॥ অদুক্ষু নুমিৎ ত্বাইরেম মনী অন্ন (চাক্থেন্) অনী আমাদি প্রাণগী মচান্ আক্লি হায়বনে। ধান্য (কৌ) গা পশু (শা) গা অনী অসিদি যজ্ঞগী অঙ্গনি. যজ্ঞগী মসুং চনবা শরাকনি, হায়না শ্রুতিনা হায় ॥২০॥ ভগবান্ প্রজাপতিনা যজ্ঞগা লোয়নননা, হায়বদি— যজ্ঞ তৌনা তৌনা মখোয় অসিবু শেমখি। যজ্ঞগী সামগ্রী (মচাক্) শিং অসিনা দেবতাশিংগা লোয়নন যজ্ঞ তৌখি ॥২১॥

---

* বিদ্যা পাম্বনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমনা হেক্লি হায়। মচা-মশু মন-জন পাম্বনা গৃহস্থ আশ্রমনা হেক্লি হায়। মচা-মশুশিংনা অর-অনা ওবত্থু উবা য়াওদনা, মনীং তম্না বনদা চঙ্গঃ হন্দ পেতুনা পুন্না লেম্বা পাম্ব-শিংনা বানপ্রস্থ আশ্রমনা হেক্লি হায়। পুম্নমক্ থদেকুনা মুক্তি অরানবা খুদম্ ফংব— অমুকহন্না পোক্-লত্রবা) পাম্বশিংনা সন্ন্যাস আশ্রমনা হেক্লি হায়। মরম অদুনা আশ্রম মরি অসিগী চদশ্যদি—অপাম্বদুবু ফংননবা হোৎনবা হায়রবা মহে অতুতনা ওইরিবনি। (কালাচান্দ)

অনন্তোঙ্গুবয়াঃ সর্ব্বে প্রাণিনঃ সপ্ত সপ্তধা। যজ্ঞেষু পাকৃতং বিশ্বং প্রাহুরুক্তা সংস্থিতম্ ॥২২॥
এতচ্চৈবাভ্যনুজ্ঞাতং পূর্ব্বৈঃ পূর্ব্বতরৈস্তথা। কো জাতু ন বিচিন্বীত বিদ্বান্ স্বাং শক্তিমাত্মনঃ ॥২৩॥
পশবশ্চ মনুষ্যাশ্চ দ্রুমাশ্চৌষধিভিঃ সহ। স্বর্গমেবাভিকাঙ্ক্ষন্তে ন চ স্বর্গস্ততো মখাৎ ॥২৪॥
ওষধ্যঃ পশবো বৃক্ষা বীরুদাজ্যং পয়োদধিঃ। হবির্ভূমির্দিশঃ শ্রদ্ধা কালশ্চৈবানি দ্বাদশঃ ॥২৫॥

থুম্লক্তা অমদি উমংদা লৈবা জীব মথল তরেৎ তরেৎ অদুগী মনুংদা য়েংনবদ অমনা অমদগী মথং মথং অথোইবা— অহেনবা ওই। মখোয়শিংসিগী মনুংদা "উত্তম" (খ্বাংদগী হেনবা) অদুম্বা মিংথোল ফংদুনা তাইবংমী হায়দুনা লৈরিবা অসি ফাওবা যজ্ঞদা শীজিন্নবা ওইনা লৈপ্রবনি হায়না হায়নপ্রবনি ॥২২॥ মমাংউগী অদুপা য়াম্না থায়না মমাংউগী জ্ঞানী ওইবশিংনা হায়রিব জীব পুম্নমক অসি যজ্ঞগী মচাক্ অমদি যজ্ঞগী অঙ্গ (মশা) মরুনি হায়না লেপ্লপ্রবনি। মরম অদুনা সংসারসিদা কয়ম্বা জ্ঞানী অমনা মশাগী শক্তিগী মনুংদা, করি করিগুম্বা মতমদা মশানা পামজবা যজ্ঞ অমবু জ্ঞান তানা খল্লোইদোবা লৈবগে ? ॥২৩॥ শা, তাইবংমী, উপাম্বী, য়েম্থাং মাপী, হৌদাক লাংডক্, মনা-মশী মখোয় পুম্নমক অসে স্বর্গবু পাম্বমক্তান। * অদুবু যজ্ঞ কৌবা উপায় অসি নত্তুনা স্বর্গ ফংবা হায়বসি অপায়বা শবক নত্তে ॥২৪॥
হৌদাক্ লাংডক্ মনা-মশী নাচংবা অন্ন, শা-উচেক, উ, উলৈ মরী, ঘী, শঙ্গোম শঙ্গোম মশান অতেপ

* হৈপাল লৈপাল, শা-উচেক, তাইবংমীন চংবা অচচ্চত্ত জীব পুন্ন ক অসি স্বর্গবু পাম্বা মক্তনি। মতাং অসিদা হায়রিবা স্বর্গ হায়বা অ হৈ অনি স্বর্গ-মর্ত্য পাতাল অদুগা হায়নবদা য়ারিবা "স্বর্গ" হায়রিবসি ওক্ নাত্তে। লৈরুংদা লৈপ্রবা পীজ (মরু) গী মনুংদা পীক্ পীক্ন লৈপ্রবা ময়োল্ (পাম্বী-চা) অদু মথক্ লোমদা লৈথক্তা হাংগৎনীংলকই। স্বর্গগামী (মনী মথা তম্বা মককোমদা হাংগৎনীংলকপা) মরু (ডাক্ত) নি। অচচ্চত্ত জীব পুম্নক্তা পাম্নরিবা স্বর্গ (স্বর্ + গঃ) হায়বসি যজ্ঞ নত্তুনদি ফংবা ওইথোক্তবনি। যজ্ঞ হায়বদি থাদোকপা হায়বনি। আত্মানা মকম পৃষ্ঠদা মপানগী কুমোম পাকতোক ওইবা দহসিবু, যজ্ঞ তৌথোক্লমগা স্বর্গত (স্বর্গ কাবা) ওই-নিংঙি। হায়বদি— স্বর্গ কানবি— অঙ্গা-অপুন শেঙনা—মনীংমথা তম্বা চংনিংঙি। শরুগী হকচাংবা, শগোলগী হকচাংদা লৈরিবা আত্মাসিনু অদু মডায়। অদুরৈ প্রজাপতি ব্রহ্মানা হৈপাল-লৈপাল, শা-উচেক্, তাইবংমীনচিংবা পুম্নমক অসিবু যজ্ঞগা লোয়ননা শেম্বি। "সহযজ্ঞাঃ প্রজাঃ সৃষ্টা।" লেঙিঙ-পাম্নিবা জীব পুম্নমক অসি যজ্ঞগী অম্নমক্তনি। মপাম্বোংগী পোৎশকশিংবু মপাদ্ধ্-থোংগী মৈদা, অদুগা মনুংগী পোংশক হায়বদি— কাম, ক্রোধ লোভ, মোহ-নচিংশিংনা মনুংগী মৈদা, হায়বদি— জ্ঞানাগ্নিদা যজ্ঞ তৌথোক্নদবনি। উরিবা হৈপাল উপাম্বীনচিংবা হৌদাক্-লাংডক্, মনা-মশী, তাইবংমী, শা-শল্ পুম্নমক অসি যজ্ঞগী শরু কুনি। তাইবংমী যোগীগী আত্মানা যোগ-সাধনতনা তাইবং হকচাং অসি থাদোক্নদবগী অম্নক কম্না তোংনবসিনদি, শগোলগী হকচাংনা লৈবা আত্মানা কবিগী অমুক্তম্না থাদোক্লীংতোই ? তাইবং মীগী হকচাংসিবু থাদোক্লী শিবা অমত্তুনক্লি শগোলগী হকচাংবু থাদোক্লীংঙিবত্তুম্। মতৌসিগুম্বা হায়েং, য়াও-অচিংবগী দেহনুংদো লৈবা আত্মানসু মপাম্বোংগী দেহাসিবু যজ্ঞদা থাদোক্লীংঙি। (কালাচাঁদ)

ঋচো যজূংষি সামানি যজমানশ্চ ষোড়শ। অগ্নির্জ্ঞেয়ো গৃহপতিঃ সপ্তদশ চ উচ্যতে ॥২৬॥
অঙ্গান্যেতানি যজ্ঞস্য যজ্ঞো মূলমিতি শ্রুতিঃ। আজ্যেন পয়সা দধ্না সকৃতামিক্ষয়া ত্বচা ॥২৭॥
বালৈঃ শৃঙ্গে পাদেন সম্ভবত্যেব গৌর্যথম্। এবং প্রত্যেকশঃ সর্ব্বং যৎ সদস্য বিধীয়তে ॥২৮॥
যজ্ঞং বহন্তি সম্ভূয় সহর্ত্বিগ্‌ভিঃ সদক্ষিণৈঃ। সংহৃত্যৈতানি সর্ব্বাণি যজ্ঞং নির্ব্বর্ত্তয়ন্ত্যুত ॥২৯॥
যজ্ঞার্থানি হি সৃষ্টানি যথার্থং শ্রূয়তে শ্রুতিঃ। এবং পূর্ব্বতরাঃ সর্ব্বে প্রবৃত্তাশ্চৈব মানবাঃ ॥৩০॥

অতোপ্পা হবিষ্য, ভূমি (লৈবাক), দেশ (মায়গৈ), শ্রদ্ধা, কাল হায়রিবা তরানীথোঃ অসি যজ্ঞগী অঙ্গ—মশানি ॥২৫॥ ঋগ্বেদ, যজুর্ব্বেদ, সামবেদ অমসুং যজমান মরি অসি অমুক্ হায়গী তরানীথোই অসিদা হাপচিল্লগা যজ্ঞগী অঙ্গ তরাতরুক্ ওয়ে। অমসুং মখোই গার্হপত্য অগ্নি হাপ্লগা তরাতরেৎ ওয়ে। মতৌ অসুম্না যজ্ঞগী অঙ্গ তরাতরেৎনি হায়রে ॥২৬॥ তরাতরেৎমক যজ্ঞগী অঙ্গনি। হায়রিবা যজ্ঞ অসিনা জগৎ পুম্নমক অসিগী মূল কারণনি, অসুম হায়না শ্রুতিনা হায়। ঘী, শঙ্গোম, শঙ্গোম মপান্ শঙ্গোম'শীন্‌বা খঙ্‌হু, শউন্ মকু মচ অমসুং মখোঙ হায়রিবশিং অসিনা মচাক অসি থুংলাগা ওইহনবা যজ্ঞ কৌবা কর্ম অদু পাঙথোক্লিবনি। মতৌ অসুম্না মখোয়শিং অসিগী অমমমগী তৌকম পোকপদু তানশিনগনবনি ॥২৭—২৮॥ ঋত্বিক ব্রাহ্মণ অমসুং দক্ষিণাশিংগ লোয়নননা হায়রিবা অঙ্গ ময়াম অসিনা যজ্ঞ মপূম্ অমা মপু কানা পাঙথোক্লবনি। যজ্ঞগী অমন হায়রিবা মচাক্ (অঙ্গ) ময়াম অসি লোইনা হাপ্না শেমশাঙ্‌না শাঙ্‌হনা থম্লগা অমসুংগী তুদা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান তৌগনবনি ॥২৯॥ হৌজিক হায়রিবশিং অসি প্রজাপতিনা অমোমদা শেম্বা অমতা নত্তে, যজ্ঞগী দমক শেমখবনি। * অ-সৃষ্টিদগী হৌনা তাইবংমীনা যজ্ঞ অসি তৌনা ফাওবা তৌহনা লাক্লবনি ॥৩০॥

* য়াম্না চাউথোকপা লূবা রাহং অমা তৌজিক কাওবা থুম্না রাগা লৈরি। মাদুদি—অমুক মাং হৈপাল লৈপাল, শা উচেক, তাইবংমী, মনামশী, হীদাক্-লাংকুচিবা জাতি মখল মখলগী, মমিং মখল মখলগী, মচু মহাও তোঙান তোঙানবগী শেম্নম্নংসিবু কানগী নো? করি করিদা শীজিন্নবদা? মায়ানি, মীওই পুংউ উবনি হায়বসিসু কনগী দমক উত্তু উহল্লবনো? অসিগুম্বা চাউরবা রাহং আসগী অমত্তা ওইবা পীক্লবা পাউখুমদি— 'যজ্ঞগী দমক্লি'' হায়বা অসিনি। যজ্ঞ হায়বগী অর্থ অসি থাদোক্‌পা হায়বনি। আত্মাসিনা হকচাং অমা থাদোক্লম্মগা হকচাং অমদা চঙলক্লি। আসদগীসু অমুক হকচাং আসবু থাদোক্লম্মগা দেহ অমদা চঙখিগদৌরি। হৌজিক লৈরিবসিমকসু থাদোক্ থাদোক্ল অসুম মরৈরি। অদুগা আত্মাসিনা কম্নিমত্তা মরী লৈনদবগুম লৈ। মাসিসু থাদোক্পা অমনি। অদুনা আত্মানা তৌরিবা কর্মাদি যজ্ঞতনি, কৱিসু নত্তে। অদুনা যজ্ঞগী মচাক্ (অঙ্গ) ওননবা লৈরিবসু আত্মা অমা মওম্মগী চিংথোক্চায়কপনি। অদুনা আত্মা (পরমাত্মা) না মখাগী যজ্ঞ তৌজগে হায়বগী দমক হৈপাল-লৈপাল, মনামশীংনচিংবা মচাক্ (অঙ্গ) শিং অসি শেমজাখবনি। (কালাচাঁদ)

ন ছিন্দন্তি নাবকৃন্তে নাভিঘ্নন্তি কিঞ্চন। যজ্ঞো যষ্টব্য ইত্যেবযো যজত্যফলেপ্সয়া ॥৩১॥
যজ্ঞাঙ্গান্যপি চৈতানি যথোক্তান্যনুপূর্ব্বশঃ। বিধিনা বিধিযুক্তানি ধারয়ন্তি পরস্পরম্ ॥৩২॥
আম্নায়মার্ষং পশ্যামি যস্মিন্ বেদাঃ প্রতিষ্ঠিতাঃ। তং বিদ্বাংসোঽনুপশ্যন্তি ব্রাহ্মণস্যানুদর্শনম্ ॥৩৩॥
ব্রাহ্মণপ্রভবো যজ্ঞো ব্রাহ্মণার্পণ এব চ। অনুযজ্ঞং জগৎ সর্ব্বং যজ্ঞশ্চানুজগৎ সদা ॥৩৪॥
ওমিতি ব্রহ্মণো যোনির্নমঃ স্বাহা স্বধা বষট্। যস্যৈতানি প্রযুজ্যন্তে যথাশক্তি কৃতান্যপি ॥৩৫॥

যজ্ঞ তৌবা ঐগী ঊথোনি হায়বা অসি খাওবত থন্দুনা মহৈ কংবগী রাথলগী সীনানাদা লাক্লুদনা যজ্ঞ তৌরিবা মী মহাক অদুদি হিংসাসু তৌদে, কনাগুম্বা কৰিগুম্বা অমগী মকমদা কল্লকপা মুত্তাইত্তবসু— তৌরুদে, অদুগা মহাক্না তৌরিবা যজ্ঞ অদুদা অহঙ্কারগী শক্তক কৰিমত্তা য়াওদে ॥৩১॥ *

যজ্ঞশাস্ত্রদা হায়রিবা যজ্ঞগী অঙ্গ শৈরিবা হায়বদি— যজ্ঞগী মন্ত্রং চল্লিবা দেশক অমদি বিষয়শিং অদুদি অমগমগা লোয়নবৈ, হায়বদি— অমনা অমগী দোষ পাপ পুন্নমক কাকহনমল্লে ॥৩২॥ ঋষিশিংনা হায়রম্বা তাক্লম্বা আম্নায় অমাদ ধর্মশাস্ত্রশিং অদু ঐ মুন্না য়েংলে- পাদে। হায়রবা ঋষিশিং অদুগী মথক্তা বেদ পুম্বা নীংথিনা লেপ্তদনা প্রতিষ্ঠিত ওইদুনা লৈরিবনি। ধর্মদ পুক্নিংন্না অমদি ধর্মনা চত্তশিনবগী তত্ত্ব নিয়ম পুম্বা তাকপা ব্রাহ্মণভাগকী লাই কশিনা য়াওরিব বাক্যশিং অদুবু মন্ত্র হুক্তিন্না পারুবগা, অদুগা থম্বরুবগা জ্ঞানী পাণ্ডবশিংন ঋষিগ্রন্থশিং অদুবু প্রমাণশাস্ত্র অমদি সিদ্ধান্ত ওইনা লৌনৈ ॥৩৩॥

যজ্ঞতত্ত্বগী খাঙ্গেশংব বিবরণ পীরিস বেদগী ব্রাহ্মণভাগদা উই। যজ্ঞগী অধিকার অসি খাঙ্গেশেংনা ব্রাহ্মণশিংতদা ওইনা পী। যজ্ঞগী তত্ত্ব পুম্বা মকম অদুদা অস্তুম হায়না তাক্লি, মাতুদি - যজ্ঞগী তুংদা বিশ্ব জগৎ পুম্বা লাকচ থেংনরকপনি। অদুগা জগৎকী তুং অদুদসু যজ্ঞনা জগৎকী ভাক্লো ওইনা শেম্নদুনা চংলি ॥৩৪॥ ওঁ হায়বসিনা বেদ পুম্বগী হায়বদি জ্ঞান পুম্বগী মূলকারণনি - খিনংঙমি মুক্ষমি, মরুনি। ওঁ, নমঃ, স্বাহা, স্বধা, বষট্ হায়রিবশিং অসি মথং মনাও কান্নদনা, মকম চানা চানা শীজিন্নরিবা যজ্ঞ অদু অজ

* অন্নাবা-হুংঙাইবা চৈনাগী অন্না-অনাগ কৰিমত্তা মরম কৈনদবা আত্মা মত্তোন্দা হিংসা অহিংসা হায়বা কৰিমত্তা লৈতে। আত্মাসিনা মথন্তা লৈজবা নত্তনা হ চাংসগা তিন্নবা তেক্ কৈরুবদগী আত্মা মশানা হকচাংসিবু মা-মক্লি হায়না লেবান্নবা খনখিবদগী অহঙ্কার— 'ঐ' হায়বা তমোগুণনা মশামক চঙ্ককই। মাহুদগীদি তৌরু তৌরুবিবা কর্ম্মগী মহৈ পান্মকই। অস্তুম্না মহৈ পাম্বগী পাংকর মতুংদা তৌবা কর্ম্মমথে হিংসাগী মশক্তা ওই। হাংপা খিনবা তৌবা তাক্লনা হিংসা কৌবা নাত্তে। হাংপা-খিনবা ঈয়াও য়াওদনা য়াহৈত্তনস্থ কনাগুম্বা অমগী থশ্মেয়দা তাশোন্ন থিনবগী চৈনাদগী শক্তক লেপিং অমা লেম্না চৈনা কাওহনবা চৈনা অদু থাওবা তমদদুনা থাক্তনা খিনবগী চৈনাবু কৰিব্র লৈতবা অমা ওইনা থন্দুনা মশা মথন্তবু থাক্তনা খিলহংদুনা মথরায় থাবা য়াওরি। অদুবু সাধারণনা মপাম্বোংগী হকচাংসিদা ফুবা-খিনবতর হিংসানি হায়না লৌনরি। মহৈ-পাম্বা, অহঙ্কার অমদি অশাঙবা মথোয়সিবু য়াওদনা যজ্ঞ তৌরবদি যজ্ঞ-বলিদান কাওবা হিংসা মত্তে হায়রবনি। (কালাচাঁদ)

ন তত্র ত্রিষু লোকেষু পরলোকভয়ং বিদুঃ। ইতি বেদা বদন্তীহ সিদ্ধান্ত পরমর্ষয়ঃ ॥৩৬॥

ঋচো যজূংসি সামানি স্তোভাশ্চ বিধিচোদিতাঃ। যস্মিন্নেতানি সর্ব্বাণি ভবন্তীহ স বৈ দ্বিজঃ ॥৩৭॥

অগ্ন্যাধেয়ে যং ভবতি যচ্চ সোমে সুতে দ্বিজ। যচ্চেতরৈর্মহাযজ্ঞৈর্ব্বেদ তৎ ভগবান্ পুনঃ ॥৩৮॥

তস্ম ব্রহ্মণ যজেচ্চৈব যজেচ্চ বিচারয়েন্। যজ্ঞেষু স্বর্গসাধনা প্রেত্য স্বর্গফলং মহৎ ॥৩৯॥

নায়ং লোকে হস্ত যজ্ঞানং পরশ্চোত বিনশ্যতঃ। বেদবাদবিদশ্চৈব প্রমাণমুভয়ং তদা ॥৪০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
গো-কপিলীয়ে ত্রিষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৩॥

——:(ঞ):——

পুন্নমক্ মরাগু কায়না রাজন তৌরবা পাণ্ডখোক্লবনি হায়না লৌনৈ ॥৩৫॥ অসুম্না যজ্ঞ তৌরবা মী মহাক অদুগীদি লোক অহুম অসিদা কারিগুম্বা চিনিংডাই— চানিংডাই অংতা লৈতে। মাসে বেদ পুন্নমক্কা ঋষি পুন্নমক্কা লাউহুবা— হায়হুনা লৈরবনি ॥৩৬॥ ঋগ্বেদ যজুর্ব্বেদ, সামবেদ অদুগা সামবেদসিগী স্তোভ অসি-নচিংবগী জ্ঞাননা মাগী মশাদা লৈরবা মহাক * অদুতনা জগৎ অসিদা দ্বিজ ওইবগী অধিকার ফংলবনি। অদু নত্রবদি দ্বিজ কৌবা যাদে ॥৩৭॥ ব্রহ্মণ! অগ্ন্যাধান হায়বদা অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) অমদি সোমযাগ তৌবগী ফংবা মহৈশিং অদু অদুগা অতোপ অতোপ্পা মহাযজ্ঞশিং তৌবগী ফংবা মহৈ অমদি মহিমা অদু নহাক্কা তেম্ন্ থণ্ডবিরিবনি ॥৩৮॥ অদুনা ব্রাহ্মণ! ব্রহ্মণ (দ্বিজ) খুদিংমক্কা তৌগদবদি মহৈ ফংবা ফংদবগী চিংনবা অকিব অমদি হিংসা অহিংসা ভেদজ্ঞান পুম্বা থাদোক্লুনা যজ্ঞগীদমক্কা যজ্ঞ তৌগদবনি, যজমানশিং অদুবুসু তৌহনগদবনি। স্বর্গ ফংহন্নবগী বিধি নিয়ম অদু কায়দনা যজ্ঞ তৌরবা তৌহল্লিবা মী মহাক্ অদুদি শিরবা তুংদা স্বর্গ লোয়দনা ফংই ॥৩৯॥ অসিগুম্বা যজ্ঞবু তৌদ্রবা মী অদুগীদি ইহলোকতসু লুংঙাইবা লৈতে। পরলোকতসু স্বর্গ লৈতে। ইহলোক পরলোক অনীমক্ত ঈকান্ কায়দে। বেদগী বিষয়শিং অসিবু মুন্না থজবশিং অদুদি প্রবৃত্তি (কর্মদা চঙশিনবা), নিবৃত্তি (কর্মদগী হন্দোরকপা) অনীমক্পু ভাইবং মপোক্কা সিদ্ধি ফংননবগী প্রমাণ (সাক্ষী) ওইনা লৌই ॥৪০॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা স্যূমরশ্মি-কপিল-সংবাদগী চনীহুমফু হুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৩॥

——:(:——

---

* সামবেদগী গায়ন (ঈশৈ) গী শব্দক্তা মমৈ মমৈদা মযেক্কী অমদি পাদগী অরাংপা মেনখৎপা শব্দক ওইনা "হাহহ্রি" "হহহবু" অসিংচিংবা খোম্হোক্ কয়া হাপচিল্লি। হাপচিল্লিবা শব্দক অসি সামবেদদা স্তোভ হায়না কৌই। ঋচাগী গানদা অসিগুম্বা স্তোভ হায়বা অসি হাপচিল্লগা অর্থদা মপূ ফাবা হায়বহু লাক্বই। (কালাচান্দ)

মণিপুরী মহাভারত

চতুঃষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(প্রবৃত্তি নিবৃত্তি মার্গ অনীগী মরমদা স্যুমরশ্মি কপিল অনীগী সংবাদ)

চনীহুমফুমরিশুবা অধ্যায়।

—:():—

কপিল উবাচ।

এতাবদনুপশ্যন্তি যতয়ো যান্তি মার্গগাঃ। নৈষাং সর্ব্বেষু লোকেষু কশ্চিদস্তি ব্যতিক্রমঃ ॥১॥
নির্দ্বন্দ্বা নির্নমস্কারা নিরাশীবন্ধনা বুধাঃ। বিমুক্তা সর্ব্বপাপেভ্যশ্চরন্তি শুচয়োঽমলাঃ ॥২॥
অপবর্গেঽথ সংত্যাগে বুদ্ধৌ চ কৃতনিশ্চয়াঃ। ব্রহ্মিষ্ঠা ব্রহ্মভূতাশ্চ ব্রহ্মণ্যেব কৃতালয়াঃ ॥৩॥
বিশোকা নষ্টরজসস্তেষাং লোকাঃ সনাতনাঃ। তেষাং গতিং পরাং প্রাপ্য গার্হস্থ্যে কিং প্রয়োজনম্ ॥৪॥

কাপিলন হায়,— যম নিয়ম আসন প্রাণায়ামগী বিধিসু চোকশিন্না পালন তৌরিবা— ভাক্না চংলিবা সন্ন্যাসীনা জ্ঞানমার্গগী আশ্রয় লৌহুনা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংই। অদুগুম্না মথোয়হুনা সংসারগী লেভিঙ-পাল্লিবা প্যোংশক বিষয় পুম্বসি মীকুপ্তা কায়রগদৌবা ভাক্তনি হায়না খঙিঙ। মথোয়গী গতিদি লোকপুম্বদা করিগুম্বা মকম মতমদা অপনবা অথিংবা লৈতে॥১॥ অঙাং-অশা, অরা-মুংভাই অসিনচিংবা অনী থোকপগী রাথল—দ্বন্দ্বভাবনা মথোয়গী পুক্নীং হক্‌চাংদ্ লেঙহনবা য়িপাইহনবা ঙমদে। মথোয়দি কনাগুম্বা অমগী মফমদা আশীর্ব্বাদ পীকবা, বর পীক্রবা হায়বা লৈতে। অমুক করি হায়গনি— হায়রিবা জ্ঞানীশিং অসিদি সংসারসিগী করিগুম্বা অপাম্বা মিহৌবনচিংবগী বন্ধন অমনা কাক্তিনবা লৈতে। পাপ পুন্যমক্তগী লাম্হোক্থিহুনা, মঙ্গং-মপান পুমপেং শেংবা, অক অপুন্ রাওহন্দনা মফম মতম পুম্বদা মনীংতম্না চংতুনা লৈ॥২॥ মথোয় অহুনা সংসার বিষয়দগী অরান্ খুঙম্ ফংথিন্নি হায়বগী অদুগা এগীনি হায়হুনা লৈরিবা সম্পত্তি-মখৈ থাদোকখিগদবনি হায়বগী আশা অমদি রাথল পুক্নীংদা চপ্‌চাবা লেপ্তুবা থমগ্রবনি। মথোয় অহুদি লুমিৎচুম্না ব্রহ্মগী ধ্যানদা মশামক্ ব্রহ্মমক্তৌ মশক ওইহুনা লৈগ্রবনি॥৩॥ মথোয় অতুদি, অরাবগী মরীক্ অমত্তা লৈত্রবা অদুগা রজোগুণদগী পোকপা কাম ক্রোধগী মনম ফাওবা তাত্রবা অদুগুম্বা সনাতন ওইরবা লোকত্তা চংখি— লৈখি। অদুগুম্বা অথোইবা গতিবু ফংগ্রবা মথোয় অদুদা - গার্হস্থ্য আশ্রমদা লৈহনা আশ্রমগী ধর্ম্মশিংহু ভাকলুবগী থোইনা কাম্নবা, অদুগা মাদুবু ভাক্রবগী অপাম্বা করিদগুম্বমত্তা লৈরয়োই। লৈফমনু থোকমো॥৪॥

স্যুমরশ্মিরুবাচ।

যথোবা পরমা কাষ্ঠা যথোবা পরমা গতিঃ। গৃহস্থানব্যপাশ্রিত্য নাশ্রমোঽন্যঃ প্রবর্ত্ততে ॥৫॥
যথা মাতরমাশ্রিত্য সর্ব্বে জীবন্তি জন্তবঃ। এবং গার্হস্থ্যমাশ্রিত্য বর্ত্তন্ত ইতরাশ্রমাঃ ॥৬॥
গৃহস্থ এব জায়তে গৃহস্থস্তপ্যতে তপঃ। গার্হস্থ্যমস্য ধর্মস্য মূলং যৎকিঞ্চিদেজতে ॥৭॥

স্যমরশ্মিনা হায়,-- জ্ঞানবু ফংলগা— জ্ঞানী ওইরগা পরব্রহ্মগী জ্ঞান (মওং) বু ফংবতনা পুরুষার্থ ওইরবদি -- মাচুমক্কা মীওইনা পোকপগী উদ্দেশ্য ওইরবদি মাচুমক্কা অথোইবা গতিনি হায়রবদি, গৃহস্থ-ধর্ম্মগী মহিমা অমদি মাহাত্ম্য অদুগী মগুণনচুম হেন্না চাউথৎপা, অহেনবা ওইরে। মরমদি হায়রিবা— ওইরিবা কীর্ত্তন পুম্নমক অসি গৃহস্থ ওইবশিংগী আশ্রয় অমদি সহায়তা নত্তনা থকু ওইব য়াবা নত্তে। অদুদগী নত্তনা হায়রিবা গৃহস্থ শ্রম অসি য়াওদনা, মথক্কা হায়রিবা জ্ঞাননিষ্ঠ বু হায়বনি থাজ্ঞেংশংবা অরেপ্পা জ্ঞানমা লেপ্লুনা লৈবা হায়বত্থু ওইহনবা হায়বসিমকত্থু ওইথে ত্রুবানে ॥৫॥ *

মচাশিংগী আশ্রয় অমদি চঙজফমদি মমাগী মথ অমদি তম্পাক্কা ওইবদগুম্না আশ্রম অতৈগী আশ্রয়দি গৃহস্থাশ্রমতনা ওইরিবনি। অতৈ আশ্রম অহুম্মক গৃহস্থাশ্রমতগী তুংচুনা লৈরিবনি ॥৬॥ তাইবং মীওইবনা যজ্ঞ তৌনরিবা, দানধর্ম্ম তৌনরিবা, ধ্যান তপস্যা তৌনরবা করিগুম্বা শুভকর্ম্ম অমতং তৌনরিবস গৃহস্থ আশ্রম লৈরম্বননি ॥৭॥

* আশ্রম মরিগী মধ্যদা গৃহস্থ শ্রম হায়বসিনা খ্বাইদগী অথোইবা ওইবত নত্তন মমাং মতুং আশ্রমশিংগী কেন্দ্রনি— য়ুম্ফাম্ন। আশ্রম অসি লৈরমত্রবদি আশ্রম অতোদি অমত লৈবা য়াবরোইরবি। পোকপ-দগী ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা নত্রগা সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈত্রবাশিং অদুদি আশ্রম অসিবু মুখ কে তোংনবনি। দানযজ্ঞ কয়া কয়াবু, অতিথিসেবা, সমাজসেবা, দেশসেবা অসিনচিংববু মুখ কে তো নবনি। মরম অদুনা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রম, সন্ন্যাসাশ্রমগী মহিমাগী গুণ শক্তিবসি, অমরোমদ হাংরবদি গৃহস্থ শ্রমগী মগুণ খাগংপনি। গৃহস্থ আশ্রমবু চাউথংহনগে হায়না হাংনবনি। অভকপা অমনা অতৈ আশ্রম অহুম অদুদ গৃহস্থ শ্রমদা লৈবা মীনা পাংথোকপা ওন্মি। সন্ন্যাসাশ্রমদি গৃহস্থাশ্রমগী বিধ পাঙথোকপা য়াদে। গৃহস্থ শ্রমীশিংদি নিষ্কাম-কর্ম্ম তৌদুনা চুম্নগী সন্ন্যাসী অমমগী হেন্না অচোবা খুঙম ফংথিবা— তাঞ্জবিবা য়াই। দেশকী সমাজগী উপ-কারী ওইবা, ধর্ম প্রচারক ওইবা মীশকপু পোকহল্লিবসি গৃহস্থ শ্রমনি। গুরুশিষ্যগী সম্বন্ধ পিতৃ মাতৃপ্রেম, পিতৃঋণ, মাতৃঋণ, দেবঋণ, ঋষি তর্পণ আসনচিংবসি গৃহস্থ শ্রমতনা পাঙথোকপ্লবনি। স্মৃতি শ্রু তকার, দার্শনিক কয়া কয়াবু গৃহস্থ শ্রমীশিংনা পোকহল্লে। ভগবদনা অমুমুক্ষু সংসারদা তাইবং মীশক কৌদুনা অবতার তৌবিরকিবসি গৃহস্থ শ্রমদা লৈবা মীশিংগী পাম্বাদ্দ দতনি। মরম অসিন হায়রিবা আশ্রম অসিগী তত্ত্ব খঙনা লৈরবদি মতুংগী বানপ্রস্থ অমদি সন্ন্যাস লৌবা অনীদুদা অমুক ওন্নত্রবস্থ য়ারে। অসিগুম্বা গৃহস্থাশ্রম অসিগী মহিমাবু স্যামরশ্মিনা হয়া হয়া ব্যাখ্যান তৌরি। (কালাচান্দ)

প্রজনাদ্ভিতিনিবৃত্তাঃ সর্ব্বে প্রাণভৃতো জনাঃ। প্রজনং চাপ্যুতাত্রৈব ন কথঞ্চন বিদ্যতে ॥৮॥
যান্তস্ত্র্যর্ব্বহিরোষধ্যো বহিষ্মণ্যাস্তথাত্রিজাঃ। ওষধিভ্যো বহির্যস্মাৎ প্রাণান্ কশ্চিন্নদৃশ্যতে ॥৯॥
কর্ত্তব্যা বাগ্ভবেৎ সত্যা মোক্ষানাস্তি গৃহাদিতি। অশ্রদ্দধানৈরপ্রাজ্ঞৈঃ সূক্ষ্মদর্শনবর্জ্জিতৈঃ ॥১০॥
নিরাশৈরলসৈঃ শান্তৈস্তপ্যমানৈঃ স্বকর্ম্মভিঃ। শমস্তোপরমঃ দৃষ্টঃ প্রব্রজ্যায়াম স্থিতৈঃ ॥১১॥
ত্রৈলোক্যস্যৈব হেতুর্হি মর্য্যাদা শাশ্বতী ধ্রুবা। ব্রাহ্মণো নাম ভগবান্ জন্মপ্রভৃতি পূজ্যতে ॥১২॥
প্রাগ্গর্ভাধানান্মন্ত্রা হি প্রবর্ত্তন্তে দ্বিজাতিষু। অবিশ্রব্ধেষু বর্ত্তন্তে বিশ্রব্ধেষ্বপ্যসংশ্রয়ম্ ॥১৩॥
দাহে পুনঃ সংশ্রয়ণে সংশ্রিতে পাত্রভোজনে। দানে গবাং পশূনাঞ্চ পিণ্ডানাঞ্চাপ্সু মজ্জনে ॥১৪॥

মা-মশূগী মশক উবগা হুংজাইজবা ফংনরিবসি গৃহস্থাশ্রমদনি। গার্হস্থ্যাশ্রম নত্তনা মচা-মশূবু উজবসি করিগুম্বা অতৈ আশ্রমদা ওইথোক্লবনি ॥৮॥ ইং, শীংমাং কুপ, তুম্নৌ, কৌ, গেহু, যগ, মনা-মশীং, হীদাক্ লাংতক্, নগর মলান্দা উমংদা হৌরবা হীদাক্ মনা-মশীং উহৈ-রাহৈ, অগা অথক্, চীংথক্তা হোরিবা মমল যাম্নবা উরী-রারী, চাবা যাবা য়েঙ্গাংনবী পুমমক অসগী অদিকারণদি গৃহস্থাশ্রম হায়বাসিনা ওইরিবনি। মরমদি— গৃহস্থাশ্রমদা লৈবা গৃহস্থশিংনা যজমান ওইনে যজ্ঞ তৌরগ লোকমদেস্থগী হ ইংথিবা মৈথু অহন নেং পল্লপা নো অহুংগী ঈশিং ওইনা তাংক্লনা হায়রিবা লৈপাক্তগী তৌব পানী পূম্ন কাসি পোকাথ্রবনি। হায়রিব অচা মশক্ যঙ্গাংনাপীশিং অসাদ খরায়গী মংকুনি। মখোশিং অদিদগী— তোডানবা পোৎশক মমত্ত লৈবা উদে ॥৯॥

"গৃহস্থাশ্রমগী ধর্ম ওকনা তারবাদ – মোক্ষ— মুক্তি-পদবী— অরান্বা খুভম হায়বত্রুদি ফাউরোই" আসগুম্বা ৱাডাও আনদি মশাদা শ্রদ্ধাভক্তি কায়মতা য়াওদবা, পণ্ডলবা, গৃহস্থধর্মগী তত্ত্ব মুক্ত্যা কূপনা য়েংশিন্নবা ঙমদ্রবা অহুগুম্বা মীওয়াশিংগীনি ॥১০॥

ভপশ্বরা লৈত্রবা, অম্নুরা, সংসারগী বিষয়কর্ম তৌবকপতনা চোকথরবা, মহানুংক্তী তৌক্তরকপা কর্মগী মহৈহুনা য়ারবা, অজ্ঞানী ওরবা মীশিংহুতনা সন্ন্যাসাশ্রমদা আশ্রয় লৌহুনা লৈথিবরা গৃহস্থ আশ্রমদা শান্তিগী শরূক ঈরৈ লৈতবগুম উই ॥১১॥ বৈদিককর্মশিংগী সনাতন ওইনা লৈরক্লিবা মান-মর্য্যাদা-তনা লোক অহুমগী কান্নবা উপায় ওইরি। কান্নবা ওইবতা নত্তনা কেওমনা চত্তব হান্দ্রবা উপায় ওইরি। ব্রাহ্মণ হায়বসি মকম মতম পূংদা পূজ্যণীয় ওইতুনা লৈরিবনি। হেক্ পোকপনগী হৌনা আশ্রম থুদিংগী মী পুম্নমক্তা পূজা তৌননীত্তয়গী মশক ওইহুনা ৱাক্ লাক্লি ॥১২॥ ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুম অসি গর্ভাধানগী মমাংদগী বেদগী মন্ত্রশিংবু শীনরি। প্রবৃত্তি নিবৃত্তিগী কর্ম পূম্ব ইহলোক পরলোক অনীমক্তী কর্ম পূম্বদা বেদশিংগী মন্ত্রশিং অসিগী প্রবৃত্তি ওইরক্লি ॥১৩॥

জীবনা হকচাং থাদোক্লুনা চংপ্রবা, অহুগ অশিবা হকচাংহুগী মৈদা সংস্কার তৌবতনা জীবনা অমুক্ত অভেম্না হকচাংদা চণ্ডথিবনা অশোমদা শিহৌম্বিবা মহক্তী শ্রাদ্ধ তর্পণনচিংবা তৌননবগী থবক্তা বৈতরণীগী দমক্তা খলনচিংবা অতৈ জীব জন্তুগী দান তৌবগী থবক্তা শ্রাদ্ধকর্ম লোইরগা পিণ্ডনচিংবত্ত ঈশিংদা বিসর্জন

অর্চিষ্মন্তো বর্হিষদঃ ক্রব্যাদাঃ পিতরস্তথা। মৃতস্থাপ্য ন মন্যন্তে মন্ত্রান্ মন্ত্রাশ্চ কারণম্ ॥১৫॥
এবং ক্রোশৎস্থ বেদেষু কুতো মোক্ষোঽস্তি কস্য চেৎ। ঋণবন্তো যদা মর্ত্ত্যাঃ পিতৃদেব দ্বিজাতিষু ॥১৬॥
শ্রিয়া বিহীনৈরলসৈঃ পণ্ডিতৈঃ সম্প্রবর্ত্তিতম্। বেদবাদাপবিজ্ঞানং সত্যাভাসমিবানৃতম্ ॥১৭॥

(থাদবা—ভাউথহনবা) গী থবক্তা বেদগী মন্ত্রশিং অসি থীনরিবনি—শরুরিবনি। পুম্নমক অসিগী মরুদি বেদমন্ত্র হায়বসিনা ওইরিবনি ॥১৪॥

অর্চিষ্মান্, বর্হিষদ্, ক্রব্যবাহ কৌবা পিতৃলোকশিং অদুনা কাওবা শিথ্রিবশিং অদুগী সুখ-শান্তি অমদি শেন্নবগী দমক্তা বেদমন্ত্রবু পাঠ তৌবা (থীবা) হায়বসিবু সমর্থন তৌরিবনি (তৌ হায়রিবনি) বেদমন্ত্রতনা ধর্ম-কর্ম পুম্নমক্কী মূল— মরুনি ॥১৫॥ *

বেদগী মন্ত্রনা হায়বদি— জ্ঞানতগী মশক ওইবা পরমাত্মাগী মন্ত্রনা অসুম হায়না হন্না হন্না লাউরি, মাদুদি— তাইবং মীওইবা! নংথায় পূম্নমক নোংমদোক্তকী লাইয়ামনী, পিতৃলোকশিংগী, ঋষিশিংগী লমন তোন্নবনি। অসুম হায়না লাউরকপা মংমসিদা, হায়বদি অসুম হায়না বেদন লাউরবাস তরবা থল্লা অগুম্বা মী অদুনা হায়রবাসমনশিং অসি বেদদা লাউরিবদুগী মতুংইন্না পিদোক্কে হাংরবদি অদুগা লমন অসিংগী মুক্তি (লাল্তোক্পা—লমন কোক্) হায়বদু ওইরগে হায়রগদি লমন মরাম অসি গৃহস্থ আশ্রমদ লৈতনদি শিংদোকপা থক্ যারোই ওইদু ওইথারবনি। মরমদি— গৃহস্থ আশ্রমদা লৈজনা করম্না পিতৃ-মাতৃ-তর্পণ ঋষি-তর্পণনচিবাস তৌগদৌরিবনো? ॥১৬॥

দান যজ্ঞনচিবা তৌননবা শ্রী (সম্পত্তি) লৈজদব, অংনবা, থবক শূপীংদবা অপণ্ডিতশিংনা "কর্মত্যাগ তৌবতনা অনানবা থুকম থং মবগী উপায়নি" হায়না হায়জনবতনি। অসিগুম্ব কর্মত্যাগ তৌবা মত

* নোংমদোক্তকা কাপ্রবা পিতৃলোক অসি অহুম থোক্না লৈ। মত্তালতনা মত্তালগী মশক ওইনা লৈবা কাওবু অমা, লৈচিন-নোংকাইনাচবগী মশক ওইনা লৈবা কাওবু অমা, অদুগা তাইবং মীওম্না পিশুনচিংবা চাহুনা লৈবা কাওবু অমা। ব্রাহ্মণশিংনা লাউরিবা— শক্তিবা, পচ্চপ তৌরিবসি হেওবা চাউবা কৌবা বেদ পাঠ?—উদগাতাশিং অদুনা নত্তে। বেদমন্ত্রশিংমক্তা ব্রাহ্মণশিংদুগী হকচাং থম্মোয়মদা চঙদুনা লাউরকপনি হায়না তৌগদবনি। আকাশদা লৈবা শব্দনা মশামক্তা শব্দায়মান ওইবা যাদে—থোক্লোকহনবা যাদে। মশান্তুন থায়না মন্ত্রক শেংনা শব্দনা শব্দায়মান্ ওইরকপনি ব্রাহ্মণশিংগী দেহসুদদগীনি। শব্দ থোক্লনবা ইন্দ্রিয়দ ব্রাহ্মণনি। অদুনা বেদগী চীনদি ব্রাহ্মণনি। 'ব্রাহ্মণোঽস্য মুখমাসীৎ'' হায়রিবদুনি। বেদগী চীন (মুখ) ওইবা ওমদবা ব্রাহ্মণ অদুদি ঈশিং লত্রব— ঈশিং চেন্নব পুথ্রী ভুরেলবু অসুম্— চেন-কৌনাখিবা, ভুপেল, পুথ্রী অদুগুম্বনি। ঈশিং লৈত্রবা পুথ্রীত্ত্ব 'পুথ্রী' হায়বা সংজ্ঞা অসি পীরুবগী থোইদোকপা মহৈ লৈত্রবদি— সংজ্ঞা অদু পীরুবগী কারিদি কাম্নে? মহৈ পীনাওডায় লৈত্রবমখৈ সংজ্ঞা পীরমদে, মাস্নমনা পাণিনি মুনিনা হায়। (কালাচান্দ)

न বৈ পাপৈর্হ্রিয়তে কৃষ্যতে বা যো ব্রাহ্মণো যজতে বেদশাস্ত্রৈঃ।
ঊর্দ্ধং যজ্ঞৈঃ পশুভিঃ সার্দ্ধমেতি সংতর্পিতস্তর্পয়তে চ কামৈঃ ॥১৮॥
ন বেদানাং পরিভবান্ন শাঠ্যেন ন মায়য়া। মহৎ প্রাপ্নোতি পুরুষো ব্রহ্মণি ব্রহ্ম বিন্দতি ॥১৯॥

কপিল উবাচ।

দর্শঞ্চ পৌর্ণমাসঞ্চ অগ্নিহোত্রঞ্চ ধীমতঃ। চাতুর্মাস্যানি চৈবা সংস্তেষু ধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥২০॥
অনারম্ভাঃ ধৃতয়ঃ শুচয়ো ব্রহ্মসংজ্ঞিতাঃ। ব্রহ্মণৈব স্মতেদেবাং স্তর্পয়ন্তমেতৈষিণঃ॥২১॥
সর্ব্বভূতাত্মভূতস্য সর্ব্বভূতানি পশ্যতঃ। দেবাঽপি মার্গে মুহ্যন্তি অপদস্য পদৈষিণঃ ॥২২॥

(লম্বী মাগ) অসি অতনবা মথোয়তনা হৌদোকহনি— লিখংলহনি। ত্তায়রিবা কর্মত্যাগ হায়বা সংসারগী বিষয় পুম্নমক থাদোকপা হায়বা অসিদি হায়দোকপদা অদুগা অহানবা হেক তাবতদা ওন্থোক্লা কজবা লুপ্তাইবা অনায়বা লম্বী অমা ওইনা তায়। অদুবু মুন্না থন্নরবদি মাসি মীনম্বা নমথাক্ তৌবা হাকম অমা ওইনা লোবই। হায়রিবা মত্ত অসিদা কৈনিবা চঙ্লিবা মথাক্ অদুদি— মথোয় মথোয়গী মখলদা বেদগী— জ্ঞান-গী মংক্ অমতা থাদবা মাংদ্রে হয়বা মশানা তক্চবনি। বেদগী সিদ্ধান্তগী মরমদা উদগী তাবন্থক্ পশুলবনি হায়না হায়জবতনি ॥ ৭॥ বেদগী হায়রিবা বিধি অসিগী মতু ইন্না কর্ম তৌরিবা তৌংলিবা ব্রাহ্মণ অদুদি করিগুম্বা পাপ অমতনা মাগী মথক্তা অক্রমণ তৌরকপা ত্তমদে। অদুগ পাপশিংদুনা পুন্নপ হৌ-দুনা ব্রাহ্মণ মহাক অদুবু মথোয়রোমদা চিংশনবা ত্তংদে। মহাক অদুদি মশানা তৌজখিবা যজ্ঞ তপস্যা অদুগী মহেগা লোয়ননা মপোক্ অসিদগী হন্না পুংস্নবা মতাক (লোক) অমদা চংখি। ভোগ মথল মথল হুনা অদুগা অতোপ্পা মশি বুস্নু পীজদুনা পেলহল্লি ॥১৮॥

বেদনা থাউনিবা হায়রিবসিবু মনাকস্তদা হাপজবা মী অদুদি, অদুগা নমথাক্ লোনমতনা মানা থোকপা তৌরবা মী মহাক অদুদ কাদগুম্ব মতমদা পরব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংবা ত্তমদে। হায়বদি— পরম আত্মা মহাকপু জ্ঞানগী মীত্তনা উজবগী সুত্তংবদু ফংবা ত্তমদে। বেদদা হায়রিবদুগী মতুংইন্না কর্ম তৌরবতদা পরংব্রহ্ম পরমাত্মাবু ফংবা ত্তম্লিবনি ॥১৯॥

কপিলনা হায়,— বুদ্ধিমান্ ওইব অনিংবশিংগী দমক্তি— দর্শ, পৌর্ণমাস, অগ্নিহোত্র, অমদি চাতুর্মাস্য ব্রত অসিনচিংবসি শোয়দনা ত্তাককম তৌকম থোকই। সনাতন-ধর্ম শায়রিবসি মথোয় অসিদা অয়াম্বা লৈ॥ সন্ন্যস্থর্ম্ম লোরা লনথুম মচা-মশু ফংনরবগী, স্বর্গনিংবা কংনবগী করিগুম্বা যাগ-যজ্ঞনচিবা কর্ম্মগুম্বা তৌদনা পুক্নী হকচাং তশেং তশেং চনীংশানা তথা, ব্রহ্মগী ধ্যানতদা লুপদুনা পৈশ্রবা মথোয়শিংদুদি অমাং-অতা লৈত্রবা ব্রহ্মজ্ঞান ফংদুনা মর্তলোক পিতৃলোক অমদি দেবতাশিংবু পেলহল্লি হায়বদি জ্ঞান-তনা মচাক ওইদুনা দেবতাশিংদুগী তর্পণ তৌই ॥২০—২১॥ মশা মথন্তনা জীব শানবা পুম্নংকী আত্মা ওইদুনা লৈরবা, জীব শানবা পুম্নমলপু মশামককুম চপ নান্নবা উরবা, মশাগী পদ (পদবী) থৌথম থমদনা অত্তোপ্পগী পদবী (জীক্রম) বু কুপ্পা নৈনদুনা য়েংশিল্লিবা মথোয় অদুগী লম্বীদি হায়বদি— মথোয়দুগী

চক্ষুর্দ্বারং পুরুষং চতুর্মুখং চতুর্ধা চৈনমুপযাতি বাচা।
বাহুভ্যাং বাচঃ উদরাদুপস্থাত্তেষাং দ্বারং দ্বারপালো বুভূষেৎ ॥২৩॥
নাক্ষৈর্দীব্যেন্নাদদীতান্য চিত্তং ন বায়নীয়স্য ভৃতং প্রগৃহ্ণাৎ।
ক্রুদ্ধো ন চৈব প্রহরেত ধীমান্ তথাস্য তৎপাণিপাদং সুগুপ্তম্ ॥২৪॥
নাক্রোশমৃচ্ছেন্ন মৃষা বদেচ্চ ন পৈশুনং জনবাদং চ কুর্য্যাৎ।
সত্যব্রতো মিতভাষোঽপ্রমত্তস্তথাস্য বাগ্দ্বারমথো সুগুপ্তম্ ॥২৫॥
নানাশনঃ স্যান্ন মহাশনঃ স্যাদলোলুপঃ সাধুভিরাগতঃ স্যাৎ।
যাত্রার্থমাহারমিহাদদীত তথাস্য স্যাজ্জঠরদ্বারগুপ্তিঃ ॥২৬॥
ন বীরপত্নীং বিহরেত নারীং ন চাপি নারীমনৃতাবাহ্বয়ীত।
ভার্য্যাব্রতং হ্যাত্মনি ধারয়ীত তথাস্যোপস্থদ্বারগুপ্তির্ভবেৎ ॥২৭॥

সরুশিবু থিবদি দেবতাশিংমক্ত লৈদা কম্মুক্তে ॥২২॥ ... মীওইবগী হকচাংদা খোঙ খুৎ, চীল, পুক্, লিঙ্গ মরি অসি থংনিন। হাৎরিবা খোঙ মরি অসিগী পাওহৈবা ওইগনি। হায়বদি— মরি অসিবু শেম্বনা মখোয়দা কনামক্ত চঙহনগনবনি। শাস্ত্রগী নিয়ম বিধি মন্থংইরা মরি অসিবু খুত্থম চল্লগা ফংগদৌরবা, ঋক যজু সাম অথর্ব্ব বেদ পরিনা মাগী চীল (মায়খোঙ) ওইরিবা, মতম অমত্তদা মথন্তনা মায়রৈগে মরি পাল্লবা ভগবান্ পরমপুরুষ ও বা মহাকপু ভক্তিযোগনা নত্ত্রগা কর্মযোগনা নত্ত্রগা প্রাণায়াম অসিনচিবা অষ্টাঙ্গযোগনা ফংঙ ফংমনবা তোংনৈ ॥২৩॥ অশিংবু মীনা পোম্বা ত্তৌন-চুনা থক্ শাম্নরোইদৌবনি। হায়বদি জুরা (জুবার) নাচিবা শায়রোইদবনি। অশেং-অমাং খত্তনবা— অতেন্‌বা মীনা খোংবা থাক্‌পা অগ-অথক্ থক্ চাবোইদৌবনি। শাউদুনা, অকল-অয়ীং শীদুনা মী (জীব) অমবু থক্ ফরোইহাংদোইদৌবনি। অদুম তৌরবতনা খোঙ খুৎ কোবা খোঙ অসিবু ওাক্-শেন্দুনা থম্বা হায়বদু অদুম মওইরে ॥ ২৪॥ কনাগুম্বা হকিগুম্বা অমগী মফমদা চৈবা থাংবনচিংবা নিন্দা তৌবগী ৱাঙাঙ অসি থক্ তৌরাইদবনি। অরেম্বা কাম্নবা, মথাদম্থ মীত্তোন্দম্থ কাম্নরোইদৌবা রা রম থক্ ওাঙলোই-দৌবনি। মীগী মংংদা থীনা ওাঙব, চীরোম্নচিংবা থক্ তৌরোইদৌবনি। ৱাম্বিবমখৈ রা য়াম্না ওাঙ-লোংইদৌবনি, অর্থ য়াম্না লৈবা রাহৈ অমনীদং শীজিংবগা লোইরে। অচুম্বা থাঙ্গেশেংবা রা-ত ওাঙগনবনি হায়দোক্লদবনি। ওাঙলিবদুগী মংংদা ওইদবা মীনম্বা রাহৈ রাওথিৎনবা য়াম্না কম্না হোৎনগদবনি চোক্‌শিন্‌গদবনি। অদুম তৌরবতনা চীল কৌব ইন্দ্রিয় (খোঙ) অসিবু ওাক-শেন্দুনা শওনা লৈবা হায়বদু অদুম মওইরে ॥২৫॥ কাম্নদবদা নরা থক্ হল্লোইদৌবনি। মাত্রা য়াম্না হেন্নম্থ থক্ চারোইদৌবনি। চীলহাঙ খিরোইদবনি। লাম্থন্দুনা মীওোন্দা হায়জ-খাচ্চদুনা কোয়থি খিরোইদবনি। সজ্জন ওইবা মী-ত ত্তিন্নগ-দবনি। হিংনবা— পুক অমব ফাওবগীতা চাগদবনি। অদুম তৌরদুনা পুক্ খোঙ অসিবু ত্তোক্‌শিন্না শওদুনা লৈবা হায়বদুনি ॥২৬॥ যুধিষ্ঠির। নহাক্কী ধর্মপত্নী (লোয়নবী) অদুতগা শাম্নিমগদবনি— ত্তিন্ন-

দ্বারাণি যস্য সর্ব্বাণি সুগুপ্তানি মনীষিণঃ। উপস্থমুদরং বাহু বাক্ চতুর্থী চ বৈ দ্বিজঃ ॥২৮॥
মোঘান্যগুপ্তদ্বারস্য সর্ব্বাণ্যেব ভবন্ত্যুত। কিং তস্য তপসা কার্য্যং কিং যজ্ঞেন কিমাত্মনা ॥২৯॥
অনুত্তরীয়বসনমনুপস্তীর্ণশায়িনম্। বাহুপধানং শং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩০॥
দ্বন্দ্বারামেষু সর্ব্বেষু য একো রমতে মুনিঃ। পরেষামননুধ্যায়ং তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩১॥
যেন সর্ব্বমিদং বুদ্ধং প্রকৃতির্বিকৃতিশ্চ যা। গতিজ্ঞঃ সর্ব্বভূতানাং তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩২॥
অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সর্ব্বেষামভয়ং যতঃ। সর্ব্বভূতাত্মভূতো যস্তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩৩॥
নান্তরেণানুজানন্তি দানযজ্ঞক্রিয়াফলম্। অবিজ্ঞায় চ তৎ সর্ব্বমন্যং রোচয়তে ফলম্ ॥৩৪॥
স্বকর্ম্মভিঃ সংশ্রিতানাং তপো ঘোরত্বমাগতম্। তং সদাচারমাশ্রিত্য পুরাণং শাশ্বতং ধ্রুবম্ ॥৩৫॥

খো নগদবনি। অতেপ্পনী থুপী নহাশিংগা খক্ তিন্না থানরোইদ্রা হৈবনি। নহাক্কী থুপী কাওবা খাতুম্নন তৌত্রিমখৈ নহাক্কী কৌনি লা তৌবনি, হমহ কুইরোবনি। এক তুম্ব্রত কৌব ব্রত অতু পুক্কী দা কাওবা থা ন তৌগদবনি অদুন তৌবদুন লিঙ্গদ্বার পাঙ্গসবু শেন্নদুনা থম্বা— ভাকুপ হায়বনি ॥২৭॥

হায়রিবা থাও, খুং চীপ লিঙ্গ মরি অসিবু মথক্কী হায়রিবা ব্রত অসি তৌদুনা লেম্লরিবা—মাকুশিন্না শঙলিবা— ভাক্কিবা অশিংবু মহাক্কী থাঙ্গেপেংবু ব্রাহ্মণ হায়বনি ॥২৮॥ হায়রিবা বিধি অসিদা থোঙ মরি অসিবু নীংথনা শঙদনা উমদবা মী মহাক্কী অদুগী ধ্যান তপস্যা নাইবা শুভকর্ম্ম পূজা অদুম্ম ভাক্কু ওই। মহাক্কী ধ্যান তপস্যা ব্রত উপবাস, আধ্যাত্মিক বিচার অমসুং জ্ঞান অদুনা মতৌ কৈদৌরিবনো? ॥২৯॥ মহাক্কী কি হায়রবু মথক্কী শেংলিবা কংলোটী অক্তমক ওইরবা, ইন্ বা ইমক্কি মচেৎ অমা কাওবা য়াওরবা হীপ্প-তুমবা খক্ মচেৎ অম ফাংবা হৈরবা, মখোম মখুত্তা মোনথাংনবা, অদুম তৌরগা কাওবদা ঈজুং ভুংগাইনা লৈথোক্লবা মহাক অদুবু দেবতাশিংনা ব্রাহ্মণ কৌই ॥৩০॥

অঙ্গৈবা অশাবা, অরাবা নুংঙাইবা, কায়নতিনবা অসিনচিবা অনী থোকপগী মায়থলশিং অসি মশানি অনী থোক্কবা চনীংঙান লেপদুনা লৈরিবা, অতেপ্পা নিংথৌ অমগী থোংনা থল্লুনা লৈরিবা মুনি মহাক অদুবু দেবতাশিংনা ব্রাহ্মণনি হায়রৈ ॥৩১॥ বিশ্ব জগৎ অসিদা লৈরিবা অচ্ছেত্তা থুনিংমক অনিত্য হায়না উরিবা থঙলিবা প্রকৃতিগী অদুগা মগী বিকারশিং অসিগী তত্ত্ববু মুপ্না থঙলিবা মহক্কুবু দেবতাশিংনা ব্রহ্মজ্ঞানী ব্রাহ্মণনি হায়না থরৈ ॥৩২॥ করিগুম্বা কনাগুম্বা অমগী মকমদা অকিবা-চিংনবা লৈত্রবা মী মহাক অদুবু দেবতাশিংনা ব্রহ্মজ্ঞানী ব্রাহ্মণনি হায়না থরৈ ॥৩৩॥

অপওবশিংনা দান যজ্ঞনচিংবগী মহৈদৃত্তা মপাম্মি। যোগ অভ্যাস তৌবা, তত্ত্বজ্ঞানচিংবগী করিমতা থওদে, অগোয়নতুম— নোইক্কে - করেম্মৈ, নিন্দা তাঙ্গ খুংক্তা অনিত্য ওইব মহৈ পীবা দান যজ্ঞ অদু নত্তনা মখেয়না কনিনত্ত থন্দে— থওদে। অহান্ না খুভং (মুক্ত পদবী) পীরিব সাধনশং অদুগী ভুত থওদবন ইহলোক পরলোক অমাদ স্বর্গনচিবগী সুখ সম্পত্ত ফবা অদুগা মপাম্ম ॥৩৪॥ অদুগা কুইরবা নকমনরগী চংনয়রবা, অরেম্মা লেওত্রবা ওইবা যোগপা মরম লৈনবা সদাচারগী অঙ্গার লোক্লুনা, মশাগী

অনল্পং বস্তুস্তরিতুং কিঞ্চিৎ ধর্মেষু দৃশ্যতে । নিয়াজমং আচারো হ্যপ্রসাদোহপরাত্তবঃ ॥৩৬॥
ফলবন্তি চ কর্মাণি বৃষ্টিমন্তি ধ্রুবাণি চ । বিগুণানি চ পশ্যন্তি তথা নৈকান্তিকানি চ ॥৩৭॥
গুণাশ্চাত্র সুদুজ্ঞেয়া জ্ঞাতাশ্চাত্র সুদুষ্করাঃ । অনুষ্ঠিতাশ্চান্তবন্ত ইতি স্যমন্তপশ্যতি ॥৩৮॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ ।

যদা চ বেদপ্রামাণ্যং ত্যাগশ্চ সফলো যথা । তং পন্থানাবুভৌ ব্যক্তৌ ভগবং স্তং বদস্ব মে ॥৩৯॥

মথৌদা পুক্লৌং চঙলিবা জ্ঞানীশিং অদুমা তৌদা তপস্যাদি মথং মথং শুম্ কনশিল্লকই ॥৩৫॥ প্রবৃত্তিমার্গদা লৈবা মীদি যোগশাস্ত্রদা হায়রিবা যম নিয়ম আসন প্রাণায়ামনচিংব অনুষ্ঠান ময়াম অদু নীওথিনা পাঙ-থোকপা ঙমদে। অদুগা যোগগা মরম লৈদনবা অনুষ্ঠান অসিদি মাগী আপত্তি চঙবা মাত্রবা কাম ক্রোধ-লশিংবদগী মায়থীবা সংত্রবনি ॥৩৬॥ যোগশাস্ত্রনা হায়রিবা তাক্লিবা ধর্মশিং অসিদি অথোইবা মহৈব পীন-হৈ নি। তাইবং মী সাধক অদুগী পুনশিদা চাউখৎপবু পীনহৈরবনি। যোগসাধনহুমকন্ন অদুগা মহাকনা পীব মহৈহুন্ন অনীমক স্থারীনি। হোৎনোক্ হোৎজিন তৌব যাত্রনা অরেপ্পনি। অসি মোনা মগুণ লেবা অনুষ্ঠান অসিবু প্রবৃত্তিমার্গদা লৈবা মীনদি হায়বনি— সংসার বিষয় কর্মশিং অসিদা পুক্লৌং চঙবশিংনদি অয়েঙ্বা ঈকান্ কাম্লদবা ওইনা খল্লি ॥৩৭॥ সংসারগী পদার্থগী গুণশিং অসিনা থরক্কী মশক ওইদুনা থোক্-লক্লব যাগ-যজ্ঞশিং অসিগী তত্ত্ব মুম্ম খঙবা হায়বসি— যম্ম অক্লবা পোৎ অমনি। তত্ত্বব খঙলগা— মাদুগী মক্লৈম্মা থবক ওইনা তোকপনবা হায়বসিনা অমুক লেম্না লুই। থবক থোক্লা অনুষ্ঠান তৌরবদা, মাদুদগী কংগুকপা মহৈ অদু নাশবন্— মাঙ থপদবা ওক্ক ওইরিবনি। হায়রিবা মাশিসে নহাকন্ন খঙলি-জরিবহুনি ॥৩৮॥

স্যূমরশ্মিনা হায়,— ভগবন্। "কর্ম তৌ" "কর্ম থাদোকউ" হায়বা অনী অসিদি হায়বনি—প্রবৃত্তি নিবৃত্তি হায়রিবা অনী অসিদি অমগামগা বিরোধী ওইরি। মার্গ অনীসিবু প্রতিপাদন তৌরিবা হায়বদি মার্গ অনীসিমক্ চংশু হায়না তাক্লিবা বেদ অসিদা কব্রি প্রামাণিকতা লৈবগে কনুম হায়না থাজকম থোক্-পগে? ত্যাগ (থাদোকপা) হায়রবমক্তদা মহাক্কী মহৈ যানবা হায়বসিনা অমুক কব্রি হায়রিবনে? মাসি লেংনা অমুক্তা তাকপিয় ॥৩৯॥ *

* য়েংনবিবসি প্রবৃত্তি নিবৃত্তি মার্গ অনীগী মরক্তনি। প্রবৃত্তিমার্গী স্যূমরশ্মিনা হায়রিবনা— কর্ম পূর্ণ-মক করিগী থাদোকইগদগে? থাদোকপস্ত যারোই। যাগ যজ্ঞনচংবা কর্মশিং অসিদি অশুক্ক তৌকম থোক্ই। প্রত্যক্ষ ওইবা মহৈস্ন ফঙ্ডি, অসিনি। নিবৃত্তিমার্গী কপিলনা হায়রিবনা— যাগ-যজ্ঞ-দাননচিংব কর্ম পুম্নমকপী নিবৃত্ত ওইদুনা হন্দোরকুনা যোগসাধনদা, ধ্যান তপস্যাদি পুক্লৌং চঙদুনা লৈগদবনি। অমাঙ অতা লৈত্রবা মহৈ ফঙ্ডি অসিনি। মাসিদা স্যূমরশ্মি হায়বসিনা য়েংলবনা— ত্যাগ তৌরবা থাদোক্রবমক্তদা মহৈ কনবা হায়বদি করি হায়রিবনো— অসিনি। য়েংলিবসিগী তাৎপর্য— ত্যাগ-তি হায়বগা মহৈগী ত্যাগতি

কপিল উবাচ।

প্রত্যক্ষমিহ পশ্যন্তি ভবন্তঃ সৎপথে স্থিতাঃ। প্রত্যক্ষং তু কিমত্রাস্তি যদ্ভবন্ত উপাসতে ॥৪০॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

স্যূমরশ্মিরহং ব্রহ্মন্ জিজ্ঞাসার্থমিহাগতঃ। শ্রেয়স্কামঃ প্রত্যবোচমার্জ্জবান্ন বিবক্ষয়া ॥৪১॥
ইমং চ সংশয়ং ঘোরং ভগবান্ প্রব্রবীতু মে। প্রত্যক্ষমিহ পশ্যন্তো ভবন্তঃ সৎপথে স্থিতাঃ ॥
কিমত্র প্রত্যক্ষতমং ভবন্তো যদুপাসতে ॥৪২॥
অনুত্র তর্কশাস্ত্রজ্ঞা আগমার্থং যথাক্রমম্। আগমো বেদবাদাস্তু তর্কশাস্ত্রাণি চাগমঃ ॥৪৩॥

কপিলনা হায়.— যোগগী চৎচাবা অচুম্বা মার্গনা লৈরবদি, মাতুগী প্রত্যক্ষ ওইবা মীংনা শংশংনা উবা মতৌদো খঙবি উবিগনি। অতুগা কর্মমার্গনা লৈ হায়বিরিবা যাগ-যজ্ঞনি হায়দুনা তৌবিরিবা কর্মশিং অদুগী মতৌদি প্রত্যক্ষ ওইবা করিদি ফংবিরে? ॥৪০॥

স্যূমরশ্মিনা হায়,— ব্রহ্মণ! ঐগী মিং স্যূমরশ্মি কৌই। ঐ জ্ঞান খরদং ফংজগে হায়দুনা মফমসিদা লাকচবনি। মপোকসিনগী মঙগী দমক্তা চুম্বগী ঈচম্ চম্না— লৌথুপ-লৌকোই লৈতনা ব্রাহ্মণ নঙোন্দা হংজবনি তর্ক তৌনগে — মরম য়েংনগে হায়বগী দমক হংজবা নত্তে ॥৪১॥ ঐগী পুক্কী অসিদা ওস্তোক্‌লবা চাউরবা অকিবগী মশক ফংলবা চিংনবা অমা লৈরে। মাসে ব্রহ্মণ নহাক্‌না কোকহনবা ওম্বিগনি। অচুম্বা লম্বীদা চংদুনা সদাচারী ওইনা লৈরগা যোগমার্গগী মতৌ অদু প্রত্যক্ষ ওইনা উবা ফংগনি হায়না তাক্‌-লিরি। ঐনা সিমতং হংজনীঙিঙ— অদুগুম্বা ইষ্টদেব অদুগীদমক্তা ধ্যান যোগ সাধন তৌদুনা উপাসনা তৌবিরি। যৌক্তিক তৌজিকী মপোক— ইহলোক অসিদা মাতুগী প্রত্যক্ষ ওইবা মতৌ করি ফংবিরগে? ফংবিরবদি মতৌ অদুদি কদায়দো করিনো? তর্ক-বিতর্ক ন্যায়গী নিয়ম অমদি য়াওজ য়াওদনা তাকপিয়ু। আগম নিগমগী তত্ত্বসু লায়না থত্তবা য়াবা মওংদা তাকপিয়ু। বেদগী মত অমদি অর্থ তত্ত্ব কায়দনা লাক্রিবা শাস্ত্র অদুনি আগম হায়বনি। তর্কশাস্ত্রসু বেদগী মত কায়দনা লাক্রিবমখৈ আগমনি ॥৪৩॥ *

কৈদোম্না তৌবা ওমদবগে? মতৌমচৌবু ওইরবদি প্রবৃত্তিমার্গ অসিদি মশানা মতৌগীদমক্তা অদুম মরমরবনি। অদুগা প্রবৃত্তিমার্গনা পীবা মতৌগা নিবৃত্তিমার্গনা পীবা মতৌগা করি খেন্নবগে? মতৌ হায়বসিতবু মওইরবদি বিনাশী অনিত্য অস্থায়ী (কুইনা লৈতবা) হায়বদো অদুম মওইরবনি। অদুনা প্রবৃত্তিমার্গদগী নিবৃত্তিমার্গনা হেন্নিবসি কদায়দনো?— অসিনি। অদুম্না স্যূমরশ্মিনা য়েংলি। কালাচাঁদ)

* "আগম-নিগম" হায়বা য়াউ অসিসি ব্যাকরণগী মতুংইন্না হায়রবদি বেদগী মপোপ ঈকায় কায়দনা অর্থ মচেং অমতা চিংথনদনা লাকপ —ধারকপা হায়বনি। বেদগী অর্থতত্ত্বসু য়েংনীঙবায় পুখোক্তে মীমাংসা পীগে হায়বগীদমক মীমাংসা তর্কশাস্ত্রনচিংহসি লৈরিবনি। পূর্ব্বমীমাংসা, উত্তরমীমাংসা, কর্ম্মকাণ্ড, বেদান্ত পুম্নমক আগমনি। (কালাচাঁদ)

যথাশ্রমমুপালীত্ত আগমস্তত্র সিধ্যতি। সিদ্ধি প্রত্যক্ষরূপা চ দৃশ্য ত্যাগমনিশ্চয়াৎ ॥৪৪॥
মৌর্নাবীব নিবদ্ধা হি স্রোতসাসা নিবন্ধনা। হ্রিয়মানা কথং বিপ্র কুবুদ্ধিস্তারয়িষ্যতি ॥
এতৎ ব্রবীতু ভগবানুপয়োহস্ম্য ধীহি ভোঃ ॥৪৫॥
নৈব ত্যাগী ন সন্তুষ্টো নাশোকো ন নিরাময়ঃ। নানির্বিবিৎসোনাবৃত্তো নাপবৃত্তোঽস্তি কশ্চন ॥৪৬॥
ভবন্তোঽপি চ হৃষ্যন্তি শোচন্তি যথ বয়ম্। ইন্দ্রিয়ার্থশ্চ ভবতাং সমানাঃ সর্ব্বজন্তুষু ॥৪৭॥
এবং চতুর্ণাং বর্ণানা সাশ্রমাণাং প্রবৃত্তিষু। একমালম্বমানানাং নির্ণয়ে কিং নিরাময়ম্ ॥৪৮॥

কপিল উবাচ।

যৎ যদা চরতে শাস্ত্রমর্থ্যাং সর্ব্বপ্রবৃত্তিষু। যস্তি যত্র অনুষ্ঠানং তত্র তত্র নিরাময়ম্ ॥৪৯॥

আশ্রম-আশ্রম অদুগী শাস্ত্রনা বিধান তৌরিবা ধর্ম্ম অদু শোয়দনাপাওথোকদৌবনি। আশ্রম-আশ্রমগী ধর্ম্ম অদু পুন্নীং চত্তনা পালন তৌগদবনি। মকম-মকম অদুগী ধর্ম্ম অদু তাক্লচ'নরবত্তদ মকম-মকম অদুগী, হায়বদি আশ্রম-আশ্রম অদুগী ধর্ম্মবু বিধান তৌরিবা আগম-নিগম মহৈ য়াম্লিনি। শাস্ত্রদা লেপ্প-খিবা অদুবু কায়দনা চৎলবদি সিদ্ধিগী মহৈ (ফল) অদু প্রত্যক্ষ ওইনা উবাকংত্তি। ॥৪৪॥

মায়কৈ-অকম অমদা চৎকদৌরিবা হি অদু অতোপ্পা মায়কৈ-মকম অমদা চৎলিবা নত্রগা চৎকদৌরিবা অতোপ্পা হি অমদা কাজিন-কিশিল্লবদি ঈচেল্লা থিংদুনা নাকল অমরোমদা পুথোকথিদুনা, মাদুনা তোংলিবা মী অদু মানা য়োংগে চৎকে খল্লিবা মকম অদুনা য়োব-চৎপা ঙমদে। মতৌ অদুগুম্না ঐথোয়গী নহালচকী মপোকী কর্ম্মগী বন্ধন অদুনা কাজিন্নবী কর্ম্মগী মশক ওইরবী হি অসিনা তোংথংলগা করম হায়না ঐথোয়বু সংসারগী ঈশাংপু লাম্লোকহনগদৌরিবনো? ॥৪৫॥

থাকৈশেংনা হায়রবদি সংসার অসিগী অমত লৈতে, মপুংকানা পেঞ্জরবা অমত লৈতে। অরা অনা নংদবা, মুংঙাইবগী শরুকত ওইবা অমত লৈতে। মশাদা লাংনন লৈতবা অমত লৈতে। কর্ম্ম অমত তৌনিংবা লৈত্রবা মী হায়বা মীশক অমত লৈতে। করিগুম্বা বিষয় অমদা আসক্তি অমত্তা থমদ্রবা মীনি হায়বা লৈতে। মপুং ধর্ম্মত্যাগী ওইরবা মীশক অমতসু লৈতবনি। ॥৪৬॥

মহাজ্ঞানী নিবৃত্তিমার্গী ওইবিরবা ব্রহ্মার নহাকসু মীচম ঐথোয়না তৌগুম্ন য়াদি-কুওইরি, কপ্পি-নোক্নি, লৌশিল্লি পীথোক্লি। অতৈ অতৈ অতোপ্প জীবপ নবগিংনা তৌবগুম্না রূপরসগন্ধ স্পর্শ শব্দ বিষয়া মত্তা অসি ব্রাহ্মণ নহক্কসু সেবন অদুম মতৌবিব ॥৪৭॥

অদুনা, মুম্না খন্দরবনি ব্রহ্মচর্য্য-গার্হস্থ্য বানপ্রস্থ সন্ন্যাস—হায়রিবা আশ্রম মরি অসিদা লৈরিবা মী খুদিংমক প্রবৃত্তি মার্গতদা লৈ হায়বা য়াই। প্রবৃত্তি মার্গদা লৈদুনা মুংঙাইনকম্ ওইবা আরাবা লৈতবা মকম্ অদুনত প্রকৃত ওইদুনা লৈ। অদুনা আশ্রম খুদিংদা লৈরিবা অমাও অতা লৈতবা মুংঙাইবা অসি করিনো—মাদু তাকপিয়ু ॥৪৮॥ কপিলনা হায়:— শাস্ত্র খুদিংমক্ত তাক্লি তাক্লিবা বিধানশিংদু প্রবৃত্তি মার্গতদা মহৈ য়াম্লিবনি। করিগুম্বা সাধন অমগীদমক্ করিগুম্বা মকমদা

জ্ঞানং প্রাধান্যতে সর্ব্বং যো জ্ঞানং হ্যনুবর্ত্ততে। জ্ঞানাদপেতা যা বৃত্তিঃ সা বিনাশয়তি প্রজাঃ ॥৫০॥

ভবন্তো জ্ঞানিনো ব্যক্তং সর্ব্বতশ্চ নিরাময়াঃ। ঐকাত্ম্যং নাম কাশ্চিদ্ধি কদাচিদুপপদ্যতে ॥৫১॥

শাস্ত্রং হ্যবুদ্ধ্বা তত্ত্বেন কেচিদ্ বাদবলাজ্জনাঃ। কামদ্বেষাভিভূতত্বাদহংকারবশং গতাঃ ॥৫২॥

তৌব্বিবা অস্তুষ্ঠান অদুনা মতম অদুতনা অমাঙ অস্তা লৈত্রবা মহৈ অহু পী। ॥৪৯॥

জ্ঞানগী মতুংইন্না কর্মতৌব্বিবা মহাক অদুগী বিষয়বন্ধন পম্মক জ্ঞান অদুনা লোইনা মাংহল্লি। কর্মদা প্রবৃত্ত ওইরবনি হায়দুনস্থ জ্ঞানগা লোয়নত্রবী প্রবৃত্তি অদুদি মশামথন্তবু ভ নত্তনা প্রজা (মচামশূ-পরিবার) বু পোকপশিবগী লাংনা থাদৈ ॥৫০॥

ময়াম লৈবিরিবশিংসে জ্ঞানী পণ্ডিত ভাক্ক ওইনা লৈবিরি। পোৎ খুদিংমকী কূপ্পবা তত্ত্ব চনীংভানা থওবিরবনি। পুক্কিং অমদি হকচাং অনীমক্তা কয়িগুম্বা বিষয়গী রোগ অমত্ত লৈবিত্রবনি। অদুবু, জ্ঞানী ওইবিরিবশিং অসিগী মপুংদা কনাগুম্বা অমতনা ‘একাত্মতা” বু ফংব্রা য়াওবিথ্রবব্রা ? ॥৫১॥ *

শাস্ত্রনা হায়রিবদুবু থাঙ্গেশেংনা শওদবদগী অমগমগা মরৈ শাংদান্নদুনা, বাদ-বিবাদ তৌনদুনা, খণ্ডণ মণ্ডণ তৌনদুনা, অমনা খুম্বা ভমগন্নে ইনৌবগী হোৎনরি। অমনা য়েংশিবদু চুম্মি হায়না খণ্ডন খণ্ডনা মাদুবু ককনবগী হোৎনরি। জ্ঞানীনি পণ্ডিতনিদি হায়রগা অদুম্বু ককনবগী হোৎনরি। অহংকারদা ভাউত্রবা মনা মখেল নিচং নিংথোল ফংগনবগী হোৎনরি। অমনা ভনত্রগা কল্লকপা মিহৌবা অশাউবগী লাংদা তারি। অদুবা শাস্ত্র তত্ত্বগী, হৈবগী, জ্ঞানী ওইবগী মহৈদে ? ॥৫২॥

* জ্ঞানী নি, দার্শনিক নি, হায়দুনা লৈরিবা, হুমিং চূপ্পা জাবগী ব্রহ্মগী তত্ত্ব খিদুনা থৎনদুনা লৈরিবা অদুগা মনান্নবা অজ্ঞানী পণ্ডিত অমবু শাস্ত্রথ (য়েৎনবা) দা ভমদুনা নিংথৌগী মনামথেল-নিংথোন্নচিংব ফংলবশিং অদুগী মপুংদা কনা অমতনা একাত্মতা বু ফংব হায়বসিতদি মরৈখিদ্রে। মপাম্পোংদা, চৌথান্দা, আত্মা হায়বসিদি অমতনি, ব্রহ্ম হায়বসিসু অমতনি, ব্রহ্মসু অমত্তনি অসিনচিংব হায়নসদদি অদুগা চুম্মি হায়না মীমাংদা পীনবনদি মহাপণ্ডিত জ্ঞানী মক্ক ওইনরি। অদুবু থাঙ্গেশেংনা, মপাম্পোংদা, থবক্তা, একাত্মতাগী ভাব অদুবু দি ফংনবা মরৈখিদ্রে। আত্মা হায়বসি অমতনিদি হায়রগা, মশানা মশাবু ককুথৎকদবগী হোৎনরি। মহাক্লা ফম্নি ঐনা চৎলি, মহাক শিরে ঐদি হিংলি অসিনচিংবসি জ্ঞানী পণ্ডিত ওইন ওইনা অদুম মহায়নরি। আত্মা হায়বসি অমতনি, চৎলিবা ফম্নিবশিং অসিগী আত্মাশিং অমি মশা অমত্তনি অসিনচিংবদি হায়রগা অনত্তা চৎশা মতমদা মাদি অদুম মফম্নি। অমনা শিবা মতমদা মাদি অদুম হিংলি, শিত্রি হায়রি। মপাম্পোংগী অশিবা হকচাংসিনা কয়িগুম্বা থবক অমত্ত তৌদেসু মহায়রি। আত্মা মশা অমত্তা ওইরবদি অমনা শিবা মতমদা লোইনা শিন্নগদবনি। অদু ওইরবদি একাত্মতা হায়বসি সার্থক ওই। মাহৈতদা মহাক্রবা, থবক্তদি ওইনবা অদুত তাদুনা হৌজিক কাওবা লাত্রি। মাসি কয়িদো ? অদুমা প্যামরশিন্নদা ফংবনী (কালাচাঁদ)

যথাতথ্যমবিজ্ঞায় শাস্ত্রাণাং শাস্ত্রদস্যবঃ। ব্রহ্মস্তেনা নিরারম্ভা দম্ভমোহবশানুগাঃ ॥৫৩॥
নৈষ্কর্ম্যমেব পশ্যন্তি ন গুণাননুযুঞ্জতে। তেষাং ক্ষমঃ শরীরাণাং তমো এব পরায়ণম্ ॥৫৪॥
যো যথা প্রকৃতির্জন্তুঃ প্রকৃতেঃ স্যাদবশানুগাঃ। তচ্চ দ্বেষশ্চ কামশ্চ ক্রোধো দম্ভোহনৃতং মদঃ ॥
নিত্যমেবাভিবর্ত্তন্তে গুণাঃ প্রকৃতিসম্ভবাঃ ॥৫৫॥
এবং ধ্যাত্বানুপশ্যন্তং সংত্যজেয়ুঃ শুভাশুভম্। পরাং গতিং সঞ্জীপ্সন্তো যতয়ঃ সংযতেন্দ্রিয়াঃ ॥৫৬॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

সর্ব্বমেতন্ময়া ব্রহ্মন্ শাস্ত্রতঃ পরিকীর্ত্তিতম্। ন হ্যবিজ্ঞায় শাস্ত্রার্থং প্রবর্ত্তন্তে প্রবৃত্তয়ঃ ॥৫৭॥
যঃ কশ্চিন্ন্যায্য আচারঃ সর্ব্বংশাস্ত্র মতি শ্রুতিঃ। যদন্যায়মশাস্ত্রং তদিত্যেষা শ্রূয়তে শ্রুতিঃ ॥৫৮॥

মাসি, শাস্ত্রগী অর্থ অচুম্বু কুপ্ন খুন্নখিত্তদবদগীনি। শাস্ত্রগী অর্থবু হৈত্রেকনা, অমত্তোমদা থেক্তুনা পুগদবগী হোৎনরিবসিবু শাস্ত্রদস্যু (শাস্ত্র হুরানবা) কৌই। ব্রহ্ম (মকুম মওম পুংখন শক কানদনা হৈবা) বু মচেৎ মচেৎ ফজারক্তনা পুগদবগী হোৎনরিবা, পুনরিবগা অসি ব্রহ্মস্তেন (ব্রহ্ম হুরানবা-ব্রহ্ম মাস্তমবা) মশুনি। মনামথেল কংদনা নাথল কারিবা কাহরিবগু হুপাবগুগী মহৈনি। ইন্দ্রিয় খুত্তম চননবগী অপন্থা শান্তি পীননবগীদি কনাঅমত্তনা হোৎনদে। পন্ডিত ওংবা অপুক্তা নাপল থোক্তব মীওইশিঙবা হায়না কৌবা তমথিরবা লাং অচুম্বা ভাগদবগী হোৎনরি তামসু ওইরি ॥৫৩॥ অমচুনা 'শম-দম' (শান্তি-ইন্দ্রিয় খুত্তম চবা) নচিন্নসি ফংননবগী সাধন অসি মাং ঈ না য়াদনা অচুম্ব মইরি। জ্ঞানী পন্ডিতশিংনা তৌবা সাধন (হোৎনবা) সু, সাধারণনা তৌবা সাধনসু মাং ঈশ্বানহাল্লি। থ হৈদোংবা জ্ঞান, ঈশ্বরগী শক্তি, মদ গুণশিং অচুম্ব ফংননবসি কনা অমত্তনা হোৎনদে। অমচুনা হাৎবদি তমোগুণদা অপঙবা-অশিংবা পুম্নমক চপ মান্ননা তাহিন্দুরি। মাসি তমোগুণ ঐনা শরীরমাদা থিবা মপানবগী হকচাং অসিতদা অপাসিনা মহাকমপামকি হাৎনা হৈদোকখিবদগীনি ॥৫৪॥

জীব পানবা খুদিংমক মাগী মাগী প্রকৃতি (স্বভাব) গী মথখোংদা হৈজনকুনি। প্রকৃতিগী পোকপা কল্প মদা, অশাওবা, অপাম্বা, মিক্তৌবা, নাপাল অমসুংচ বসি জীব পানবা খুদিংমা হৈনাবরক্তাকুনি ॥৫৫॥ অথোইবা গাতি (ধর্ম) বু কানিংবগি না, পুম্নমক অসি কুপ্ন নৈনখুনা ইন্দ্রিয় খুত্তম চম্বুনা, মপান্থোংগী, অফবনি-ফত্তবনি হাৎনরিবা থবক পুম্বা থাদোক্কনি ॥৫৬॥

স্যূমরশ্মিনা হায়ঃ— ব্রহ্মন্! ঐনা থরমং হায়খ্রিবসে শাস্ত্রগী বিরুদ্ধ নত্তে। ঐনা হায়খ্রিবা থরসে, শাস্ত্রদমু অচুম্ব মতাংবরিবনি। করিগুম্বা হায়বদু—রাবু ও মলবমু, রাবু ফংলবমু. থুম্ব পুন্নমক— করিগুম্বা থবক অমা প্রবৃত্তি ওইবা হায়বসি শাস্ত্রগী অর্থবু মুম্না নত্তনা, থক্ক তৌনদে, হায়বদি শাস্ত্রগী বচনগী বিরুদ্ধনা থক্ক তৌনদে ॥৫৭॥ ন্যায় (উচিত-হোনব) ওইবা, যুক্তিযুক্ত ওইবা আচার-ব্যবহার পুম্নমক শাস্ত্রনি। অদুম হায়না শ্রুতি (বেদ) না হায়রি অন্যায় ওইবা, চুমদবা, হৌনদবা,

ন প্রবৃত্তিং ঋতে শাস্ত্রাৎ কাচিদস্তীতি নিশ্চয়ঃ। যদন্যৎ বেদবাদেভ্যস্তদশাস্ত্রমিতি শ্রুতিঃ ॥৫৯॥
শাস্ত্রাদপেতং পশ্যন্তি বহবো ব্যক্তমানিনঃ। শাস্ত্র দোষান্ ন পশ্যন্তি শোচন্তি যথাবয়ম্ ॥
ইন্দ্রিয়ার্থাশ্চ ভবতাং সমানাঃ সর্ব্বজন্তুষু ॥৬০॥
এবং চতুর্ণাং বর্ণানামাশ্রমাণাং প্রবৃত্তিষু। একমালম্বমানানাং নির্ণয়ে সর্ব্বতো দিশম্ ॥৬১॥

আচার ব্যবহার মথৈ শাস্ত্রবিরুদ্ধনি। শ্রুতিবা অদুম্না হায়বসি থেংনৈ ॥৫৮॥ *

শাস্ত্র য়াওদনা, হায়বদি শাস্ত্রনা ভাকপা নিয়মবু বৌশাদদুনা করিগুম্বা বিষয় অমদা প্রবৃত্তি (চত্তবা, থোঙহাংশিবা) থক্ তৌনদে, তৌসু তৌনয়োইদৌবনি। মাসি বিদ্বান্ জ্ঞানীশিংনা লেপ্পপ্রবা য়াকয় অমনি। বেদগী বচনগী বিরুদ্ধদা তৌবা থবকমথৈ অদুগা হায়বা য়া মথৈ অশাস্ত্রীয়নি শাস্ত্রদা য়াও-দবনি। হায়রিবা য়া অসিমক শ্রুতিগী বচন নি, বেদনা হায়রিবনি ॥৫৯॥ মী অয়াম্বা প্রত্যক্ষ ওইবা বিষয় অমদি থবকপুত্ত থাজনৈ অদুগা অচুম্বা প্রমাণ-থুদম ওইনা লৌনৈ। অদুগুম্বা মীশকশিংনা প্রত্যক্ষ ওইনা উ'রিবা ইহলোককী বিষয় থোদোক পুম্নমক অসি শাস্ত্রগী তোঙ্গায় লৈবা অমা ওইনা লৌনৈ। শাস্ত্রদা ইরিবা, শাস্ত্রদা হায়রিবা শাস্ত্রনা ভাক্লিবা দোষ অপরাধ, প্রতীকারশিংবু মথোয়না থোইদোক্লা থৌশাদে। শাস্ত্রবু মানিন্নিবা ঐ'খোয়না অয়াবদা কারিবসিগুম্ব', শাস্ত্রবু মানিদবা মখোয়সু অয়াবদা অদুম মতাই। জ্ঞানীনি, পণ্ডিতনি হায়রিবা ব্রহ্মন মথোয়সু, কল্লিসু থক্তদবা মীচমশিংনা তৌবগুম্না ইন্দ্রিয়শিং অসিনা বিষয়শিংবু অনুভব অদুম মতৌবিরি। থোইনা থেম্বা উদে ॥৬০॥ †

মতৌ অসুম্না ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা বর্ণ মরিগী মী পুম্নমকী প্রবৃত্তি পুম্বা অদুগা প্রবৃত্তিশিং অসিদা

---

* "শাস্ত্র" হায়বদি শাসন তৌনবা য়াহেগী মশক ওইব খুংলায় হায়বনি। শাস্ত্র হায়বগা থাঙ-তানচিংবা শাসন তৌননবা খুংলায়সু থক্তনৈ। শাস্ত্রসু শাসন তৌননবা খুংলায়মক্তনি। মী অয়না চংলিবা লমংৎ হায়দোয়ক্লিবা য়াওং অদুনা সংসারগী ফত্তবা বিষয়শিংবু শাসন তৌননবগী খুংলায় ওইয়বদি, ফত্তবশিংগী থম্মোয় ক্লকচাং শেংদোক্লবা, কিদমকম্ ওইবদি, মাদু শাস্ত্রনি। অদুগুম্বা শাস্ত্রশিংগী মপৈ ওাক্তা ইদুনা লাইরিককী মওংদা লৈবগী লাইরিকশিং অদুবু শাস্ত্র হায়না মখুনম্রে (কালাচাঁদ)

† জ্ঞানী ওইবশিংগা সাধারণ ওইবা মীচমগা খেন্নবসি ময়েক্কীদি ইন্দ্রিয়শিংগী রূপরসনচিংবা বিষয়শিংগী অনুভব (হ[illegible]) অসিদা লৈক্তম মথাকই। মাসিগবু খেন্নহোত্রবদি কম্বা বিষয়দা খেন্ননিঙায় লৈরি। পণ্ডিতশিংনা মাদি অচোবনি অশীকপনি, ফজবনি অথীবনি, অয়াকপনি অশীনবনি হায়না মথোয়গী ইন্দ্রিয়শিংদা কাওবদুগুম্না জ্ঞানী পণ্ডিত নত্তবা অচম্বা মীশিংনসু চপমান্নবা অদুম মকাওরি। শাস্ত্রগী অকুপ্পা বিচারদা খেন্নবদুনা য়া অমনি। কুপ্পা বিচার তৌসমথৈ তৌরগা তৌথোককপদদি মীচমদগী ঈহেন হেন্দবগুম্না অদুম মরৈরি। অদু ওইরবদি ধ্যানতপস্যা অমমুক তৌশিল্লুবপা, ইত্তৌ তৌদব অমগা চপ মান্নবা অদুম মরৈরি। (কালাচান্দ)

আনন্ত্যং যজমানেন শক্তেয়া বর্জিতাত্মনা। অবিজ্ঞ মহতপ্রাজ্ঞা হীনপ্রজ্ঞাস্তমো বৃতাঃ ॥৬২॥
শক্যং মেকেন যুক্তেন কৃতকৃত্যেন সর্ব্বশঃ। পিণ্ডমাত্রং ব্যপাশ্রিত্য চরিতুং বিজিতাত্মনা ॥৬৩॥
বেদবাদং ব্যপাশ্রিত্য মোক্ষোঽস্তীতি প্রভাষিতুম। অপেতন্যায়শাস্ত্রেন সর্ব্বলোকবিগর্হিণা ॥৬৪॥
ইদং তু দুষ্করং কর্ম কুটুম্বমভিসংশ্রিতম্। দানমধ্যয়নং যজ্ঞঃ প্রজাসংতানমার্জবম্ ॥৬৫॥
যদ্যেতদেবং কৃত্বাপি ন বিমোক্ষোঽস্তি কস্য চি। ধিক্ কর্ত্তারং চ কার্য্যং চ শ্রমশ্চায়ং নিরর্থকঃ ॥৬৬॥
নাস্তিক্যমন্যথা চ স্যাৎ বেদানাং পৃষ্ঠতঃ ক্রিয়া। এতস্যানন্ত্যমিচ্ছামি ভগবঞ্ শ্রোতুমঞ্জসা ॥৬৭॥
তত্ত্বং বদস্ব মে ব্রহ্মন্নুপসন্নোঽস্ম্যধীহি ভোঃ। যথা তে বিদিতো মোক্ষস্তথিচ্ছাম্যপাশিক্ষিতুম্ ॥৬৮॥

পূক্লোং চঙলিবা মখোয় পুম্বসি মুংঙাইবগী অগুক্তব তৌবদা অশ্রয় লৌবা ওাক্ক ওইনা লৈরি। অনিত্য ওইবা আনন্দ অহুত্ত ফংগদবগী হোৎনরি। মখোয়হুস্ব ভমোগুননা কুপ্পুনা লৈরিবা পঙলবা মীচম ঐখোয়-গুম্না হুতবুদ্ধি (জ্ঞান মাঙলবা) ওাক্ক ওইনা লৈরি। মাসিগী গুণদোষ অসিবু মচা খায়না তাকপা গুম্বা ব্রাহ্মন নহাক্কি। মরম অহুনা জগৎকী মী পুম্নমক্কী সিদ্ধান্তগী মওংনা অবানবা খুন্নমগী চাংক্লোনাইত্রবা ভম্বু তাকপিহুনা ব্রাহ্মণ নহাক্কা ঐখোয়গী পূক্লোংদা শান্তিগী লম্বীবু উৎপিবি ॥৬১-৬২॥

ব্রাহ্মণ নহাকুবা, মথন্তদা মুংঙাইজবম্ব, যোগগী তত্ত্ব পুম্বনা তিল্লবা, পোকপগী মহৈ মান্নবা ভৌগদবা মথৌ পুম্বা পাঙথোক্লবা, পুক্লোংবু জয় তৌরবা, হুকচাং অসিবুত্ত তাকশেন্দুনা লৈননবগীদমক্তা ভিক্ষা পাত্র পায়হুনা মকম্ মক্তম্ পুম্বদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরবা, সংসারগী হীরম পুম্বা থাদোক্লুনা; বিষয় পুম্বা কায়ত্রবনি হায়না থঙগ্রবা অহুগুম্ব মী মহাক অহুতনা বেদগী বাক্যদা "মোক্ষ" অমুম্না হায়রিবা পোশক অহুবু মহাক্কী অধিকারদা হায়বদি খুত্তম মথাদা থম্ব ভম্বনি ॥৬৩-৬৪॥

গৃহস্থাশ্রমগী নিয়মবিধি অমদি ধর্মগী মতুং ইন্না পরিবারগী য়োকথাক্লনবগী ম.মদা লৈরিব ভৌগদবা থবক পুম্বা অহুগা যজ্ঞ যাগদানহিবা, বেদতম্বা তম্বিবা নৈনবা মচা মশু পোকপা অহুপা মখোয়গা খোৎম মেঙনা, নীংথিবা অখোপ ব্যবহারনা লোয়নবা অসিগুম্ব কর্মশিং অসিদি য়াম্ন লুবা পোৎ অমনি ॥৬৫॥ অসিগুম্বা অরুবা কর্মশিং অসিবু তৌরকাওবনা মোক্ষ (অয়াম্বা খুত্তম) হায়বহুবু মকত্ররদি সাধক কর্ত্তা অহুমক্ নিন্দা তৌননীওায়নি। অহুগুম্বা মানা তৌকরিবা থবকশিং অহুবুসু ধিক্কার তৌরি। অহুগা হায়রিবা লুগ্রবা থবকশিং অহুদা নোম্মরিবা, তৌকরিবা পরিশ্রম পুম্বা উংতা খী হৈবনি কায়ত্রবনি ॥৬৬॥

অহুগা কায়ত্রধনি হায়না, কর্মকাণ্ডগী থবকশিং অসিবু তৌরুত্রবসু নাস্তিক ওইবা ভারি, বেদগী উপাহ্লশবু খোওইদবা অমুক ভাগদোয়ি। অহুনা ভগবন্! ব্রাহ্মন! গৃহস্থাশ্রমগী লৈরিবা কর্মকাণ্ড অসিনা মতৌ কয়া, অবায়বা মওংগা মোক্ষ ফংননবগী উপায় ওইগদগে? ॥৬৭॥ ব্রাহ্মন্! মসিগী মহুংদা লৈরিবা তত্ত্ব অসে অমুক্ত তাকপিয়ু। ঐ, ব্রহ্মণ মহাক্কী নকমদা থওজত্রবা শিষ্য অমওম্না চওজরি। গুরুদেব! নমাই ঐওোন্দা তত্ত্বগা লোয়ননা উপদেশ পীনবিয়ু। গুরুদেবনা লৈবিরিবা মোক্ষগী তত্ত্বজ্ঞান পুম্নমক অদো ফজনীত্তি ॥৬৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি গো-কপিল-সংবাদো নাম চতুঃষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৪॥

——:():——

মখম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তি-পর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা গো কপিল ওাঙনবদা চনী-ছুম্‌ফুমরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৪॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(স্যুমরশ্মিগা কপিলগা ওাংনবা মতাং মথং)

চনীছুম্‌ফুমঙাশুবা অধ্যায়।

——:(:——

কপিল উবাচ।

বেদাঃ প্রমাণং লোকানাং ন বেদাঃ পৃষ্ঠতঃ কৃতাঃ। দ্বে ব্রহ্মণী বেদিতব্যে শব্দব্রহ্ম পরং চ যৎ ॥১॥

কপিলনা হায়:— স্যুমরশ্মি ! জগৎপুম্বাসিদা কমিগুম্ব ব্রাক্ষন অমগী চিংনরকপদা বেদনা প্রমাণ সাক্ষী ওইনা অচুম্বচু লেপ্পরি। ব্রহ্মগী মওং অসি অনী থোক্লা লৈ। অমনা শব্দব্রহ্ম, অতুগা অমনা পরব্রহ্ম অনী অসিনি শব্দব্রহ্ম হায়বসিনা বেদ হায়না খঙনরিবসিনি। পরব্রহ্ম হায়বসিনা সৎ-চিৎ-আনন্দ (সচ্চিদানন্দ) অহুম অসিগী পূরণ ওইনা লৈবগী মওংনি হায়না খঙনরিবসিনি ॥ ১ * অহানবগী শব্দব্রহ্ম

* ঈহান হানবা শব্দ দ ওঁ (ওম) হায়বা থোম্হোক আসনি। ওঁ হায়বসিগী জ্ঞানগী মচাক ওইরিবা তোঙান তোঙাবা শব্দশিং অসিনা স্বরব্যঞ্জন মরেক থায়না, অনেম অমাং, অতেন 'অশাং থায়না তোঙাল তোঙাবা অর্থনা পুহল্লুনা থোককই, শন্দোককই। মরেকশিং অতুনা রাহৈ (শব্দ), রাহৈশিং অতুনা বাক্য অম্মা ওইখিহুনা তাইবং জীবশিংদা জ্ঞান তাকই। সৃষ্টিগী মতমদগী বেদ (জ্ঞান) শিং মথং মথং জ্ঞানরূপ (শ্রুতি ওইরকপা) অতুগা মথং মথং নীতশিংনরকপা (স্মৃতি ওইরকপা) অতুদগী টমনবা মরেক হোৌদোনরকপা মতুংদগীদি মীয়োলগী য়োলগী ঋষিশিংনা লাইরিক্তী মওংদা ইশিন্দুনা থমরকখি। অতুনা, হৌজিক্কী মতমদা বেদনি হায়রকপা উনরিবা লাইরিক মথাবক অসি নত্তে বেদ হায়বদি। লাইরিক অসিদা হায়রিবা অক্ষ-

শব্দব্রহ্মণি নিষ্ণাতঃ পরংব্রহ্মাধিগচ্ছতি। শরীরমেতৎ কুরুতে যৎ বেদে কুরুতে তনুম্ ॥২॥
কৃতশুদ্ধশরীরো হি পাত্রং ভবতি ব্রাহ্মণঃ। আনন্ত্যমথ বুদ্ধ্যেদং কর্মণাং তৎ ব্রবীমি তে ॥৩॥
অনাগমনমনৈতিহ্যং প্রত্যক্ষং লোকসাক্ষিকম্। ধর্ম ইত্যেব যে যজ্ঞান্ বিতন্বন্তি নিরাশিষঃ ॥৪॥

অনিদ। হায়বদি বেদকী তত্ত্বা, হায়বদি বেদদা হায়রিবা কর্ম জ্ঞান ভাক্তিগী তত্বদা মপুংফানা জ্ঞানী ওইপ্রবা অদুগুম্বা মীহুনা অনীগুবদা হায়রিবা পরব্রহ্মদা সচ্চিদানন্দস্বরূপ ওইবা ব্রহ্ম মঙোন্দা অদুম তিল্লি। শব্দব্রহ্মদা হায়রিবা আত্মা অমতনা মতম মওং তোঙাল তোঙাম্বা মমা মপা হায়না অনীথোক্লা লৈগল্লগা. মাহুদগী গর্ভাধান (বীর্য্যাধান) হায়বা কর্ম অদু বিধি কায়দনা ওইখিনবা, বিবাহ, যজ্ঞ, দান, প্রসব (অর্থাৎ পোক্পা), জাতকর্ম, মচা শাহুনা লাক্লিবা আত্মাহুনা ফু-রাম ওইনা লোয়নরক্লিবা হকচাং অসিগী মথংমনাও নাইনা লাকপা সংস্কার মরাম অসিবু মমামপা ওইরিবরম্না তৌই অদুগা পুরোহিতদা তৌহল্লি। অদুনা, বেদবিধি কায়দনা চৎপশিংনা সংস্কার তৌবিকরবা—হকচাংহুনা লৈরিবা মচা ওইরিবা আত্মাহুনা শব্দব্রহ্ম জ্ঞানী ওইহুনা মহুৎদা সচ্চিদানন্দ স্বরূপ ওইবা পরব্রহ্ম হায়বহুবু ফংখি। হায়বদি, শব্দব্রহ্ম জ্ঞানী ওইবতনা পরব্রহ্মদা তিনখি। ঐনা হৌজিক হায়গদৌরিবদি হায়রিবা বৈদিক কর্মশিং অসিনা মত্তো কররমনা মোক্ষপদবীবু ফংহল্লিবগে হায়বহুগী মরমদনি ॥২-৩॥

বেদদা হায়রিবা সংস্কার কর্মশিং অসি অমমরা যজ্ঞপত্তনি। বৈদিক যজ্ঞশিং অসিবু, করিগুম্বা অপাম্বা মহৈ অমগীদমক ইথন থন্দনা বৈদিক কর্ম তৌবা হায়বসি ঈশ্বোসি ধর্মনি অসুন হায়না নিঙ্কা মবুদ্ধিদা তৌরিবা মী মহাক অদুনা ফংখিবা মহৈদি বেদ পুরাণ ইতিহাসনচিংবমক্লা থঙবা হায়বা গুমদে। * অদুগা হায়রিবা মহৈহুমক্তি প্রত্যক্ষনি, শংশংনা উবা ফংনরি ॥৪॥ "নিষ্কাম ওইনা তৌখিবা কর্মগী মহৈহুবু নিষ্কাম

যুম থাম্লপা থঙলপা মাহুদগী পোক্লকপা ব্রহ্মজ্ঞান (শব্দব্রহ্মজ্ঞান) অদুবুনি বেদ হায়বদি। অদুগুম্বা জ্ঞান মটেপ অদুদি থৈথেন্দা হুকানদা য়োনবা য়াবা, লৈবা য়াবা পোৎ নত্তে। য়োররিবা-লৈনরিবসিদি লাইরিক কৌবা পোত্তুনি। বেদনিন্দা তৌবা অপঙবা নাস্তিকশিংনা বেদগী লাইরিকশিং অদুবু হায়বদি চে মপুম অদুবু ঈশিং দা থাদৈ, মৈনা লংশিল্লি। মাহুদি হিম্মালয়বু লেঙহন্নীংবা মীশিংনা ঈশিংদা তাবা হিমালয়গী মমি অদুবু ঈশিংদা লৈতুন হুহ্হুবা লেঙহন্দুরবনি। অদুমকথ মমি অদু লেঙব নত্তে, লেঙবোই নীংজবত্তনি। অমবু ঈশিংদা থাদরগা লুপখিনি য়াঙখিনি হায়না থল্লিবা অজ্ঞান অদুবু লোইরিবা অজ্ঞান। অপঙবশিংনা মশাগী অজ্ঞানবু ঈশিংদা থাদজবনি হায়না থন্দোকপিবহুন য়াই। (কালাচাঁদ)

* মৈ ঈশিং নুংশিৎ আকাশ-লৈপাকনা শাবা (ওইখিবা) হকচাংগুং অসিনা আত্মানা করিগুম্বা যজ্ঞ হায়বদি কর্ম অমগুং তৌরমলাইদা মৈ ঈশিংনচিংবা প্রকৃতিশিং অসিগী মহুৎদা শক্তি অমমম্ পুহন লৈরিব অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিং অদুবু লৈশিলৈথোনবা য়াহৈনা আবাহন তৌই কৌথৈ। দেবতাশিং অদুগী মথক্কা মহুৎদা আত্মা (জীবাত্মা) শিনা লৈনিংতি। মপানগী মৈ ঈশিংগী পাঞ্চভৌতিক দেহহুংসিদা লৈহুনা মথক্কু তৌনিংদে

উৎপন্নত্যাগিনোঽলুব্ধাঃ কৃপাসূয়াবিবর্জ্জিতাঃ। ধনানামেষ বৈ পন্থাস্তীর্থেষু প্রতিপাদনম্ ॥৫॥
অনাশ্রিতাঃ পাপকর্ম কদাচিৎ কর্ম্মযোগিনঃ। মনঃ সংকল্পসংসিদ্ধা বিশুদ্ধজ্ঞাননিশ্চয়াঃ ॥৬॥
অক্রুধ্যন্তোঽনসূয়ন্তো নিরহঙ্কারমৎসরাঃ। জ্ঞাননিষ্ঠাস্ত্রিশুক্লাশ্চ সর্ব্বভূতহিতে রতাঃ ॥৭॥
আসন্ গৃহস্থা ভূয়িষ্ঠা অব্যুৎক্রান্তাঃ স্বকর্ম্মসু। রাজানশ্চ তথাযুক্তা ব্রাহ্মণাশ্চ যথাবিধি ॥৮॥
সমা হ্যার্জ্জবসম্পন্নাঃ সন্তুষ্টা জ্ঞাননিশ্চয়াঃ। প্রত্যক্ষধর্ম্মাঃ শুচয়ঃ শ্রদ্দধানাঃ পরাপরে ॥৯॥

ওইরা অমুক থাদোকপা অচুগা খাদোকপা মতমদা অরীকপা-মীডোন্দা লেম্নবগী রাথলগী শরুক যাওহন্দনা—মাসিডনা সম্পত্তিবু চঞ্চানা শীজিন্নবগী লম্বীনি” অহুম হায়না খন্দুনা, সম্পত্তি অদুবু দান লৌবদা মতীকচাবা সৎ পাত্রদা দান তৌথোকপা অচুগা হায়রিবা নিষ্কামকর্মযোগ অসিগী সাধনদা মতম পুম্বদা পুক্নীং চঙলিবা মী মখাক অদুগী সংকল্পদি হায়বদি তৌরি তৌরিবা কর্মশিংগী উদ্দেশ্যদি বিশুদ্ধজ্ঞানগী মশক ওইরবা হায়বদি লেংলবা, অনকপা, অতোপ্পা অমগা যান্থিন্নবা জ্ঞানগী মশক ওইরিবা পরংব্রহ্ম পরমাত্মাদুবু খংনবগী দমক্ত মশানা অহুম ওইহল্লি ॥৫-৬॥

হায়রিবা বৈদিক কর্মযোগীশিং অসিদি, মী অমনা নিন্দা তৌরবব কাওবদা মশানা অশাউবা কাওদে, কনাঅমগী মফমদা লৈবা লেম্বহু উদে, মীগী দোষ থিদে, মীগী দোষ থিবগী মচুঙ্গা মাগী থি। মীগী দোষ থিরিমহু থিনিংলিবহু মশাগী দোষ অগনি হায়না খঙৈ। নাশন, খোয়বা কৌবদগী লাপ লৈ। পরংব্রহ্মগী জ্ঞান তানবতনা মশাগী মথৌনি হায়না খল্লি অদুগুম্বা মীশকশিং অদুগী জন্ম, কর্ম, বিদ্যা—অহুম্মকসি মশানা অহুম বিশুদ্ধ (কোমলেং) হায়বদু ওইরিকনি। মখোয় অদুদি জীবপানবা খুদিংমক্তা অকব কান্নবত খল্লি। ॥৭॥

যমাংৈঙ্গা, গৃহস্থ আশ্রমদা লৈন লৈন গৃহস্থ শ্রমদা লৈবগী বিধি কায়দনা কর্ম পুন্নমক তৌদুনা মপূনশি লেনখিবা নিংথৌ, ব্রাহ্মণ কয়া কয়া পোকখ্রবনি ॥৮॥

মখোয় অদো, জীবপানবা পুম্নমক্পু মীংয়েং অমতদা চপ মান্নবা উখিবা ওইকনি। মখোয় অন্নাম্বনা

অদুগীদমক্তা “অগ্নিমীড়ে পুরোহিতম্” অসিনচিংবা বৈদিকমন্ত্রনা অগ্নিদেবতাবু কৌই। মন্ত্র অসিনা চুম্ন কৌরবদি উরিবা-চাকৃসিন্নবা মৈ অদুগী মফমদা অগ্নি কৌবা লাই অদু হায়বদি মৈ কৌবা লাই অদু মশক উহন্দনা লাকুনা লৈ। মৈ কৌবা মাগী লৈকম ওইথিবনা মপান্দা চাক্নিবা পোশকসিন্নুম ঐখোয়না মৈ (অগ্নি) হায়না অহুম কৌনখিবতনি। হকচাং মপুম অসিগী আত্মা অমা লৈবহুগুম্না মৈ ঈশিংনাচিংবশিংগীদু মাগী মাগী আত্ম অমমম লৈজে। মহাক লৈবতনা মৈ ঈশিংনচিংবা মপাত্তোংগী পোশকশিং অসি লৈবা য়ারিবনি। আত্মশিং অদু শক্তি অমমমনি। মৈদা লৈরগা দাহিকা শক্তি কৌই। দাহিকাশক্তি কৌবী আত্মাদু হেক লৈতবনা মৈ অসি লৈবা য়াদে। তাইবংমী বৈজ্ঞানিক অমনা শেম্বা শাবা ওবা শক্তি নত্তে। অদুগুম্বী শক্তিশিং অদুবু আবাহন তৌবগী অর্থ তত্ত্বু য়ুম্না খঙবা অনার্য্যশিংনা মৈগী পূজা নচিংবা কর্মবু তৌরিবা আর্য্যশিংবু ওনথকুনা অনার্য্যনি হায়না লৌখৈ। মদুংগী বৈজ্ঞানিক তত্ত্বমকপু তাব তানবা মৈ ঈশিংনচিংবা লাংলি হায়না লৌনন্নিবা মখোয় মশামক অনার্য্যমক্তনি (কাল্লাচাঁদ)

পুরস্তাৎ ভাবিতাত্মানো যথাবচ্চরিতব্রতাঃ। চরন্তি ধর্ম্মং কৃচ্ছ্রেহপি দুর্গে চৈবাপি সংহতাঃ ॥১০॥
সংহত্য ধর্ম্মং চরতাং পুরাদসীদ্ দুঃখমেব তৎ। তেষাং নাসীৎ বিধাতব্যং প্রায়শ্চিত্তং কথঞ্চন ॥১১॥
সত্যং হি ধর্ম্মমাস্থায় দুরাধর্ষতমা মতা। ন মাত্রামনুরুধ্যন্তে ন ধর্মচ্ছলমন্ততঃ ॥১২॥

মবুকচেল ঊচমচম্বা, অৱেৰ-অকংব থম্নদ ঈপেন্তপেঞ্জবা, অন্তব পোশক খুদিংগী তত্ব থগুনবা হোংনবদা হৈনবা-পুন্নীং চঙবা, মীংনা শংশংনা উবা মচৈ পীতস্বা ধর্ম কর্মবু লিংখৎপদা পুন্নীং চঙবা থম্মোয়মদা অমকপগী শব্দক যাওব্রদা অতুগা শব্দব্রহ্ম পরব্রহ্ম অনীমক্তা শ্রদ্ধা (য়োঁশন্না থাজবা) লৈবা ওাক্ত ওইরম্মি ॥৯॥ মখোয়স্থু নিয়মবিধি কায়দনা করিকম্বঃ কর্ম অমতঃ ত্তৌজ্রিজৈদা, তৌবমদাইদঃ থম্মোয়মু অহানবদা শেংলোক্লম্মী। * অরাবা খুদোংথীবা ভারবা মতমদস্তু মখোয় পুম্বা অমত ওইনা ধর্ম কায়দনা খুদোংথীবহুদগী নাম্বোক্রবা হোৎনমিম্নরম্মি ॥১০॥

কাঙলুপ অম ওইনা পুন্নপ কাম্মহুনা সেবা পূজা আম্বাধননংবা ধর্মগীথবক তৌমিন্নবশিং অতুগী থম্মোয়মদা, মাতুম ত্তৌনা ধর্মগী অনুষ্ঠান তৌরগা নুংঙাইবত্ন ফনরম্মি ফাওনরম্মী। মখোয়দা করিগুম্বা তৌহৈদবা কর্ম অম তৌরুবগী প্রায়শ্চিত্ত প্রতাকার তৌবগী প্রয়োজন (দরকার) লৈরম্মদে ॥১১॥ ধর্মগীদমক্তা তৌঙমদবা থবক অতুক্কী মতীক ত্তৌরগা তৌব ওম্বা, লাকওম কাওমদবা মীংক ওইনা ত্তৌন

* অমবোমদা হায়রবদি দান যজ্ঞ সেবা পূজা, তীর্থ ভ্রমণ নচিংবা ধর্মগী অনুষ্ঠান তৌহুদি লাইবু লায়মি। মপান্দা হায়বদি মপানগী হকচাংদা, অকুবা ঈশিংনা চামথোক খোক্তেক্লবা তুংদা ফজবা অশেংবা কি য়োন থোমজিন্নগা, ওক্ত, মাসানচিংবা হুক্চিন্নগা সেবা পূজানচিংবত্ন তৌনবগীদমক্ত ফমজবদি য়ায় লায়বা য়ানি। মপান্দতা লৈহনবা অতৈগী মতুদ হৈয়ো য়োদনা কেওলবা পাত্রদা কাপ্ন ঈনিং শাঙ্গ মচিংথ্ত অশেংবা পোশক ওইপত্রা হায়বনি চিংনফমি। মপান্দত লূবগা — মথুংদদি হায়বদি— থম্মোয়মদদি নাপল থোয়বা অশাউবনচিংবনা মকে থালবা অতু ওইব্রবদি ভক্তি শ্রদ্ধানচিংবনি থম্মোয়মত্তং হাপত্নদবা পোশক্লিনা, অমোংপা মকে থংবা থম্মোয়মদা হাপলিবা ভক্ত শ্রদ্ধানচিংবহুস্ মতুনদি মকে থাংলবা, মপান্দত উৎনীংব পোশক ওই। লাঙ্গৈ শেংনা থম্বরবদি পূজাগী সামগ্রী (মচাক) দি থম্মোয়মগী পান্ত্রেতা ঈশেংশেংব ওুপ অহুতনা ওইগদৌরিবনি, ওইকমত্ন থোকপনি। হায়রিবসিনা, থম্মোয অতু শেংলগা মপানগী হকচাংদি শেংদোকত্রবস্থ য়ায় শায়বা নত্তে। মথুং মপান অনীমক শেংগদবনি, শেংদোকখগনবান হায়বত্তনি। অনী মমপু শেংদোকপা মতমদ মপানবু হায় শেংদোক্লগা মথুং কোয় শেংদোকপত্ন য়াই। মথুংবু হায় শেংদোক্লগা মপানবু কোয় শেংদোকপত্ন য়াই। মথুংবু হায়বদি থম্মোয়মবু শেংদোকপা মপানগী হকচাংবু হায় ওরু ওরুনা থম্বনি অরায়বা উপায় অমদি ওই। মাতুনা পূজাবিধি ক্রম অতুস্থ কায়দে। মপানগী অচৌবা মাংসপিণ্ডসিবু শেংদোকপদি ঈশিং য়ায় চঙিত্ত। মথুংগী হৃৎপিণ্ডবু শেংদোকপদি ঈশিং মবীক মপাত য়াই। অতুথীদমক্ত আচমন ত্তৌনম্বিবসিনি। ঈরুজজ্রিওদা, ফিশেং শেত্রিজৈদা আচমন হায় ত্তৌনদে। (কালাচাঁদ)

স এব প্রথমঃ কল্পস্তমেবাভ্যাচরন্ সহ। তেষাং নাসীৎ বিধাতব্যং প্রায়শ্চিত্তং কদাচন ॥১৩॥
অস্মিন্ বিধৌ স্থিতানাং হি প্রায়শ্চিত্তং ন বিদ্যতে। দুর্ব্বলাত্মন উৎপন্নং প্রায়শ্চিত্তমিতি শ্রুতিঃ ॥১৪॥
এবং বহুবিধা বিপ্রাঃ পুরাণা যজ্ঞবাহনাঃ। ত্রৈবিদ্যাবৃদ্ধাঃ শুচয়ো বৃত্তবন্তো যশস্বিনঃ ॥১৫॥
যজন্তোঽহরহর্যজ্ঞৈর্নিরাশীর্ব্বন্ধনা বুধাঃ। তেষাং যজ্ঞাশ্চ বেদাশ্চ কর্ম্মাণি চ যথাগমম্ ॥১৬॥
আগমাশ্চ যথাকালে সঙ্কল্পশ্চ যথাক্রমম্। অপেতকামক্রোধানাং দুশ্চরাচর কর্ম্মণাম্ ॥১৭॥
স্বকর্মভিঃ শংসিতানাং প্রকৃত্যা শংসিতাত্মনাম্ ॥ ঋজূনাং শমনিত্যানাং স্বেষু কর্ম্মসু বর্ত্ততাম্ ॥১৮॥
সর্ব্বমানন্ত্যমেবাসীদিতি নঃ শাশ্বতী শ্রুতিঃ। তেষামদীনসত্ত্বানাং দুশ্চরাচারকর্ম্মণাম্ ॥১৯॥

থওনরম্মী। পাপকী শরুকী চঙবা থবক মরীক অমকাওবা হৌনরমদে। মথরায় থাবয়াবগী মতম লাক্লকাওবদা, মথরায় হিংননবগীদমক্তা মীনম থবক মরীক অমকাওবা তৌনরমদে ॥১২॥

অহানবা মথলগী ধর্মনি হায়না থজনবত্রগী কাওলুপতা মখোয় পুম্নমক অমত ওইনা লৈমিল্লরুবা ধর্ম অসুবু মখোয়না বিধি কায়দনা ঙাক্লম্মি। অতুনা মখোয়দা কারিগুম্বা অশোয়বা অরাবা অমগী কোক্লনবা তৌনীঙায় প্রায়শ্চত্ত প্রতীকার অমত্ত লৈরমদে ॥১৩॥ হায়রিবা, অহানবা মথলগী ধর্মসম্প্রদায় অসিদা লৈবশিং অহুঁদ মশানা মতম পুনদা থম্মোয় হকচাং অনীমক ঈশেংত শেংতুনা লৈংনিনা মখোয়দা প্রায়শ্চিত্ত তৌননীঙায় কারিমত্ত লৈতে। থম্মোয়শোনবা, থম্মোয়মোংপশিং অহুনি মশানা পাপচেনবা হায়বত্তু অহুম মগুইরবনিনা মখোয়গী প্রায়শ্চিত্ত তৌননবগী বিধি-নিয়ম লৈরিবনি। অসুম হায়না এখোয়না পরম্পরাদগী তানরকই ॥১৪॥

মতৌ অসুম্না মমাঙৈদা ব্রাহ্মণ অয়াম্বা যজ্ঞগী বিধি নিয়ম অসি য়াম চোকশিন্ন ঙাক্লরম্মি। মখোয় অত বেদবিদ্যাদা বৈদিক জ্ঞানকর্মগী থাক্ত য়াম্ন য়াংনা লৈখ্রবা, থম্মোয় হকচাং ঈশংত শেংতুনা লৈখ্রবা জ্ঞান কর্মদা মিচংচাউরবা ঙাক্ত ওতনা লৈরম্মী ॥১৫॥ হায়রিবা জ্ঞানীব্রাহ্মণশিং অসি কারিগুম্বা পোশক অমদা অপাম্বা মিগৌবা থম্মুদনা যজ্ঞতনা ভগবান্গী পেন্নবা তৌরম্মি। থম্মোয়না তৌরিবা যজ্ঞশিং অহুক কর্মকাণ্ডগী বিধি কায়দনা কর্মতনা অহুগা বেদপাঠ অমদি বেদগী মন্ত্রগী অর্থ নৈনবতনা মপুং ওইরম্মি ॥১৬॥ মখোয়গী মশাগী অপাউবা অপাম্বগী মরীক অমত্ত য়াওরমদে। মখোয়না তৌরিবা অচারবিচার ফুদি অতৈ অমনা মতৌতম্বদা, মতুংইনবদা য়ানা থোক্লগদবা ঙাক্তনি। মখোয়গী থম্মোয়দা মতম পুম্বদা শাস্ত্রজ্ঞাননা মথং মথং হেনগংলকপগী অহুগা সৎকর্মগী ফুংঙাইবগী ইপোমনা তত্তনা হৌরম্মি ॥১৭॥

মখোয়না তৌরিব কর্মশিংত্তু মিংচংকী অমদি মীনা থাগংমনবগীদমক্ত নত্রবস্তু তৌথোয়রিব কর্ম অহুনা মখোয়গী মগুণ অমদি মিংচংপু মায়পৈপুম্বদা লাপ্প লাপ্প শন্দোকলম্মী। মখোয়গী পুকচেল অহু হুমিংচুম্বা ঈতত্ত তম্বা, ঈচম চম্বা, লোথুপ-লোকোই লৈতনা হায়ত্তু ওইরম্মী। শান্তিগা লোয়ননা পুনশি লেনবত্ত পামজবা অহুগা মান মানা তৌরিবা চংলিবা ধর্ম অহুতনা য়াম্লহনা নপুনা লৈবা মীশকমক্ত ওইরম্মি ॥১৮॥ মখোয় পুম্বা পুকচেল চাউবা মখোয়গী আচার ব্যবহারত্তু মীনা তমজনীঙায় ওইরবা অহুগা তম্বকত্তু য়ানা

স্বকর্মভিঃ সম্ভৃতানাং তপো ঘোরত্বমাগতম্। তং সদাচারমাশ্চর্য্যং পুরাণং শাশ্বতং ধ্রুবম্ ॥২০॥
অশক্নুবদ্ভিশ্চরিতুং কিঞ্চিদ্ধর্ম্মেষু সূক্ষ্মতাম্। নিরাপদ্ধর্ম্ম আচারো হ্যপ্রমাদোহপরাভবঃ ॥২১॥
সর্ব্ববর্ণেষু জাতেষু নাস্তিকশ্চিৎ ব্যতিক্রমঃ। যাস্তমেকং চতুর্ধা হি ব্রাহ্মণা আশ্রমং বিদুঃ ॥২২॥
তং সন্তো বিধিবৎ প্রাপ্য গচ্ছন্তি পরমাং গতিম্। গৃহেভ্য এবনিষ্ক্রম্য বনমন্যে সমাশ্রিতাঃ ॥২৩॥
গৃহমেবাভিসংশ্রিত্য ততোহন্যে ব্রহ্মচারিণঃ। ত এতে দিবি দৃশ্যন্তে জ্যোতির্ভূতা দ্বিজাতয়ঃ ॥২৪॥

থোক্লবা ওাক্তনি। মথোয়না ঙোৎথোরকপা থবক খুদিংমক অয়ানব খুত্তম (মুক্তি-মোক্ষ) বু পীননীঙায় মক্তনি। হায়বিবসে ঐথোয়না পরম্পরাদগী স্নানবকপা ওাক্তনি ॥১৯॥

মথোয়ন্থ মাগী মাগী কর্মত্ত্তনা অয়াংপ অমলৈত্রবা, হুমিচূয় ঈথত্ত খন্নুনা লৈবা হায়বহু ওইরম্মি। মথোয় খুদিংনা অহানবদা তৌনখিবা তপস্যাশিং অহু মহা অক্কিবগী মশক লেপ্লব, মক্ত ওইনগ্রবনি। মথোয়না চৎলিবা শাজং, চাকচা কিজেৎ ওাঙথোক শকংগাকলিব পুং উং তাবনা ওক্রবীওয়নি। মথোয়না তৌরিবশিং অহুগী মহৈ হায়বদু, অনাদি অনন্ত (অহৌবা অরোইবা লৈত্রবা) ওইরবা, অমাঙ অতা লৈত্রবা পরংব্রহ্ম মহাকপু ফংবগী-উবগী চাংঙ্গী নাওয়া লুংঙ হৈবরা ঈশাক্তা লুপখিবা— অসিতনি ॥২০॥

ধর্মশিং অসিগী মঙ্গুংদা কুপ্পবা তত্ত্ব অমা লৈরি। তত্ত্ব অদুগী মতুং ইন্না চংপসি মী অয়াম্বনা ওয়দে। থাঙ্গৎশেংবদি বেদদা হায়রিবা ধর্মশিংগী তত্ত্ব অদুদি, মাগী মঙ্গালদা কাওুম্বা তর্ক অমদি ওয়দে। থাঙ্গৎশেংবদি বেদদা হায়রিবা ধর্মশিংগী তত্ত্ব অদুদি, মাগী মঙ্গালদা কাগুম্বা তর্ক অমদি আপত্তি অমা চত্তবা য়াদে, ভমদে। মাদুগী মঙ্গুংদা অয়ানবা অমদি মীয়ামগী ফংনিংঙাই অমতা লৈতে ॥২১॥

মমাঙৈদা মাগী মাগী মথৌ অমদি গুণগী মতুং ইন্না বর্ণ অমদি জাতিগী ভেদ (খয়ব) লাক্লবা মতুংদা আশ্রমশিং ভেদ অসি থোকনা লৈরমদে। অমগমগা কৃতিমত্ত খয়রদে। অমত ওইনা লৈরম্বা আশ্রম অদু, মতম থবগী মতুংদদি মরিথোক্ল কায়খি। তোঙান তোঙানবা ওয়ালা লৈখি। মাসি ব্রাহ্মণ খুদিংমক্কা কাউরোইদোবনি ॥২২॥ জ্ঞানী ওইবা অথোইবা মীশিংনা মানা মানা লৈরু লৈরুরিবা আশ্রম অদুদা, আশ্রম অদুগী তৌগদবা কর্ম অহু বিধি কায়দনা পাঙথোক্লগা, য়াইগী ওইনা লৈবা, অমত ওইবা, অথোইবা গতি (পরমগতি—পরমধাম) অহু ফংমিন্নরিব্বি। মালা মতম পান্না মতুং ইন্না থয়না ময়ুম লৈঙ্কখু থাদোক্লমহুনা সন্ন্যাসী ওইহুনা চৎখি। থরনা মাগী মাগী লাদনবীশিং মনদা প্রস্থান (যাত্রা) তৌখি। অহুনা মথোয় অহু বানপ্রস্থ ক্লায়হুনা অহুম থওনথ্রে। থরনা ময়ুম পাক্লগা য়ুম অহুম অহুম পুনশিচুম্না লৈহুনা মচামশু পোক্লহুনা দান ধর্মনচিংবা তৌহুনা লৈখি। মথোয় অহু গৃহস্থ (গৃহ—য়ুম, স্থ—লৈবা) হায়না অহুম মথওনখি। থরনা হায়গী অমত্ত ওইনা লৈরবগী মঙ্গুংদা হায়বদি পোৎ খুদিংমক্কপু তম্বগা লোয়ননা য়ুম থওনিংহুনা বেদ শাস্ত্র নৈনহুনা লৈবগী মওংদা অহুম লৈখিবা য়াওই।

নক্ষত্রাণ্যেব ধিষ্ণ্যেষু বহবস্তারকাগণাঃ। আনন্ত্যমুপসংপ্রাপ্তাঃ সংখ্যোষাদিতি বৈদিকম্ ॥২৫॥
যস্তাগচ্ছন্তি সংসারং পূর্ণযোনিষু তাদৃশাঃ। ন লিপ্যন্তে পাপকৃত্যৈঃ কদাচিৎ কর্ম্মযোনিতঃ ॥
এবমেব ব্রহ্মচারী শুশ্রূষুর্ঘোরনিশ্চয়ঃ। এবং যুক্তো ব্রাহ্মণঃ স্যাদন্যো ব্রাহ্মণকো ভবেৎ ॥২৭॥
কর্ম্মৈবং পুরুষস্যাহ শুভং বা যদি বা শুভম্। এবং পক্ককষায়াণামানন্ত্যেন শ্রুতেন চ ॥২৮॥

মখোয় অদু, ব্রহ্মচারী (ব্রহ্ম—জ্ঞান পুম্নমক্কী হৌরককম তুংনকম, চারী—আচরণ তৌবা-মতুং ইন্নাচৎপা) চায়না অদুম খঙনখ্রে। অদুম হায়না, মানা মানা লৈনীংব মওং অমদি ফাওলুপ্পা বিধি কায়দনা লৈরম্বা থিজনিং অসিনা মর্ত্ত্য লোক অসি থাদোক্লম্লহুনা যোংমৃদোল্ল জ্যোতি (মঙাল) ভগী মশক ওইহুনা, জ্যোতির্ম্ময় ওইহুনা লৈহুনা লেনথি হৌজিকমক নোংমদোম্লক্লা ভগুপভরেংনা উরিবা থমাবমিচাক্শিং অসি মখোয়হুনা মতীকমগুণগী মঙাল উস্তুনা লৈরিবনি হায়বসি বৈদিকসিদ্ধান্তনি ॥২৩-২৫॥ *

পুণ্যাত্মা ওইরবা (পুণ্য চেল্লবা) শিংসিনা সংসারসিগী কর্ম্মগী মথাক্ লৈহৌবনা, লৈহৌরিবা মথাক্ অদুগী অধিকার (কর্ম অদু লে ইথোকপগী শক্তি) কংহুনা তাইবং মীগী মপোক্কা অমুক্ পোক্পা তারবসু, পোক্লরিবা মকমদুগী মরী লৈনবা পাপকর্ম্মগী অরাবা খুদোংথীবা মহৈশিং অহুনা, হায়বদি— পাপকর্মশিং অহুনা, পুণ্যাত্মাশিং অহুদা করিমত্তা চঙবা ঙমদে ॥২৬॥

মতৌ অসুম্না গুরুগী সেবা পূজাদা পুক্নীং চঙহুনা লৈরিবা ব্রহ্মচর্য্যায় চোকশিন্না ভাক্লিমা, অকবা থবক্তগী নীঙহম্নদনা থবক্তুদা খুবম্ চেংনা লৈরিবা মখোয় অদুতনা চপচাবা খ্বাইদগী অথোইবা ব্রাহ্মণ ওইবা উন্নিবনি। ব্রাহ্মণনিদি হায়রগা হায়রিবা গুণ কর্ম্মশিং অসিনা তিঙ্গ্রবদি, মখোয় অদু খ্বাইদগী হন্থবা মথলগী মমিংত্তা ভাক্লবা ব্রাহ্মণনি। ব্রাহ্মণ কৌবা ফাওবা য়ারক্লবনি ॥২৭॥ মতৌ অসুম্না অকবা গুণ কর্মশিং অহুত্তনা, হায়বদি— তৌথোয়ক্লিবা কর্মশিং অহুগী মচু'ইম্ন ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়নচিংবা মিংশিং অসি থোয়ক্লিবনি।

* খঙজ্রিবসিনা অমম্বনি, খঙলিবহুনা মঙাল্লি। খঙলম্লগা কাউত্রিবহ ভাক্লখ্বা থাউমৈনা মৃৎথিবগুম্বনি। অমম্বগী মচুংদা মঙাল লৈ। অমুক নীঙশিংলক্লিবহ অমম্বগী মঙাল অদু অমুক চোংথোরকপনি। অহুনা খঙবা (জ্ঞান) হায়বসি সত্যনি, হায়বদি লৈহুনা ভাক লৈ। সত্য হায়বদি ঈস্তংতত্তুনা লৈবা হায়বনি। হায়বদি, ইত্তত্তুনা ভান্দুনা লৈবা হায়বনি। মীৎ পাঙলগা চাউই-পিকই খঙলিবসি মীৎকী মীৎলুদা মঙাল অমা য়াওরি অহুনন্নি। জ্ঞানীশিংগী থম্মোয়দা লৈরিবা জ্ঞানশিং অদু অমম্ম্না মঙাল অমমমনি। মপানগী জগত্তা মৈ কল্ল কয়, থাউমৈ কয়া কয়া চাক্লম্মী-ভাক্লম্মী। মখোয়দ অনিত্য জ্ঞানগুম্বা ভাক্তনি। পৃথ্বীদা লৈবা মৈ থাউমৈনচিংবদি অনিত্যজ্ঞানগী প্রতীকনি। নোংমদোম্বক্তা, সৃষ্টিগী মতমদগী হৌজিক ফাওবা ভানুম্বা লৈরিবশিংসি নিত্যজ্ঞানগী প্রতীক ভাক্তনি। জ্ঞানীদি মশক উই, জ্ঞানদি মশক্ উদে। অহুনা মশক উমিবা মঙাল অমমম্ অসি মর্ত্ত্যলোকত্তা মশক উরম্বা জ্ঞানী অমমমগী অউবা মূর্ত্তি অমমম্নি। শুক্র, বৃহস্পতি, বুধনচিংবা মহাজ্ঞানী অমমম্ ওইনা লৈরম্বা ভাক্তি। নিত্যজ্ঞানবু ।প্পুরিবা মখোয় মশামক নিত্যজ্ঞানীনি।

সর্ব্বমানন্ত্যমাসীৎ বৈ এবং নঃ শাশ্বতী শ্রুতিঃ। তেষামপেতত্ৃষ্ণাণাং নির্ণিক্তানাং শুভাত্মনাং ॥২৯॥
চতুর্থোপনিষদ্ধর্ম্মঃ সাধারণ ইতি স্মৃতিঃ। সংসিদ্ধৈ সাধ্যতে নিত্যং ব্রাহ্মণৈর্নিয়তাত্মভিঃ ॥৩০॥
সন্তোষমূলস্ত্যাগাত্মা জ্ঞানাধিষ্ঠানমুচ্যতে। অপবর্গমতির্নিত্যো যতিধর্ম্মঃ সনাতনঃ ॥৩১॥
সাধারণঃ কেবলো বা যথাবলমুপাস্যতে। গচ্ছতাং গচ্ছতাং ক্ষেমং দুর্ব্বলোঽত্রাবসীদতি।
ব্রহ্মণঃ পদমন্বিচ্ছন্ সংসারান্মুচ্যতে শুচিঃ ॥৩২॥

অশাউবা, কলঙ্ক,মিহৌবা কহ্নিমত্তা য়াওদ্রবা, মতোয় অতুগী পূক্লীং থম্মায়দগী অপাম্বা মিহৌবা থৌরাংশিনা-চিংবা মথং মথং মপান্থোকপ্রবা, মলুং-মপান্দা পূমশেং শেংপ্রবা, মথোয়গী বুদ্ধি অমদি জ্ঞান অতু জগৎকী মঙ্গল ওইবা থবক্লোমজদা মমায় ওঙ্খিনপ্রবা অতুগুম্বা তত্ত্বজ্ঞানী ওইবা মহাপুরুষশিং অতুগী মীংদোমদি উক্ত উক্রবা পোৎ থুদিংমক ব্রহ্মজ্ঞানতনা উশিন্‌খিবনা ব্রহ্মগী মশকমক্তা ওইখি। অতুম ওইবা পুণ্যাত্মা ওইরব-শিং অতুদি অমমম্না ব্রহ্মস্বরূপনি। হায়রিবা রাকস অসি ঐখোয়না আ মমাংতৌদগী অমুম তানরক্রবনি ॥২৮—২৯॥ দেহপুংদা জীবাত্মা কৌতুনা লৈরিবা ব্রহ্ম, অচৌচক্তনা থল্লবা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিনা মহাক্কী আকার (অঙ্গবা মওং) ওইতুনা, হায়বদি— সাকার ওইতুনা লৈরিবা ব্রহ্ম, অদুগা হায়রিবশিং অসিগী রাংমদা মরি শুবা থাক্তা লৈরিবা ব্রহ্ম অতুগা মরীশম লেৎবা উপনিষদ-বিদ্যা, অতুগা বিদ্যা অসিবু কাংথনবা শম (তপ্‌ থবা), দম (ইন্দ্রি খুতুম চন্‌বা), সংসারগী বিষয়শিংসিদগী ভঙ্গিবমথৈ লাপ্না হন্দোকপা, অরাবা খাওবা, থাজবা মুংশিবা, হৈনিংবগা লোয়ননা তৌরিবা ভক্তি, হায়রিবা মচাক্‌শিং অতুনা পূক্নীংদা চপচাবা লেপ্প-প্রবা অতুগুম্বা সমাধানগী মশক ওইবা ধর্ম অতুদি আশ্রম মরিমক্তা লৈরিবশিংগী সাধারণ ধর্মনি, হায়বদি— খ্বাইমক্কী ওইনা লৈবা ধর্মনি। স্মৃতিশাস্ত্রনসু মকম পুম্বদা হায়রিবনি। অতুবু খ্বাইমক্কীনিদি হায়রগা থম্মোয় হকচাং অমীবু লাকশিন-কাজিন্দুনা লৈপ্রবা, তপস্যাতনা সিদ্ধপুরুষ ওইতুনা লৈপ্রবা, ব্রহ্মতত্ত্বতদা লুপ্তুনা লৈপ্রবা সিদ্ধযোগীশিং অতুতনা হায়রিবা ধর্ম্ম অসিবু আচরণ তৌবা— চৎপা-শুম্মি ॥৩০॥

মাগী মুংশাইবগী মরুনা 'পেক্তবা'' কৌবতুতনা ওইরিব, মাগী থাজেশেংবা মশক্ক— "থাদোক্‌পা" হায়বতুতনা ওইরিবা, জ্ঞানগী ভুংমক্ত চঙজফন হায়বতু মহাক্তনি হায়নরিবা অয়ান্‌বা থুক্তম পীনবী বুদ্ধিনা, ব্রহ্মগী স্বরূপপু থাজেশেংনা উননবা লম্বীনা মহাক্কী থানবা য়াত্রবা মচাক্‌ ওইরিবা অতুগুম্বা সন্ন্যাসাশ্রম কৌবা ধর্ম অমুতনা সনাতনধর্ম হায়বতু ওইরিবনি ॥৩১॥

অতৈ অতোপ্পা আশ্রমশিংতুপা তিনবু তিন্নরুবরতু নত্রগা মথন্তা তোঙাম্ব স্বতন্ত্র ওইনা লৈরবতু নত্রগা মপা মপাগী বৈরাগ্যগী শক্তিবু ওইররসু হায়রিবা যতিধর্ম্ম অসিদা আশ্রয় লৌরবা মথোয় অতুদি পুন্‌শি অসিদা হীরম পুম্বদা মঙ্গল-ত ওইতুনা লৈ। হায়রিবা লম্বী অসোমদা লাক্লিবমথৈ কাম্‌বা ওইজর-ত

অতুনা শুক্র, বৃহস্পতি, ধ্রুবনচিংবা জ্ঞানী কয়া কয়ানা মতাপ অমমম্ ওইনা— নক্ষত্র, তারা, গ্রহ ওইনা লিতামূর্ত্তি পুতুনা নোংমদোক্তক্তা লৈরি। পোৎ পূম্নমক থুদিংমক আকাশদা মশক উরমগনি, আকাশদা মাঙ-খিনি। জ্ঞানময় ব্রহ্মবু জ্যোতির্ময় হায়নরি। (কালাচাঁদ)

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

যে ভুঞ্জতে যে দদতে যজন্তেঽধীয়তে চ যে। মাত্রাভিরুপলব্ধাভির্যে বা ত্যাগং সমাশ্রিতাঃ ॥৩৩॥

এতেষাং প্রেত্যভাবে তু কতমঃ স্বর্গজিত্তমঃ। এতদাচক্ষ্ব মে ব্রহ্মন যথাতথ্যেন পৃচ্ছতঃ ॥৩৪॥

কপিল উবাচ।

পরিগ্রহাঃ শুভাঃ সর্ব্বে গুণতোঽভ্যুদয়াশ্চ যে। ন তু ত্যাগসুখং প্রাপ্তা এতত্ত্বমপি পশ্যসি ॥৩৫॥

স্যূমরশ্মিরুবাচ।

ভবন্তো জ্ঞাননিষ্ঠা বৈ গৃহস্থাঃ কর্ম্মনিশ্চয়াঃ। আশ্রমাণাং সর্ব্বেষাং নিষ্ঠায়ামৈক্যমুচ্যতে ॥৩৬॥

একত্বেন পৃথক্ত্বেন বিশেষো নাত্র দৃশ্যতে। তং যথাবৎ যথান্যায়ং ভগবান্ প্রব্রবীতু মে ॥৩৭॥

হংঙি। হায়রিবা লম্বী অসোমদা লাকপা ওমদবা শোল্লবা, পৃথ্বীংবু অহুগা ইন্দ্রিয়শিংবু খুত্থম-চনবা ওমত্রবশিং অহুদি মখুৎ-মশা প্রোক্ প্রোক্ থেকুনা ভুমিন্না লৈ। হায়রিবা যতিধর্ম অসিদা লৈহ্নুনা— চৎতুনা মত্থুং মপান্ পুম্নমক শোংথ্রবা— শুদ্ধ আত্মা ওইথ্রবা মখোয়শং অহুদি— ব্রহ্ম-পদবী-তদ্ থিহ্নুনা— খন্দুনা লৈবনা সংসারগী অকা-অপুন্নবদগী লায়না লাস্থোকপা ওম্মি ॥৩২॥ স্যূমরশ্মিনা হংঙি—ব্রাহ্মণ। মশানা তাঞ্জব অহুত্তবু ভোগ তৌরিবা, তান্না-তাল্লগা দান তৌথোকপা, তান্নিবা শেল অহু যাগ যজ্ঞমচিংবা ধর্মগী অনুষ্ঠানদা থীজিন্নরিবা, অতৈ কন্নিমত্ত পামদনা স্বাধ্যায়দা পুক্নীং চঙলিবা হায়বদি বেদশাস্ত্র ধর্মগ্রন্থনচিংবা পাবা; অমা নৈনবদা পুক্নীং চঙলিবা—হায়রিবা তোঙাল তোঙানবা মীশক মরি অসিগী মহুংদা কয়হনা মর্ত্ত্যলোক অসি থাদোকপগা স্বর্গগী নুংঙাইবা ভোগ অহুবু ফংখিবগে? মাসিঐ থত্তজনীংহ্নুনা হংজরি। থাজেশোংনা, নাথেশোংনা অমুক্ত তাকপিয়ু ॥৩৩-৩৪॥

কপিলনা হায়খি—সাত্ত্বিকগুণনা মাগী থম্মোয়দা ওাল্লবা অহুগুম্বা মগাক অমুনা তৌরিব থবক মথৈ মঙ্গলগী মশাক্নি। অদুগা নুংঙাইবা মথল মথল ফংখি। অদুনু, নুংঙাইবশিং অদুগী মহুংদা করিগুম্বা নুংঙাইবা অমত্তনা, ত্যাগী (সংসারগী বিষয়বু থাদোক্লবা মী) অমগী নুংঙাইবত্তুবু তানবা ফংদে। মাসি নহাক নশামক্তন্থ উরি ॥৩৫॥ স্যূমরশ্মিনা হায়ঃ— ভগবন! ব্রাহ্মণ! নহাক্না জ্ঞাননিষ্ঠ (জ্ঞান নামহেল্লে হায়না জ্ঞান তদ লেপ্পবা) নি, অদুগা গৃহস্থশিংনা কর্ম্মনিষ্ঠনি, কর্মতৌবতনা অহেনবনি অথোইবনি হায়না লেপ্লবনি। অদুগা অদুকন্থ ব্রাহ্মণ নহাক্না আশ্রম পুম্নমক অসি অমত্তনি, চপ মান্নে হায়নন্থ তাকপিরি। অমুকন্থু চপ মান্নে, অমত্তনি হায়না তাকপিবা, অমুকন্থ হেনব ফাংপগী মওংদা ওইনন্থ তাকহনবিয়ু। * মাসি লৌকম থত্তক্রে, চনৈনরে। অদুনা চনীংতানা নাথেশোংনা অমুক্ত তাকপিয়ু। ॥৩৬-৩৭॥

* জ্ঞান মার্গগা কর্ম মার্গগা মশা অমত্তনি খেন্নবা লৈতে হায়নন্থ কপিলনা তাকপিরি। অদুগা মুন্ন থজিন্নুবদি কর্মমার্গদগী জ্ঞান মার্গনা হেনবগী ভাবন্থ কপিলন হায়রি। কর্মমার্গনা কর্মযোগীশিংগী লম্বীনি, জ্ঞানমার্গনা জ্ঞানযোগী হায়বদি ত্যাগী সন্ন্যাসীশিংগী লম্বীনি হায়রি। কপিলনা মমুম্না তাকপা মগুং

কপিল উবাচ।

শরীরপক্তিঃ কর্ম্মাণি জ্ঞানং তু পরমা গতিঃ। কষায়ে কর্ম্মভিঃ পক্কে রসজ্ঞানে চ তিষ্ঠতি ॥৩৮॥

কপিলনা হায়ঃ— কর্মদি চুমগী মপান অচৌবা হকচাং (স্থূল শরীর) অদুগা অকুপ্প-অপীকপ। হকচাং (সূক্ষম শরীর—লিঙ্গ শরীর) অনীসিবু শুদ্ধ তৌননবা, হায়বদি, শেংদোক্লনবগীদমক্ক লৈজবনি। পরমগতিদি নত্তে, হায়বদি, মাসিমক্না ভাইহংমীওইবগী মপোক্কী উদ্দেশ্য-বিধেয়দি নত্তে। কল মহৈ) গী আথা থাদোক্তুনা তৌবা কর্মচুগী পাম্বনা (ঈশিংনা) হকচাংসিবু হেক শেংদোক্লবহুতনা, চায়বদি, থম্মোয়দা থুপ্তুনা লৈরিহা কল্লকপা, মিতৌবা, অপাম্বা, অহঙ্কারনচিংবহু চানথোকপ্রবহুতনা ভাইবংমীনা রস (মহাও) গী মথক ওইরবা রসজ্ঞান অদুগী পম্বিবায় মমুংদা চঙলকই —মাহুনি পরমগতি হায়রিবসি কর্ম কৌবা মহৈ মহৈ (উহৈ) অহুনা মুম্নগা জ্ঞান কৌবা রস (মহাউ) অহু লাক্লিবনি। মাহুনি রসজ্ঞান হায়রিবসি ॥৩৮॥ *

অসিদা স্থ্যামরশ্মিনা িংনরিবদি জ্ঞানগা কর্মগা মপা অমতনি হায়রগা কর্মদগী জ্ঞান হেন্বগী মওং অমুক হায়রক্লিবনো অসিনি অকুপ্পা বিচায়দনা—ত্যাগ তৌরিবা ত্যাগীবু অদুগা সন্ন্যাস (থাদোকপা) তৌরিবা সন্ন্যাসীবুদি জ্ঞানযোগগী মমুংদা লৈহল্লপা, জ্ঞনতানা কর্ম তৌরিবা গৃহস্থ ওইরিবা কর্মযোগী মহাকপুদি করিগীদমক অজ্ঞানগী মমুং ভাহনগদৌরিবনো ?—অসিনি। (কালাচাঁদ)

* মতাং অসি সাংখ্যযোগগা কর্মযোগগা অনী অসিগী মরম কুপ্পনেংনরকপা থংনরকপা মতাংনি। ভগবদ গীতা মতী স্থূলশরীর (মপানগী হকচাং) না লাল তৌহনব, (কর্ম তৌহনবা) অসিনি। অদুগা—মমুংগী লিঙ্গশরীর, সূক্ষ্মশরীর (মমুংগী অকুপ্পা হকচাং) না জ্ঞান ভানা কর্ম অদু তৌননবগী জ্ঞনতাকপা—অসিনি। কনানা কনাবু, হাংলিবনো, কনানা করিবু পোক্লিবনো—পোকহল্লিবনো অসিনচিংববু কুপ্প (সূক্ষ্ম ওইনা) নৈনরপা (নৈরগা) মাহুদগী থোরকপা রসজ্ঞানগী অমৃত অদু থকহন্নবা হোৎনবদা ভগবদগীতাগী সূক্ষ্মশরীরনি অনী অসিনা ভগবদগীতা উপানবদ কী মূর্তি ওই। জীবাত্মাগী মূর্তিদি সূক্ষ্মশরীর স্থূলশরীর অনীসিনা ওই। স্থূলশরীরনা কর্মনি সূক্ষ্মশরীরনা জ্ঞাননি। জ্ঞান কর্ম অনীনা ভগবৎগীতাগী মূর্তি ওই। ভাহবং মপোকত মূর্তি শুনা পোকপা হায়বদি স্থূল-সূক্ষ্মশরীর অনীসি শুনা পোকপা হায়বনি। হায়বদি, জ্ঞানশক্তি কর্মশক্তি অনীসি শুনা পোকপা হায়বনি। মপানগী মৈ জীশিংনচিংবনা ওইজখিবা হকচাং অসিদা থোংথুং শোয়দনা মশীংবাশুনা পোকপা ভাক্কনা মূর্তিশুনা পোকপা হায়বহু নত্তে। জ্ঞানভাদনা কর্ম তৌরিবমথৈ পুনর্শিচুম্না মূর্তি শুদনা পোকপা মপোক্কা হকচাংদ) জীবসি লৈরিবনি। মপাম্মোংগী থোংথুং কল্লগা মশীং রাস্তমা পান্নগা কৈদৌননি ? মপাম্মোংগী অহল ওইবা, নহা ওইবা, হকচাংসিগী কাম্নদবা মায়াদা মুগ্ধ (শুমহৎপা) ওইন ওইমা লাল তৌরম্বা, লালথাদোক্কে নীংলকপ হায়বদি সন্ন্যাসী ওইগে থল্লকপা অর্জ্জুনদা ভগবান্না জ্ঞান ভাকপনি। গীক্রবা গীতান রাম শন্না, রাম কোইনা, রাম লাইনা ভাকপা অমুপ চাউম্বা (খগ,

আনৃশংস্যং ক্ষমা শান্তিরহিংসা সত্যমার্জবম্। অদ্রোহোঽনভিমানশ্চ হ্রীস্তিতিক্ষাশমস্তথা ॥৩৯॥
পন্থানো ব্রহ্মণস্ত্বেতে এতৈঃ প্রাপ্নোতি যৎ পরম্। তৎ বিদ্বাননুবুধ্যেত মনসা কর্ম্মনিশ্চয়ম্ ॥৪০॥
যাং বিপ্রাঃ সর্ব্বতঃ শান্তা বিশুদ্ধা জ্ঞাননিশ্চয়াঃ। গতিং গচ্ছন্তি সন্তুষ্টাস্তামাহুঃ পরমাং গতিম্ ॥৪১॥
বেদাংশ্চ বেদিতব্যং চ বিদিত্বা চ যথাস্থিতিম্। এবং বেদবিদিত্যাহুরতোঽন্যো বাতরেচকঃ ॥৪২॥
সর্ব্বং বিদুর্ব্বেদবিদো বেদে সর্ব্বং প্রতিষ্ঠিতম্। বেদে হি নিষ্ঠা সর্ব্বস্য যৎ যচ্চাস্তি চ নাস্তি চ ॥৪৩॥
এষৈব নিষ্ঠা সর্ব্বত্র যৎ তদস্তি চ নাস্তি চ। এতদন্তং চ মধ্যং চ সচ্চাসচ্চ বিজানতঃ ॥৪৪॥

অচ্চেম্ব জীবপানবা থৃদিংমক্তা চপ মান্নবা থোক্কানগী মীংয়েংনা য়েংবা, মীগী অৱানবা ত্তাকপিবা, তুমিংচুম্ন তপথনা-ঈংনা লৈবা, হিংসা তৌদবা, অচুম্বা ত্তাঙবা, ঈচম চম্বা:— লোথুপ কোকোই লৈতবা, কন্নক-য়েংথিক্কদবা, থোম্নদবা, ঈকাইবথত্তবা. অৱাব থাত্তত্ত্বা, ইন্দ্রিয় থুচুমচনবা—মথোম্ন অসি পরব্রহ্ম থম্মাম্মাবু ফংনবগী লম্বীনি। হায়ৰিবশিংসিগী পাম্বনা পরমাত্মা পরমানন্দ মহাকপু ফংলে। মতৌ অম্নুম্না বিদ্বান-জ্ঞানী ওইবা মীনা পুক্নীংগী পাম্বনা থাজে শেংবা কর্ম হায়বম্নুগী পোলোইবু ত্তনীংত্তানা লেপ্পচুনা থম্নে—অচুগা থমগদবমক্নি ॥৩৯-৪০॥

ঠীম্নম পুম্নমক্ক শান্তিফংলবা, তুমিংচুম্ন ঈপেন্ত পেঙ্গচুমা লৈবা, থম্মোঙ্গদা ফরিত্তশ্বা অমমকপগী শম্নক অমত্তা লৈত্রবা, জ্ঞানমার্গত্তদা চত্তুনা লৈৰিবা, অম্নুত্তশ্বা ব্রাহ্মণ অচুনা ফংগ্রিবা গতি অম্নুনি পরমাগতি হাম্নৰিবসি ॥৪১॥ বেদশিংবু, অচুগা বেদগী জ্ঞানশিংচুম্না পাম্বে ওইচুনা ফংব ম্নাবা অচুগা হাম্নৰিবা পাম্বেসিং তনম্ন ফংগদ ওইবা পরব্রহ্মাচুগী তত্ত্বু থত্তবা মচাক অচুত্তবু বেদবিৎ (বেদ থত্তবা) হায়না কৌই। হাম্নৰিবা বেদবেত্তা অসিনত্তবা মথেনা বেদবু, বেদগী তত্ত্বু, পরমাত্মাগী তত্ত্বু থত্তবা ত্তমদে। মৈক্ষম উত্তোংদগী থুংশিং কামথোম্নকপম্নুত্তম্না মতীম্নগী বেদ উচ্চারণচুগী থুংশোম্নোম্নমা থুংশিং কামথোক-চম্নকপদনি ॥৪২॥

বেদ থত্তবা মীদি শোইনা থত্তিত্ত, মম্নমদি পুম্নমক বেদদা ফুত্তচুনা লৈ। লৈম্নি লৈম্নিবা অচুগা লৈত্রি লৈত্রিবা পোংথুদিংগী অবস্থা অচুগা লৈম্নিবা মবৈ, লৈত্রিব মবৈত্ত পুম্নমক অসি বেদদা নীঙথিনা ব্যাখ্যা তৌচুনা ত্তাকলি ॥৪৩॥ শাস্ত্র পুম্নমক্কা চপ মান্নবা লেপ্পিবা সিদ্ধান্তত্তি করিনো হায়বদা—বিশ্বজগৎ

যজু: সাম, অথর্ব) বেদনা ত্তাক্কে। অত্তে উপনিষৎকী ম্নাদি করি অমুক হায়কপনি। অংদা মুম্নি ত্তনা পোকশদি বেদদশীম্ন গীত্তানা হেক্লি। অংনা বেদবু ব্রহ্মবিদ্যানি হায়নদে। গীত্তাবুদি ব্রহ্মবিদ্যানি হায়নৈ। ‘গীতা গঙ্গা চ গায়ত্রী, সীতা সত্যা সরস্বতী। ব্রহ্মবিদ্যা ব্রহ্মবল্লী ত্রিসন্ধ্যা মুক্তিদায়িনী। × ×” অসিনচিংবসি গীতাদা হায়বত্তম্না বেদদা হায়নদে। অচুত্তবী গীতানম্ন রস জ্ঞানামৃতবু চুম্ন চাবা অম্নুত্তনা জীবাত্মাসিংগী পরমগতি (পরমোদ্দেশ্য) নি। অথোইবা উদ্দেশ্যনি হায়ৰি। মত্তাং অসি সাংখ্যযোগগী সৃষ্টিকর্ত্তা ভগবান্ কপিলনা স্যুমরশ্মিদা ত্তাক্লি। (কালাচাঁদ)

সমাপ্তং ত্যাগ ইত্যেব সর্ববেদেষু নিষ্ঠিতম্। সন্তোষ ইত্যমূপগতমপবর্গে প্রতিষ্ঠিতম্ ॥৪৫॥
ঋতং সত্যং বিদিতং বেদিতব্যং সর্বস্যাত্মা স্থাবরং জঙ্গমং।
সর্ব্বং সুখং যচ্ছিবমুত্তমং চ ব্রহ্মাব্যক্তং প্রভবশ্চাব্যয়ং চ ॥৪৬॥

অদিদ লৈরিবা হায়বদি লৈ হায়না উরিবা পোৎ খুদিংমক অসি, লৈ হায়নাউরিবসি লৈ হায়না থাজরিবা মতম অমু কাওবতমি লৈরিবা। অমুবু পরমার্থদৃষ্টিনা অমদি জ্ঞান দৃষ্টিদা য়েংশিল্লকপদদি লৈরিবা মরে অমুনা বাধাবিঘ্ন য়াম্ন পীবা মরমনা লৈ হায়রিবা মথোয় অমু মতম অমুদা শুকলৈ লৈখিদে। অমুনা জ্ঞানী পুরুষশিংগী মীত্তা অউবা উদবা পোৎ খুদিংমক্কী অমুগা অয়েৎবা-লৈতবা পোৎখুদিংমক্কী অহৌবা মরক-অয়োইবা অমুমক অসি ব্রহ্মস্বরূপনি। হায়বদি ব্রহ্মতনা পোৎ খুদিংমক্কী অহৌবা-মরক-অয়োইবা শরুক অমুমক ওইরিবনি ॥৪৪॥

পুম্নমক থাদোক্লবা ভুংদা ব্রহ্ম কংলিবনি হায়বদি ব্রহ্মজ্ঞান লাক্লিবনি ব্রহ্মজ্ঞান অমদি ব্রহ্মজ্ঞানী মশামক ব্রহ্মস্বরূপনি। মাসি, বেদ পুম্নমক্কা য়ানথরবা-লেপনথরবা বিষয় অমনি। হায়রিবা ব্রহ্মজ্ঞান অদি মশানা আনন্দস্বরূপ ওইবনা ধর্ম পুম্নমক্কী অমুগতনি হায়বদি করিগুম্ব ধর্ম অমগী বিরুদ্ধ ওইদে। মহাক অসিগুনা অরানবা খুত্তম হায়বমু পীরিবনি ॥৪৫॥ *

মরম অমুনা ব্রহ্ম হায়বসি খ্বাইদগী চুম্বা, থত্তুনা লোইখবা, থত্তগদব মবপু ওইবা, অচচ্চম খুদিংমক্কী আত্মা ওইবা, অচচ্চম পোৎ খুদিংমক্কী অমগমগা চপ মান্নবা মশক ওইদা, মপুকানা নুংঙাইবা হায়বমুমক ওইবা খ্বাইমক্কী মঙ্গল ওইবা, খ্বাইমক্কগী অহেনবা-অফবা ওইবা, পোৎ খুদিংমক্কী মশক ওইবনা অয়েপ্পা

* সংসারদা হেক লৈরিবা, চৎমরিবা ধর্ম সম্প্রদায় অমত্তনা ধর্ম হায়বসি অরাবা ফংননবগীদমক্তনি হায়বসি হায়রম্ময়োইদৌবনি। আনন্দ (নুংঙাইবা) হায়বমু ফংননবগীদমক্তা ধর্ম হায়বসি লৈরিবনি; হায়বসিদা করিগুম্বা ধর্ম সম্প্রদায় অমত্তনা য়েৎনরোইদৌবনি। ধর্মগী সম্প্রদায় অমমত্তা লৈরিবসি তাই-বংমীবু অরাবা তাইনগে হায়বগীদবক্তা নত্তে। অমুগা ফংনগদৌরিবা, ফংহনগদৌরিবা আনন্দ অমুমু অনিত্য নত্তে, ওহাক্কী নুংঙাইবা অমু নত্তে। ওহাক্কী নুংঙাইবা অমুকাওবা তাইবংমীনা তাররিবনি। অমুনদি নিত্য ওইনা মাঙবা লৈত্তনা অমুক নুংঙাইথরবা হায়বমুবুদি করিগী পাম্মোই,—করিগী তাম্নরোই? অমুগুম্বা নিত্য ওইবা অনন্ত ওইবা অয়োইবা লৈত্তবা আনন্দ অমুবুনি ব্রহ্মানন্দ হায়রিবসি। ধর্ম পুম্নমক্কা শীরুনো লৈবমুবুনি ব্রহ্ম হায়রিবসি। "ঐদি ব্রহ্মবাদী নত্তে" হায়রিবমু ঐগী ধর্মদি ওহাক্কগী নুংঙাই-হনবা ধর্মনি হায়গুম্বনি। অশুম্না হায়রিবা নাস্তিক মশামক থরকুইথনা পুনশিন্নুনা থর কুইনা নুংঙাইথবসি অমুম মপাম্মি। নিত্য ওইবা আনন্দবু পাম্মোইদৌবদি কনামু লৈত্তে। মুম্না থমুকবদি মী খুদিংমক্কী উদোক্তদি ব্রহ্মানন্দমু ফংননবা হোৎনবা অসিত্তনি। অমুগুম্বা ব্রহ্মানন্দ হায়বদি ব্রহ্মজ্ঞান অমুক্তনা তাইবং মীবু অরাবা খুদিংমক্কগী মুক্ত ওইহনগদৌরিবনি। (কালাচান্দ)

তেজঃ ক্ষমাশান্তিমনাময়ং শুভং যথাবিধং ব্যোম সনাতনং ধ্রুবম্।
এতৈ সর্ব্বৈর্গম্যতে বুদ্ধিনেত্রৈ তস্মৈ নমো ব্রহ্মণে ব্রাহ্মণানাম্ ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
গো-কপিলীয়ে পঞ্চষষ্ট্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৫॥

——:(*):——

অকঙ্গবা মশক লৈতবা, পোৎ খুদিংমক্তী হোৎনকক্কম মকম্ ওইবা অহুগা ৪৯ দ্বিগুবা মকম মতমদা অমাঙঅতা লৈরয়োইদৌবনি ॥৪৬॥

অহুগুবা, আকাশগী মতৌগুম্না, কম্নিগুবা পোৎ অমতগী শরুক অমতবা মঙোন্দা নপশিনহন্দবা-থোংহন্দবা, মকম মতম পুম্নমক্তা অমাঙবা লৈরয়োইদৌবা ব্রহ্ম মহাকপু তত্ত্বজ্ঞানী ওইবা মীশিংতনা জ্ঞানগী তেজ, খাঙবা কনবা ঙাক্‌পিহৈব(অহুগা শান্তিমচিংবগী পাম্বৈতনা ফংবা ওন্নি। অউবা পোত্তা হায়রগা, ব্রহ্ম খঙলিবা-ব্রহ্মতত্ত্বরু মুম্ন খঙলিবা সাধক অহুমক মাগী অউবা মশা ওইনা লৈহনবা অহুগুবা ব্রহ্মগুমু হুম্না হুম্না থুক্‌সৈজে ॥৪৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা গো কপিল-তাঙনবদা চনী-হুম্‌ফুমঙাঙবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৫॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ষট্‌ষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(তপস্বী ব্রাহ্মণ অমগা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অনীগী সংবাদ)

চনীহুম্‌ফুতরুকৃশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ধর্মমর্থং চ কামং চ বেদাঃ শংসন্তি ভারত। কস্য লাভো বিশিষ্টোঽত্র তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা হংজি :— ভরতশাগেগী মুংঙাইনকমগী মশক ওইরবা ঙীবুধো? বেদনদি ধর্ম অর্থ কাম অহুম অসিগী মগুণ মকম অয়াম্বদা বর্ণন তৌরি। অদুগা মথোয় অসিগী মনুংদা কনানা খ্বাইদগী

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি ইতিহাসং পুরাতনম্। কুণ্ডধারেণ যৎ প্রীত্যা ভক্তায়োপকৃতং পুরা ॥২॥

অধনো ব্রাহ্মণঃ কশ্চিৎ কামাৎ ধর্মমবৈক্ষত। যজ্ঞার্থং সততোঽর্থার্থী তপোঽতপ্যত দারুণম্ ॥৩॥

স নিশ্চয়মথো কৃত্বা পূজয়ামাস দেবতাঃ। ভক্ত্যা ন চৈবাধ্যগচ্ছৎ ধনং সম্পূজ্য দেবতাঃ ॥৪॥

ততশ্চিন্তামনুপ্রাপ্তঃ কতমদ্দৈবতং তু তৎ। যন্মে দ্রুতং প্রসীদেত মানুষৈরজড়ীকৃতম্ ॥৫॥

সোঽথ সৌম্যেন মনসা দেবানুচরমন্তিকে। প্রত্যপশ্যজ্জলধরং কুণ্ডধারমবস্থিতম্ ॥৬॥

হেনবগে হায়বহুদি থাজে শেংনা ফোঙদোকপিদে। অহুনা, ঈবুধৌনা মখোয় অহুম অসিগী মনুংদা করম্বা খ্বাইদগী হেনবগে হায়বহু তাকপিয় ॥১॥ *

ভীষ্মনা হায়ঃ— নিংথৌ? নহাক্না হংলিবা বিষয় অসিগী মরমদা কুইরবা ইতিহাসপা য়ায়ী অমা তাকনগে। মমাংঙৈদ কুণ্ডধার কৌবা দেবসেবক্তা (লোং) অহুনা পেনখিবনা মহাক্কী মফমদা ভক্তি য়ায়া তৌজবা ভক্ত অমগী উপকার য়াম্ন তৌবিখি ॥২॥ করিগুম্বা মতম অমদা য়ুম্ন লায়রবা ব্রাহ্মণ অমনা লললৈনবা সকাম কর্ম অমসুং ভোগে হায়না মপুক্নীংদা লেপখি। মসিগী মরমদা চাউরবা যজ্ঞ অমসুং পাঙথোক্লনবগী মমক্তা মহাক মতৌকচাবা লেল থবা পাম্মর্খি। মাংখীদমক্ত অকনবা তপস্যা তৌরম্মি ॥৩॥ লাইরেবাক্কী লাইহানংথৌনিং, দেবী দেবা ময়াম্বা আবাহন তৌদুনা পূজা তৌরম্মি। অদুবু, তৌরিবা মাগী সেবা পূজা অদুনা মথোক্না করিমত্ত ফাম্রক্রে। করিগুম্বা লন মচেং অমা ফংবা ঙমখিদ্রে ॥৪॥

অদুগীদি থুংক্ত পেনখিবা হৈরবা, কৌজাল হৈক্ষ্ণা দেবতাসি কনা ওইরিবগে অদুগা তাইবংমীনা পূজা ইতৌতৌত্রিবা লাই সিনা কনা ওইরিবগে হায়না কুপ বিচার তৌরকই ॥৫॥ অদুগী তুং দা ঙাইহাক

* ধর্মনা পাইম্ন ওইদুনা কংউকপা পোৎ কচু অর্থ (সম্পত্তি) নি। অর্থ অদুনা পাইম্ন ওইরনা ফংনিংবা অপাম্বদু কমৈ অপাম্বা অদুনি কাম হায়রিবসিনা। ধর্মনা ফংবা পোৎ অদুতবু অর্থ কৌই। অধর্মনা ফংবদুনি মমল য়াম্রসু অর্থ নত্তে, মদু অনর্থ নি। অনর্থ (অর্থ নত্তবা-মাচুম্ন সম্পত্তি নত্তবা) না অপাম্ব (কাম) বু নিত্য ওইনা পীবা ঙমদে। যুধিষ্ঠিরনা চিংনরিবদি ধর্ম কান্দনা অর্থ ফংবা ঙমদে, অর্থ দুনা অমুক দানযজ্ঞনচাবা ধর্মগী অনুষ্ঠান ময়াম অসি তৌগদৌরিবনি। কাম (অপাম্বা) অদুবু পীবা ঙমদ্রবদি অর্থনি হায়বিবদু থাজৈথোবা অর্থ নত্তে। অদুগনি, মখোয় অহুম অসিগী মনুংদা খুদ্ধইবগী অখোইবা অমত্তংতবু তানগে, হায়রবদি ধর্মতবু তানগম্বা, অর্থ অশেংবদুতবু তানগদবা মতুংদা অপাম্বা (কাম) অদুতবু তাম্লগা অমদি ফংলগা ধর্মগী অনুষ্ঠান অমুক তৌত্রবস্ত য়াহবরা ?—অসিনি। মহাক পাম্বা অমদি ফংলবা মতুংদা অতৈ অতোপ্পা পাম্নীঙায় অমা লৈত্রবা মহাক অহুদগী মোক্ষ (অয়ানবা থুডম) হায়বা অমসু লৈরি (কালাচাঁদ)

দৃষ্ট্বৈব তং মহাবাহুং তস্য ভক্তিরজায়ত। অদ্য মে দাস্যতি শ্রেয়ো বপুরেতদ্ধি অদ্ভুতম্ ॥৭॥
সংশ্লিষ্টশ্চ দেবস্য ন চাস্মৈর্মানুষৈর্বৃতঃ। এষ মে দাস্যতি ধনং প্রভূতং শীঘ্রমেব চ ॥৮॥
ততো ধূপৈশ্চ গন্ধৈশ্চ মাল্যোচ্চাবচৈরপি। বলিভির্বিবিধাভিশ্চ পূজয়ামাস তং দ্বিজঃ ॥৯॥
ততস্ত্বল্পেন কালেন তুষ্টো জলধর স্তদা। তং ত্বাপকারনিয়তামিমাং বাচমুবাচ হ ॥১০॥
ব্রহ্মঘ্নে চ সুরাপে চ চৌরে ভগ্নব্রতে তথা। নিষ্কৃতির্বিহিতা সদ্ভিঃ কৃতঘ্নে নাস্তি নিষ্কৃতিঃ ॥১১॥
আশায়াস্তনয়োঽধর্মঃ ক্রোধোঽসূয়াসুতঃ স্মৃতঃ। লোভঃ পুত্রো নিকৃত্যাস্তু কৃতঘ্নো নার্হতি প্রজাম্ ॥১২॥
ততঃ স ব্রাহ্মণঃ স্বপ্নে কুণ্ডধারস্য তেজসা। অপশ্যৎ সর্ব্বভূতানি কুশেষু শয়িতস্তদা ॥১৩॥

লৈরপা দেবতা পূজমকী ঈ-পাউ পুন্না লৈরিবা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ (মোং) অদুবু ব্রাহ্মণ অদুনা মথাঙ-দা লেপ্পুনা লৈবদু উই ॥৬॥

অকনবা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অদুবু হেক উবদা, মহাকী মকমদা থত্তহৌদনা ব্রাহ্মণ অদুগী থম্মোয়-দা ভক্তিগী হৌচেল অমা পোকখি। মাসিনা পোয়দনা ঐগী নীংবসি থুংহনব ঙমগনি হায়না ব্রাহ্মণ অদুনা খনখি। মীগী নীংবা থুংহনব মীগী থবক্ত মঙল ওইহন্নবগী থুদম পুম্বদু মাগী মশাদা য়াওরি —অদুম হায়নসু ব্রাহ্মণ অদুনা খনখি ॥৭॥

অমুকসু মহাক্ অসুম হায়না খনখি:— মহাক অসি, স্বর্গগী দেবতাশিংগী মনাক য়াম্না নক্কবা দেবতা অম ওইনসু উই। মহাকসিগী মনাক্ত অকোয়বদা অতৈবংমী অতৈ অতৈমা ঈকোয়-কোয়শিন্না লৈবসু নন্দ্র। অদুনা দেবতাসিনা ঐঙোন্দা শোয়দনা লল থকদি মপীরগনি ॥৮॥ অদুনগীদি, ব্রাহ্মণ অদুদা মাগী লৈজবা ধূপ, দীপ, মনমমুংশিরবা হৈ লৈ থবনা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অদুগী পুজা তৌখি ॥৯॥ কুণ্ডধার কৌবা মেঘ অসি মহাকী পুজা অদুদা থোইনা পেনখ্রে। অদুগী তুংদা ব্রাহ্মণ অদুগী কায়নবগী-দমক্তা নিয়ম নাইনা কর্ম্ম তৌনবগী পাউত্তাক পীখি ॥১০॥

ব্রাহ্মণ। ব্রহ্মহত্যা (ব্রাহ্মণদা হিংসা তৌবা, ময়াইকাবা মহী থকপা, তুয়ানবা, মশাগী ব্রত-নিয়ম থুগাইজবা, অসিগুম্বা মহাপাপ অসি কাক্কনবা প্রায়শ্চিত্ত-প্রতিকারদি লৈগনি। অদুগা বিশ্বাসঘাত তৌবা তৌবিমল থগুদবগীদি প্রায়শ্চিত্ত লৈদ্রে ॥১১॥ অধর্ম হায়বসি আশা কৌবীদুগী মচানি। অশাউবা (ক্রোধ) হায়বদুনা কলঙ্ক-মিৎহৌবা হায়বদুগী মচানি। লোভ (অপাম্বা) হায়বাসনা মরৈমম্না চাউবা পূকচেল শেংদব হায়বদুগী মচানি। অদুগা তৌবিমল থগুদবা হায়বদুগীদি মচা লৈদ্রে। হায়বদি মতৌন্দগী অমুক মথাত্তানিংঙাই লৈদ্রে ॥১২॥

অদুগীতুংদা ব্রাহ্মণ অদু কুণ্ডধার কৌবা মেঘদুগী তেজনা মৈরবদগী কুশগী আসনথক অদুদা তুম-থখি। অদুগা মমঙদা জীবপানবা অচচ্চত্ত পুম্নমকপু উবা ফংখি ॥১৩॥

শমেন তপসা চৈব ভক্ত্যা চ নিরুপস্কৃতঃ। শুদ্ধাত্মা ব্রাহ্মণো রাত্রৌ নিদর্শনমপশ্যত ॥১৪॥
মণিভদ্রং স তত্রস্থং দেবতানাং মহাদ্যুতিম্। অপশ্যত মহাত্মানং ব্যাদিশন্তং যুধিষ্ঠির ॥১৫॥
তত্র দেবাঃ প্রযচ্ছন্তি রাজ্যানি চ ধনানি চ। শুভৈঃ কর্মভিরারব্ধাঃ প্রচ্ছিন্দন্ত্য শুভেষু চ ॥১৬॥
পশ্যতামথ যক্ষাণাং কুণ্ডধারো মহাদ্যুতিঃ। নিপত্য পতিতো ভূমৌ কুণ্ডধার কিমিষ্যতে ॥১৭॥
ততস্তু দেববচনান্মণিভদ্রো মহামনাঃ। উবাচ পতিতং ভূমৌ দেবানাং ভরতর্ষভ ॥১৮॥

কুণ্ডধার উবাচ।

যদি প্রসন্না দেবা মে ভক্তোঽয়ং ব্রাহ্মণো মম। অস্যানুগ্রহমিচ্ছামি কৃতং কিঞ্চিৎ সুখোদয়ম্ ॥১৯॥
ততস্তং মণিভদ্রস্তু পুনর্বচনমব্রবীৎ। দেবানামেব বচনাৎ কুণ্ডধারং মহাদ্যুতিম্ ॥২০॥

মণিভদ্র উবাচ।

উত্তিষ্ঠোত্তিষ্ঠ ভদ্রং তে কৃতকৃত্যঃ সুখী ভব। ধনার্থী যদি বিপ্রোঽয়ং ধনমস্মৈ প্রদীয়তাম্ ॥২১॥
যাবৎ ধনং প্রার্থয়তে ব্রাহ্মণোঽয়ং সখা তব। দেবানাং শাসনাৎ তাবদসংখ্যেয়ং দদাম্যহম্ ॥২২॥

মহাক অসি ইন্দ্রিয় খুদমচল্লবা, তপস্যাকনব, ভক্তিভাবনা ভনা থম্মোয় হকচাং পুমথল্ থল্লবা, সংসারগী বিষয় ভোগগী রাথল য়াওল্লবা, পুকচেল শেংলবা মী অমনি। মাগী মওদা মহাক্না উথিবশিং অমুমক্না কুণ্ডধারগী মকমদা মহাক্না লৈরিবা ভক্তিদুগী অয়োবা পরিচয় অমদি প্রমাণ অদুম মওইয়ে ॥১৪॥ যুধিষ্ঠির! যক্ষপুমনক্না নিংথৌ পুকচেল চাউরবা মনিভদ্র হায়বদু লৈবদু ব্রাহ্মণ অদুনা উথি। অদুগা মহাক্না করিউবগে হায়ববু, লাইয়ামশিংগী মমাওদা অতিথি ভিক্ষারীনচিংনশিংবু, মণিভদ্রনা মাগী মনাক্ত কৌ-শিন্দুনা কমহল্লি ॥১৫॥

হায়রিবা মফম অসিদা লেদতাশিং অদুগী যাচকভিক্ষারীশিং অদুদা মানা মানা ভোরকপা অকবা কর্ম অদুগী মতুংইন্না মথোয়দা সনা লুপা মণিভদ্রনা লৈপাক (রাজ্য) দান তৌরি। অদুগা মমাওদা অমুক লৌথিবশিং অদুনা কত্তবা কর্ম তৌরবদি মথোয়দগী ধন-রাজ্যানচিংবদু অমুক মথলি, লৌশিল্লী ॥১৬॥ ভরত-শাগেগী অথোইবা! মফম অদুদা, যক্ষশিং অদুগী মমাঙ মফমদা কুণ্ডধারনা লাক্লিবা লাইয়ামশিং অদুদা চঙশিন্দুনা মকোক লৈমায় লোক্লা থুরম্মি ॥১৭॥

শিংলবা, পুকচেল চালবরা মণিভদ্রনা লাইয়ামদুগী ঈঙ্গিত মতুংইন্না—"কুণ্ডধার! মহাক করি পাম্মি হায়" অমুম্না কুণ্ডধারদা হংখি ॥১৮॥ কুণ্ডধারনা হায় :— ব্রাহ্মণ অসি ঐগী ভক্তনি লাইয়ামনা ঐবু নুংশিবিরবদি—চানবিরবদি, ব্রাহ্মণ অসিনা মাগী মতুংগী পুনশিদা সুখশান্তি ফংজকৌনবা উপায় অসি ঐহ্নু মতোন্দা পীনীত্তিও ॥১৯॥ মাদু তাবদা মণিভদ্রনা, লাইয়ামশিংদুগী য়াথং মতুং তেজলৈরবা কুণ্ডধারদা অমুক অমুম্না হংজকই—॥২০॥

মণিভদ্রনা হায় :— হৌগৎলু, হৌগৎলু, কুণ্ডধার! নং নুংঙাইরো, হয়াওরো। পোকপগী মহৈয়াব্রবনি, থাংবথুংলবনি হায়না থজো। করিগুম্বা, ব্রাহ্মণ অসিনা লন পাম্মবদু মতোন্দা লন পীরনি ॥২১॥ নহাক্না

বিচার্য্য কুণ্ডধারস্ত মানুষ্যং চলমধ্রুবম্। তপসে মতিমাধত্ত ব্রাহ্মণস্থ যুধিষ্ঠির ॥২৩॥

কুণ্ডধার উবাচ।

নাহং ধনানি যাচামি ব্রাহ্মণায় ধনপ্রদ। অন্যমেবাহমিচ্ছামি ভক্তায়ানুগ্রহং কৃতম্ ॥২৪॥

পৃথিবীং রত্নপূর্ণাং বা মহৎ বা রত্নসঞ্চয়ম্। ভক্তায় নাহমিচ্ছামি ভবদেষ তু ধার্ম্মিকঃ ॥২৫॥

ধর্মেঽস্য রমতাং বুদ্ধির্ধর্মং চৈবোপজীবতু। ধর্মপ্রধানো ভবতু মমৈষোঽনুগ্রহো মতঃ ॥২৬॥

মণিভদ্র উবাচ।

সদা ধর্মফলং রাজ্যং সুখানি বিবিধানি চ। ফলান্যেবায়মশ্নাতু কায়ক্লেশবিবর্জিতঃ ॥২৭॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততস্তদেব বহুশঃ কুণ্ডধারো মহাযশাঃ। অভ্যাসমকরোদ্ধর্ম ততস্তুষ্টাস্ত দেবতাঃ ॥২৮॥

ভক্ত অমদি মরূপ ব্রাহ্মণ অসিন। ঐন লাইরামশিং অসিদগী য়াথং লৌরগা মহাক্কা হেক পাম্বা শেল অমু মশীং লাকত্তমদনা পীগনি ॥২২॥

যুধিষ্ঠির! অদুক করবা বর অমু কংবদ খুংডাইগেদি হায়ত্নবনা কুণ্ডধারনা অনৱোমদ কৌরি হায়না ধনরূপগে হায়বরু —তাইবং মীগী পুনশিদি থজিক্কুনি, তাইবং মী হায়বসি য়াম্ন চকশনি, ডহাক্ক চনীং তাদবনি। লম্ব্রম সনালুপা অসি হায়রবা অনিত্যনি, ডাকীদনি। অদুনা কম্নদে, ব্রাহ্মণ অসিগী তপস্যাগী শক্তি হেন-গৎহনবা অদুগা ধর্ম্মগী মায়গেদা নাংমু নোংমগী মাগী বুদ্ধি অসি চঙ্শিনহনথিবনা কৈ ॥২৩॥

কুণ্ডধারনা হায়ঃ— হে লম্ব্রম পীনবৈবা, দেবতা! ঐ ব্রাহ্মণ অসিগী দমক লম্ব্রম নিজগে, পামজদে, ঐগী ভক্ত অমদি মরূপ ওইরবা ব্রাহ্মণ অসিগী মথক্কা কৃপা তৌহনজিংবদি মখং অমদনি। ব্রাহ্মণ অসিগী দমক্তা, ঐ সনালুপা মণিমুক্তানা থল্লবী পৃথ্বী অদুগা মণিমুক্ত মথল কয়া কয়ানা থল্লবা পৃথিবী অদুগা মমল য়াম্ন হীরাই কয়া কয়ানা থল্লবা ঈপাক অনীসিমক অমত্ত পামজদে। ঐনা ঐগী মরূপ ভক্ত অসিবু মনি-মুক্তানচিংবা রত্ন খিবিক থল্লবী পৃথিবী পূম্বসিগী অদুগা হীয়াইনা থল্লবা লনগৈ পূংগ কয়াগীমপু ওইহনবগু পামদে। ঐনা পামজবনি ধর্ম্মাত্মা ওইরিবসিদগী অমুকস্থ হেম্ন ধমাত্মা ওইশিল্লকপা, হৌজিক তৌরিবা তপস্যাসিদগী অমুকস্থ হেন্না তপস্যা তৌশিল্লকনা মহাতপস্বী অমা ওইরকপা অদুগা মহাক্কী বুদ্ধি অসিদা ছুমিং চুম্না ধর্মগী মায়গৈতদা মমায় ওইশিনবা অদুগা ধর্ম অমাদি পুণ্য কর্মগী বুদ্ধিতনা মপুনশি লেনবা— অসিতনি। মহাক্কী পুনশিদা অমনি পুনশিগী উদ্দেশ্যদি ধর্মতনা মরু ওইবা শরাক ওইহনগদবনি। মীশক সিগুলগী মকমদদি অসিগুম্বা বরদানতনা থুইদগী অথোইবা ওইগনি ॥২৪-২৬॥

মণিভদ্রনা হায়ঃ— ধর্মগী মহৈদি চাওখৎলবা রাজ্য (লৈপাক সিংহাসন) অদুগা সুখ সম্পত্তি—অসিতনি। অদুবা ব্রাহ্মণ অসি নোংমগী হকচাংদা ফংবা অরাবক্ক লেশমাত্র অমত্ত খাংদনা হায়রিব মাইশিং ফংজসত্ত ॥২৭॥ ভীষ্মনা হায়:— যুধিষ্ঠির! মণিভদ্রনা অসুম্না হায়রক্লাওবদা ... হায়খিবত্তুদগী ঈহোং হোং-

মণিভদ্র উবাচ।

প্রীতাস্তে সর্ব্বদেবতাঃ সর্ব্বা দ্বিজকন্যাস্তথৈব চ। ভবিষ্যত্যেষ ধর্ম্মাত্মা ধর্ম্মে চাধাস্যতে মতিঃ ॥২৯॥

ততঃ প্রীতো জলধরঃ কৃতকার্য্যো যুধিষ্ঠির। ঈপ্সিতং মনসো লব্ধ্বা বরমন্যৈঃ সুদুর্লভম্ ॥৩০॥

ততোঽপশ্যত চীরাণি সূক্ষ্মাণি দ্বিজসত্তমঃ। পার্শ্বতো ন্যস্তান্যসতো ততঃস নির্ব্বেদমাগতঃ ॥৩১॥

ব্রাহ্মণ উবাচ।

অয়ং ন সুকৃতং বেত্তি কোঽন্যো বেৎস্যতে কৃতম্। গচ্ছামি বনমেবাহং বরং ধর্ম্মেণ জীবিতুম্ ॥৩২॥

ভীষ্ম উবাচ।

নির্ব্বেদাদ্দেবতানাঞ্চ প্রসাদাৎ স দ্বিজোত্তমঃ। বনং প্রবিশ্য সুমহৎ তপ আরব্ধবাংস্তদা ॥৩৩॥

দেবতাতিথিশেষেণ ফলমূলাশনো দ্বিজঃ। ধর্ম্মে চাস্য মহারাজ দৃঢ়া বুদ্ধিরজায়ত ॥৩৪॥

ত্যক্ত্বা মূলফলং সর্ব্বং পর্ণাহারোঽভবদ্ দ্বিজঃ। পর্ণং ত্যক্ত্বা জলাহারঃ পুনরাসীদ্ দ্বিজস্তদা ॥৩৫॥

দনা হায় হায়খিবা অকুত কন্না কন্না হায়রুনা লৈখি। "ধর্মতদা মাগী বুদ্ধিলি। অসুরস্থম চংশিন্দুনা লৈব ওই-সন্থু।" অসিইবু কন্না হন্না হায়রুনক লৈখি। মাতু তাবদা লাইরামথিবীক্তা পুমলেন পনখ্রে ॥২৮॥

মণিভদ্রনা হায়রকই :— কুণ্ডধার ! নঙকী অমদি নঙাকী মরূপ কক্ক অসিগী মরুমদা লাইরাম-শিংনা য়াম্ন লেনখ্রে। ব্রাহ্মণ অসে মক্তা পুন্দ্রা মশা ধর্মত্মা অম ওইগনি অদুগা মনসিংগী মহাকী বুদ্ধি অমদি য়াথলনা ধর্মবোমুত্তদা চণ্ডশিনবা হায়বা ওইগনি ॥২৯॥ যুধিষ্ঠির! মতৌ অসুম্না অদুনা পাক্-কাংবা য়ারপদবা, তাক্তলবা, কণ্ডাদ্রবা বরদান মনি ফংবদা কুণ্ডধার অসি নীবা পুন্না থুগ্গল্লনা থোই-দোক্তা পেক্তখি ॥৩০॥

অদুগী তুংদা অথোইবা ব্রাহ্মণ তপস্বী অদুনা মাগী মনাক্তু নাংনা য়েংলোম ওইরোমদা ফুরুবা লানা শাবা, পাক্সবা থোংলবা কি অদুগা উগীমক্তু কয় তাক্তুনা লৈবন্থ ঙিত। মাতু উবদা মাগী পুক্নীংদা অয়াবা হৈনিংদবা, বৈরাগ্যভাবপোকখি ॥৩১॥

ব্রাহ্মণসিনা হায়রকই (মপুক্নীংদা অসুম্ন খল্লকই :— ঐগী পুন্থচেন্নবা তপস্যা অসিগী উদ্দেশ্যবু কুণ্ড-ধার মশামক্ত খঙবা ঙমখিদে; অদুনদি মীচম অমনাদি করম হায়না খঙবা ঙমগনি। করে, ঐ হৌজিক বন লোমদ চৎখ্রগে। ধর্মতী মশক ওইরবা পুনশি লেনখিবনা চেয় কানি ॥৩২॥ ভীষ্মনা হায়ই:— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মশাদা লাক্পা বৈরাগ্যভাবনা অদুগা দেবতাশিংগী কৃপাদুগনা অমুক্তেম্না কন্না তপস্যা তৌশিনখিবগী শক্তি অমদি চৈনিংবদু পোকখি ॥৩৩॥

নোংমগী কংজবক্তুগী মকুন্দগী অতিথিশিংগী অদুগা দেবতাশিংগী মচীক্থানা শরূক ভাগ্রপা লেমচৌবা শরূক্ অদু জীবিকাগী দরক্তা চেক্ চেক্ চায়। নিংথৌ! ধর্মগী মাংগৈগোমভদা মহাক্কী বুদ্ধি অদু নীত-চৎলনা মরু চেংবা চণ্ডশিন্দুনা লৈখ্রে ॥৩৪॥ চক্সী মতম থরা উহৈ-মাহৈত চাদুনা তপস্যা তৌরবগী তুংদা উহৈ

বায়ুভক্ষস্ততঃ পশ্চাৎ বহুবর্ষগণানভূৎ। ন চাস্য ক্ষীয়তে প্রাণস্তদ্ভুতামিবাভবৎ ॥৩৬॥
ধর্ম্মে শ্রদ্দধানস্য তপস্যুগ্রে চ বর্ত্ততঃ। কালেন মহতা তস্য দিব্যাদৃষ্টিরজায়ত ॥৩৭॥
তস্য বুদ্ধিঃ প্রাদুরাসীৎ যদি দদাম্যহং ধনম্‌। তুষ্টঃ কস্যচিদেবেহ মিথ্যা বাক্‌ ন ভবেন্মম ॥৩৮॥
ততঃ প্রহৃষ্টবদনো ভূয় আরব্ধবান্‌ তপঃ। ভূয়শ্চিন্তয়ৎ সিদ্ধো যৎ পরং সোঽভিমন্যতে ॥৩৯॥
যদি দদ্যামহং রাজ্যং তুষ্টো বৈ যস্য কস্যচিৎ। স ভবেদচিরাদ্রাজা ন মিথ্যা বাক্‌ ভবেন্মম ॥৪০॥
তস্য সাক্ষাৎ কুণ্ডধারো দর্শয়ামাস ভারত। ব্রাহ্মণস্য তপোযোগাৎ সৌহৃদেনাভিচোদিতঃ ॥৪১॥
সমাগম্য চ তেনাথ পূজাং চক্রে যথাবিধি। ব্রাহ্মণঃ কুণ্ডধারস্য বিস্মিতশ্চাভবন্নৃপ ॥৪ ॥
ততোঽব্রবীৎ কুণ্ডধারো দিব্যং তে চক্ষুরুত্তমম্‌। পশ্য রাজ্ঞাং গতিং বিপ্রলোকাংশ্চৈব চ চক্ষুষা ॥৪৩॥

মাহে অমুম্ থাদোকখিদুনা উনা অকংবত শাম্বদুনা মতম লেনখি। খর নৈরগা উনা শাম্বরবদুসু থাদোকখিদুনা ঈশিংত থকুবা মতম লেনখি। অমুক অসুম্বা মতম খরদং নৈরবতুংদা ইশিং অদুন্দ থাদোকুনা লুংশিংত চাদুনা হারবদি লুংশাশোরত হোন্দোক হোজিন তৌদুনা মতম লেনখি। অদু য়োম্বফাওবদা মাগী প্রাণশক্তি অদুদি খক হনবা, হন্দবা নৈতে। মাদুসু অতকপ অমনি ॥৩৫-৩৬॥

ধর্মদা থমথেংনা থমখিবা শ্রদ্ধা কৌবা থাজবদুমক্তা পাম্বৈ ওইদুনা মহাতপস্বী অদুগী মশাদা দিব্য-দৃষ্টিগী শক্তি লাকখি ॥৩৭॥ মতম অসিদা মাগী পুক্নীদ অসি অমুভব (রাখল) অম লাকখি। মতম অদুদা মহাক্না অসুম্বা খল্লকই :— ঐনা পেল্লকপা-লুংওইরব মতমদা জগৎ অসিদা কনাগুম্বা লাম্বরগ্রবা মী অমগী মকমদা লন্থুম মপৈ দান তৌয়রবদি ঐগী ষহনদা মীনম্বা হায়রবসু মরীক অমত নৈরক্সোইদৌবনি ॥৩৮॥

বিচার অসি মাগী পুক্নীদ হেকলাকপবা মাগী মারথোং অহ ওহাক্ত মকা য়াম্মি। অদুদগী মহাক হান্দগী হেন্ন কন্না তপস্যা অমুক তৌখি। সিদ্ধি ফংলবা তুংদা, মহাক্না মপুক্নীং তৌখিবা সংকল্প অদু কব রাজ চাউবা ওইথোকবা ওইরবসু খুদক্ত মনাক্ত হেক্ত পৈখি থুংখি। মাদু উবদা ব্রাহ্মণবা অসুম্বা খনখি ॥৩৯॥

ঐনা রাজ্য পেনখিদুবা কনাগুম্বা অমগী মকমদা রাজ্য (লৈপাক) পীথারম্লবদি মহাক নিংথৌ ওইম্বগদবনি। অদুগ পীগনি হায়না হায়খিবা ঐগী বাক্যসু মীনম্বা হায়জিনবা হায়বসু খক ওইরক্সোইদৌবনি ॥৪০॥ ভারতপাগৈগী কুণ্ডাইরবগী মশক ওইবা! ব্রাহ্মণ তপস্বী অদুগী তপস্যাগী শক্তিসুমক্তনা, অসুম্বা থল্লিন্ডৈমক্তদা কুণ্ডধার কৌবা মেঘ (নোং) অদু মফমদুমক্তদা হেক লাকই। ব্রাহ্মণ অদুসু কুণ্ডধারবু উবদা য়াম্ব ওকখি ॥৪১-৪২॥

ওহাক নৈরগা কুণ্ডধারনা ব্রাহ্মণ অদুদা অসুম্বা হায়রকই ;— ব্রাহ্মণ অথোইবা! নহাক অথোইবা দিব্যদৃষ্টি ফংলবনি। অদুনা নহাক হৌজিক দিব্যদৃষ্টি (উদব কৌবা নৈত্রব) অদুনা পাম্বৈ ওইদুনা অতৌ অতৌবা লিংথোকপা করাগী ওইরিবা দশাসি য়েংউ। মথোয়শিংসিনা মহাক মহাক তৌজরবা কর্মদুগী মহৈনা চৎলি চৎলিবা লোকশিং অদুসু মরেকলানা য়েংউ ॥৪৩॥

ততো রাজসহস্রাণি মগ্নানি নিরয়ে তদা। দূরাদপশ্যৎ বিপ্রঃ স দিব্যযুক্তে চক্ষুষা ॥৪৪॥

কুণ্ডধার উবাচ।

মাং পূজয়িত্বা ভাবেন যদি ত্বং দুঃখমাপ্নুয়াৎ কৃতং ময়া ভবেৎ কিং তে কশ্চতেঽনুগ্রহো ভবেৎ ॥৪৫॥

পশ্য পশ্য চ ভূয়স্ত্বং কামানিচ্ছেৎ কথং নরঃ। স্বর্গদ্বারং হি সংরুদ্ধং মানুষেষু বিশেষতঃ ॥৪৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

ততোঽপশ্যৎ স কামং চ ক্রোধং লোভং ভয়ং মদম্। নিদ্রাং তন্দ্রীং তথালস্যমাবৃত্য পুরুষান্ স্থিতান্ ॥৪৭॥

কুণ্ডধার উবাচ।

এতৈর্লোকাঃ সুসংরুদ্ধা দেবানাং মানুষং ভয়ম্। তথৈব দেববচনাৎ বিঘ্নং কুর্বন্তি সর্বশঃ ॥৪৮॥

ন দেবৈরননুজ্ঞাতঃ কশ্চিৎ ভবতি ধার্মিকঃ। এষ শক্তোঽসি তপসা দাতুং রাজ্যং ধনানি চ ॥৪৯॥

রাদু তাবদা ব্রাহ্মণ অদুনা দিব্যদৃষ্টিনা পাইবা ওইদুনা যমকত লুপ্তুনা নরককী অয়াবা কয়া য়ানা থাওদুনা লৈম্বিবা নিংথৌশিংদুবু মরেক লানা উখি ॥৪৪॥ কুণ্ডধারনা হায়রকই :— নহাক্না ঐগী পূজাবু ভক্তিগা লোয়ননা তৌখি। নত্তোন্দা লল য়াম্ন শীংয়বদি লল অদুনা নহাক্না অয়াবগী মশক ওইবা অনিত্য ওইবা বিষয়াশিং অদু কংলম্নবদি ঐনা মংগীদমক করি উপকার তৌগে। অদুগা নহাক্কী মফমদা ঐনা করম্বা থৌজাল হৈবগী খুদম উৎগে ॥৪৫॥

রাজ্য কয়া কয়াগী মপু ওইরম্বা নিংথৌশিংসিনা তারিবা দশাসি অমুক্ত মীৎ থীৎনা য়েংঙু। মথোয়গী দশাসিবু উবগা তাইবং মী করম্বনা বিষয় ভোগকী আশা তৌগদগে? বিষয় ভোগতদা পুক্নীং চঙলবা মীশিং অদুগীদি স্বর্গগী থোঙ অসে মতম পুম্বদা থিংদুনা লৈরবনি ॥৪৬॥ ভীষ্মনা হায়রঃ— নিংথৌ! অদুগী তুংদা ব্রাহ্মণ অদুনা, সংসারগী বিষয়দা আসক্তি থমথবা মথোয়গী অকোইবনা অপাম্বা, অশাউবা কলকপা, মিহৌবা কৌবা কত্রবা য়েক্লবশিং অদুনা লেংনা লেপ্পুনা লৈরদু, উবি ॥৪৭॥

কুণ্ডধারনা হায়রকই :— য়েংউ ব্রাহ্মণ! মথোয়সিবু য়েক্লবগী মশক ওইরবা কামক্রোধনচিংবা দোষশিং অসিনা মায়গে মরিদা কোয়শিন্দুনা লৈরি। স্বর্গগী দেবতাশিংনা তপস্যা কল্লবা তাইবংমীশিংবু য়াম্ন কি। অদুনা সত্য.লোককী ধ্যান তপস্যানচিংবা তৌরিবা তাইবংমীগী ধ্যান তপস্যানচিংবদু থুগাইহন্নবগীদমক্ত দেবতাশিংগী য়াথং মক্তুংইন্না কামক্রোধনচিংমশিংসিনা তাইবংমীগী যাগযজ্ঞনচিংবা পুন্য কর্মবু, অদুগা তপস্যা যোগসাধননচিংববু থুগাইগদবগী য়ৈথায়বা কয়া পীরি ॥৪৮॥

দেবতাশিংসিগী অনুমতি-য়াথং নচিংবা ফংদনা তাইবং কনামতনা শুভকর্মবু য়ৈথায়বা-অপনবা লৈহন্দনা পাওথোকপা উয়াদ। অদুবু ব্রাহ্মণ! নহাক্তি দেবতাশিং অনুমতি-য়াথং ফংগ্রবনি। অদুমক্তনা হৌজিক্তি নহাক তপস্যাগী শক্তিনা নহাক্কীদি লায়রদনা অক্তোপ্পশিংদা লৈপাক সিংহাসন কয়া কয়া পীথোকপা ঙমে ॥৪৯॥

ভীষ্ম উবাচ

ততঃ পপাত শিরসা ব্রাহ্মণস্তস্য ধারিণে। উবাচ চৈনং ধর্ম্মাত্মা মহান্ মেঽনুগ্রহঃ কৃতঃ ॥৫০॥
কামলোভানুবন্ধেন পুরা তে যদসূয়িতম্। ময়া স্নেহমবিজ্ঞায় তত্র মে ক্ষন্তুমর্হসি ॥৫১॥
ক্ষান্তমেব ময়েত্যুক্ত্বা কুণ্ডধারো দ্বিজর্ষভম্। সম্পরিষজ্য বাহুভ্যাং তত্রৈবান্তরধীয়ত ॥৫২॥
ততঃ সর্ব্বাং স্তদা লোকান্ ব্রাহ্মণোঽনুচচার হ। কুণ্ডধারপ্রসাদেন তপসা সিদ্ধিমাগতঃ ॥৫৩॥
বিহায়সা চ গমনং তথা সংকল্পিতার্থতা। ধর্ম্মাচ্ছক্ত্যা তথা যোগাৎ যা চৈব পরমা গতিঃ ॥৫৪॥
দেবতা ব্রাহ্মণাঃ সন্তো যক্ষা মানুষ চারণাঃ। ধর্ম্মিকান্ পূজয়ন্তীহ ন ধনাঢ্যান্ ন কামিনঃ ॥৫৫॥
সুপ্রসন্নাহি দেবা যস্তে ধর্মে রতা মতিঃ। ধনে সুখকলা কাচিৎ ধর্ম্মে তু পরমং সুখম্ ॥৫৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
কুণ্ডধারোপাখ্যানে ষট্‌ষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৬॥

——:(+):——

ভীষ্মনা হায়ঃ— নিংথৌ! মসুম অদুদা ধর্মচেল্লবা ব্রাহ্মণ তপস্বী অদুনা দণ্ডবৎ শানা কুণ্ডধারদা থোক্তোক শোক্লা খুরুমজুনা অসুম্না হায়খিঃ— প্রভু! নহাক্না ঐবু য়াম চানবিরে। কাম ক্রোধগী মথা পোল্লমদুনা ঐনা অদোম্বনা নহাক্কী নকমদা অয়ানবা য়াথল থমখিবদুগী ঐহাক্তা ক্ষমা ৱাকনিংবা ঙাকপিয় ॥৫০-৫১॥

কুণ্ডধারনা হায়— ব্রাহ্মণ! ঐদি অহানবদগী নহাক্কী নয়াল ঙাকপিদুনা শাক্লিরনি। অসি হায়না হায়না কুণ্ডধারনা মপাস্বোম অনীনা থম্মোয়দা চেৎনা কোন্‌থরগা মফম অদুদগী থডহৌদনা মাঙখি ॥৫২॥ অদুগী তুংদা কুণ্ডধারগী কৃপাদগী তপস্বী ব্রাহ্মণ অদু সিদ্ধপুরুষ অমা ওইদুনা মনীং মথা তম্না লোক পুম্নমক্তা কোয়চৎ চংদুনা লৈখি ॥৫৩॥ নোংমদোম্ভক্তা শুম্ভ্রংদা চৎপা, নীংবত্তদা ফংনীংবা পোৎশক ফংবা, অদুগা— ধর্ম অমদি যোগগী শক্তিনা ফংবগদবা ওইবা পরমগতি অসি পুম্নমক ব্রাহ্মণ অদুনা ফংখি ॥৫৪॥ দেবতা, ব্রাহ্মণ, সাধু-সন্ত, যক্ষ-মনুষ্য, চারণ, তাইবংমী পুম্নমক অসিনা পুজা তৌনরিবসি ধর্মাত্মা ওইবশিংবুতনি। বিষয়-ভোগ তৌরিবা, ইনাক-কৈরাক থুম্লিবশিং অসিবু নত্তে ॥৫৫॥ নিংথৌ! নহাক্কী নকমদসু দেবতাশিংনা কৃপা তৌরিবি। অদুমক্তনা নহাক্কী মীমিৎচুম্না ধর্মগী মায়পেক্তদা মায় ওনশিল্লি। অথোইবা সুখ-শান্তি হায়বসে লন-থুমদা লৈবা নত্তে। পরমসুখদি ধর্ম হায়বা অদুক্তদা লৈবনি ॥৫৬॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা কুণ্ডধারোপাখ্যানগী চনীরুক্‌তরুকশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৬॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(যজ্ঞদা তৌবা হিংসাগী নিন্দা অমদি অহিংসাগী প্রশংসা)

চনীহুম্নিকুতরেৎশুবা অধ্যায়।

——:(ঃ:——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

বহূনাং যজ্ঞতপসামেকার্থানাং পিতামহ। ধর্ম্মার্থং ন সুখার্থার্থং কথং যজ্ঞসমাহিতঃ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি নারদেনানুকীর্ত্তিতম্। উঞ্ছবৃত্তেঃ পুরাবৃত্তং যজ্ঞার্থে ব্রাহ্মণস্য চ ॥২॥

নারদ উবাচ।

রাষ্ট্রে ধর্মোত্তরে শ্রেষ্ঠে বিদর্ভেষ্ব ভূদ্বিজঃ। উঞ্ছবৃত্তির্ঋষিঃ কশ্চিৎ যজ্ঞ যষ্টুং সমাদধে ॥৩॥

শ্যামাকমশনং তত্র সূর্য্যাপর্ণী সুবর্চলা। তিক্তং চ বিরসং শাকং তপসা স্বাদুতাং গতা ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংডি,— ঈবুধো! যজ্ঞ তপস্যানাচংবাস মখল মখল য়াম্না লৈখ্রে। মথোয়সিগী মঙ্গুংদা অমাম্বগী উদ্দেশ্যদি ভগবাননুগী পেম্মনবগী দমক্তা ওই। ভগবানবু কংনবগী দমক্তুনু ওই। মাসি নত্তবা—স্বর্গগী নুংঙাইবা ঐশ্বর্য্য বৈভবনাচিংবা ফংনবগী দমকনু নত্তবা চুম্লগী ধর্মগীদমক্তা ওইব, অদুগুম্বা যজ্ঞ অমদি তপস্যা অদু মতৌ করম্না পাঙথোকদগে? ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মমাংঙৈদা, উঞ্ছবৃত্তিনা * মপুনশি লেনখিবা ব্রাহ্মণ অমগী ৱারী অমা নারদ মুনিনা নোংমা ঐঙোন্দা লীথি। মাদুগী ৱারী অদু ঐ নঙোন্দা লীগে ॥২॥

নারদনা হায়,— থবক চীরম পূম্বদা ধর্মতনা মরু ওইরবা তৌবা, থোক্তোরো পুণ্য ভেল্লবা বিদর্ভ কৌবা লৈবাক অদুদা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ ঋষি অমমু য়াও ল্মি। মহাক অসি লৌবুক্তা অদুগা লৌবুক মম্নাদা লৈবা ফৌবৈশিংগী মনাক্তা তাবা ফৌচেঙ মরূশিং অদু খুজিন্দুনা মাদুনা মাগী জীবিকা ওইদুনা, পূক্রীংদা তঙা তঙাবা করিমতা লৈতনা মহাশান্তিগা লোয়ননা অদুম্ লৈ ॥৩॥ মহাক্না লৈবা মফমদা মহাকী

---

* লৌবুক-লমহাংদা তাহোং ফ্রংবা শা-উচেক চাথিবগী লেমহৌবা তাহৌদা চেঙ হৱাই-মরু খুন্দুনা—জীবিকা ওইরিবা অদুগুম্বা মীশিংবু "উঞ্ছবৃত্তিনা লৈরিবা" হায়না খঙনগদবনি। অসিগুম্বা বৃত্তিদা হিংসা, ক্রোধ অমদি পাপকী শরুক্ লেশমাত্র য়াওদ্রবনি।

উপগম্য বনে সিদ্ধিং সর্ব্বভূতাবিহিংসয়া। অপি মূলফলৈরিষ্টো যজ্ঞঃ স্বর্গ্যঃ পরন্তপ ॥৫॥
তস্য ভার্য্যা ব্রতকৃশা শুচিঃ পুষ্করধারিণী। যজ্ঞপত্নী সমানীতা সত্যেনানুবিধীয়তে ॥৬॥
সা তু শাপপরিত্রস্তা তৎস্বভাবানুবর্ত্তিনী। ময়ূরজীর্ণপর্ণানাং বস্ত্রং তস্যাশ্চ বর্ণিতম্ ॥৭॥
অকাময়া কৃতস্তস্য যজ্ঞো হোত্রনুশাসনাৎ। শুক্রস্য পুনরাজাতিঃ পর্ণাদো নাম ধর্ম্মবিৎ ॥৮॥
তস্মিন্ বনে সমীপস্থো মৃগোঽভূৎ সহবাসিকঃ। বচোভিরব্রবীৎ সত্যং ত্বয়েদং দুষ্কৃতং কৃতম্ ॥৯॥
যদি মন্ত্রাঙ্গহীনোঽয়ং যজ্ঞো ভবতি বৈ কৃতঃ। মাং ভোঃ প্রক্ষিপ হোত্রে ত্বং গচ্ছস্বর্গমনিন্দিতঃ ॥১০॥

তপস্যাগী শক্তিনা চেঙ কো কংদবা চেঙ কোগী মহুত্তা নাপীশীংবী হূক্টেদ্র রাইহু চয়ানচিংবা চানব মফমদা খোয়দু হাউয়বা চেঙকোনচিংবা হেক্ক ওল্লি। য়েক্কাংমাপী হোদবা, খায়বা উরী য়ায়ীনা য়েক্কাং ওইনা শিজিন্নবা মফমদসু মহাক লৈয়বদি মখোয়দু ওস্তোক্না হাউয়বা থুম্নবা য়েছনাং নাপী হেক্ক ওল্লি। মহাও পরিয়ত য়াওন্নবা খায়বা পোচ্চেশিং অদু মহাক লৈবদা, মহাকী তপস্যাগী শক্তিবু হাউয়বা থুম্নবা পোশং ওল্লি ॥৪॥

য়েক্লবা নৈহংওম্বা! যুধিষ্ঠির! ব্রাহ্মণ অসিনা বনদা তৌখিবা অনবা তপস্যাগী শক্তিনা অচচ্ছন্ন পরিশুদ্ধ জীবপানবা অমগী মফমদা অমদি, মশাদা হিংসা তৌদবা উক্ক য়ারু উহৈ মনা মশীতনসু স্বর্গগী চাইবা পীনহৈবা যজ্ঞমকপু নৌংখিনা পাওথোকখি ॥৫॥ হায়দ্রিবা ব্রাহ্মণ অসিগী লোয়নবী ব্রাহ্মণী অম লৈ, মমিং পুষ্করধারিণী কৌই। তুপী অসিগী আচার-বিচার পুম্নমক য়াম্ন না থিজৈ। মহাক অসি ব্রত উপবাস তৌব তৌবমক্তনা মশাদু য়ায় শোন্থখি। অদুগা মাগী মপুরোয়বা ব্রাহ্মণ অসিনা সত্য কৌই সত্য কৌবা ব্রাহ্মণ অসিনা বলিদাননচিংবা হিংসাগী থবক্কা মপূং ওইবা যজ্ঞ তৌননবগী হায়বা অমদি হাৎনরকপ মতমদা, মাছু মাগী লোয়নবী পুষ্করধারিণী কৌবীসিনা য়াদে-য়ানিংদে। অদুম ওইনমক সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা মাগী লোয়নবী অসিবু, যজ্ঞগী মনাক্ত কৌশিন্দুনা যজ্ঞপত্নীগী আসনদা ফমহল্লি ॥৬॥

ব্রাহ্মণী অসি মপুক্লীংদা য়ানিংত্রবসু— পাত্রবসু মপুরোইবগী শাপ কিবনা মপুরোয়বনা হায়বদু অদুম মইথিল্লি। অদুম হায়না হায়নৈ—মহাক অসি য়াহোংশিংগী মশামথস্তা কেজ্ররকপা মতুশিং অহু থুনগত্তুনা মশাদা কুপশিল্লি—হায় ॥৭॥ হোমদজে পায়হুনা হোম তৌরিবা হোত্তা অহুগী হায়বা মখুং ইল্লা ব্রাহ্মণগী লোয়নবী অসিনা যজ্ঞগী থৌনবী থবক থবক পুম্বহু অদুম পাঙথোকই। হোতা ওইরিবা ব্রাহ্মণ অসিনা পর্ণাদ হায়না মৌবা ঋষি অছুনি। ঋষি অসি শুক্রাচার্য্যগী বংশদা পোকপনি ॥৮॥

বন অছুদা, ব্রাহ্মণ অছুগা থানব লৈতনা তিম্নব-লোয়নবা শজী অম লৈয়ম্মি। শজী অছু মাগা উঙ্গা খাকোক্লদে। নোংমদি শজী অছুনা ভাইকর মীওইবগী মরোল্দা ব্রাহ্মণ অছুদা অমুম্না হায়রকই ঃ—'ব্রাহ্মণ! নহাক্না যজ্ঞগী মমিংদা, হায়বদি যজ্ঞনি, ধর্ম্মনি হায়রছুনা হিংসাগী থবক তৌখি' ॥৯॥

তৌরিবা যজ্ঞ অছুনা অঙ্গ ভুনা য়াওত্রবা, অছুগা মন্ত্র নীংখিদ্না য়াওদ্রবা অমদি শোয়দ্রবা, অছু

তত্তস্তু যজ্ঞে সাবিত্রী সাক্ষাৎ তং সংন্যমন্ত্রয়ৎ। নিমন্ত্রয়ন্তী প্রত্যুক্তা ন যষ্টুং সহবাসিনম্ ॥১১॥
এবমুক্তা নিবৃত্তা সা প্রবিষ্টা যজ্ঞপাবকম্। কিন্তু দুশ্চরিতং যজ্ঞে দিদৃক্ষু সা রসাতলম্ ॥১২॥
স তু বদ্ধাঞ্জলিং সত্যময়াচদ্ধরিণঃ পুনঃ। সত্যেন স পরিষজ্য সংদিষ্টে গম্যতামিতি ॥১৩॥
ততঃ স হরিণো গত্বা পদান্যষ্টৌ ন্যবর্ত্তত। সাধু হিংসয় মাং সত্য হতো যাস্যামি সৎ গতিম্ ॥১৪॥
পশ্য হ্যপ্সরসো দিব্যা ময়া দত্তেন চক্ষুষা। বিমানানি বিচিত্রাণি গন্ধর্ব্বাণাং মহাত্মনাম্ ॥১৫॥
ততঃ স সুচিরং দৃষ্ট্বা স্পৃহালগ্নেন চক্ষুষা। মৃগমালোক্য হি সায়াং স্বর্গবাসং সমর্থয়ৎ ॥১৬॥

ওইরবদি, যজ্ঞ অতু যজমানগী মকমদা মহা তৌহৈনবা দুষ্কর্ম অমা ওইহিনবনি। অদুনা, ব্রাহ্মণ! নহাক ঐবু হোতা অসিগী মথুক্ত শীররমগা নশাদা নিন্দা অমদি দোষ য়াওদনা স্বর্গ কাখো ॥১০॥

অদুগী তুংদা যজ্ঞ মকম অদুদা, সাবিত্রী দেবী মশামক সাক্ষাৎ লেম্বলকুনা শক্তী অদুমক হোম তৌরো হায়না ব্রাহ্মণ অদুদা য়াথং পীখি। মতম অদুদা ব্রাহ্মণ অদুন—ঐপা মতম পুম্বা থানদনা তিয়না লৈমিন্নরিবা শক্তীমহাক অসিবু হাপ্তুনা হোম তৌবা তমজরাই হায়না সাবিত্রীদা খুমখি ॥১১॥

ব্রাহ্মণ অদুন ঊরার লায়না অনুম্ন খুমাকপন্থ সাবিত্রী দেবী মথা তাম্নমদলা মকম অদুদগী চৎখি। অদুগা যজ্ঞগী মৈমুং অদুদা চডথি। সাবিত্রীনা যজ্ঞ মথমৃদু। আন্নম্বদি যজ্ঞ হায়বাসদা করম্বা অন্নাৎপা, করম্বা দোষ অম লৈবগে হায়বতুগীনি। মাদু খডগে দোগে হায়রগীদমকান। অদুগী তুংদা সাবিত্রী অসি রসাতলদা চডখি ॥১২॥

সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা সাবিত্রীবোমদা ওনশিন্দুনা মথুৎ মনী লোম্নয়া লেপ্তুনা লৈখি। মতম অদুদা শক্তী মশামক্কা ব্রাহ্মণ অদুদা মহাকপু যজ্ঞনা হোম তৌথোকপিয়ু হায়না হায়খি। সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা শক্তী অদুবু চেজেং কোল্লি। নং মকম অসিদগী থুনা চৎখো হায়না শক্তী অদুদা হায়রম্মি ॥১৩॥

মাদু তাবদা শক্তী অসি খোঙ্গাপ নীপাল চথোকখুরগা অমুক হঞ্জিল্লকই। ব্রাহ্মণ। নহাক ঐবু হাপ্তুনা যজ্ঞনা হোম তৌদিয়ু হায়না হায়রজখি। যজ্ঞগীদমক্তা যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডসিদা থরায় থাব হায়বত্থু ফংজরগা অথোইবা গতি (ধাম) বু ফংজখগে ॥১৪॥ ঐনা নত্তোন্দা দিব্য দৃষ্টি পীরি। য়েংতু। নোংমদোম্বক অসিদা নীওথিজরবী অপসরাশিংনা লেপ্তুনা লৈরি। মহাত্মা ওইরবা গন্ধর্ব্বশিংগী ফজরবা বিমানশিং অসিন্দু ময়েক লান-লানা উবা ফংলি ॥১৫॥

সত্য হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা নোংমদোম্বক্তা ওনথতুনা মমীৎ কুপ্তনা য়েংহুনা লৈ। নীংথিজরবা দৃশ্যশিংদু য়েংলগা মনাক্তা লৈরিবা শক্তী অদুদা য়েংলগা—"হিংসা অসি তৌরগা ঐ স্বর্গতি ফংবা ডমগদি" অদুম হায়না মপুক্কীংদা হন্ন হন্না খনখি ॥১৬॥

স তু ধর্ম্মো মৃগভূত্বা বহুবর্ষোষিতো বনে। তস্য নিষ্কৃতিমাধত্ত ন হ্যসৌ যজ্ঞসংবিধিঃ ॥১৭॥
তস্য তেনানুভাবেন মৃগহিংসাত্মন স্তদা। তপো মহৎ সমুচ্ছিন্নং তস্মাদ্ধিংসা ন যজ্ঞিয়া ॥১৮॥
ততস্তং ভগবান্ ধর্ম্মো যজ্ঞং যাজয়তঃ স্বয়ম্। সমাধানং চ ভার্য্যায়া লেভে স তপসা পরম্ ॥১৯॥
অহিংসা সকলোধর্ম্মো হিংসাধর্ম্মস্তথাহিতঃ। সত্যং তেঽহং প্রবক্ষ্যামি যো ধর্ম সত্যবাদিনাম ॥২০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
যজ্ঞনিন্দা নাম সপ্তষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৭॥

——:():——

থাঙ্গেশেংবমক্তি ধর্ম হায়বহুমক্তা শক্তীগী মশক লৌহুনা লৈরিবনি। শক্তীগী মশক লৌহুবা, হায়বদি, শক্তীগী হকচাং মঙ্গ্দা ধর্ম হায়বহুনা চঙ্হুনা চহী কয়া বনদা কোয়চং চংহুনা লৈরক্লিবনি। পশুহিংসা—শা হাৎপা হায়বসি যজ্ঞ কৌবা বিধিহুগী ওয়াইহনবা, বিরুদ্ধপা লৈবা কর্ম অমনি। শক্তীগী হকচাংহুংদা লৈরিবা ভগবান্ ধর্মনা ব্রাহ্মণ অদুবু উদ্ধার তৌবিরগে খল্লম্মি ॥১৭॥ ঐ শা অসিবু বলি তৌহুনা যজ্ঞগী অগ্নিদেব অসিদা কৎলগা যজ্ঞগী মহৈ ওইনা স্বর্গবু ফাননবা তৌয়গে অসুম্না খল্লম্বা ব্রাহ্মণ অদুগী মতম কুইনা তৌ-রকপা তপস্যাগী মহৈ পূম্বা খুদক্তা মাঙ্খি। মরম অদুনা যজ্ঞগী বলিদান তৌরিবা, পশুহিংসা তৌরিবসি লায়বনি—হীকান্ কান্নরবনি ॥১৮॥ অদুগী তুংদা ভগবান্ ধর্ম্মনা সক্ত্য— অদুবগী যজ্ঞ অদু ব্রাহ্মণবু তৌহনখি। অদুগী তুংদা সক্ত্য কৌবদুদগী অকনবা তপসা তৌহুনা মহাক্কী লোয়নবী পুষ্পধারিণী হায়বীদুগী ওইরিবা কীবমদুগী মতুংদা থোইদোক্না নীংথিবা রাখলগী পোলোকবু ফংখি। হায়বদি— অদেপ্পা রাখল অমা ফংখি, মাহুদি— হিংসাদগী অমাঙবা অমদি খুদোথীবা পোকই। অহিংসাতনা পাম্বে ওইহুনা থোই-দোক্না ফংবা অমদি মঙ্গল ওইববু ফংই ॥১৯॥ মপুংফাবা ধর্ম হায়বদু অহিংসাহনা ওই। হিংসা হায়বসি মহা অধর্ম অমনি। নিংথৌ। কৌশিক ঐ নঙোন্দা সক্ত্য—অচুম্বা হায়বদুগী মওং অমদি মহাত্মা লীগে। সত্যবাদী ওইবশিংগী ধর্ম হায়ববু সত্য - অচুম্বা - অচুম্বা ওয়াবা হায়বদুতনা ওইরিবনি ॥২০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চমনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা যজ্ঞনিন্দাগী চনীতমফুতরেংগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৭॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ধর্ম্ম-অধর্ম্ম, বৈরাগ্য-মোক্ষগী মরমদা যুধিষ্ঠিরনা হংবা)

চনীগা হুমফুনিপান্‌গুবা অধ্যায়

——:(ঃ):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং ভবতি পাপাত্মা কথং ধর্ম্মং করোতি বা। কেন নির্ব্বেদমাদত্তে মোক্ষং বা কেন গচ্ছতি ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

বিদিতাঃ সর্ব্বধর্ম্মাস্তে স্থিত্যর্থে ত্বং তু পৃচ্ছসি। শৃণু মোক্ষং সনির্ব্বেদং পাপং ধর্ম্মং চ মূলতঃ ॥২॥

বিজ্ঞানার্থং হি পঞ্চানামিচ্ছাপূর্ব্বং প্রবর্ত্ততে। প্রাপ্যৈকং জায়তে কামো দ্বেষো বা ভরতর্ষভ ॥৩॥

ততস্তদর্থং যততে কর্ম চারভতে মহৎ। ইষ্টানাং রূপগন্ধানামভ্যাসং চ চিকীর্ষতি ॥৪॥

ততো রাগঃ প্রভবতি দ্বেষশ্চ তদনন্তরম্। ততো লোভঃ প্রভবতি মোহশ্চ তদনন্তরম্ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি—ঈবুধৌ। তাইবং মীনা পাপকী থবক্তদা চঙশিল্লিবসি করিগীনো। পাপাত্মা ওই-রবশিংনা ধর্মগী মরম ওইবা থবকসি করম তৌগ? অদুগ তাইবংমীদা বৈরাগ্য তাব অসি করম লাকপগে অদুগা করম্বা সাধনানা মোক্ষ (অয়ানবা খুত্তম) বু ফবগে ॥১॥ ভীষ্মনা হায়ঃ— যুধিষ্ঠির! ধর্ম পুম্নমকী জ্ঞান নঙোন্দা লৈরবনি। অদুবু লোকত চৎনবী ব্যবহার তাকে হায়রবগীদমক অদু নবুধৌ ঐগী ওপবু হেনগৎহনগে হায়রবগীদমক নহাক্না অসিগুম্বা রাহং অসি ঐঙোন্দা হংবনি। করে, মোক্ষ, বৈরাগ্য, পাপ, অমদি ধর্ম হায়রবসিগী মরু অসি করিনো হায়রবদু নহাক অমুক তারো ॥২॥

ভরতশাগৈগী অথোইবা! তাইবংমীনা ঈশান হেক হানবদা লৌনীংবা পাম্ব হৌবসি ইন্দ্রিয় মঙাগী বিষয় ওইরিবা, রূপ (মশক), রস (মহাও), গন্ধ (মনম), স্পর্শ (শোকপ), শব্দ (খোঞ্জেল) মঙা অসিগী অমদগী হেক্ত হৌথি। মঙাঅসিগী মপুংদা অহানবা অমতং হেক ফংবদা, মাদুগী মথক্তা করক মিহৌবা হায়রবদো হেক্ত মপোকখ্রে ॥৩॥

রাগ (মিহৌবগা লোয়ননা পাম্বা) হায়রবদু পোক্লব তুংদদি পাম্মুরিবা পোৎ অদু ফংননবা হোৎনরকই। মাদু ফংননব অচৌ-অচৌবা থবক অাৎ অাৎ পায়খৎলকই। পোৎ অদু ফংলগনু মাদু হন্না হন্না, মশীং হেনগৎ হেনগৎনা ফংনিংলকই, ফংননবা হোৎনরকই। মশক, মহাও, মনম শোকপা, খোঞ্জেল মথোয়সিবু হন্না য়েংব, চাবা, মরা, শোকপা, তাবা অসি পাম্মকই, মাদু ওম্নবা হোৎনরকই ॥৪॥ অদুগী তুংদদি, পোৎ

লোভমোহাভিভূতস্য রাগদ্বেষান্বিতস্য চ। ন ধর্মে জায়তে বুদ্ধির্ব্যাজাৎ ধর্মং করোতি চ ॥৬॥
ব্যাজেন চরতে ধর্মমর্থং ব্যাজেন রোচতে। ব্যাজেন সিদ্ধ্যমানেষু ধনেষু কুরুনন্দন ॥৭॥
তত্রৈব কুরুতে বুদ্ধিং ততঃ পাপং চিকীর্ষতি। সুহৃদ্ভির্বার্য্যমাণোঽপি পণ্ডিতৈশ্চাপি ভারত ॥৮॥

অদুগী মরুমদা থাঙমদনা, থালোকপা ঙম্মরোইদোৱা ওইনা পামন্বিন্নকপদু পোক্লকই। মাদুদা য়েংথায়বা, পোৎ অদু ফংবদা অপনবা পীবা পোৎশিং অদুদা তাথিবা অশাউবা পোকলকই। অদুগা পান্নিবা পোৎ অদুগী ফংনমবগী লম্বীদ কাম্নবা ওইপদবা সহায়া উপায় ওইপনবা পোৎমখৈদা মুংশিবা অপাম্বা অমুক পোক্লকই * অদুদগীদি ঙমহৎপা (মোহ) হায়বদু অদুম পোকখি ॥৫॥

অপাম্ব-ঙমহৎপনা পায়শিনগ্রবা, অশাউবা মিতৌবগী মথাপোনগ্রবা মথোয় অদু ধর্ম কর্মগী মায়পেনা মমায় ওনহিনল্লকত্রে। ধর্ম কর্মগী থবক্তি হায়না তৌরবস, মপাম্মেংগীত ওইনা তৌননবা অদুগা ধর্মগী থবক তৌরি হায়বদুত উৎননব তৌই। অঙৎবা করিগুম্বা উপায় অমনা ধর্ম তৌরি, ধর্মগী তৌরি কায় বস্তুসু উৎনীংঙি, উৎননবা হোৎনৈ ॥৬॥

কুরুনন্দন যুধিষ্ঠির। অসিগুম্বা মীশিং অসিনা করিগুম্বা অম হায়ত্তিল্লগা ধর্মগী থবক্তি হায়দুনা তৌশিন্নে। মীনমদুনা শেল তাঙ্খিন্নবা হোৎনৈ † মীনমদুনা শেল তানবদা মহৈৎল্লরদ, মীনম্বগী থবক মশিংসু অদুক্কদা অসুম পানশিনবা পুক্নী চংবা তৌথি। অসিগুম্বা থবকত য়ৌগ্রবদু, মী মহাক অদু অহৈ অশিং মরুপ মপাংগী কাম্নবা মা অমত মনাকোংদা হাপত্রে। মহাকী পাপকী থবক অদুতদা পুক্নীং চঙ-দুনা লৈ। মীনা থিংলম্নবসু য়েংলম্নবসু, মীনা করুপ ঙমদননবা, কায় যুক্তিযুক্ত ওইবা প্রমাণ চাম্নবা,

* সংসারগী অরাবা, লুংঙাইবা, অপাম্বা, অশাংঙবন চংবসি মথং মথং অদু মথন মথন্ত পাকথোক চাওরকচরকই। হায়বদি :— অরাবনা অরাবা মথল মথল, লুংঙাইবা অমনা মাগু নঙ্গরা লুংঙাইবা মথল মথল, অপাম্বনা অপাম্বা মথল মথল অমত ঙায়রম্বা অশাউবনা অশাউবা মথল মথল পোকহল্লকই। অসুম তৌদুনা রূপ রসনচিংবসিনা থিম্বার তৌদুনা (শন্দোয়দুনা), মখোয়দুনা লাং ওইনা থাকচদুনা ভাইবং মীনা মশানা মশাবু ফাজৈরে। মাদুদগী লম্মোক্লবা অমুক, সাপন তৌনরকপা য়াওই। লাম্মোক্লবা হোৎনবশিংদগী হোৎনদবনা মশীং য়ায় হেল্লি। হোৎনরিবশিং অদুগী মতুংদগীসু মহৈরানথিবা, লাম্মোকখিবদি মী অমনীদনি। মাদুদি লায়রদনা, লাংলা ফজিঞ্জরিবদুমক পেঙ্খদদুনা হয় হয় কয় ফাজিঞ্জরি হায়বসিমত মল্লুবনা, থঙংগৌদনা লাক্কাদবা মৃত্যু (শিবা) হায়বদুবুসু থল্লুংবে। অসুম তৌদুনা, তাঙবং মীনা, পোক্লক-পগী মরম উদ্দেশ্যবু থলহোদে, শিংথবগী (কাংথবগী) লম্বীসু থংহৌদে। তিং মাংঙ মতম থংসিদা তৌনরম্ব হায়ববু জগত্ত অশান্ত পীননবা, অশান্তিগী শিক্তার তৌননবগী মচাক তানহিং অম্বা—অসিপনি। (কালাচাঁদ)

† মী অমনা তৌরিবদু অচুম্বনি হায়না থাজবসেংনা থগৎলবা ফাংবদ, মাদুগী লাম্বি হায়না প্রাণ তৌদুনা হৈ হেক্ য়ানবদা শেলথুম শিচেং তাম্না ফংগদবা লৈরবদি, মহাক মশামক্না অচুম্বনি, থম্মোয় শোক্না থগৎলবসু

উত্তরং ন্যায়সম্বদ্ধং ব্রবীতি বিধিচোদিতম্। অধর্মস্ত্রিবিধস্তস্য বর্দ্ধতে রাগমোহজঃ ॥৯॥
পাপং চিন্তয়তে চৈব প্রব্রবীতি করোতি চ। তস্যাধর্মপ্রবৃত্তস্য দোষান্ পশ্যন্তি সাধবঃ ॥১০॥
একশীলাশ্চ মিত্রত্বং ভজন্তে পাপকর্মিণঃ। স নেহ সুখমাপ্নোতি কুত এব পরত্র বৈ ॥১১॥
এবং ভবতি পাপাত্মা ধর্ম্মাত্মানং তু মে শৃণু। যথা কুশলধর্মা স কুশলং প্রতিপদ্যতে ॥১২॥
কুশলেনৈব ধর্মেণ গতিমিষ্টাং প্রপদ্যতে। য এতান্ প্রজ্ঞয়া দোষান্ পূর্ব্বমেবানুপশ্যতি ॥১৩॥

ন্যায়শাস্ত্রগী ধর্মশাস্ত্রগী প্রমাণনচিংবা অহুগা মহাক মশানদি মাতুমক তৌদবা ভাক্তনা য়েংলিবত্থু মায়থীব শীননবা তোংনৈ, শীবসু ওন্থি ॥৭-৮॥

অপায়বগা তুন্ন'পগা অনী অসিনগী পোকপা অধর্ম অ'স মঙাং অহুম থোক্না লৈ। হায়বদি অধর্ম হায়বদি মঙাং অহুমদা শ'ন্নারক্কই। অহুম অসিনা মাগী থম্মোয়গ, পুক্রপ লৈমিহুরক্রবা মী মহাক অন্তুদি ফুমিংচুম্না প্পাপকী থবকতা তৌরতনা পুক্কীং চঙহুনা লৈ। কৌথোংকপা, ভাব্রথোরকপদা পাপকী পাপমন্ত ওই। ॥৯॥ অথোইবা, মহাত্মা ওইবা মীশিংনা, পাপনী থবক্তা পুক্কীং চঙহনা মীশিংপুগী মশা'দা কৈদৌবা দোষ অমত্ত তপেংনা উবা ফংডি ॥১০॥

অসিগুম্বা পাপী সগা মায়বা পাপীশিংভুনা পাপী মরুক্কদা লৈমিন্নীবিঙ ভিংনীবিঙ। মথোয় মশেক্ম মরূপ শান্নীবিঙ। অসিগুম্ব পাপীশিংগি কুন্দকী মপোক অসিদ অকংবা খুঙংদা সংকেৎদা হংহৌমুকী মপোক্কদি করি করম্না ফংকুগনি ॥১১॥

মতৌ অসুম্ব ভাইবং মীনা পাপাত্মা (পাপী) ওইখিবনি। যুধিষ্ঠির! ধর্মাত্মা ওইবশিংগী মা অমুক তাব্বো। মীগী কান্নবগা তৌবা, মীগী মঙাল ওইবগা খংবা অহুগুম্ব মীদি মপাংগক ফংবগী, কান্নবা অমদি অগংকী মরুকী মাকত ওই। মথায়কত্থ কান্নবা, মঙাল পাইবক মরুংগ। অসিগুম্ব ধর্মগী লম্বীভদা চংপা মীশিং অদুতনা মশাগী ঙম্বা অপাংবা অং, ফংবা ওন্থি ॥১১-২॥

মশাগী বুদ্ধিতনা অপাঙ্গা অশাঙ্কবনচিংবগী দোষশিংবু মশাদা থঙঙদো মী মহাক অদুদি অমা ফুঙাইবগী

অবানবনি — তুমখবনি খাঙনা মীনম্ব, অতুগা মীশিংদি থাক কক্পা তুম্বাখাইদৌ ঙাংজনা অতুম্বর অবাম্বনি হায়না ভাঙ-থকপা কঙ্গিয়াং ওইবব মথোয় থাদ ইক্লি। মাত্ত দি চ অনুগা, অগা তনবা নত্তে — পাপ ভানবনি। অহুশিংদি— অবানবু অচুম্বনি হায়দি ভায়নীবা মাদি পোংথ চানা তাকুনা নংপাদি ভমজদবা হুবানবা চী হুবা অবা অমা লাকুনা থমপগী প্রমাণ ওনা মাওত্ত লৈগ, ভা বিতর্ক চিংবৃ — ব.গী (মা ভাঙবনা মশিল ওইবা) শিং অতুগী মযুমদা — “ত্রৈশী পাঞ্চাল্দি অতুর্দি, হায়না অম্বম্বা প্রমাণ শীবিক্ক” হায়না মপৈ মপৈ তিকৈ। অতুম্বা বাঙভিইতবশিনা মিংথ পা তুম বেল পাবনা “আবুদি ত্রৈনা ওম্ব” হায়রম্নীদমা অবেক চুম্না বঙাইন মিংংখ লল ভানবু হাঙব্রি। মাতু মিংংখ লত্তে লল্ নত্তে — মহ-পাপনি। তর্কশাস্ত্রবু, ন্যায় ব্যাকরণ শাস্ত্রবু পাপ তাম্নবগী খুংলায় ওইনা শীক্ষয়দি। (কালাচাঁদ)

কুশলঃ সুখদুঃখানাং সাধূংশ্চাপ্যধি সেবতে। তস্য সাধুসমাচারাদভ্যাসাচ্চৈব বর্দ্ধতে ॥১৪॥
প্রজ্ঞা ধর্মে চ রমতে ধর্মং চৈবোপজীবতি। সোঽথ ধর্মাদবাপ্তেষু ধনেষু কুরুতে মনঃ ॥১৫॥
তস্যৈব সিঞ্চতে মূলং গুণান্ পশ্যতি তত্র বৈ। ধর্মাত্মা ভবতি হ্যেবং মিত্রং চ লভতে শুভম্ ॥১৬॥
সমিত্রধনলাভাত্তু প্রেত্য চেহ চ নন্দতি। শব্দে স্পর্শে রসে রূপে তথা গন্ধে চ ভারত ॥১৭॥
প্রভুত্বং লভতে জন্তুর্ধর্মস্যৈতৎফলং বিদুঃ। স তু ধর্মফলং লব্ধ্বা ন হৃষ্যতি যুধিষ্ঠির ॥১৮॥
অতৃপ্যমাণো নির্ব্বেদমাদত্তে জ্ঞানচক্ষুষা। প্রজ্ঞাচক্ষুর্যদা কামে রসে গন্ধে ন রজ্যতে ॥১৯॥
শব্দে স্পর্শে তথা রূপেন চ ভাবয়তে মনঃ। বিমুচ্যতে তদা কামান্ন চ ধর্মং বিমুঞ্চতি ॥২০॥

তত্বর্ মুর খত্তবা তশিন্ন। মাহুক খন্তলবা ফুংদা অফবা সাধু মহাত্মানচিংবা পুকচেল চাইবনীশিংগী সৎসঙ্গ তৌই। মতম ওইরবশিংগী সেবা অমদি সৎ সঙ্গগী মশাগী বুদ্ধিনু অকবা উদ্বী অমদি বিবয়দা চঙ্-শিলহল্লকই ॥১৩-১৪॥

অদুগুম্বা বুদ্ধি অদুদি ধর্মগী অমদি অচুংগী থবক তৌবগদা মুংঙাইবা ফাওজে। অদুগা থবক খুদিমক্তা ধর্মগী অমদি অচুম্বগী সহায়তা (মতেং) লৌই। অদুগুম মী মহাক অদুদি ধর্মগী পান্থৈনা ফংলকপা সম্পত্তিদা অদুগা কাম্নবা মুহুন্নদা পুক্নীং চঙ্গি ॥১৫॥

গুণ লৈবা লৈবা পোৎ থুদিংমা গুণ অদুগী মরুম্ মহাক চিংথোক্তুনা কৌংদবগী হোৎনৈ। অসি-গুম্বা থবক্তা অভ্যাস অদুম তৌশিনমকপগী মহাক মতম থবগীদমুংদদি ধর্মাত্মা ওইবা মীশক অদু ওই-রকই। অমদুগীদি লাম্নবা অমদি মরুপ পীনহৈবা মীশকত মরুপ ওইন ফংই ॥১৬॥ ভরতপাগেদা গোকপা। অদুগুম্বা মরূপ অমদি সন্তুম অদু ফওংদুনা নহক্তা মরৈথত্তদা মুংঙাইবা ফংলিবসিনি। অদুগুম্বা ধর্মাত্মা ওইবা মীশিং অদুদি খোঞ্জেল (শব্দ) থোৎপকনবনচিংব (স্পর্শ), মশক মওং (রূপ), মহাও (রস) অদুগা গন্ধ (মনম)—বিষয় মখা অসিনু মহাকী খুদুম মথাদা থবা তশিন্ন। চুম্নব অদুনি ধর্মগী মহৈ হায়বনু*। অদুগা অদুগুম্বা মহৈ অদু ফংলুবরদ্ধ মহৈ ফংবগী নাপল চাউথোকপনচিংবা মথাদা লাক্কে ॥১৭-১৮॥

ধর্মগী পান্থৈ ওইদুনা সম্পুদা অদু ফাওবনা মুংঙাইহনবা তমদবদু উবদা ধর্মাত্মা ওইরবা মহাকী মথাদা বৈরাগ্যভাব অদুম মহাকতরে। বুদ্ধিগী মশক ওইরবা মীৎ অদু ঊপাও ত পাওদুনা লৈত্রবদুনা, অপামবুংশিংগী থবক, মহাও-মনমগী বিষয়শিংদা থোইবা পুক্নিং চঙদুকত্রে। মশক মওং, খোঞ্জেল অদুগা অকল অথোৎকী শোক্ন শম্নবা, মনম অসিনচিংবা বিষয়শিংদা মহাকী থম্মোয় অমদি পুক্নীং অদু

* ধর্মগী পান্থৈনা ফংলকপা লন-থুমনা ধর্মগী মহৈ নত্তে। ফংলিদা ললদুংগী পোকপা কাম ক্রোধ-অসিনচিংবনু নমহৎপা শক্তি অদুনি— ধর্ম-কর্ম তৌবগী মহৈ হায়বনু। ধর্মগী পান্থৈনা ফংলকপা লনি হায়-দুনমু মাহুনা নাপল থোয়বনচিংবা দোষশিং অসি অমুক্ত পীত্রবদি মাহু মহৈ হায়রবা ধর্ম কর্মনি। (কালাচান্দ)

সর্ব্বত্যাগে চ যততে দৃষ্ট্বা লোকক্ষয়াত্মকম্। ততো মোক্ষায় যততে নানুপায়াদুপায়তঃ ॥২১॥
শনৈর্নির্বেদমাদত্তে পাপং কর্ম্ম জহাতি চ। ধর্ম্মাত্মা চৈব ভবতি মোক্ষং চ লভতে পরম্ ॥২২॥
এতত্তে কথিতং তাত যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি। পাপং ধর্ম্মস্তথা মোক্ষো নির্ব্বেদশ্চৈব ভারত ॥২৩॥
তস্মাৎ ধর্ম্মে প্রবর্ত্তেথা সর্ব্বাবস্থং যুধিষ্ঠির। ধর্ম্মে স্থিতানাং কৌন্তেয় সিদ্ধির্ভবতি শাশ্বতী ॥২৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
চতুঃপ্রাশ্নিকো নাম অষ্টষষ্ট্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৮॥

——:*):——

থোইনা চডশিল্লুত্র। মতম অহুদা মহাক অতু কামনা পুন্নমক্কগী নাম্বোরকই। অমুবু, মহাক ধর্ম্মগী অভ্যাস অহুবুদি মহাক্না থক থাদোক্কে ॥১৯-২০॥

অচচ্চত্তন থল্লবা লোক পুম্নক্ক অসি মাঙখিগদবা ওক্তুদি চান্নবা উবক থওলক্লবা মতমমদা ধর্মাত্মা অহুনা মক কৌনি হায়না মমুগা ধর্মগী লম্বুন পুম্নমক অহুম্ব অমুক থাদোক্কদৌবগী কয়া হোৎনরকই। অদুগী ত্রুংদ মহাক্কী অতৌক চাব, নীংমদনা পাম্বেনা মোক্ষ (অরনব থুক্তম) দু ফংনবগীদমক্ক হন্ন হোৎনরকই। অদুনা মখাদা বৈরাগ্যগী ভাবনা মখাক্তা মথং মথং লাক্কলদা পাপকী কর্ম পুম্নক মথানা অদুম থাদোক চরকই। অদুগীদি মহাক মশামক ধর্মগী মুত্তি ওইরুনা ধর্মাত্মা অহুন মওহক্কে। মতুংদা মথা আনিংতাই লৈতব, অখোংবা থুওঙ্খু ফায়না কদি ॥২১-২২॥

ঈবুঙ্গো! ভরতনন্দন! যুধিষ্ঠির! নহাক্না ঐগী ঙাক্সদা পাপ, ধর্ম বৈরাগ্য অহুপা মোক্ষপদবীগী মরমদা কংথরক্ক মথংতৌননা তঙাইনা হাদরক্লসি ॥২৩॥

অদুনা কুন্তীনন্দন! নিংথৌ। নহাকনা হায়রিবা ধর্ম অসিগী পন্থিদা লৈক্লম কায়দনা চৎলু। মরমদি ধর্মগী থৌওয়া কয়ী অদিদা লৈক্লম কায়দনা চৎপশিং অদুতনা কয়াবরা থুক্তযগী মশক ওইরবা সিদ্ধিবু ফাহুনা কংদা হুম্মি ॥ ২৪॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চতুঃপ্রাশ্নিকো কৌবা চনীফমহুমনিপানুত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৮॥

——:*):——

মণিপুরী মহাভারত

একোণসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(মোক্ষ পদবী ফংননবা উপায় তাকপা)

চনীহুমফুমাপনগুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

মোক্ষঃ পিতামহেনোক্ত উপায়ান্নানুপায়তঃ। তমুপায়ং যথান্যায়ং শ্রোতুমিচ্ছামি ভারত ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

ত্বয্যেবৈতন্মহাপ্রাজ্ঞ যুক্তং নিপুণদর্শনম্। যেনোপায়েন সর্ব্বার্থং নিত্যমৃগয়সেঽনঘ ॥২॥

করণে ঘটস্য যা বুদ্ধি ঘটোৎপত্তৌন সা মতা। এবং ধর্মনভ্যুপায়েষু নান্যধর্মেষু কারণম্ ॥৩॥

পূর্ব্বে সমুদ্রে য পন্থাঃ স ন গচ্ছতি পশ্চিমম্। একঃ পন্থা হি মোক্ষস্য তন্মে বিস্তরশঃ শৃণু ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি— ইবুংথো। মতৌক চাবা উপায়না মোক্ষপদবীবু ফংননবগী মরম তাকপীরে। মতৌক চাদবা উপায়না মোক্ষ পদবীবু ফংবা য়াদে হায়রবসিদু ইবুংথোনা তাকপিরে। ঐগী ঐগী শক্তিগী মতুং ইন্না মতৌক চাবা উপায়শিংদু ইবুংথোগী নকমদগী তাজপে ॥১॥

ভীষ্মনা হায়:— পাপ য়াওদ্রবা, শিংজবা নিংথৌ। নহাক্তি অচুম্বা মতৌক চাবা উপায়তনা ধর্মবু অচুম্বা ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ মরি অসিগী লম্বী অমদি তম্ববু য়াম চোকশিন্না থিদুনত লৈরিবনি। নংনা ভাগ্রিবা, খঙলবা বিবরাশংদুগী পরীক্ষা তোননবগী দমক্তা শিংজবা থৌয়বা কুপ্পবা দৃষ্টি (মীৎয়েং) অমদি মজোন্দা লৈফম থোকই ॥২॥

চকুশাবা মতমদা শীজিন্নখ্রিবী বুদ্ধি অদু শাবা লোইরবদা অমুক শীজিন্নদ্রে। থম্মোয়বু শেংদোক্লনবগী উপায় ওইবা শীজিন্নখ্রিবা দান-যজ্ঞনচিংব থবক উপায়শিং অদু, ধর্মনচিংবা উদ্দেশ্যশিং অদু পাঙথোক্লবা তুংদা অমুক হন্না শীজিন্নদ্রে। মোক্ষ ফংলবগী তুংদা মাদু ফংননবগী শীজিন্নখিবা উপায়শিং অমুক ফায়বা লৈদ্রে ॥৩॥

য়েংউ। লম্বীগী লম্বী অক্পানিদি হায়রববু নোংপোক তাংগ চৎপদা শীজিন্নরবদা হায়রবদি চৎলম্বা লম্বী অদু নোংচুপ সমুদ্র তায় চৎপদা শীজিন্নদ্রে। মতৌ অদুগুম্না অতৈ অতৈ বিষয়দা শীজিন্নবা লম্বীশিং অদুদগী তোঙতোগ্না লম্বী অমা মোক্ষ ফংননবগী লৈরি; মাদু হায়গে যুম তাও ॥৪॥

ক্ষময়া ক্রোধমচ্ছিন্দ্যাৎ কামং সঙ্কল্পবর্জ্জনাৎ। সত্ত্ব সংসেবনাৎ ধীরো নিদ্রাং চচ্ছেত্তুমর্হতি ॥৫॥
অপ্রমাদাৎ ভয়ং রক্ষেচ্ছ্বাসং ক্ষেত্রজ্ঞশীলনাৎ। ইচ্ছাং দ্বেষং চ কামং চ ধৈর্য্যেণ বিনিবর্ত্তয়েৎ ॥৬॥
ভ্রমং সম্মোহমাবর্ত্তমভ্যাসাৎ বিনিবর্ত্তয়েৎ। নিদ্রাং চ প্রতিভাং চৈব জ্ঞানাভ্যাসেন তত্ত্ববিৎ ॥৭॥
উপদ্রবাং স্তথা যোগান্ হিতজীর্ণমিতাশনাৎ। মোহং লোভং চ সন্তোষং বিষয়াস্তত্ত্বদর্শনাৎ ॥৮॥
অনুক্রোশাদধর্মং চ জয়েদ্ধর্ম্মমুপেক্ষয়া। আয়ত্যা চ জয়েদাশামর্থং সঙ্গবিবর্জনাৎ ॥৯॥

মুক্তি (মোক্ষ অরাম্ব' খুঙ্গম) বু ফংনিংবশিংনা তৌগদবা হায়বদু—থাওহৈবা-ঙাকশিংবা শুণবা অশাক্ত-বদু, লংবন্না থাদোকপম্মা কামনা (অপাম্বা) শিংবু মরুফংন ফুক্তোকফবনি। মুক্তি ফংনিংবা জ্ঞানীশিংনা জ্ঞানধ্যানমচিংবা সাত্ত্বিক কর্ম্মশিংগী পাম্বৈনা নিদ্রা তন্দ্রা উইনিংশানিংবা অমম) বু মাঙহনপদবনি ॥৫॥

তত্ত্বঙবা-ওক্কবগী পাম্বৈনা অকিবদু, আত্মাগী চিন্তন (মুম্ব খন্নবা রাখল) গী পাম্বৈনা হায়বদি লম্বীনা লুংশাশোরবু হাম্বদি, প্রাণায়ামবু সাধন তৌগদবনি। তপস্যগী পাম্বৈনা ইচ্ছা (নীঙবা বু কল্লক য়েংথি-বদু অমুগা অশান্তবু থাদোক্কদবনি ॥৬॥ তত্ত্ব খঙবা মীনা শাস্ত্র অভ্যাসগী পাম্বৈনা অদুগা ভমফংপা, (কাউবা, চিনবা, অক্রনবা , অক্তোপ অতেপ্পা বিবক্সা চওখিগংোরিবী বুদ্ধি---হায়রিবা দোষ অনীসিবু জ্ঞান-অভ্যাসগী পাম্বৈনা থাদোক্কদবনি ॥৭॥

হকচাংগী উপদ্রব অমদি লাইনাশিংবু, ভুমগদবা চীঙ্গাক অদুগা কায়বা চীনাক্কী পাম্বৈনা, অপাম্বা মিহৌবদু থরৈলজবদা ঙেঙবা হায়বদুগী পাম্বৈনা অদুগা সংসারগী বিষয়গী আক্রমণবু তত্ত্বদৃষ্টিগী পাম্বৈনা ঙাকথোক্কদবনি ॥৮॥ *

ফুংশিঙ্কেবা-থোজাল চৈবগী পাম্বৈনা অধর্মবু, বিচারতৌবা নিয়ম মা চংপা অমদি ঙাকপগী পাম্বৈনা

* সংসারগী পোৎ থুনিংদা লৈব্রবা মশক, মহাও, মনম, থোঞ্জেল অমদি শোকপা—হায়রিবা বিষয় মঙা অসিনা তাইবংমীগী থম্মোয় অমদি পুক্লংদা তৌশিল্লকপা আক্রমণ অসিবু ঙাকথোক্কপা পাম্বৈ অসি থিব ফনা লুই। লৈতে হায়ব ফাওবা য়াই। তত্ত্বদৃষ্টিগী পাম্বৈনত্তনা ঙাকথোক্কবা উপায় অমত্ত লৈতে। মাঙদা উত্রিবা চক্ষু অসিবু ঐনা পাম্মুরিবসি 'চক্ষু" হায়বা মমিং অসিবুরা, মঙং অসিবুরা, মতোন্দা লৈরিবা মনম অসিবুরা, মতোন্দা লৈরিব, থোঞ্জেল অসিবুরা মত্মগা মহাওবুরা মাগী কনবা থোৎপনচিংবা ভুণ অসি-বুরা অদুগা হায়রিবা মনম মহাওনচিংবসিমক্তি কনাগীনো লৈপাক্কীরা, লৈপাক্ক লৈবদি মনমত্তনি, মঙং মহাওদি লৈতে, অদুনদি কবিরুনো ঐনা পাম্মুরিবসি অদুগা কয়িগীনো হায়ব অসিনচিংবসিবু মুম্বা য়েংশিন-বদু তত্ত্বদৃষ্টি কৌই। তত্ত্বদৃষ্টী অসিগী পাম্বৈকনা বিষয়শিং অসিনা তৌশিল্লকপা আক্রমণ অমদি লৌচিং অসি থর কোমথোক্কহনবা, মপাজল হম্থহনবা য়াগনি। সংসারদা অশান্তি পোকহল্লিবসি মথোয় মঙা অসিননি। মথোয় মঙা অসিগী আক্রমণবু অদুপকী মতীক মাঙা হম্থহল্লগা অদুপকী মতীক শান্তি ফংগনি। অসিগুম্বা তত্ত্বশিং অসি মুম্ব থঙজিনগে হৈজিনগে হায়বগীদমক তাইবংমীনা মুনিশিংগী ন্যায়শাস্ত্র বেদান্তমচিং-বা তম্মিরিবনি। (কালাচাঁদ)

অনিত্যত্বেন চ স্নেহং ক্ষুধাং যোগেন পণ্ডিতঃ। কারুণ্যেনাত্মনো মানং তৃষ্ণাং চ পরিতোষতঃ ॥১০॥
উত্থানেন জয়েৎ তন্দ্রীং বিতর্কং নিশ্চয়াজ্জয়েৎ। মৌনেন বহুভাষ্যং চ শৌর্য্যেণ চ ভয়ং ত্যজেৎ ॥১১॥
যচ্ছেৎ বাঙ্মনসী বুদ্ধ্যা তাং যচ্ছেজ্জ্ঞানচক্ষুষা। জ্ঞানমাত্মাববোধেন যচ্ছেদাত্মানমাত্মনা ॥১২॥

ধর্মবু ঙমগদবনি। অশাবু ফুংদা থোক্কনবু মুন্ন থায়রোৎবগী পাম্বৈনা, আসক্তি থাদোকপগী পাম্বৈনা লম্‌নম ফংনিংবগী আক্রমণবু ঙাকথোক্কদবনি ॥৯॥

অপাম ফুংশিংবু সংসারগী পোং পুম্নমক অনিত্য ওাক্কনি হায়না খবগী পাম্বৈনা, অরাম খৌরাংবু যোগাভ্যাসগী পাম্বৈনা ফুংশিন্নংঙোনবগী পাম্বৈনা থোয়বা-নাপলবু, খৌরাংবব্ পেঞ্জবগী পাম্বৈনা অশিং-বশিংনা ঙাকথোক্কদবনি ॥১০॥

অনৌবা অফবা থবক্তা হোৎনরক্লবগী পাম্বৈনা অত্তনুত্ত্ব, নিকমবিধি কায়না কংয়েৎ য়েংপা মরৈ—বিতর্ক শাস্ত্রনা মক্কচেৎনা থাজবা কায়নকুগী পাম্বৈনা নমকৎকদবনি— ঙমগদবনি। * য়াফে য়ায়াম ঙাঙনীঙবব্— মৌনব্রতগী পাম্বৈনা অঙ্গগা মরীল ফুদে কপা থৌনা ফবগী পাম্বৈনা অকিবব্ অয় তৌগদবনি ॥১১॥

পুক্নীংবু অহুগা চৌদগী কায়দোকপা য়াবু কায়বদি পুক্নীংগা লোয়ননা ইন্দ্রিয় পুম্নমপু বুদ্ধিগী পাম্বৈনা খুহুম মথাদা থমগদবনি, হায়বদি— থুশম চংগদবনি। বুদ্ধি মতাকমক্কপুত্ত ফুং মাংগী য়াথন্না কায়বদি—অক কপ্তগী য়াথংগী পাম্বৈনা লাকশিনগদবনি। আত্মজ্ঞানবু কায়বদি আত্মাবু পরমাত্মাগী জ্ঞানদা, হায়বদি পরমাত্মাতদা লুপহনগদবনি। মতৌ অসুম্না মশানগী আচার-বিচারদত্ত ওপেৎনা তক তক্কনা লৈহনা মুক্তি-সাধক জ্ঞানীশিংনা তৌজক হায়র্দুব মরোল (থক্) শিং আসনগী মথং মথং হাইদোরক্লুনা অতৈ বিষয়-শিংদগী মায় লৈথোক্লুনা চনীংঙাবা, তত্তা তত্তাদনা পরমাত্মাগী সাক্ষাৎকার তৌগদবনি, হায়বদি— আত্মা অসিমা মশাবু পরমাত্মাদা তিন্নহন্‌থগদবনি ॥১২॥ †

* কান্নগুম্বা বিষয় অমগী মঙ্মদা মরৈ য়েংনবা মত্তমদা ফনা কনাগুম্বনা শাস্ত্র নিয়ম প্রমাণ য়াওদনা, বৈজ্ঞানিক ওইনবা যুক্তিনা ঙমগদবগী কন্না হোৎনৈ। অতম্ তান্নুনা, মশাগী প্রমাণ যুক্তিবু মশামক্তা কক্-থচ্চরে হায়বা ফাওবা থবদনা কংয়েং য়েংলুনা থাক্তিক। অতুগুম্বা মীশক অমুবু, বেদশাস্ত্রগী ন্যায়বেদান্তগী নিয়ম অমদি মক্কাব্যশিংদ, মক্ক চেংনা বিশ্বাস থাজলুনা ফিংগৎ-পাথলুনা তপ্পা তপ্পা মতোন্দা জ্ঞান তাক্-লুবা মশানা লাক্লে কায়বা য়াকনগদবনি। বাগ্বিতণ্ডা কুতর্কবু— বাগ্‌বিতণ্ডা কুতর্ক-বিতর্কনা ককদবা নত্তে। অতুম তৌরবদি মরৈথদা ফুনশুনবনা লোইশিনখিপনি। অতুম তৌরবদি অমনম্ভ ওমত্রে— অমনম্ভ ওমত্রে। বাদী-বিবাদী— পূর্ব্বপক্ষ উত্তরপক্ষ অনীমক্কপু কাম ক্রোধ হিংসানা থুহুম চনখ্রে। অতুম্না শীজিন্নবা শাস্ত্রনা অহোম্নন্তুম অশান্তি শীগনি। (কালাচান্দ)

† ঈরৈ লৈতবা, মত্তম ভিত্তীগীদমক লৈহক্লবিবা, মঙংগা মমিংগা অনীসিত্তনা লৈ হায়না কায়বা হৈমগ্রবা মায়াদা তাওরবা নাস্তিকশিংনা পরমাত্মা— ঈশ্বরবু লৈতে হায়রিবসি, ঈরৈ লৈতবব্ লৈ হায়না তৌবা হৈন-

তদেতদুপশান্তেন বোদ্ধব্যং শুচিকর্মণা। যোগদোষান্ সমুচ্ছিদ্য পঞ্চ যান্ কবয়ো বিদুঃ ॥১৩॥
কামং ক্রোধং চ লোভং চ ভয়ং স্বপ্নং চ পঞ্চমম্। পরিত্যজ্য নিষেবেত যতবাক্ যোগসাধনান্ ॥১৪॥
ধ্যানমধ্যয়নং দানং সত্যং হ্রীরার্জবম ক্ষমাঃ। শৌচমাহারতঃ শুদ্ধিরিন্দ্রিয়াণাং চ সংযমঃ ॥১৫॥

অপান্বা, অশাউবা, মিহৌবা, অকিব', তুমগনবা-তনবা মতৌ অসি যোগসাধনগী মকমদা য়ৈথারবা পীব, ফত্রবা দোষ ওাক্তনি। মাংথাব অসি মক্ত ফংনা কুক্কোকদবনি। মখোয়সিবু থাদোকপ্রগা হায়দোক-পদা ক'য়দবা, তোংজদবা ওাওগনবা ওাচনীংবা পুয়মকপু থিজুনা যোগসাধন তৌগদবনি ॥১৩ ১৪॥ ধ্যান (তুমিন্না খনবা), অধ্যয়ন (তম্বা নৈরবা), দান, সত্য (অচুম্বা ওাংবা), লজ্জা (ইকাইবা খজহ), সরলতা (ইচম চমবা, তুমরীংবা), ক্ষমা (মীগী মরলবু ভাকপিংগৈবা), মঙ্গং-মপান পুমশেং শেংবা, অ'শাংবা অচাথক খিবদগীনি। ইশিং ইনৎ নত্তবা কংকাল—লৈকংবু ইশিংওুম ইহন্‌বা, ঐন্দ্রজালিক — মিত্ররৈবশিংগী মায়ানা তুমহৎহন্‌থরবশিংনা অরৈবা কংকালহুবু থক্ উদে, লৈতবা ইশিংহুত্রবু উগনি। লৈতহবু লৈ হায়না হৈন-খিবনা অরৈবা মহাকপু লৈতে হায়না হায়খিবতনি। লৈত্তে হায়রিবসি লৈতবা হকচাংশিবু মামক্তি হায়না হায়বদা হৈনগ্রবা অনাত্মা (থাজৈশেংবা আত্মা নত্তবা) ম মক্তনি। লৈদু হায়রবস্থ লৈত্তবু হায়রনস্থ— কম্নি তুম্নি চৎলিবু হায়রবস্থ, হায়রিব' ওাওলিবসি আত্মা মা-মক্তি। মহাক্ হেক্ লৈতবগা মপান্‌গী উতুপ তাওম্ ওাহৌরবা হকচাং কৌবা লৈতুন অসিনা লৈ লৈত্তে, হিংলি শিরমচিংবা থক্ হায়রক্লরোই। হকচাং ইন্দ্রিয় পুক্তীং খিবক অসিনা পাংগৈ খুংলাই ওইহুনা আত্মাসিনা লৈ লৈত্তে হায়রিবনি। হকচাংসি ঐ নি, আত্মা (ঐ) মক্তি হায়না থবগী মরুত্তা হকচা সিদি আত্মা ঐগী খুংলাই (সাধন) ওইনা লৈজবত্তনি অসু থহনা, হকচাংসিদগী লাহোয়রকনা মুক্ত ওইরকুনা, হকচাংসিদা করিগুম্বা, হকচাংসিদা করিগুম্বা, হক-চাংসিদা করিগুম্বা মত্তমদা চংথোক চংশিন তোদনা ইচোপ তোম্না অমতওইনা লৈরিবা পরমাত্মা মতোম্দা হেক ক্রিবখিহুনা মশা অমত্ত ওইরবা মত্তমহুতদা আত্মাসিনা পরমাত্মা মহাকপু সাক্ষাৎকার তৌগনি। হায়বদি, মশানা মশাগী থাংগৎশেংবা মুক্তিবু উম্নগনি। অহু শক্তিগমথৈ মশানা মশাবু হকচাংসিনি হায়না লায়া থমিরসিদগী থক লাহোয়রকপা মুক্তি ফংলকপা ওম্মোই। অসিফাওবা উশিনগ্রবা নাস্তিকশিংগী অশানা মশামক্তা হকচাংসিদগী লাহোয়রকুনা ঈশ্বর (পরমাত্মা) হায়বা অতোপ্পা অম লৈরমস্ত্রে আত্মা ঐনক্তা ওইজবনি-ওইজরকপনি অসুম্না হায়রক্লবস্থ মাহুদি আস্তিকশিংগীদি চুম্বাপন্তিনি; হায়বদি, মাইমক্তি আস্তিক-শিংনা হায়গস্লিংলিবস্থ। লৈরিবা আত্মাসিদগী আতাপ্প পরমাত্মা হায়ব, ঈশ্বর হায়বা অমমমুক লৈত্রে হায়রিবুবহু আত্মসিদি লৈ, মাতমি লৈজিবা অতৈ হকচাংনচিংবা করিমত্ত লৈতে হায়রিবতনি অহুশা, মুম খম্বা নাস্তিক ডি আস্তিক মক্তি। অস্তি (লৈ) হায়রিবস্থ আত্মা মানি, নাস্তি (লৈতে) হায়রিবসিসু পরৈর-থাং আত্মা মামক্তা হায়রিবনি। হায়রিবা ভাবনা অসিদী মতুংইন্না শঙ্করাচার্য্যনা "জীবো ব্রহ্মৈব কেবলং" হায়-বদি আত্মা পরমাত্মৈব কেবলম" হায়রম্বদি। (কাপচাদ)

এতৈর্বিবর্দ্ধতে তেজঃ পাপ্মানমুপহন্তি চ। সিধ্যন্তি চাস্য সঙ্কল্পা বিজ্ঞানং চ প্রবর্ত্তে ॥১৬॥
ধূতপাপঃ স তেজস্বী লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ। কামক্রোধৌ বশে কৃত্বা নিনীষেৎ ব্রহ্মণঃ পদম্ ॥১৭॥
অমূঢ়ত্বমসংদিগ্ধং কামক্রোধ বিবর্জনম্। অদৈন্যমনুদীর্ণত্বমনুদ্বেগো ব্যবস্থিতিঃ ॥১৮॥
এষো মার্গো হি মোক্ষস্য প্রসন্নো বিমলঃ শুচিঃ। তথা বাক্কায়মনসাং নিয়মঃ কামতোঽন্যথা ॥১৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
একোণসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৬৯॥

——:():——

চাবা থকপা, ঐ ইন্দ্রিয়শিংবু থুদ্দুমচনবা—মখোয় অসি যোগসাধনগী পাম্বৈনি থুংলায়নি। মখোয় অসিগী পাম্বৈতনা যোগসাধন তৌরিবা সাধক অদুগী মশেকমঙালবু কলংল্লি, তেজ কলহল্লি। মখোয়সিনা সাধক অদুগী মলুং মথালগী পাপ পুম্নমক মাঙহল্লি। মহাক্না তৌথিবা সংকল্প পুম্নমক মহৈ রাহললি। মাগী থম্মোয়দা বিজ্ঞানগী আবির্ভাব ওইরকই ॥১৫-১৬॥

অমুম্না পাপ পুম্নমক কোক্লবা মতুংদা সাধক অদু তেজ লৈবা, তেজ কনবা, চাংমাইনা থিত্তুং চারগা পেনজবা ইন্দ্রিয় থুদ্দুমলনবা মীশক অম ওইরকই। মতম অদুদা লাকউম কাওমদবা কাম.ক্রোধদুবু অম তৌদুনা মশামকপু ব্রহ্মধামদা থাংগৎথিবা গুম্মি ॥১৭॥

পঙথবা অমদি বিষয়বু কা হেন্না পামশিনবা অনী অসি শূক্লে লৈহন্দবা, অপাম্বা অশাউববু পুমথা থাদোক্‌পা, মশাবু য়াম্না তোল্লবনি—করিগুম্বা লৈত্রবনি হায়না মপূক্নীং য়ৈথজবা তৌদনা, "ঐনা হায়রিবদবু কনানা কৈদৌরনি?" হায়না মকোক হাইগৎপা তৌদবা, ঈপা পাখংপা নিংদোল চোংবা তৌদবা, থম্মোয়বু ঈংনা থম্বা, করিগুম্বা মহৈ অমা পামদনা পূক্নীং য়াহৈ য়াঙাওবু অদুগা ইন্দ্রিয়শিংবু কা হেনহন্দনা কাজিন্নুনা থম্বা,—হায়রিবশিং অসি মোক্ষ— মুক্তিগী লংলবা লম্বী (উপায়) মক্কনি ॥১৮—১৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা চনীহুমফুমাপনগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৬৯॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোহধ্যায়ঃ।

(হকুচাংসিবু ঐনি হায়না খল্লিবা জীবাত্মাগী মরমদা নারদ-দেবল অনীনা ৱাঙনবা)

চনীহুমফুতরাগুবা অধ্যায়।

——:(※):——

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রৈবোদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। নারদস্য চ সংবাদং দেবলস্য সিতস্য চ ॥১॥

আসীনং দেবলং বৃদ্ধং বুদ্ধ্বা বুদ্ধিমতাং বরম্। নারদঃ পরিপপ্রচ্ছ ভূতানাং প্রভবাপ্যয়ম্ ॥২॥

নারদ উবাচ।

কুতঃ সৃষ্টমিদং বিশ্বং ব্রহ্মন্ স্থাবর জঙ্গমম্। প্রলয়ে চ কমভ্যেতি তং ভবান্ প্রব্রবীতু মে ॥৩॥

অসিত উবাচ।

যেভ্যঃ সৃজতি ভূতানি কালে ভাবপ্রচোদিতঃ। মহাভূতানি পঞ্চেতি তান্যাহুর্ভূতচিন্তকাঃ ॥৪॥

তেভ্যঃ সৃজতি ভূতানি কাল আত্মপ্রচোদিতঃ। এতেভ্যো যঃ পরং ব্রূয়াদসদ্ ব্রূয়াদ সংশয়ম্ ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মহাক্না হংলিবা বিষয় অসিদা দেবর্ষি নারদগা ব্রহ্মর্ষি অসিত দেবলগা ৱাঙনখিবা ইতিহাসকী কুইরবা মতাং অমা খুদম ওইনা হেক হেক লীনৈ ॥১॥ নোংমা অচল ওইরবা, য়াম্না জ্ঞানী ওইরবা মহর্ষি অসিতদেবলনা তুমিন্না ফমহুনা লৈবক উবদা নারদনা অচচ্চক জীবপানবা পুম্ন-মক্কী পোক্লকপা, থুংপখিবা— লোইশিনখিবগী মরমদা হাংহং থরা হংখি ॥২॥

নারদনা অস্থুম্না হংঙি,— ব্রহ্মন্! অচচ্চত জগৎ অসি কনায়দগী কন্না থোকখ্রি— ওইখ্রিবনো? অদুগা কনাদা নত্রগা কম্বিদা লোইশিন্— খুংপচিনখ্রিবনো? মাসি ঐঙোন্দা শাংনা তাকপিয়ু ॥৩॥ অসিত দেবলনা হায়,— দেবর্ষি! সৃষ্টিগী মতমদা, অচচ্চত জীবপানবা পুম্নমক্কী থাদোকপা য়াদনা হৈনখিবা বাসনা কামনাশিং অদুনা থৌজিল্লকপদগী অদুগুম্বা অমগামগা য়ান্শিল্লরব মচাক্ তত্ত্বশিং অদুনা অচচ্চত্তনা থল্লবা বিশ্ব জগৎ অসিবু শেমখি শাখিবা অদুগুম্বা মচাকশিং অদুবু ভৌতিক বিজ্ঞানবাদীশিংনা পঞ্চমহাভূত হায়না কৌনৈ ॥৪॥ পরমাত্মানা ঈন্শিল্লকপদগী কাল হায়বদুনা অচৌবা তত্ত্ব মঙা অসিবু শেমখি। হায়রিবা তত্ত্ব মঙা অসিদগী তোঙান্বা অমনা নত্রগা তোঙানবা অমা য়ান্শিন্খিবা মথোয় মঙানা জগৎ অসিবু শেমখিবনি হায়বসি থাঙ্গৎশেংবা ওইদব, মীনম্বা য়ানি ॥৫॥

বিদ্ধি নারদ পঞ্চৈতান্ শাশ্বতানচলান্ ধ্রুবান্। মহতস্তেজসো রাশীন্ কালষষ্ঠান্ স্বভাবতঃ ॥৬॥
আপশ্চৈবান্তরিক্ষং চ পৃথিবী বায়ু পাবকৌ। নাসীদ্ধি পরমং তেভ্যো ভূতেভ্যো মুক্তসংশয়ম্ ॥৭॥
নোপপত্ত্যা ন বা যুক্ত্যা ত্বসৎ ব্রূয়াদ সংশয়ম্। বেৎথৈতানভিনির্বৃত্তান্ ষড়েতে যস্য রাশয়ঃ ॥৮॥
পঞ্চৈব তানি কালশ্চ ভাবাভাবৌ চ কেবলৌ। অষ্টৌ ভূতানি ভূতানাং শাশ্বতানি ভবাত্যয়ৌ ॥৯॥

নারদ ! হায়রিবা পঞ্চভূত — তত্ত্ব মঙা অসিগা কাল হায়বা তত্ত্ব অহুমগা তরুক অসি অনাদিকাল-দগী চেন্থরক্লবা ঈচেল তরুক্নি হায়বসি নহাক্না চিংনবা তৌদনা খঙঙ্। অহুমগা মখোয় তরুক অসি লেঙ-দনা অসুম চেন্থহুনা লৈরক্লবা লৈরিবা লৈগদৌরিবা মখোয় অসি তেজগী মশক ওইরবা মহত্তত্ত্বগী মহৌ-শাগী কলা মক্তনি ॥৬॥

ঈশিং, আকাশ (অহাঙবা)- পৃথিবী (লৈপাক), মুংশিং, মৈ হায়রিবা তত্ত্ব নঙ অসিদগী তোঙান্বা তত্ত্ব অমমুক লৈরমদ্রবনি হায়বাসদা চিংননীঙ'য় কবিনতা লৈত্রবনি ॥৭॥ কম্নিগুম্বা যুক্তি প্রমাণ অমনা—মখোয় তরুক অসি নত্তবা অতৈ অমা লৈরি হায়বাস কনামতনা ভস্মরোইদৌবনি। মাসিবু ওয়নবা ভাঙলিবা তৌরিবা তর্ক-বিতর্কশিং অদো চৈন্কেং ফবা মীনম্বা মক্তনি। সংসারগী থবক পুম্নমক্কা,— থবক খুদিংমক্কা ইরক্লিবা— যাওরিবা মখোয় তরুক অসি নহাকসু খঙলিবনি, অহুমগা মাহুগী মরমসু খঙলিবনি ॥৮॥

হায়খ্রিবা মৈ ঈশিংনচিবা তত্ত্ব মঙা, কাল, ভশেং ভশেংনা লৈবা (বিশুদ্ধভাব) অহুমগা লৈতবা—আত্মভাব চঙথোক্ চঙশিন্ তৌনবগী মশক মঙং কত্তনা হোংবা মহত্তত্ত্ব হায়রিবা নিপাল অসি নিত্যনি। * মখোয় নিপাল অসি উরিবা জগৎ পুম্বাসি অমগা পোৎ খুদিংমক্কী পোক্‌কম— লোইকম্নি ॥৯॥

* মাসি সংসারগী হেক লৈরিবা, লৈংকদৌরিবা আধিভৌতিক বৈজ্ঞানিক, আধ্যাত্মিক-বৈজ্ঞানিক, নৈয়া-য়িক, দার্শনিক পুম্নমক্না নাকল অমদা লেপ্তুনা য়েৎলবসু ককপা য়াররোহদৌবা য়ানি। সংসারদা ' লৈবা-লৈতবা হায়বা অনী আস শেংনা লৈবা লৈতবা অহুগা শেংদনা হায়বা তিন্নহুনা— য়াম্থাইনহুনা লৈবা—লৈতবা অহুম্না অনী থোক্না লৈ। বৈজ্ঞানিকশিংনা মচাক নিপাল অসি মতম চঙনা— য়ানা শারিবা পোৎ অহুনা মতম থরদং লৈরম্মগা কায়খ্রিবা—লৈথিদ্রিবহু শেংদবা লৈরম্বা পোং ভাক্তনা মচাক্ ওইহুনা শাথি-বননি। লৈথিদ্রিবা মাঙখ্রিবা অহুসু পোৎশিং অহুনা "শেংদনা—লৈতবা" (অশুদ্ধ—অভাব) হায়বহুগী মমুংদা লৈখিবননি। মচাক ওইরিবা য়োৎ নুংনচিংবহু লৈপাক কৌবা তত্ত্ব অহুদি ওইরবসু "শেংদনা লৈবা" হায়বহুদা লৈরম্লিবনি। অহুনা "শেংদনা লৈতবা" গী মঙংদা চঙথিবনি। হায়বদি— "তৌশিন্নবা লৈতবা" গী মমুংদা লৈথিবনি। অহুনা মচাকশিং অহু থোমজিল্লবা অতোপ্পা অমমুক শাগৎলিবা শাগৎপা য়াম্রিবা অহুনি। অসিগুম্বা অশুদ্ধভাব— অভাব (শেংদনা লৈবা লৈতবা) অনীগী মমুংদা মথক্তা হায়রিবা তত্ত্বশিং অসিম্না ওন্থোক্ ওন্শিন্ তৌহুনা লৈ। অসুম্না পরিবর্তনশীল ওইহুনা লৈরিবা মৈ ঈশিংনচিংবা তত্ত্বশিং অসি মহত্তত্ত্ব কৌই। হায়রিবা পঞ্চ মহত্তত্ত্ব হায়বদি— পঞ্চ মহাভূত অসি পঞ্চতন্মাত্রাগী মশক্ মঙং

অন্তাবং যান্তি তেম্বেভ তেভ্যশ্চ প্রভবন্ত্যপি। বিনষ্টোহপ্যয় তান্যেব জন্তুর্ভবতি পঞ্চধা ॥১০॥
তস্য ভূমিময়ো দেহঃ শ্রোত্রমাকাশ সম্ভবম্। সূর্য্যাচ্চক্ষুরসুর্ব্বায়োরদ্ভ্যাস্ত খলু শোণিতম্ ॥১১॥
চক্ষুসী নাসিকাকর্ণৌত্বগ্ জিহ্বেতি পঞ্চমী। ইন্দ্রিয়ানীন্দ্রিয়ার্থানাং জ্ঞানানি কবয়ো বিদুঃ ॥১২॥
দর্শনং শ্রবণং ঘ্রাণং স্পর্শনং রসনং তথা। উপপত্ত্যা গুণান্ বিদ্ধি পঞ্চ পঞ্চসুপঞ্চধা ॥১৩॥
রূপং গন্ধো রসঃ স্পর্শঃ শব্দশ্চৈবাথ তদ্গুনাঃ। ইন্দ্রিয়ৈরুপলভ্যন্তে পঞ্চধা পঞ্চপঞ্চভিঃ ॥১৪॥
রূপং গন্ধং রসং স্পর্শং শব্দং চৈবাথ তদ্ গুণান্। ইন্দ্রিয়াণি ন বুধ্যন্তে ক্ষেত্রজ্ঞস্তৈস্তু বুধ্যতে ॥১৫॥
চিত্তমিন্দ্রিয়সংঘাতাৎ পরং তস্মাৎ পরং মনঃ। মনসস্তু পরাবুদ্ধিঃ ক্ষেত্রজ্ঞো বুদ্ধিতঃ পরঃ ॥১৬॥

অচচ্চত্ত থরায় পানবা পুম্নমক্কী মপান্গী কুয়োম হকচাং অসি লৈপাক্কী বিকারনি। নাকোং কৌবা ইন্দ্রিয়না আকাশদগী ওইজরকপনি। মীৎ কৌবা ইন্দ্রিয়না মুমিৎ (মৈ) দগী, প্রাণবায়ুনা মহাবায়ুদগী অদুগা ঈনা ঈশিংদগী পোকপনি, হায়রদি— ঈশিংগী বিকার ওইজবতনি ॥১১॥ মীৎ, নাকোং, নাত্তোল, উনসা, লৈ, জ্ঞানেন্দ্রিয় ওইবা মখোয় মঙা অসি রূপ রসনচিংবা বিষয়শিং অসিবু তত্তনা লৌশিনবা ইন্দ্রিয় মক্তনি হায়না বিদ্বান্-- অহৈ-অশিংশিংনা হায়নৈ ॥১২॥

মপান্গী পোৎশকশিংবু য়েংবা, তাবা, নম্বা, শোকপা, মহাও লৌবা হায়রিবা মঙা অসি মথংনীংনা মীৎ, নাকোং, নাত্তোল, উনসা, লৈ— হায়রিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগী মখো (থবক) নি। মখোয় অসিবু লৌননবগী দমক্কা লৈবা ইন্দ্রিয়শিংসিগী গুণ শক্তিনি হায়না নহাক্না খঙই। ইন্দ্রিয় মঙাসি বিষয় মঙাদা মঙং মঙা মঙা থোক্না লৈরিবনি ॥১৩॥ মীৎনচিংবা ইন্দ্রিয় মঙাগী পাম্বেনা মশক, মনম, মহাও, শোকপা, শব্দ মঙা অসিবু উবা; নম্বা, অসিনাচিংবা থবক্ মঙনা উই, নম্মি, চাই, শোকই, তাডিও ॥১৪॥

মশক, মনম, মহাও, শোকপা, খোঞ্জেল মঙা অসিনা মাগী মাগী লৈরিবা, হায়রদি— মাবু মাবু লৌরিবা ইন্দ্রিয়শিং অদুগী লৈরি লৈরিবা, পুরি পুরিবা গুণ তম্নবু করিমতা খঙদে। ক্ষেত্রজ্ঞ (জীবাত্মা) তদা ইন্দ্রিয়শিং অদুগী পাম্বেনা অনুভব তৌই ॥১৫॥

ইন্দ্রিয়শিংগী মপৈ অদুগা হকচাং মপুম অশিদগী থম্মোয় (চিত্ত) না হেল্লি। থম্মোয়সিদগীসু পুক্নীং অসিনা অমুক হেল্লি। পুক্নীংদগী বুদ্ধিনা হেল্লি। বুদ্ধিদগীসু ক্ষেত্রজ্ঞনা অথোইবনি ॥১৬॥

নাইশিন্নবা বিস্তার মক্তনি। মরম অদুনা জীবগী দেহ (কুয়োম) ওইদুনা লৈরম্বদুনা মাঙথিবা উথিন্নবসি মহত্তত্ত্বদুনা মঙা থোক্না তোঙান্ তোঙান্ তাথিদুনা মাগী মাগী তন্মাত্রা মঙাদুনা মখোয়দা হঞ্জিন্নখিবনি। পঞ্চ-তন্মাত্রাশিং অদুনা মশক উদনা লৈবা ওইবনা মশক উরম্বা মহত্তত্ত্বশিং অদুসু মশক উথিদবনি। হায়রদি, লৈদি লৈরগা মশক উদনা লৈবা হায়বদুগী মহুৎদা লৈনখিবনি। অদু নত্রবদি দেহ অমতং মুংথিবা মাঙ-থিবদা সংসারগী অচচ্চত্তগী দেহ পুম্নমক মতম অমতদা মাঙমিন্নরমগদবনি। বৈজ্ঞানিকশিংনা কাপ্নথিবা পোৎশকশিং অদুগা মান্নবা অমমুক্ শাবা য়ায়ন্সরোইদৌহনি। (কালাচান্দ)

পূর্ব্বং চেতয়তে জন্তুরিন্দ্রিয়ৈর্বিষয়ান্ পৃথক্। বিচার্য্য মনসা পশ্চাদথবুদ্ধ্যা ব্যবস্যতি ॥১৭॥
চিত্তমিন্দ্রিয়সংঘাতং মনোবুদ্ধিস্তথাষ্টমী। অষ্টৌ জ্ঞানেন্দ্রিয়াণ্যাহুরেতান্যাধ্যাত্মচিন্তকাঃ ॥১৮॥
পাণিপাদং পায়ুশ্চ মেহনং পঞ্চমং মুখম্। ইতি সংশব্দ্যমানানি শৃণু কর্ম্মেন্দ্রিয়াণ্যপি ॥১৯॥
জল্পনাভ্যবহারার্থং মুখমিন্দ্রিয়মুচ্যতে। গমনেন্দ্রিয়ং তথা পাদৌ কর্ম্মণঃ করণে করৌ ॥২০॥
পায়ূপস্থং বিসর্গার্থমিন্দ্রিয়ে তুল্যকর্ম্মণী। বিসর্গস্য পুরীষস্য বিসর্গে চাপি কামিকে ॥২১॥
বলং ষষ্ঠং ষডেতানি বাচা সম্যগ্ যথা মম। জ্ঞানচেষ্টেন্দ্রিয়গুণাঃ সর্ব্বেষাং শব্দিতা ময়া ॥২২॥
ইন্দ্রিয়াণাং স্বকর্ম্মেভ্যঃ শ্রমাদুপরতো যদা। ভবতীন্দ্রিয়সংযোগাদথ স্বপিতি বৈ নরঃ ॥২৩॥
ইন্দ্রিয়াণাং ব্যুপরমে মনোঽব্যুপরতং যদি। সেবতে বিষয়ানেব তং বিদ্যাৎ স্বপ্নদর্শনম্ ॥২৪॥

ঈগান্ হান্‌দা জীবাত্মানা ইন্দ্রিয়শিংনা খুৎলায় ওইদুনা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিংবু তোঙান্ তোঙান্ খায়দোক্‌ই। বুদ্ধিনা খুৎলায় ওইদুনা পূক্নীংগা রা তান্নদুনা জীবাত্মাসিনা বিষয়শিং অদুগী মখো মওং মচা খায়না লেপ্পি। মতৌ অসুম্না বুদ্ধিগা তিন্নবা জীব অসিনা, ইন্দ্রিয়শিংনা খুৎলায় ওইদুনা হিষয়শিংবু তোঙান্ তোঙান্না অমুত্তব তৌই ॥১৭॥

অধ্যাত্ম তত্ত্ব মুন্ন নৈনরিবা বিদ্বন্‌শিংনা মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় মঙা, থম্মোয়, পূক্নীং, বুদ্ধি— নিপাল অসিবু জ্ঞানেন্দ্রিয়নি হায়নি ॥১৮॥ খুৎ, খোঙ, অমাংবগী থোঙ, লিঙ্গ অদুগা চীল মখোয়শিংসিনা কর্ম্মেন্দ্রিয় হায়বনি। মখোয়সিগী মরম অসি নহাক্না মুন্না তাগাইনা তারো ॥১৯॥

চীলগী মথৌ অদুগা মীঙ্গিন্নফমদি চাবগা ঙাঙবগা অনীসিনি। খোঙনা চৎননবগীদমক্তনি, খুৎনা থবক তৌননবগী দমক্তনি। হায়বদি— খোঙ খুৎ অনীসি চৎননা, থবক তৌনবগী ইন্দ্রিয়নি ॥২০॥

গুহ্যদ্বার (অমাংথোঙ) অদুগা ঈশিংখোঙ অনীসিনা অমাংবা (থী) অদুগা ঈশিং (যু) অনীসিবু মথংলীংনা মপান্দা থাদোক্‌কফম্নি। অনী অসিগী থাদোক্‌কপগী থবক অসি মওং অমতনি। অনীসিগী থবক্তে খেন্নবা হায়ববু অমাংথোঙনা অমাংবতবু থাদোক্‌ফায়, অদুগা ঈশিং থোঙনা হক্কী ঈশিংবুসু অদুগা সম্ভোগ লোইবগী মতমদা বীর্য্যবুসু মপান্দা থাদোকই— চীথোক্‌হল্লকই ॥২১॥

মখোয়সি নত্তবা তরুক্‌শুবা কর্ম্মেন্দ্রিয়না পাঙ্গল হায়বদি— প্রাণবায়ু মঙানি। ঐনা ঐগী ঈচীলনা নহাক্কী নফমদা ইন্দ্রিয়শিংগী অদুগা মখোয়গী জ্ঞান, কর্ম্ম, গুণ অদুমগী রাস্ত তাহল্লবনি ॥২২॥

ইন্দ্রিয়শিং অসিনা মাগী মাগী থবক্তগী পোত্থাদুনা লৈগ্রবসু পূক্নীং কৌবা মহাক্তদি মথৌদগী পোত্থাদনা— লেপ্তুনা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিং অসি সেবন তৌদুনা অদুম্ লৈ। অতৈ ইন্দ্রিয়শিংনা পোত্থাগ্রবসু পূক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনা মথন্তনা তৌজরিবা অবস্থা অদু স্বপ্নাবস্থা— মঙগী অংস্থানি, হায়না থঙগদবনি ॥২৪॥ *

---

* ইন্দ্রিয় মঙানা পোত্থাগ্রবসু অদুগা পোত্থাদনা লৈবরসু, পূক্নীং ইন্দ্রিয় অসিনা মঙ মঙবগী অবস্থাদা লৈরবসু লৈত্রবসু মাগী মথৌ তঙনা তৌদুনা লৈবা হায়ববু প্রাণবায়ু অসিতনি। মহাক অসিনা থবক্তগী

সাত্ত্বিকাশ্চৈব যে ভাবা স্তথা তামসরাজসাঃ। কর্ম্মযুক্তান্ প্রশংসন্তি সাত্ত্বিকানিতরাং স্তথা ॥২৫॥
আনন্দঃ কর্ম্মণাং সিদ্ধিঃ প্রতিপত্তিঃ পরা গতিঃ। সাত্ত্বিকস্য নিমিত্তানি ভাবান্ সংশ্রয়তে স্মৃতিঃ ॥২৬॥

সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ভাব অহুম অসিনা ভোগ অনুভব তৌবগী কর্ম্মগী শক্তিগা তিল্লনা লৈরিবিতে অমুদা তাইবংমীনা ভাব অক্লমসিবু প্রশংসা তৌই ॥২৭॥ * মুংশাইবা, হরাওবা, থবক পাওথোক্লনবগী

হেক লেপখিবদা ইন্দ্রিয়শিং অসিসীদি অমুক কপ্নি হায়গনি—জীবাত্মা মহাকমকন্থ রূপ রসনচিংবা উপভোগ অনুভব তৌবহ্ লেপ্পি। অদুম্না লেপতিহুনা লৈখিদবু শিবা—মৃত্যু হায়না খঙনৈ। হীরম অসোমদা মুন্ন থম্ময়বদি জীব অসিগী মথোক্ প্রাণবায়ুগী রক্ষাহুনা ও হুনা লৈ। প্রাণবায়ুনা মাগী মথোদগী লেপাওবসিদি তৌবা তৌদবা মওং অমদা তৌখিবা ওম্বা (কর্তুমকর্তুমন্যথাকর্তুম সমর্থ) ঈশ্বরগী যাথংদগীনি। ঈশ্বর লৈতবা কাওবুনা মতাং অসিদা করি হায়গদৌরা ?

* জীব অসিনা সাত্ত্বিক অবস্থা লৈরিবিতেদা অতোপ্পা অমগী সাত্ত্বিককর্ম্মবু অক্তীপা ঊনা মথংদা লৈববু উর-থওদগা মাহুগী প্রশংসা তৌই। ঊরিবা কুষ্টা জীব অসিন রাজসিক অবস্থা লৈরকপা মতমদা অতোপ্পা অমগী রাজসিককর্ম্মবু উরগা থাগংলি—য়ানিরি। রাজসিক অবস্থা লৈবা মী অমগী নত্রগা লৈপাক অমগী আধিভৌতিক উন্নতিগী খুদম ওইবা কুণা মসাক লম্ভী থোক্ উরগা রাজসিক অবস্থাদা লৈবা মী অমনা মাহুবু থাগংলে—পাম্মি। মতাংদা উরকিবা অম অংগী সাত্ত্বিক ওইবা প্রাকৃতিক ওইবা পোৎশিংবু থক্ থাগৎলোই, ককৈ থী কায়বমৈোদ হায়গনি। আধিভৌতিক ওইবা মীগী দুংশেমদগী থোক্-খিবা রাজসিক পদার্থবু উরগা অকবানি হায়না লৌনিদা মী অদুংবু মক্তোংদদা লৈবা মীনি। তমোগুণ দগী খিত্তং রাজ্যংপা থাক্ত লৈবতনি। অদুগুম্বা রাজসিক শুংদদা লৈবা মী। অংখ্রা শান্ত পুংকপা মীশক থক্ ওইরোই। লৈমুংদা তুত্তুনা শাদা, লৈমায়থক্তা কুত্থা-ভাথংহুনা শাবা, মীতোন্দ লেক্লগে, তৌবাওম্বা উংকে হায়হুনা মপানগী মৈ ঈশিং কুংশিংনা শাবা, বৈজ্ঞানিক ওইবা, মতম থম্বগী মতুংদা কায়খিগদবা— অনিত্য ওইবা পোৎ অদুবু অওকপানি থাগংবীওয়নি হায়দুনা লৌরিবা মী অদুনা সাত্ত্বিক ওইবা অবস্থাদা কাথংলকপাদি রানা থোকই। অদুগুম্বা মথোয় অদুনা সাত্ত্বিক ওইবা অদুগা আধ্যাত্মিক ওইবা অবস্থা অমদি রাখন্দা পুনশি লেঞ্জরিবশিংদু উরগা অহোয়মদুম নোক্লগনি—নিন্দা তৌগনি। মপাম্লোংগী জুংজাই-য়াইকবা ওইবা পোশকুওবু উরগ। মাহুক্তদা পোশক্ত শানবা পায়নবগী দমক্তা মীওইব সমাজদা পাঙ-তাক পীগনি। মুন্না থাঞ্জল্লুববদি মপানগী জগক্তা মসিনা মফজতে, মওকলো, মাসিনা মচুম্ম হায়বা অরেপ্পা অমত্তা লৈতে। লৈমায়থক্তা খিল্লিবা তাজমহল কৌবা ফুরা অমা পৃথিবীগী অওকপা শাখনি হায়না লৌনৈ। থা য়েৌনা কাননবা বিনানশিং অদি থোরকপদগীদ তাজমহল অসি অতুক্ য়াম্না ওক্রকত্রে, কজবগী শক্লক্ত মওায়রে। অসিগুম্বা রাজসিকবুক্তিবা কা হেন্না চঙচুদনা, সাত্ত্বিকমার্গদা লৈদুনা জগৎকী শান্তিম্ণবু—তাইবংমী ঐথোয়না থোল্লমগদবনি—শেম্লমগদবনি। (কালাচাঁদ)

জন্তুমেকতমেষেবং ভাবা যে বিধিমাস্থিতাঃ। ভাবয়োরীপ্সিতং নিত্যং প্রত্যক্ষং গমনং তয়োঃ ॥২৭॥
ইন্দ্রিয়াণি চ ভাবাশ্চ গুণাঃ সপ্তদশ স্মৃতাঃ। তেষামষ্টাদশো দেহী য শরীরে চ শাশ্বতঃ ॥২৮॥
অথবা সশরীরাস্তে গুণাঃ সর্ব্বে শরীরিণাম্। সংশ্রিতাস্তদ্বিয়োগে হি সশরীরা ন সন্তি তে ॥২৯॥

অদুগা পাওথোকখিবগী মরম্থ থওবা ওয়গী শক্তি, অথোইবা অফবা পোক্লোই—মরি অসি সাত্ত্বিকভাবনি, সাত্ত্বিক ওইবা মীগী স্মৃতিজ্ঞান অসি হায়রিবা ভাব মরি অসিগী আশ্রয় লৌই। হায়বদি— সাত্ত্বিক ওইবা মীনি জাগ্রত অবস্থাদা লৈবগী মতেংগুম্না স্বপ্ন অবস্থাদসু হায়বদি— মঙ মতিঙউওদসু মুংঙাইবা, হৱাওবগী অনুভূতি (ফাওবা—থওবা) অদু অতুম মফংঙি ॥২৬॥

হায়রিবসিদগী তোঙাম্না লৈরিবা রাজসিকভাবতা লৈনা থরায় পানবশিংগী মফুংদা কয়িগুম্বা মীশকপী মওংগী লৈরি লৈরিবা মওং অদুদি বিধিনা লৈ হায়বদি কর্মগতিগী আশ্রয়দা চঙজহনা লৈ। অদুগুম্বা মী শিং অদুগী স্মৃতিজ্ঞান অদুনা ফাশিং অদুবু অতুম মরোই। হায়রিবসিগী ভাবত্তি— তুমদনা য়াহৌহনা লৈবা— জাগ্রত অবস্থাদা, অদুগা তুমদুনা মঙ মঙহনা লৈবা অবস্থাদসু মানা মানা লৈরিবা—রাজসিক তামসিক ওইবা মওংদা উংবা পোৎ অদু অতুম মউই ॥২৭॥ *

কর্ম-ইন্দ্রিয় মঙা, জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, থম্মোয়, বুদ্ধি, পুক্নীং, প্রাণবায়ু সাত্ত্বিকনচিংবা ভাব অদুম—মথোয় অসি পুম্না গুণ তরাতারেৎনি হায়না—লৌনা থওনখ্রে। মথোয় অসিগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ওইহনা লৈরিবা জীবাত্মা অসিনা তরানীপালশুবা ওইনা হকচাংদুং অসিদা লৈ। মহাক্তদি সনাতননি হায়না লৌনৈ। হায়বদি — অহৈঙদি অকেক্না লৌখিবা মতম থরগী মফুংদা মঙং হেংখিদবা ওঙনি। জীবসিদি অনাদি কালদগী অনন্তকাল ফাওবা লৈরকবনি, লৈরিবনি, লৈগগদবনি। হকচাং অসিগা য়াওনা গুণ পুম্নমক দেহধারী জীবাত্মা অসিগী আশ্রয় লৌনা লেরিবনি। জীবসিগা হেক্ কায়নবদা হায়রিবা গুণশিং অসি—নিরাশ্রয় ওইহনা অতুম মথং মথং মাংঙখি ॥২৮—২৯॥

---

* রজোগুণগী অবস্থাদা লৈরিঙৈদা উরিবা— ফংলিবা রাজসিক ওইবা পোৎ অদু তুমিত্রিঙৈ মতমদসু রাজসিক পদার্থ ওইনা অদুন মফংঙি। মঙ মঙলবা মতমদসু অতুম মউই— অতুম মফংঙি। মওখা রাজসিক ওইবা পোৎ অমা উবিবদু তুমিত্রিঙৈদা মী অদুনা রাজসিক অবস্থাদা লৈরিঙৈদা উখিবা, ফংখিবা, পামখিবা, ফংনিংখিবা পোৎ অদুনি। তমোগুণদা লৈবশিংসীসু অদুনি। তামসিক ওইবা মীশিংনা মঙ ফাওবদা সাত্ত্বিক ওইবা পোৎশক পওনা উবা ফংলোই— ওয়োই। খুদম ওইনা হায়রবদা, ফজবা হুরাপা মীগী মাওন-তাক্লবতা তৌবনা মশীজং ওইরবা তামসিক ওইবা মীনা মমতদা ফাওবা মীগী কাম্নবা তৌবা দান তৌবা, মীতোন্দা উপকারগী পীথোক্পা মীশক অমা থক্ ওইরম্মোই। তাইবংদা মীতোন্দা দান তৌবা ওমহৌলবগী ফুংগাই ফুংঙাইতন তুমখিবা মী অদু মাগী মমঙদা মাগী মম্নম মৈ চাকপা উরগা—মাংগ্রেম-হাগ্রেমহনা কল্লকুনা ফুংঙাইনা নোক্লকপা অদু থক্ তৌরোই। মরম অদুনা মঙ তাইবং অনীমকু

অথবা সন্নিপাতোঽহয়ং শরীরং পাঞ্চভৌতিকম্। একশ্চ দশ চাষ্টৌ চ গুণাঃ সহ শরীরিণা ॥৩০॥
উষ্মণা সহ বিংশো বা সংঘাতঃ পাঞ্চভৌতিকঃ। মহান্ সন্ধারয়ত্যে তচ্ছরীরং বায়ুনা সহ ॥৩১॥
তস্য প্রভাবযুক্তস্য নিমিত্তং দেহভেদনে। যথৈবোৎপদ্যতে কিঞ্চিৎ পঞ্চত্বং গচ্ছতে তথা ॥৩২॥

গুণ পূমমক অসিগী মপৈ পাঞ্চভৌতিক শরীরনি। হায়বদি – পঞ্চভূতনা শাথিবা — ওইথিবা কায় শরীর (মপৈ— চহূন্) নি। মহত্তত্ত্ব অমুগা জীবগা থানা মখোয় তরানীপাল অসিস্থ মপৈ অসিগী মপুং চনবরি ॥৩ ॥

চাক্খাওদা চাক্লিবা মৈ অসি য়াওনা পায়গা মথক্তা হায়থ্রিবা তত্ত্বশিং অসিগী মশীং অসি চপ্ চানা থীয়বদি পাঞ্চভৌতিক ওইবা দেহ কৌবা মপৈ অসি তত্ত্ব কুন্গী মপৈ— মত্মনি। মহত্তত্ত্বশিংনা প্রাণ-বায়ুগা লোয়নবা হকচাং অসিবু পুরি। * হকচাংমুংদা লৈরিবা মুংশিং অসিদি হকচাং অসিবু থিন্গাই-হনা থোক্খিবগী থবক্তা মতম খরদংগী খুংলায় ওইহনা লৈজরিবতনি। অমুনা প্রভাব চাউরবা মহাবায়ু কৌবা মহত্তত্ত্বগী মগাক্ অমগী খুংলাইগী মতৌগুম লৈরি ॥৩,॥

প্রমাণ অমদা হায়রগা— উরিবা চক্ চিনচিংবা পোৎশিং অসিনা ওহাক ওহাক্ মশক্ উহন্লম্মগা— মাওথিনা তুম্খিদগুমা অহান্বগী হায়বদি – মমাংগী মপোক্কী কর্মশিংমুগী মহৈনা শংলিবা পাপ-পুণ্যনচিংবা অসিনা মাগুথ্রবদা— তুমথ্রবদা হকচাং অসি, পঞ্চতত্ত্বগা মরী লৈননা উরম্বদগী পঞ্চভূতকা মরী লৈনখি, মাসিবু হকচাংসিনা পঞ্চতত্ত্বগী অবস্থাদা চংখিবা কৌই। হায়া তৌথ্রিবা কর্মশিং অমুনা পৈশিল্লম্বা পাপ-পুণ্য অমুনা ঈন্ছিন্নকুনা জীব অসি ঈন্শিল্লক্লিবা মকম মতম অতুমক্তদা— তাইবংমী, শা-শন, উচেক্-

অসিবু অমতা ওইবা তিন্নহন্বনি। সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ভাব অমুম অসিতনা ওই। মরমদি সাত্ত্বিক রাজসিক তামসিক ওইবা রথলগী অমদি সৃষ্টি— নীওশিংমগী ইচেলদি জাগ্রত স্বপ্নাহস্থা অনীমক্তা মওং অমতদা কায়দনা অমুম চেম্বহনা লৈ।

* পীক্লবা হকচাংমুংসিদা ওমথৈ নাইবা পীক্লবা গত্তি পুরিবা প্রাণবায়ু অসিবু মপান্দা লৈরবা ওমথৈ নাইদবা মহাবায়ু অসিনা পুরি। অসুমা পঞ্চভূতপু পুরিবা পঞ্চমহাভূত লৈরিবনি। মখোয় অমু মহাবায়ু মহাতেজ, মহাকাশ অসিনচিংবা য়াহৈনা কৌনৈ। পীক্রবা মৈ ঈশিং মুংশিংনচিংবগী মপৈনা ওইজখিবা, ওমথৈ— সীমা নাইবা হকচাংসিগী মপুংদা ওমথৈ নাইদবা আত্মা—জীবাত্মা হায়বহনা লৈরবদি— ওমথৈ নাইদবা মহাবায়ু মহাতেজ মহাকাশনচিংবনা মপৈ ওইনা শাগৎখিবা ওমথৈ নাইদবা বিশ্ব জগৎ অসিদা ওমথৈ নাইদবা আত্মা মহাত্মা করম্না শীক্ পুংনা লৈরোই? শীনথুংনা লৈরিবমু পরমাত্মানি। অমুনা কুপ্ন লৈনম্বদি আত্মা পরমাত্মা— জীব ব্রহ্ম অনীমক্ হকচাং অসিদা লৈরে। দেহ অমতদা পুল্লবস্থ জীব ব্রহ্ম অনীদি তোঙাল তোঙান্ অমুম্ মরৈরি। তোঙাল তোঙান্দে জীব ব্রহ্ম অমতনি, হকচাংসিদি মপান্দা লৈবগুম উজবনি, মায়ানি অসুমা হায়বা শঙ্করাচার্য্যনচিংবগী মতম্ লৈরি। (কালাচাঁদ)

পুণ্যপাপবিনাশান্তে পুণ্যপাপসমীরিতঃ। দেহং বিশতি কালেন ততোঽয়ং কর্ম্মসম্ভবম্ ॥৩৩॥
হিত্বা হিত্বা হ্যয়ং প্রৈতি দেহাৎ দেহং কৃতাশ্রয়ঃ। কালসঞ্চোদিতঃ ক্ষেত্রী বিশীর্ণাৎ বা গৃহাৎ গৃহম্ ॥৩৪॥
তত্র নৈবানুতপ্যন্তে প্রাজ্ঞা নিশ্চিতনিশ্চয়াঃ। কৃপণাস্ত্বনুতপ্যন্তে জনাঃ সম্বন্ধদর্শিনঃ ॥৩৫॥
ন হ্যয়ং কস্যচিৎ কশ্চিন্নাস্য কশ্চন বিদ্যতে। ভবত্যেকো হ্যয়ং নিত্যং শরীরে সুখদুঃখভাক্ ॥৩৬॥
নৈব সঞ্জায়তে জন্তুর্ন চ জাতু বিপদ্যতে। যাতি দেহময়ং মুক্ত্বা কদাচিৎ পরমাং গতিম্ ॥৩৭॥
পুণ্যপাপময়ং দেহং ক্ষপয়ন্ কর্ম্মসঞ্চয়াৎ। ক্ষীণদেহঃ পুনর্দেহী ব্রহ্মত্বমুপগচ্ছতি ॥৩৮॥

মায়ানচিংবগী হকচাংদা শমুক্ চঙশিন্খি ॥৩১—৩৩॥ যুমদা লৈবা য়ুম্মুরেন্ অদুন যুম অদুনা কৈন্থ্রবা, তেকথ্রবদা অনৌগুবা যুমদা, অনৌগুবদুনা অমুক তেকথ্রবদা অদুমগুম্বা যুমদা হৌংজিনখিবদুগুম্বা কাল কৌবা মহাক্না য়াথংদগী মহাক্ শীল্লকপদগী লমি লৈরিবা মঙংগী যুমগী মশক ওইরবা হকচাং আসিনা তুথথ্রবদা, তুথহৌরব হকচাংশিং অদুবু মথং মথং থাদোক্লমদুনা অনৌ অনৌবা হকচাংশিংদা জীব অসিনা চঙই ॥৩৪॥

বিদ্বান্ জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা চিনবা লৈতনা অসুম্না খঙজি মাদুদি— জীবাত্মা অসিদি হীরম পুম্বদা হকচাংসিগা করিগুম্বা মরী অমত্তা থমদে। * করিগুম্বা বিষয়দা আসক্তি থমদে। মরম পুম্বদা অমাত্ত-অত্তা লৈতে। মহাক্তি হকচাং অসিগা কায়নরবস্তু করিমত্তা রাবিদে, কাপ্পদে। অপঙবশিংগী হকচাংশুংদা লৈবা জীবাত্মা মশামক্তা মশাবু হকচাংসিবু মামক্তি থগ্গদুনা, হকচাংমক্তি হায়না খন্খিদুনা হকচাং অসিগা কায়নরবনি হায়না থন্দুনা রায়, কুংশাখী, কপ্পি, লাউই ॥৩৫॥

থাঙ্গৎপেংবদি জীব অসি কনামত্তগী করিস্তু নত্তে। অদুগা করিগুম্বা পেংৎ অমত্তনস্তু মাগী ওইদে, সংসারগী করিগুম্বা পোৎশক অমগা মাগা মরী লৈনদে। অদুনা মহাক্তি মাগীনি হায়না কনিমত্তা লৈতবনা মাগী করিমত্ত লৈজনবনা মথস্তা নঙ্ঙ্গ। অদুগু মহাক্তা দেহদুদা তেক্ লৈরুবদগী অমগা অমগা মরী থম্মরিবা হকচাংসনকপু মশাক্তি হায়না খন্থদুনা অম্বা দুঙাংগী ঈপাক্তা তাউরি ॥ ৬॥

জীব অসিদি পোকপস্তু থাওদে শিবস্তু থাওদে। জীব অসিগী তত্ত্বজ্ঞানবু মুল্লা ফংলবা মী মহাক্ অদুদি হকচাংসিবু মশামক্তি হায়না খল্লম্বা অহঙ্কার অদু থাদোক্লুনা অথোইবা খুভম্বু ফংঙি ॥৩৭॥

হকচাং অসিদি পাপপুণ্য অনীংগী মশাক্ত। জীবসিনা অহান্বগী দেহদুনা লৈরম্বা মতমদা তৌরম্বা অদুগী মহৈনা, হায়বদি— নংনুমুক্কী মপোক্তা তৌরকপা কর্ম্মদুগী মহেগী মশক ওইনা কর্ম্মশিং অদুনা অসুম

---

* মফম অসিদা লরিবা আধ্যাত্মিক অমসুং বৈজ্ঞানিক বিচারদি— দেহদুংদা শীংলবা প্রাণবায়ুসমকস্তু দেহসিগা মরী করিমত্তা থমদে। মপান্দা শীংলবা মতাং যুম্না, হায়বদি— মহাবায়ু অমগা ওইনা ভূত অসি মরী থম্মনি। মতৌ অসুম্না সূক্ষ্মতত্ত্ব অসিনা মানুং মহ তত্ত্বং অমগা মরী থম্মনি। এইখোয়না নীংবনা হকচাংগী মনক ওইরবা লৈনাই সগা চংশাপোংদ প্রাণ। সিগা অথুবা অখোং জংতা লৈন-খ্রোই নীংঙ। মাহু চফু মগুংদা লৈবা আকাশ অমদি খুংশিংকা মফুগা মরী লৈনবোই নীংবগুম্মনি। (কাশীচাঁদ)

পুণ্যপাপক্ষয়ার্থং হি সাংখ্যজ্ঞানং বিধীয়তে। তৎক্ষয়ে হ্যস্য পশ্যন্তি ব্রহ্মভাবে পরাং গতিম্ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭০॥

——:(✣):——

অদুগুম হংশিল্লকই— শোন্তরকই। মাসিবু খঙনা খঙনা সংসারকর্ম তৌরম্বা মী মহাক অদুগী জীহুনা হকচাং অসিদগী লাম্বোকপ্রবা তুংদা ব্রহ্মাবু হায়বদি — ব্রহ্মস্বরূপপু ফংতি ॥৩৮॥

পাপ-পুণ্য অনীসিগী মাঙহনবগী দমক্তা জ্ঞানযোগ হায়বা সধর্মা অসি লৈপ্রিবনি। জ্ঞানযোগমার্গদা চংপশিংগী জীবনা হকচাং সদগী মপান্ থোকথগা ব্রহ্মভাবপু ফংতি। অদুগুম্বা জ্ঞানী জ্ঞানযোগীশিংহুনা পরমগতিবু হায়বদি অথোইবা গতিবু ফংতি ॥৩৯॥

মথক্তম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীবাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা

মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীহুমফুতরাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭০॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

একসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(অরায়্-থোরাঙববু থাদোক্লনবগী মতাংদা মাণ্ডব্য মুনিগা জনক নিংথৌগা ওাঙনবা)

চনীগা হুমফুতরামাথোইশুবা অধ্যায়

——:(✣):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

জ্ঞাতয়ঃ পিতরঃ পৌত্রা ভ্রাতরঃ সুহৃদঃ সুতাঃ। অর্থহেতোর্হতাঃ ক্রূরৈরস্মাভিঃ পাপকর্মভিঃ ॥১॥

যেয়মর্থোদ্ভবা তৃষ্ণা কথমেতাং পিতামহ। নিবর্ত্তয়েয়ং পাপানি তৃষ্ণয়া কারিতা বয়ম্ ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হংতি,— ঈবুধৌ! ঐখোয়দি মহাপাপী, হুমথীরবা, মীশক ডাক্ক ওইরে। লৈপাক, সিংহাসন, লৌমী-ইখোল, সনা লুপা থরগীদমক্তা ঈচৌন ঈনাও, ঈপ ঈপল, ঈনা ঈপু, মাপে-নাপে, ওাই-খোল, মরূপ-মপাং হয়া হয়া হাৎলে। পাপ অসি লপ পাম্বা, লৌমী-ইখোলবু থোগাংবা হায়বদুদগী পোকখিবনি। অসিগুম্বা থোগাংবসি কোক্লনবা অদুগা তৌখিবা পাপ অসি কোক্লনবা করি উপায় অমদি

ভীষ্ম উবাচ।

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। গীতং বিদেহরাজেন মাণ্ডব্যায়ানুপৃচ্ছতে ॥৩॥

সুসুখং বত জীবামি যস্য মে নাস্তি কিঞ্চন। মিথিলায়াং প্রদীপ্তায়াং ন মে দহ্যতি কিঞ্চন ॥৪॥

অর্থাঃ খলু সমৃদ্ধা হি বাঢ়ং দুঃখং বিজানতাম্। অসমৃদ্ধাস্ত্বপি সদা মোহয়ন্ত্যবিচক্ষণান্ ॥৫॥

যচ্চ কামসুখং লোকে যচ্চ দিব্যং মহৎ সুখম্। তৃষ্ণাক্ষয়সুখস্যৈতে নার্হতঃ ষোড়শীং কলাম্ ॥৬॥

যথৈব শৃঙ্গং গোঃ কালে বর্দ্ধমানস্য বর্দ্ধতে। তথৈব তৃষ্ণা বিত্তেন বর্দ্ধমানেন বর্দ্ধতে ॥৭॥

ন কামাননুরুদ্ধ্যেত দুঃখং কামেষু বৈ রতিঃ। প্রাপ্যার্থমুপযুঞ্জীত ধর্ম্মং কামান্ বিসর্জ্জয়েৎ ॥৮॥

কিঞ্চিদেব মমত্বেন যদা ভবতি কল্পিতম্। তদেব পরিতাপায় নাশে সম্পদ্যতে পুনঃ ॥৯॥

প্রায়শ্চিত্ত লৈবগে ? ॥১—২॥ ভীষ্মনা হায় — মমাণ্ডৈনা মাণ্ডব্য ঋষিনা বিদেহগী নিংথৌ জনককী ।কমদা আসগুম্ব রাকম তসি হন্ন হন্না হাথ। মাসিগী পাউথুম্ব জনক নিংথৌনা মাণ্ডব্য ঋষিদা পীখি। ।মাংলৈগী বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংনা মাহুৎ নহাকী অসিগুম্বা রাহংসিদা খুদম পাউখুম ওহনা লৌনৈ ॥৩॥

অসিগুম্বা রাহং অসিগী পাউখুম ওইনা নিংথৌ জনকনা মাণ্ডব্যদা অদুম হায়না খুমখি— মাণ্ডব্য। ী য়ম্না সুংভাইনা লৈরি, অরাংপা কদিমতা লৈতে। মরমদি— জগৎ অসিদা লৈরিবা উরিবশিং অসিদা ীগী পোৎ অমত্তা য়াওদে, পোৎ অমতা ঐগী নত্তে। অদুনা ঐ করিগুম্বা পোৎ অমতা মিহৌদে। মিথিলা ।সিমক মৈনা পুনচাক চাকথরবসু মাহুৎনা ঐগী পোৎ অমতা চাক্তে ॥৪॥

রাখল লৈবা অদিংবগী মমীত্তা মমল য়াম্লগা বিষয় সম্পত্তি পুম্বা অরাবগী মশক্তা ওই। বিষয় সম্-ত্তিশিংসিনা অপণ্ডবশিংবু অরাবা খুদোংথীবদা থানৈ। অপাম্বা মিহৌবদগী তাম্নুবা পোৎশক্তা পীব সুংভাইব ।হুপা, লাইবৈবাকী পোৎশক্তা পীবা সুংভাইবা অনীসিনা পুম্নপনা, অপাম্বা থোয়াংবা মাংথ্রবা মী অমগী ।ভাইবহুগী শরুক তরাসরুক্কী শরুক অমা ফাওবা ফংদে ॥৫—৬॥

শম্মাউগী মচিনা শম্মাউদুনা অহুমহুম হবচাংদা অদুগা চহীদা চাউথংলক্কপদা চাউথংলকপা অদুগুম্বা বয়সম্পত্তি অহুমহুম চাউথং য়ামথংলক্কগা থোয়াংবদুসু অহুমহুম মথোই কারকুই ॥৭॥

অমা থওদে, অমা থওদে, সংসারগী করিগুম্বা পোৎ অমদা ঐগীনি হায়বা রাখল অসিমা থম্বা হৌক দি পোৎ অদুদা অনৌ অনৌবা থোমজিন্নক্লবহুদসু ঐগীনি হায়বা রাখল অহুসু অদুম মথোমজিন্নুই। ।মজিন্নুরিবহু রাননবা মচাক্ অমদম্ থোমজিন্নুরিবনি ॥৮॥

অদুনা সুখ শান্তি পাম্বশিংনা অরাবা হেম্বনবা, অশান্তি পীননবা মচাক থক্ থোমজিনবা হৌমদে। য় সম্পত্তিদা থম্মুরিবা আসক্তি অদু অরাবা হায়বদুগী শক্তোম্নি। বিষয় সম্পত্তিহুবু ফংডুরগা মাহু ধর্ম্ম দা শীজিন্নথোক্কবনি। অপাম্বা মিহৌববু অদুপা মাহুনা ফংডকপা পোৎপুন্ন— হায়রিবা অমীথরুসি দাক্কদবনি ॥৯॥

বিদ্বান্ সর্ব্বেষু ভূতেষু আত্মনা সোপমো ভবেৎ। কৃতকৃত্যো বিশুদ্ধাত্মা সর্ব্বং ত্যজতি চৈব হ ॥১০॥

উভে সত্যানৃতে ত্যক্ত্বা শোকানন্দৌ প্রিয়াপ্রিয়ে। ভয়াভয়ং চ সংত্যজ্য সম্প্রশান্তো নিরাময়ঃ ॥১১॥

যা দুস্ত্যজা দুর্মতিভির্যা ন জীর্য্যতে জীর্য্যতঃ। যোঽসৌ প্রাণান্তিকো রোগস্তাং তৃষ্ণাং ত্যজতঃ সুখম্ ॥১২॥

চরিত্রমাত্মনঃ পশ্যঞ্চন্দ্রশুদ্ধমনাময়ম্। ধর্মাত্মা লভতে কীর্ত্তিং প্রেত্য চেহ যথাসুখম্ ॥১৩॥

রাজস্তদ্বচনং শ্রুত্বা প্রীতিমানভবদ্দ্বিজঃ। পূজয়িত্বা চ তদ্বাক্যং মাণ্ডব্যো মোক্ষমাশ্রিতঃ ॥১৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি
মাণ্ডব্য জনক-সংবাদে একসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭১॥

——:০:——

জ্ঞানী বিদ্বানশিংনা অচেচত্ত জীবপানবা খুদিংমকপু মশা মশাগা চপ্ মান্ন উই, অদুগা উপজবমক্ত-স্নি। মতুম্ তৌরবতদা মীওইবা মগোক্কী মথৌ পুম্বা পাংলোক্লবা অদুগ পুকচেল শেংলবা মীশক হায়-বদু ওইদুনা মহাক অদু সংসারগী দোষ পুম্নমক্তী মুক্ত ওই লাক্লি ॥১০॥

অদুগুম্বা মহাক অদুদি অচুম্বা চুমদবা, অরাবা জাডাইবা, দুখ-নুংশিবা-নুংশনবা, অপাম্বা-পামদবা, অকিব কিদবা অসিনচিংবা অমী থোকপা রাখপাগি অসিবু পুম্নমক থাদোক্লুনা মশা শান্ত ওইদুনা মশানগী কল্লিগুম্বা পোৎশক অমত্তনা মহাক্কী থম্মোয়দা ঈপাক্ত ঈপোম লৈহন্দনা লৈ ॥১১॥

মবুদ্ধি থেঙ্গবা মীশিংনাদি থাদোকপা য়াম্না থোকই, ইকায়াসন ফাওবদসু মাতদি লৈমোননা অদুম মরৈবা, হমেং অশুম্বা ফাওবদ মনক্তা লাকনা থমা ওইনা অদুম মরৈবা অদুগুম্বা "খোরাংবা— পেন্দবা" কৌবা অদুবু থাদোক্লবা অদুগুম্বা মী মহাক অমুত্তনা পরম সুখথাবু হাম্বাদি শান্তিগী মশক ওইরবা মু ভাই-রবা খুভমু ফংবা ঙম্মি ॥১২॥

মশাগী আচার বিচার অমদি ব্যবহার অদু থাগী ঈৎলবা কালবা মডালগুম উজরবা মহাক অদুত্তনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা শান্তিবু ফাই ॥১৩॥

নিংথৌ জনকক্তী ৱা অসি তাবনা মহর্ষি মাণ্ডব্য অসি ওশ্লে ক্লাপেনখ্রে। মহাক্কী ৱাডাও অদু ভাবদা মাণ্ডব্য ঋষি অসিসু মুক্তি ফননবগী লম্বক্তা তাস্মা তৌবা চংখি ॥ ১৪॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চাওনা শ্রীব্যাসনা লেখবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা মাণ্ডব্য-জনক-সংবাদদা চনী হুমফুমগী মাথংদা ইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭১॥

——:০:——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(হকচাংগী অমদি সংসারসিগী অনিত্যতাগী মরমদা ঙাওনবা)

চনীহুমফুতরানীথোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অতিক্রামতি কালেঽস্মিন্ সর্ব্বভূত ক্ষয়াবহে। কিং শ্রেয়ঃ প্রতিপদ্যেত তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥ ॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র প্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। পিতুঃ পুত্রেণ সংবাদং তং নিবোধ যুধিষ্ঠির ॥১॥

দ্বিজাতেঃ কস্যচিৎ পার্থ স্বাধ্যায় নিরতস্য বৈ। পুত্রো বভূব মেধাবী নাম নামতঃ ॥ ॥

সোঽব্রবীৎ পিতরং পুত্রঃ স্বাধ্যায়করণে রতম্। মোক্ষধর্ম্মেষু কুশলো মোক্ষধর্মবিচক্ষণঃ ॥ ॥

পুত্র উবাচ।

ধীরঃ কিং স্বিৎ তাত কুর্য্যাৎ প্রজানন্ ক্ষিপ্রং হ্যায়ুর্ভ্রশ্যতে মানবানাম্।

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুংধৌ! জীব পনবা পুম্নমকপু কিহনবা কাল (মতম) কৌবা লাই অসি নোংময় নোংমগী মীকুপ থুদিংগী তৌথি। লৈরিবা অংচত্ত জীবপানবশিং অসিনা লৈরিবসি করানা কয়া কুইনা লৈখিগবা হায়বা অমতা থৗদে। অসিগুম্বা দশা অসিদা ঙাইবং মীনা মপোক অসিগী মঙুংদা মঙ্গল পীন-হৈবা করম্বা থবক তৌরমগদগে হায়বহ তাকপিয়ু ॥ ॥

ভীষ্মনা হায়,— নহাক্না হংলিবা অসিগুম্বা বিষয় অসিদা মমাংঙৈগী কুইরবা রাব্রী অমা হেক্ হেক্ লীনৈ। মাহু লীগে তাও ॥১॥

কুন্তী-নন্দন! মমাংঙৈদা লাইরিক লাইশু-তা তৌহুনা লৈবা, ধর্ম-কর্মদা য়াম্না পুক্নীং চঙবা ব্রাহ্মণ অমা লৈরম্মি। মাগী মচা য়াম্না মেধা (জ্ঞান) লৈবা, মমিং-সু মেধাবী কৌবা অমা লৈরম্মি ॥৩॥

মাগী মপা ব্রাহ্মণ অসি হ্নমিংচুম্না বেদশাস্ত্র তম্বা তম্বিবা অমদি ঔবাইবতদা পুক্নীং চঙিঙ। অদুগা মোক্ষধর্মদা মুক্তি ফংননবগী মরমদনি অহুক য়াম্না হৈতে— থৗদে। অদুগা মাগী মচা মেধাবী হাঙবসিদি মোক্ষধর্মগী তত্ত্ব য়াম্না য়ুম্না থঙিঙ। নোংমা মপাদা হংঙি ॥৪॥

পিতৃদেব! ঙাইবং মীগী পুনশিংগী ঈচেল অসি অত্তৎ-অথম লৈত্তনা লাক্, কয়া চেন্থরি। মাসিন্

পিতস্তথাখ্যাহি যথার্থযোগম্ মমানুপূর্ব্ব্যা যেন ধর্ম্মং চরেয়ম্ ॥৫॥

পিতোবাচ।

অধীত্য বেদান্ ব্রহ্মচর্য্যেণ পুত্র পুত্রানিচ্ছেৎ পাবনার্থং পিতৄণাম্।
অগ্নীনাধায় বিধিবচ্চেষ্টযজ্ঞো বনং প্রবিশ্যাথ মুনির্বুভূষেৎ ॥৬॥

পুত্র উবাচ।

এবমভ্যাহতে লোকে সর্ব্বতঃ পরিবারিতে। অমোঘাসু পতন্তীষু কিং ধীর ইব ভাষসে ॥৭॥

পিতোবাচ।

কথমভ্যাহতো লোকঃ কেন বা পরিবারিতঃ। অমোঘাঃ কাঃ পতন্তীহ কিং নু ভীষয়সীব মাম্ ॥৮॥

পুত্র উবাচ।

মৃত্যুনাভ্যাহতো লোকো জরয়া পরিবারিতঃ। অহোরাত্রাঃ পতন্তীমে তচ্চ কস্মাৎ ন বুধ্যসে ॥৯॥

উরবা অমদি খওসব মী মহাক অদুনা চৎকদব ধর্ম্মসি করিনো? পিতৃদেব। মসি পুন্নক অসি মথং মনাও নাইনা অমুক্ত ঙাকপিয়ু। একপিন্দুনা মতু অসি ঐ থুন য়াংঙনা খন অদু তৌজঙৌগে ॥৫॥

মপানা হায়,— ঈবুঙো। ব্রাহ্মণনা তৌদনদি অহানবা ব্রহ্মচারী ওইদুনা ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমদা বিদ্যা তম্বা, বেদশাস্ত্র তম্বা তন্নবা, অদুগী পিতৃঋণশোধনবগী মনা মচা পুন্নমক্পু পোকহনব গৃহস্থধর্ম্মদা চঙবা, অদুগা আশ্রমসিদা লৈরিঙৈদা বিধি কায়দনা যাগ যজ্ঞ দান তৌবা তৌরোবা, অদুগী বানপ্রস্থাশ্রমদা চঙবা, অদুগী ঈকোন্ কোনবদা মুনি ওইদুনা সন্ন্যাসাশ্রমদা লৈবা অসিনি ॥৬॥

মচানা হায়,— পিতাজী! তৌজিক হৌজিকমক লৈরিবা লোক (মলোক) অসিদি করিগুম্বা কনাগুম্বা অমনা অরুম অসুম কয়া পুক্কিল্লক্লি। অমনা মখোৎ পুন্না কোয়শিল্লক্লি। তেঙহনবা য়াররোইদৌবা অরেমদা মাঙহনবা য়াবরে হৌবা অসিনা ঐখোয় তম্বা নাবু অমনা খোঙকাপ কয়া চোৎচিল্লক্লি— কুপ্পিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফিবমদা পিতাজীনা য়াম্না তপন্না আশ্রম পুম্বা মথং মনাও য়াইনা চখননবগী পাউতাক্ পীবিরিবসি করিনো? ॥৭॥

মপানা হায়,— ঈবুঙো। নংনা মপাবু কিদ্মমনগী হায়নরিবসি করিনো? করে, হায়রু হায়রু, লোক অসিবু অচচম্বা কৌবপানবশি অসিবু করা করানা য়ুরিবা, কনা কনানা চথোক্পা য়াদবমখৈ কোয়শিন্দুনা থম্লিবা? ঐখোয়গা আক্রমণ তৌশিল্লক্লিবশিং অসিগী মরুওইবা কৎথোক-শাকথোকপা য়ারবোইদৌবনা কনা— কয়ম্বনো? ॥৮॥

মচানা হায়,— পিতৃদেব! যেংবিয়ু. কতলা ওইরকপা হায়বসিনা অচচম্বা পুন্নক্কী মথক্তা আক্রমণ

* হায়রিবসিগী ভাবর্থতি— মথং মনাওগী থবক অসি মথং মনাও নাইনা পাঙথোক্লবগী তোৎনরিঙৈদা— মথক্তা হায়রিবা যেক্রবশিংসিনা কোয়শিল্লকুনা হাংগ্রধদি কমদৌনে? থবকশিংসি মথং মনাও নাইনা পাঙথোকতিঙৈদা নত্রগা পাঙথোক পাঙথোক্লা লৈরিঙৈদা থুনা য়াঙনা তোৎনহৌগদবা— চৎহৌপনবা ধর্ম্ম অসি করিনো— হায়বনি। (কালাচাঁদ)

যথাহমেব জানামি ন মৃত্যুস্তিষ্ঠতীতি হ। সোঽহং প্রতীক্ষিষ্যে জ্ঞানেনাপিহিতশ্চরম্ ॥১০॥
রাত্র্যাং রাত্র্যাং ব্যতীতায়ামায়ুরল্পতরং যদা। গাধোদকে মৎস্য ইব সুখং বিন্দেত কস্তদা ॥১১॥
পুষ্পাণীব বিচিন্বন্তমন্যত্র গতমানসম্। অনবাপ্তেষু কামেষু মৃত্যুরভ্যেতি মানবম্ ॥১২॥

তৌরক্লি, তৌরক্লি অহুগা তৌথখিগদৌরিবনি। মসিবু কৈদৌনা থনবিত্রিবনো ? অহুগা থঙবিত্রিবনো ? ॥৯॥

মহাক অসি ঐনা হায়জবদা করিমত্তা তাররোইদৌবনি। অহুগা ঐহা জ্ঞানগী মখক ওইরবা লাল-ফুরিৎনা ঐগা পুম্নমক কুপশিন্দুনা মচৎলিবনি। অদুবু কুমিৎ খুদিং মীকুপ খুদিং ঐগী জ্ঞানগী মখক ওই-রবা লালফুরিৎ অসি হাইপাই হোৎনাদুনা কুম্ননক্লি হায়বসি খঙলক্লবা, ঐগী চৈপাগী মঙলগী মমঙনি, হায়দুনা ধর্মকর্মগী থবক অহুগা যাগযজ্ঞগী থবক তৌদনা, মহাকপু মীকুপ অংগীদমক ওইরবস্ত তাইদুনা নৈপনবসি করাননো ? ॥১০॥ *

অহিং অমমম্ লেপ্লব তুংদা পুনশি অসি খর খর পীকশিল্লশি। ঈশিংনা অসুমত্তুম কাংশিল্লকপগা মাদুদা নৈরিব তানা সুংতাক্লৌরিবসি করামনো ॥১১॥

লৈকোলদা লৈ মথং মথং অসুম হেক্রিত্তৌদা অকিবগী মখক কাংলবা খা কমনা আক্রমণ তৌরকপা কহুত্তম্বা ত ইবং মীনা ঈতাউ তাউনা নাকল অমদা লৈথোকুনা করিগুম্বা বিষয় অমদা পুক্নীং চঙলিত্তৌদা মৃত্যু হায়বদুনা তুলোমদগী কোচ্চয়কুনা মহাকপু লাকখুত্না উদুনা পুখি ॥১২॥

---

* মাসিদা হায়রিবসনী জ্ঞানতি,— ঐখোয় তাইব জীবশিং অসিনা খঙরিবনা— ঐখোয় জ্ঞান তাল্লি, পোকপাশিবদগী লাম্নোকবা ধর্মবর্ম তৌরি, বেদ পুরাণ কোক্ত তল্লি নৈনরি, সধনা তৌরি অসিনি। মৈনরিত্তৈ তাম্লত্তৈ নৈনগী মপু অসিনত্তৈ অসিন মহাক্কা মীকুপ অমত্তা তানবিনা— ধ্যান তপস্যা তৌরিত্তৈ মন্ত্র শোল্লিত্তৈসিমকদা ঐখোয়বু অসুমত্তুম কোয়শিল্লকুনা ঈপাক্ নকশিল্লক্লি। নকশিল্লক্লিত্তৈ অসিমকদগু মহাক (অহল ওইরকপা (হায়বসিনা ঐখোয়গী ঈশ্বাসিনক্ মপুফানা শোকশিত্তৈদগু মৃত্যু হায়বদুনা ঐ-খোয়গী মরক্তগী অংবু থগাইশিন্না পুক্নাত্তুনক্ মচংখি। মাসিদা ঐ খ য়না মহাকপু মীকুপ অমত্তং তাই-তনা নৈতম থোকপ্রা ? হায়বদি – ঐখোয়না তৌরিবসি যাগযজ্ঞ ধর্ম বর্ম তৌন তৌনা, জ্ঞান তাম্ম তাম্না মহাকপু তাইনা তাইনা তৌরিবনি হায়না খনদুনা তৌশিন্রা ? নত্রগা মহাকপু তাগথেক্লবরা ? নত্রগা— মাবু তাকথোক্লবা তৌখ্র তৌরবা থবক অসি মপু ফত্রিতংসু, ঈনক্ তৌগক্লে হায়বগী নীংশিংতুনবনা— মতৌত্রিব্রা ? নত্রগা— শিব, কুমিল্লা শিবা হায়বদুনি হায়দুনা ঈতাউ তাউন খন্দকুনা মতম লেপ্লনবা যাবু তাকবা ওইন, অসুন মতৌশিল্লবনি হায়ন খন্দুনা তৌরিব্রা ? খুইনগী হেক্ল চককম থোকপা— পঙথবা, তমহৎপ হাকবনা কায়নো হায়বদা, মতক্কা হায়রিবশিং অসি অমত্তা শুকনন্ খল্লুদনা শিরোই-না-যোইদৌবগুম, অহল ওইরকপা— শিবা হায়বদুদি — হ.য়: কোয়া লক্কনবান হায়না খঞ্জদুনা তাইবং জীবদা থবক তৌনরিবনি। (কালাচান্দ)

শ্বঃ কার্য্যমদ্য কুর্বীত পূর্ব্বাহ্নেচাপরাহ্নিকম্ ন হি প্রতীক্ষতে মৃত্যুঃ কৃতং চাস্য ন বা কৃতম্ ॥১৩॥
অদ্যৈব কুরু যচ্ছ্রেয়ো মা ত্বাং কালোঽত্যগাদয়ম্। কো হি জানাতি কস্যাদ্য মৃত্যুকালো ভবিষ্যতি ॥১৪॥
অকৃতেষ্বেব কার্য্যেষু মৃত্যুর্ব্বৈ সম্প্রকর্ষতি। যুবৈব ধর্ম্মশীলঃ স্যাদনিনিত্তং হি জীবিতম্ ॥১৫॥
কৃতে ধর্ম্মে ভবেৎ প্রীতিরিহপ্রেত্য চ শাশ্বতী। মোহেন হি সমাবিষ্টঃ পুত্রদারার্থমুদ্যতঃ ॥১৬॥
কৃত্বা কার্য্যমকার্য্যং বা তুষ্টিমেষাং প্রযচ্ছতি। তং পুত্রপশুসম্পন্নং ব্যাসক্তমনসং নরম্ ॥১৭॥
সুপ্তং ব্যাঘ্রং মহৌঘো বা মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। সংচিন্বানকমেবৈনং কামানামবিতৃপ্তকম্ ॥১৮॥
বৃকীবোরণমাসাদ্য মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। ইদং কৃতমিদং কার্য্যমিদমন্যৎ কৃতা কৃতম্ ॥১৯॥

অহুনা হয়েং তৌগদবা থবক অহু ঙসি তৌথোকতৌগনি। তুমিংখুংশা মতুংদা তৌগে থন্বা থবক্ ঙসি তুমিংখু ত্রিবঙদা তৌথোকতৌগদবনি। মরমদি— থবক আস তৌরব্রা তৌদ্রিব্রা হায়বহু অহুগা লোইং-দ্রিব্রা ? লোইবব্রা হায়বহু মৃত্যু হায়বহুনা ঙাইবিদে ॥১৪॥

কায়বা মঙ্গল ওইবা থবক অহুদি হৌজিকমক তৌথোক্কদবনি। মরমদি— বাং চাউরবা মতম (মৃত্যু) হায়বহুনা নহাকপু কান্দুনা থক্ চংখিরোই। অহুগুম্বা অংক বাং চাউথ্রবা মৃত্যু হায়বহুনা লাকপদা কনা অমত্তনা থঙহৌদে— উংদে ॥১৫॥

থবক খুদিংমক মপুং ফাদনা লৈতৌবা ঙাক্কনি। থবক তৌরিবা মী মহাক অহুবু, থবক অহুনা লোইদ্রিবঙদা মৃত্যু হায়বহুনা চিংনা পুখিবা ঙাক্কনি, হৌজিংমকতু অহুনি। অহুনা, নহা ওইরিবঙ পাথং মচা ওইরিবঙদগী হৌনা তাইবংমীনা ধর্ম তাসগৌগদবনি। মনাংনা খঙগনি, মৃত্যু হায়বহুদি হৌজিকমকতু লাকপা যাই। মাগী লাক্কনবগী মতম অরেপ্পা লৈতে ॥১৫॥

ধর্মগী থবক অহু থুনা যাংনা তৌগৌরবদি মৃত্যু লাক্কবসু মৃত্যুগী মতুংদা— পরলোকতা কুমাইবা কংলুই। মাংসবু কালহনা করিগুম্বা বিষয় অমদা শুমহৎখনা মতুংদা থরম হকচাং হেকমক লুপপ্রবদি— বিষয়হুমক্কা নিপা মুপীবু শংস্থোক শংস্থোকপা থবকী মশা-মরেংনা কাংজিন্ পুনশিন্দুনা থম্মি। তৌবা হৌনবা তৌইহদবা, থবক কয়া কহানা মীহৌহন্দুনা তাইবং মীবু মৃত্যু মহাক্কা মহাক লাক্লে হায়বা কাউগল্লি। তৌরি তৌরিবা থবকুনা ওহাক্ ওহাক পেলহল্লে। লন থুম শা শম্মা অহুগা মচা-মশুশিংনা পিক্ থলহন্দুনা তাইবং মীনা মাহুংনা কা হেন্না আসক্ত থমখিনা মৃত্যু মহাকপু মীকুপ খুদিং কাউনা লৈরি। ভুরেলগী কল্লবা ঈশিং ঈচেল ঈরৈন, তুরেন্দুগী মশান্দা মীওডাইনা কুপহুন লৈরিবা কেহুবু চেম্হনা পুখিবা অহুগুম্মা— মায়া মোহগী লাদা থুহনা লৈরবঙদা মৃত্যুন লাকন্দে লাক্কুনা তাইবং মীবু নমহুনা পুখি ॥১৬—১৭॥

বিষয় কাগ চারবৈংদা, অহুগা চাবা লোক্ দ্রবঙদ— লোদ্রি ভদ, মী মহাক অহুবু মৃত্যু হায়বা অহুনা লাক্কুনা খেংঙ তুনা পুখি। কে অমাম্মা মাউমগাবু উংহুনা পুখঃ অহুগুবদি ॥১৮॥

থবক আসনদি তৌরে, থবক অসিমা লৈরি তৌগদবা, মথাক্ অসিমদি হাবেল লোইথোকে হাল্লনা

এবমীহাসমাযুক্তং মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। কৃতানাং ফলমপ্রাপ্তং কার্য্যাণাং কর্মসঙ্গিনাম্ ॥২০॥
ক্ষেত্রাপণগৃহাসক্তং মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। দুর্ব্বলং বলবন্তং চ প্রাজ্ঞং শূরং জড়ং কবিম্ ॥২১॥
অপ্রাপ্ত সর্ব্বকামার্থং মৃত্যুরাদায় গচ্ছতি। মৃত্যুর্জরা চ ব্যাধিশ্চ দুঃখং চানেককারণম্ ॥২২॥
অসংত্যাজ্যং যদা মর্ত্যৈঃ কিং স্বস্থ ইব তিষ্ঠসি। জাতমেবান্তকোঽন্তায় জরা চান্বেতি দেহিনম্ ॥২৩॥
অনুষক্তা দ্বয়েনৈতে ভাবাঃ স্থাবরজঙ্গমাঃ। ন মৃত্যুসেনামায়ান্তীং জাতু কশ্চিৎ প্রবাধতে ॥২৪॥
বলাৎ সতামৃতে ত্বেকং সতোহ্যমৃতমাশ্রিতম। মৃত্যোর্বা গৃহে চৈতৎ বৈ যা গ্রামো বসতো রতিঃ ॥২৫॥
দেবানামেষ বৈ গোষ্ঠো যদরণ্যমিতি শ্রুতিঃ। নিবন্ধনী রজ্জুরেষা যা গ্রামে বসতোহরতি ॥২৬॥
ছিত্ত্বৈনাং সুকৃতো যান্তি নৈনাং ছিন্দন্তি দুষ্কৃতঃ। যো ন হিংসতি সত্ত্বানি মনোবাক্‌কর্মহেতুভিঃ ॥২৭॥

থম্লিডৈ মরুদা মহাকপু মৃত্যু হায়বহুনা কোয়শিন্দুনা পুখি ॥১৯॥ লৌবুক ইথোঙ্গী, যুম-কৈগী, কুম্রা-দলাঙ্গ শাবনী নৈনরিডৈ কাতু-কাবল চেল্লিডবদা অহুগা মাদুবু পাঙলোকত্রিডৈ কংত্রিডৈগী মমাঙদা মৃত্যুনা মী অহুবু অাম লম্বদগী কাহুনা সংসার (ইহলোক) কী রামদ পুখি ॥২০॥

শোনুগে শোনসহ, কনুগে কনুসহ, পঙগে পঙসম্ন, শিংগে শিংসম্ন, জ্ঞানী ওইগে ওইসমু মূর্খ ওইগে ওইসমু— মাগী মাগী নীঙসিনহু থুম্রিডনা মহাক অহবু মৃত্যু হায়বহুনা অহুমক পুহনা চংখি ॥২১॥

সিভাজী! হুকচাং অসিদা মৃত্যু (শিবা), জরা (অহল ওইবা), ব্যাধি লায়না) অহগা মরম কয়া কদাংগী ওংশিনা অবাদা অথবা নপম্না, পবেং শানা, পাশী নাইনা নঙগমনগী অাঙ্গং শাহুনা লৈরুবনি। অাইবং মীনা মথা সিনগী কবিনতা নাস্থংকণা মদদা লৈরিবনি। অমুম্না লৈদিব অবস্থ সিদা নীঙডায়দনা লৈথোকলিব্বিব কবিগীনে? ॥২২॥

ভেক পোকপা মুহিত্তুগী অন্তক (যমরাজ) না অাইবং জীবরু অন্থ ওইহনগদবগী— লৌশিনগদবগী কোয়িন ইন্নহুনা লৈরিবনি। অহুগা লোয়ন লোবননা জরা হায়বহুসু অহুম চঙশিল্লক্লিবুনি। অচচ্চত্ত পুম্ব অনীসিনা পুন্দুনা থম্লিবনি ॥২৩॥

সত্য (অচুম্বা) হায়বা মহাক অহু নত্তনা অাইবমীওইবনা মমাঙদা মত্তুংদা মাবু শঙলক্লিবা মৃত্যু হায়বহুবু করিগুম্বা উপায় (থুংলায়) অমন ঈস্বোকপা— থুদেকপা ঙমদে। অহনা মৃত্যু মাবু হমগে হায়রবদি— অসত্যব থাদেত্তুন সত্যগী আশ্রয় তৌদবনি। সত্যহনা মৃত্যুব জয় তৌবা ঙম্মি। মরমদি— সত্যতদ ব্রহ্ম লৈ ॥২৪॥

খুলদা অমদি নগর (সহর) দা লৈহুনা ভুপীহদা থম্মুম্বিব আসক্তি (কা হেন্না পামশিনবা) অসো মৃত্যু (অশিবগী) যুমদি। "যবরণ্যম্" না হৌবা শ্রুতি অহুগী মত্তুংইদা বানপ্রস্থ হায়বা আশ্রম অহু লৈ-খ্রিবনি। বানপ্রস্থ হায়বা অশ্রম অসি দেবতাশিংগী স্বর্গগী গোশালাগা চপ নান্নবনি ॥২৫॥ গ্রাম (খুল) দা লৈরগা ভুপী-নহাদা কা হেন্না থম্মুবিবা আসক্তি অহু শঙ্গোন্দা শলশিং কাজিন্নবা থোরাওুম্বনি। পুণ্য তৌরবা মী থরত্তদা থোরা অহুবু ককথৎপা ঙম্বনি, পাপী ওইবা মীনদি মাহু থদৎপা ঙমদে॥ ৬॥ পুক্রীংবা

জীবিতার্থাপনয়নৈঃ প্রাণিভির্ন স বধ্যতে। তস্মাৎ সত্যব্রতাচারঃ সত্যব্রতপরায়ণঃ ॥২৮॥
সত্যকামঃ সমো দান্তঃ সত্যেনৈবান্তকং জয়েৎ। অমৃতঞ্চৈব মৃত্যুশ্চ দ্বয়ং দেহে প্রতিষ্ঠিতম্ ॥২৯॥
মৃত্যুরাপদ্যতে মোহাৎ সত্যেনাপদ্যতেঽমৃতম্। সোঽহং সত্যমহিংসার্থী কামক্রোধবহিষ্কৃতঃ ॥৩০॥
সমাশ্রিত্য সুখং ক্ষেমী মৃত্যুং হাস্যাম্যমৃত্যুবৎ। শান্তিযজ্ঞরতো দান্তো ব্রহ্মযজ্ঞে স্থিতো মুনিঃ ॥৩১॥
বাঙ্মনঃকর্মযজ্ঞশ্চ ভবিষ্যাম্যুদগায়নে। পশুযজ্ঞৈঃ কথং হিংস্রৈর্মাদৃশো যষ্টুমর্হতি ॥৩২॥
অন্তবদ্ভিরিব প্রাজ্ঞঃ ক্ষেত্রযজ্ঞৈঃ পিশাচবৎ। আত্মন্যেবাত্মনা জাত আত্মনিষ্ঠোঽপ্রজঃ পিতঃ ॥৩৩॥
আত্মযজ্ঞো ভবিষ্যামি ন মাং তারয়তি প্রজা। যস্য বাঙ্মনসী স্যাতাং সম্যক্‌প্রণিহিতে সদা ॥৩৪॥

নত্রগা রাহৈনা নত্রগা থবক্তা কনাগুম্বা করিগুম্বা অমগী মকমদা হিংসা তৌরক্রবা মী অহুবু করিগুম্বা বিবয়গী থৌগী অমনা মহাকপ্ ফাবা-পুনবা ভমদে ॥২৮॥

মরম অদুনা তাইবংমীনা মতম পুম্বদা মীকুপ খুদিংদা সদাচার অমদি সত্যব্রততা তৌনা লৈগদবনি। অচুম্বা থবক তৌনা অচুম্বা রাখপ খনবা, অচুম্বা বা ঙাংবা, অচুম্বা মা (শব্দ) তনু তাবা হায়বা ব্রতনু হায়বদি— সত্যব্রততনু হাকপদা পুক্নীং চঙগনবনি। অচুম্বা সম্পু লৌবা ব্রত অমত্তা অমাম্বগা লোয়নবা ওক্কদবনি কচচরু জীব-পানবা খুদিংমক্তা চম্মাহ্নবা নীংথো থমগদবনি। ইন্দ্রিয় থুংবা চন্দুনা সত্যব্রতত্ত্বু ওক্তা চিংবা মী মহাক অদুতনা মৃত্যু জয় তৌবা ঙম্মি ॥২৯॥

মৃত্যু অমৃত্যু - অমৃত অনীমক স্বর্গ নরক পাপ লৈখিবনত্তে মচংমদা শংস্তাক লৈরাই। কামক্রোধবাকিবগী পুত্রংগী লংবা তাবগা মৃত্যু অদুগা সত্যগী আশ্রয়দা লৈরবা অমৃত (অমৃত) ফঙি ॥৩০॥

অদুনা ঐ লৌকিক কাম ক্রোধ অনীবু থাদোক্লনা অহিংসা ব্রত তৌগনি। সমগী আশ্রয় লৌদুনা মঙ্গল ওইবগী অবস্থাতদা লৈগনি। অমর ওইদুনা মৃত্যুবু জয় তৌগনি ॥৩১॥

সূর্যদেবনা উত্তরায়ণদা চংলক্লদা, শান্তি লাগনবা যজ্ঞ তৌদুনা ইন্দ্রিয় থুংনা লৈদুনা, মন্ত্র অমা ব্রহ্মযজ্ঞ ওইহনদুনা, মতম থমোয় হকচাং অমত্তা ওইনা পাংথক্লগা, জনগী মখল ওইরবা বাক্‌যজ্ঞ তৌরগা অহুমশু মনোযজ্ঞ— পুক্নীংদা তৌব যজ্ঞ তৌরগা কিক মঙ্গল কর্মযজ্ঞ তৌগনি ॥৩২॥

আমাহু মহাং অজ্ঞিনা থতম্বরবা ঐগুম্বা কনানা অদু হাংবনা মচাক ওইবা হিংসকর্মগী মখক ওইবা পশুযজ্ঞসিগুম্বসি তৌগনি? হিচা যাইথম্বগুম্বা, লুহংশি-থতত্ত্রবা ক্ষত্রিয় কনানা অমসিগুম্বা অমথীবরা যজ্ঞগী অনুষ্ঠান অসি তৌগদগে? ॥৩৩॥

পিতাজী। আত্মা অসে পিতাজীগী আত্মাহুদগী অমুম থোকচরকপনি। মশা মশাদা অমুম মবৈঅনি। অদুনা হকচাংসিদা লৈরিবা আত্মা ঐসে কনাগীসু মচা নত্তে, কনাগীসু মপা নত্তে। আত্মযজ্ঞগী পুরোহিত যজমান অনীমক আত্মা ঐ ঈশামা অহুম মওইজগনি। আত্মাগা কনাগুম্বা অমদি কন্নিগুম্বা অমতগা মচী-মতা থোক্তে ॥৩৩॥ অসিগুম্বা আধ্যাত্মিক ওইবা রাখন্দা মীকুপ খুদিংদা থয়াম হকচাং ইন্দ্রিয়

তপস্ত্যাগশ্চ যোগশ্চ স তৈঃ সর্ব্বমবাপ্নুয়াৎ। নাস্তি বিদ্যাসমং চক্ষুর্নাস্তি বিদ্যাসমং ফলম্ ॥৩৫॥
নাস্তি রাগসমং দুঃখং নাস্তি ত্যাগসমং সুখম্ ॥৩৬॥

নৈতাদৃশং ব্রাহ্মণস্যাস্তি বিত্তং যথৈকতা সমতা সত্যতা।
শীলে স্থিতির্দণ্ডনিধানমার্জ্জবম্ ততস্ততশ্চোপরমক্রিয়াভ্যঃ ॥৩৭
কিং তে ধনৈর্ব্বান্ধবৈর্ব্বাপি কিং তে কিং তে দারৈর্ব্রাহ্মণ যো মরিষ্যসি।
আত্মানমন্বিচ্ছ গুহাং প্রবিষ্টং পিতামহাস্তে ক্ব গতাঃ পিতা চ ॥৩৮॥

ভীষ্ম উবাচ।

পুত্রস্যৈতদ্ বচঃ শ্রুত্বা তথাকার্ষীৎ পিতা নৃপ। তথা ত্বমপি বর্ত্তস্ব সত্যধর্মপরায়ণঃ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পিতা-পুত্র-সংবাদে দ্বিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭২॥

———:():———

পুম্নমক অমগামগা চোইথোকপদনা মচিন অমত্তা লেপ্তদনা থম্ব আধ্যাত্মিকযোগী মহাক্তনা ফংহোইদোবা পোং, য়োনা ভম্মোইদোবা মঙল (শম) অমতা লৈতে ॥৩৪॥

সংসারসিদ ব্রহ্মবিদ্যাগুম্বা মীং অমতা লৈতে। ব্রহ্মবিদ্যাগুম্বা অতোপ্পা হংগদবা, হংফম থোকপা মীত (ফল) অমতা লৈতে। রাগগা মম্নবা অরাব অমতা লৈতে, ত্যাগ (যজ্ঞ— থাদোকপা গা মান্নবা নুংঙাইবা অমত্তা সাসারসিদা লৈতে ॥৩৫—৩৬॥

ব্রাহ্মণগী ধর্ম হায়রবা ব্রহ্মনা অমতা ওইনা থাবানিনা চঙশিনখিবা, অচুম্বতনা লেপ্পুনা লেপ্তদনা লৈবা আচার বিচারদা তংলেং তংলেনা লৈবা,— হিংসা থাদোকপা, যাজ্ঞিমথৈ সকামকর্মগী হন্দোককপা—অসি নত্তবা করিমত্তা লৈতে ॥৩৭॥ অদনা পিতৃদেব! হে ব্রাহ্মণ। নুমিং থুদিংগী মীকুপ অমমতদা মৃত্যু হায়রবহুনা ঐ থায়রবু লাক্কগনী ভাইহুনা লৈরিবা পুন্সি অসিদা লায়থুং ধন সম্পত্তিশিং অসিগী মশী, লেনগং-হম্নবগীদমক মিকাপগী কড়ি কান্নবা লৈদ্রি? মপান্নী গিরি গুহাগীদা চংতুনা ধ্যান তৌরগী মহুত্তা থমোয় গুহা নুংবা লৈরিবা খম্ব সিং সধবা তৌহুনা মখক উত্রি ক্বাওবা ধ্যান তৌবিয়ু। খন্নিয়ু ঐথোয়গী মমাতদা মীকুপ অমমগীত ঈপা ঈপু, ঈচৌন-ঈনাও, মরূপ-মপাং, শাগৈ-নাইত শাহুনা লৈমিন্নরম্বা মথোয়শিং কদায় কদায়দা চংলক্রে? ॥৩৮॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মচাগী ৱাশিংসি তাবদ মপা ব্রাহ্মণ অদুনা কুপ্ন মুম বিচার তৌরগা মচাহুনা হায়বা মতুংইন্না থবক পুম্নমক তৌবা লৌখি। অদুনা নহাকসু অচুম্বা— সত্যধর্ম অসিদা পুক্নীং চঙনা চংনা পুন্শি লেল্লু ॥৩৯॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীবাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা মপা মচা-ভাউনবদা চনীহুমফু হরানীথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭২

———:():———

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(হারীত মুনিনা সন্ন্যাসগী তত্ত্ব তাকপা)

চনীহুম্‌ফুতরাহুম্‌দোইশুবা অধ্যায়।

——:(ঞ্চ:-

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিং শীলঃ কিং সমাচারঃ কিং বিদ্যঃ কিং পরায়ণঃ। প্রাপ্নোতি ব্রহ্মণঃ স্থানং যৎ পরং প্রকৃতের্ধ্রুবম্ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

মোক্ষধর্ম্মেষু নিরতো লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ। প্রাপ্নোতি পরমং স্থানং যৎ পরং প্রকৃতের্ধ্রুবম্ ॥২॥

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। হারীতেন পুরা গীতম্ তং নিবোধ যুধিষ্ঠির ॥

স্বগৃহাদভিনিস্সৃত্য লাভালাভে সমো মুনিঃ। সমুপোঢ়েষু কামেষু নিরপেক্ষঃ পরিব্রজেৎ ॥৩॥

ন চক্ষুষা ন মনসা ন বাচা দূষয়েদপি। ন প্রত্যক্ষং পরোক্ষং বা দূষণং ব্যাহরেৎ ক্বচিৎ ॥৪॥

ন হিংস্যাৎ সর্ব্বভূতানি মৈত্রায়ণগতশ্চরেৎ। নেদং জীবিতমাসাদ্য বৈরং কুর্ব্বীত কেনচিৎ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংই,— ঈবুধো। প্রকৃতিসিদগী মাংমদা লৈবা পরব্রহ্ম মগী ধর্মদি অমাও অতা লৈতবনি। অদুগুম্বা ধাম অদুবু করম্বা ভাবনা, করি আচরণ ব্যবহারনা, করম্বা বিদ্যানা, করম্বা কর্মনা তাইবং মীওইবা ঐখোয়না ফংগনগে ? ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— মোক্ষধর্মদা, মোক্ষধর্মগী তত্ত্ব খিবদা পুক্নীং চঙবা, চাক নাইনা অকবা থম্বা চাহুনা ইন্দ্রিয় থুহুম্নম্বা লৈবা মী অদুডনা পরব্রহ্মবু ফংই ॥২॥

যুধিষ্ঠির ! মমাংগৈদা হারীত মুনিনা তাকখিবা সন্ন্যাসগী জ্ঞান অদু উদাহরণ ওইনা অসিগুম্বা বিষয়দা মথং মথং লৌনরকই। মখু নহাক অমুক ঐ.ডান্দগী মথং শীংনা তাবো। পোকপা শিবগী লাংদগী নাম্ভোকনীংবা, হায়বদি— অরনথুম্বা কংলীংবশিংনা, ফংবা-ফংনবা মাংবা ডোংবা, অরাবা হুংঙাইনা অসি চিংবা— অনী অসী থোক্লিবসিবু মশা অমতনি চপ মান্নবনি হায়না খন্দোকপিদুনা মুনি ব্রতনা, হায়বদি— ভুম্মু ব ভাংদনা সংসারগী বিষয় পুম্নমক থাদোক্লমগানা সন্ন্যাসী ওই ॥৩॥

অদুগুম্বা সন্ন্যাসী মহাত্মা মীংনা পুক্নীংনা অমদি মাইনা কনাগুম্বা অমগী দোষবু উকদে, য়েংলুদে, থল্লুদে অতগা ডাওলুদে। মাওদা তুংদা কনামত্তগী দোষ হায়দোকলুদে ॥৪॥ অদুগুম্বা সন্ন্যাসী অদুদি—

অতিবাদাং স্তিতিক্ষেত নাভিমন্যেত কং চন। ক্রোধ্যমানঃ প্রিয়ং ব্রূয়াদাক্রুষ্টঃ কুশলং বদেৎ ॥৬॥
প্রদক্ষিণং চ সব্যং চ গ্রামমধ্যে চ নাচরেৎ। ভৈক্ষচর্য্যমনাপন্নো ন গচ্ছেৎ পূর্ব্বকেতিতঃ ॥৭॥
অবকীর্ণঃ সুগুপ্তশ্চ ন বাচা হ্যপ্রিয়ং বদেৎ। মৃদুঃ স্যাদপ্রতিক্রূরো বিস্রব্ধঃ স্যাদকত্থনঃ ॥৮॥
বিধূমে ন্যস্তমুসলে ব্যঙ্গারে ভুক্তবজ্জনে। অতীতপাত্রসংচারে ভিক্ষাং লিপ্সেত বৈ মুনিঃ ॥৯॥
প্রাণযাত্রিক মাত্রঃ স্যান্মাত্রালাভেষ্বনাদৃতঃ। অলাভে ন বিহন্যেত লাভশ্চৈনং ন হর্ষয়েৎ ॥১০॥
লাভং সাধারণং নেচ্ছেন্ন ভুঞ্জীতাভিপূজিতঃ। অভিপূজিতলাভং হি জুগুপ্সেতৈব তদ্ধৃণঃ ॥১১॥

কনাগুম্বা কবিগুম্বা অমগী মফমদা হিংসাগী থবক তৌরুদে। কনাগুম্বা অমগী মফমদা অরা-অনাগী চৈনা পীরুদে। থুাই পুম্মকী মফমদা মিত্রভাগী ভাব থম্মি, হায়বদি— থুাই পুম্মকপু মরুপনি হায়না থম্মি। মীকুপ্পা মাওঙ্গগদবা ফকচাং অসি পুদুনা কনাগুম্বা অমগী মফমদা বৈরিভাব থম্মুরোইদৌবনি ॥৫॥

কনাগুম্বা অমনা নিন্দা তৌব চৈবগী বা ভাওঙলবদি মখু থাওচৈবগা লোয়নননা ভুমিন তাদুনা অদুম মরৈগদবনি। কনাগুম্বা কবিগুম্বা অমগী মফমদা নাপল অমদি যোয়দগী বাভাদা ভাবুরোইদৌবনি। কনা-গুম্বা অমনা শাউদরবস্থ মতোন্দ অপোংপা অদম্ম রাহৈ শীজিন্নাদবনি। কনাগুম্ব অমনা শাউব্রবা, চৈরবস্থ মাগী থম্মোয়দা পোক্লিপা কান ক্রবন্থু ওইবা অপাংপা রাহৈতনা কৌথেকপিগদবনি ॥৬॥

গ্রাবদা বনদা মীনক্কু লবা মতমস্থু মতুগাদদা থক তৌরোইদৌবনি। অমগী মীচ অমুক ওই, অমগী মুক ওইদুনা কাতু-গাওস চেবফম্বা থক য়ুমফম্বা লৌবনি ভিক্ষ তৌদুনা নিহুন চবদগী চেন্না নিংগ্রণ কাব-ফবদা কনাগী ঈ সব যেন্নাব য়াওশরোইদৌবনি ॥৭॥

কনাগুম্বনা মীত্তা উবুল চাইনিগ্রবা খুনিংবনা ওকথোক্কন ঈশানা ঈশবু অহুম বজ্জগদবনি। মীনা অদুম তৌবৈ হধদুনস্থ নহাক নগদি থক চৌরুরোইদবনি। চীন্দগী কবিগুম্বা অংনুবা রাহৈনন্তা হায়লোক কাওথাক্লাইদৌবনি। মামৎ চুপ্প ঈংগু প্প লগদবনি। মীভোন্দুা অকল অরীও শীংবা রাহৈ রাক্তা থক শীজিন্নরোইদৌবনি। কবিগুম্বা অমগী 'চম্বাদ' লুপ্পুনা চৈরোইদৌবনি, রায়ম ওডোইদৌবনি ॥৮॥

চাকথোং-শঙগী মৈখুনা তাকথ্রবা, মরু মরাং শিংরু ইভং শুবগী তকপগী মথোল লেপথ্রবা, চকথুমগী মৈ মুংথ্রবা মুথংপা, চারম্বা থক্কম্বা মী পুম্নক হন্দোকখ্রবা গাব-থকপা লোইথ্রবা পুথম তেঙ্গোৎ লা মুংন-চিংবগী লাম্লোক লাঞ্জিন লোইথ্রবা অদুগুম্বা মতম অদুদি ভিক্ষার্থ-সন্ন্যাসীনা ঈমুং অদুদ চঙদুনা ভিক্ষা নীক্কবা রাই ॥৯॥ অদুস্থ মগী নেংমগী চরা অমা চানা ওকুমবগী-ত নীকগদবনি। পুক থন্না শিক থন্না ওবমথৈ চাগোগে হায়বগী রাবস অদি থক পম্মোইদৌবনি। ভিক্ষ ফংথ্রবস্থ পুক্কীদা হুংওাইতবা থক তৌয়োইদৌবনি, ফংলবস্থ থোইনা হরাওরোইদৌবনি ॥ ০॥

পেচৈচে লৌথোক লৌশিনগী অদুগা পোৎ অসি ফংলে ফদেগী সাধারণগী শীজিন্নরিবা রাখল অসি থক তৌরোইদৌবনি। মান্না তরাম তরাম্না তৌখিনা তৌবা, ফা হেন্না ব্যবহার তৌশিন্নকপা, অদুগুম্বা

ন চাস্য দোষান্ নিন্দেত ন গুণানভিপূজয়েৎ। শয্যাসনে বিবিক্তে চ নিত্যমেবাভিপূজয়েৎ ॥১২॥
শূন্যাগারং বৃক্ষমূলমরণ্যমথবা গুহাম্। অজ্ঞাতচর্য্যাং গত্বান্যাং ততোঽন্যত্রৈব সংবিশেৎ ॥১৩॥
অনুরোধবিরোধাভ্যাং সমঃ স্যান্নাচলো ধ্রুবঃ। সুকৃতং দুষ্কৃতং চোভে নানুরুধ্যেত কর্ম্মণা ॥১৪॥
নিত্যতৃপ্তঃ সুসন্তুষ্টঃ প্রসন্নবদনেন্দ্রিয়ঃ। ভীর্জপ্যপরো মৌনী বৈরাগ্যং সমুপাশ্রিতঃ ॥১৫॥
অভ্যস্তং ভৌতিকং পশ্যন্ ভূতানামাগতিং গতিম্। নিঃস্পৃহঃ সমদর্শী চ পক্বাপক্বেন বর্ত্তয়ন্ ॥
আত্মনা যঃ প্রশান্তাত্মা লঘ্বাহারো জিতেন্দ্রিয়ঃ ॥১৬॥
বাচো বেগং মনসঃ ক্রোধবেগং এতান্ বেগান্ বিষহ্য বৈ তপস্বী। নিন্দা চাস্য হৃদয়ং নোপহন্যাৎ ॥১৭॥

মকমদা থক্ চাক থক্নোওদোবনি। সংসারগী অরানবা খুদম ফংনবগী না মীনা য়ম্ম লুনা ভৌশিল্লকপা য়াম্না ঈকাইখুম্নশিল্লক ত, হায়বদি— প্রশংসা নিন্দনচিবা ভৌশিল্লক্রিয়াদগী লাপথোক্কদোবনি ॥১১॥

ভিক্ষানা ফংলকপা পেং অদুদি কন্নবসু নিন্দা তৌরোইদবনি। য়াম্না ফবা পোৎ অহাক্-অথুম ওইরবসু প্রশংসা তৌরোইদবনি। ফম্বা হঙ্গ মতুমদা য়াংনা চীংলা মকমনতা ফমনবনি ঈপক বনি ॥ ১২॥

অশাবো য়ুম, উনা মরু উখা, হকোওঙ মফম, চিঙ্গী লেন্‌থু অমদা অচাংকপা চঙ-থঙ অসি-গুম্বা মকমনতা হ্যান তৌবনি ॥১৩॥

অইঙ্গনা হায়জাব, যেদবা তৌরব হায়রিবা লৈবনি মতু চপ নাইদনা তৌদবনি। মতুদা পুক্নিং হকাং অনীমক্পু কন্নদনা তত্না লাননা থমগদবনি। মনুংগী থঙ থুংনচবা কর্ম ইন্দ্রিয়শিংবু কাংবু কায়দনা তোয়না নীঙ্গিংহুম্না পুণ্যকর্ম নাইদনা লেপ্পা পাপকর্ম তায়না লক থক্ তৌরোইদবনি ॥১৪॥

সুমিৎচয় ঈপেন্দ্র লেম্না লৈগদবনি। মনুংগী খানব ইন্দ্রিয়শিংবু মকাইহুক্ থমগদবনি। অকি অথং মিপাইবা চিংথবু নাক্ত চঙহন্না তৌবনি। সুমিৎচুম্না বৈরাগ্যভাব লৈহুনা প্রণব জপ তৌদুনা তুমিন্ন মতম লেংগদবনি ॥ ১৫॥

পঞ্চভূতকী লৈরিব দেহ হকচাং অসি, অদুগা ইন্দ্রিয়শিং অসি উহংক্লো জায়রে মাঙথিগদৌবা জীব পান্‌বশিং অসিগী জীবদ দেহ অমগী দেহ পমনা চঙথক্ লৌশিন্ (লোকপা শবা) তৌনা অস্তম মরৈ-হৌরগদবনি। অসি পুখক্ অসিবু য়াম্না কুমন হয়ংশন্দুনা, অহাঙ-হাঙতগী মরাদা, চঙ-চাক্রুচিংবগী মরমদ থোংনা খল্লুবগী উচৈ র হনচৈবা লোমগী অকাব থংদা অহব শানুশি লেম্নবা, অস্থ (অল্প চেং) বু ফংননবগী চক্কো শান্তা। লোয়ননা মপূন্‌শি লেল্লিগা মী মহক্ অহুতব সন্ন্যাসী লৌবনি ॥ ১৬॥

সন্ন্যাসী ওইবা তপস্বীনা চীন, পুক্নিং, অশাউব, হিংস পুক্ (চক্থাউ— পারস্থগী), অদুগা লিঙ্গ শরীর (সূক্ষ্মশরীর) মখোয় অসিনা পীংগায়কপা শাকুবু মায় হাইগৎহন্দনা— মকা লামহন্দনা নমথহুনা খুদম মখাদা থমগদবনি। নিন্দা (তাথীবা) গী অদুগা প্রশংসা (থাগৎপা) গী য়াহৈন থম্মোয়দা মথুম মরাক হৌহল্লোইদৌবনি ॥১৭॥

মধ্যস্থ এব তিষ্ঠেত প্রশংসানিন্দয়োঃ সমঃ। এতৎ পরমং পবিত্রং পরিব্রাজক আশ্রমে ॥১৮॥
মহাত্মা সর্ব্বতো দান্তঃ সর্ব্বত্রৈবানপাশ্রিতঃ। অপূর্ব্বচারকঃ সৌম্যো অনিকেতঃ সমাহিতঃ ॥১৯॥
বানপ্রস্থগৃহস্থাভ্যাং ন সংসৃজ্যেত কর্হিচিৎ। অজ্ঞাতলিপ্সাং লিপ্সেত ন চৈনং হর্ষ আবিশেৎ ॥২০॥
বিজানতাং মোক্ষ এষ শ্রমঃ স্যাদবিজানতাম্। মোক্ষযানমিদং কৃৎস্নং বিদুষাং হারিতোঽব্রবীৎ ॥২১॥
অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যো দত্ত্বা যঃ প্রব্রজেৎ গৃহাৎ। লোকাস্তেজোময়াস্তস্য তথানন্ত্যায় কল্পতে ॥২২॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্ম পর্ব্বণি
হারীতগীতায়াং ত্রিসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ৭৩॥

——:(✿:——

নিন্দা প্রশংসা অনীমক্কী উদাসী ওইনা, হায়রদি— তাঙ্গীদবা ওইন হন্দোক্কবনি। অসিগুম্বা আচরণ ব্যবহার অসি সন্যাস আশ্রমগী শেংদোক্কবগী মোঙ্গবা খুংগংনি ॥১৮॥

সন্ন্যাসী হায়বসি মতম পুম্নমক্তা যম্না রাগ্গন নৈবা অশিব, মপুক্ফানা ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা, করিগুম্বা বিষয়দা অসক্তি থয়দবা, মৌনব্রত পাঙ্থোক্লিবা— লোনম লৌদবা অদুগা পুক্কী লোঙদনা ধ্যানমগ্ন ওইদুনা লৈগদবনি। হান্নগী মাংনা নৈদবা পূর্ব্ব শ্রমগী মহা মগু খাইদবা শৈগী নেরনা করিগুম্বা অমত থম্ব যাদে ॥ ১৯॥

অদুগুম্বা সন্যাসীনা মাগী পূর্ব্ব শ্রমগী হায়বদি— গৃহস্থ শ্রম অমসুং বানপ্রস্থ শ্রমগী মরম করিগুম্বা অমত্তা থম্নবা যাদে। মাসি ঐখোয়গী মপান্দুনি হায়বা খল্লবা করিগুম্বা অমত্তা পোং অদো অপেনবগী লোমলনা লোগদবনি। অদুগা কানূর্বিনা পো অমুন মাগী মাংজা নং থাগৎকবগুম মতুংদা ক লেম্না থাসক্ত থমদুনা পা হাতা কা ঙ্গ খুংজাইদে ক্রো ইদোংনি ॥ ॥

হায়রিবা অসিগুম্ব সন্ন্যাস কৌবা আশ্রমসিদি জ্ঞানীশিংগী মফমনা মোক্ষধাম (অনানবা খুভম) মক্কী মশক্তি। অজ্ঞানীশিংগী মতৌত্তা অমদি মফমদদি যাম অরাবগী মশক ওইবা অদুগা চঙ্ঙমদ্রবা অশ্রমনি। হারীত মুনিনা অসিগুম্বা আশ্রম অসিবু জ্ঞানী ওইবশিংগী মফমদ ধর্ম্ম পুম্নমক্কী মুক্তিগী বিমান (রথ অপাইবী) নি হায়রম্ম ॥২১॥ অসিগুম্বা আশ্রমগী শত্রবু তঙ্কুনা তাইবানী পুম্নমক্তা অভয়দান তৌরিবা মহাক্ক তেজতগী (মঙালগী মশক ওইরবা লোক অদুবু ফংবা ঙম্মি। চাংথোকপা নাইদ্রবা পরমানন্দ (খ্বাইদগী হুং-ঙাইরবা) ধাম— মফম্ফু কংজি ॥২২॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতনা শ্লোকশিংগী মমন শ্রীশাসনা লোংবা সংহিতাবা শান্তিপর্ব্বগী
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বনা হারীতগীতাগী চনীশুমফুতরাহুমদোকপা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৩॥

——:(✿:——

মণিপুরী মহাভারত

চতুঃসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(ব্রহ্ম ফংনবগী উপায় তাকপা)

চনীহুমফুতরামরিশুবা অধ্যায়।

যুধিষ্ঠির উবাচ।

ধন্যা ধন্যা ইতি জনাঃ সর্বেঽস্মান্ প্রবদন্ত্যুত। ন দুঃখিততরঃ কশ্চিৎ পুমানস্মাভিরস্তি হ ॥১॥
লোকসম্ভাবিতৈর্দুঃখং যৎপ্রাপ্তাঃ কুরুসত্তম। প্রাপ্য জাতিং মনুষ্যেষু দেবৈরপি পিতামহ ॥২॥
কদা বয়ং করিষ্যামঃ সন্ন্যাসং দুঃখভেষজম্। দুঃখমেতচ্ছরীরাণাং ধারণং কুরুসত্তম ॥৩॥
বিমুক্তাঃ সপ্তদশভির্হেতুভূতৈশ্চ পঞ্চভিঃ ইন্দ্রিয়ার্থৈর্গুণৈশ্চৈব অষ্টাভিশ্চ পিতামহ ॥৪॥
ন গচ্ছন্ত পুনর্ভাবং মুনয়ঃ সংশিতব্রতাঃ কদা বয়ং গমিষ্যামো রাজ্যং হিত্বা পরন্তপ ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়খি — ঈপুধো! মী পুম্নমকসনা ঐখোয়বু সুমিচুপ্পা ঐখোয়বু যাইফেনা, লাইবক ফৈনা, পুণ্য চৎলদা অমুম্বা হায়নরি। অদুগা থাগৎপগী ঐখোয়গা মান্না লাইবক থীবা, অমসুং নংদা পাপ চেনবদি অইত থম্বা লৈতে ॥ ॥

স্বর্গগী দেবতাশিংনসু পাইখ্রনা মর্ত্যলোক অসিদা থাইবা মীওইবা ওইনা পোক্লবসু, অদুগা লোক সমাজনা ইকায়খুম্নবিরবসু পাপকী থবক তৌবা অদুগা অরাবগী শরুক মওইবা মীশক্তি ঐখোয়না ওক্ত ওইদুনা লৈরি ॥ ॥

ঈপুধো। জ্ঞানেন্দ্রিয় মঙা, কর্মেন্দ্রিয় মঙা, প্রাণবায়ু মঙা, প্রকৃতি, বুদ্ধি মখোয় তত্ত্ব তরাতরাহেৎসিগী মথক্তা অপাম্বা, অশাউবা, মিতৌবা, অকিবা হায়বা সংসারদা হন্না হন্না অরাবা নংহনবগী তেঙ্গু (মরম) মঙা লৈরি। মশক্, মচাও, মমু, মশেল, স্পর্শ (শাকপা) চায়বা মীৎ নাক্কোংচিংবগী বিষয় মঙা লৈরি। মগোয়গী মন্ত্র সত্ত্ব রজ, তম হায়বা কৌবা গুণ অহুম অমমুক লৈরি। মৈ, ঈশিং নুংশিৎনা চিংবা পঞ্চভূত অসিনা লোয়নবা, অবিদ্যা অহঙ্কার কর্ম কৌবা তত্ত্ব নীপাল অসি য়াওনা পারগা খোগোৎপনা তত্ত্ব কুন্থরানীপাল ওয়রে। হায়রিবা তত্ত্ব কুন্থরানীপাল অসিদগী লাপ্তোকপ্রবা ব্রত কনবা তপস্বীশিংনা সংসারসিদা অমুক হন্না পোকন্দ্রে হায়রি। অহুম্দি ঐখোয়শু রাজ্য সিংহাসন অসি থাদোক্লমহনা, হৌজিক হায়রিবা মুক্তি (অরানবা থুডম হায়রিবসি কয়দা মতমদা ফংগদগে? ॥৩—৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

মাত্মানস্ত মহারাজ সর্ববঃ সংস্থানগোচরঃ। পুনর্ভাবেঽপি বিখ্যাতো নাস্তি কিঞ্চিদগোচরম্ ॥৬॥

ন চাপি মন্যসে রাজন্নেষ দোষঃ প্রসঙ্গতঃ। উদ্যোগাদেব ধর্মজ্ঞা কালেনৈব গমিষ্যথ ॥৭॥

নেশেঽহমং সততং দেহী নৃপতে পুণ্যপাপয়োঃ। তত এব সমুত্থান তমস কর্মণোঽপি ॥৮॥

যথাঞ্জনময়ো বায়ুঃ পুনর্মানঃ শিলং রজঃ। অনুপ্রবিশ্য তদ্বর্ণ দৃশ্যতে রঞ্জয়ন্দিশঃ ॥৯॥

তথাকর্মফলৈর্দেহী রঞ্জিতস্তমসাবৃতঃ। বিবর্ণো বর্ণমাশ্রিত্য দেহেষু পরিবর্ত্ততে ॥১০॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! অদুব হায়বসে ওনথৈ নাইদনা হায়বা পাংজুরক্ক নত্তে। জগৎতা লৈরিবা পোং পুন্নবক অমি ওনথৈ লৈতনা— মশী লাকচমদনা লৈনতুস্ন নত্র। অদুকহন্না পোকপা— পনর্জন্ম কৌবগুম্ন থাকৈ। খঙনবা আনংবগী চাউরবা খুদম অমা লৈনা লৈদ্র। হায়রিবসি তাৎপর্য্যসিগী অমম্ব। রাদি মসাক্সা হক লৈদুবা পোকফমসিগী মথুংদা লেপবা নৈ দনা পোকপক অমতা লৈতে ॥৬॥

ঐশ্বর্য্য ধন সম্পত্তি হাবেন মরাদেংগী মথক্সি, অদুবু মসাংগী মথুংদা থাজিননা থাকপা লাংনি। অদুনবা খুন্দম— মুক্তি ফাংনবগী লম্বীগী তিমখাংনা, অদুদা হায়রিবা নত্তাক হায়বদো কান্না। নথোংবদি ধর্মতত্ত্ব খঙলবা ওকি। লৈতিব নিত্য সম্পতুম লাকিনা ইকিরবা অমসুং থাক অদু খনবনা— সাধনা তৌমবা, ইন্দ্রিয় থনা চতনম মতম্ংত কদি অদুদা নমকপা থবলা— অদুনা খুন্দম— মুক্তপদবী হায়-বদো ঈশ্বর কায়না অতুম মরাপচনি ॥৭॥

নিংথৌ! মদুদা কাম হদারকপা লৈদুনা জীবাত্মা মাসা কাংলুপাদা মাথং তোংবা মংবগী হৌরমদা মনীং ওন্থ শুমদে— স্বতন্ত্র নত্তবা ওনদে। * জীবক্ত জৌবকপা পাপকর্ম পুণকর্ম গং অদুগী সংস্কারগী মথক ওইরবা অমদা কৃত্যোম (মপ্রম্) অদুনা মরাংগুম পুণ্যগী থম্ম লৈতে ॥৮॥

অমম্বগী মপাগী মথক লৈদুনা মশাগী মচু লৈত্তদুনা মংশিংবা অদুগী মচু অমসুংকী মশেক্ক, ওতুনা নত্তবা চৌডবা অমাংগী লাক্স লাকপ লৈকপ লৈতৈল নাইদবা মচু নংগা লৈতনা । মদুদা মচু মংসকস্তুগুম্মা, মশাগী মচু লৈত্তদুবা জীবাত্মা অসিসু অমম্বগী মথক ওইরবা অমত্তা লৈরবা মচু কুপশিন্না জীবক্ত জৌবকপা কর্মতুগী মচৈশিংদুনা লৌকপা অদুনা মতুং মচু লৈতনা। হয়বদি— লৈরম লৈরম্বা দেহশিংগী তেংবা অমা নত্তবা মর্মনুনাদনা। অদুম অদুগী থবাগ থানবা পুন্ন কী তোঙ্গাল তোঙ্গানবা লেইশিনদা অমম্বগী মথক কৌথকনা লেই চৎ।

* মীওইবগী হকচাংদুদা লৈল জ্ঞানতন্ত্র মনীংথ কম্না লৈবা মথা নাত্ত। মংদা বা কংথে, অমাবা নংগে জ্ঞানতুনা মহাক মশানা শীনবা ওনদে। মংক্তী মথক জীবাত্মা মচাকপা অমিমি তেং জায়না শীরবা অমা লৈরি। মকম পৃথ্বদা শীনথুংগা লৈবা মকাগনা ঘট (চফু) অদুদা মটোংগ কৌদুনা লৈনা লৈনা মহাকাশতু অহুম মকোইহনুগে হায়বা যাদে। অদুগা পরমার্থদৃষ্টিদা মরাদাগী ওইদুনা চফু মথুংদা অহুম্

জ্ঞানেন হি যদা জন্তুরজ্ঞানপ্রভবং তমঃ। ব্যপোহতি তদা ব্রহ্ম প্রকাশতি সনাতনম্ ॥ ১১॥

অযত্নসাধ্যং মুনয়োবদন্তি যে চাপি মুক্তাস্ত উপাসিতব্যাঃ।

ত্বয়া চ লোকেন চ সাময়েণ তস্মান্ন যস্তাসি মহর্ষিসঙ্ঘন্ ॥ ১২॥

অস্মিন্নর্থে পুরাগীতং শৃণুষ্বৈকমনা নৃপ। যথা দৈত্যেন বৃত্রেণ ভ্রষ্টৈশ্বর্য্যেণ চেষ্টিতম্ ॥ ১৩॥

নির্জ্জিতেনা সহায়েন হৃতরাজ্যেন ভারত। অশোচতা শত্রুমধ্যে বুদ্ধিমাস্থায় কেবলম ॥ ১৪॥

তত্ত্বজ্ঞানবু ফংলবদি জীব পুম্নমক মাহুৎ পাইনা অজ্ঞান (পশুথবা) দগী পোকপা, অমম্বগী মশক ওইরবা তমহৎপন্থব তাদ্দোকপা— কোক্‌না ভম্মি। মতম অহুদা মাগী থমোয়দা সনাতন ওইরবা ব্রহ্মগী মশাল অহু লাকই ॥ ১১॥

মুনি ঋষিশিংনা হায়রি,— ব্রহ্মাবু ব্রহ্মগী মশালবু ফংবা হায়বসি কন্না তাৎনবা, সাধনা তৌব ওয়াক্না ওইবা নত্তে। অদুম হায়না তাকপিরম্বসিগী মরক্তা লাকরবদি জগৎ পুম্নমক্না দেবতা পুম্নমক্‌ অদুগা নথোয় ঐখোয় পুম্নমক্না হত্তুদিন তাকপিরবা জীবন্মুক্ত ওইরবা ঋষি মুনিশিং অদুগী উপাসনা তৌকম থেকুই। ঐন অদুগুম্বা ঋষিশিং অদুবু হন্না হন্না থুগাইজরি ॥ ১২॥

অসিগুম্বা বিষয় অসিগী মতাংদা, মমাংগী ইতিহাসগী কুইরবা ৱারী অমা লৈগে তাও। ভরত-লাইগেগী অখোইবা! বৃত্রাসুর হায়বহু মমাংদা অমুক মায়পাবা কহুনা রাজ্যভ্রষ্ট ওইদুনা নিংথৌ মফম তাদুনা লৈখি। মাগী মতেং পাংবিরবা কনা অমত্তা লৈরমদে। স্বর্গগী লৈচৈয়াম্না মাগী লৈবাক পুম্নমক মুম্মুনা লৌখিখি। অদুগুম্বা অৱস্থাদা তারবা বৃত্রাসুরনা কয়া করম্না তোক্নখিবগে হায়বহু ইতিহাসগী মতাং অহুদা অসুম্না ই। অদুগুম্বা লৈথা তাবা ফংলবা ফাওবনা অসুর অদুনা আসক্তি পুম্নমক থাদোক্তুনা ঈশ্বং তুংঙাইনা লৈখি ॥ ১৩—১৪॥

মরৈরিবনি। হাওবিবসিগী ভাবতি— জীবাত্মা মহাক মশামক ব্রহ্ম ওইদুনা লৈরবসু চকুগী মশক ওইবা দেহমুংসিদা লৈরবদি ঐ ব্রহ্মনি, তৌনিংবা থবক তৌগনি হায়বা যাদ্রে — তম্রে হায়বনি। লাং অমনা কৃপগ্রবদি লাংদা পুদুনা লৈরিবা জীবদুনা কবিমতা তৌবা ওৎদবহুগুম্না দেহসিনা পরিকর ওইনা থাজিন্‌-গ্রবা জীব — জীবাত্মানা মনীং করিনত্তা তৌব ভম্রে। অদুগা জীবসিনা ঐ মুক্তি ফংলগে, ফংলরোই হায়ব ওমদে। মাসি করিগীনা হায়না হংলবদি— মহাক্তি মপাগী রাংবা, চাউবা, নেম্বা রাংবনচিংবা মওং ঈরৈ লৈজদনা, তৌবা মুবনচিংবা মহু ঈরৈ লৈজরবা মাগী কৃত্যম— দেহনিগী মহু মওংবু মাগীনি হায়না থনুবা নত্তুনা— দেহসিমক ঐমক্তি হায়ন থন্দোক্তুনা লৈখ্রে, মশা মহৎত্তুনা থাকচবা লাংদা থুখ্রে, অদুগনি। লৈরিবা হায়রিবা অরানবা রাথল অসিগী লাম্হোকশিহুনা মাহুগী মতুংইম্না কর্ম হেক্নমক্‌ মতৌরবদি মহাক মশানা স্বয়ংমুক্ত হায়বহু অদুম মওইরে। (কালাচাঁদ)

দৃষ্টৈশ্বর্য্যং পুরা বৃত্রমুশনা বাক্যমব্রবীৎ। কচ্চিৎ পরাজিতস্যাদ্য ন ব্যথা তেঽস্তি দানব ॥১৫॥

বৃত্র উবাচ।

সত্যেন তপসা চৈব বিদিত্বা সংক্ষয়ং হ্যহম্। ন শোচামি ন হৃষ্যামি ভূতানামাগতিং গতিম্ ॥১৬॥

কালসঞ্চোদিতা জীবা মজ্জন্তি নরকেঽবশাঃ। পরিতুষ্টানি সর্ব্বাণি দিব্যান্যাহুর্মনীষিণঃ ॥১৭॥

ক্ষপয়িত্বা তু তং কালং গণিতং কালচোদিতাঃ। সাবশেষেণ কালেন সম্ভবন্তি পুনঃ পুনঃ ॥১৮॥

তির্য্যগ্যোনিসহস্রাণি গত্বা নরকমেব চ। নির্গচ্ছন্ত্যবশাঃ জীবাঃ কালবন্ধনবন্ধনাঃ ॥১৯॥

এবং সংসরমাণানি জীবান্যহমদৃষ্টবান্। যথা কর্ম্ম তথা লাভ ইতি শাস্ত্রনিদর্শনম্ ॥২০॥

তির্য্যগ্গচ্ছন্তি নরকং মানুষং দৈবমেব চ। সুখদুঃখে প্রিয়ে দ্বেষ্যে চরিত্বা পূর্ব্বমেব হ ॥২১॥

মমাংঙৈগী বৃত্রাসুরনা নিংথৌ-মকম-তাডুনা লৈরুবা উবদা নোংমা শুক্রাচার্য্যনা মঙোন্দা অসুম হায়রম্বা হংখি,— দেবতাশিংনা নহাক্পু 'নিংথৌ মফম [illegible] অসিগুম্বা তোক্লবা— দুস্তরবা অবস্থা' অসি য়েংলবা মাংবদা নাংগী কনিমতা বাবিদনা, শিমিতা চিন্তা তৌনা লৈরিবা অসি কৌরিনো ? কমদৌনা লৈবা ওইরিবনো ? ॥ ১৫॥

মাদু তাবদুনা বৃত্রাসুরনা অসুম হায়রকই,— ব্রহ্মণ! ঐহাক্ সত্য অমদি তপস্যাগী পাঙ্গলনা জীবশিং অসিনা [illegible] [illegible] [illegible] লৈবাক অসিগী [illegible] [illegible] অসি [illegible]। মরমদুনা মদুগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥ ১৬॥

মতম (কাল) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তৌজরকপা পাপকর্ম্মগী মহৈগী মতুংইন্না নরকতা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পুণ্যকর্ম্মগী [illegible] [illegible] [illegible] ভোগ তৌরুই। অসুম্না অশি-বশিংনা হায়ই ॥ ১৭॥

মতৌ অসুম্না স্বর্গ অমদি নরকতা [illegible] অকুপ মতম অমা [illegible] [illegible] জীবদা জীব অদু অমুক মর্ত্তালোক অসিদা [illegible] [illegible]। অদুগা পোক্লবা সমদগী তৌরক তৌরকপা দুগী মতুংইন্না মওং মতৌ পোক্ফম, লৈফম [illegible] মায়দে ॥১৮॥

তে লাল তেউনবা কামনা (নৈঙবা— পামজবা) শিং অদুগী মতুংইন্না জীব লিশিং লিশিংনা শা, ঙা, তৌল-কাঙগী দেহশিংদা চঙবা মাঙনবগী অমুক নাংহোরকই ॥১৯॥

মতৌ অসুম্না ঐনা জীব কয়া কয়না দেহ অমদগী দেহ অমদা চোংথোক চোংশিন তৌবগী চক্রদা, হায়বদি— পোকপা-শিবগী চক্রদা তাবিংসে হৌনা শং শংনা উবি। তৌরক তৌরকপা অদুগী মতুং-ইন্না মহৈ তেক্ তেক্ ফংই, হায়বাসি শাস্ত্র পুরণকী সিদ্ধান্ত নি ॥২০॥

মরাম পান্বা পূরমক অশাম্বা পামদবা, অরাবা-নুংঙাইবা, হায়নবা তিমবগী বিষয় কয়া কয়াদা— কোয়চং চংনা তৌরুরকপা কর্ম্মশিংদুগী মহৈগী মতুংইন্না নরকতা তৌল কাঙগী মপোক্তা, শা উচেকগী মপোক্তা অমসুং মীওইবগী মপোক্তা, দেবতাশিংগী মপোক কাওবনা পোক্লুরি ॥২১॥

কৃতাত্মবিখিসমুক্তঃ সর্ব্বো লোকঃ প্রশস্যতে। গতং গচ্ছন্তি চাত্মানং সর্ব্বভূতানি সর্ব্বদা ॥২২॥
কালসংখ্যান সংখ্যাতঃ সৃষ্টি স্থিতি সংহারণম্। তং ভাবমানং ভগবান্ উশনা প্রত্যভাষত ॥
ধীমান্ দুষ্টপ্রলাপান্তং তাত কস্মাৎ প্রভাষসে ॥২৩॥

বৃত্র উবাচ।

প্রত্যক্ষমেতং ভবতস্তথান্যেষাং মনীষিণাম্। ময়া যজ্জয়লুব্ধেন পুরা তপ্তং মহত্তপঃ ॥২৪॥
গন্ধানাদায় ভূতানাং রসাংশ্চ বিবিধানপি। অধর্ব্বং ত্রীন্ সমাক্রম্য লোকান্ বৈ স্বেন তেজসা ॥২৫॥
জ্বালামালাপারিক্ষিপ্তো বৈহায়সচরস্তথা। অজেয়ঃ সর্ব্বভূতানামাসং নিত্যমপেতভীঃ ॥২৬॥
ঐশ্বর্য্যং তপসাপ্রাপ্তং ভ্রষ্টং তচ্চ স্বকর্মভিঃ। ধৃতিমাস্থায় ভগবন্ ন শোচামি ততঃ সহম্ ॥২৭॥
যুযুৎসুনা মহেন্দ্রেণ পুংসা সার্দ্ধং মহাত্মনা। ততো মে ভগবান্ দৃষ্টো হরির্নারায়ণঃ প্রভুঃ ॥২৮॥

জগৎ পুম্বগী শেম্বিবা মপু, বিধাতাগী নিয়ম যাথং মতু ইম্বা সৃষ্টিগী মতমদগী ওসি শাওবদা অম্বা-মুংতাইগী তেডাল তোৎস্বা লম্বৈদা হন ফাওবা জীবশিং ফসিনা হেক্নি।২২॥

সৃষ্টি অমদি প্রলয়গী মাপ্রম্ব শক্তিনা লৈরিব কাল হায়না খঙনরিবা পরমাত্মা মহাক্কী হাথং মতু ইম্বা থোকশিবা কর্মগী গতি ম, অসুর চাওসিন বৃত্রাসুরগী মফমদা শুক্রাচার্য্যনা হায়খি,—ঈবুঙো! বৃত্র! নহাক্কি অম্ব বুদ্ধি লৈরা মগনি অদুবু অম্ব স্বভাবকী ওন্নতৈনব রাগিংসি করিগী হায়-রিবনো — চাওলিবনো? ॥২৩॥

মাত খাওবা বৃত্র মাং অসুর শুক্রাচার্য্যদা হায়রকই, অশিংবা অমাগী তপস্বীশিংনা ঐনা তোথি তৌখিবা থবক পুন্নক অহু মশৈংম্বা উৎপ্রবনি। দেবতাশিংবু ওংগে চায়রবগী মখোয়গী সম্পত্তি পুম্নমক মুন্থ্রপ হায়রবগী দমক ঐন তৌখিবা কল্লবা তপস্যাশিংহ মখোয়না প্রত্যক্ষ উনপ্রবনি ॥২৪॥

ঐগী হকচাংগী পাঙ্গল অসি নোংমা নোংমগী কা তেন্ন চাইথোরকই, কনবা হেনগৎলকই। অদুগী ঐনা ঐগী হকচাংগী পাঙ্গল অদুগী পাইবা লোক অহুম্মকপ আক্রমণ তৌদুনা লৈবন লৈরম্বশিং অদুগী সম্পত্তি পুম্নমক মুন্দুনা লৌখি ॥২৫॥

ঐগী হকচাং অসি তেজতনা পুংডাংল ভানথিদুনা মৈবুঙ্গ অমগী মতৌগুম্বা অতিয়াগুলদা কোয়পাই পাইদুনা লৈখি। জগৎ অসিগী কনাগুম্বা অমত্তনা শনফম থোকদ্রনা মীংক অমা শইপ্রবনি ॥২৬॥

অদুবু ভগবান! কল্লবা তপস্যাগী শক্তিনা ফংখিবা অদুপ যম্বা সম্পত্তি অহু অমুক ঐনা তৌরম্বা কর্মগী মতৈনা লৈতনা মু থাদসিনি। অদুবু ঐ হৈজিক তপথবা খাঙৌহবা হায়রবদুগী পাম্বৈনা কল্লিমতা থাবিদনা, নীংথাদনা লৈরি ॥২৭॥

দেবরাজ ইন্দ্রনা ঐগা লোয়নদা শোক্রগদবগী লাকপা মতমদুদা মাগী মহাদতা— মতেংগী দমক থাপা লোয়নবা লাকপা ভগবান্ শ্রীহরি নারায়ণগী দর্শনমু ঐনা ফংজখি ॥২৮॥

বৈকুণ্ঠঃ পুরুষোঽনন্তঃ ত্র্যক্ষো বিষ্ণুঃ সনাতনঃ। মুঞ্জকেশো হরিশ্মশ্রুঃ সর্ব্বভূত পিতামহঃ ॥২৯॥
নূনং তু তস্য তপসঃ সাবশেষমিহাস্তি বৈ। যদহং প্রষ্টুমিচ্ছামি ভগবন্ কর্ম্মণঃ ফলম্ ॥৩০॥
ঐশ্বর্য্যং বৈ মহৎ ব্রহ্ম বর্ণে কস্মিন্ প্রতিষ্ঠিতম্। নিবর্ত্ততে চাপি পুনঃ কথমৈশ্বর্য্যমুত্তমম্ ॥৩১॥
কস্মাৎ ভূতানি জীবন্তি প্রবর্ত্তন্তে তথা পুনঃ। কিম্বা ফলং পরং প্রাপ্য জীবস্তিষ্ঠতি শাশ্বতঃ ॥৩২॥
কেন বা কর্ম্মণা শক্যমথ জ্ঞানেন কেন বা। তদ্বাপ্তুং ফলং বিপ্র তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥৩৩॥
ইতীদমুক্তঃ স মুনিস্তদানীং প্রত্যাহযৎ যচ্ছৃণু রাজসিংহ।
ময়োচ্যমানং পুরুষর্ষভ ত্বমনন্যচিত্ত সহ সোদরীয়ৈঃ ॥৩৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
বৃত্রগীতাসু চতুঃসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৪॥

——:():——

ভগবান্ মহাক্তি বৈকুণ্ঠ পরমপুরুষ, [illegible] অবোইবা লৈতবা জগৎকী হর্ত্তা কর্ত্তা নি ॥২৯॥

ভগবন্! [illegible] ঐমা [illegible] [illegible] মহে [illegible] — মথাক্ কৈদৌরি। অদুনা তাইবং জীবনা [illegible]। কর্ম [illegible] মরমনা ঐমা [illegible] বা [illegible] মহু হায়া হংজনীজ্জি ॥৩০॥

ভগবন্! ঐম [illegible] [illegible] গী [illegible] কৈদৌরি [illegible] [illegible] অদুনা কৈদৌরি বা কর্মফল অদুগী মরমদা বা মরুক [illegible] [illegible] গয়া [illegible] ঐশ্বর্য [illegible] অসি অদুগা ব্রহ্ম মমজি ব্রহ্মতত্ব হায়বা অসীসি কদায়া বর্ণ কৈবগে? অদুগা [illegible] নীওঙ্গ বা ঐশ্বর্যাশিং অমত্তু কদম হায়বা কারি দোষদগী মু [illegible]? ॥৩১॥ [illegible] [illegible] অসি [illegible] কৈরবা অদুগা হিংজবা কৈমিংলিবা অসিগী মরম অমদি উদ্দেশ্য অসি করিনো অদুগা [illegible]? করি কেজুগী জীবপনবা হায়বা হায়বসিনা করিগুম্বা কর্ম অমা নত্রগা [illegible] তৌদুনা [illegible]। [illegible] করিগীনো? খুইনগী [illegible] করম্বা অথোইবা মহৈহত্বু ফংলগা অমাও অতা লৈতনা লেঙত্রবা [illegible] অদুবু ফংজবা য়াগদগে ॥৩২॥

ব্রহ্মণ অথোইবা! করম্বা জ্ঞান [illegible] কর্মনা কর্মগী মহৈহত্বু লেঙনা [illegible] ওমগদগে? ॥৩৩॥

নিংথৌ অথোইব যুধিষ্ঠির! বৃত্রাসুরনা অদুম্না [illegible] শুক্রাচার্য্যনা অদুম্না হায়রকই.— কৈ, ঐ হায়গে, নহাক নহাক্কী নন [illegible] [illegible] পূর্ণ [illegible] ॥৩৪॥

মহাম অসিদা শ্রীমহাভারতকী [illegible] শ্রী [illegible] [illegible] সংহিতানা শান্তিপর্ব্বনা
মোক্ষধর্ম পর্ব্বদা বৃত্রগীতা চনীহুমশতরানিরিগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৪॥

——:(+:——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(সনৎকুমারনা বৃত্রাসুরদা অধ্যাত্মজ্ঞান তাক্পা)

চনীহুমফুতরামঙাশুবা অধ্যায়।

—:০:—

উশনোবাচ।

নমস্তস্মৈ ভগবতে দেবায় প্রভবিষ্ণবে। যস্য পৃথ্বীতলং তাত সাকাশং বাহুগোচরম্ ॥১॥
মূর্দ্ধা যস্য ত্বনন্তং চ স্থানং দানবসত্তম। তস্যাহং তে প্রবক্ষ্যামি বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যমুত্তমম্ ॥২॥
তয়োঃ সংবদতোরেবমাজগাম মহামুনিঃ। সনৎকুমারো ধর্মাত্মা সংশয়চ্ছেদনায় বৈ ॥৩॥
স পূজিতোঽসুরেন্দ্রেণ মুনিনোশনসা তথা। নিষসাদাসনে রাজন্ মহার্হে মুনিপুঙ্গবঃ ॥৪॥
তমাসীনং মহাপ্রজ্ঞমুশনা বাক্যমব্রবীৎ। ব্রূহ্যস্মৈ দানবেন্দ্রায় বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যমুত্তমম্ ॥ ॥
সনৎকুমারস্তু ততঃ শ্রুত্বা প্রাহ বচোঽর্থবৎ। বিষ্ণোর্মাহাত্ম্যসংযুক্তং দানবেন্দ্রায় ধীমতে ॥৬॥

শুক্রাচার্য্যনা হায়,— ঐ পুত্র বৃত্র! আকাশগা বিশ্ব জগৎ অসিগা মখেন্দা নম্বুনা লৈরিবা, মাগী পাম্বোমগী পাঙ্গন্দা আশ্রয় লৌহুনা লৈরিবা, অদুগুম্বা শ্রীভগবান্ বিষ্ণুবু ঐনা হম্রা হম্রা খুরুমজরি ॥১॥

দানব অথোইবা! মহাক্কী কোক্ অমদি লৈফমনা অমথৈ নাইদনা লৈরিবা বিষ্ণু মহাক্কী মাহাত্ম্য— তৌবা ওম্বা মতীক্ মগুণ অদু ঐ হায়গে তাও ॥২॥

শুক্রাচার্য্যগা বৃত্রাসুরগা অহন্না ওাওনরিবৈদা, মথোয়গী চিন্নবত্থু কোকহনগে হায়বগীদমক্তা ধর্মচেৎলবা সনৎকুমার অসি মফম অদুদা লাকই ॥৩॥

নিংথৌ! সনৎকুমারনা লেঙওনকুশহনা বৃত্রাসুরগা শুক্রাচার্য্যগা অনীসিনা তরাম্ তন্নাম্না স্বাগত তৌই, পূজা তৌগা নিওখিজরবা আসন থাই। আসন মথক্তা সনৎকুমারসু ফম্লৈ ॥৪॥

মহামুনি সনৎকুমারনা আসন মথক অদুদা চনা তানা ফম্থখি। মতমদুদা শুক্রাচার্য্যনা সনৎকুমারদা অহন্না হায়খি,— ভগবন্! লৈরিব দানবরাজ অসিগী মফমদা শ্রীবিষ্ণুগী মাহাত্ম্য— মতীক্-মগুণ তাক্-পিয়ু— তাইহন্বিয়ু ॥৫॥ অদু অসি তাবদা মহাজ্ঞানী সনৎকুমারনা মবুদ্ধি লৈরবা দানবনিংথৌ বৃত্রাসুরগী মফমদা শ্রীবিষ্ণুগী মাহাত্ম্য নীংথনা তাক্লখি ॥৬॥

শৃণু সৰ্ব্বমিদং দৈত্য বিষ্ণোৰ্ম্মাহাত্ম্যমুত্তমম্ । বিষ্ণৌ স্থিতং জগৎ সৰ্ব্বমিতি বিদ্ধি পরন্তপ ॥৭॥

সৃজত্যেব মহাবাহো ভূতগ্রামং চরাচরম্ । এষ চাক্ষিপতে কালে কালে বিসৃজতে পুনঃ ॥৮॥

অস্মিন্ গচ্ছন্তি বিলয়মস্মাচ্চ প্রভবন্ত্যতে । নৈব জ্ঞানবতা শক্যস্তপসা নৈব চেজ্যয়া ॥

সম্প্রাপ্তুমিন্দ্রিয়াণাং তু সংযমেনৈব শক্যতে ॥৯॥

বাহ্যে চাভ্যন্তরে চৈব কৰ্ম্মণোর্মনসি স্থিতঃ । নিৰ্ম্মলীকুরুতে বুদ্ধ্যা সোঽমুত্রানন্ত্যমশ্নুতে ॥১০॥

যথা হিরণ্যকর্ত্তা বৈ রূপ্যমগ্নৌ বিশোধয়েৎ । বহুশোঽতিপ্রযত্নেন মহতাত্মকৃতেন চ ॥১১॥

তদ্বজ্জাতিশতৈর্জীবঃ শুদ্ধ্যতেঽনেন কৰ্ম্মণা । যত্নেন মহতা চৈবাপ্যেকজাতৌ বিশুদ্ধ্যতে ॥১২॥

লীলয়াল্পং যথা গাত্রাৎ প্রমৃজ্যাদাত্মনো রজঃ । বহুযত্নেন মহতা দোষ নির্হরণং তথা ॥১৩॥

সনৎকুমারনা হায়খি,— য়েক্লবশিনদা অৱাবা অকিবা পীড়ম্বা দৈত্যনিংথৌ ! ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী মাহাত্ম্য অসি পুক্নীং চঙনা তাও । অঙৌবা উরবা বিশ্ব জগৎ পুম্বসে ঈবুঙো মতোন্দা লোইনা ভুংহনা লৈরিবনি ॥৭॥

পাঙল্লবা নিংথৌ ? থৌঙৈগী বদি বিশ্ব জগৎ অসিদা লৈরিবা অচচক্ত পুম্বসি বিষ্ণু মহাক মথন্তনা শেম্বনি— থেক্চানবনি । মাগী মাগী মতাংগী মতুংগী মতেংপা তিন্নহনবনি— লোশিন্থবনি, অদুগা— অমুক্ সৃষ্টি তৌবনি ॥৮॥

জীব পানবা পুম্নমক অসি মতোন্দা জীন ওইথরিবনি, হায়বদি— থুপ্নরিবনি । অদুংগী অমুক মতোন্দগী শন্দোকপ্রিবনি । শাস্ত্রগী জ্ঞাননা, তপস্যানা অদুগা যজ্ঞগী পাম্বৈনা মাবু ফংবা ঙমদে । ইন্দ্রিয় খুদুম চনবা, কৰ্ম্ম তৌবতনা মহাকপু ফংবা ঙম্মি ॥৯॥

মপানগী যজ্ঞনা অদুগা মনুংগী যজ্ঞনা, হায়বদি— কামক্রোধনচিংববু যজ্ঞ তৌথোকপনা, পুক্নী বু লেঙ-দনা থম্মগা পুক্নীং অসিবু অমুক জ্ঞানগী মৈনুংদা থাদহনা মৈ ঈকুনা শেংদোক্লবা মী মহাক অদুতনা বিষ্ণুগী পরমধামবু উবা— য়োবা ঙম্মি ॥১০॥ *

সোনারী (সনাশাবা মী) না সনাবু অমদি মৈদা হন্না হন্না ঈকুনা ফুদোংহনা শেংদোকপন্থুগুম্না— জীব হায়বসিনা মশাং লাকঙরবা মপোক কয়ানা মন (পুক্নীং) কৌবা ইন্দ্রিয়সিবু শেংদোকই । অদুগা যাগ যজ্ঞ দান ধৰ্ম্মনচিংবগী মনুংদা সৎকৰ্ম্ম অমত্তংবু ভংশেংনা ভক্তি শ্রদ্ধাগা লোয়ননা হেক্ মতৌরবদি মপোক্ অমত্তনস্তু থবক অদু অংম্মক্ পাংথোকপ ময়াই ॥১১—১২॥

হুকচাংদা শক্শা নাপীবু অদুগা উফলবু ঈরায লায়না কাম্থাক্কুনা লৌথোকপ্থুগুম্না অশিংবা মীনা

---

* মনুংগী জ্ঞানগী মৈনুংদা কল্লকপা, অশাউবা, অপাম্বা, মিতৌবনচিংবশিং অসিবু যজ্ঞকাষ্ঠগুম্না হোম তৌদুনা চাক্থেক্হল্লিমথৈ মপানগী যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডদা চেঙ থেংযদাং, ঘী, শঙ্গোমনচিংববু লাথবা ঙাক্কনা মত্য ওইবা অচুম্বা মহাকপু থক্ ফংবা ঙম্মোই । শ্রীবিষ্ণু মহাক্কি— সত্য— অচুম্বনি + নারায়ণনি = সত্যনারায়ণনি । ([illegible])

যথা চায়ং মাল্যেন বাসিতং তিলসর্ষপম্। ন মুঞ্চতি স্বকং গন্ধং তদ্বৎ সূক্ষ্মস্য দর্শনম্ ॥১৪॥
তদেব বহুভির্মাল্যৈর্বাস্যমানং পুনঃ পুনঃ। বিমুঞ্চতি স্বকং গন্ধং মাল্যগন্ধে চ তিষ্ঠতি ॥১৫॥
এবং জাতিশতৈর্যুক্তো গুণৈরেব প্রসঙ্গিষু। বুদ্ধ্যা নিবর্ত্ততে দোষো যত্নেনাভ্যাসজেন ॥১৬॥
কর্ম্মণা স্বনুরক্তানি বিরক্তানি চ দানব। যথা কর্মবিশেষাংশ্চ প্রাপ্নুবন্তি তথা শৃণু ॥১৭॥
যথা বৎ সম্প্রবর্ত্তন্তে যস্মিংস্তিষ্ঠন্তি বা বিভো। তৎ তেহনুপূর্ব্ব্যা চাখ্যাস্যে তদিহৈকমনাঃ শৃণু ॥১৮॥
অনাদি নিধনঃ শ্রীমান্ হরির্নারায়ণঃ প্রভুঃ। দেবঃ সৃজতি ভূতানি স্থাবরাণি চরাণি চ ॥১৯॥
স বৈ সর্ব্বেষু ভূতেষু ক্ষরশ্চাক্ষর এব চ। একাদশবিকারাত্মা জগৎ পিবতি রশ্মিভিঃ ॥২০॥
পাদৌ তস্য মহীং বিদ্ধি মূর্দ্ধানং দিবমেব তু। বাহবস্তু দিশো দৈত্য শ্রোত্রমাকাশমেব চ ॥২১॥

সাধনতনা মরম ওইদুনা কল্লকপা অশাউবনচিংমা পূক্কংগী অমকপবু কস্নোক-খত্তোকপা ওস্ম ॥১৩॥

মৈ অমদি মৈপরেংগী পাইস্লনা মনম লুপিদল্লবা থোংদোং থাউ অদুগা হপান থাউনা মাগী হাল্লা লোয়নল্লকপা মনম্ণু পাক্ থাদোক্লঙ্লুগুম্না থ জজেং হোংনবংদি দেযবু কোবহনবা য়াদে, অদুগা— কুপ্লবা ঋম্বগী লম্বীবু অমদি মশবকপু পিবা থহবা য়াদে ॥ ৪॥

থোয়দংগী অদুগা হঙ্গামগী থাউ হায়বংস মনম মুপিরবা মৈনা ভোযন তোংনা মৈদুনা য়াম্নহনপ্রবদি মাগী হাল্লগী মনম অদু কেংকুই। মত্তৌ অংগুম্না মপেক চাম চাংগী মচাশিংগা মুপী-নহাশিং তিল্লরকপদা পোকৃথিবা, ওইখিবা সত্ত্ব রজ তম হায়রিবা গুণ অদুন অসিনা চত্তন্নবগী দোষশিং অদু হম্না হম্না কল্লা কল্লা নৈনবা অদুগুম্বী বুদ্ধি অদুগী পাইস্লনা লাংথোকাংনপা কেংকুংনপা য়াই ॥ ৫—১৬॥

দানবশাগৈদা পোকপা। কর্মদা পূক্কী চত্তবা কর্মদগী হন্দোকপা জীবশিংনা অশাউবা, হৈনিংদবন-চিংবগী পোক্লকম ওইবা কর্মশিং অদুগী মরম অদু ঐ হায়গে তাও ॥ ৭॥

দানব পুম্লমক্কী মপু। মত্তৌ করমনা কর্মদা চত্তশিন্নবগে অদুগা মত্তৌ করম্না কর্মদগী হন্দোক্লবগে হায়রবদুগী মরমদা ঐ হায়গে তাও ॥১৮॥

শ্রীভগবান্ নারায়ণ হরিগী অংহৌনা অরোইবা লৈতবনি। অদুগা মহাক্কনা অচচ্চত্ত জীব পুম্লমক অসিবু শেম্মিবনি ॥১৯॥

মহাক অসি অচচ্চত্ত জীব পানবা খুদিংমক্কা মাংডোংবদবা (অক্ষয়) অদুগ্রা মাঙশিগদবা মওং অমী পুম্নমা লৈ। ইন্দ্রিয় তরামাথোইগী মশক্ লোন্দ্রনা থুংশেমগী মশক্ লেক্ হক্ তোংশিকসিনু মহাকমক্কী অরূপনি, হায়বদি— মামক্কী হকচাংনি। জ্ঞানতগী মশক্ পাইরবা মশেক্ মতাম্মা বিশ্বজগৎ অসি কুপ্তুনা লৈরিবনি ॥২০॥ হে দৈত্যাদিপো! পৃথিবী অসিবু শ্রীভগবান্গী চরণ অনীনি হায়না খঙ্গু। স্বর্গলোক-পুম্বা মাগী কোকনি হায়না লৌ। মায়পৈ মরিনা বিষ্ণু ভগবান্ মহাক্কী পাম্বোম মরিনি খঙ্গু। আকাশনা মাগী নাকোংনি। তেজ কল্লবা সূমিংনা মহাক্কী মীৎ ওইরিবনি। চন্দ্র (থা) না মাগী পূক্কীং কৌবা ইন্দ্রিয়নি।

তস্য তেজোময়ঃ সূর্য্যো মনশ্চন্দ্রমসি স্থিতম্। বুদ্ধির্জ্ঞানগতা নিত্যং মনস্তু সু প্রতিষ্ঠিতঃ ॥২২॥
ক্রমৌ বায়ুস্তথাস্তস্য গ্রহা দানবসত্তম। নক্ষত্রচক্রং নেত্রাভ্যাং পাদয়োর্ভূশ্চ দানব ॥২৩॥
তং বিদ্ধি ভূতং বিশ্বাদিং পরমং বিদ্ধি চেশ্বরম্। ব্রহ্মক্ষত্রসমস্তঞ্চ বিদ্ধি নারায়ণমাত্মকম্ ॥
মোহভ্রমাণাং ফলং তস্য কর্ম্মণস্তৎফলং বিষ্ণুঃ ॥২৪॥
অকর্মণঃ ফলঞ্চৈব স এব পরমব্যয়ঃ। ছন্দাংসি যস্য রোমাণি হ্যক্ষরং চ সরস্বতী ॥২৫॥
বহ্বাশ্রয়ো বহুমুখো ধর্মো হৃদি সমাশ্রিতঃ। স ব্রহ্ম পরমো ধর্মস্তপশ্চ সদসচ্চ সঃ ॥২৬॥
শ্রুতিশাস্ত্রগ্রহোপেত ষোড়শর্ত্বিক্ ক্রতুশ্চ সঃ। পিতামহশ্চ বিষ্ণুশ্চ সোঽশ্বিনৌ স পুরন্দরঃ ॥
মিত্রোঽথ বরুণশ্চৈব স যমোঽথ ধনদস্তথা ॥২৭॥
তে পৃথগ্দর্শনাস্তস্য সংবিদন্তি তথৈকতাম্। একস্য বিদ্ধি দেবস্য সর্ব্বং জগদিদং বশে ॥২৮॥

বুদ্ধিনা ঈবুঙো মহাক্কী নিত্যজ্ঞানগী মশক্নি হায়না পু। উরিবা জগৎকী ঈশিং পুম্নমক মহাক্কী লৈ কোবা ইন্দ্রিয়নি হায়না খঙও ॥২১—২২॥

দানব পুম্নমক্কী নিংথোরেল। ইন্দ্র! গ্রহ পুম্নমক মহাক্কী পীশুম অনীগী কারক্কা লৈরিবনি। থবান মিচাকশিং অসে মহাক্কী মীত্তগী চোংথোকখিবা— থোকখিবা মক্তনি। দনুনন্দন— দানব। পৃথিবী অসে বিষ্ণু ভগবান্ মহাক্কী চরণদা মপুন্না লৈজরিবনি ॥২৩॥

অদুগুম্বা বিষ্ণু মহাক অদুবু মহাক্না অচচ্চন্ত জীব পুম্নমক্কী অদুগা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসিগী পোক্নলক্কম ঈহান হানবা অমদি কারণমি হায়না খঙও। সত্ত্ব রজ তম হায়রিবা গুণ অহুম অসিমক নারায়ণ বিষ্ণু মহাক্কুগী মশক্নি। ঈবুঙো! ব্রহ্মচর্য্যানচিংবা আশ্রম পুম্নমক্কা চঙঙবগী মহৈ অদো মহাক্কুনা অহুম মওই-বনি ॥২৪। কর্ম অমদি কর্মগী ফলবু থাদোক্তুনা সন্ন্যাসী ওইবা ফংলিবা অমাও অতা লৈত্রবা মফম— খুত্তম অদুমক্তসু ভগবান্ বিষ্ণুগী মশক্নি। বেদগী মন্ত্র খুদিংমক অমমমনা বিষ্ণুগী হু অদুগা হুথোং অমমরি, ওঁ কারগী মশক প্রণব হায়বরুনা মহাক্কী বানী (শব্দ — থোঞ্জেল) নি ॥২৫॥

ব্রাহ্মণ চিংবা বর্ণ পুম্নমক অদুগা ব্রহ্মচর্যানচিংবা আশ্রম পুম্নমক্ক মহাক্কী লৈকমনি। মহাক্কী কোক অদুগা মায়থোংদি লিশিং লিশিংনি মশী লাকওমদে। থম্মোয়দা আশ্রয় লৌহনা লৈরিবা ধর্ম হায়রবদুসু— মহাক্কী মশকনি। সাকার ব্রহ্ম হায়রিবদুসু বিষ্ণু ভগবান্ মশামক্নি। মহাকসিত্তনা আত্মাবু মশক উনবা থওননবা অশেংবা ধর্ম হায়রবদুগী মশক্নি। তপস্যা অমদি অচুম্বা চুমদবা, অরৈবা লৈত্তবা— সৎ অসৎ হায়-রবদুসু বিষ্ণু মহাক্কী মশক্নি ॥২৬॥

শ্রুতি (বেদ) অদুগা শাস্ত্র, সোমরসগী পাত্রগা লোয়ননা ঋত্বিক্ তরাত্তরুক, অদুগা ঋত্বিক্ তরা-তরুক্কা তিন্নবা যজ্ঞ অদুমক বিষ্ণু ভগবান্গী মশকমক্নি। ব্রহ্মা, রুদ্র, অশ্বিনীকুমার, ইন্দ্র, মিত্র, বরুণ যম অদুগা কুবের হায়রিবা দেবতাশিং অসি মহাকমক্নি, মশা মথন্তগী বিস্তারনি ॥২৭॥

মখোয় অসিবু মাগী তোঙান্ তোঙাবা মশক ওইনা পুমবসু মহাক্কদি মশাগী একতা (মপুম্ অমত্তা

নানাভূতস্য দৈত্যেন্দ্র তস্যৈকত্বং বদত্যয়ম্। অতঃ পশ্যতি বিজ্ঞানাৎ ততো ব্রহ্ম প্রকাশতে ॥২৯॥
সংহারবিক্ষেপসহস্রকোটীস্তিষ্ঠন্তি প্রজ্ঞপ্তি চান্যে। প্রজাবিসর্গস্য চ পারিমাণং বাপি সংস্রাণি বহূনি দৈত্য ॥৩০॥

বাপ্যঃ পুনর্যোজনবিস্তৃতাস্তাঃ ক্রোশং চ গম্ভীরতয়াবগাঢ়াঃ।
আয়ামতঃ পঞ্চশতাশ্চ সর্বাঃ প্রত্যেকাশো যোজনতঃ প্রবৃদ্ধাঃ ॥৩১॥
বাপ্যা জলং ক্ষিপ্যতি বালকোট্যা ত্বহ্না সকৃচ্চাপ্যথ ন দ্বিতীয়ম্।
তাসাং ক্ষয়ে বিদ্ধি পরদ্বিসর্গং সংহারমেবঞ্চ তথা প্রজানাম্ ॥৩২॥
ষড়্জীববর্ণাঃ পরমং প্রমাণং কৃষ্ণো ধূম্রো নীলমথাস্য মধ্যম্।
রক্তং পুনঃ সহ্যতরং সুখং তু হারিদ্রবর্ণং সুসুখঞ্চ শুক্লম্ ॥৩৩॥

ওইবা) গী মওংবু থক্ থাদোক্তে। নহা:স্ত অপৎ পূমমক্তী অমত্তা ওইবা হৌরককম তুংনকম অমদি থন্ন-ক্কম অসি মহাক মথন্তননি হায়বসি থওও ॥২৮॥

দৈত্য পূমমক্তী তোঙান্ তোঙান্বা মশক (রূপ) কয়া কয়াদা মন্নুং চত চত্তুনা লোঙদোক্লিবা পরম আত্মা মহাক্তী একতা (অমত্তা ওইবা মওং)বু ঝেনা প্রমাণগা লোয়ননা হায়রি। জীবাত্মাসিনা দেহমনুংদা লৈত্তুনা বিজ্ঞানগী শক্তিনা পরমাত্মাগী মশক ওইবা ব্রহ্ম মহাকপু উত্তুনা অমত্তা ওইনিংই। অত্তুঙবা মতমদা দেহমনুংদা লৈবা বুদ্ধিনা ব্রহ্মগী তেজ - মঙাল অত্তু মশানা অতুম্বক কোঙদোকচরকই ॥২৯॥

জীব কম্না কয়ানা মকম অমত্তদা লেওদনা লৈনা লৈপনদ লৈপাংলগী দেহমনুংদা লেওদনা লৈরি। চী কল্প কম্না কয়াগী মমাংগী ওসি কাওবা জীব কোটি কোটীনা লেওদনা লৈরক্লি। অতুগা, কোয়চৎ চৎপা জীব কোটী কোটীনা অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎতুনা লৈরক্লি। দৈত্য অথোইবা। প্রজাশিং অসিগী শেম্বা— সৃষ্টিগী চাং মশীং অসিদি পুথ্রী লাংলোং লিশিং লিশিংগী মশীগা অম্মানি ॥৩০॥

হায়রিবা পুখ্রী পূমনক অসি যুথক চা মঙা পাক্তুই, যুথক্ চা মঙা শাংই। ক্রোশ অমমম্ লুই, লুপ্পদা কন্না অমত্তনা লৈথা কংগলবা মন্তে। হায়রিবসিগী অশংবা রাম্নি— পুখ্রী খুদিংমক অসুপক্কী মত্তীক পাক চাউব্রে অত্তুগা লুব্রে, মত্তদি— কনাগুম্বা অমনা থাক্ মথং মথং কুমথক্তনা শম্বুম্ মতোম্ অমত্তদা ঈশিং মন্নীক্ অমত্তত্তংবু চিঙ্খৎতুনা মথক্ কাওব্য শোক্তুনা পুখৎলক্কবস্থ নোংমা পুবা চঙখিবগা অমুক হন্না শোক্-লুবা ওমন্ত্রে। লুম্মনখিবমা লুমদনবা হায়হুনা ঈশিং মন্নীক্ অমত্তং শোৎখংলুববস্থ অমুক হন্না অত্তুঙবা মন্নীক অমা শোক্লুবগী মতম লৈত্তে। অসুম্না কাথৎ কুমথ তৌহুনা ঈশিং মন্নীক্ অমমমদা নোংমা চঙন শোক্-কংলক্তুনা পুখ্রী মথাম অহদা লৈরিবা ঈশিং অত্তু শোইনা ভেংনা শোকপদা চঙখিবা মতম অত্তুগুম্বগী মহুংদা জীবশিং অসিগী সৃষ্টি অমসুং প্রলয় ওই। হায়বদি— সৃষ্টি অমগা প্রলয় অমগা অনীগী মরক্তা অত্তুক্ য়াম্বা চহী মতম অত্তু হাওত্তুনা লৈ। পুখ্রীশিং অত্তুগী ঈশিং মথাম সত্তু শোইনা শোক্কোক্ শিক্তোক্পা অত্তু ওইথোক্তবনি ॥৩১—৩২॥ জীবপান্বা পূমংক্কী মচু অসি মখল তক্লাক্ল। অমুবা, মৈথুমচু মান্বা,

পদং তু শুক্লং বিমলং বিশোকং শতক্রমং সিধ্যতি দানবেন্দ্র।
গত্বা তু যোনি প্রভবানি দৈত্য সহস্রশঃ সিদ্ধিমুপৈতি জীবঃ ॥৩৪॥
গতিং চ যাং দর্শনমাহ দেবো গত্বা শুভং দর্শনমেব চাপি।
গতিঃ পুনঃ বর্ণকৃতা প্রজানাং বর্ণস্তথা কালকৃতোঽসুরেন্দ্র ॥৩৫॥
শতং সহস্রাণি চতুর্দশেহপরাগতির্জীবগণস্য দৈত্য।
আরোহণং তৎ কৃতমেব বিদ্ধি স্থানং তথা নিঃসরণং চ তেষাম্ ॥৩৬॥

অশংবা, অঙাংবা, নাপু মচু মান্বা অমুগা অঙৌবা মখোয় অসিনি। মখোয়সিগী মরুংদা অমুবগা উৎ মাবগা অশংবগা মচু অহুম অসিগী জীবনা পীবা লুংঙাইবসি মরক্তী ওইনা তৌই। অঙাংবা মচুগীনা থাঙবদা মতীক চায়। নাপু মচু মান্বনা লুংঙাইবা পী, অঙৌবা মচুগীনা খ্বাইদগী লুংঙাইবা পী ॥৩৪॥ *

দানব নিংথৌ! অঙৌবা মচুদি অমকপা য়াওদে। অরাবা লৈতে, পরিশ্রম (নোম্বা— হোৎনবা) গী শরুক য়াম্না রাৎনা লৈবমা মচু অসি সিদ্ধিবু পীনহৈমনি। দিতিশাগেগী লুংঙাইননবগী মশক ওইবা! জীব হায়বসিনা যোনি (পোক্কম) লিশিং লিশিংদা হঙৎ-হন্দা পোকলুরবা তুংদা তাইবং মীওইবগী দেহদা চত্তকুনা করিগুম্বদা পোকপগী মৃত্যু য়াদে ॥৩৪॥

অসুরশিংগী নিংথৌ! দেবরাজ ইন্দ্রনা মঙলগী মশক ওইরবা তত্ত্বজ্ঞান ফংলবা তুংদা ঐগী ঈকমদা বর্ণন তৌখিবা অমুগুম্বা গতি অমুগা দর্শনশাস্ত্র অমু জীবপান্বা পূৃরমক্কী মচুদগী পোকখিবা গতিগী য়ানি। হায়বদি— হায়রিবা সিদ্ধি অসি অঙৌবা মচুগী মীশিংতনা ফংবা ঙম্মি। মচু অসিদি কাল (মতম) হায়-বতুনা শেম্বনি ॥৩৫॥

দৈত্য অথোইবা! জগৎ অসিদা অচচন্ত জীব পূৃরমক্কী অথোইবা গতি (পন্থুংকম) অসি লখা তরামরিনি হায়না লেপ্লবি। (কর্ম ইন্দ্রিয় মঙা, জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, প্রকৃতি, বুদ্ধি থম্মোয়, অহঙ্কার মখোয়

* হায়রিবসিগী ভাবতি— তমোগুণনা হেন্বা, সত্ত্বগুণনা রাংপা হন্দবা, অমুগা রজোগুণনা মরক্তা লৈবা অমুগুম্বা জীবগী মচুনা মুই। হায়রিবা মচু অসি স্থাবর ওইবা, হায়মদি— লেঙদনা লৈবা জীবশিংগী মচুনি হায়না লৌনৈ। তমোগুণনা য়াম্না হেনগ্রবা, রজোগুণনা য়াম্না হন্দবা অমুগা সত্ত্বগুণনা মরক্তা লৈবা অমুগুম্বা জীবনা মৈথু মচু মাল্লি— য়াওথাংনৈ। মখোয় অসি শা উচেক্কী মপোক্তা পোকপা জীবশিংগী মচুনি হায়নৈ। রজোগুণনা য়াম্না হেনগ্রবা, সত্ত্বগুণনা রাখবা অমুগা তমোগুণনা মরক্তা লৈবা অমুগুম্বা জীবগী মচুনা শঙিঙ। মাসি তাইবংমীগী অরেপ্পা মচুনি হায়নৈ। মাসিগী ভাবতি— পৃথিবীদা লৈরিবা জীব পূৃরমক্কী মাগী মাগী সাধারণ ওইবা মচু পুম্নমকসি পূৃরগা মাতুদা তাবা মচুনি হায়বনি। সত্ত্বগুণনা ময়াম ওইবা থাক্তা লৈবা, তমোগুণনা থরা মন্থনা লৈবা মী অমুগী মচুনা মরক্কী হায়বদি— তাঙলৈনবা মচুগী ওই। মাসিনা অনুগ্রহ সৃষ্টি হায়না থঙনৈ। সত্ত্বগুণনা হেন্বা অমুগা রজোগুণনা হন্দবা, অমুগা

কৃষ্ণস্তু বর্ণস্তু গতির্নিকৃষ্টা স সজ্জতে নরকে পচ্যমানঃ।
স্থানং তথা দুর্গতিভিস্তু তস্য প্রজাবিসর্গান্ স বহূন্ বদন্তি ॥৩৭॥
শতং সহস্রাণি ততশ্চরিত্বা প্রাপ্নোতি বর্ণং হরিতং তু পশ্চাৎ।
স চৈব অস্মিন্ নিবসত্যনীশো যুগক্ষয়ে তপসা সংবৃতাত্মা ॥৩৮॥
স বৈ যদা সত্ত্বগুণেন যুক্তস্তমো ব্যপোহন্ ঘটতে স্ববুদ্ধ্যা।
স লোহিতবর্ণমুপৈতি নীলান্ মনুষ্যলোকে পরিবর্ত্ততে ॥৩৯॥

অসিনা তরামরিনি। করণ— খুংলায়নি। মখোয়গী তেদ অসিদগী গতি তরামরি ওইখি। গতিশিংসিগী তেদদগী বৃত্তি:তরশিং লৈখিবনা, হায়বদি— তেদ মথল লৈথখিবনা তেদ লথা তরামম্রি লৈখিবনি।) জীব অসি মথকৃথংবা লোকতা মথং মথং চংখি। মাতুঙ্গ হৌজিক হায়রিবা করণ— খুংলায়শিং অসিনা থোকুহনখিবনি। তোঙাল তোঙাযা মকমদা খর খর লেঙদনা লৈরবা অতুগু, অতুগা মাতুদগী অমুক লৈথ্য তাথখিবা অতুস্থ হায়রিবা কারণশিংসিগা মরী লৈনবনি। মাসি যাম চনীঙ তানা থঙগু। (মরম অতুনা হায়রিবা করণ তরানরি অসিবু সাত্ত্বিকমার্গরোমতদা মমায় ওনশিনহনখিগনবনি।) ॥৩৬॥

অমুবা মচুগী পতিদি য়াম্না হন্নবা মওংদা লৈ। মচু অসিগী জীবদি নরক ফংহন্নবা ওইবা তৌহৈনবা কর্মদা য়াম্না আসক্ত ওই। অতুনা মখোয়বু নরককী মৈদা থোজংতুনা মুনহল্লি। মতাক অঙনি ফত্তবা কর্মদা চঙশিনখিতুনা হৌজিক হায়খ্রিবা করণ— খুংলায় মরমশিংতুনা মরম ওইতুনা পাপকী থবক অতু তৌখিবনা চহী কয়া কয়া নরক্ত লৈ। অমুম্না মুনি ঋষিশিংনা হায় ॥৩৭॥

অতুগী তুংদা জীব অতু লথা লথারক হন্না, হায়বদি— চহী লথা লথা চুপ্পা নরকতা লৈরু চংলুরগা মৈথু মচুগী দেহদা— শা-উচেকশিংগী যোনিদা চঙখি। হায়রিবা মপোক অসি— মহাক লাম্নোক্লনবা উপায় লৈততুনা য়াম্না রানা পুন্‌শ লেল্লি। যুগনা অমুকমুক লোয়রকপদা অা মমাংতৈগী পুণ্যকর্মতগী অতুগা অকবা রাথলশিংতুগী সংস্কারনা ওক্রো ওইতুনা অরাবা খুদোংথৌরবা মফম অতুদগী লাম্নোরকই ॥৩৮॥

জীব অসিনা সত্ত্বগুণনা তিনবা মতমদা মশাগী বুদ্ধিতনা তমোগুণগী প্রবৃত্তিবু হায়বদি—চঙশিন্নীংবু তাম্নোক্লুনা মশাগী মঙল ওইনমবগী দমক্তা হোৎনবা হৌরকই। মতম অতুদা সত্ত্বগুণনা অসুমন্নুম হেন-

তমোগুণনা মরক্তী অবস্থাদা লৈবা অতু ওইরবদি মী মহাক্তী মচু অতু মাপুমচু হাইকেৎ মাল্লি। মাসি— দেবতাশিংগীসু সাধারণ ওইবা মচুনি। অতুনা মাসিবু দেবসর্গ, দেবসৃষ্টি কৌই। হায়রিবসিগী মতুংদা রজঃগুণনা মরক্তী ওইনা লৈমা, তমোগুণনা হন্নবা অতু ওইরবদি মচু অতু তৌই। মাসিবু কৌমারসৃষ্টি হায়না থঙনৈ। মতুংগী ভাবতি— চকচাংগী মপান্‌গী তোঙান্ তোঙানব মচুগী উনপানা আম্মাসিবু কৃষ্ণ মত্তে। সত্ত্ব, রজ, তম গুণ অহুম অসিনা হেন্দোক্‌হেঞ্জিন্ তৌনা কৃষ্ণতনি। মাহুমকন্নু লৈচিন্না নোংমা তুম্রিং-থাবু কৃষ্ণগুরনি। (কালাচাঁদ)

স তত্র সংহারবিসর্গমেকং স্বধর্মজৈর্বন্ধনৈঃ ক্লিশ্যমানঃ।
ততঃ স হারিদ্রমুপৈতি বর্ণং সংহারবিক্ষেপশতে ব্যতীতে ॥৪০॥
হরিদ্রবর্ণস্তু প্রজাবিসর্গাৎ সহস্রশস্তিষ্ঠতি সংচরন্ বৈ।
অবিপ্রমুক্তো নিরয়ে চ দৈত্য, ততঃ সহস্রাণি দশাপরাণি ॥৪১॥
গতীঃ সহস্রাণি পঞ্চ তস্য চত্বারি সংবর্তকৃতানি চৈব।
বিমুক্তমেনং নিরয়াচ্চ বিদ্ধি সর্বেষু চান্যেষু চ সম্ভবেষু ॥৪২॥
স দেবলোকে বিহরত্যভীক্ষ্ণং ততশ্চ্যুতো মানুষতামুপৈতি।
সংহারবিক্ষেপ শতানি চাষ্টৌ মর্ত্যেষু তিষ্ঠন্নমৃতত্বমেতি ॥৪৩॥

গৎলকপা মহাক অদু অঙাঙবা মচুগী দেহবু ফংঙি। (মাসিবু অনুগ্রহ সর্গ — সৃষ্টি হায়না থওনৈ। থম্মোয়গী তোঙান্ তোঙাবা হেনগৎলকপা মওংদা চঙহল্লকপগী, চঙনীংহনবগী মাপল পীদবা অনুগ্রহ তৌবিবা বিশেষ ওইবী দেবতা অদুগী তোপ তোপ্পা মমিংবু অনুগ্রহ খৌজাবিবা হায়না কৌই। তৌজিক হায়রিব মওং অসিদা লৈবা জীবনা সত্ত্বগুণদগী থিল্লং হল্লরকপ মওংদা শংবাল্লবা মচুগী দেহ ফংঙি। অদুদগী তাইবং মীওইবগী দেহদা— মনুষ্যলোকত হল্লং-হনবা চঙশরে ॥৪১॥

অদুদগী মহাক— জীব অসি মনুষ্যলোকতা চহী লিস্স মা চুপ্পা লৈবগী লেঙবা যাত্রবা ধর্মনা ফাজিন্ খিত্তুনা জরা মৃত্যুনাইংবগী অরাবা থুদোংথীবা কয়া কয়া থাজহনা তপ্পা তপ্পা মশাগী তপস্যাবু হেনগৎহনদুনা য়াইওং মচু মানবা তেজ পুবা দেবতাগী ভাব— মওং দা চঙহনকই। মফম অদুদগী চহী চা কয়া লৈরুরগা, মহাক্কী পুণ্যকর্মগী মহৈ চাবা লোইরগা, হায়বদি— পুণ্যকর্মশিংগী মুথৎলকপদা মনুষ্যলোক— তাইবং মীওইবগী মপোক্কী হল্লকই। মত্তো অসুম্না দেবলোকতগী মনুষ্যলোকতা, মনুষ্যলোকতগী দেবলোকতা অকা-অকুম তোল্লুনা লৈ ॥৪০॥

দৈত্য নিংথৌ। চহী কল্প লিশিং কয় চঙ্গনা হল্লকপবা জীব হায়বসিনা সংসারগী বিষয়ভোগ অসিদগী থক লাত্তোক্তে। চহী কল্প খুদিংমা তৌথি তৌনিংঙা কুর্ম লিশিংগী হৈহৎ চাঙনা জীবশিংনা তোঙান্ তোঙানবা গতি লিশিং তররামাগবু ফংঙি। তাইবং মীওইবগী মপোক লল্লুনা লা উচেকচিংবগী মপাক্তদি অরাবা ফুংভাইবসি থল্লনা অদুম মকাংঙি মথোংদি অমানবা পূভা— মুক্ত ফংনবগী তাঙ্গ অন্ত থক ফংদে। মা অসি নহাক য়াম্না মুন্না খঙগদবনি ॥৪১ ৪২॥

জীব অসি অতোং অথম লৈতনা দেবলোকতা হুংঙাইবা ফাংহন লৈ। অদুগা মাহুদগী অমুক্তা মপুং-থক্কুনা তাইবামীগী মপোক্কা চঙক্কই। অসুম্না জীব অসি তাইবামীগী মপোক্কা হল্লা হল্লা পোকচৈ লিরে। অদুগী তুংদা অকবা থবক অমা তৌকঙগা অমুক দেবলোক— দেবলোকতী মপোক অদু ফাংঙি। অসি-গুম্বা অবাগমন— হল্লং হনবগী চক্র অসিদা অত্তাপি ওসি ফাওবা তাহুন লৈরিবসি জীবশিংগী আথোইবা আধ্যাত্মিকজ্ঞান— ব্রহ্মজ্ঞান নত্রগা ঐকান্তিক-ভক্তিজ্ঞান ফংবা হায়বদু থক ওইবা য়াদে। অদু-

সোঽস্মাদথ প্রভৃতি কালযোগাৎ কৃষ্ণে তলে তিষ্ঠতি সর্ব্বকষ্টে।
যথা ত্বয়ং সিদ্ধ্যতি জীবলোকস্ততোঽশুভাং সাম্পরায়ং প্রভীম ॥৪৪॥
দৈবানি স ব্যূহশতানি সপ্ত রক্তো হরিদ্রোঽথ তথৈব শুক্লঃ।
সংশ্রিত্য সংধাবতি শুক্লমেতমষ্টাবরানর্চ্চ্যতমান্ স লোকান্ ॥৪৫॥
অষ্টৌ চ ষষ্টিং চ শতানি চৈব মনোনিরুদ্ধানি মহাদ্যুতীনাম্।
শুক্লস্য বর্ণস্য পরাগতির্যা ত্রীণ্যেব রুদ্ধানি মহানুভাব ॥৪৬॥
সংসারবিক্ষেপমনিষ্টমেকং চত্বারি চান্যানি বসত্যনীশঃ।
ষষ্ঠস্য বর্ণস্য পরাগতির্যা সিদ্ধাবসিদ্ধস্য গতক্লমস্য ॥৪৭॥

ঙং। ঐকান্তিক ভক্তিজ্ঞান অমসু ফংলবতদা জীব অসিনা পরমমুক্তিবু নত্রগা পরমাত্মা ওইবা হায়বসু ফংবা ওয়ি ॥৪৩॥

অসুরশিংগী অথোইবা নিংথৌ! জীব অসিনা মতমগী মচুংঙ্গা ফত্তবা কর্ম তৌরক্লুনা কম্ব করিগুম্বদা মর্ত্ত্যলোক আসংগীসু অমুক আ হুম্বা মপোক চঙথি। মথা ঈথং থংবা থাকী লম্দমদা অমুবা মচুদা— স্থাবরযোনিদা— উ বাগী মপোক্কা অমুম মপোকখ্রে। (মাসু য়ৌঅবদি তাইবংমীগী মপোক্কা কারুপা হায়বসি ওইথোক্তবা ওইনা লোকই।) মতৌ অসুম্না কাবা কুম্বা হায়বসিগী চক্রদা তাম্বুনা লৈনা লৈনা চক্র অসিদগী লাম্থোকপা— মুক্তি হায়বসু ফংবা ফংবগে হায়বসি ঐনা নত্তোন্দা হৌজিক হায়রি ॥৪৪॥

অমাংবা, নাপু, অতৌবা মচুশিংসিগী দেহদা মথংমীংবা চঙজুনা জীবশিং অসিনা শিক্লি শিক্লি দিব্য শরীর— লাইগী মপোক্কী হকচাংদা য়ৌথংলজুনা ভূ, ভুবর্লাংবা লোক তরেত্তা হজং-হন্দা চংতুন হায়া তৌরম তৌরম্বা পুণ্যকর্ম্মগী প্রভাবনা শাক্লু কম্না ব্রহ্মলোকতা চংথি ॥৪৫॥

পুক্চেল চাউরবা বৃত্রাসুর কৌব! প্রকৃতি, মহত্তত্ত্ব, অহঙ্কার অমসুগা বৈ, জীশিং, মুংশিংমচিংবসিগী তন্মাত্র মত্তা, মথোয় নিপাল অসি অমসুগা অতৌম্বা তত্ত্ব হুমফু * অমসুগা মথোয়গী লৈকম অমদি মওং চাম চাম অমসু যোগীশিংনা পুক্নীং ইন্দ্রিয়গী পাম্বৈতনা থিজুনা থমখিবা মওংদা লৈ। অমসুগা মথোয়না সত্ত্ব রজ তম গুণ অহুম অসিবুসু থিংও। মরম অমসুনা অতৌবা মচুগী সনকনচিংবা দিব্যপুরুষশিংনা ফংনথিবা অথোইবা গতি অমসু যোগীশিংনা ফংই ॥৪৬॥

অথোইবা মচুগী— অতৌবা মচুগী সাধকশিংনা ফংনখ্রিবা পতি অমসু ফংননবগী অধিকার অমসু মাওপ্রবা অমসুগা থবক্তি মহৈ য়ান্থিদ্রবা প্যাপ পুন্নমক্তি মাওপ্রবা অতুগুম্বা যোগী অমসু মাগী যোগগী শক্তিদগী

---

* জ্ঞান-ইন্দ্রিয় মঙা, কর্ম ইন্দ্রিয় মঙা মথোয় ইন্দ্রিয় তরা অসি মথোয়গী সাত্ত্বিক, রাজসিক, তামসিকাবস্থা শিংজুগী জাগ্রৎ, স্বপ্ন, সুষুপ্তি অহুমসিগী অমুক লৈরিবা তেলশিংজুগী অমময়দা মথল তরুক তরুক লৈ। মরম্ অমসুনা তরাগা তরুকা পুরিয়গা হুমফু ওই। (কালাচাঁদ)

সপ্তোত্তরং তত্র বসত্যনীশঃ সংসারবিক্ষেপশতং সশেষম্।
তস্মাদুপাবৃত্য মনুষ্যলোকে ততো মহান্ মানুষতামুপৈতি ॥৪৮॥
তস্মাদুপাবৃত্য ততঃ ক্রমেণ সোঽগ্রেণ সংতিষ্ঠতি ভূতসর্গম্।
স সপ্তকৃত্বশ্চ পরৈতি লোকান্ সংসারবিক্ষেপকৃত প্রভাবঃ ॥৪৯॥
সপ্তৈব সংহারমুপপ্লবানি সম্ভাব্য তিষ্ঠতি জীবলোকে।
ততোঽব্যয়ং স্থানমনন্তমেতি দেবস্য বিষ্ণোরথ ব্রাহ্মণশ্চ ॥
শেষস্য চৈবাথ নরস্য চৈব দেবস্য বিষ্ণোঃ পরমস্য চৈব ॥৫০॥

পোক্লকপা ঐশ্বর্য্য অদুগী মুংঙাইবা ফংলিবা অদুবু থাদোক্পা ওমত্রবদি মশানা পামত্রবা ফাওবদা চহী কয়া অমা চুপ্পা মহাক্না সাধনাগী মহৈ ওইনা মহলোক, জনলোক, তপলোক, সত্যলোক মখি অসিদা মথং মথং লৈরম্লগা মথৈথণ্ডদ মুক্তিবু ফংভি ॥৪৭॥

যোগসাধন অদু মপুংফানা পাঙথোক্পা ঙমখিত্রবা— যোগ কায়রবা যোগী মহাক অদুদি চহী কয়া অমা চুপ্পা মথক্না লোক তরেৎ অদুদা লৈ। অদুগা লৈগৌরিবা কর্ম্ম সংস্কারশিংদুগা লোয়নন্না লোক তরেৎ অদুদগী অমুক হল্লকুনা তাইবং মীওইবসিগী মপোক্কা, হায়রগীদুদগী হেন্না ফবা মপোক্কা, বিশেষ ওইবা শক্তি পুম্নমক্কা তিন্নুনা পোক্লে ॥৪৮॥

অদুদগী অমুক মীওইবা মপোক্কগী লাম্লোকখিদুনা মথং মথং অমুক হেন্না ফগংথিবা দেবতানচিংবগী পোক্লফমগী মাঃথৈদা চৎশিন্থি, অদুগা মায়া প্রভাব লৈবা মীশক অমা ওইদুনা লোক তরেৎ অদুগা হঙ্গৎ হন্দা চথোক্-চল্লিন্ তৌদুনা লৈ ॥৪৯॥

অদুদগী যোগী অদু ভূ, ভুব, স্বঃ মহ, জন, তপ, সত্য লোক তরেৎ অসি, মতম খরগীদমক লৈবনি কায়খিগদবনি হায়না খঙদুনা অমুক্লক্ হল্লা নীঙখিবা জ্ঞানগা লোয়নন্না, সংসারগী মায়া মোহনা কল্লিমত্তা চঙঙমদনা তাইবং মীওইবগী মপোক্কা খঙনা খঙনা লৈরে। অদুদগী মপান্গী হকচাং অসিনা চুমথবদা— থেক্ কায়রবদা মহাক অয়োইবা লৈত্রবা, মশক হাংবা মাঙবা লৈত্রবা অথোইবা ধাম— পরব্রহ্ম পদবীবু ফংভি। হায়রিবা ধাম অসি মশক তৌবা ধামদা হায়রগা— কনা কনাগুম্বগী মতদা মহাদেবগী কৈলাসধাম, কনা কনাগুম্বগী মতদা বিষ্ণুগী বৈকুণ্ঠধাম, কনা কনাগুম্বগী মতদা ব্রহ্মাগী সত্যলোক, অদুগা কনা কনাগুম্বগী মতদা শেষনাগগী অনন্তধামবুনি হায়নৈ। অদুগা কনা কনাগুম্বনম্তু জীবসিগী অথোইবা ব্রহ্মধামদুবুনি হায়। কনা কনাগুম্বনা মখম পুম্বনা শীনথুনা লৈবা, খম্নোয়দগী থোরকপা মতাংগী মশক ওইরবা পরব্রহ্মগী ধাম অদুনি হায় ॥৫০॥ *

---

* মাগী মাগী জাতি, সম্প্রদায়, সমূহ, দর্শনশাস্ত্র, শাস্ত্রগী মতুংইন্না, অয়োইবা ধাম অদুগী মমিংদি— মাগী মাগী লোল্ অদুগী মতুংইন্না খোমজিংবতা খেন্নমু। অদুগুম্বা ধাম অদু মৌনবা হোৎনবকপদা

সংহারকালে পরিদগ্ধকায়া ব্রহ্মাণমায়ান্তি সদা প্রজা হি।
চেষ্টাত্মনো দেবগণাশ্চ সর্ব্বে যে ব্রহ্মলোকে অপরাঃ স্ম তেঽপি ॥২১॥
প্রজাবিসর্গং তু স শেষকালে স্থানানি স্বান্যেব সরন্তি জীবাঃ।
নিঃশেষতস্তৎপদং যান্তি চান্তে সর্ব্বে দেবা যে সদৃশা মনুষ্যাঃ ॥২২॥
যে তু চ্যুতাঃ সিদ্ধলোকাৎ ক্রমেণ তেষাং গতিং যান্তি তথাঽনুপূর্ব্ব্যা।
জীবাঃ পরে তদ্বলতুল্যরূপাঃ স্বং স্বং বিধিং যান্তি বিপর্য্যয়েণ ॥২৩॥
স যাবদেবাস্তি স শেষভুক্ তে প্রজাশ্চ দেব্যৌ চ তথৈব শুক্লে।
তাবৎ তদঙ্গেষু বিশুদ্ধভাবঃ সংযম্য পঞ্চেন্দ্রিয়রূপমেতৎ ॥২৪॥

জ্ঞানগী বৈনা মাগী সূক্ষ্ম শরীর, কারণ শরীর, স্থূল শরীর হকচাং মথল অহুম অসিবু চাঙথরবা ওইরবা অহুগুম্বা জীব মহাক অদুদি প্রলয়গী মতমদা হায়রবদি— হকচাং মথল অহুম অসিনা থুপথরবা তুংদা পরব্রহ্ম— পরমাত্মাবু ফাংই। ব্রহ্মলোকতগী মগাগী লোকশিংদা কুমথরক্লবা জ্ঞানী ওইরবা মথোয় অহুম হায়রিবা জ্ঞানসিগী পাইবনা প্রলয়গী মতুংদা পরব্রহ্ম পরমাত্মা মহাক্তা ফংবা ঙম্মি ॥২১॥

প্রলয়গী মতমদা— অন্তকালদা দেহতাগী জ্ঞানপু ফাংথরবা অদুগা মশাগী তৌথিরবা কর্ম্মশিংদুগী মহৈবু চাবা লোইরিদ্রিংগী মমাংদা প্রলয় ওইরবা হায়রবদি শিথরবদি কল্প অমগী মতুংদা অতোপ্পা প্রজাশিংগী সৃষ্টি ওইরবদা মাগী হান্নগী চাবা লোইদ্রবা কর্মগী মহৈশিং অদুবু চারগে হায়বগী দমক মাগী হান্নগী মকম মওং অদুদা চংলক্তে— ফংলক্তে। অদুগা অতোপ্পা মতমগী কল্প অমদা মাগী কর্ম্মফলবু চাবা লোইরবা মহাক অদুদি স্বর্গলোক অমগী মাংথরদ, তুংদদু অতোপ্পা কল্প অমদ, হায়বদি জগৎকী অতোপ্পা থুংশেম অমদা, মহাক্না ঈশ্বর্ হাল্লা তৌথিরব কর্মদুগা মান্নবা— কর্মদুগা মপাচাবা তাইবংমীগী মপোক্ত। অতোপ অতোপ্পা জীবগানবশিংনা পোক্লকই ॥২২॥

সিদ্ধলোকতগী কবিগুম্বা মরম অমদগী মর্ত্যলোকতা তাবক্লবা যোগী অদুদি অদুগা মাগুম্বা অতোপ্পা বিবশদা যোগীগা চপ্ মান্নবা কর্ম তৌগল্লগা যোগী মহাক অদুসু লোক অমদগী লোক অমদা অহুম মথং কাথ খিদ্রবা অহুম ওইবা সিদ্ধপুরুষশিংগী গতি— থুঙই অদু ফাংই। অদুগা তৌবা শুনদবশিং অদুদি— জন্ম-তৈনবা মওংদা তোঙান্ তোঙান্না গতিবু শংথি ॥২৩॥

ঈশোং শেংবা মওংগী সিদ্ধ ওইথরবা অদুগুম্বা সিদ্ধপুরুষ মহাক অদুদি কর্ম্ম পুন্নমক্কী কারণগী মশক ওইদুনা লৈরিবা ইন্দ্রিয় মঙা অসিবু লাকশিল্লদুনা— শুদ্ধম চন্দুনা নহানমুক্কী কর্মগী মহৈবু চাদুনা লৈরিবা

হায়রিব চঙথিরবা মচাক, থাক্, খুৎলায়, ইন্দ্রিয় বিষয়শিংগী মমীং থীনথিরবা অদুগা উথিরবা মওং থোরমপুন্বা অদুদি তাইবংমী পুন্নমক্কী লেপ্তবা যাদ্রবা সিদ্ধাত্মনি। মাসিগী মওং মমী লৈরিবা বৃত্তিশিং অসি অমা কদায় থাওবা অহুম নৈনমকপদা মৌবা তন্মকত্রব কালদ। ঈশ্বর লৈতে হায়বা নাস্তিকশিংগী মত মতুংইন্না নাস্তিক

তস্মাৎ গতিং তাং পরমাং পরৈতি শুদ্ধেন নিত্যং মনসা বিচিন্বন্।
ততোঽব্যয়ং স্থানমুপৈতি ব্রহ্ম দুষ্প্রাপ্যমভ্যেতি স শাশ্বতং বৈ ॥৫৫॥
ইত্যেতদা খ্যাতমহীনসত্ত্ব নারায়ণস্যেহবল ময়া তে ॥৫৬॥

বৃত্র উবাচ।

এবং গতে যেন বিষাদোঽস্তি কশ্চিৎ সম্যক্ স পশ্যামি বচস্তথৈ তৎ।
শ্রুত্বা তু তে বাচমহীনসত্ত্ব বিকল্মষোঽস্ম্যদ্য তথা বিপাপ্মা ॥৫৭॥
প্রবৃত্তমেতৎ ভগবন্ মহর্ষে মহাদ্যুতেশ্চক্রমনন্তবীর্য্যম্।
বিষ্ণোরনন্তস্য সনাতনং তৎ স্থানং সর্গা যত্র সর্ব্বে প্রবৃত্তাঃ ॥
স বৈ মহাত্মা পুরুষোত্তমো বৈ তস্মিন্ জগৎ সর্ব্বমিদং প্রতিষ্ঠিতম্ ॥৫৮॥

অদুক্কী মথৈ মহাক্কী হকচাংদা প্রজা পুম্নমক্কী হায়রবনি— ইন্দ্রিয়শিং অসিবু পুন্নিবা অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিংদুগী অদুগা মাগী পন্না অপন্না বিদ্যা অদুগী চপচাবা লৈফমদা লৈ ॥৫৪॥

মান্না পুকচেল শেংনা অসিতথা পন্নমগতিবু থিদুনা লৈন্নিবা— থিন্নিবা যোগী সাধক মহাক অদুদি— মহাক্কা থিন্নিবা পন্নমগতি অদুবুত মফংতি। অদু ফংলবা ভুংদা মশক মওং হোংবা লৈত্রব, অমাঙ অত্তা লৈত্রবা ব্রহ্মগী পদবীবু ফংখিদুনা মফম অদুমক্তদা লেপ্তদনা লৈথি ॥৫৫॥

থোইদোক্লা পাঙ্গল্লবা লৈত্যনিংথৌ! মতাং অসিদা এনা অসুম্না ভগবান্ নারায়ণগী মতীক মথৌনা অমদি মপাঙ্গলগী মরমদা লোইনা হায়রবনি ॥৫৬॥

বৃত্রাসুরনা হায়,— পুকচেল চাউরব মহাজ্ঞানী সনৎকুমারজী। হায়বিন্নিবা তাকৃপিন্নিবশিং অসিনা অদুম্নমক্তা ওইরবদি সনা-লুপা, মণি-মুক্তা, রাজ্য-সিংহাসন মিংচৎনচিংবা মাওথিবগী অন্নাবা মুংঙাইতবা— নীঙথমদবা কন্নিমত্তা লৈজত্রে। মহাজ্ঞানীনা তাকৃপিন্নিবা পাউতাকৃশিং অসি লোইনা তাজরে, লৌ'সু লৌজরে। তাকৃপিন্নিবশিং অসি তাজবদা এনা তৌখিবা পাপকর্ম পুম্নমক্কী দোষসু লোইনা চামথোকুত্রে হায়না ইশাদা ফাওরে ॥৫৭॥ ভগবন্! হে মহর্ষি! তেজ কল্লব', ওংখৈ নাইত্রবা, মফম পুম্নমক্তা শীন্-খুনো

মত হায়বা অমা লৈত্রিবসিনি। উন্নিবা তান্নিবা পোৎ থুদিংমক্কী মচুংদা মপান্দা উদবা, তাবা ফংদবা, শোকপা য়াদবা পোৎ অমমম্ লৈরি। মথোয়গী লৈবনা উবা য়াবা, তাবা য়াবা পোৎ অসিসু লৈবা য়াব্রিবনি। মশক উদবা কাংথোল, চৌকিনচিংবসু মাগী মচুংদা লৈবনা উপাদ্বী অসি উবা য়াবা পোৎশক্ অমা ওইনা লৈবা য়াব্রিবনি। হৌজিক লৈত্রিবা, উত্রিবা পোৎশিং অদুবু লৈহনগে লৈহল্লোই হায়বদুদি— উ পান্নিবা— শুন্নিবা মাগী জ্ঞানশক্তিগী মতুংইন্না লৈগে। লৈহনগদবা মানা লৈতে হায়বগা লৈহনবা ওন্নিবা লৈহজিবা মীচুগী মীচুগী মফমদদি লৈতবা থক্ য়ারোই। লৈ লৈতে হায়রিবসি মা মাগী জ্ঞানগী সীমাগী মতুংইন্না হায়জবতনি। অদুবা শিবধাম, বৈকুণ্ঠধাম, ব্রহ্মধাম অসিনচিংববু মাগী জ্ঞানগী শক্তিনা উন্নিবদুগী মফমদা উদবা অমনা 'লৈতে' থক্ হায়রুবা য়ারোই। (কালাচাঁদ)

ভীষ্ম উবাচ।

এবমুক্ত্বা স কৌন্তেয় বৃত্রঃ প্রাণানবাসৃজৎ। যোজয়িত্বা তথাঽঽত্মানং পরংস্থানমবাপ্তবান্ ॥৫৯॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অয়ং স ভগবন্ দেবঃ পিতামহ জনার্দ্দনঃ। সনৎকুমারো বৃত্রায় যত্তৎখ্যাতবান্ পুরা ॥৬০॥

ভীষ্ম উবাচ।

মূলস্থায়ী মহাদেবো ভগবান্ স্বেন তেজসা। তৎস্থঃ সৃজতি তান্ ভাবান্ নানারূপান্ মহামনাঃ ॥৬১॥

তুরীয়াংশেন তস্যেমং বিদ্ধি কেশবমচ্যুতম্। তুরীয়ার্দ্ধেন লোকাংস্ত্রীন্ ভাবয়ত্যেব বুদ্ধিমান্ ॥৬২॥

অর্ব্বাক্‌স্থিতস্তু যঃ স্থায়ী কল্পান্তে পরিবর্ত্ততে। স শেতে ভগবানপ্সু যোঽসাবতিবলঃ প্রভুঃ।

তান্ বিধাতা প্রসন্নাত্মা লোকাংশ্চরতি শাশ্বতান্ ॥৬৩॥

সর্ব্বাণ্যশূন্যানি করোত্যনন্তঃ সনাতনঃ সঞ্চরতে চ লোকান্।

লৈরিবা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী শক্তি কল্লবা সংসারচক্র অসিনা মাগী খুন্দাম্বীনা অন্ত-অখম লৈতনা ভত্তবা লৈহনা লৈরি। ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী সনাতন ওইবা লেংদ্রবা মফমন্থংগী সৃষ্টি পুম্নমকসি শন্দোকখ্রিবনি। মহাত্মা ওইরবা পুরুষোত্তম মাগী মথক্তা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসি থিন্দুনা লৈরিবনি ॥৫৮॥

ভীষ্মনা হায়,— কুন্তীগী মচা যুধিষ্ঠির! অসুম্না হায়রগুনা বৃত্রাসুরনা মশাগী দেহথুংদা লৈরিবা— আত্মাবু পরমাত্মাদা তিনহনখিহনা, পরমাত্মা মহাকপু খ্যান তৌন তৌনা মথরায় থামি, অমুগা পরমেশ্বর পরমাত্মাগী থাবু ফংখি ॥৫৯॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুংধৌ। মমাংঙৈন মহাত্মা সনৎকুমারনা বৃত্রাসুরগী মফমদা লৌখিবা— ভগবান্ শ্রীবিষ্ণু হায়রিবসি এখোয়গী তৌক্তিক লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণ অসিমক নত্রদো ঈবুংধৌ? ॥৬ ॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! খাইগী মরু ওইনা লৈরিবা দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা খাইদগী শিংবা লৈবা মহাক্তি শ্রীভগবান্ নারায়ণনি। থম্মোয়তগী মশক ওইবা মওংদা লৈতুনা মহাক্না অচচত্তনা থম্নবা বিশ্বজগৎ অসি শেম্মি ॥৬১॥

মশাগী মতীক মগুণদগী করিমতা হম্হনবা, মতীক মগুণতুনু থদোক্লবা শ্রীভগবান্ শ্রীকৃষ্ণসি শ্রীবিষ্ণু (নারায়ণ) গী শরূক মরিগী শরূক অমনি হায়না খঙ্‌ঙু। বিষ্ণুগী শক্তিগী শরূক মরিগী শরূক অমহুনা শ্রীকৃষ্ণনা মরোল অহুম অসিগী সৃষ্টি তৌরিবনি ॥৬২॥

মকম মতম পুম্বদা লেঙদনা লৈরবা নারায়ণ (বিষ্ণু) মহাক্তি প্রলয়গী মতুংদসু অহুন্নক লৈতৌই। অহুম ওইবা থোইনা মতীক মগুণ চাউরবা নারায়ণ বিষ্ণু মহাক্তি মরু অমমমগী মতুংদা ঈ কথক্তা শয্যা শেমহুনা হেক্ হেক্ চম্মি। হুমিৎচুপ্পা ঈশেক্ত পেঙ্গহুনা লৈবগী মূর্ত্তি অমদি মায়থোং পুরবা মহাক্তি পুম্নমক্কী অশেম্বা মপু ওইহনা লোক পুম্বা মতম অমত্তনা ঈথৌ যৌনা কোয়চৎ চৎহুনা লৈ ॥৬৩॥ মতম পুম্বদা

স চানিরুদ্ধঃ সজতে মহাত্মা তৎস্থং জগৎ সর্ব্বমিদং বিচিত্রম্ ॥৬৪॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

বৃত্রেণ পরমার্থজ্ঞ দৃষ্টা মনোঽত্মনো গতিঃ। শুভা তস্মাৎ স সুখিতো ন শোচতি পিতামহ ॥৬৫॥

শুক্লঃ শুক্লাভিজাতীয়ঃ সাধ্যো নাবর্ত্ততেঽনঘ। তির্য্যগ্‌গতেশ্চানমুক্তো নিরয়াচ্চ পিতামহ ॥৬৬॥

হারিদ্রবর্ণে রক্তে বা বর্ত্তমানস্তু পার্থিব। তির্য্যগেবানুপশ্যেত কর্ম্মভিস্তমসৈর্বৃতঃ ॥৬৭॥

বয়ং তু ভৃশমাপন্না রক্তা দুঃখসুখেঽসুখে। কাং গতিং প্রতিপৎস্যামো নীলাং কৃষ্ণাধমামথ ॥৬৮॥

ভীষ্ম উবাচ।

শুদ্ধাভিজনসম্পন্নঃ পাণ্ডবাঃ সংশিতব্রতাঃ। বিহৃত্য দেবলোকেষু পুনর্মানুষমেষ্যথ ॥৬৯॥

পুন্নমক্তা মাওবা লৈতনা লৈরবা, অরোইবা ভমখৈ লৈত্রবা, শ্রীহরি মহাক্তি কারণ ওইরিবা পোৎ পুন্নমক্তা সত্তা (লৈবা) অমদি শক্তি অনী অসি পীটুনা লীলাগী মশক ওইবা হকচাং অসি পুটুনা লোক পুন্নমক্তা কোয়ো য়োটুনা লৈ। মহাক্কী গতি (খোঙচং) বু কনাগুম্বা করিগুম্বা অমতনা থিংবা অমদি পলহনবা ওমদে। বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড শীন্থুনা লৈরিবা মহাক্তনা জগৎ অসিবু শেম্বিখিবনি ॥৬৪॥

পোৎ খুদিংগী অরোইবা তত্ত্ববু মুন্না খঙলবা ঈবুধৌ। বৃত্রাসুরনা আত্মাগী থাঙ্গেশংবা তত্ত্ববু মুন্না উর-খঙলদুনা ঈংঙত লুঙাইদুনা লৈখিবনি। অদুনা করিগুম্বা বিষয় অমগী অরাবা নুংঙাইতবা অসি মশানা লৈখিদবনি হায়না খল্লে ॥৬৫॥

পাপকী শরাক য়াওদ্রবা ঈবুধৌ। শেংলবা অসুরবংশদা পোক্লবা মনমচং ব্যবহারদা শুম্বোক্লা শেংগবা বৃত্রাসুরনি। ঐনা অসুম খন্‌বা মহাক অসি সাধ্য কৌবা দেবতাদু ওইরম্বা তাই। মরম অদুনা মহাক সংসারদা অমুক হল্লকখিদ্রে। মহাক অদু শা উচেক্কী মপোক্তা অমুক পোক্লগদবদগীসু লাম্থোক্লুনা চৎথ্রবনি ॥৬৬॥

পৃথিবী পুম্বগী মপু! ঈবুধৌ। নাপু মচুগী দেবতাগী সৃষ্টিনা অতাওবা মচুগী অন্নগ্রহ কৌবা সৃষ্টিদা লৈরিবা জীবপান্‌বশিংনা করি করিগুম্বা মতমদা তমোগুণনা কুপখিদুনা তির্য্যগ্‌যোনিদা, হায়রবদি — শা উচেক্কী মপোক্তা পোকউবা য়াই ॥৬৭॥

ঐখোয়দি অশুক্ অরাবা খুদোংথীবা কয়ানা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা লৈরি। অরা লুংঙাইবনা য়ানুথায় নবগী অবস্থাদা নত্রগা অরাবা পীনীঙতায়তগী মশক অমদি মরম ওইবা বিষয়দা পুক্নীং চঙদুনা লৈরি। অসিগুম্বা অবস্থা অসিদা লৈরিবা ঐখোয়সিনা ওইরুগদবা মওং অসি খল্লুবদা অকিবা চিংনবা পোক্‌ই। করি ওইরুগদগে খঙদ্রে। চন্দক্কী মপোক্‌সিদগী শংবান্নবা অমুবা মচুগী তাইবংমীগী মপোক্তা পোকলুগদৌরিব্রা নত্রগা মুম্ববা মচুগী উ বাগী স্থাবর কৌবা যোনিদা পোক্লগদৌরিব্রা ? অরাবা খুদোংথীরবা তীল-কাঙগী মপোক্তা চঙগদৌরিব্রা খঙদ্রে ॥৬৮॥ ভীষ্মনা হায় যুধিষ্ঠির ! নখোয়সে শেংলবা বংশদা পাণ্ডুগী বংশদা পোক্লবনি।

প্রজাবিসর্গং চ সুখেন কালে প্রত্যেত্য দেবেষু সুখানি ভুক্‌ত্বা।
সুখেন সংযমাৎ সিদ্ধসংখ্যাং মারোত্তমং ভূৎ বিমলাঃ স্ম সর্ব্বে ॥৭০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
বৃত্রগীতাসু পঞ্চসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৫॥

——:():——

ব্রত উপাসনা মথল মথমা তিল্লবা ইমুংদা পোক্লবা ওাক্কনি। অহুনা দেবতাশিংগী মুংওাইনা পোকলুরগা অমুকহল্লা ওাইবং মীওইবগী মপোক্লা পোক্লগদবনি ॥৬৯॥

নখোয় পুন্নমক নিয়ম-বিধি কায়দনা, মায়া মুংওাইরবা অবস্থাদা লৈহনা মর্ত্ত্যলোকসিদা নচা মশু থান্না থম্মগা দেবতাশিংগী মপোক্তা পোকলুরগদবা ওাক্কনি। অমাবা খুদোংথীবা কংগনি হায়বগী চিংনবা অমদি অকিবা থক্ তৌরোইদৌবনি। মরমদি— নখোয় নচাশুরাও পুন্নমক পুকচেল শেংলবা, মকুত্রবা মীশম্ মতকনি ॥৭০॥

মরুম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা বৃত্রগীতাগী চনীহুম্‌ফুতরামঙাঙবা অধ্যায় লোইয়ে ॥২৭৫॥

——:(※):——

মণিপুরী মহাভারত

ষট্‌সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(ইন্দ্রগা বৃত্রাসুরগা অনীগী লান)

চনীহুম্‌ফুতরাঅরুকশুবা অধ্যায়।

——:(※):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অহো ধর্ম্মিষ্ঠতা তাত বৃত্রস্যামিত তেজসঃ। যস্য বিজ্ঞানমতুলং বিষ্ণোর্ভক্তিশ্চ তাদৃশী ॥১॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ঈবুংথৌ! চাংলম্ঙ ওওায় লৈত্রবা তেজনা মাগী ওইরবা, বৃত্রাসুর হায়বহুগী ধর্মদা পুক্নীং চঙবহুসু অওকপনি। মহাক্কী বিজ্ঞান নিঙ্গথু অমগীগা চাংলম্ঙ ওওায় লৈখিত্রবনি। অহুগা ভগবান্ বিষ্ণুদা লৈবা— থম্মা মাগী ভক্তি শ্রমাহু খ্যাদগী অমাংবা থাক্তা লৈখিত্রবনি ॥১॥

দুর্বিজ্ঞেয়ং পদং তাত বিষ্ণোরমিততেজসঃ। কথং বা রাজশার্দূল পদং তু জ্ঞাতবানসৌ ॥২॥
ভবতা কথিতং হ্যেতচ্ছ্রদ্দধে চাহমচ্যুত। ভূয়স্তু মে সমুৎপন্না বুদ্ধিরব্যক্তদর্শনাৎ ॥৩॥
কথং বিনিহতো বৃত্রঃ শক্রেণ পুরুষর্ষভ। ধার্ম্মিকো বিষ্ণুভক্তশ্চ তত্ত্বজ্ঞশ্চ পদান্বয়ে ॥৪॥
এতন্মে সংশয়ং ব্রূহি পৃচ্ছতস্তু নরর্ষভ। বৃত্রস্তু রাজশার্দূল যথা শক্রেণ নির্জ্জিতঃ ॥৫॥
যথা চৈবাভবৎ যুদ্ধং তচ্চাচক্ষ্ব পিতামহ। বিস্তরেণ মহাবাহো পরং কৌতুহলং হি মে ॥৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

রথেনেন্দ্রঃ প্রয়াতো বৈ সার্দ্ধং দেবগণৈঃ পুরা। দদর্শাথাগতো বৃত্রং ধিষ্ঠিতং পর্ব্বতোপমম্ ॥৭॥
যোজনানাং শতান্যূর্দ্ধং পঞ্চোচ্ছ্রিতমরিন্দম। শতানি বিস্তরেণাথ ত্রীণ্যেবাভ্যধিকানি বৈ ॥৮॥
তৎ প্রেক্ষ্য তাদৃশং রূপং ত্রৈলোক্যেনাপি দুর্জ্জয়ম্। বৃত্রস্য দেবাঃ সন্ত্রস্তা ন শান্তিমুপলেভিরে ॥৯॥
শক্রস্য তু তদা রাজন্নূরুস্তম্ভো ব্যজায়ত। ভয়াৎ বৃত্রস্য সহসা দৃষ্ট্বা তদ্রূপমুত্তমম্ ॥১০॥

ঈবুধো। ভমথৈ লৈত্রব দেজ পুরু শ্রীবিষ্ণুগী স্বরূপকী ভক্তবু লোইনা খঙবস্থ ওইথোক্লবনি। নিংথৌ অথোইবা ঈবুধো! বৃত্রাসুরনা শ্রীবিষ্ণুগী অতুম ওইবা অথোইবা পদ— খুভম্ করম হায়না খঙ-থিবা— ফংখিবা? মাসি যাম্না অঙকপা অমা ওইনা থোক্‌ই ॥২॥

ঘটনাসিগী মরমদা ঈবুধোনস্থ অমুক মরীহিথ্রে। মাতু ঐনা যাম্না থাজজে। ঈবুধোদি অতুম্বা হায়বা অতুম্বা থবক তৌবদগী থুবৈ নাম ত হাইদোক্পিদবনি। অতুগা ঐনা কৌজিক হংজখ্রিবসিগী মরমদদি ঐ মাথৈথেংনা তাক-খঙজখ্রি। অতুনা অমুক হংজনীংবগী রাথল অদো খঙকৌদনা পোকথ্রে ॥৩॥

নিপা অথোইবা ঈবুধো! ধর্মাত্মা ওইরবা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগীস্থ ভক্ত ওইরবা, বেদ বেদান্ত পুম্নমক্তা ভত্ত্ব মরেক্ খুদিংগী খঙলম্বা অতুগুম্বা বৃত্র কৌবা মহাকপু ইন্দ্রনা করম হায়না মাঙথীবা পীখিবগে ॥৪॥

ভরত-খ্যাগেগী লৈঙেং। নিংথৌ অথোইবা। ঈবুধো! ঐ মাসি যাম্না পুক্নীং শেংনা হংজরিবনি। ঐগী চিংনজরিবসি অনুক্তা কোকহন্‌বিয়ু। ইন্দ্রনা করম হায়না বৃত্রাসুরবু মাঙথীবা পীখি? ॥৫॥

কন্নবা ঈবুধো! করম হায়না ইন্দ্রগা বৃত্রাসুরগা অনীগী মরক্তা লাঞ্জাও পোকথিবা? মাসি সন্-দোক্না অমুক্ত লীথবিয়ু। মাসিগী মরমদা ঐ ওস্থোক্না তাজনীংথ্রে ॥৬॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! যাম্না কুইথ্রবা রানি, নোংমা ইন্দ্র অসি রথদা তোংদুনা লাইরাম থিবিক্তা লোয়নবা বৃত্রাসুরগা থেংনগে হায়না চংখি। অতুম্না চংখরদা চীঙজাও অমগী মতৌগুম্না মখাংমেক্তনা— লেপ্লুনা লৈবা বৃত্রাসুরবু ইন্দ্রনা উখি ॥৭॥

য়েক্লবা ওস্বা নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! মহাক্ত রাংবসি যুথক চামঙানি। যুথক চহুম্নোম্না মাগী নোয়য়বা ছুকচাংগী মকোয়'ন ॥৮॥

মাগী শাওং-শাদা অহু মরোল অহুম্না ভঙ্কস্রবা মওং অমা পুই। মাতু দেক্ উবদা লাই পুম্নমক্তু পুমগুক্ ওকথ্রে - কিরে। দেবতা খুদিংমকুগী থম্মোয়দা অকবা দিপাংবা পোকখি। কনা অমত্তগী থম্মোয়দা অঙীংবা— শান্তি লৈখিদে ॥৯॥ নিংথৌ! বৃত্রাসুরগী রাং চাউরবা মওং মতৌ মশক্ অহু উবদা

ততো নাদঃ সমভবৎ বাদিত্রাণাং চ নিঃস্বনঃ। দেবাসুরাণাং সর্ব্বেষাং তস্মিন্ যুদ্ধে হ্যুপস্থিতে ॥১১॥
অথ বৃত্রস্য কৌরব্য দৃষ্ট্বা শক্রমবস্থিতম্। ন সম্ভ্রমো ন ভীঃ কাচিদাস্থায় বা সমজায়ত ॥১২॥
ততঃ সমভবৎ যুদ্ধং ত্রৈলোক্যস্য ভয়ঙ্করম্। শক্রস্য চ সুরেন্দ্রস্য বৃত্রস্য চ মহাত্মনঃ ॥১৩॥
অসিভিঃ পট্টিশৈঃ শূলৈঃ শক্তিতোমরমুদ্গরৈঃ। শিলাভির্বিবিধাভিশ্চ কার্ম্মুকৈশ্চ মহাস্বনৈঃ ॥১৪॥
শস্ত্রৈশ্চ বিবিধৈর্দিব্যৈঃ পাবকোল্কাভিরেব চ। দেবাসুরৈস্ততঃ সৈন্যৈঃ সর্ব্বমাসীৎ সমাকুলম্ ॥১৫॥
পিতামহ পুরোগাশ্চ সর্ব্বে দেবগণাস্তথা। ঋষয়শ্চ মহাভাগাস্তদ্ যুদ্ধং দ্রষ্টুমাগমন্ ॥১৬॥
বিমানাগ্র্যৈর্মহারাজ সিদ্ধাশ্চ ভরতর্ষভ। গন্ধর্ব্বাশ্চ বিমানাগ্র্যৈরপ্সরোভিঃ সমাগমন ॥১৭॥
ততোঽন্তরিক্ষমাবৃত্য বৃত্রো ধর্মভৃতাং বরঃ। অশ্মবর্ষেণ দেবেন্দ্রং সমাকিরদতিক্রুতম্ ॥১৮॥
ততো দেবগণাঃ ক্রুদ্ধাঃ সর্বতঃ শস্ত্রবৃষ্টিভিঃ। অশ্মবর্ষমপোহন্ত বৃত্রপ্রেরিতমাহবে ॥১৯॥
বৃত্রস্তু কুরুশার্দূল মহামায়ো মহাবলঃ। মোহয়ামাস দেবেন্দ্রং মায়াযুদ্ধেন সর্ব্বশঃ ॥২০॥

কিবনা দেবেন্দ্র — ইন্দ্রগী মশোড মথুং লোনা চিংনিন্থ্রে — ফকচিন্থ্রে ॥১০॥ অকিবগী মশক কংলবা লাঞ্জাও অহুনা হেক লৌগংলকপদ লাই হিংচাবা মাবৈগ অনীগী লাসগী পুং-শল যন্ত্রশিংগী মখোল্বা অকিবা কংনা পুম্নাল নিন্থ্রে ॥১১॥

কুরু-নন্দন! ইন্দ্রনা ঈচাউ চাউনা লেপ্লুনা লৈবতু উবদা বৃত্রগী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা থুক্পা কম্বিমত্তা পোকখিদে। ইন্দ্রগা মুখামুখি ওইনা থেংনবগী রাথলবু শৃক্কো তৌদনা থোশাদনাহুম লৈথোক্লম্মি ॥১২॥

অহুদগী ওহাক্ লৈরবা তুংদা অনীসিনা মমায় মমায় শনশিন্নহুনা থেংনরকপা মতমদা মরোল অহুমদা লৈরিবা জীবশিংগী থম্মোয়দা পুক্নীংদা অকিব, মিপাইব, তুক্কুংবা পোকখি ॥১৩॥

থাঙপাং, থাঙপাক্, ত্রিশূল, তা তোমর (লোটৈম অতেন্‌বঙ্খ্বা খুংলায়), যোচ্চুক্, হুম্মনবা—লানেনবা মখল মখলগী মও: মতৌ পুবা ত্রোংতুম নুংশুং অকিবা মখোলগা লোয়ননা লীরী খিলকপগী থোক্লেলগা লোয়নরবা লীথং মপৈ, লাইরেপাক্কী খুংলার মখল মখলনা থল্লবা লাই হিংচাবশিংগী লাম্মী মপৈ মপৈনা অতিয়া মকোয় অসি পুম্নকুপ কূপখ্রে ॥১৫॥

ভরত-শাগৈগী লৈতেংগী মশক ওইরবা নিংথৌ! ব্রহ্মানচিংবা দেবগণশিং, ঋষি মুনিশিং, সিদ্ধ সাধ্য অপ্সরা গন্ধর্ব্বশিং পুম্নমক অসি মাগী মাগী বিমানথক্তা তোংখৎনহুনা লাঞ্জাও অহু য়েংবা থোক্লম্লে ॥১৬॥

মতম অদুদা ধর্মাত্মাশিংগী অথোইবা বৃত্রাসুরনা অকাশগী মকম পুম্বদা পুম্থৌ য়োম্না শাম্না হাথু হাথুনা ইন্দ্রগী কোকশক্তা নুংতগী নোং মরী মরী হৈথরক্লে ॥১৮॥

মাহু উবদা স্বর্গগী লাইরাম অসি য়াম্না শাউনরক্লে। মখোয়না কাপশিন্নকপা থৌর থৌয়বা তেলগী মপৈ মপৈনা বৃত্রাসুরগী নুংনাংগী মরীশিং অহু লোইনা কক্কুনা থুগাইহুনা থাদখি ॥১৯॥

কুরু-শাগৈগী অথোইবা! মহামায়া হৈরবা, মহা ওইনা কল্লবা বৃত্রাসুরনা মায়গৈ পুম্বদগী মায়াগী-লাল হৌদোক্লকুনা ইন্দ্রবু তুম্বং-লাংদা থাদখি ॥২০॥

তস্য বৃত্রার্দিতস্যাথ মোহ আসীচ্ছতক্রতোঃ। রথন্তরেণ তং তত্র বশিষ্ঠঃ সমবোধয়ৎ ॥২১॥

বশিষ্ঠ উবাচ।

দেবশ্রেষ্ঠোঽসি দেবেন্দ্র দৈত্যাসুর নিবর্হণ। ত্রৈলোক্যবলসংযুক্তঃ কস্মাচ্ছক্র বিষীদসি ॥২২॥

এষ ব্রহ্মা চ বিষ্ণুশ্চ শিবশ্চৈব জগৎপতিঃ। সোমশ্চ ভগবান্ দেবঃ সর্ব্বে চ পরমর্ষয়ঃ ॥২৩॥

সমুদ্বিগ্নং সমীক্ষ্য ত্বাং স্বস্তীত্যুচর্জয়ায় তে। কা কার্যঃ কশ্মলং শক্র কশ্চিদ্দেবেতরো যথা ॥২৪॥

এষ লোকগুরুস্ত্র্যক্ষঃ সর্ব্বলোক নমস্কৃতঃ। নিরীক্ষতে ত্বাং ভগবাং স্ত্যজমোহং সুরাধিপ ॥২৫॥

এতে ব্রহ্মর্ষয়শ্চৈব বৃহস্পতি পুরোগমাঃ। স্তবেণ শক্র দিব্যেন স্তুবন্তি ত্বাং জয়ায় বৈ ॥২৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

এবং সম্বোধ্যমানস্য বশিষ্ঠেন মহাত্মনা। অতীব বাসবস্যাসীৎ বলমুত্তমতেজসঃ ॥২৭॥

ততো বুদ্ধিমুপাগম্য ভগবান্ পাকশাসনঃ। যোগেন মহতাযুক্তস্তাং মায়াং ব্যপকর্ষত ॥২৮॥

ততোঽঙ্গিরঃ সুতঃ শ্রীমাংস্তে চৈব সুমহর্ষয়ঃ। দৃষ্ট্বা বৃত্রস্য বিক্রমমুপগম্য মহেশ্বরম্ ॥২৯॥

বৃত্রাসুরগী মায়াজালগী অত্যাচারনা ইন্দ্র অসি ঙীশম্ শুম্নাংথ্রে— তোকম খঙত্রে। মতম অদুদা— বশিষ্ঠনা রথন্তরগী সামগাননা মন্ত্রগী মতোগুম্না লাউকুনা ইন্দ্রবু জ্ঞান পাইহনখি ॥২১॥

বশিষ্ঠনা অসুম্না হায়খি — দেবতা পুম্নমক্কী নিংথৌ। নহাক্তি নোংমদোম্বক্কী লাইয়ামগী লুচিংবনি— নিংথৌনি। দৈত্য দানব পুম্নমক্পু নৈহৎতম্বা অকনবা! মরোল অদুমগী পাঙম্না নঙোন্দা পুম্নপ ভিক্লি- বনি। কবিগী তুকক্ তুকাই চম্না তোকম খঙদনা লৈরিবগে? ॥২২॥

জগৎকী ঈশ্বর ওইরবা ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব, ভগবান্ সোমদেব, মহর্ষি পুম্নমক্না তোকম খঙদনা লৈরবা নবু উবদা নহাক্কী জয় অমদি মঙ্গল ওইননবগী দমক্তা স্বস্তিবাচন তৌরনা লৈরি ॥২৩॥

ইন্দ্র! তাইবং মীচম্গী মতৌগুম পাঙদবা মতৌ উৎতুনা লৈথোক্কনু। নাই পুম্নমক্কী নিংথৌ! চনীঙ তানা নীংথিবী বুদ্ধিদা আশ্রয় লৌনা য়েক্লবসিন তম্নবা হোংনৌ ॥২৪॥

দেবরাজ! লোক পুম্নমক্কী গুরু, নয়ন অহুম লোঙলবা মহাদেবনা নহাক্কী দমক্তা, নহাক্কী মঙ্গল ওই- নবা নঙোন্দা নঙোন্দা মীৎ কুপ্তুনা লেংতুনা লৈরি। শুম্নাংপদো তৌরনু ॥২৫॥

ইন্দ্র! বৃহস্পতিনচিংবা মহর্ষিশিংনা নহাক্কী মঙ্গলগী দমক্তা স্বস্তিবাচন তৌদুনা লৈরি ॥২৬॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মহাত্মা বশিষ্ঠনা মতৌ অসুম্না মপুক্নীং থৌগৎপিরক্লবদা ইন্দ্রগী মপাঙ্গল অসি হাম্নদগী হেনগৎলক্লে ॥২৭॥

ভগবান্ পাকশাসন ইন্দ্রনা মচীন তম্নবী বুদ্ধি অমগী আশ্রয় লৌদুনা, হায়বনি— তাঙ্গাদুদা বুদ্ধি অমা লাক্লদুনা যোগসাধন তৌদুনা বৃত্রগী মায়াসু থুনক্না মাঙগনখ্রে ॥২৮॥

অদুগী তুংদা অঙ্গিরাগী মচা বৃহস্পতিনা অদুগা অতৌ অচৌবা মহর্ষিশিংনা বৃত্রাসুরগী মপাঙ্গল মথৌনা

উচুর্ব্বৃত্রবিনাশার্থং লোকানাং হিতকাম্যয়া। ততো ভগবতস্তেজো জ্বরো ভূত্বা জগৎপতে ॥৩০॥
সমাবিশত্তদা রুদ্রো বৃত্রং লোকপতিং তদা। বিষ্ণুশ্চ ভগবান্ দেবঃ সর্ব্বলোকাভিপূজিতঃ ॥৩১॥
ঐন্দ্রং সমাবিশৎ বজ্রং লোকসংরক্ষণে রতঃ। ততো বৃহস্পতির্ধীমানুপাগম্য শতক্রতুম্ ॥
বশিষ্ঠশ্চ মহাতেজাঃ সর্ব্বে চ পরমর্ষয়ঃ ॥৩২॥
তে সমাসাদ্য বরদং বাসবং লোকপূজিতম্। উচুরেকাগ্রমনসো জহি বৃত্রমিতি প্রভো ॥৩৩॥

মহেশ্বর উবাচ।

এষ বৃত্রো মহাঞ্ শক্র বলেন মহতা বৃতঃ। বিশ্বাত্মা সর্বগশ্চৈব বহুমায়শ্চ বিশ্রুতঃ ॥৩৪॥
তদেনমসুরশ্রেষ্ঠং ত্রৈলোক্যেনাপি দুর্জ্জয়ম্। জহি ত্বং যোগমাস্থায় মানমংস্থাঃ সুরেশ্বর ॥৩৫॥
অনেন হি তপস্তপ্তং বলার্থমমরাধিপ। ষষ্টিঃ বর্ষসহস্রাণি ব্রহ্মা চাস্মৈ বলং দদৌ ॥৩৬॥
মহত্ত্বং যোগীনাঞ্চৈব মহামায়াত্বমেব চ। মহাবলত্বং চ তথা তেজশ্চাগ্র্যং সুরেশ্বর ॥৩৭॥

অদু উবদা মহাদেবগী নাক্তা চংথিদুনা লোক পুম্নমক্কী কায়নবগী দমক্তা বৃত্রাসুরবু মাঙহনবিয়ু— হাৎপিয় হায়না হায়জখি ॥২৯॥

মতম অদুদা ভগবান্ সদাশিবনা জ্বর (হকচাং নীকৃহনবা লায়না) গী মশক লৌদুনা বৃত্রাসুরগী হকচাং-সুংদা চঙখি ॥৩০॥

মতম অদুদা ভগবান্ শিবগী তেজন' রৌদ্রজ্বর ওইদুনা দৈত্যনিংথৌ বৃত্রগী হকচাংসুংদা চঙখ্রে। অদু-দগী লোক পুম্নমকপু লাকপিহৈবা শ্রীবিষ্ণুনসু ইন্দ্রগী বজ্রসুংদা চঙশিনখি ॥৩১॥

অদুগী তুংদা বুদ্ধি লৈরবা বৃহস্পতি, মহাতেজ কল্লবা বশিষ্ঠ, বর পীন হৈবা মহর্ষি পুম্নমক্তা, লোক পুম্নমক্তা পূজা তৌনীঙভায় ওইরবা ইন্দ্রগী নাক্ত চঙদুনা থয়ায় হকচাং অমত্তা ওইনা য়াম্না পুক্নীং চঙনা চোক্‌লিন্না অসুম্না হায়খি,— দেবরাজ! হৌজিকমক্ বৃত্রাসুরবু লোইথোক্‌পিয়ো ॥৩২—৩৩॥

মহেশ্বরনা হায়খি,— মতীক্ মগুণ চাউরবা, রাং-চাউরমা, বৃত্রাসুর অসে মাগী লান্মীশিংনা ঙীকোয় কোয়শিন্দুনা নমাংমক্তদা লেপ্পুনা লৈরে। মহাক অসে হৌজিক জ্ঞাননিষ্ঠ ওইদুনা জ্ঞানী যোগী ওইদুনা সাধনা তৌদুনা লৈরিবনা জগৎ পুম্নমক্কী আত্মাদু মশা মথন্তনা ওইদুনা লৈরি। মহাক অসি মকম পুম্ন-মক্তা রৌঙসুগী শক্তি পুরিবনি। মহাক অসি মায়ানিদ্যা মথল মথল হৈবগী জংত্তা মমিং চৎলিবনি ॥৩৪॥

দেবরাজ! বৃত্র হায়রিবা অসুর অসে মরোল অহুমদা কনা অমতনা মায়থীবা পীবা ঙমদনা লৈরিবা নিপা অমনি। অদুনা দেবরাজ! যোগগী আশ্রয় লৌদুনা মহাক অসিবু হাৎননবা তৌরো। চোক্‌লিন্নু, মাবু ঊশিৎ-থোওইদনবা তৌরুগনু ॥৩৫॥

লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ! অসুর অসিনা চাংদম্নীঙভায় লৈরবা হকচাগী পাঙ্গল ফংননবগীদমক চহী লিশিং হুমফু চুপ্পা অকিবা কংনা তপস্যা তৌখিবনি। মহাক্তা পাম্বা বর অদো ব্রহ্মানা পীখিবনি ॥৩৬॥

লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ ইন্দ্র! ব্রহ্মানা মত্তোন্দা যোগীশিংগী মতীক্-মগুণ পুম্নমক, থাইদগী হেনবা

এতস্যাং মামকং তেজঃ সমাবিশতি বাসব। ব্যাপ্রেমেনং ত্বমপ্যেনং বজ্রেণ জহি দানবম্ ॥৩৮॥

শক্র উবাচ।

ভগবং ত্বৎপ্রসাদেন দিতিজং সুদুরাসদম্। বজ্রেণ নিহনিষ্যামি পশ্যতস্তে সুরর্ষভ ॥৩৯॥

ভীষ্ম উবাচ।

আবিশ্যমানে দৈত্যে তু জ্বরেনাথ মহাসুরে। দেবতানামৃষীণাঞ্চ হর্ষান্নাদো মহানভূৎ ॥৪০॥

ততো দুন্দুভয়শ্চৈব শঙ্খাশ্চ সুমহাস্বনাঃ। মুরজা দিণ্ডিমাশ্চৈ প্রাবাদ্যন্তসহস্রশঃ ॥৪১॥

অসুরাণাং তু সর্ব্বেষাং স্মৃতিলোপো মহানভূৎ। মায়ানাশশ্চ বলবান্ ক্ষণেন সমপদ্যত ॥৪২॥

তথাবিষ্টমথো জ্ঞাত্বা ঋষয়ো দেবতাস্তথা। স্তুবন্তঃ শক্রমীশানং তথা প্রাচোদয়ন্নপি ॥৪৩॥

রথস্থস্য হি শক্রস্য যুদ্ধকালে মহাত্মনঃ। ঋষিভিস্তূয়মানস্য রূপমাসীৎ সুদুর্দৃশম্ ॥৪৪॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি বৃত্রবধে ষট্‌সপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৬॥

—:(০):—

মায়াগী শক্তি, চাংদম্মীওভায় লৈত্তবা হুকচাংগী পাজল. খাইদগী হেন্‌বা তেজ পীগ্রবনি ॥৩৮॥ অদুনা ইন্দ্র। সে, লৌ, ঐগী তেজসে নত্তোন্দা চঙগ্রগনি। হৌজিক, বৃত্র অসি মশাদা অর চঙগ্রবনা ঈথক্-থকংনা, ঈপা-পাথংনা লৈয়বনি। অসুম তৌরিভৌদা মহাকপু হাংলো ॥৩৮॥

ইন্দ্রনা হায়,— ভগবন্!! দেবতা পুম্নমকী অথোইবা। মহাকী থৌজান্দগী লাকুঙম কাত্তমগ্রবা দৈত্য অসিবু মমাংমক্তা!! হাৰ্চ্চিরগনি ॥৩৯॥ ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির। মহাদৈত্য বৃত্রগী মশাদা জ্বর চঙ-খিবা মতম অদুমক্তদা দেবতাশিংনা ঋষিশিংনা লাউনখিবনি ॥৪০॥ অদুদগী দুন্দুভি ময়াম হৈরনখি। মোইবুং ঢোল, নগরানচিংবা, পুং পেলনচিংবা বাদ্যযন্ত্র কয়া কয়া হৈরনখি খোংনখি ॥৪১॥ অসুর পুম্নমক্কী নীঙশিংবগী শক্তি পুম্নমক্ য়াম্থখিবনা মায়ামন্ত্র পুম্নমক্ পুম্‌থাউ কাউরকলে, অদুনা মায়াবিদ্যা পুম্নমক্ মথোয়গী পুক্নীংদগী মুংখ্রে ॥৪২॥ মতৌ অসুম বৃত্রাসুর মশাদা মহাদেবগী জ্বরনা চঙখ্রে হায়বদু থগলদুনা দেবতা অমদি ঋষি পুম্নমক্না ইন্দ্রগী স্তুতি তৌদুনা পুক্নীং থৌগৎলকই। বৃত্রাসুরবু হাংলো হাংলো হায়না ঈজিরকই ॥৪৩॥ লানগী মতমদা ঋষিশিংগী মচীন্দগী মহাকী স্তুতিগান তাবদ পুক্নেল চাউরবা ইন্দ্রগী অমনা মমীৎ ওনথংদুনা য়েংবা ওমগ্রবা মশেক্ নঙাল অদু লাকৃশি ॥৪৪॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা বৃত্রবধদা চনীচুম্ফ্‌ভরাতরুক্তুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৬॥

—:():—

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(বৃত্রাসুর হাৎপগী মতাং—মথং)

চনীহুম্নফুতরাতরেৎশুবা অধ্যায়।

— —:():— —

ভীষ্ম উবাচ।

বৃত্রস্য তু মহারাজ জ্বরাবিষ্টস্য সর্বশঃ। অভবন্ যানি লিঙ্গানি শরীরে তানি মে শৃণু ॥১॥
জ্বলিতাস্যোঽভবৎ ঘোরো বৈবর্ণ্যং চাগমৎ পরম্। গাত্রকম্পশ্চ সুমহাঞ্ছ্বাসশ্চাপ্যভবন্মহান্ ॥২॥
রোমহর্ষশ্চ তীব্রোঽভূন্নিঃশ্বাসশ্চ মহান্ নৃপ। শিবা চাশিবসঙ্কাশা তস্য বক্ত্রাৎ সুদারুণা ॥৩॥
নিষ্পপাত মহাঘোরা স্মৃতিঃ সা তস্য ভারত। উল্কাশ্চ জ্বলিতাস্তস্য দীপ্তাঃ পার্শ্বে প্রপেদিরে ॥৪॥
গৃধ্রাঃ কঙ্কা বলাকাশ্চ বাচোঽমুঞ্চন্ সুদারুণাঃ। বৃত্রস্যোপরি সংহৃষ্টাশ্চক্রবৎ পরিবভ্রমুঃ ॥৫॥
ততস্তং রথমাস্থায় দেবাপ্যায়িত আহবে। বজ্রোদ্যতকরঃ শক্রস্তং দৈত্যং সমবৈক্ষত ॥৬॥
অমানুষমথো নাদং স মুমোচ মহাসুরঃ। ব্যজৃম্ভচ্চৈব রাজেন্দ্র তীব্রজ্বরসমন্বিতঃ ॥৭॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ যুধিষ্ঠির! জ্বর (অকম্ লায়না) না মশাদা চঙশ্রবা বৃত্রগী হকচাংদা ওইরকপা খুদম মওং অদু ঐ হায়রক্লে তাও ॥১॥ মমায়দা মচীন্দা চাকৃপা হৌরক্লে। মশাগী কুচু অদু মকশিল্লক্লে। মশা অদু কয়া কয়া থক্ থক্ নীল্লকই। সুংশাশোর মপী হয়া হয়া হোল্লকই ॥২॥

নিংথৌ! মশা পুম্না শীনথুংনা মত্তু চুংডকই। সুংশাশোর শাংনা শাংনা হোল্লকই। ভরত-নন্দন, যুধিষ্ঠির! বৃত্রাসুরগী মমাদগী থোইদোক্ন অকিবগী মশক ওইবা, অমঙ্গলগী মশক ওইরবা খোল্লাও পীরবা লাঙজাগী মশক লৌহনা স্মৃতিশক্তি হায়বদি— লৈশিংবগী পাক্কল কৌবীহনা চংথেকৃথি। অহুনা মহাক মায়ামত্র পুম্না পুম্‌কাই কাউথোকক্রে— নীঙশিংবগী শকি লৈরকাত্রে ॥৩॥ মাগী নাকল এংলোম ওইরোমদা লংলবা চাক্লবা শঙাইথেল শাংশিল্লকই। লাঙজা, কাক, উয়োক্‌চিংবা অকিবা ফংলবা উচেকশিংনা অয়াকপা মথোলগা লোয়ননা মতোরোমদা লাক্লা-লাক্ল থোংজিল্লকই। উচেকশিং অসি মথোর মথেল অমগী মথক্তা পাইশিন্নরকুনা বৃত্রাসুরগী কোকৃথক্তা ঈকোর কোয়না চক্রগী মতৌশুম্না পাইশিল্লকই ॥৪—৫॥

অহুপা মহাদেবগী তেজনা মশাদা চঙথিহুনা, অহুঙঙা তেজনা থল্লবা মত্রবু পায়থংহুনা রথ মথক্তা তোংনা তোংনা ইন্দ্রনা বৃত্রাসুররোমদা মমীৎ থানা অমদি কৃপ্তনা য়েংশিল্লকই ॥৬॥ নিংথৌ! কল্লবা অকল্লা

অথাস্য জৃম্ভতঃ শক্রস্ততো বজ্রমবাসৃজৎ। স বজ্রঃ সুমহাতেজাঃ কালাগ্নিসদৃশোপমঃ ॥৮॥
ক্ষিপ্রমেব মহাকায়ং বৃত্রং দৈত্যমপাতয়ৎ। ততো নাদঃ সমভবৎ পুনরেব সমন্ততঃ ॥৯॥
বৃত্রং বিনিহতং দৃষ্ট্বা দেবানাং ভরতর্ষভ। বৃত্রং তু হত্বা মঘবান্দানবারির্মহাযশাঃ ॥১০॥
বজ্রেণ বিষ্ণুযুক্তেন দিবমেব সমাবিশৎ। অথ বৃত্রস্য কৌরব্য শরীরাদভিনিঃসৃতা ॥১১॥
ব্রহ্মবধ্যা মহাঘোরা রৌদ্রালোক ভয়াবহা। করালদশনা ভীমা বিকৃতা কৃষ্ণপিঙ্গলা ॥১২॥
প্রকীর্ণমূর্দ্ধজা চৈব ঘোরনেত্রা চ ভারত। কঙ্কালমালিনী চৈব কৃত্যেব ভরতর্ষভ ॥১৩॥
রুধিরার্দ্রা চ ধর্মজ্ঞ চিরবল্কলবাসিনী। সাভিনিষ্ক্রম্য রাজেন্দ্র তাদৃগরূপ ভয়াবহা ॥১৪॥
বজ্রিণং মৃগয়ামাস তদা ভরতসত্তম। কস্যচিৎ ত্বথ কালস্য বৃত্রহা কুরুনন্দন ॥১৫॥

মশা পুন্নমক থক্ থক্ নীঙবা বৃত্রাসুরনা ভাইবংমীগী খোঙ্গাউ নত্তবা হৌরবা খোঞ্জেলনা হন্না হন্না লাউ-রকই, মন্না লাওনা কাথোক্লুনা হন্না হন্না হাকাম্ চল্লকই ॥৮॥

মহাক্না অহুন্না হাকাম চল্লিঙৈদা ইন্দ্রনা মঙোল্লোমদা বজ্রহু কন্না কন্না লংশিল্লকই। প্রলয়গী মৈবুল অমগী মশক লৌহনা বজ্র অহু বৃত্র ভন্না পাইশিল্লকই ॥৮॥

মতৌ অহু উবদা শিংলবা বৃত্রনা মাগী অরোইবা মত্তমহু লাক্লে হায়বা খঙনহুনা আত্মাবু পরমাত্মাদা তিন্নাথনবা যোগসাধন তৌরকই। ভাঙ্গাড়ুদা বজ্রনা পাইশিল্লকুনা মহাকপু লৈমায়থক্তা তুথহন্‌খি। বৃত্রাসুর মথল্লায় থাগ্রে হায়বহু উবদা মায়গৈ পুম্বদগী নোংমদোম্বক্তী লাইয়াম্না হংলাউ-খোঞ্জেলনা হৌনা হৌনা লাউশিল্লকই ॥৯॥

দৈত্য দানবকী য়েক্কবা মিংচং চ উরবা ইন্দ্রনা বৃত্রাসুরবু লৈমায়থক্তা মথল্লায় য়াওদনা তুহল্লমগা স্বধাম স্বর্গলোকতা চৎখি ॥১০॥

কুরু-নন্দন। অহুগী তুংদা বৃত্রাসুরগী মশাহুদগী জগৎ পুন্নমক্তী মিপাইনকম ওইরবী, অকিবগী মশক কংলবী, ভমথীরবী ব্রহ্মহত্যা কৌবী অহু চোংথোরকই। মহাক্তী য়াথক্ য়াথাগী মযাশিং অহু রান্না অকিবগী মশক কংনা চোই, লভিঙ, ভুন্ম, থোই। মাগী কুচুদি মুশিল মৃই, অহুগা ভৌরুনৈ। য়েংবদা মহা অকিবগী মশক্‌ন ॥১১—১২॥

ভরত-নন্দন! হিংচাবী ব্রহ্মহত্যা কৌবীসিগী মশম্ মনা অহু ঈফ ফাই, মাংগৈ পুম্বদা ঈচাই চাই-থোকই, পাঙথোক্লিবা মমীৎ অনী অহু য়েংবদা মহা অকিবগী মশক্লি। মঙকশমদা চাউর চাউরবা মী-মকোক্তী পরেং শি। ভরত শাগেগী অথোইবা নিংথৌ! মহাক অহু য়েংবদা কৃত্যা কৌবী কপালিনী মহাভৈরবীগী মশক্লি ॥১৩॥ ধর্ম খঙলবা নিংথৌ! মহাক্তী মশা পুম্বা ঈ-নাইনা পুম্নমক্তৈ। কি-লেগাম্ববা অমদি উক্‌-যাকুনা মহাক্তী ফীজোল ওই। অসিগুম্বী ভমথীরবী অকিবগী মশক কংলবী ব্রহ্মহত্যা কৌবীসি বৃত্রাসুরগী অশিবা মশাদগী চোংথোরকুনা বজ্র পাম্নবা ইন্দ্রবু কোয়খি থিরকই ॥১৪॥

কুরু-সাগেগী হুংডাইনববগী মশক্ ওইরবা। লোক পুন্নমক্তী কারনবগী দমক্তা বৃত্রাসুরবু হাৎলবা

স্বর্গায়াভিমুখঃ প্রায়াল্লোকানাং হিতকাম্যয়া। সা বিনিঃসরমাণং তু দৃষ্ট্বা শক্রমহৌজসম্ ॥১৬॥
জগ্রাহ বধ্যা দেবেন্দ্রং সুলগ্না চাভবৎ তদা। ন হি তস্মিন্ সমুৎপন্নে ব্রহ্মবধ্যাকৃতে ভয়ে ॥১৭॥
নলিন্যা বিসমধ্যস্থ উবাসাব্দগণান্ বহূন্। অনুসৃত্য চ যত্নাৎ স তথা বৈ ব্রহ্মহত্যয়া ॥১৮॥
তদা গৃহীতঃ কৌরব্য নিস্তেজাঃ সমপদ্যত। তস্যা ব্যপোহনে শক্রঃ পরং যত্নং চকার হ ॥১৯॥
ন চাশকৎ তাং দেবেন্দ্রো ব্রহ্মহত্যাং ব্যপোহিতুম্। গৃহীত এব তু তয়া দেবেন্দ্রো ভরতর্ষভ ॥২০॥
পিতামহমুপাগম্য শিরসা প্রত্যপূজয়ৎ। জ্ঞাত্বা গৃহীতং শক্রঞ্চ স দ্বিজপ্রবরবধ্যয়া ॥২১॥
ব্রহ্মা স চিন্তয়ামাস তদা ভরতসত্তম। তামুবাচ মহাবাহো ব্রহ্মবধ্যাং পিতামহঃ ॥২২॥
স্বরেণ মধুরেণাথ সান্ত্বয়ন্নিব ভারত। মুচ্যতাং ত্রিদশেন্দ্রোঽয়ং মৎপ্রিয়ং কুরু ভামিনি ॥২৩॥
ব্রূহি কিং তে করোম্যদ্য কামং কিং ত্বমিহেচ্ছসি ॥২৪॥

ব্রহ্মবধ্যোবাচ।

ত্রিলোকপূজিতে দেবে ত্রৈলোক্যকর্ত্তরি। কৃতামেব হি মন্যামি নিবাসং তু বিধৎস্ব মে ॥২৫॥

ইন্দ্রনা স্বর্গগী লম্বীদা চৎলিঙৈতুবক্তনা ব্রহ্মহত্যা হায়রীশি মগাকী মনাক্ত হেক্ থুগৈ ॥১৫—১৬॥

ব্রহ্মহত্যা হায়রীশিনা ইন্দ্রবু ফারে। ইন্দ্রগী মপাদা কোন্দুনা তপ্ নপশিনখ্রে। ইন্দ্রনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মাবু কপ্তোক্লদুনা কন্না চেনখিদুনা থম্বাল মখোকী মনুংদা লৈরিবা পীক্রবা খুররবা মরীল অহোবা অদুদা চঙদুনা লোৎকদবগী চেন্‌শিনখি। মাদুগী মনুংদা পিশক পীক্রা বোগগী পাইখেনা চহী কয়ামরম লোৎদুনা লৈখি ॥১৭॥

অদুবু ব্রহ্মহত্যানা মকম অদু তাপ্না লাকুনা ইন্দ্রবু অমুক্ ফারে। কুরুনন্দন! ব্রহ্মহত্যানা অমুক্ ফারবা অদুদগী ইন্দ্র অসি মতীক্-ময়াই চম্লে— মায়খোং লাংশিন্লে ॥১৮॥

ইন্দ্রনা মতোন্দগী নাম্থোক্লবসি য়াম্না কন্না হোৎনরম্মি, অদুবু করিমত্তা ফাররবা লৈখিদে ॥১৯॥ ভরত-শাগৈগী লৈতেংগী মশক ওইরবা! ব্রহ্মহত্যানা ইন্দ্রবু মাগী খুত্তুম মখাদা থমলে— বন্দী থমলে। ব্রহ্ম-হত্যাগী দোষ কংলয ইন্দ্র অসি মথরাগ ঈপুং মুংঙাইতনা ব্রহ্মাগী নাকী চৎখি, ব্রহ্মাগী চরণশোল্লা ফুখি ॥২০॥

ভরত-শাগৈগী অথৌবা! খু ইন্দগী অখোইবা ব্রাহ্মণ অমবু হাৎলুবগী পোকথিবী ব্রহ্মহত্যা কৌবী অদুনা ইন্দ্রবু ফাওৎ হায়রবসি খঙলদুনা ব্রহ্মানা অসেম বিচার তৌরকই ॥২১॥

নিংথৌ! ওহাক্তং থল্লগা পিতামহ ঈবুধৌ ব্রহ্মানা অতম্না রাইনা ব্রহ্মহত্যাগী অথাউবদু নেম্‌থহল্লগা অসুম্না হায়রকই ॥২২॥

ঈবেম্মা! নহাক মরোল অদুমগী ইন্দ্রবু থাদোকই, ঐনা পাম্লিবা থবক নহাক তৌ। হায়রু নংবু পাম্লিবা তৌগে নীংলিবসি করিনো? নহাক্না পাম্লিবসি ঐ পীগে, নহাক্না অপাম্ব অপাম্বা পোৎ অদু ঐ তৌগদা হায়রু ॥২৩—২৪॥

ব্রহ্মহত্যানা অসুম্না হায়রকই,— মরোল অদুবু শেখি-শাখিরিবা, মরোল অদুম্না পুন্না তৌনরিবা,

ত্বয়া কৃতেয়ং মর্য্যাদা লোকসংরক্ষণার্থিনা। স্থাপনা বৈ সুমহতী ত্বয়া দেব প্রবর্ত্তিতা ॥২৬॥
প্রীতে তু ত্বয়ি ধর্মজ্ঞ সর্ব্বলোকেশ্বর প্রভো। শক্রাদপগমিষ্যামি নিবাসং সংবিধৎস্ব মে ॥২৭॥

ভীষ্ম উবাচ।

তথেতি তাং প্রাহ তদা ব্রহ্মবধ্যাং পিতামহঃ। উপায়তঃ স শক্রস্য ব্রহ্মবধ্যাং ব্যপোহত ॥২৮॥
ততঃ স্বয়ম্ভুবা ধ্যাতস্তত্র বহ্নির্মহাত্মনা। ব্রহ্মাণমুপসংগম্য ততো বচনমব্রবীৎ ॥২৯॥
প্রাপ্তোঽস্মি ভগবন্ দেব ত্বৎসকাশমনিন্দিত। যৎ কর্ত্তব্যং ময়া দেব তৎ ভবান্ বক্তুমর্হতি ॥৩০॥

ব্রহ্মোবাচ।

বহুধা বিভজিষ্যামি ব্রহ্মবধ্যামিমামহম্। শক্রস্যাদ্য বিমোক্ষার্থং চতুর্ভাগং প্রতীচ্ছ বৈ ॥৩১॥

অগ্নিরুবাচ।

মম মোক্ষস্য কোঽন্তো বৈ ব্রহ্মন্ ধ্যায়স্ব বৈ প্রভো। এতদিচ্ছামি বিজ্ঞাতুং তত্ত্বতো লোকপূজিত ॥৩২॥

ব্রহ্মোবাচ।

যস্ত্বাং জ্বলন্তমাসাদ্য স্বয়ং বৈ মানবঃ ক্বচিৎ। বীজৌষধিরসৈর্বহ্নে ন যক্ষ্যতি তমোবৃতঃ ॥৩৩॥

পরমদেবতামক্না তমাম্ তরাম্ ব্যবহার তৌবিরবী ঐগী লৌকিক থাংলোকপা অমাপা লৈজত্রে। ঐবা পামজবা হায়রবু ঐগী লৈকম অমত্তা লেপ্নহনা পীবিয়ু ॥২৬॥

পিতামহনা লোক পুম্নমক্কী বক্ষা (ঙাক্পা) গী দমক্ ধর্মগী কায়দনব মর্য্যাদা য়াম্ নীংথিনা থম্বিরে। হে ব্রহ্মদেব! নহাক নশামক্না ধর্মগী মহিমা অসিবু কুপত্তা শন্দোকপিরে ॥২৭॥

ধর্মগী তত্ত্ব পুম্নমকপু খঙলবা। নহাক্কী য়াংগী মতুংদা ঐ ইন্দ্রবু থাদোকচরগনি, অদুগা ঐগী লৈকমতনি তাকপিয়ু। মকম কদায়দা লৈজগে হায়রগে? ॥২৭॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মতম অদুদা ব্রহ্মানা ব্রহ্মহত্যাদা অমুক্না হায়রকই,— "কৈ নংগী লৈকম তাকে হৌজিক নহাক ইন্দ্রবু থাদোক্লে।" মতৌ অমুক্না নীংথিবা অথেংবা মাইনা ব্রহ্মানা ব্রহ্মহত্যা কৌবী অদুবু ইন্দ্রদগী চোংথোকহনখ— থাদোকহনখি ॥২৮॥

অদুগী তুংদা, মহাত্মা স্বয়ম্ভু ব্রহ্মানা অগ্নিদেববু নীংশিংখি। তেক্ নীংশিংবদা অগ্নিদেবসি মকমদুদা লাকখি, ব্রহ্মাদা অসুম হায়রকই ॥২৯॥ ব্রহ্মন্! ভগবন্! ঐ লাকরে করি তৌজগে হায়রগে? য়াথং পীবিয়ু ॥৩০॥

ব্রহ্মানা হায়রকই,— অগ্নিদেব! ঐনা ইন্দ্রবু ব্রহ্মহত্যাগী পাপতগী কোক্নবগীদমক ব্রহ্মহত্যা হায়বীসিবু শরুক মরি থোক্না থায়দোক্কনি। অগ্নিদেব! নহাকন্না মাসিগী শরুক অমদি লৌ ॥৩১॥

অগ্নিদেবনা হায়রকই,— ব্রহ্মন্! তাকপিবা য়াথং ফাংগাও শাদা য়াজরি। অদুবু হায়রিবা ব্রহ্ম-হত্যাগী পাপ অসি কদায় কুম্না পুগদোরিবনো? মাসিনতং মুম্না খন্‌বিরগা তাকপিয়ু। জগৎ ব্রহ্মাণ্ডসিনা পূজা তৌবনীঙঙবগী মশক ওইরবা। ঐ মাসিকনি যুম্না খঙজিনথিগে ॥৩২॥ ব্রহ্মানা হায়,— অগ্নিদেব!

তমেবা যাস্ততি ক্ষিপ্রং তত্রৈব চ নিবৎস্যতি। ব্রহ্মবধ্যা হব্যবাহ ব্যেতু তে মানসোজ্বরঃ ॥৩৪॥

ইত্যুক্তঃ প্রতিজগ্রাহ তৎ বচো হব্যকব্যভুক্। পিতামহস্য ভগবাংস্তথ চ তদভূৎ প্রভো ॥৩৫॥

ততো বৃক্ষৌষধিতৃণং সমাহূয় পিতামহঃ। ইমমর্থং মহারাজ বক্তুং সমুপচক্রমে ॥৩৬॥

ব্রহ্মোবাচ।

ইন্দ্রং বৃত্রাদনুপ্রাপ্তা ব্রহ্মহত্যা মহাভয়া। পুরুহূতং চতুর্থাংশমস্যাযূয়ং প্রতীচ্ছথ ॥

ততো বৃক্ষৌষধিতৃণং তথৈবোক্তং যথাতথম্। ব্যথিতং বহ্নিবৎ রাজন্। ব্রহ্মাণমিদমব্রবীৎ ॥৩৭॥

অস্মাকং ব্রহ্মবধ্যায়াঃ কোঽন্তো লোকপিতামহ। দৈবেনাভিহতানস্মান্ ন হন্তুং পুনর্র্হসি ॥৩৮॥

বয়মগ্নিং তথা শীতং বর্ষং চ পবনেরিতম্। সহামঃ সততং দেব তথা চ্ছেদনভেদনে ॥৩৯॥

ব্রহ্মবধ্যামিমামদ্য ভবতঃ শাসনাৎ বয়ম্। গ্রহীষ্যামস্ত্রিলোকেশ মোক্ষং চিন্তয়তাং ভবান্ ॥৪০॥

মহাক্না চাক্নবা লৈরিবা মকম অদুদা, কনাগুম্বনা ভমোঙ্গনা কুপখিদ্রুন কবিগুম্বা মক্ত-মম্বাং মবা-মশীং নক্সগা শঙ্গোম্নিংবা কবিগুম্ব রস অমনা নহাকপু পুজা তৌম্মত্রবা মী অহুগী মকমদা, নহাক্ন পুবিবা ব্রহ্মহত্যাগী শক্নক অদু চত্তখিংনি, চঙ্ক চত্তখিসনু ॥ ৩—৩৪॥

নিংথৌ! ব্রহ্মানা অসুম্না হায়রক্লদ হব্য-কব্যগী ভোক্তা (অচাবা মীশক) ওইবা অগ্নিদেবনা ব্রহ্মাগী ঋাথং অদু মকোকথোংনা পুখি। মতৌ অসুম্না ব্রহ্মহত্যা তৌবগী পাপকী মতং অমা অগ্নিদেবনা পুদুনা মকম অক্সদগী চৎখি। ৩৫॥

মহারাজ যুধিষ্ঠির! অসিগী তুংদা পিতামহ ব্রহ্মানা উ, নাপী, উব্রী-মারী, হীদাক-লাংতক পুম্নমক অসিবুম্ব কৌশিন্দুনা হায়খি ॥৩৬॥

নখোয় তাও। ইন্দ্র অসি বৃত্রাসুর হাৎলুবদগী অকন্বা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ অমা পুদুনা লৈরি। মহাক্ন তৌক্নরিবসি নখোয় খুইগী কায়নবগী দমক্তনি। নখোয় পুম্নমকম্ব পাপ অসিগী শক্নক মরি থোক-পগী শক্নক অনি পু। ব্রহ্মানা অদুম্না ঋাথং পীরক্লবদা মখোয় অসি অগ্নিদেবগী মতৌগুম্না য়াম্না চিন্তা তৌদুনা অসুম্না হায়রকই ॥৩৭॥

পিতামহ! ঋাথংহুনি পুজরগে। অদুবু, ঐখোয় পাপ অদু কয় কুইনা পুগদৌরিবনো? ঐখোয়সি হৌজিকম্ব ঐনা ঐনা তৌজরকপা পাপকর্মগী মতুংইন্না স্থাবরযোনিদা — উ-বা, মাপী-শিংবীগী মপোক্তা পোক্লরে। অসিগী মথক্তা পাপ অসি অমুক থোনুগৎপিবা— হাপচিন্নবিবা চুমদে ॥৩৮॥

হে দেব! মরোল অহুম্ব শেম্বি-শাবিবা! ঐখোয়দি মুমিংচুম্না, মৈগী অমদি চাক্লবা মুংশাগী মৈশা, অঙৈংবা, নোংজু মুংশা অসিনচিংবা আধিভৌতিক অয়াবা কয়া কয়াসি থাজুনা লৈজরক্নি। কনা কনাগুম্বনা থাঙনা, হোয়ায়না, শীজংনা, থাঙ্গোয়চিংবনা ককৃপি-য়াম্বিবগী অয়া-চৈনা থাওজরক্নি। মসিগী মথক্তা অয়াবা অমাসিগা হাপকৎপিরবদি— অয়াবম্ব থাওঙমদবা অমা ওইরগনি। অদুনা হায়রিবসি— পাপ অসি কয়া কুইনা পুদুনা লৈজৌ হায়রবগে? মাদু কোক্লনবা উপায় অমতদি তাক্পিয়ু ॥৩৯—৪০॥

ব্রহ্মোবাচ ।

পর্ব্বকালে তু সম্প্রাপ্তে যো বৈ ছেদনভেদনম্ । করিষ্যতি নরো মোহাৎ তমেষানুগমিষ্যতি ॥৪১॥

ভীষ্ম উবাচ ।

ততো বৃক্ষৌষধিতৃণমেবমুক্তং মহাত্মনা । ব্রহ্মাণমভিসম্পূজ্য জগামাশু যথাগতম্ ॥৪২॥

আহূয়াপ্সরসো দেবস্ততো লোকপিতামহঃ । বাচা মধুরয়া প্রাহ সান্ত্বয়ন্নিব ভারত ॥৪৩॥

ইয়মিন্দ্রাদনুপ্রাপ্তা ব্রহ্মবধ্যা বরাঙ্গনাঃ । চতুর্থমস্যা ভাগাংশং ময়োক্তাঃ সম্প্রতীচ্ছত ॥৪৪॥

অপ্সরস ঊচুঃ ।

গ্রহণে কৃতবুদ্ধীনাং দেবেশ তব শাসনাৎ । মোক্ষং সময়তোঽস্মাকং চিন্তয়স্ব পিতামহ ॥৪৫॥

ব্রহ্মোবাচ ।

রজস্বলাসু নারীষু যো বৈ মৈথুনমাচরেৎ । তমেষা যাস্যতি ক্ষিপ্রং ব্যেতুবো মানসোজ্বরঃ ॥৪৬॥

ভীষ্ম উবাচ ।

তথেতি হৃষ্টমনস ইত্যুক্ত্বাপ্সরসাং গণাঃ । স্বানি স্থানানি সম্প্রাপ্য রেমিরে ভরতর্ষভ ॥৪৭॥

ততস্ত্রিলোককৃদ্দেবঃ পুনরেব মহাতপাঃ । অপঃ সঞ্চিন্তয়ামাস ধ্যাতাস্তাশ্চাপ্যথাগমন্ ॥৪৮॥

ব্রহ্মানা হায়,— সংক্রান্তি, গ্রহণ, পূর্ণিমা, অমাবস্যা অসিনচিংবা পর্ব্বদিন থোকপা তুমিত্তা, তত্মাৎ-খিদুনা— অমান তাখিদনুনা নখোয়বু ককৃথৎলহবা, মচা থাররবা, মাল্লয়না মী মহাক্তুগী মকমদা মথোয়দা লৈরগা ব্রহ্মহত্যা চঙখিসনু ॥৪১॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ ! মহাত্মা ওইরবা ব্রহ্মানা অসুম্না হায়রবুদা— হৈপাল লৈপাল, নাপী শীংবী শিং অমুনা ব্রহ্মাগী পূজা তৌরম্লগা চুংঙাইনা চত্থি ॥৪২॥

অদুগী তুংনা লোক পুম্নমক্কী মবুথৌ ব্রহ্মানা অপ্সরা পুম্নমক্পু কৌশিন্নুনা নীঙথিবা অসুম্না হায়খি ॥৪৩॥

নীঙথিজবী, ফজবীশা ! ব্রহ্মহত্যা হাক্তুখিসে ইন্দ্রগী মপান্দা চত্তগদবনী ঙাইরি । নখোয়সু ব্রহ্মহত্যাগী পাপকী শরুক মরিগী শরুক অমদি লৌ ॥৪৪॥

অপ্সরাশিংনা হায়রকই,— দেবতা পুম্নমক্কী মবুথৌ ! তাকপিবা য়াথংগী মতু ইম্না ঐখোয় তৌজগনি, অদুগা মাহ কোকনবা উপায় অমতা দি তাকপিয়ু ॥৪৫॥

ব্রহ্মানা হায়,— মুপীনা মশা থোকপ মাহুৈদা শন্ন-খোৎনকয়বা অত্ত ওইরবদি মী মহাক অদুগী মফমদা নখোয়দা লৈরবা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ অদো চৎখিব ওইরসনু । মতম অদুনা নখোয়গী পুক্কীগী অমা পুম্বা লোইনা কোকনি ॥৪৬॥

ভীষ্মনা হায়,— ব্রহ্মাগী য়া অসি তাবদা অপ্সরাশিং অদু য়াম্না নুংঙাইরে । "য়াম্না ফরে, নু ঙাইজরে" অসুম হায়রম্লগা অপ্সরাশিং অদু নুংঙাইনা— হয়াওনা চৎনরে ॥৪৭॥

অদুগী তুংদা মরোল অদুসু লোম্বা মহাতপস্বী ভগবান্ ব্রহ্মানা ঈশিংগী দেবতাবু নীঙশিংলকই । মতম

তাস্তু সর্ব্বাঃ সমাগম্য ব্রহ্মাণমমিতৌজসম্। ইদমূচুর্ব্বচো রাজন্ প্রণিপত্য পিতামহম্ ॥৪৯॥

ইমাঃ স্ম দেব সম্প্রাপ্তাস্ত্বৎ সকাশমরিন্দম। শাসনাৎ তব লোকেশ সমাজ্ঞাপয় নঃ প্রভো ॥৫০॥

ব্রহ্মোবাচ।

ইন্দ্রং বৃত্রাদনুপ্রাপ্তা পুরুহূতং মহাভয়া। ব্রহ্মবধ্যা চতুর্থাংশমস্যাস্ত্বং প্রতীচ্ছথ ॥৫১॥

আপ উচুঃ।

এবং ভবতু লোকেশ যথা বদসি নঃ প্রভো। মোক্ষং সময়তোঽস্মাকং সঞ্চিন্তয়িতুমর্হসি ॥৫২॥

ত্বং হি দেবেশ সর্ব্বস্য জগতঃ পরমা গতিঃ। কোঽন্যঃ প্রসাদো হি ভবেৎ যঃ কৃচ্ছ্রাৎ সমুদ্ধরেৎ ॥৫৩॥

ব্রহ্মোবাচ।

অল্পা ইতি মতিং কৃত্বা যো নরো বুদ্ধিমোহিতঃ। শ্লেষ্মমূত্রপুরীষাণি যুষ্মাসু প্রক্ষিপ্স্যতি ॥৫৪॥

তমিয়ং যাস্যসি ক্ষিপ্রং তত্রৈব চ নিবৎস্যতি। তথা বো ভবিতা মোক্ষ ইতি সত্যং ব্রবীমি বঃ ॥৫৫॥

ততো বিমুচ্য দেবেন্দ্রং ব্রহ্মবধ্যা যুধিষ্ঠির। যথা বিসৃষ্টং তং বাসমগমৎ দেবশাসনাৎ ॥৫৬॥

এবং শক্রেণ সম্প্রাপ্তা ব্রহ্মবধ্যা জনাধিপ। পিতামহমনুজ্ঞাপ্য সোঽশ্বমেধমকল্পয়ৎ ॥৫৭॥

অদুমক্তদা জলদেবতা অসি ব্রহ্মাগী নাক্ত থুংতৈ ॥৪৮॥ জলদেবতানা ব্রহ্মাগী নাক্ত লাকুনা য়াম্না নোমুনা ব্রহ্মাগী মফমদা অদুম্না হায়রকই ॥৪৯॥

দেবতাশিংগী য়েক্নবা পুম্নমক্পু নৈহংতম্না লোকপিতামহ! নীঙশিংবিরুপা মতুংইন্না ঐ অসিদা লাক্নচরে, করি য়াথং তাকপিগদবা— তাকপিয়ু ॥৫০॥

ব্রহ্মানা হায়,— ইন্দ্রনা বৃত্রাসুর হাৎলুবগী মথাদা ব্রহ্মহত্যাগী পাপ চঙত্রে মখোয়দু পাপ অসিগী শরুক মরি থোকপগী শরুক ... পু ॥ ॥

অশিংগী দেবতাশিংনা হায়রকই,— হে লোকেশ্বর! ব্রহ্মন্! তাকপিরিবদো য় জরে। অদুনা, মতৌ করম্না অতুগা করম্বা মতমদা পাপ অদু কেরগে হায়বত্ত মুম্না খল্লগা তাকপিয়ু ॥৫২॥

ব্রহ্মন্! নচাক্তি জগৎ পুম্নমকসিবু শোম্ভি শাবিবা মপুনি। বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসি নত্তোন্দা আশ্রয় লৌহুনা লৈরি নি হায়রবা মরাবা মতো থীবসিনগী করিব্বু। অদুদগী হেন্না চাববিবদি ঐখোয়দা অতোপ্পা কারণদা অমতনা শকবৌ ॥৫৩॥

ব্রহ্মানা হায়,— মবুদ্ধি হেনবদগী অদুগুম্বা মী অতুনা অশিং নহাকপু থোঙই শিজিনহুনা মতোন্দা থী য়ু, লোক শিচিল্লবদি হায় জল্লবা পাপ অদু চোংশিনখদনি। মতম অদুনা নহাক ব্রহ্মহত্যাগী পাপতগী কোকনি। ঐ মাসি চুম্না মীনমুদনা হায়রবনি ॥৫৪—৫৫॥

যুধিষ্ঠির! ব্রহ্মানা অদুম্না হায়রবদা ব্রহ্মবধ্যা (হত্যা) কৌবীচ্ছ ইন্দ্রবু থাদোক্লমহুনা হায়খিবা মফমশিং আল্লা লৈপরবগী চংত্রে ॥৫৬॥

মহারাজ যুধিষ্ঠির! মতৌ অদুম্না ইন্দ্রসে ব্রহ্মহত্যা ফাহুনা অয়াবা ফাহুনা লৈয়মবনি। ব্রহ্মানা যাহু

অরণ্যে চ মহারাজ সম্প্রাপ্তা বাসবেন বৈ। ব্রহ্মবধ্যাতে ততঃ শুদ্ধিং হয়মেধেনলব্ধবান্ ॥৫৮॥
সমবাপ্য শ্রিয়ং দেবো হত্বারীংশ্চ সহস্রশঃ। প্রহর্ষমতুলং লেভে বাসব পৃথিবীপতে ॥৫৯॥
বৃত্রস্য রুধিরাচ্চৈব শিখণ্ডাঃ পার্থ জজ্ঞিরে। দ্বিজাতিভিরভক্ষ্যাস্তে দীক্ষিতৈশ্চ তপোধনৈঃ ॥৬০॥
সর্ব্বাবস্থং ত্বমপ্যেষাং দ্বিজাতীনাং প্রিয়ং কুরু। ইমে হি ভূতলে দেবাঃ প্রথিতাঃ কুরুনন্দন ॥৬১॥
এবং শক্রেণ কৌরব্য বুদ্ধিসৌক্ষ্ম্যান্মহাসুরঃ। উপায়পূর্ব্বং নিহতো বৃত্রোহপ্যমিততেজসা ॥৬২॥
এবং ত্বমপি কৌন্তেয় পৃথিব্যামপরাজিতঃ। ভবিষ্যসি যথা দেবঃ শতক্রতুরমিত্রহা ॥৬৩॥
যে শক্রকথাং দিব্যামিমাং পর্ব্বসু পর্ব্বসু। বিপ্রমধ্যে বদিষ্যন্তি ন তে প্রাপ্স্যন্তি কিল্বিষম্ ॥৬৪॥
ইত্যেতদ্বৃত্রমাশ্রিত্য শক্রস্যাত্যদ্ভুতং মহৎ। কথিতং কর্ম্ম তে তাত কিং ভূয়ঃ শ্রোতুমিচ্ছসি ॥৬৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
ব্রহ্মহত্যা-বিভাগে সপ্তসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৭॥

——:(+):——

কোক্পিদিবর্ন। ব্রহ্মাগী য়াথংদগী ইন্দ্রনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌবি।৫৭॥ ঐথোয়না অসুম অসুম হায়না তায়— ইন্দ্রনা অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌদুনা মপাদা ব্রহ্মহত্যা চঙওবগী অমাংবা পুম্নমকপু কোকহন্দুনা মপা পুম্বা লেংদোকখি ॥৫৮॥

পৃথিবীগী মপু। নিংথৌ। ইন্দ্রনা দৈত্য দানবনচিংবা হেক্লবা লিশিং লিশিং হাংদুনা মথুজগী নান্-থোক্লবা রাজসম্পদ অমুকহন্না মথুং চনখি ॥৫৯॥

কুন্তীনন্দন। যুধিষ্ঠির। লৈমায়থক্তা তাথিবা বৃত্রাসুরগী ঈথুদগী চেঙুম মপৈ মপৈ হৌখি। অদুনা মাসি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য হায়রিবা দ্বিজাতিশিংসিনা চাবা হৌনদে। করিগুম্বা যজ্ঞ অমগী দমক দীক্ষায়ু লৌরবা শক্তুগুম্ব মী অতুনমু বিশেষ ওইব নপী অসিবু চাব হৌনদে ॥৬০॥

কুরু-নন্দন। যুধিষ্ঠির। নহাকসু অবস্থা চীরম পুম্নমকতা ব্রাহ্মণশিংগী অকবা কায়ব-ত তৌ। ব্রাহ্মণ হায়বসে পৃথ্বীথক্ অসিদা স্বর্গগী দেবতাগুম্না লৈরিবনি ॥৬১॥

নিংথৌ। মতৌ অসুম্না ইন্দ্রনা মাগী কুপ্লবা লৌশিংগী পাম্বৈনা কল্লবা মহাসুর বৃত্রবু হাংখি ॥৬২॥

কুন্তীগী মচা। স্বর্গলোকতা ইন্দ্রনা হেক্লবা ভমহুনা জয় ওইখিবদুগুম্না নহাকসু মর্ত্যলোক অসিদা কনাগুম্বা অমনা মথুম্বা মায়থোবা ফংননীডায় ওইবা মীশক নত্তে ॥৬৩॥

পর্ব্বদিন খুদিংদা বৃত্রাসুরগী মতাং অসিবু ব্রাহ্মণশিংগী মভাদা শ্রবণ তৌরবদি ব্রহ্মহত্যানচিংবগী কল্লবা পাপ লোয় অতু চঙদে ॥৬৪॥ নিংথৌ! বৃত্রাসুর হাংপগী অঙকপা মতাং অসি ঐনা নঙোন্দা তাক্লুবা তাশন্নবনি। তৌজিক করি অমুক্ তানীগুলি? ॥৬৫॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম পর্ব্বদ ব্রহ্মহত্যা বিভাগদা চনী-হুমফুতরাতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৭৭॥

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টসপ্তত্যাধিকাদ্বশততমোঽধ্যায়ঃ

(মহাদেবনা দক্ষযজ্ঞ থুগাইবা)

চনীগা হুমফুতরানিপালশুবা অধ্যায়

——:(*):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

পিতামহ মহাপ্রাজ্ঞ সর্ব্বশাস্ত্রবিশারদ। অস্মিন বৃত্রবধে দেব বিবক্ষা মম জায়তে ॥১॥

জ্বরেণ মোহিতো বৃত্রঃ কথিতস্তে জনার্দ্দন। নিহতো বাসবেনেহ বজ্রেণেতি তদানঘ ॥২॥

কথমেষ মহাপ্রাজ্ঞ জ্বরঃ প্রাদুর্ব্বভৌ কুতঃ। জ্বরোৎপত্তিং নিপুণতঃ শ্রোতুমিচ্ছাম্যহং প্রভো ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ।

শৃণু রাজন্ জ্বরস্যেমং সম্ভবং লোকবিশ্রুতম্। বিস্তরং চাস্য বক্ষ্যামি যাদৃশশ্চৈব ভারত ॥৪॥

পুরা মেরোর্মহারাজ শৃঙ্গং ত্রিলোকপূজিতম্। জ্যোতিষ্কং নাম সাবিত্রং সর্ব্বরত্নবিভূষিতম্ ॥৫॥

অপ্রমেয়মনাধৃষ্যং সর্ব্বলোকেষু ভারত। তত্র দেবো গিরিতটে হেমধাতুবিভূষিতে ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হাঙ্ডি,— শাস্ত্র পূম্নমক্কী মহাজ্ঞানী ওইরবা ঈবুধৌ! বৃত্রাসুর হাৎপগী মমাংদা তাবদি লোইনা তাজরে হায়ববু ঐগী চিংনবগী শরুক থরুংদি কৈদৌরি ॥১॥

পাপকী শরুক য়াওরবা ঈবুধৌ। বৃত্রাসুর অসু জ্বর (অকম্) না মশা পুম্বা থক থক্ নীকৄহুনা লৈরমনি। তাঙ্গহুনা ইন্দ্রনা বজ্রনা থাহুনা মহাকপু হাংখি হায়না ঈবুধোনা লীবিখি ॥২॥

মহাজ্ঞানী ওইরবা ঈবুধৌ! হাংরিবা জ্বর হায়বা লায়না অসি মতৌ কঙ্গম্না কদায়গী পোকখিবনো? লায়না অসি পোক্লকপগী বারী-মাথেংশু পূম্নমক মুম্না তাজনীডব ॥৩॥

ভীষ্মনা হায় — নিংথৌ! লায়না অসিগী পোকখিবগী বারী অসে মকম পূম্নমক্কা ফাওহুনা থওহুনা লৈরমনি। ঐ মাসি অমুক শন্দোক্লা লীগে মুম্না তাও ॥৪॥

ভরত নন্দন যুধিষ্ঠির! মমাংগৈদা স্নমেরু চিঙগী জ্যোতিষ্ক হায়না কৌবা মাংলবা চিঙদোঙ অমা লৈরম্মি। সবিতা (নুমিৎ) গী মায়ুম মরুম (মরী) লৈনবদগী মহাকপ সাবিত্র হায়নসু কৌনরম্মি। হায়রিবা সাবিত্র কৌবা চিঙদোঙ অসি মমল য়াম্লবা মণি মুক্তা অহুম রত্ন মথল মথল্না মাগী কাজোঙ লৈতেং ওইহুনা লৈরম্মি। জীব পান্‌বা কনাগুম্বা— করিগুম্বা প্রমতনা পাক্ য়োবা ওম্বা মকম নত্তে। লোক অহুম পূম্না তৌননীঙবায় ওইবা মকমনি ॥৫॥ মনামচিংবা থাক্তু মথল মথলডনা লৈতেং ওইবা চিঙদোঙ

পর্য্যঙ্ক ইব বিভ্রাজন্নুপবিষ্টো বভূব হ। শৈলরাজসুতা চাস্য নিত্যং পার্শ্বে স্থিতা বভৌ ॥৭॥
তথা দেব মহাত্মানো বসবশ্চামিততেজসঃ। তথৈব মহাত্মানাবশ্বিনৌ ভিষজাং বরৌ ॥৮॥
যক্ষপাধীশ্বরঃ শ্রীমান্ কৈলাসনিলয়ঃ প্রভুঃ। শঙ্খপদ্মনিধিভ্যাঞ্চ ঋদ্ধ্যা পরময়া সহ॥
উপাসন্ত মহাত্মানমুশনা চ মহামুনিঃ ॥৯।
সনৎকুমারপ্রমুখাস্তথৈব চ মহেশ্বরঃ। অঙ্গিরঃপ্রমুখাশ্চৈব তথা দেবর্ষয়োঽপরে ॥১০॥
বিশ্বাবসুশ্চ গন্ধর্ব্বস্তথা নারদপর্ব্বতৌ। অপ্সরোগণসঙ্ঘশ্চ সমাজগ্মুরনেকশঃ ॥১১॥
ববৌ সুখঃ শিবো বায়ুর্নানা গন্ধবহঃ শুচিঃ। সর্ব্বর্ত্তু কুসুমোপেতাঃ পুষ্পবন্তো দ্রুমাস্তথা ॥১২॥
তথা বিদ্যাধরাশ্চৈব সিদ্ধাশ্চৈব তপোধনাঃ। মহাদেবং পশুপতিং পর্য্যুপাসন্ত ভারত ॥১৩॥
ভূতানি চ মহারাজ নানারূপধরাণ্যথ। রাক্ষসাশ্চ মহারৌদ্রাঃ পিশাচাশ্চ মহাবলাঃ ॥১৪॥
বহুরূপধরা হৃষ্টা নানাপ্রহরণোদ্যতাঃ। দেবস্য নরাস্তত্র তস্থুরে চানলোপমাঃ ॥১৫॥
নন্দী চ ভগবাংস্তত্র দেবস্যানুমতে স্থিতঃ। প্রগৃহ্য জ্বলিতং শূলং দীপ্যমানঃ স্বতেজসা ॥১৬॥

অসিদা মহাদেবনা ভাস্বোইহুনা কৈবাদ সনাগী শয্যাথক্তা চেপ্লুনা লৈবসি মতাম। মতৌ অসুম্মা ভাস্বোইহুনা লৈবা মহাদেবগী ওয়দা ভগবতী পার্বতীনা মুমিৎ খুদিংগী ভাস্বোইহুনা লৌথ ॥৬—৭॥

মতৌ অসুম্না জ্ঞানী ওইরবা দেবতাশিং, তেজ কল্লবা বসুদেবতাশিং, লাইরৈবাক্কী লায়েংবশিংগী মজুংদা অথোইবা অশ্বিনীকুমার, ধনথুনগী দেবতা শঙ্খনিধি, পদ্মনিধি, ঋদ্ধি সিদ্ধিগা লোয়নবা মতীক-মগুণ চউরবা কুবের অমুগা মহামুনি শুক্রাচার্য মথোর পুম্নমক অসিনা কৈলাসপতি শিব—মহাদেবগী উপাসনা তৌহুনা লৈরম্মি ॥৮—৯॥

মখম অমুদা সনৎকুমারনচিংবা মহর্ষিশিং, অঙ্গিরানচিংবা দেবর্ষিশিং, বিশ্বাবসু কৌবা গন্ধর্ব, নারদ, পর্বতনচিংবা ব্রহ্মর্ষিশিং অমুগা অপ্সরাশিং মথোয়সিনা মহাদেবগী অরাধনা তৌননবগীদমক্তা মফম অমুদা লাকখি ॥১০—১১॥

মফম অমুদা মনম্ মুংশিরবা হৈয়াং লৈরাং মথম মথলগী মুংশিরবা মনম্ মুক্লিবা মামিরবা মুংশিংবা মাঙৈ পুম্নমক্কগী শীংলক্লি। খুদু পুম্নমক্তা লাংপা পানবা লৈ-পাম্বী, উ-পাম্বী কয়া কয়ানা চীঙদোলদগী লৈত্তেং ওইরি। চীঙদোনগী ফজবসু হেনগৎলক্লি ॥১২॥

ভরত-বংশদা পোকপা! তপস্যাগী শক্তিনা সিদ্ধ ওইরবা বিদ্যাধর কয়া কয়ানা পশুপতি মহাদেবগী উপাসনা তৌহুনা লৈখি ॥১৩॥

মহারাজ! খারোম শক্রোন মথম মথা খুদক্তা পুওবা ভূত-প্রেত, অকিবগী মমক কংলবা হিংচাবা, কল্লবা পিশাচ কয়া কয়ামা মহাদেবগী থোঙলোয় মনাই ওইহুনা লৈরম্মি। মথোয় খুদিংমক অমমমা লৈগী মতৌওয়া তেজ কল্লবা মরুম্মি ॥১৪—১৫॥ মহাদেবগী য়াথংগী মতুংইনা ভগবান্ নন্দীনা মথুংতা

গঙ্গা চ সরিতাং শ্রেষ্ঠা সর্ব্বতীর্থজলোদ্ভবা। পর্য্যুপাসত তং দেবং রূপিণী কুরুনন্দন ॥১৭॥
স এবং ভগবান্ তত্র পূজ্যমানঃ সুরর্ষিভিঃ। দেবৈশ্চ সুমহাতেজা মহাদেবো ব্যতিষ্ঠত ॥১৮॥
কস্যচিত্ত্বথ কালস্য দক্ষো নাম প্রজাপতিঃ। পূর্ব্বোক্তেন প্রধানেন যক্ষ্যমাণোঽন্বপদ্যত ॥১৯॥
ততস্তস্য মখং দেবাঃ সর্ব্বে শক্রপুরোগমাঃ। গমনায় সমাগম্য বুদ্ধিমাপেদিরে তদা ॥২০॥
তে বিমানৈর্মহাত্মানো জ্বলনার্কসমপ্রভৈঃ। দেবস্যানুমতেঽগচ্ছন্ গঙ্গাদ্বারমিতি শ্রুতিঃ ॥২১॥
প্রস্থিতা দেবতা দৃষ্ট্বা শৈলরাজসুতা তদা। উবাচ বচনং সাধ্বী দেবং পশুপতিং পতিম্ ॥২২॥
ভগবন্ ক্ব নু যান্ত্যেতে দেবাঃ শক্রপুরোগমাঃ। ব্রূহি তত্ত্বেন তত্ত্বজ্ঞ সংশয়ো মে মহানয়ম্ ॥২৩॥

মহেশ্বর উবাচ।

দক্ষো নাম মহাভাগে প্রজানাং পতিরুত্তমঃ। হয়মেধেন যজতে তত্র যান্তি দিবৌকসঃ ॥২৪॥

উমোবাচ।

যজ্ঞমেতং মহাদেব কিমর্থং নাধিগচ্ছসি। কেন বা প্রতিষেধেন গমনং তে ন বিদ্যতে ॥২৫॥

মহেশ্বর উবাচ।

সুরৈরেব মহাভাগে পূর্ব্বমেতদনুষ্ঠিতম্। যজ্ঞেষু সর্ব্বেষু মম ন ভাগ উপকল্পিতঃ ॥২৬॥

ত্রিশূলবু খুত্তম চেংনা পায়দুনা সদাশিব— মহাদেবগী নাক্তা চপ লেপতুনা থাগল তৌরি ॥১৬॥

তীর্থ পুম্মক্কী ঈশিংবু শিংশিন্দুনা চেল্লিবী, তীর্থ অথোইবা গঙ্গানা মহাদেবগী অরাধনা তৌদুনা লৈরম্মি। মতৌ অসুম্না দেবতা পুম্মক্না, মহর্ষি দেবর্ষি খিবিক্না পূজা তৌরিবা মহাদেবনা নীঙথিজরবা চীঙথক অদুদা লুমিংখুলিং ওয়াহৌদুনা লে ॥১৭—১৮॥

মতম খরগী তুংদা দক্ষ হায়বা কাওরবা প্রজাপতিনা অচৌবা যজ্ঞ অমত্তং লিংখৎকে হায়না থম্মুনা যাত্রুগীদমক থৌরম পুম্বা তৌরক্লে ॥১৯॥

মতম অদিদা ইন্দ্রন চংবা দেবতা অয়ম্বসু দক্ষগী যজ্ঞদা চৎকনবগী— যাওরুহনবগী লেপ্লদুন লৈরে ॥২০॥

মতৌক মগুণ চাওরবা স্বর্গগী লাইয়াম্ম শুমং— নৈগী মতৌগুম্না তেজ লৈরবা বিমান মথক্তা তোংথংদুনা মহাদেবগী য়াথং লৌদুনা গঙ্গাদ্বার (হরিদ্বার) তম্না চৎনাথ হায়না ঐথোয়না পন্নপ্ল্রদগী তাদুনা লাকৃপি— তানরক্লে ॥ ২১॥

মতৌ অসুম্না দেবতাশিংনা লাক্লবসি উরগা চীঙ-নিংথৌ মচনুপী উমানা মপুরোয়ব মহাদেবগী মফমদা অসুম্না হায়রে ॥২২।

ভগবন্! ইন্দ্রনচিংবনা চৎনরিবশিংবু কদায়দনে ? ঐগী পুক্নীংদা য়াম্না তিংনবা অমা পোক্লে ॥২৩॥

মহাদেবনা হায়,— উবেম্ম! প্রজাপতিশিংগী মরুদা মপোইবা দক্ষনা অশ্বমেধ যজ্ঞ অমত্ত তৌরিয়ে মাদুদা য়াওগনবগী দেবতা ময়াম অসি চৎনরিবনি ॥২৪॥

উমা— পার্ব্বতীনা হায়,— অদু দ ঈবুঙো নহাক্কি কৈদৌনা চৎতত্রি ? করম্বা অৰ্থংবা অম লৈবদগী মখোয় অদুদা চৎতত্রবনো ? ॥২৫॥ মহাদেবনা হায়,— মাদে, দেবতাশিংনা হান্না লৈখ্রবা নিয়ম অমা

পূর্ব্বোপায়োপপন্নেন মার্গেণ বরবর্ণিনি। ন সুরা প্রযচ্ছন্তি ভাগং যজ্ঞস্য ধর্ম্মতঃ ॥২৭॥

উমোবাচ।

ভগবন্ সর্ব্বভূতেষু প্রভাবাভ্যধিকো গুণৈঃ। অজয্যশ্চাপ্যধৃষ্যশ্চ তেজসা যশসা শ্রিয়া ॥২৮॥
অনেন তে মহাভাগ প্রতিষেধেন ভাগতঃ। অতীবদুঃখমুৎপন্নং বেপথুশ্চ মমানঘ ॥২৯॥

ভীষ্ম উবাচ।

এবমুক্ত্বা তু সা দেবী তদা পশুপতিং পতিম্। তূষ্ণীংভূতাঽভবৎ রাজন্ দহ্যমানেন চেতসা ॥৩০॥
অথ দেব্যা মতং জ্ঞাত্বা হৃদগতং যচ্চিকীর্ষিতম্। স সমাজ্ঞাপয়ামাস তিষ্ঠত্বমিতি নন্দিনম্ ॥৩১॥
ততো যোগবলং কৃত্বা সর্ব্বযোগেশ্বরেশ্বরঃ। তং যজ্ঞং স মহাতেজা ভীমৈরনুচরৈস্তদা ॥৩২॥
সহসা ঘাতয়ামাস দেবদেব পিনাকধৃক্। কেচিন্নাদানমুঞ্চন্ত কেচিদ্ধাসাংশ্চ চক্রিরে ॥৩৩॥
রুধিরেণাপরে রাজংস্তত্রাগ্নিং সমবাকিরন্। কেচিৎ যূপান্ সমুৎপাট্য বভ্রমুর্বিকৃতাননাঃ ॥৩৪॥

লৈখিবসগীনি। দেবতাশিংনা করিগুম্বা যজ্ঞদা ঐগী শরুক তেমদবা হায়না লেপ্লাত্র ॥২৬॥ ঈবেম্মা! হান্না লেপ্লখ্রবা নিয়ম বিধিগী মতুংইন্না করিগুম্বা যজ্ঞদা মহাদেব ঐগী ভাগ (শরুক) অমা থুংহন্দে ॥ ৭॥

উমানা হায়রকই,— ঈবুঙো! নপাক্তি দেবতা পুম্নমক্কী খ্বাইদগী শক্তি কন্নবনি। দেবতাশিংগী-ন্ত নত্তনা সংসারগী অচচত্ত জীব পানবা পুম্নমকী মনুংদা খ্বাইদগী মতীক-মগুণ লাউরবা, গুণ চেন্নবা, অমনা ভক্ষত্রবা, তেজ কল্লবা, মিংচং চাউরবা অদুগা সম্পত্তি পুম্নংক্না তিন্নবা দেবদেবনি। অদুগুম্বা নহাক্কী-দমক্তদি করিগুম্বা যজ্ঞদা কংকম থোকপা শরুক লৈতে হায়বসি তাবদা ঐগী পুক্নীংদা প্রমাণ লৈতনা অন্নাবা শাউনিংবা পোকই। ঈবুঙোদা পীরিবা অসিগুম্বা অপমান অসি তাম্ভুনা যেংহুনা ঐ লৈবা ঙমদে। হৃকতাং অসি থক্ থক্ নীক্লকে ॥২৮—২৯॥

ভীষ্মনা হায়—নিংথৌ! উমা—পার্ব্বতীনা মাহৈ থম্বসি হায়রগা ভূমিন্না লৈখি। পার্ব্বতীগী থম্মোয়দা অশাউবা কুংশাইতবগী মৈনা মৈরী থোক্না চাক্লক্লে ॥৩০॥

পার্ব্বতীনা পুক্নীংদা করি খল্লিবা অদুগা করি তৌগে নীংলিবা অসি পুম্নমকসি মুন্না খঙলবা মহাদেবনা নন্দীদা—"নহাক অসিদা পার্ব্বতীগী নাক্তা লেপ্লুনা লৈয়ু" অহুম্না হায়খি ॥৩১॥

অদু হায়রম্লগা যোগেশ্বর পুম্নমক্কী যোগেশ্বর ওইরবা, মহাতেজ কল্লবা, পিনাক কৌবা লীকং পাম্নবা, মহাদেবনা যোগশক্তিতনা অদিবগী মশক ওইরবা ভক্ত-সেবকশিং থাজিন্দুনা যজ্ঞ অদু থুগাইখি ॥৩২॥

নিংথৌ! মহাদেবগী ভক্ত—ভূত-প্রেত, পিশাচশিং কনা কনাগুম্বনা কল্লা কল্লা লাউখি, কনা কনা-গুম্বনা ফক্ ফক্ নোক্খি। কনা কনাগুম্বনা যজ্ঞগী মৈ অমু মুখ তুনা থৈদ্দা ঈগী ঈচেল শিল্লহন্খি। অকিবগী মশক কংলবা কনা কনগুম্বনা যজ্ঞগী যূপী—যূপকাষ্ঠশিং অদু ফূক্ কূকুনা লংথোকখি অদুগা লৈরা লৈনা জগেহৈ শাখি। কনা কনাগুম্বনা যজ্ঞদা য়াওরিবা—যজ্ঞগী থবক-থনা তৌরিবশিং অমুম্ কা কাম্ভুনা মরাক্তা কোক্ কোক্ লাশিন্খি ॥৩৩—৩৪॥

আত্রেয়্যো চাপ্সরসস্তথৈব পরিচারকান্। ততঃ স যজ্ঞো নৃপতে বধ্যমানঃ মহাত্মনা ॥৩৫॥
আস্থায় মৃগরূপং বৈ খমেবাভ্যগমত্তদা। তং তু যজ্ঞং তথারূপং গচ্ছন্তমুপলভ্য সঃ ॥৩৬॥
ধনুরাদায় বাণেন তদান্বসরত প্রভুঃ। ততস্তস্য সুরেশস্য ক্রোধাদমিততেজসঃ ॥৩৭॥
ললাটাৎ প্রসৃতো ঘোরঃ স্বেদবিন্দুর্বভূব হ। তস্মিন্ পতিতমাত্রে চ স্বেদবিন্দৌ তদা ভুবি ॥৩৮॥
প্রাদুর্ব্বভূব সুমহানগ্নিঃ কালানলোপমঃ। তত্র চাজায়ত তদা পুরুষঃ পুরুষর্ষভ ॥৩৯॥
হ্রস্বোঽতিমাত্ররক্তাক্ষো হরিশ্মশ্রুর্বিভীষণঃ। ঊর্দ্ধকেশোঽতিরোমাঙ্গঃ শ্যেনোলূকস্তথৈব চ ॥৪০॥
করালঃ কৃষ্ণবর্ণশ্চ রক্তবাসাস্তথৈব চ। তং যজ্ঞং সুমহাসত্ত্বোঽদহৎ কক্ষমিবানলঃ ॥৪১॥
ব্যচরৎ সর্ব্বতো দেবান্ প্রাদ্রবৎ স ঋষীংস্তথা। দেবাশ্চাপ্যদ্রবন্ সর্ব্বে ততো ভীতা দশোদিশ ॥৪২॥
তেন তস্মিন্ বিচরতা পুরুষেণ বিশাম্পতে। পৃথিবী হ্যচলৎ রাজন্নতীব ভরতর্ষভ ॥৪৩॥

নিংথৌ! মতৌ অদুম্না য়াম্না শাফিনা যজ্ঞবু থুংইরম্বা মতম অসিদা যজ্ঞদেব অসি শজীগী মশক লৌদুনা নোংমদোম্বক্তা পাইথ হিদুনা চেন্খ ॥৩৫॥

শজীগী মশক লৌদুনা চেন্খিবা যজ্ঞবু উবদা মহাদেবনা লৈরীদা তেন্ চীং চাদুনা শজী অদুবু তাম্লখি ॥৩৬॥

অদুগী তুংদা, চা নম্লীওওায় লৈরম্বা তেজনা মহাক্কী ওইরবা, মহাদেবনা শাউখিবদগী লাইবক্কী অকি-বগী মশক কংলবা হুমাংগী মরীকুশিংনা তত্তুনা নিস্তাখি। হুগাং মরীকুশিং অদুনা লৈমায়থক্তা হেক তাখিবদা প্রলয়দা চাক্লবা মৈ তাক্তুনা পৃথিবীসি চাকথোক্ত্রগে হায়বগী মতৌগুম্না মৈ ফ্রং ফ্রং থোক্লাচাকখি ॥৩৭-৩৮॥

নিপা অথোইবা যুধিষ্ঠির! মৈরক্ অদুদগী মথীক্ লেম্নবা নিপা অমা চোংথোরকই। মাগী মমীৎ অশ্না অচু তাংখাং তাক্তি। মকের-মরাংদি উচী মচু পাল্লি। যেংবদা অক্বিবা পোক্ননীওওায়নি ॥৩৯॥

মনখুদি মথক্রোমদা চপ চপ হুনা হোই। মপা পুম্বা খু থাও— মকুগী মতৌগুম্না মচু পুম্বা থীজো থীজো লাওনা হোই ॥৪০॥

মহাক্কী হকচাংগী মচুদি মুশিন্ মুট। য়েংবদা অত্তকপা কংনা অক্বিবা পোকই। মহাক্কী মফি মরোম্দি তাংখাং তাক্তিহ। শক্তি চাউরবা নিপা অসিনা যজ্ঞ অদুবু থুংক্তা ভস্ম ওইনা মাওহন্খিবদি— মৈনা কন্সুবা লৈজাও অমনা কংলবা শাংগী মপোবু থুংক্তা চাক্খেক্খিবদসি মত্তায় ॥৪১॥

অক্বিবগী মশক কংলবা নিপা অসিনা যজ্ঞগী পোটক্কে পুম্বা উং ওইনা লোইনা মাওহন্লবা অদুগী তুংদা লৈন লৈবা কোম্মোং য়েংদুনা ডঙ্কং-হন্দা কোয়চংদুরকই। অদুদগী যজ্ঞনা কম্মশিবা ব্রাহ্মণশিং ঋষিশিং অদু তম্না চেন্শিন্খি। মহাক্না চেন্শিন্নকপা অদু উবদা কিমন্থ্রম্না ব্রাহ্মণ, ঋষি, মুনিশিং অদু মাখৈগে মরি কাংনা চেন্নরে॥৪২

মহারাজ যুধিষ্ঠির! নিপা অসিনা লৈমায়থক্তা মথোও অমুযুক্ থাংবা পৃথিবী অসি থোক্ থোক্ যোম্মি, কেৎ কেৎ হাইনা থাক্তিও ॥৪৩॥

হা হা ভূতং জগৎসর্ব্বমুপলক্ষ্য তদা প্রভুঃ। পিতামহো মহাদেবং দর্শয়ন্ প্রত্যভাষত ॥৪৪॥

ব্রহ্মোবাচ।

ভবতোঽপি সুরা সর্ব্বে ভাগং দাস্যন্তি বৈ প্রভো। ক্রিয়তাং প্রতিসংহারঃ সর্ব্বদেবেশ্বর ত্বয়া ॥৪৫॥

ইমা হি দেবতাঃ সর্ব্বাঃ ঋষয়শ্চ পরন্তপ। তব ক্রোধান্মহাদেব ন শান্তিমুপলেভিরে ॥৪৬॥

যশ্চৈষ পুরুষো জাতঃ স্বেদাত্তে বিবুধোত্তম। জ্বরো নাম্নৈষ ধর্ম্মজ্ঞ লোকেষু প্রচরিষ্যতি ॥৪৭॥

একীভূতস্য ন হ্যস্য ধারণে তেজসঃ প্রভো। সমর্থা সকলা পৃথ্বী বহুধা সৃজ্যতাময়ম্ ॥৪৮॥

ইত্যুক্তো ব্রহ্মণা দেবো ভাগে চাপি প্রকল্পিতে। ভগবন্তং তথেত্যাহ ব্রহ্মাণমমিতৌজসম্ ॥৪৯॥

পরাং চ প্রীতিমগমদুৎস্ময়ংশ্চ পিনাকধৃক্। অবাপ চ তদা ভাগং যথোক্তং ব্রহ্মণা ভবঃ ॥৫০॥

জ্বরং চ সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞো বহুধা ব্যসৃজৎ তদা। শান্ত্যর্থং সর্ব্বভূতানাং শৃণু তচ্চাপি পুত্রক ॥৫১॥

শীর্ষাভিতাপো নাগানাং পর্ব্বতানাং শিলাজতু। অপাং তু নীলিকাং বিদ্যা নির্ম্মোকং ভুজগেষু চ ॥৫২॥

মতম অদুদা জগৎ পুম্বা হাহাকার কাউনখ। জগৎ পুম্বগী মাঙন-তাক্রবগী থোঁদোক অমা লাকপসি উবদা ব্রহ্মানা মহাদেবগী মফমদা চৎতুনা অসুম্না হায়রকই ॥৪৪॥

দেবদেব মহাদেব! প্রভু! জগৎ মাঙননবা ওইদনা অথাউবা অদু লেম্থহনবিয়ু। ঙসিদগী মতুং খুদিংমক্তা দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা নগাদী শরুক চাইনা লৌগনি ॥৪৫॥

দেবতা পুম্নমকপু নৈথাইবা ওদ্বা মহাদেব! নহাক্কা শাউরকপাসি উবদা দেবতা, ঋষি, মুনি পুম্নমক মিপাইরে,— মপুক্কীদা তপথবা লৈদ্রে। লাইয়াম পুম্ব কিবনা থক্ থক্ নীরে ॥৪৬॥

ধর্ম থউলবা! লাই পুম্নমক্কী মথোইবা! নহাক্কী হুমাংদগী পোকখিবা অকিবগী মশক কাংলবা নিপা অসে, ঙসিদগী মাগী মমিং জ্বর (অরম) হায়না কৌগনি। জগৎকী মফম পুম্নমক্তা কোয়চং চংদুনা লৈরগনি ॥৪৭॥

জ্বর কৌবা মহাক অসিনা মগী মওং অসিগুম্বু পুদুনা লৈতবদি কনাগুম্বু মাবু পুদুনা থাওহনা লৈবা ঙম্রোই। অদুনা মাসিবু শরুক কয়ামুক থোক্না থায়দোক্লবা তৌবিরো ॥৪৮॥

মতৌ অসুম্না ব্রহ্মানা হায়দুরক্লবদা, যজ্ঞ পুম্নমক্ত মাগী শরুক খাওরগনি— লৈরগনি হায়বদু তাবদা মহাদেবনা মাগী অথাইববু লেম্থহনখি। "মদু অদুমক ওইরসনু" অসুম্না হায়খি ॥৪৯॥

পিনাকধারী মহাদেবগী অশাউবদু খুদক্তা লেম্খ। পেন্থুদুনা মেমোন্ নোকখি। ব্রহ্মানা হায়বিবদুগী মতুংইন্না মাদুগী চমিত্তুগী হৌদুনা যজ্ঞ খুদিং-ক্তা মহাদেবনা শরুক চাইনা লৈবা হৌখি ॥৫০॥

ঔবুত্তো! নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! ধর্ম পুম্নমক্কী তত্ত্ব খঙলবা ভগবান্ মহাদেবনা অচচংব জীব পুম্নমক্কী শান্তি ওইননবগীদমক নহাক্কা পুথোক্খবা জ্বর অদুবু শরুক কয়ামুক থেক্না থাইদোক্খি, মাদু নহাক্না অমুক তাবো ॥৫১॥ শামুংশংগী মকোক্তা কায়ত্তুম্বা মৈশাংবী চৈনা অমা হেক্ হক্ লাকই। তাপ— মৈশা অদু শামুংশিংগী মকমদদি জ্বর অমনি। মরমদি— জ্বর অদু শামুংশিংদা তাপ হায়না কৌদুনা লৈ।

খোরকঃ সৌরভেয়াণামূষরং পৃথিবীতলে। পশূনামপি ধর্মজ্ঞ দৃষ্টিপ্রত্যবরোধনম্ ॥৫৩॥
রন্ধ্রাগতমথাশ্বানাং শিখোদ্ভেদশ্চ বর্হিণাম্। নেত্ররোগঃ কোকিলস্য জ্বরঃ প্রোক্তো মহাত্মনা ॥৫৪॥

চীং (লুং) শিংগী মরমদা জ্বর অসি শিলাজিত (নুংগী মতুংদগী শোদোরকপা মহী) কৌহুনা লৈ। (মাসি কবিরাজশিংগী হীদাক্ লাংতক শেম্বদা কাররবস্তু নুংগীদি মথাদা লৈবা দোষ— লায়না অমত্তম্বনি।) জ্বর অসিনা সেবার (ঈশিংদা লৈবা অশংবা মনাও মনাও লাউবা ঈশংগুম্বা পোৎশক্) কৌহুনা ঈশিংদা লৈ। জ্বর অসি লিলশিংগী মকমদনা কেংচুল (হুদোকপা মারবা মকু) ওহুনা লৈ। (মাহু লিলশিংগী মথাদা মাপ্পা চংঙাইত্তবা পোৎশক অমা ওইনা থোকই। নাহুবু হুদোকদবগী— লৌথেকাবগী হোংলৈ।) হায়রিবা জ্বর অসিনা শলশিংগী খুজিল মরক্তা খোয় হ্যবা লায়নাহু ওইহনা, হায়বদি— খোয় (শলগী খুজৌন্দা ভীল চঙবা) কৌহুনা লৈ। জ্বর (অরুম) অসিনা পৃথিবী লৈমায়থক্তা লৈবা মতমদা লৈকংলা কৌহুনা লৈ। (মাসি মহৈ-নবোংনু থাবা মাদবা, পৃথিবী লৈপাক্তা কারত্রবা শক্তক অমনি।) ধর্ম্ম খঙ্-লবা যুধিষ্ঠির! মথোও মম্নি পানবা শাশিংগী মরেক্শেংনা ঊবা ঙমদবা দৃষ্টিশক্তিদা অরাংপা অমা লায়না ওম্না হেক্ হেক্ লাকই। মাহু শাশিংদদি মথোয়গী জ্বর অমনি ॥৫২—৫৩॥ *

শগোলশিংগী মথাদা ভোঙথংলবা মাংসখণ্ড অমা হেক্ হেক্ লাকপা য়াওই, মাহু শগোলগীদি জ্বর অমনি। মাহোংশিংগী মকোক্তা মত্তোক্ চোংথোরকপা— পাক্লকপা মতমদা মাহু মথোয়দদি লুংঙাইবা নত্তে। মাহু মাহোংশিংগীদি জ্বর অমনি। হায়বদি— জ্বর হায়বসি মাহোংশিংদদি শিখা (মত্তোক্) কৌহুনা লৈ। অমুমক্তনা— মত্তোক (শিখা) পান্‌বা অহুমক্তনা মাহোংবু 'শিখ' হায়নম্বু কৌলৈ। কোকিলগী মমীত্তা রোগ অমা লাকপা য়াওই, মাহু কোকিলগীদি জ্বর অমনি ॥৫ ॥

* হায়রিবা জ্বরশিং অসি ব্রহ্মাগী থুংশেম (সৃষ্টি) দা য়াওবা নত্তে। ব্রহ্মানা হিংবনা মহাদেববু যজ্ঞদা য়াওহন্‌থিদবা, যজ্ঞদা কংকম্ থোকপা শক্তক তঙ্গিখিদবগী মহাদেবগী অশাঙবা-মৈগী পোকখিবনি। মাসি ব্রহ্মাগী সৃষ্টিমক্তা মশাদম্ব জ্বর (অরুম্ লায়না) অমত্তম্বনি। অরুম হায়বা লায়না অসি পোক্‌খিবগী মরু ওইবা নিদান (মরম) দি কফ-বত্ত-পিত্ত অহুম অসিগী মতুংদা লিম্বনি। পিত্তদি তাপনি— মৈশানি। অহুনা অরুম্বনা লাক্লমলাই মতমদা হকচাংগী মতুংদা নত্রগা মশান্দা তাপ (মৈশা) অমা হেক্ হেক্ লাকই। লুংশিংবা, লৈপাক্তা, মৈশা অহুমগী সন্নিপাতদগী জ্বর লকই। অহুম অসিনা পুল্লপ হৌহুনা হেক্ মমাক্-লবদি সন্নিপাতজ্বর (টাইফোইট) হায়মা লায়না ওহু ওইথি। অহুম অসিগী মতুংদা তাপ (মৈ) না মরুনি, মৈ লাকবদি অশাউবা হাবরক্তুগী হকচাংগী মতুং মশান্দা মশক ঊনা চাংথোরকপা ক্রোধ কায়বক্তুগী সাকার মূর্ত্তি অমনি। মহাদেবগী অশাউবদগী পোকখিবনি। কাম, ক্রোধ, লোভ, মোহ ঈর্ষা, দ্বেষ, সুখ, দুঃখ, অসিনচিংবগীসু মাগী মাগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা অমমম্ লৈ। ক্রোধগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতাদি মহাদেবনা ওই। জগৎকী সংহার অমুক্তমুক লাক্লিবদি অশাউবদগী পোকখিবনি, অহুনা মহাদেবগী মথোদি সংহারনি। (কালাচাঁদ)

অবীনাং পিত্তভেদশ্চ সর্ব্বেষামিতি নঃ শ্রুতম্ শুকানামপি সর্ব্বেষাং হিক্কিকা প্রোচ্যতে জ্বরঃ ॥৫৫॥
শার্দূলেষ্বথ ধর্ম্মজ্ঞ শ্রমো জ্বরঃ ইহোচ্যতে। মানুষেষু তু ধর্ম্মজ্ঞ জ্বরনামৈষ ভারত ॥৫৬॥
মরণে জন্মনি তথা মধ্যে চাবিশতে নরম্। এতন্মাহেশ্বরং তেজো জ্বরোনাম সুদারুণঃ ॥৫৭॥
নমস্যশ্চৈব মান্যশ্চ সর্ব্বপ্রাণিভিরীশ্বরঃ। অনেন হি সমাবিষ্টো বৃত্রো ধর্ম্মভৃতাং বরঃ ॥৫৮॥
ব্যজৃম্ভত ততঃ শক্রস্তস্মৈ বজ্রমবাসৃজৎ। প্রবিশ্য বজ্রং বৃত্রং চ দারয়ামাস ভারত ॥৫৯॥

য়াওশিংগী মথাদা পিত্তরোগ অমা লাকপা য়াওই, মাদু য়াওশিংগী জ্বর অমনি। ভেমরাশিংদা—থদোক্পগুবা অমা হেক্ হেক্ লাকপা উই। মাদু লাকপা মতমদা উচ্চারণ শেংনা থোকভবা ঙমদে, মাদু মথোয়গী জ্বর অমনি ॥৫৫॥

ধর্ম্মগী তত্ত্ব খঙলবা যুধিষ্ঠির! নোংশাশিংগী মথাদা চোকথবা হৈনিংদবা অমা মরক্ মরক্তা হেক্ হেক্ লাকপা উই। মাদু নোংশাশিংগীদি জ্বর অমনি। হায়খ্রিবা মশক মমিং তোঙান্ তোঙাবশিং অসি পাহুনা লাক্লিবা জ্বর অসি ভাইবং মীওইবদা লাক্লবদি জ্বর অহুম মকৌই ॥৫৬॥ *

ভগবান্ মহাদেবগী তেজগী মশক ওইরবা জ্বর অসে য়াম্না শাথিরনি। মাসি শিরমদাইদা পোকপা লুমিত্তশিং অদুগা মরক্তদু ভাইবং মীওইবগী মথাদা হেক্ হেক্ লাকই। থবক পুম্নমক তৌভবা মাহেশ্বর জ্বর অসি জীবপাম্বা পুম্নমকী মকমদা কিনিংঙাই ওইবা, খুকদ্রিঙাই ওইবা অমনি। হায়খ্রিবা জ্বর অসিনা ধর্ম-খঙবশিংগী অথোইবা বৃত্রাসুরগী মথাদা চঙথিরনি ॥৫৭—৫৮॥

ভরত-বংশদা পোকপা যুধিষ্ঠির! জ্বর অসিনা মথাদা হেক্ চঙথিরবা বৃত্রাসুর অদু হকাম্ লাওনা চন্থি। অদুগা হকাম্ চল্লিঙৈ মতম অদুদা ইন্দ্রনা বজ্রনা মঙেন্দা থাখিরনি। বজ্রনা মাগী হকচাংদুদো চঙখিদুনা মথা পুম্বা শেগায়খিদুনা লংথোক্খিরনি ॥৫৯॥

* অদীংবা অশাবা অসিনচিংবা পুম্নক অসিগা— অশাঙবা অপাম্বা, মিহৌবা অসিনচিংবগা কার্য্য-কারণ ভাব লৈমৈ। অদুনা কাম, ক্রোধমচিংবা পুক্নীংগী লায়নাশিং অসি লৈতবা যোগী মুনিশিংগী হকচাংদা অদীংবা অশাবনচিংবগী তাপ জ্বরমচিংবা লায়না শঙনা লাক্তে। মাসোমদা আধুনিক কবিরাজ ডাক্তরশিংনসি থোইনা থবক্কদে। নেচর-পেথী প্রাকৃতিক চিকিৎসাদদি মাসি মক ওইবা বিষয় অমা ওইনা লৈ। অদুনা হকচাংদা জ্বরমচিংবা লায়না লাক্লপা হীদাক লাংঙক্‌চংবা উপায়শিংগা লোয়ন লোয়ননা লায়রা লায়নাদুগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা— শিব-দুর্গা, লাইরেম্বা-লাইরেম্বী করা কয়াগী ইরাৎ-পূজানচিংবা তৌনরি। মাসিদু অয়াম্বা নত্তে। অদুনা অধিষ্ঠাত্রী দেবতাশিংগী ইরাৎ-পূজা থোরাং তৌবসিদু লায়নাদুগী প্রতীকার ভাক্থোক্লবগী শরূক অমনি। পৃথিবীগী মকম পুম্নমক্তা মাগী মাগী জাতি সম্প্রদায়দুগী কুলধর্ম্মগী মতুংইন্না মালিগী নিয়ম অসি হৌজিকসু চৎনরি। হায়রিবা অসিগুম্বা যজ্ঞ পুজানচিংবদা শ্রদ্ধা (থাজবা) মা মরুপ্পি। (কালাচাঁদ)

ধারিতস্তু স বজ্রেণ মহাযোগী মহাসুরঃ। জগাম পরমং স্থানং বিষ্ণোরমিততেজসঃ ॥৬০॥

বিষ্ণুভক্ত্যা হি তেনেদং জগদ্ব্যাপ্তমভূত্তদা। তস্মাচ্চ নিহতো যুদ্ধে বিষ্ণোঃ স্থানমবাপ্তবান্ ॥৬১॥

ইত্যেষ বৃত্রমাশ্রিত্য জ্বরস্য মহতো ময়া। বিস্তরঃ কথিতঃ পুত্র কিমন্যৎ প্রব্রবীমি তে ॥৬২॥

ইমাং জ্বরোৎপত্তিমদীনমানসঃ পঠেৎ সদা যঃ সুসমাহিতঃ।

বিমুক্তরোগঃ স সুখী মুদা যুতো লভেত কামান্ স যথা মনীষিণাম্ ॥৬৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি জ্বরোৎপত্তির্নাম অষ্টসপ্তত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৮॥

——:(০):——

মহাযোগী ও মহাসুর বৃত্রাসুরের প্রাণ ভগবান শ্রীবিষ্ণুর ধামে গমন করিল ॥৬০॥

ভগবান শ্রীবিষ্ণুর ভক্তির প্রভাবে বৃত্রাসুর জগৎ ব্যাপ্ত করিয়াছিল। অতএব মহাবীর বৃত্রাসুর যুদ্ধে ইন্দ্রের বজ্রে নিহত হইয়া বিষ্ণুর ধামে গমন করিল ॥৬১॥

যুধিষ্ঠির! বৃত্রাসুরের কাহিনী আশ্রয় করিয়া জ্বরের উৎপত্তির এই বিস্তৃত বিবরণ তোমাকে বলিলাম। আর কী শুনিতে চাও? ॥৬২॥

পবিত্র হইয়া, একাগ্রচিত্তে জ্বরোৎপত্তির এই কাহিনী যে সর্বদা পাঠ করে, সে রোগ হইতে মুক্ত ও আনন্দিত হইয়া সুখী হয় এবং তাহার সকল মনোবাঞ্ছা পূর্ণ হয় ॥৬৩॥

শ্রীমহাভারতের শতসাহস্রী সংহিতায় শ্রীব্যাসদেব রচিত শান্তিপর্ব্বের মোক্ষধর্মপর্ব্বে জ্বরোৎপত্তি নামক দুইশত আটাত্তরতম অধ্যায় সমাপ্ত ॥২৭৮॥

——:(০):——

মণিপুরী মহাভারত

একোণাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(দক্ষযজ্ঞ থুগাইবা, মহাদেবনা বর পীবা, শিবসহস্রনামনচিংবা)

চনীঙ্গুম্‌ফুতরাযাপন্‌গুবা অধ্যায়।

——ঃ(ঃ)ঃ——

জনমেজয় উবাচ।

প্রাচেতসস্য দক্ষস্য কথং বৈবস্বতেঽন্তরে। বিনাশমগমৎ ব্রহ্মন্ হয়মেধঃ প্রজাপতেঃ ॥১॥

দেব্যা মন্যুকৃতং মত্বা ক্রুদ্ধঃ সর্ব্বাত্মকঃ প্রভুঃ। প্রসাদাৎ তস্য দক্ষেণ স যজ্ঞঃ সন্ধিতঃ কথম্ ॥

এতৎ বেদিতুমিচ্ছামি তন্মে ব্রূহি যথাতথম্ ॥২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

পুরা হিমবতঃ পৃষ্ঠে দক্ষো বৈ যজ্ঞমারভৎ। গঙ্গাদ্বারে শুভে দেশে ঋষিসিদ্ধনিষেবিতে ॥৩॥

গন্ধর্ব্বাপ্সরসাকীর্ণে নানাদ্রুমলতাবৃতে। ঋষিসঙ্ঘৈঃ পরিবৃতং দক্ষং ধর্ম্মভৃতাং বরম্ ॥৪॥

পৃথিব্যামন্তরিক্ষে চ যে চ স্বর্লোকবাসিনঃ। সর্ব্বে প্রাঞ্জলয়ো ভূত্বা উপতস্থুঃ প্রজাপতিম্ ॥৫॥

জনমেজয়না হায়ি— ব্রহ্মন্! বৈবস্বত মন্বন্তরদা প্রচেতাশিংগী মচা প্রজাপতি দক্ষকী অশ্বমেধ চাউ-থবা যজ্ঞ অদু করম মহাক্না মাংহনখিবগে? ॥১॥

দক্ষকী যজ্ঞতা ঐ আমত্তম নিমন্ত্রণ তৌদবসিদা পার্ব্বতীসি মায়া শাউরমাগে, অদুম হায়রগা অদুবু অচঞ্জত তৌব পুম্নমক্কী আত্মাশি মশক ওইবা ভগবান্ মহাদেব অসি মায়া শাউপ্রখিনি। অদুদগী অমুক্ক মঙো করম্না শেন্‌থোক্কনা দক্ষনা হৌডোন্‌থোক্কনা যজ্ঞ অদু মপুংফানা পাংথোক্‌খিবগে? মসি ঐ মায়া তাজনীডবু, পোক্তান্‌ কহুনা অমুক্কা হন্দোক্না পীবিয়ু ॥২॥

বৈশম্পায়ননা হায়, — মাংমা কুটইবা থাক্না মমাংগৈগী মানি। হিমালয়গী মথাক্তা মাকল অমদা লৈবা যোগী ঋষি সিদ্ধ সাধ্যশিংগী লৈফম ওইবা গঙ্গাদ্বার (হরিদ্বার) হায়বা মহাতীর্থ অদুদা দক্ষ প্রজা-পতিনা অশ্বমেধ যজ্ঞ অমত্তং হৌনখিবগী থৌরাং তৌখি ॥৩॥

মফম অসিদা গন্ধর্ব্ব অপ্সরাশিংনা থল্না লৈরম্মি। মখল মখা অয়াম্বা হৈপাক লৈপাক উপালশিংনা মফম্ পীরিবা মায়া শেংলবা কঙ্গয়বা মফামি। ঋষি মুনিশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্নুনা দক্ষ প্রজাপতি অসি কজনা থাম্মোইনা ফগৎহনা লৈ। মফম অদুদা লৈমায়থক্কী অদুগা নোংমদোংথক্কী মী-মাই কয়া কয়াবা, তিল-

তথা দক্ষস্য বিপুলো যজ্ঞোঽয়ং ভবিষ্যতি ॥২১॥

দক্ষ উবাচ।

এতন্মখেশায় সুবর্ণপাত্রে হবিঃ সমস্তং বিধিমন্ত্রপূতম্।
বিষ্ণোর্নয়াম্যপ্রতিমস্য ভাগং প্রভুর্বিভুশ্চাহবনীয় এষঃ ॥২২॥
এবং ব্রুবাণং ভগবান্ সপত্নীং প্রহৃষ্টরূপঃ কুপিতামুবাচ।
ন বেৎসি মাং দেবি কৃশোদরাঙ্গি কিং নামযুক্তং বচনং মখেশে ॥২৪॥
অহং বিজানামি বিশালনেত্রে ধ্যানেন হীন ন বিদন্ত্যসন্তঃ।
তবাদ্য মোহেন চ সেন্দ্রদেবা লোকাস্ত্রয়ঃ সর্ব্বত এব মূঢ়াঃ ॥২৫॥
মামধ্বরে শংসিতারঃ স্তুবন্তি রথন্তরং সামগাশ্চোপগান্তি।
মাং ব্রাহ্মণা ব্রহ্মবিদো যজন্তে মমাধ্বর্য্যবঃ কল্পয়ন্তে চ ভাগম্ ॥২৬॥

থওলে। অদুমক্তনা মহায় ভাঙ্কচুনা মহাদেবগীবু আবাহন তৌত্রবনি। ঐগী মত্তদি ভগবান্ শঙ্করগী চেনুবা দেবতা অতে দেবতা অমা কৈত্রমাঙ্গে হায়ন থগ্রি। ঐগা থগ্রিবা থওালবসিমক্তনা অচুম্বমক্ত ওই-রবদি দক্ষগী মহাযজ্ঞসে, ওসি মীকুপ্তা কাম্রগদি ॥২১॥

দক্ষনা হায়,— মহর্ষি। য়েঙু, বিধি কায়দনা মন্ত্রনা শেংদোক্লবা হবি অসে সনাগী পাত্রদা হাপচুনা থগ্রি। মাসি যজ্ঞেশ্বর শ্রীবিষ্ণুগী চংখদা কংকগোগ্রি। ভগবান্ বিষ্ণু মায়বা কনাগুম্বা দেবতা (লাই) অকত্ত লৈত্রবনি। হবিষগী অথোয়বা শরুক অসে ঐন ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুদা কংকোনি। থবক পুম্বমক তৌবা ওবদি ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুবনি। সক্কগী শরুক অপগনবা মতৌক চাবদি শ্রীবিষ্ণুবনি ॥২২॥

নিংথৌ। অসোমদা কৈলাসগী চীঙ্গংক্তা পার্ব্বতীনা য়াম্না যুংঙাইতনা হায়রি,— ভঙ্গোকপনি। আঃ! ঐগী ঈপুয়োম্বা ভগবান্ শঙ্করনা ওসগী অদা তৌবগী যজ্ঞ অসিগী শরুক ফংলোই অমা, নত্রগা শরুক অহুমগী শরুক অমা ফংলবদি করি ব্রত, কারি উপাসনা, করি দান তৌরগা থক্কনগে? ॥২৩॥

লোয়নবীগী মথয়ায় যুংঙাইতনা লেপ্লুবা ওাঙবা অসি তাবদা মহাদেবনাসি য়াম্না যুংঙাই হৱাওনা থোন্-জেল হৌনা কাক্ কাক্ নোক্লদুই। ঈবেম্মা! কজবী! খংহেংবী! যজ্ঞ পুম্বমক্কী ঈশ্বর (মপু) দি—মহাদেব ঐনি হায়বসি খঙ্গ্রিদ্রবো। ঐগী বিষয়দা করম হায়না ওাঙশক্কদগে হায়বহেক্লুসু নংনা খঙ্গ্রি ॥২৪॥

ঈবেম্মা! ঐ লোইনা খঙি। পূর্কীং ওকনা ধ্যান তৌদবা মীনা ঐগী খাজেদেবো মপপু খঙবা ওমদে। ওসি নংনা যুংঙাইথিদবা ওঙ্কংথিবাসনা ইন্দ্রনচিংবা দেবতা পুম্বমক্তা লোয়ননা মরোল অহুম অসি তৌকম খঙওক্লে ॥২৫॥

যজ্ঞদা স্তুতি থীবা কাওবু অমনা ঐগী স্তুতি গান তৌরি। সামগান শকপা কাওবু অমনা সামবেদগী রথন্তর কৌবা শরুক অহু শকুনা ঐগী স্তুতি তৌনে। বেদগী ভবহু মুম্না খঙবা ব্রাহ্মণশিংনা ঐগী যজ্ঞত ঋত্বিকশিংনা যজ্ঞগী ভাগ ঐঙোন্দা হাপ্না কংলি ॥২৬॥

দেব্যুবাচ ।

সুপ্রাকৃতোঽপি পুরুষঃ সর্ব্বঃ স্ত্রীজনসংসদি । স্তৌতি গর্ব্বায়তে চাপি স্বমাত্মানং ন সংশয়ঃ ॥২৭॥

শ্রীভগবানুবাচ ।

নাত্মানং স্তৌমি দেবেশি তনুমধ্যমে । যং স্রক্ষ্যামি বরারোহে যাগার্থং বরবর্ণিনি ॥২৮॥

ইত্যুক্ত্বা ভগবান্ পত্নীমুমাং প্রাণৈরপি প্রিয়াম্ । সোঽসৃজদ্ভগবান্ বক্ত্রাৎ ভূতং রোমপ্রহর্ষণম্ ॥২৯॥

তমুবাচাক্ষিপমখং দক্ষস্যেতি মহেশ্বরঃ । ততো বক্ত্রাৎ বিমুক্তেন সিংহেনৈকেন লীলয়া ॥৩০॥

দেব্যামন্যুব্যপোহার্থং হৃতোদক্ষস্য বৈ ক্রতুঃ । মন্যুনা চ মহাভীমা মহাকালী মহেশ্বরী ॥৩১॥

আত্মনঃ কর্ম্মসাক্ষিত্বে তেন সার্দ্ধং মহানুগা । দেবস্য সুমতং মত্বা প্রণম্য শিরসা ততঃ ॥৩২॥

আত্মনঃ সদৃশঃ শৌর্য্যাৎ বলরূপসমন্বিতঃ । স এব ভগবান্ ক্রোধঃ প্রতিরূপসমন্বিতঃ ॥৩৩॥

অনন্তবলবীর্য্যশ্চ অনন্তবল পৌরুষঃ । বীরভদ্র ইতি খ্যাতো দেব্যামন্যুপ্রমার্জকঃ ॥৩৪॥

দেবীনা হায়,— ঈবুঙো ! কদ্দম্ব লৈজরবা কুমুঃ পঙলব নিপা কাওবা মাগী মপীগী মমাঙদা, মপী-শিংগী মমাঙদা মশাবু থাগচ্চে মশাগী গুণবু শাশাদুনা তাহল্লি, চাউথোক্‌চে । হায়জরিবা অসিদা কদ্দমতা চিংনকম লৈত্রবনি ॥২৭॥

মহাদেবনা হায়,— দেবতা পুরমকী মহেম্মা ! খ্যাংজেংবী ! শাঙং-শাঙা তোনগানবী ! কুচু-ফজবী ! নমাঙদা ঐনা ঈশাবু থাগচ্চেব নত্তে । করে, ঐগী ঈভীকু যেংভু । নংনা ফুংতাইজবা যজ্ঞ অসিবু থুগাই-নবা কন্নবা নিপা অমা ঈশাদগী পুথোক্কে, যেংলু কো ॥২৮॥

থরায়নগী হেন্না নুংশিজবী পার্ব্বতীদা অসুমা হায়রগা ভগবান্ মহেশ্বরনা মশাগী মায়ুংদগী অকিবগী মশক কনা কন্নবা নিপা অমা চোংথোকহল্লকই । মহু ঊবদা পার্ব্বতীগী মীগু হরাউবা অমদি ফুংতাইবা পোক্লকম ওই ॥২৯॥

মহেশ্বরনা থোকক্লিবা নিপা অদুদা অসুমা হায়রকই, — "অকন্‌বা । চংলু, হৌজিকমক দক্ষগী যজ্ঞ থুগাইক ।" ভগবান্ শঙ্করগী মায়ুংদগী থোরকপা অকন্‌ব অদুনা নোংশাগী নতৌগুম্না তংজ-চোংলহুনা— পার্ব্বতীগী অয়াবা অশাউবমু থোক-ত্বগীদমক্তা ঈশৌ থোওঙনা দক্ষগী যজ্ঞ মন্থু সায়কায় শাবলক্লে ॥৩০॥

মতম অদুদা ভবানী পার্ব্বতীগী অশাউবদগী পোকখিবী অকিবগী মশক ওইবী মহাকালী মহেশ্বরীনা মশাগী মতীক মতম্বু উৎকে ফায়বদগীমক মাগী সেবকশিংগা লোয়নবা বীরভদ্রপা লোয়নবা চংখি ॥৩১॥

(বীরভদ্রনা যজ্ঞ থুগাইবগী বিবরণদি মতুংদা ইরগনি ।) বীরভদ্র অসি হেক্ পোকপদা মহাদেবদা মথুং লোয়নবা থুকখি । অকন্‌বা নিপা অসি মতীক-মতম, মথোনা-মপাঙলনা মাগী লৈজেং ওইদুনা পোকই । মহাক অসি ভগবান শিবনা হেক হায়দ্রিবমথৌ তৌবা ভমগনবা মীশক্ অমনি । মহাদেবগী হকচাংদগী অশাউবা হায়বদুমকী মূর্ত্তি ওইনা চোংথোকখিবা দেবতা অমগুমনি । মহাকী থৌনা, কন্‌ব, মখিল, বীর্য্য, শক্তিগী কয়িগুম্বা চাংদমীংঙাই অমদি গুমথৌ লৈয়মদে । পার্ব্বতীগী অশাউবা ফুংতাইভবু পোকহন্‌বা গুম্বা

সোঽসৃজদ্ রোমকূপেভ্যো রৌম্যান্ নাম গণেশ্বরান্। রুদ্রতুল্যা গণা রৌদ্রা রুদ্রবীর্য্যপরাক্রমাঃ ॥৩৫॥
তে নিপেতুস্ততস্তূর্ণং দক্ষযজ্ঞবিহিংসয়া। ভীমরূপা মহাকায়াঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৩৬॥
ততঃ কিলকিলাশব্দৈরাকাশং পূরয়ন্নিব। তেন শব্দেন মহতা ত্রস্তাস্তত্র দিবৌকসঃ ॥৩৭॥
পর্ব্বতাশ্চ ব্যশীর্য্যন্ত চকম্পে চ বসুন্ধরা। মারুতাশ্চৈব ঘূর্ণন্তে চুক্ষুভে বরুণালয়ঃ ॥৩৮॥
অগ্নয়োনৈব দীপ্যন্তে নৈব দীপ্যতি ভাস্করঃ। গ্রহা নৈব প্রকাশন্তে নক্ষত্রাণি ন চন্দ্রমাঃ ॥৩৯॥
ঋষয়ো ন প্রকাশন্তে ন দেবা ন চ মানুষাঃ। এবন্তু তিমিরীভূতে নির্দহন্ত্যপমানিতাঃ ॥৪০॥
প্রহরন্ত্যপরে ঘোরা যূপানুৎপাটয়ন্তি চ। প্রমর্দ্দন্তি তথা চান্যে বিমর্দ্দন্তি তথা পরে ॥৪১॥
আধাবন্তি প্রধাবন্তি বায়ুবেগা মনোজবাঃ। চূর্ণ্যন্তে যজ্ঞপাত্রাণি দিব্যান্যাভরণানি চ ॥৪২॥

মিপা অসি মতুংদা বীরভদ্র অমুম হায়না কাওখি ॥৩৩—৩৪॥ মহাক্রা মহাক্রী তুবোংশিংদগী মশাং লাক্-ওমজবা রৌম্য কৌবা গণেশ্বরশিংবু পুথোক্খি। মথোয় অদু অমমম্ রুদ্রগা মান্নবদগী রৌদ্রগণ হায়না অমুম থওনখ্রে। মথোয় অমমম্সি মতৌক্-মওং মথৌমা, মপাঙ্গল রুদ্র অমমমৃগা চপ মান্নৈ ॥৩৫॥

অদুবগী মশক ফংনা মশা মশা ফবা রুদ্রশিং অসি চামা চামা লিশিং লিশিংনা থুঙিং ওইদুনা মটেপ মটেপ চোংথোরক্লুনা থেক্-লাইবগী খোঙ্গেল্না আকাশ পাতাল পুম্নিং মিলহন্না দক্ষগী যজ্ঞমুং থুগাইদনে হায়বগী কৈমিরগে ॥৩৬॥

মথোয়গী অদুবগী মশক ফংনা লাইশিংরূপা থোমাই অদুনা মঙ্গলা লাক্লিবা দেবতাশিংদুগী থম্মোয়দা অকিবা, মিপাইবা পোক্খি। চাউমান্ পুম্নমক মচেৎ মচেৎ লৈথোক্খি। পৃথিবী অসি থক থক নীক্লই। নীং-মায় পাওবা মাইবয়ৈ মুঙ্গেং চেগায়, ঈকুল মাংকুম্না থম্নদ মীশিং অকন্বা লাক্খি। সমুদ্রনা ঈথক্ কম্না কম্না যৌতিল্লকই ॥৩৭—৩৮॥

মতম অসিদা মৈ অমত্তা চাকই মাখিদ্রে। ঙমিংনা মশেল ময়াং ওইনা থিক্ল মতাদ্রে। থা থবাম-মগাক, প্রহনচিংবা অমত্তা তেজ যাওখিদ্রে, মাহৈপে পুম্না পুম্নম মমশিল্লক্রে। অনাগী লাই আইবংমী, মুনি ঋষি পুম্নমক তুমিল্ তুমিন্ লোংশথ্রে। দক্ষগী মতমদগী চোম্না ফংলব রুদ্রশিংনা যজ্ঞগী মণ্ডপ অকোয়বদা মৈ থাদংলয়কই ॥৩৯—৪০॥

অদুবগী মশক ফংলবা ভূতশিংনা অদুনা কম্মিন্— যাওখ্রিবা সলত্তাশিং অতুবু শাখিনা কুবা চৌদক্রে। থম্না যূপকাষ্ঠ (যজ্ঞগী য়ুংলিবা মুংগী) শিং অমুবু ফুকু ফুক্লুনা লংথোরক্রে। রুদ্রশিং থম্না যজ্ঞগী পোৎচৈ পাত্র হোমজৈনচিংবনু থুদেক্পা নৈথাইবা হৌদক্রে ॥৪১॥

মুংশিংকী অমদি পুক্নীংগী মতৌগুম্না মাঙলবা অতুগা শাক্ কম্লবা ভূতশিং অদু যজ্ঞ মণ্ডপ মনুংদা অমদগী অমদা কাচু কায়ল কোয়চেল চেল্লকই। থম্না যজ্ঞগী মহল মাম্নবা পাত্র অমদি কিয়োলশিং অমু লিংগুপ শানা থুগাইদক্রে, শেগায়দুনা লংথোরক্কই ॥৪২॥

বিদীর্য্যমানা দৃশ্যন্তে গতা ইব নভস্থলে। দিব্যান্নপানভক্ষ্যাণাং রাশয়ঃ পর্ব্বতোপমাঃ ॥৪৩॥
ক্ষীরনদ্যোঽথ দৃশ্যন্তে ঘৃতপায়সকর্দ্দমাঃ। দধিমণ্ডোদকা দিব্যাঃ খণ্ডশর্করবালুকাঃ ॥৪৪॥
ষড় রসান্নিবহন্ত্যোঽথ গুড়কুল্যা মনোরমাঃ। উচ্চাবচানি মাংসানি ভক্ষ্যাণি বিবিধানি চ ॥৪৫॥
পানকানি চ দিব্যানি লেহ্যচোষ্যাণি যানি চ। ভুঞ্জতে বিবিধৈর্ব্বক্ত্রৈর্বিলুম্পন্ত্যাক্ষিপন্তি চ ॥৪৬॥
রুদ্রকোপান্মহাকায়াঃ কালাগ্নিসদৃশোপমাঃ। ক্ষোভয়ন্ সুরসৈন্যানি ক্ষোভয়ন্তঃ সমন্ততঃ ॥৪৭॥
ক্রীড়ন্তি বিবিধাকারাশ্চিক্ষিপুঃ সুরযোষিতঃ। রুদ্রকোপাৎ প্রযত্নেন সর্ব্বদেবৈঃ সুরক্ষিতম্ ॥৪৮॥
তং যজ্ঞমদহচ্চোগ্রঃ রুদ্রকর্ম্মা সমন্ততঃ। চকার ভৈরবং নাদং সর্ব্বভূতভয়ঙ্করম্ ॥৪৯॥
ছিত্ত্বা শিরো বৈ যজ্ঞস্য ননাদ চ মুমোদ চ। ততো ব্রহ্মাদয়ো দেবা দক্ষশ্চৈব প্রজাপতিঃ ॥৫০॥

মখোয়না লাক লাক্লুনা লংথোরক্পা লংলবা মকুপশিং অহু মোংমদোম্নক্লা কুকেং ফাকেং ওাল্লিবা থল্লানমচাকশিংগী মওৌওুম্না উই। মখোয়না লথোক্লকপা পাত্র মচেৎ, ফি মচেৎ অহুপা অচা অথকশিংগী মকুপশিংহুনা মপৈ মপৈ পৈথৎলক্লুনা চীওদুম্ অমমমুওুম থিজ্ থিজ্লুনা লৈথি ॥৪৩॥

শঙ্গোম মরী মরীনা তুরেলওুম চেন্থরি। থী মাখল ক্ষীরগী মপৈ মপৈনা ফমজিন্ মপশিন্থিহুনা শীং শীং লাউনা লৈখোম থোক্লি। শঙ্গোম-মপান, শঙ্গোম-অশীন্বা মহীনা ঈচেল নাইনা চেন্থরক্লি। চিনি অকেন্ববা, চিনি অতোবগী মপৈ মপৈ চাইথোয়ক্লুনা যজ্ঞ মণ্ডপকী পাক্-চাউরবা লৈমায় অহু লৈতোয় মপৈ মপৈনা হাগৎলক্পওুম উরি ॥৪৪॥

শঙ্গোম, থী, শঙ্গোম-মপান্গী তুরেনশিং অহু রস ভরক্লী অগোলোৎ মপৈ মপৈব কৌশিং কোয়াংগী মওোওুম্না চেন্থহুনা পুরি। উহৈ মখল মখল্না অংগা হাউনা হাইনা থোংহুনা শেম শায়বা অচা অথক্ মখল মখল্না শঙ্গোমগী তুরেলশিং অহুনা ভাউথরি ॥৪৫॥

হাউয় হাউরবা শায়হুনা চাবগা, থক্লনবা, লেক্লুনা চাননবা, চুপ্পুনা চাননবা অচা-অথক্শিং অহু রুদ্র-শিং ভূতশিং অহুনা চারি, বৈশাইরি, লৌ লৌহুনা অমদা অমগা লংশিন্নরকই ॥৪৬॥

মশা-মউ করবা, রাং চাউরবা কল্লবা ভূতশিং যৌদ্রশিং অহুনা লাইশিংগী লান্মী থোক্তলোয়শিং অহুবু ভান্থাইরকথি মখোয়গী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহল্লি ॥৪৭॥

মওং ফীবম তোত্তাল তোত্তাল্লবা রুদ্রশিং অহুনা চোংল চোংলহুনা, জগোই শা শায়হুনা যজ্ঞমণ্ডপমুংদ কোয়চং চংলম্মি। লাইশিংগী লোয়নবীশিং অহুবু পায়থং পায়থংলুনা লাক্ লাক্ লংথোক্থি। লাইয়ামশিং অহুনা পুক্লপ হোৎহুনা যজ্ঞ অহুবু ঙম্মনবা ভাক্লনবা হোৎনথি। অহুবু মহাদেবগী অশাউবদগী পোকখিবা কল্লবা বীরভদ্রনা মখেয় ময়াম অহুবু কা কাহুনা মৈক্লুংদা লংশিন্লুনা মখোয়বু উৎ ওইনা মাওহন্থি ॥৪৮॥

অহুগী তুংদা বীরভদ্রনা অমূকমুক লাউয়কপদা অহুক য়াম্না তিল্লিরশিং অহুগী থম্মোয়দা অকিবা, মিংপাথবা পোক্লুই। অহুনগী যজ্ঞদেবতাহুমক্কী মডক কক্লুনা য়াম্না কৌনা সিংহনাদ লাউথি। অহুদগী থেক্লা থেক্লা নোক্লুনা জগোই শার শারহুনা চোংথি ॥৪৯॥ অহুগী তুংদা ব্রহ্মানচিংবা দেবতা পূয়মক্লা অহুগা

বীরভদ্র উবাচ।

নাহং রুদ্রো ন বা দেবী নৈব ভোক্তুমিহাগতঃ। দেব্যামন্যুকৃতং মত্বা ক্রুদ্ধো সর্ব্বাত্মকো প্রভুঃ ॥৫১॥

দ্রষ্টুং বা নৈব বিপ্রেন্দ্রান্ নৈব কৌতূহলেন বা। তব যজ্ঞবিঘাতার্থং সম্প্রাপ্তং বিদ্ধি মামিহ ॥৫২॥

বীরভদ্র ইতি খ্যাতো রুদ্রকোপাৎ বিনিঃসৃতঃ। ভদ্রকালীতি বিখ্যাতা দেব্যাঃ কোপাৎ বিনিঃসৃতা ॥৫৩॥

প্রেষিতৌ দেবদেবেন যজ্ঞান্তিকমিহাগতৌ ॥৫৪॥

শরণং গচ্ছ বিপ্রেন্দ্র দেবদেবমুমাপতিম্। বরং ক্রোধোঽপি দেবস্য বরদানং ন চান্যতঃ ॥৫৫॥

বীরভদ্রবচঃ শ্রুত্বা দক্ষো ধর্মভৃতাং বরঃ। তোষয়ামাস স্তোত্রেণ প্রণিপত্য মহেশ্বরম্ ॥৫৬॥

প্রপদ্যে দেবমীশানং শাশ্বতং ধ্রুবমব্যয়ম্। মহাদেবং মহাত্মানং বিশ্বস্য জগতঃ পতিম্ ॥৫৭॥

প্রজাপতি দক্ষনা থুং লোয়রুনা "হে দেবদেব! নহাক্কপু কনানো? করাম্বদগী লাকপনো?" অদুম হায়রনা বীরভদ্রনা হংখি ॥৫০॥

বীরভদ্রনা হায়— ব্রহ্মন্! ঐ রুদ্রসু নত্তে, দেবী দুর্গাসু নত্তে। অদুগা ঐ মকম অসিদা যজ্ঞগী শরুক ফাবুগে চাকগে হায়রনা লাক্কপসু নত্তে। প্রজাপতি নহাক্কা অসিদা তৌরিবা যজ্ঞ অসিনা দেবী পার্ব্বতীগী অশাউবা পোকহল্লবগী মরম ওইবা কারণ— মরম অমা ওইরে। দেবীগী অশাউবগী মরম অদু মুন্না থওরুনা মহাদেবনা প্রজাপতি দক্ষ নত্তোন্দা শাউথিরবনি ॥৫১॥

ঐনা মকম অসিদা লাক্লিবসে ঋষি ব্রাহ্মণময়াম অসিগী দর্শন তৌবা লাকপা নত্তে। যজ্ঞগী কুইমে মুংঙাইবা অসি য়েংগে হায়রুনা লাক্কপসু নত্তে। ঐনা মকম অসিদা লাকপগী মরমদি প্রজাপতি দক্ষ নহাক্কী যজ্ঞ অসি থুগাইবা অসিগীনি ॥৫২॥

ঐগী মিং বীরভদ্র কৌই। ঐ রুদ্রদেবগী অশাউবগী পোকখিবনি। মসী অসিনা ভদ্রকালী কৌই, মহাকালসিনা পার্ব্বতীগী অশাউবগী পোকখিবনি। দেবদেব মহাদেবনা ঐখোয় অনীবু মফম অসিদা থারক্পনি। অদুনা ঐখোয় অনীমক মফম অসিদা থুংলক্লিবনি ॥৫৩—৫৫॥

ব্রাহ্মণ অখোইবা! দক্ষ! নহাক্ক মহাদেবগী চৎলো। মহাদেবনা শাউরিবসিসু মঙ্গলগী মশক অমনি। মীচমবগী বরদান মঙ্গলগী মশক ওইবা ওদবনি ॥৫৬॥

বীরভদ্রগী বা অসি তাবনা ধর্মাচরণবশিংগী মরুপদা অখোইবা প্রজাপতি দক্ষনা ভগবান সদাশিবগী ইদেশ্যদা মকোক নোম্না মথুং লোয়রুনা স্তুতিশিং অদু মতৌ অসুম্না শকখি— শোনখি ॥৫৮॥

আচচক্তনা থম্বা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড পুম্বনকী—

ওইরবা থাংক্-থাত্তেহিবা তাকপিবা মপু মহাক্কী

লেঙডরবা মূর্ত্তি পুন-পুনা, শক্লোন মরাম পুক্তনা,

থুনক্কা জগৎপু কোইশিনবা, অরুকপা শক্তি পুক্তনা,

চক্কজরি নংগী চরণদা মহাদেব ওইবা অকনবা ॥৫৭॥

প্রাণাপানৌ সংনিরুদ্ধ্য বক্ত্রস্থানেন যত্নতঃ। বিচার্য্য সর্ব্বতঃ দৃষ্টিং বহুদৃষ্টিরমিত্রজিৎ ॥৫৮॥
সহসা দেবদেবেশো হ্যগ্নিকুণ্ডাৎ সমুত্থিতঃ। বিভ্রৎ সূর্য্যসহস্রস্য তেজঃ সংবর্ত্তকোপমঃ ॥৫৯॥
স্মিতং কৃত্বা ব্রবীৎ বাক্যং ব্রূহি কিং করবাণি তে। শ্রাবিতে চ মখাধ্যায়ে দেবানাং গুরুণা ততঃ ॥৬০॥
তমুবাচাঞ্জলিং কৃত্বা দক্ষো দেবং প্রজাপতিঃ। ভীতশঙ্কিতবিত্রস্তঃ সবাষ্পবদনেক্ষণঃ ॥৬১॥
যদি প্রসন্নো ভগবান্ যদি চাহং ভবৎ প্রিয়ঃ। যদি বাহমনুগ্রাহ্যো যদি বা বরদো মম ॥৬২॥
যৎ দগ্ধং ভক্ষিতং পীতমশিতং যচ্চ নাশিতম্। চূর্ণীকৃতাপবিদ্ধং চ যজ্ঞসম্ভারমীদৃশম্ ॥৬৩॥
দীর্ঘকালেন মহতা প্রযত্নেন সুসঞ্চিতম্। তন্ন মিথ্যা ভবেন্মহ্যং বরমেতমহং বৃণে ॥৬৪॥
তথাস্ত্বিত্যাহ ভগবান্ ভগনেত্রহরো হরঃ। ধর্ম্মাধ্যক্ষো বিরূপাক্ষস্ত্র্যক্ষো দেবঃ প্রজাপতিঃ ॥৬৫॥
জানুভ্যামবনিং গত্বা দক্ষো লব্ধ্বা ভবাৎ বরম্। নাম্নামষ্টসহস্রেণ স্তুতবান্ বৃষভধ্বজম্ ॥৬৬॥

অসুম হায়না য়াম্না নোম্লক্না খুংলোম্মনা দক্ষনা স্তুতি তৌরক্লবা মতম অসিদা মীং লিশিং পানুভস্বা, য়েক্লবা নৈপেবু খুনক্লা থাক্লংদা ভস্ব, মায়পোং কয়া কয়না নৈক্তেং ওইনা, মহাদেবনা প্রাণ অপান বায়ু অনীবু চিন্তনা থিংহুনা, নুংঙাইবা মীংশিংতনা মায়গে তরা য়েং য়েংদুনা যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডহুনগী থোংলোরকই। প্রলয়গী মৈগী মতৌগুম্না তেজ লৈরবা মহাদেবনা সুমিং লিশিং অমগী তেজ পুহুনা দক্ষগী মাঙমক্তদা চপ লেপখি। মোমোন্ ঙাংনা— "প্রজাপতি! ঐবু নীংশিংতকপগী মরম কদিনো? ঐবু করি তৌ হায়বগে?" অসুম্না মহাদেবনা হায়খি ॥৫৮—৫৯॥

মতম অদুদা দেবগুরু বৃহস্পতিনা মহাদেবগী মকমদা বেদগী মখাধ্যায়বু ঋচাগান তৌদুনা তাহন্খি ॥৬০॥

অদুগী তুংদা প্রজাপতি দক্ষনা মরী অনীগী পি কিনহুনা মখুৎ লোন্দুনা চিনবা অকিবা মিপাই-বগা লোয়ননা অসুম্না হায়রকই,— ভগবান্! ঐবু চান্বিরবাদ ঐবু নহাক্কী নুংশিবা য়াবা মীওক অমদি হায়না থন্বিরবদি, থৌজালগী মীংথেননা য়েংবিবা য়াবা মীপক অমানি হায়না লৌবিরবদি, অদুগা নহাক্কা বর অমুত পীবিগে থন্বরবদি ঐনা ঈবুঙো নঙোন্দগী নিজগদবা বর হায়ববু— মতম কুইদা য়ানা লাঙ-থক্চহুনা শিংথক্চবা যজ্ঞ অমগা থবা থামজিল্লকপা মচাক, মথোয়গুম্বগী থবক্ তৈ থাদোক্লপিল্লবা, অদুনা— লুথাক তাহৌবব, শরুক অয়াম্বনা শিংগুম শানা মাঙহনবিগ্রবশিং অসে অরেম্বদা তাহনবিগনু। অরেম্বা শরুকশিং অনিবুম্ম মাংহনবিগব ॥৬১—৬৪॥

মাতু তাবদা ধর্ম্ম পুম্নমক্কী অধ্যক্ষ (খুঙংগী মথক্তা য়েংশিনবিবা) ওইরিব, মীৎয়েং শক্তি তাঙাপ তোঙাম্ব পুবা মীংম্না অহুম্না লৈতেবা, সংসারগী মায়া ঐশ্বর্য্যদা য়েংশিন্নীংবা মীৎপু মাঙহনবা, দেবতা পুম্ন-মক্কী দেবতা ওইবা, ভগবান্ সদাশিবনা,— "হক, অদুম্মক ওইরসনু" অসুম হায়না মহাক্না পামজরিবা নীঙ রিহা বর অদু দক্ষদা পীবিখি ॥৬৫॥

বর অদু ফংলবা তুদা নৈমায়থক্তা খুক্খুদক কুন্দুনা মখুং লোন্দুনা মহাদেবদা মকোক্ নোম্না খুরুম-জখি। অদুগা মহাদেবগী নাম লিশিং অমগা নীপাল্লা বৃষধ্বজ মহাদেব স্তুতি তৌখি ॥৬৬॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

যৈর্নামধেয়ৈঃ স্তুতবান্ দক্ষো দেবং প্রজাপতিঃ। বক্তুমর্হসি মে তাতঞ্শ্রোতুং শ্রদ্ধাসমানয় ॥৬৭॥

ভীষ্ম উবাচ।

শ্রূয়তাং দেবদেবস্য নামান্যদ্ভুতকর্মণঃ। গূঢ়ব্রতস্য গুহ্যানি প্রকাশানি চ ভারত ॥৬৮॥

নমস্তে দেবদেবেশ দেবারিবলসূদন। দেবেন্দ্রবলবিষ্টম্ভ দেবদানবপূজিত ॥৬৯॥

সহস্রাক্ষ বিরূপাক্ষ ত্র্যক্ষযক্ষাধিপপ্রিয়। সর্ব্বতঃ পাণিপাদান্ত সর্বতোঽক্ষিশিরোমুখ ॥৭০॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— ইবুংঙো। পাপকী শত্রুক য়াওত্রবা। প্রজাপতি দক্ষনা মহাদেবগী স্তুতি তৌবদা থীজিনবা হৌজিক হায়বিঙ্গ্রবা নাম লিশিং অম নীপান হায়বত্থু অমুক্তা হায়বিয়ু, ঐহাক্না তাহনবিয়ু। মাহু ঐ শ্রদ্ধাগঃ লোয়ননা তাজনীঙ্গ্রে ॥৬৭॥

ভীষ্মনা হায়,— ভারত-নন্দন। অঙকপা অকিবা থবক্তা তৌঙহ্ন, য়াম্না কুপপ্রবা থুপপ্রবা ব্রত-তা তৌহুনা লৈরিবা, মহাদেবগী নামশিং অসিগী থয়দি য়াম্না থুপ্পা ফোঙদোকহৈদনা লৈপ্রবনি। ফোঙদোকপা য়াবা থরনা ফোঙদোকহ্রে। ফোঙদোকপ্রবা নামশিং অদো নহাক তারো ॥৬৮॥

নামশিং অহু মথং মথং হুস্নুম্না লক্কন থীথাদি। * মীৎ (নয়ন) লিশিং অমা পানবদগী (১) সহস্রাক্ষ, মীৎনচিংবা হাঞ্জরশিংনা প্রত্যক্ষ ওইবা পোত্ত নত্তনা পরোক্ষ ওইবা পোৎ পুম্বা উত্তম-তাঙ্গনা (২) বিরূপাক্ষ, মীৎ অহুম পানবদগী (৩) ত্র্যক্ষ, যক্ষ-নিংথৌ কুবেরগী চানবিবা মপু ওইবদগী (৪) যক্ষাধিপপ্রিয়, মকমপুম্বদা য়োঙম-কুপওম্বা খোঙ পুৎ পানবদগী (৫) সর্ব্বতঃ পাণিপাদান্ত, মত্তম-মায়গৈ পুম্বদা ইয়ো য়োবা, ইথুং থুংবা কোক্ মীৎ মায়খোং পুবনা (৬ সর্ব্বতোঽক্ষিশিরোমুখ কৌই ॥৭০॥

---

* গোপালসহস্রনাম খণ্ডদে, শিবসহস্রনাম খণ্ডদে, বিষ্ণুসহস্রনাম খণ্ডদে— নাম অমমম্তু লোল অমদা থক হন্দোকপা য়াদে, হৌম্নু হৌনদে, হন্দোক্লবস্তু অহুম মরানগনি। মরমদি—হন্দোকপা মতমদা বাক্যরা উপ-বাক্যরা, বাক্যাংশরা অমদি শোয়দনা ওইথিগনি। বাক্য উপবাক্যনচিংবনা মিং থোঙ্গদে। মিং অসিগী অর্থ ক'র হায়গিবনো হায়না হংবদি য়াই। মাহুম্না তৌরবদি কবিগুম্বা লোল অমদা বাক্য অমনা মপুংফানা হন্দোক্লবস্তু কবিমতা ক'য়ক্রে। 'হিমালয়' হ য়ব মিং অসি লোল অমদা মিং সিমকী চপ-অর্থ-পুম্বা শব্দ য়াহৈ অমত্তদা মিংথোনবা য়াদে, যাতলবস্তু অহুম মরামগনি। হিমালয়বু উনগী মযুম, উনগী ভূংকম কৌই হায়রবদি লাল্লি শব্দ অমতস্তু নত্রে বাক্যাংশ অমা কাপ্রে। লোল অমদা হন্দোকপা ফত্তে হায়যতনি। বাক্য পুম্বা অমনা মিং থাংব য়াক্রে হায়বগী তাকস্তু নত্তে। 'চেক্লাপাই' হায়বসি খুদ অমগী মমিংনি। বাক্য অমা মপু কান মিং থানগি। ইংরেজী লোন্দা অসিগুম্ব মিং অসি য়াম্না লৈ। মরম অহুনা— শিবজীগী নামশিং অসি মীঁওহন্দা ইহন্ হন্দোকুনা অক্ত-অক্তব মতাংদা বাক্যাংশনা বক্কনী মঙ্গংদা ইবন। কৈ। অহুম তৌবাল মিংশিং অসিতবু অপ তৌজনিংবশিংগী মকমদস্তু খোইদোকপা কাম্বা লৈয়রোই। অহুনা নামশিং অসি সংস্কৃত-শব্দদা লৈবহু ইকায় কাম্বদনা অক্লপ্তক্ ইরি। (কালাচাঁদ)

সর্ব্বতঃ শ্রুতিমাল্লোকে সর্ব্বমাবৃত্য তিষ্ঠসি। শঙ্কুকর্ণ মহাকর্ণ কুম্ভকর্ণার্ণবালয় ॥৭১॥
গজেন্দ্রকর্ণ গোকর্ণ পাণিকর্ণ নমোঽস্তু তে। শতোদর শতাবর্ত্ত শতজিহ্ব নমোঽস্তু তে ॥৭২॥
গায়ন্তি ত্বা গায়ত্রিণোঽর্চ্চন্ত্যর্কমর্কিণঃ। ব্রহ্মাণং ত্বা শতক্রতুমূর্দ্ধ্বং খমিবমেনিরে ॥৭৩॥
মূর্ত্তৌ হি তে মহামূর্ত্তে সমুদ্রাম্বর সন্নিভঃ। সর্ব্বা বৈ দেবতা হ্যস্মিন্ গাবো গোষ্ঠ ইবাসতে ॥৭৪॥
ত্বচ্ছরীরে পশ্যামি সোমমগ্নিং জলেশ্বরম্। আদিত্যমথ বৈ বিষ্ণুং ব্রহ্মাণং চ বৃহস্পতিম্ ॥৭৫॥
ভগবান্ কারণং কার্য্যং ক্রিয়া করণমেব চ। অসতশ্চ সতশ্চৈব তথৈব প্রভবাপ্যযৌ ॥৭৬॥

মকম পুম্নমক্তা নংগী নংগী নাক্কোং লৈবনা, হায়বদি— লোইনা ঊত ভাবনা (৭) সর্ব্বতঃ শ্রুতিমান্ পুম্নমকপু কৃপ্তুনা লৈহনা (৮) সর্ব্বব্যাপক কৌই (৯)। শঙ্কুকর্ণ (১০) মহাকর্ণ (১১) কুম্ভকর্ণ (১২) অর্ণবালয় (১৩) গজেন্দ্রকর্ণ (১৪) গোকর্ণ (১৫) পাণিকর্ণ মুভা অসি নহাক্কী পার্ষদ মক্তনি। মহাদেব নহাক্কী নমক ওইবনা তয়েং অসিস্ত নহাক্কী মিং মক্তনি। অসিগুম্বা মিং অসিবু পুম্নিব শিব নহাক্কী নকমদা হন্না হন্না থুরুমজরি ॥৭২॥

পুক চাম চাম পানবনা শতোদর, নাক্কুথ চাম চাম পানননা শতাবর্ত্ত লৈজং চাম চাম পানশনা— শতজিহ্ব কৌবা নহাকপু হন্না হন্না থুরুমজরি। গায়ত্রীমন্ত্র জপ তৌবনা মহাক্ত মন্ত্রগ শাক্ত। সূর্য্যদেবগী উপাসকশিংনা নহাক্কী উপাসনা তৌরি। ঋষিশিংনা নহাকপু ব্রহ্মাগী, শতক্রতু ইন্দ্রগী অমুগা আকাশগী চপ, মান্নবা থাক্তা থাক্তংতুনা আরাধনা তৌরি। অতুনা হায়রিবা মিংশিং অসিস্ত নহাক্কী মিং মক্তনি ॥৭২—৭৩॥

সমুদ্র অমদি আকাশগী মতৌগুম্না চাংজৌ লাইঅরব মূর্ত্তি নু পুম্নিবা হে মহামূর্ত্তিধারী মহেশ্বর। শন্-শঙ্গা শন্ মরাম লৈবগুম্ন মৈ ঐশিং কুপ্শিং লৈবাক্, অতি, সূর্য্য চন্দ্রমা মিপাল অমিনা মক্তম পুম্নমক্তা নত্তোম্মা ভুংহুনা লৈরিব্নি ॥৭৪॥

ঈবুঙো। নহাক্কী হকচাংথুদা এনা সোম, অগ্নি, বরুণ, সূর্য্য, বিষ্ণু, ব্রহ্মা অমুগা বৃহস্পতি পুম্নমক অসি লোইনা উয়ে। অতুনা মথোর অসিস্ত নহাক্কী মিং মক্তনি ॥৭৫॥

প্রভু। কারণ (থবক্কী মরম— মচাক) হায়বস্তুর নহাক্তি, নহাক্কী মিংনি। কার্য্য (থবক) অস্তমক্ত নহাক্তি, নহাক্কী মিংনি। থবক অহু তৌননবগী থুংলাই কারণ হায়বস্তুর নহাক্তি, নহাক্কী মিংনি। অতুনা কার্য্য, কারণ, করণ প্রত্যক্ষ নহাক্তা নথা মথক্তনা ওইবনা হায়রিবা মথোরশিং অসিস্ত নহাক্কী মিংলেন্ মক্তনি ॥৭৬॥

থাইগী পোক্কম ওইবনা ভব, থাই পুম্নমকপু মাঙহনবা, গুথংতন্না ওইবনা শর্ব্ব, পাপ পুম্নমক লাপ্না চেলহনথিবা মরম্না রুদ্র, বর পীনহৈবা মরম্না বরদ, পশুপক্ষীনচিংবা পা—উচেক্চি যগীশু পতি (মবুঙো— লোইশিন্ খোমজিনবিবা মপু) ওইব মরম্না পশুপতি হায়বসিমক্ নহাক্কী মিংলেন্ অমনি। অন্ধকাসুর হাংথিখিবা মরম্না অন্ধকঘাতী হায়বসিস্ত মহাক্কী মিং অমনি। নহাকপু এবা থুরুমজরি ॥৭৭॥

নমো ভবায় শর্ব্বায় রুদ্রায় বরদায় চ। পশূনাম্পতয়ে নিত্যং নমোঽস্ত্বন্ধকঘাতিনে ॥৭৭॥
ত্রিজটায় ত্রিশীর্ষায় ত্রিশূলবরপাণিনে। ত্র্যম্বকায় ত্রিনেত্রায় ত্রিপুরঘ্নায় বৈ নমঃ ॥৭৮॥
নমশ্চণ্ডায় কুণ্ডায় অণ্ডায়াণ্ডধরায় চ। দণ্ডিনে সমকর্ণায় দণ্ডিমুণ্ডায় বৈ নমঃ ॥৭৯॥
নমোর্দ্ধদংষ্ট্রকেশায় শুক্লায়াবততায় চ। বিলোহিতায় ধূম্রায় নীলগ্রীবায় বৈ নমঃ ॥৮০॥
নমোঽস্ত্বপ্রতিরূপায় বিরূপায় শিবায় চ। সূর্যায় সূর্যমালায় সূর্যধ্বজপতাকিনে ॥৮১॥
নমঃ প্রমথনাথায় বৃষস্কন্ধায় ধন্বিনে। শত্রুংদমায় দণ্ডায় পর্ণচীরপটায় চ ॥৮২॥

জটা অহুম পুবনা ত্রিজটা কৌবা নাবু খুরুমজরি। মহাক্কী খুত্তা ত্রিশূলনা লৈতেং ওইবা মরমনা—ত্রিশূলধারী কৌবা নঙোন্দা হন্না হন্না খুরুমজরি। মীৎ অহুম পানবনা ত্র্যম্বক কৌবা অহুপা ত্রিপুরাসুরবু হাৎখিবনা ত্রিপুরঘ্ন কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৭৮॥

ফত্তবশিংগী মশক্কা শাদিগনব ওইবা মরম চণ্ড কৌবা নঙোন্দা খুরুমজৈ। কুণ্ড মচুংদা ঊশিংনা তৃ হুনা লৈবগুম্ম অমাং পুথুনা নঙোন্দা কুহুনা লেবা মরম নহাক্কী মমিং কুণ্ড কৌই। ব্রহ্মাণ্ডমক্কী মশক ওইবা ওইবা মরম্মা নহাক্কী মিং অণ্ড কৌই। ব্রহ্মাণ্ডশিমক্কু পুথুনা লৈবা মরম্ম নহাক্কী মমিং অণ্ডধারী কৌই। অংচত্ত পুম্মক্কা ভাওশিবা শক্তিবা পুম্মকপু মতম অমত্তদা চপ মান্ননা ভাবিবদগী নহাকপু সমকর্ণ কৌই। লু কোকুনা চৈশু (দণ্ড) পায়রুনা চৎশনমু দণ্ডিমুণ্ড কৌই। অসিগুম্বা মিংলেন পুম্বা পুম্মমলিবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৭৯॥

নহাক্কী চাঁনবানে অমদি অদাং কাইনা চম্বা শাম্বা অহুম্বা কাক্কী জটানা মথক্কোমদা চপ চপ মুংনা হৌবা মরম্মা নহাকপু উর্দ্ধদংষ্ট্রকেশ কৌনা কৌই। অমদি ভৌবা শুক্ল ওইবা, অমরূপগী শকক্ত মাওঙবনা নংবু শুক্ল, জগৎ ব্রহ্মাণ্ডনা নঙোন্দা শীনথুংনা লৈবনা নহাকপু অবতত হায়না কৌই। রজোগুণ পুম্মকপু চুপশিন্দুনা পুডুবদগী বিলোহিত. তমোগুণ পুম্মকপু পুডুবনা ধূম্র হায়না কৌই। খোরী চরম্মা অশংবা মচু পুথিবগী নহাক্ক মিং নীলগ্রীব হায়না কৌবনি। অসিগুম্বা মিংলেন ময়াম্বু পুডুবা নঙোন্দা হন্না হন্না খুরুমজৈ ॥৮০॥

নহাক্কী মশক্কা মান্নবা অতৈ লৈতবগী, হায়বদি— অতৈ অমগা প্রমাণ তৌননীঙঙাই লৈতবদগী—অপ্রতিরূপ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। মথক মশা অয়াম্বা শক্লোন পুবদগী বিরূপ কৌব নঙোন্দা খুরুমজরি। মঙ্গলমক্কু শিবনি (মঙ্গলগী মশাক্কি) মঙ্গলমক্ক সূর্যানি, সূর্যমণ্ডলগী মচুংদা ভাস্বোইরিবনি। অদুনা শিব, সূর্য, সূর্যমাল্ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। নহাক্কী ফীরান্দা সূর্যদেবতানা প্রতীক (খুদম) ওইবা লৈবদগী সূর্যধ্বজপতাকী কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮১॥

প্রমথশিংগী লিংথো ওইবনা প্রমথনাথ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। শক্লাবগী মতৌগুম্বা লোংবামনা লৈতেং ওইবদগী বৃষস্কন্ধ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজৈ। য়েক্কবশিংগী মকমদা নমহৎপা নৈহৎপা হায়বদুমক্কী মশক ওইদুনা লৈবগী শত্রুংদম কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। দণ্ডমক্কী মশক ওইবা, অদুগা উনা-শীংথো,

নমো হিরণ্যগর্ভায় হিরণ্যকবচায় চ। হিরণ্যকৃতচূড়ায় হিরণ্যপতয়ে নমঃ ॥৮৩॥
নমোঽস্তু তায় স্তুত্যায় স্তূয়মানায় বৈ নমঃ। সর্বায় সর্বভক্ষায় সর্বভূতান্তরাত্মনে ॥৮৪॥
নমো হোত্রে চ মন্ত্রায় শুক্লধ্বজপতাকিনে। নমো নাভ্যায় নাভ্যায় নমঃ কটঙ্কটায় চ ॥৮৫॥
নমোঽস্তু কৃশনাসায় কৃশাঙ্গায় কৃশায় চ। সংহৃষ্টায় বিহৃষ্টায় নমঃ কিলকিলায় চ ॥৮৬॥
নমোঽস্তু শয়মানায় শয়িতায়োত্থিতায় চ। স্থিতায় ধাবমানায় মুণ্ডায় জটিলায় চ ॥৮৭॥
নমো নর্তনশীলায় মুখবাদিত্রবাদিনে। নাদ্যোপহারলুব্ধায় গীতবাদিত্রশালিনে ॥৮৮॥

উত্ত কিমতেং শেপ্পাইবনা লৈত্তেং ফীজোল ওইবদগী পর্ণতৈরপট কৌব কৌবা নত্তোন্দা খুরুমজরি ॥৮২॥

নংগী গর্ভগুংদা লৈবা সনাবু পুথোকখিবদগী হিরণ্যগর্ভ কৌবা, সনানা শাবা লাল ফুরিং লুহুপনা লৈত্তেং ওইবদগী হিরণ্য-কবচ, হিরণ্যচূড় কৌব, অদুগা স্বর্ণ— সনা কী-মাই পুম্নমক্কী নিংথৌ ওইবনা— হিরণ্যপতি কৌবা নাবু খুরুমজরি ॥৮৩॥

জীব খুদিংন স্তুতি তৌনবদগী স্তুত কৌবা, জীব খুদিংগী স্তুতি তৌনরিংঙৈ ওইবদগী স্তুত্য কৌবা, হৌজিক হৌজিকসু স্তুতি তৌনরিবনা স্তুয়মান কৌবা, পুম্নমক্কী মশক ওইবনা সর্ব কৌবা, পোৎ পুম্নমক্কা নহাক্কী চাক্নাক ওইবনা সর্বভক্ষ কৌবা, অদুগা জীব পানবা পুম্নমক্কী অন্তরাত্মা ওইবা মরম্না সর্বভূতান্তরাত্মা কৌবা নত্তোন্দা খুরুমজরি ॥৮৪॥

যজ্ঞগী হোতাসু নহাকমক্কা ওইবনা হোতা কৌবা, নশামক্কা মন্ত্র অত্মক ওইবনা মন্ত্র কৌবা, নত্তোন্দা খুরুমজরি। নহাক্কী ফীরানগী মচুনা অঙৌবা ধ্বজা ওইবন শুক্লধ্বজ-পতাকী কৌবা, খোয়দৌদা জগৎ পুবনা নাভ কৌবা, বিশ্বব্রহ্মাণ্ড মপুংসিগী খোয়দৌ ওইবনা নাভ্য কৌবা অদুগা জগৎকী কুয়োম পুম্নমক্কী কুয়োম ওইবা মরম্না কটঙ্কট কৌবা নত্তোন্দা খুরুমজরি ॥৮৫॥

হকচাংবু চপশিল থুংজিনহন্দুনা মতমদা হকচাংমা পাত্রিং পাক্লন্দা নাত্তোল শীশক শীকশিন্-খিবদগী কৃশনাস, কৃশাঙ্গ কৌবা, যাম্না শাঙ্গবা কালব হকচাং পুবদগী কৃশ কৌবা, কা চেন্না হরাউ-হুংঙাই-থোকপা অমা ওইখিবদগী সংহৃষ্ট, বিহৃষ্ট কৌবা, অদুগা অকিবগী মশক ক্নানা ফেন্না থক্লা কাক্ কাক নোক-খিবদগী কিলকিল কৌবা নত্তোন্দা খুরুমজরি ॥৮৬॥

অচচন্না পুম্নমক্কী হকচাংদগী চীক্লুনা লৈথোকপদগী শয়মান কৌবা, প্রলয়গী মতমদা যোগনিদ্রাদা চীপ্লুনা তুমলুনা লৈথোকপদগী শয়িত কৌবা, মফম মতম পুম্নদা পুমক্নো য়োনা মফম অমদদা লেপ্লদনা লৈবদগী স্থিত কৌবা, ধাবমান্ কৌবা, লু কোক্লুন অদুগা জটা পুক্লুনা সন্ন্যাসী ওইবদগী মুণ্ড কৌবা, জটিল কৌবা নত্তোন্দা খুরুমজরি ॥৮৭॥

তাণ্ডবনৃত্যদা পুক্নীং চঙলুনা লৈবদগী নর্তনশীল কৌবা, চীক্লনা পেম্বে শিঙ্গাগী খোঞ্জেল থোকহন্দুনা খোংঙবদগী মুখবাদিত্রবাদী কৌবা, কনাগুম্বনা কংলবা থম্মালবু হরাউ হরাউ লৌগদবগী ভাইদুনা লৈগনুবদগী

নমো জ্যেষ্ঠায় শ্রেষ্ঠায় বলপ্রমথনায় চ। কালনাথায় কল্যায় ক্ষয়ায়োপক্ষয়ায় চ ॥৮৯॥
ভীমদুন্দুভিহাসায় ভীমব্রতধরায় চ। উগ্রায় চ নমো নিত্যং নমোঽস্তু দশবাহবে ॥৯০॥
নমঃ কপালহস্তায় চিতিভস্মপ্রিয়ায় চ। বিভীষণায় ভীষ্মায় ভীমব্রতধরায় চ ॥৯১॥
নমো বিকৃতবক্ত্রায় খড়্গজিহ্বায় দংষ্ট্রিণে। পক্বামমাংসলুব্ধায় তুম্বীবীণাপ্রিয়ায় চ ॥৯২॥
নমো বৃষায় বিষ্যায় নমো গোবৃষায় বিষায় চ। কটংকটায় দণ্ডায় নমঃ পচপচায় চ ॥৯৩॥
নমঃ সর্ব্ববরিষ্ঠায় বরায় বরদায় চ। বরমাল্যগন্ধবস্ত্রায় বরাতিবরদে নমঃ ॥৯৪॥

নাচ্যোপহারলুব্ধ কৌবা, পুংলেল যন্ত্র চৈরবা খোংবা, অতুগা শৈশৈ যন্না পাম্বদগী— গীতবাদিত্রশালী কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৮॥

অংচত্ত পুম্বগী চনী অবস্থাদা খুইংগী অহল ওইবনা জ্যেষ্ঠ কৌবা, মীয়ম পুম্বগা খুইদগী হেন্নবনা শ্রেষ্ঠ কৌবা, ইন্দ্রগী মশক লৌদুনা বলাসুর হৈহংখিবদগী বলপ্রমথন কৌবা, কালমকপু শাসন তৌবদগী কালনাথ কৌবা, মহাপ্রলয় মহক্কী প্রলয় পুম্নমক্কী মশক ওইবনা— কল্য, ক্ষয়, উপক্ষয় কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৮৯॥

অকিবা কংনা দুন্দুভিগুম হোনা নোকতম্বদগী ভীমদুন্দুভি-হাস কৌবা, অকিবা অঙকপা কংনা ব্রত তৌতম্বদগী ভীমব্রত কৌবা, অকিবগী মশক কাবা শক্লোল পুবগী উগ্র কৌবা, ওয়াখোম তরা পানবদগী— দশবাহু কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৯০॥

খুত্ত কপাল (মী মকোক্কী কোকায়) পাযবনা কপালহস্ত কৌবা, চিতাগী ভস্ম (উং) পাম্বা মরমদগী চিতিভস্মপ্রিয় কৌব, পুম্নমক্কী মক্কদা অকিবগী মশক ও ওইবন বিভীষণ কৌব, খুইগী মফমদা অকিবগী মশক ওইবরম্ব মশাদি কনা অমগী মফমদা অকিবা লৈতবা মরম্না ভীষ্ম কৌবা, অকিবগী মশক ওইবা ব্রতবু তৌবনা ভীমব্রতধর কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৯১॥

চীন অমদি মায়খোংদা অকিবা কংবা বিকার অমা লৈবনা বিকৃতবক্ত্র কৌবা, লৈয়েংনা থৌরবা থাঙ অশাংবা অমগী মতৌগুম ওইবনা খড়্গজিহ্ব কৌবা, শেংলবা লংলবা যা মরম্না মায়খোংগী লৈতেং ওইনা লৈবনা দংষ্ট্রি কৌবা, অশাবা অমুনবা পায়দনা হেক্ লৈখিবা উইহৈশিংগী মরাতবু পামজবা ওইবনা পক্বাম-মাংসলুব্ধ কৌবা, তুম্বী বীণা অনীবু পামজখিবনা তুম্বীবীণাপ্রিয় কায়না কৌবা, নহাক্কী নকমদা খুরুমজে ॥৯২॥

চুথবগী চুথহনবগী কর্ত্তা ওইবদগী বৃষ কৌবা, ধর্ম্মবু চাউথংহনবা ওইবদগী বৃষ্য কৌবা, নন্দীমক্কী মশক ওইবনা গোবৃষ কৌবা, ওসাক্ত তুমিন্ লৈতবা কোয়রক শেংনা লৈবদগী কটংকট কৌবা, খাইমকপু শাসন তৌখিবদগী দণ্ড কৌব, অংচত্ত পুম্নমকপু মুশহনবা কেলহনবা মরমদগী পচাপচ কায়না কৌবা, নঙোন্দা খুরুমজরি ॥৯৩॥

খাইদগী হেন্নবা বরমক্কী মশক ওইবা মরমদগী সর্ব্ববরিষ্ঠ কৌবা, বর পীন-হৈবদগী বরদ কৌবা, খাইদগী হেন্না ফজরবা ফীজোল, মালা (লৈ-পরেং), গন্ধ (মনম) খোনবা পুবা মরমদগী বরমাল্য

নমো রক্তবিরক্তায় ভাবনায়াক্ষমালিনে। সম্ভিন্নায় বিভিন্নায় ছায়ায় তপনায় চ ॥৯৫॥
অঘোরঘোররূপায় ঘোরঘোরতরায় চ। নমঃ শিবায় শান্তায় নমঃ শান্ততমায় চ ॥৯৬॥
একপাদ্বহুনেত্রায় একশীর্ষ্ণে নমোঽস্তু তে। রুদ্রায় ক্ষুদ্রলুব্ধায় সংবিভাগপ্রিয়ায় চ ॥৯৭॥
পঞ্চালায় সিতাঙ্গায় শমশমায় চ। নমঃ চণ্ডিকঘণ্টায় ঘণ্টায়াঘণ্টঘণ্টিনে ॥৯৮॥
সহস্রাধ্মাতঘণ্টায় ঘণ্টমালাপ্রিয়ায় চ। প্রাণঘণ্টায় গন্ধায় নমঃ কলকলায় চ ॥৯৯॥
হুং হুং হুংকারপারায় হুং হুংকারপ্রিয়ায় চ। নমঃ শমশমে নিত্যং গিরিবৃক্ষালয়ায় চ ॥১০০॥

পঙ্কযত্র কৌবা থাইনা পীবা ওমদবা বর পীন-হৈবদগী হয়াতিবদ কৌবা নত্তোন্দা থুকমজরি ॥৯৪॥

রাগী বিরাগী অনীমক্কী মথক ওইবনা রক্ত-বিরক্ত কৌবা, ধ্যানদা পুক্নীং চঙবা, রুদ্রাক্ষ (রুদ্রাক্ষ) মালা বারুণ কৌবনা ভাবনায়াক্ষমালী কৌবা পুন্নমক্না শীনথুবা অদুগা থরকী মতুংইন্না তেঙতেঙ তেঙ্তাম তানা লৈবনা সম্ভিন্ন বিভিন্ন কৌবা, জগৎ পুম্বদা মকমগা মতানগা অনীমক্ পীন হৈবদগী— ছায়ায়াতপন কৌবা নত্তোন্দা থুকমজরি ॥৯৫॥

খোংদবা মোরবা শক্লোন পুবা, ওমথবা শক্লোন পুবদগী অঘোর কৌবা, অমুক হেনগাবা হওং পুরুপী ঘোর কৌবা, অদুদগী হেন্না ওমথীবা শক্লোন পুবদগী ঘোরতর কৌবা, শান্ত ওইবা মঙ্গলগী মথক ওইবদগী শান্ত শিব কৌবা, অদুদগীসু হেন্না শান্ত ওইবা শক্লোন পুত্তবদগী— শান্ততম কৌবা নত্তোন্দা থুকমজরি ॥৯৬॥

খোঙ্ক মাম্মতা পান্না, মীত্তি য়াম্না পানবা, কোক্তি অমত্তা মপানবা, মরম অদুদগী একপাদবহুনেত্র অদুগা একশীর্ষ কৌবা নত্তোন্দা থুকমজরি। ভক্তশিংনা ভক্তিগা লোইননা পীবকপা অচম্বা পোংৎ মচা খুবু অপাম্বপা লোয়ননা লৌরিংনা ক্ষুদ্রলুব্ধ কৌবা, খজিক্তং কৌংথিবদুগী বরচিংমা মতৌদি ওমথৈ নাইদনা পীবিবদুগী মথক, অদুগা মতৌক ফাঙ্গনিংবা ফংজনিনশিং অমুক চপ মান্না য়েনবিন্না পীবিবনা সংবিভাগ-প্রিয় কৌবা রুদ্র নত্তোন্দা থুকমজরি ॥৯৭॥

উপ্রিবা জগৎ অসিং মথুংমক্না মেৎতুনা লেংবিবদগী পঞ্চাল কৌবা, ওইরেক ভোরা কুহু পুবদগী সিতাঙ্গ কৌবা, তামিংচুম্না শান্তমূর্ত্তি-ত্ত ওইনুনা লৈবদগী শমশম কৌবা, নংগী শরীক্ মথোল তাবদা জীব পানবা পুম্নমক্না থগৎনবদগী চণ্ডিকঘণ্টক কৌবা, নশামক্ শরীরকী খোঙ্গেল ওইবা অদুগা জীবগী হৈদজনা উত্থাও থীডুদনা মথক্তা খোঙ্কচরূপা নাদ (অনাহতধ্বনি) ওইরৱদগী ঘণ্টায়াঘণ্টঘণ্টি কৌবা নংবু থুকমজরি ॥৯৮॥

নহাকী মন্দিরদুংগী য়াম্লিবা চাউরবা শরীকশিং অদুবু নংগী লেঙ্গনবগী দমক্তা মী ভক্ত শিংনা শিংনা তত্থনা থীগুলিবা অদুগুম্বা সহস্রাধ্মাতঘণ্ট কৌবা, শরীক্ পবেং পবেং য়ানবা— শিবা পামক্তবনা ঘণ্টামাল-প্রিয় কৌবা, শরীকুকী খোঙ্গেংক থরায় ওইনা লৈবদগী ঘণ্টাপ্রাণ কৌবা, গন্ধ — মনম্ অদুগা কলাকল হায়বা খোঙ্গেলসিনক্না নিল পোংবা অমদি মাহু পামজবদগী গন্ধ অমদি কলকল কৌবা নংবু থুকমজরি ॥৯৯॥

হুং (অশান্তিবা), হুং (হুং হায়বা খোঙ্গোক্), হুং (আকাশ, সূর্য্য, ঈশ্বর) হায়রিবাশিংসিদগীসু য়াংমদা

গণ্ডমাংসশৃগালায় তারকায় ভরায় চ। নমো যজ্ঞায় যজিনে হুতায় প্রহুতায় ॥১০১॥
যজ্ঞবাহায় দান্তায় তপ্যায় তপনায় চ। নমস্তটায় ভটায় তটানাং পতয়ে নমঃ ॥১০২॥
অন্নদায়ান্নপতয়ে নমস্তন্নভুজে তথা। নমঃ সহস্রশীর্ষায় সহস্রচরণায় চ ॥১০৩॥
সহস্রোদ্যতশূলায় সহস্রনয়নায় চ। নমো বালার্কবর্ণায় বালরূপধরায় চ ॥১০৪॥
বালানুচরগোপ্তায় বালক্রীড়নকায় চ। নমো বৃদ্ধায় লুব্ধায় ক্ষুব্ধায় ক্ষোভনায় চ ॥১০৫॥

লৈষনা হু হুঙ্কারপায় কৌবা, অদুগা হু হুং হায়বা খোঙ্হোকসিবুদি পামজবনা— হুহু কারপ্রিয় কৌবা, “শান্ত ওইয়ু, শান্ত ওইয়ু, তপস্যো পাথংকদু” অসুম হায়না জীবশিংবু তপথহনবদগী শমশমবাদো কৌবা চীগথক্তা উখাদা লৈগন্‌বনা গিরিবৃক্ষলয় কৌবা, ভগবান্ শিবদা হয়া হয়া খুরুমজরি ॥১০০॥

গর্ভকুগী মাংস— মদুমবু পাম্ব লমহুইগী মতৌঙুম্না উহৈ— মহৈগী মচুংদা লৈবা মঙ্গবু পাম্বদগী— গর্ভমাংসশৃগাল কৌবা, থাইবু অনাবদগী কাম্বোক্পিবা অংপা কাম্বোকপা কাম্বোকহন্‌বা অনৌগী সাধন ওই-বদগী তারক অমদি তর কৌবা, নশামক্না যজ্ঞ যজমান অনীমক ওইবনা যজ্ঞ অমদি যজী কৌবা নশামক্না হোম অদুগা যজ্ঞগী মৈমক্ ওইবনা হুত অমদি প্রহুত (অগ্নি) কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১০১॥

নশামক্না যজ্ঞবু পাওখোকপিবা ওইবনা যজ্ঞবাহ কৌবা, পুক্নীং অমদি ইন্দ্রিয় অতৈবু নমহৎপদগী দান্ত কৌবা, ভক্তগী অনাবা উৎপা নশামক মাবিবা থম্মোয়দা চাকপিবা ওইবনা অদুগা অনাবা পীরিবশিংবুসু— চাকহন্‌বা মাহন্‌বা ওইবনা তপ্যাতপন কৌবা, নশামক্না নথম্বনা তুরেলসু ওইবা, তুরেলহুগী চাংজো অদুগা চাংজো তদুবু ভাকপিবা ওইসনা তটভট্য কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১০২॥

নশামক্না জীব পুম্নমক্কী চীঞ্জাকপু পীরিবা চীঞ্জাকচুমক্কী মপু অমদি চীঞ্জাকচুমক্কী তোক্তা— অচাবা মীসু নশানা অহুম ওইবনা অন্নদায়, অন্নপতি, অন্নভুক্ কৌবা, কোকু লিশিং, খোঙ লিশিং অমা পানবদগী— সহস্রচরণ, সহস্রশীর্ষ কৌবা নহাকপু খুরুমজরি ॥১০৩॥

থুং (পাম্বোম) লিশিং অমনা ত্রিশূল লিশিং অমা পায়বদগী সহস্রোদ্যতশূল কৌবা, নয়ন (মীৎ) লিশিং অমা পানবদগী সহস্রনয়ন কৌবা, নোংপোকথংবা অতিয়াদা অনৌবা হুমিংনা হাইদোরকপগী হুহু পুবদগী বালার্কবর্ণ কৌবা, অঙাংগী মতৌগুম্না ঈপৌ নৌবা শক্লোন পুবদগীসু বালরূপ ধর কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১০৪॥

অঙাং লেংমায়বা মরূপ-মপাংশিংগা শান্ন শায়না মখোয়বু অনাবা থুদোংথীবদগী কন্‌বিবমা বালানুচর-গোপ্তা * কৌবা, অঙাংশিংমক্কী শান্নপোংকী মশাক লৌদুনা শান্নবিবদগী বালক্রীড়নক কৌবা, থাইদগী

* “বালানুচরগোপ্ত” হায়বাসগী ব্যাখ্যা কনাগুম্বা শৈব—শৈবধর্মতৎপর— মহাদেবনা ব্রজ-বৃন্দাবনদ কৃষ্ণ শাম্বুনা, কৃষ্ণগী মশাক লৌদুনা মমাম্বা গোপবালকশিংগা মথোয়বু ভাকপি ভাকপিনা শান্নে। মহাদেবনা কৃষ্ণগী মশাক লৌদুন শান্নবনি অসুম্বা হায়। পুং ঈশে কগোইগী হোৌদোকপা দেবতা অমা মহাদেবনা ওইবসিদি বিষ্ণুনা কৃষ্ণ ওইনা পোকত্রিউ আ-মমাংদগীনি, হায়না মশাগী মত্তপু সমর্থন তৌই। (কালাচাঁদ)

তরজাজিতকেশায় মুণ্ডকেশায় বৈ নমঃ। নমঃ ষট্‌কর্মতুষ্টায় ত্রিকর্মনিরতায় চ ॥১০৬॥
বর্ণাশ্রমাণাং বিধিবৎ পৃথক্‌কর্মনিবর্ত্তিনে। নমো ঘুষ্যায় ঘোষায় নমঃ কলকলায় চ ॥১০৭
শ্বেতপিঙ্গলনেত্রায় কৃষ্ণরক্তেক্ষণায় চ। প্রাণভগ্নায় দণ্ডায় স্ফোটনায় কৃশায় চ ॥১০৮॥
ধর্ম্মকর্ম্মার্থমোক্ষণাং কথনীয়কথায় চ। সাংখ্যায় সাংখ্যমুখ্যায় সাংখ্যযোগপ্রবর্ত্তিনে ॥১০৯॥
নমো রথ্যবিরথ্যায়চতুষ্পথরথায় চ। কৃষ্ণাজিনোত্তরীয়ায় ব্যালযজ্ঞোপবীতিনে ॥১১০॥
ঈশান বজ্রসংঘাত হরিকেশ নমোঽস্তু তে। ত্র্যম্বকাম্বিক নাথায় ব্যক্তাব্যক্ত নমোঽস্তু তে ॥১১১॥

অহল ওইবনা বৃদ্ধ কৌবা, প্রেমভক্তিগী পোক্তী ওইবনা লুব্ধ কৌবা, পাপীশিংবু উবগী মথুম-মরাং হৌবনা ক্ষুব্ধ পাপীশিংঙুবুসু মথুম-মরাং হৌইনবদগী ক্ষোভণ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১০৫॥

মহাক্কী শমদি অমমবুনা চপ্ চপ্ তিনা নাপী-শীংনাং কুপ মনা অমমম্‌জম্ থম্মুনা মরুকুপা গজাগী ঈচেম্নু ঈথক হৌরিব ওইবনা তরজাজিতকেশ কৌবা, মুণ্ডকেশসু কৌবা, ব্রাহ্মণশিংগী কর্মতরুক অসিগী মরুদো হায়বদি বেদ তম্বা, তম্বিবা, যজ্ঞ তৌবা যজ্ঞ তৌনবা, দান তৌবা দান লৌবা হায়রবশিংসিগী মরুপদা যজ্ঞ, বেদ তম্বা, দান তৌবা হায়ব কর্ম অমুম্মাংস ওইবনা ত্রিকর্মনিরত কৌবা নংবু খুরুমজরি ॥১০৬॥

ব্রাহ্মণ্গনা চৌবা বর্ণ মরুগী ব্রহ্মচর্য্যাদি চতুর আশ্রম মরুগী কর্মশিংবু খ যাদে কপদু মহাক ওইবনা "পৃথক্‌-কর্মনিবর্ত্তি" কৌবা, তুংনা জপ তৌবাগী ওইবা মশক ওইবনা ঙাংলবা থীনববা বদঘোষগী মশক ওইবনা অদুগা পু লেল যন্ত্রশিংনা হুয় নিংনাবা শব্দ পানবা সঙ্কর্ত্তগী মশক ওইবনা ঘুষ্য ঘোষ অমদি কলকল— কোলাহল কৌবা নংবু খুরুমজরি ॥১০৭॥

মহাক্কী নয়ন (মীৎ) না ঙৌবা ঙৌরুনদা মচু পুবনা শ্বেতপিঙ্গলনেত্র কৌবা, শুচুক্কু অঙাঙবগা— অমুবা মচুগা তিরখিবা মচু পুবদগী কৃষ্ণরক্তেক্ষণ কৌবা, প্রাণবায়ুবু দমন তৌবগী প্রাণভগ্ন কৌবা, দণ্ড মক্কী মশক ওইবনা দণ্ড অমুম মকৌববা, ব্রহ্মাণ্ডগী মশক থরুবু থুগাইবদগী স্ফোটক কৌবা অদুগা পীরুবা কাংলবা হকচাংবু ঙুমদা অদুম পুবদগী কৃশ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১০৮॥

নংগী লীলা অমদি পুন্‌শিংগী কথা— ঝারীতনা কথনীয় ওইবনা হায়বদি— শক্ত-শোয়বদা মতীকচাবা ওইবনা নহিং কথনীয়কথ কৌবা নখামক সাংখ্যযোগ, সাংখ্যযোগী অমদি সাংখ্যশাস্ত্রমকপু হৌদোকপনা নহিং সাংখ্য, সাংখ্যমুখ্য অদুগা সাংখ্য-প্রবর্ত্তি কৌবা মহাকপু খুরুমজরি ॥১০৯॥

কর্মিশিংনা মতমদা রথ তোংতুনা লেঙবদগী, মতম অয়াম্বদা রথ— শাদোং ঈয়াও য়াংদনা লেঙবদগী রথ্য বিরথ্য কৌবা, অদুগা ঈশিং, মৈ, নুংশিৎ, অতিয়া মফম মরি অসিদা মখোইশুমক্তা চৎতুনা লৈবদগীসু চতুষ্পথরথ কৌবা নঙোন্দা খুরুমজরি। শজী মউন্না ঈম্নাক ওইবা, লিরু যজ্ঞোপবীত ওইনা থাওয়া শেংবা, কৃষ্ণাজিনোত্তরীয় অদুগা ব্যালযজ্ঞোপবীতী কৌবা মহাকপু খুরুমজরি ॥১১০॥

হে ঈশান ! নংগী হকচাংদি বজ্রগা মান্ননা কনুবনি। হে হরিকেশ ! নঙোন্দা খুরুমজরি। ফোংদোকপা

কাম কামদ কামঘ্ন তৃপ্তাতৃপ্তবিচারিণে। সর্ব্ব সর্ব্বদ সর্ব্বঘ্ন সন্ধ্যারাগ নমোহস্তু তে ॥১২॥
মহাবল মহাবাহো মহাসত্ত্ব মহাদ্যুতে। মহামেঘচয়প্রখ্য মহাকাল নমোহস্তু তে ॥ ১৩॥
স্থূলজীর্ণাঙ্গ জটিলে বল্কলাজিনধারিণে। দীপ্তসূর্য্যাগ্নি জটিলে বল্কলাজিনবাসসে ॥
সহস্রসূর্য্যপ্রতিম তপো নিত্য নমোহস্তু তে ॥১৪॥
উন্মাদন শতাবর্ত্ত গঙ্গাতোয়ার্দ্রমূর্দ্ধজ। চন্দ্রাবর্ত্ত যুগাবর্ত্ত মেঘাবর্ত্ত নমোহস্তু তে ॥ ১৫॥

ফোংদোক্কবা— মশক উবা উদবা শক্তোল অনী পুবা হে ব্যক্তাব্যক্তস্বরূপ! হে পরমেশ্বর! নহাক্কি নয়ন অহুম্বা লৈতেংবা ত্রিলোচননি, অম্বিকা কৌবী দেবীগী চায়থোঙবনি। নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১১॥

কাম হায়বরমকী মশক ওইবা হে কাম। কাম অহুমকপুম্ব পীনরিব— হে কামদ! কাম অহুম অমুক্ম মাঙহল্লিবা হে কামঘ্ন! সংসারবা পেল্লবা পোল্লিব অনীমক্কী মরমদা মুন্না থন্বিরিবা * হে তৃপ্তাতৃপ্তবিচারী। পুম্নমক নংনা ওইরিবা হে সর্ব্ব! পুম্নমক পীবিরিবা হে সর্ব্বদ। পুম্নমক থুগাইরিবা মাঙহল্লিবা হে সর্ব্বঘ্ন। সন্ধ্যাকালগী মচুবু পুগুম্না হে সন্ধ্যারাগ। নহাক্কী নকমদা হুম্ন হুম্না খুরুমজরি ॥১২॥

হে পাঙ্গল লাউবা। হে পাবোন চাউবা। অচ্চত্তা জীবপানবশিংগী মহুদা থাইদবী মগ চাউবা! হে মশেক মঙাল কল্লহা। মহাদ্যুতি। জীশিং থল্লবা পাক্-চাউরবা কুংলবা নোংগী মপাক্কী মচু পুবা। নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১৩॥

নহাক্কী শ্রীবিগ্রহ— শ্রীমূর্ত্তিদি থাইদগী চাউবা লোয়রবনি, থাইদগী কবো পীক্লবনি। অহুনা হে স্থূল। হে জীর্ণ! হে জটাপুবা! উক্কু-রক্কু শক্তী মউম্না ফিরোল ওইবা। মৈ অমদি তুনিংকী মশেক-মঙাল, মৈশা পুবা। জটানা কোকপক্কা লৈতেং ওথবা। তুমিং লিশিং অদগী মশেক পুবা! তুমিথচুম্না তপস্যাদা লুপ্তুনা লৈগন্‌বা। নঙোন্দা খুরুমজরি ॥১৪॥

জগৎ-জীববু ভাঙহল্লুনা— মমায় কাহল্লুনা থন্নিবা হে উন্মাদন। মমায় কাবা চাপন্-থক্কনবা।

* নপ্তবা, ওইদবা, অদানবা, মায়া-পোক্কনীঙতায় ওইবা, মপাম্বোয়দদি ফজবা, অফব ওইবা অহুম মউবা পোংথক অহুবু ভাজগা পেল্লরবদি মী মহাক অহুনা ফংলিবা পেল্লবহুবু মাঙহন্নবা মহাদেবনা য়াম্না বিচার তৌই। মাঙহন্‌ব থুগাইবা মাগী মথৌনি। মহাদেবগী সংহারদি জগৎকী উপকারনি। পেল্লবা পোংশক্কা অসিয়ৌনা থম্না লৈরবমক্তদা ভাইবংবীনা অপেনবা হায়বহু কবিগী ফংত্রিবনো হায়বসিগী নয়মতম্ন মহাদেবনা য়াম্না থন্‌বি বিচার তৌই। অপেন্‌বা পেল্লবা অনীগী মরমদা য়াম্না থৈনবি। অহুগুম্বা মী মহাক অহুগী পেল্লবহুবু মাঙহল্লুনা অপেন্‌বা— সন্তোষ অহু পীননবহু মহাক্কা য়াম্না কম্না হোংনবি। পেল্লবা মীগীদমকহু য়াবি, পেল্লত্রিবা অপেনবা ফংত্রিবাশিং অহুগীদমকহু য়াম্না য়াবি। অহুগীনমক্কা উকুল-য়াইফুল তৌহুনা থ্যান তুপস্থ তৌগুনা লৈ। আত্মা মশা অমতনা দেহ অমদদি পেল্লুনা লৈরগা দেহ অমদদি মতমহুমকদা পেল্লিবা কাংগীনো হায়বদি থল্লুনা লৈ। অহুগীনমক্কা মহাদেববু "তৃপ্তাতৃপ্তবিচারী" কৌই। শক্তী উৎসু লৈপাক্লি, সনা-তুনাসু লৈপাক্লি। অনীমক্কা মাত্রা জপ্ মায়মা পীহল্লবা তপস্যা তৌরি। (কালাচাঁদ)

অন্নমন্নভোক্তা চ অন্নদোঽন্নভুগেব চ। অন্নস্রষ্টা চ পক্তা চ পক্বভুক্ পবনোঽনল ॥১১৬॥
জরায়ুজাণ্ডজাশ্চৈব স্বেদজাশ্চ তথোদ্ভিজাঃ। ত্বমেব দেবদেবেশ ভূতগ্রামশ্চতুর্বিধঃ ॥১১৭॥
চরাচরস্য স্রষ্টা ত্বং প্রতিহর্ত্তা তথৈব চ। ত্বামাহুর্ব্রহ্মবিদো ব্রহ্মব্রহ্মবিদাং বর ॥১১৮॥
মনসঃ পরমা যোনিঃ খংবায়ুর্জ্যোতিষাং নিধিঃ। ঋক্‌সামানি তথোঙ্কারমাহুস্ত্বাং ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১১৯॥
হায়িহায়িহু বাহায়ি হাবুহায়ি তথাসকৃৎ। গায়ন্তি ত্বং সুরশ্রেষ্ঠ সামগা ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১২০॥
যজুর্ম্ময়ো ঋঙ্ময়শ্চ ত্বমাহুতিময় তথা। পঠ্যস্তে স্তুতিভিশ্চৈব বেদোপনিষদাং গণৈঃ ॥১২১॥

কোকৃথক্তা পজানা ঊঙক্ চাম চাব থোক্না ঊকোঙ্গবা হে শঙ্খাবর্ত্ত। পঙ্গী ঊচেম্না মুমিংচুপ্না ঊচোং-ত চোংনা জটা পুম্বিবা। চন্দ্রমাবু শীকৃপলহল্লিবা। চাওথোক্‌হল্লিবা। যুগশিংবু হন্না হন্না পরিবর্ত্তন তৌ-ম্বিবা। ঊশিংবু নোং, নোংবু ঊশিং ওলহল্লিবা। নত্তেন্দা থুকমজন্নি ॥১১৫॥

অন্ন— চীঞ্জাকন্নু নহান্নি, অন্নদ— চীঞ্জাক পীব্বিবমু নহান্নি। অন্নদুবু ভোগ তৌরিবা অন্নভোক্তানু নহান্নি। অন্নদুবু শেম্বিবা অন্নস্রষ্টানু নহান্নি। পুকৃফুংদা অন্নদুবু তুমহল্লিবা অন্নপাকন্নু নহান্নি; প্রাণ-বায়ুনু নহান্নি, জঠরানল— চাকৃথাঙ্গদা চান্নিবা মৈনু পঙাক্নি ॥১১৬॥

দেবতাশিংগী দেবতা! নাউয়োম, মরূম, হুমাংনচিংবা সত্ত তৌদিবা অমুগা মৈপাক হায়রিবা মকম মান্নি অসিদা পোকপা অচৌবা জীব পুম্নমক্কী মতৌ অসিমক্ নহাক্কী নপ্পন্নি ॥১১৭॥

ব্রহ্মতত্ব থঙবশিংগী মরুংদা থাইদগী অথোইবা! নহাক্কি শৃষ্টিনা লেপবা জগৎ পুম্নমক অসিগী অথেম্বা অমদি থুগাইবা সম্পুন্নি, ব্রহ্মজ্ঞানীশিংনা নহাকপু সাকার— মপাক মপুং নাইবা ব্রহ্মনি হায়নল্লি ॥১১৮॥

বেদবাদী বিদ্বান্‌শিংনা নহাকপু পুক্নীং লায়বা ইন্দ্রিয়মুংক্কী থাক্‌গী অথোইবা কারণ— মচাক্ অমদি মরমনি হায়নাবিবনি। আকাশ মুংশিং মৈগী তুংনক্কি অমুগা ঋগ্ সাম ওঁকার অমুম অসিবক্ নহাকনি হায়নৈ ॥১১৯॥

মাই পুম্নমক্কী অথোইবা। বেদ মতুংবা সামগান শকপশিংনা হা। য়ি। হা। য়ি। হু। বা। হা। য়ি। হা। বু! হা। য়ি! হায়দুনা নহাকপু হন্না হন্না কৌদুনা মঙ্গল শঙ্গন্নি ॥১২০॥ *

যজুর্ব্বেদ, ঋগ্বেদ হায়ব্বিবসি নহাক্কী স্বরূপ— নশক্‌মক্নি। যজ্ঞদা হোম তৌব্বিবা হবিস্ত হায়বাদুম্ন

* সামগান শকপশিংনা ঊশৈ থুদিংগী অহৌবদা, মুরক মরুক্তা, ময়ায়দা, অমোয়বদা মাম্না অমী অমীদগী হেন্না চিংখিদুনা হায়ব্বিবা— হা, য়ি, হু, বা, বু শিং অসি উচ্চারণ তৌদুনা খোম্মোকশিং শঙ্গ অমগমগী মরক্তা হাংজিবশিংদু মেয়্‌শিন্নৈ। হায়ব্বিবা শাংনা চিংবা খোম্মোকশিং অসিনা য়াগগী আলাপনচিংবা ভৌবৈ। মথক্তা হাপ্লিবা কৌবগী থুনমশিং অসি মাম্না অক্তম মৌং চিংখিবগী থুনমনি। কৌবগী থুদম নত্তে। মুক্ত-ময়গী থুদম ওইনা থঙগদবনি। মীতৈগী নটপালাগী ঊশৈশকপা ওঝাশিংনা অমুগা থুনং-ঊশৈ-শক্‌পশিং-নমু মাসি মান্না হাপৈ, মুংশি মুঙোনবা কোওদোকপা মতমদা মান্না শীজিনৈ। (কালাচাঁদ)

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাঃ শূদ্রা বর্ণাবরাশ্চ যে। ত্বমেব মেঘসংঘাশ্চ বিদ্যুতস্তনিত গর্জিতঃ ॥১২২॥
সংবৎসরস্ত্বমৃতবো মাসোমাসার্দ্ধমেব চ। যুগং নিমেষাঃ কাষ্ঠাস্তুঃ নক্ষত্রাণি গ্রহাঃ কলাঃ ॥১২৩॥
বৃক্ষাণাং ককুদোঽসি ত্বং গিরীণাং শিখরাণি চ। ব্যাঘ্রো মৃগাণাং পততাং তার্ক্ষ্যোঽনন্তশ্চ ভোগিনাম্ ॥১২৪॥
ক্ষীরদো হ্যুদধীনাং চ যন্ত্রাণাং ধনুরেব চ। বজ্রঃ প্রহরণানাং চ ব্রতানাং সত্যমেব চ ॥১২৫॥
ত্বমেব দ্বেষ ইচ্ছা চ রাগো স্নেহঃ ক্ষমাক্ষমে। ব্যবসায়ো ধৃতির্লোভঃ কামক্রোধৌ জয়াজয়ৌ ॥১২৬॥
ত্বং গদী ত্বং শরী চাপি খট্বাঙ্গী ঝর্ঝরী তথ। ছেত্তা ভেত্তা প্রহর্তা চ নেতা সন্তাপিতা মতঃ ॥১২৭॥
দশলক্ষণসংযুক্তো ধর্মোঽর্থঃ কাম এব চ। গঙ্গা সমুদ্রাঃ সরিতঃ পল্বলানি সরাংসি চ ॥১২৮॥
লতা ব্যলস্তৃণৌষধ্যঃ পশবোমৃগপক্ষিণঃ। দশকর্ম সমারম্ভঃ কালঃ পুষ্প ফলপ্রদঃ ॥১২৯॥
আদিশ্চান্তশ্চ দেবানাং গায়ত্র্যোঃকার এব চ। হরিতো রোহিতো নীলঃ কৃষ্ণো রক্তস্তথারুণঃ ॥

নমাক্কি। বেদশিং অমদি উপনিষদশিংনা পূরুথা হৌদুনা মাগী মাগী স্তোত্র মন্ত্রশিংনা নহাক্কী মহিম—নত্তীক মগুণবু শক্কি থীব্রি ॥১২১॥

ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র অমুগা য়াম্না হন্থবা মপোক্কা লোকপা জাতবর্ণ পূরমক অসি নহাক্কী নহাক মক্কনি। মুমবা নোংগী মপৈ, নোংথাং নো না খোংলিবা, ও লিবা, খাক্কিবা পূম্নমক অসি নহাকমাক্ক ॥১২২॥
চহী থক্তু থা থাবান্ মুগ মীকুপ-নাক্কম্, গ্রহ, নক্ষত্র মখোয় অসিমু নহাক্নমকনি ॥১২৩॥

উশিংগী মমুংদা মাং-চাউরবা খোংনাং-মটনচিংবা, চীঙশিংগী মাংলবা চীঙদোক্তি, শাশিংগী মমুংদা মপাজল মথোনা লৈরবা কৈ নোংশা, উচেকশিংগী মমুংদা গরুড় (লাঙজা), লিলশিংগী মমুংদা অনন্ত, মথোয়শিং অসিমু নহাক্কি ॥১২৪॥

সমুদ্রশিংগী মমুংদা ক্ষীরসাগর, খুৎলায়শিংগী মমুংদা লীকুং, লংচুনা শীক্কিমবা খুৎলয়েশিংগী মমুংদা বজ্র অমুগা অকনবা ব্রতশিংগী মমুংদা সত্য (অচুম্বা ঙাঙবা) পূম্নমক অসি নহাক্কী তোঙাল তোঙানবা নশক্ মমিং মক্কনি ॥১২৫॥

অপাম্বা কন্নক য়িহৌবা তুঙ্কৎপা কনবিহৈবা অকল-ক্ত্বাং শীংব, মত্রীংজেল থাবা পপথবা, ওয়া, মায়থীবা অশাউবা, মায়া কয়া পামশিনবা অসি পূম্নমক নহাক্কি ॥১২৬॥

নহাক্কি গদা লীকুং-তেন মুখ (গাড়ী) গী মশক মঙং মমিংগী মচাক্ (অজ) পূম্নমকপু খুৎলায় ওইনা পায়বা দেবতা অমনি। ককপা পাবা মানবা থিনগাইবা পূম্নমক অসি নহাক্কা ভৌরিবা মক্কনি। অচুম্বা লম্বীদা চৎপ, অকবড থনবা জগৎকী শিক্তা মায়বত্থ নহাক্কি হায়না পূম্নমক্কা মানগ্রবনি ॥১২৭॥

লক্ষণ তরানা তিমবা ধর্ম অমদি অর্থ অমুগা কাম হায়রিবশিং অসি নহাকমক্কনি। সমুদ্র, গঙ্গা—তুরেললশিং, লৈকুং-কোংকুং, পুখ্রী উয়ী নাগী মনা-মশীং, হীদকে-লাংতক্ শা-উচেক্, শজী-শঙাই, দ্রব্য অমদি কর্ম পূম্নমক অসিগী আহম্ভ (হৌগৎলকপা), কর্মশিং অমুগী মহৈ পীবিবা অমুগা মহৈ মালহনবা কাল কৌবহুম্ন নহাক্কি ॥১২৮—১২৯॥ দেবতা পূম্নমক্কী অহৌবম্ন অরোইবম্ন নহাকনি। গায়ত্রী মন্ত্রমু ওঁকারমু

কদ্রুশ্চ কপিলশ্চৈব কপোতো মেরুস্তথা ॥১৩০॥

অবর্ণশ্চ সুবর্ণশ্চ বর্ণকায়ো ঘমোপমঃ। সুবর্ণনামা চ তথা সুবর্ণপ্রিয় এব চ ॥১৩১॥

ত্বমিন্দ্রশ্চ যমশ্চৈব বরুণো ধনদো নলঃ। উপপ্লবশ্চিত্রভানুঃ স্বর্ভানুরেব চ ॥১৩২॥

হোত্রং হোতা চ হোম্যং চ হুতশ্চৈব তথা প্রভুঃ। ত্রিসৌপর্ণং তথা ব্রহ্ম যজুষাং শতরুদ্রিয়ম্ ॥১৩৩॥

পবিত্রং চ পবিত্রাণাং মঙ্গলানাং চ মঙ্গলম্। গিরিকো হিণ্ডুকো বৃক্ষো জীবঃ পুদ্গল এব চ ॥১৩৪॥

প্রাণঃ সত্ত্বং রজশ্চৈব তমশ্চাপ্রমদস্তথা। প্রাণোঽপানঃ সমানশ্চ উদানো ব্যান এব চ ॥১৩৫॥

উন্মেষশ্চ নিমেষশ্চ ক্ষুতং জৃম্ভিতমেব চ। লোহিতান্তর্গতাঃ দৃষ্টির্মহাবক্ত্রো মহোদরঃ ॥১৩৬॥

নহাক্কি। অশংবা অঙাওবা অমুবা ঙাঙৈশনবা শংবায়বা অত্তৌবা হাউথাংনবা লৈতৌনগী মচু নাপু অসিন-চিংবা মচু পুন্নমক অসি নহাক্কী নশক মচু মক্কনি ॥১৩০॥

নহাক্কি মচু লৈতবনা অবর্ণনি। থ্বাইদগী ফজবা মচু পুবনা সুবর্ণ নি। নহাক্কি অমুকন্থ বর্ণ (মচু) পুন্নমকপু শেম্বিবা দেবতানি। অহুনা নোংমদোম্বক্কী নোংগা অম্ম নি। নহাক্কী মিংদা ফজরবা বর্ণ (মরেক) ঙাক্না শীজিন্নই; অহুনা নহাকপু সুবর্ণনামা কৌই। অহুনা নহাক অসি ফজরবা বর্ণ মচু মরেক ও পান্নজবা দেবতানি ॥১৩১॥

ইন্দ্র যম বরুণ কুবের অগ্নি সূর্য্য অমদি চন্দ্রগী গ্রহণ, চিত্রভানু (সুমিৎ—মৈ), রাহু অমদি ভানু, পুন্নমক অসি নহাক্কি, নহাক্কনা ওইবনি ॥১৩২॥

হোম হোমজে, হোমগী পোচ্চে — হোম তৌননবা পোৎশক্ অহুনা হোম— যজ্ঞ তৌবা ক্রিয়া— থবক অমুমকম্থ নহাক্কি। তৌম্বিবা হোম অহুগী মতৈ পীনবত নহাক্কি। বেদগী ত্রিসৌবর্ণ, শ্রুতিশিংদা অহুগা যজুর্বেদগী শতরুদ্রিয় কৌবা মন্তাংদা তোঙাল তোঙানবা মিং কয়া লাওরি। মাহু পুন্নমক অহু নহাক্কী মিং মক্কনি ॥১৩৩॥

নহাক্কি অশেংবা পুন্নমক্কগীসু অশেংবনি, মঙ্গল পুন্নমক্কগীসু থ্বাইদগী অহেন্‌বা মঙ্গলগী মঙ্গকনি। নহাক্কি গিরিকনি, হায়বদি— চীংদুংনচিংবা পথাক পান্দবা পোৎশিংগী সচেতন— মথমাম পান্‌বা ওইহন্‌-লিবনি। নহাক্কি হিণ্ডুক— (মকম পুম্বদা কাক্কু কাবদ ঈয়ো য়োবা) উপান্থাগী মথক ওইবা সংসার, জীবাত্মা, হকচাং, প্রাণ, সত্ত্ব, রজঃ তমঃ, ব্রহ্মচারী ওইথবনা ঊর্দ্ধরেতা ওইগ্রবনি। প্রাণ অপান সমান উদান ব্যান উন্মেষ নিমেষ (মীৎ উইশিন্‌বা পাঙথোকপা) হকৃথি থন্‌বা হকাম চন্‌বা অসিনচিংবা হকচাংগী মতুংদা মপান্দা মশানা লাকচবা থবকশিং অ সম্পূ নহাক মক্কনি, নহাক্কা তৌহল্লিবা ঙাক্কনি। ঙাঙলবা, রাক্কথা মচু পুম্বিবা মৈ হায়বসে নহাক্কী হকচাং মনুংদা লোম্না থপ্না লৈরিবনি, নহাক্কা থমলিবনি। হাপ-চিন্নিবা — চাশিন্নিবমথৈ থন্‌বা— ফুন্‌বা লৈত্রবা নাইত্রবা লাঙংবা চাউরবা নহাকক্কী নচীদ, অমদি— মপুক্নি ॥১৩৪—১৩৬॥

জুটীযোধা হরিশ্মশ্রুরূর্দ্ধকেশশ্চলাচলঃ। গীতবাদিত্রনৃত্যজ্ঞো গীতবাদনকপ্রিয়ঃ ॥১৩৭॥
মৎস্যো জলচরো জাল্যোঽকলঃ কেলিকলঃ কলিঃ। অকালশ্চাতিকালশ্চ দুষ্কালঃ কাল এব চ ॥১৩৮॥
মৃত্যুঃ ক্ষুরশ্চ কৃত্যশ্চ পক্ষোঽপক্ষক্ষয়ঙ্করঃ। মেঘকালো মহাদংষ্ট্রঃ সম্বর্ত্তকবলাহকঃ ॥১৩৯॥
ঘণ্টোঽঘণ্টো ঘটী ঘণ্টী চরুচেলী মিলীমিলী। ব্রহ্মকায়িকমগ্নীনাং দণ্ডী মুণ্ডস্ত্রিদণ্ডধৃক্ ॥১৪০॥
চতুর্যুগশ্চতুর্বেদশ্চাতুর্হোত্রপ্রবর্ত্তকঃ। চাতুরাশ্রম্যনেতা চ চাতুর্বর্ণ্যকরস্তথা ॥১৪১॥
সদা চাক্ষপ্রিয়ো ধূর্ত্তো গণাধ্যক্ষো গণাধিপঃ। রক্তমাল্যাম্বরধরো গিরিশো গিরিকপ্রিয়ঃ ॥১৪২॥
শিল্পিকঃ শিল্পিনাংশ্রেষ্ঠঃ সর্ব্বশিল্পপ্রবর্ত্তকঃ। ভগনেত্রাঙ্কুশশ্চণ্ডঃ পূষ্ণো দন্তবিনাশনঃ ॥ ১৪৩॥

নহাক্কী থুবুম্ অমমম্ হেৎক্কুম্ অমমমগী পাম্মক্নি। চৈথন্ থদাং কোই ময়াম্না ঈম্ মুনা শাংনা থান্থি। কোকথক্কী শম্ুম্ অমনা চপ চপ মুংথনা তৌখি। নহাক্কি অচচন্ত পুম্নমক্কী অমত্তা ওইবা মশক্নি, পুংঈথৈ থম্বগী তত্ত পুম্নমক খঙলবনি। পুং ঈথৈ থম্ম খোংবা শকপনা নহাক্কী খাইদগী পামজবা মশিম্নি ॥১৩৭॥

ঈশিংদা লৈবা কুম্ভীর, অচৌ অদোবা ক্নিমি, ঙা মাক্তবী অসিনচিংবা চাউরা চাউরবা ঙা অমুম্না জলজন্তু পুম্নমক অসিনা নহাক্নী তোঙাল তোঙানবা শক্লাল ময়াম্ পুম্নমা লৈখি। নহাক্কি শাম্মম মখল খুদিংগী তম্বু খঙলবা অমনি। কাল অকাল অতিকাল দুষ্কাল পুম্নমক অসি নহাক্কী তোঙাল তোঙানবা মশীং লাকতমজবা শক্লোন মত্তনি ॥১৩৮॥

মৃত্যু (শিবা) ক্ষুর (কক্কনম থুংলাম), কৃত্য (ককপা যাবা), পক্ষ (মীচং মরুপ) অপক্ষক্ষয়ংকর— (মীচং নত্তবা মেক্কবশিংদ অক্কিবা পোকহনবা— পীরবা) পুম্নমক অসি নহাক্কা ওইরিবা ভাক্তনি। মুমবা নোংগী মত্তোম্বা মুমদ শাংলবা খনাং-কোইনা নহাক্কী মাম্নথোংগী লৈতেংনি। নহাক নশামকন্থ জগৎপু ভাউথোক্হন্ন্রা প্রলয়গী নোংমক্নি ॥১৩৯॥

মশেক্ মন্তাল পুরা পুবদগী ঘণ্ট, ফাওদোক্তবা মন্তাল পুমন অঘণ্ট, থবক পুম্বু কম্বিগুম্বা মহৈ অমমম্ মালহন্নবদগী ঘটী, ঘণ্ট (শঙ্কীক্) পম্মে শিবদগী ঘণ্টি, অচচন্তা জীব খুদিংমক শারুহন-ভা লৈবদগী চরুচেলী, কার্য্য পুম্নমক্তা কারণ— মমল খুংলায়গী মশক ওইহনা ঈভিত্ত তিম্মহনা শীন্নখুনা লৈবনা মিলীমিলী অসিনচিংবা মিং মযাম অসি থবক অক্তুগী মক্তু ইম্না নহাক নথম্ননা পুরিবনি ॥১৪০॥

যুগ মারি বেদ মরি লৈরিবসি নহাক্কী নশক্নি। অগ্নিহোত্র মথল মরিসি নহাক্কা হৌদোক্পনি। ব্রহ্মচর্য্যনচিংবা আশ্রম মরিগী শুচিংংসি নহাক্নি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়নচিংবা বর্ণ মরি অসি নহাক্ক শেম্মনি ॥১৪১॥

শুগ্রীক পাম্বা মরৈ-মরা চাউবা গণ পুম্নমক্কী মকোক্ অমুগা গণশিংগী নিংথৌ ওইবনা নহাকপু অক্ষ, ধূর্ত্ত, গণাধ্যক্ষ অমুগা গণাধিপ কৌনৈ। অঙাঙবা কীজোল থোক্নি, অঙাঙবা লৈপরেং শিপক্নি, পেক্কবা কীজোল থোনগক্নি, চাউদোক্না চেপক্তুন লৈগনুব নহাক্নি ॥১৪২॥

মথুৎমণা-হৈবা (কারীগর) শিংগী মঙ্গংদা নহাক্কা খাইদগী অথোইবনি। শিল্পকলা হায়বসিমক্ নহাক্কা হৌদোক্পনি। নহাক্কি ভগদেবগী মমীৎ কোথোক্লবগী অঙ্কুশ— য়োক্কোংয়োৎনি। শাউরকপা মতমদা চণ্ড

স্বাহা স্বধা বষট্কারো নমস্কারো নমো নমঃ। গূঢ়ব্রতো গুহ্যতপাস্তারকাময়ঃ ॥১৪৪॥
ধাতা বিধাতা সংধাতা বিধাতা ধারণোঽধরঃ। ব্রহ্মা তপশ্চ সত্যং চ ব্রহ্মচর্য্যমার্জবম্ ॥১৪৫॥
ভূতাত্মা ভূতকৃৎ ভূতো ভূতভব্যভবোদ্ভবঃ। ভূর্ভুবঃ সবিতশ্চৈব ধ্রুবো দান্তো মহেশ্বরঃ ॥১৪৬॥
দীক্ষিতোঽদীক্ষিতঃ ক্ষান্তো দুর্দান্তোঽদান্তনাশনঃ। চন্দ্রাবর্তো যুগাবর্ত্তঃ সম্বর্ত্তঃ সম্প্রবর্ত্তকঃ ॥১৪৭॥
কামো বিন্দুরণুঃ স্থূলঃ কর্ণিকারস্রজপ্রিয়ঃ। নন্দীমুখো ভীমমুখঃ সুমুখো দুর্মুখোঽমুখঃ ॥১৪৮॥
চতুর্মুখো বহুমুখো রণেষ্বগ্নিমুখস্তথা। হিরণ্যগর্ভঃ শকুনির্মহোরগপতির্বিরাট্ ॥১৪৯॥
অধর্মহা মহাপার্শ্বশ্চণ্ডধারো গণাধিপঃ। গোনর্দো গোপ্রতারশ্চ গোবৃষেশ্বরবাহনঃ ॥১৫০॥

অশাউবা হায়বস্তুমক নপানা ওই। পুবাগী মরা লোইনা থুদেক্‌থিবতু নহাক্‌নি ॥১৪৩॥

স্বাহা স্বধা বষট্ নমস্কার নমোনমঃ অসিনচিংদা পীজিন্নরিবা রাহৈ— শব্দশিং অসি নহাক্কী মশিং মক্তনি। থৃপল্লবা কৃপঅরবা ব্রত তৌরিবা নহাক্তি। মী লাইনা থওকম থোক্তবা অথৃপ্পা তপস্যাবু তৌরিবা নহাক্তি। তারক হায়বা মন্ত্র অদুসু অদুগা তারক— তারা— থরানমিচাক্‌শিংতনা থম্মা তা রিবা নোংমদোন মকোয় অসিসু নহাক্‌নি ॥১৪৪॥

ধাতা— পায়রিবা পুরিবা, বিধাতা— শেম্লিবা শাম্বিবা সংধাতা— শৌজিন্নহল্লিবা শমজিন্নহল্লিবা, অধর— আধার য়াওদনা লৈতত্ব, হায়রিবা পুম্নমক অসি নহাক্কী মিং মক্তনি। ব্রহ্মা তপ— তপস্যা, সত্য ব্রহ্মচর্য্য আর্জব— চুমত্রিংচুম্বা থোন্নদবা, ভূতাত্মা— জীবপান্‌বা পুম্নমক্কী থরায়— আত্মা, ভূত ভবিষ্য বর্ত্তমান কৌবা মতম অহুমসিনা থোকথি পোকথিবগী অহানবা কারণসু নহাক্‌নি। ভূর্লোক, ভুমলোক, স্বর্লোক, ধ্রুবলোক হায়রিবা লোক পুম্নমক অসি নহাক্কী মিং মক্তনি, অদুগা হায়রিবা পুম্নমক অসি— মহাকপুনি, অত্তে অমরু মত্তে। নহাক্তি ধ্রুব— লেঙবনি, স্থির— তপথনা লৈবনি, দান্ত— থাইমকপু লমহৎপনি, মহেশ্বর — থাইদগী অঙ্গেন্‌মা অথোইবা ঈশ্বরনি ॥১৪৫—১৪৬॥

দীক্ষিত— করিগুম্বা যজ্ঞকর্মনচিংবগী দীক্ষা লৌরিবা, অদীক্ষিত— দীক্ষা লৌদনা লৈরিবা, ক্ষমাবান্— ভাক্‌পীহৈবা— দোষ লৌগন্দবা, দুর্দান্ত— লাকওম্ কাওনদবাশিংবুসু লাকহৎপা নৈথাইবা, থাবু কোয়রে লৈহন্দুনা লৈরিবা, মাস (থা), যুগশিংবু হন্না হন্না ওর লাকহল্লি, কল্প সংবর্ত্ত— প্রলয়, সংপ্রবর্ত্তক— সৃষ্টিবু হন্না হন্না থোকহল্লিবা, পুম্নমক অসি নহাক্তি ॥১৪৭॥

মহাক্তি কাম, বিন্দু, অনু—কুপ্পবা পীক্লবা, স্থূল— নোয়রবা চাউরবনি, হায়বদি— থাইদগী পীক্‌পসু থাইদগী চাউবসু নহাক্তি। লৈপরেং পাম্বা নহাক্তি। নহাক্তি নন্দীমুখ, ভীমমুখ— অকিবা মায়থোংবু পুবা, সুমুখ— ফজবা মায়থোং পুবা, দুর্মুখ— শাথিবা মায়থোং পুবা, অমুখ— মায়থোং ঈয়াও য়াওদবা, চতুর্মুখ— মায়থোং মরি লোওবা, বহুমুখ— মায়থোং য়াম্না পুবা, অগ্নিমুখ— লালগী মতমদা মৈতনা মায়থোং ওইবা, হিরণ্যগর্ভ— ব্রহ্মা, শকুনি— উচেক্‌কুম্না অমগা ভিন্নদবা, শেষনাগ— চাউরবা লিল পুম্নমক্কী লিংথৌ, বিরাট্— ওমথৈ লৈতনা য়াংচাউবনি ॥১৪৮—১৪৯॥ নহাক্তি অধর্মবু মাওহল্লিবা, মহাপার্শ্ব—

ত্রৈলোক্যগোপ্তা গোবিন্দো গোমার্গোঽমার্গ এব চ। শ্রেষ্ঠঃ স্থিরশ্চস্থাণুশ্চ নিষ্কম্প কম্প এব চ ॥ ৫১॥
দুর্ব্বারণো দুর্বিসহো দুঃসহো দুরতিক্রমঃ। দুর্ধর্ষো দুষ্প্রকাশশ্চ দুর্বিষো দুর্জয়ো জয়ঃ॥১৫২॥
শশঃ শশাঙ্কঃ শমনঃ শীতোষ্ণঃ ক্ষুজ্জরাধিজিৎ। আধয়ো ব্যাধয়শ্চৈব ব্যাধিহা ব্যাধিরেব চ॥১৫৩॥
মম যজ্ঞমৃগব্যাধো ব্যাধীনামাগমোঽগমঃ। শিখণ্ডী পুণ্ডরীকাক্ষঃ পুণ্ডরীকবনালয়ঃ ॥ ৫৪॥
দণ্ডধারস্ত্র্যম্বকশ্চ উগ্রদণ্ডোঽণ্ডনাশনঃ। বিষাপহঃ সুরশ্রেষ্ঠঃ সোমপাস্ত্বং মরুৎপতিঃ॥১৫৫॥
অমৃতপাস্ত্বং জগন্নাথ দেবদেব গণেশ্বর। বিষাগ্নিপা মৃত্যুপাশ্চ ক্ষীরপাঃ সোমপাস্তথা॥
মধুশ্চ্যুতানামগ্রপাস্ত্বমেব তুষিতোঽদ্যপাঃ॥ ৫৬॥

(পাক্‌চাউরবা নাকৃপং পুবা, চণ্ডধার— ঐচং শোনা, গণাধিপ— গণ পুম্নমক্কী নিংথৌ, গোনর্দ— মঙলী মতৌগুম্ন লুম্ন লন্ন চবা শংপ্রং র — শলশিংবু থুংগোখীবদগী কন্‌বিবা, গোবৃষেশ্বরবাহন— গো মুবগী নিংথৌনা শাদোং ওইনা — নন্দী তোংবনি॥১৫০॥

নহাক্কি ত্রৈলোক্যরক্ষক— মহোল অহুম্ন ঙাকৃপা, গোবিন্দ— শ্রীকৃষ্ণগী মথক্কি, গোমার্গ— ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু থৌরিবা, ইন্দ্রিয় পুম্নক্কী লমগী তাক্লবা, অমার্গ— ইন্দ্রিয় পুম্নমক্কা উবা ঙাম্বা মংদব, শ্রেষ্ঠ— চীরম পুম্নমক্কা খ্বাইদগী হেন্দোকপা, স্থির— লেঙদনা তপথনা লৈবা, স্থাণু— চীঙ নুংগুম্না লেঙদনা লৈবা, নিষ্কম্প— হাইহুনদবা নীঙ্কব, কম্প— খানংনা অঙকপা থৌদোক অসি উরকপা মঙনদা থক্‌ থক্‌ নীক্‌লকপা, শাউনা থক্‌ থক নীকপা দুর্ব্বারণ— কাপ্লকুম্বা থবক অমা তৌগে থল্লক দা থিংবা ঙাম্বা মানবা দুর্বিসহ— অমনা থাওঙমদব, দুর্জয় — অমনা মায়না ঙম্ব তৌবা ঙম্মনা, থবক পুম্নমক্কা নংত্তন জয় ওইবনা নমিং জয় কৌরিবনি, অদুগা নহাক্কি শশ— থুনা মাঙনা য়ৌগদবা, শশাঙ্ক— থা, থাওম ঙীংলবা মায়থোং পুবা, শমন— যমরাজমকুনি। ঙলাংবা লিংথগ্বা—ঙীংবা, অরাম্‌-থৌরাংবা, নম্বা-অচম ওইবনচিংবা অবস্থা পুম্বা, থম্মোয়গী পুক্নী গী চিন্তা অদুগা চিন্তাদু মৈ চাকথোক্‌হনবস্থ নহাক্কি। আধি, ব্যাধি, জরা, মৃত্যু অদুগা মথোয়সিদগী ঙাম্মোক্‌হনবিমস্থ নহাক্কি॥১৫১—১৫৩॥

ঐগী যজ্ঞসগী মশক ওইরগা শক্তীগী শাদানবা— ব্যাধস্থ নহাক্কি। তাইবং জীবগী মথাদা আধি-ব্যাধিনচিংবা রোগ ময়াম লাকহল্লিবস্থ কোকহল্লিবস্থ মহাক্কি। কৃষ্ণগী মশক লৌহুনা কোকথক্তা রাজোং-মক্তুগী চূড়া পুরিবাসিস্থ নবাক্কি, অদুনা নহাক্‌পু শিখণ্ডী কৌই। থম্বাল লৈবাগী মতৌগুম্বা নময় অনীদা নহাক্কী ওইরনি, থম্বালগী বনদা শাম্নুনা লৈগন্‌বনি। থ্বাইদগী অচৌবা দণ্ড পায়বা দণ্ডধারী হায়বা অদুস্থ নহাক্কি। নহাক্কি ত্র্যম্বক— মমীং অহুম পানবা, উগ্রদণ্ড— অকিবগী মশক ওইব দণ্ড পায়বা, দেবশ্রেষ্ঠ লাই পুম্নমক্কগী অচৌবা, সোমপা— সোমরস থক্‌পা, মরুৎপতি— নুংশিৎ পুম্নমক্কী মপুনি॥১৫৪—১৫৫॥

দেবতা পুম্নমক্কী দেবতা! জগৎ পুম্নমক্কী মপু! নহাক্কি অমৃত থকপা গণ পুম্নমক্কী সু থকপা মপুনি। মুগী মৈ, মৃত্যু— অশিবদগী কন্‌বিগে হাক্কবগী নমক শক্তোমস্থ থক্‌ই, সোমরসস্থ থকই। মপান্‌-

হিরণ্যরেতাঃ পুরুষস্ত্বমেব ত্বং স্ত্রী পুমাংস্ত্বং চ নপুংসকং চ।
বালো যুবা স্থবিরো জীর্ণদংষ্ট্রস্ত্বং নাগেন্দ্রশক্রস্ত্বং বিশ্বকৃৎবিশ্বকর্ত্তা ॥১৫৭॥
বিশ্বকৃৎবিশ্বকৃতাং বরেণ্য স্ত্বং বিশ্ববাহোবিশ্বরূপস্তেজস্বীবিশ্বতোমুখঃ।
চন্দ্রাদিত্যৌ চক্ষুষী তে ভবন্ হৃদয়ং পিতামহঃ ॥১৫৮॥
মহোদধিঃ সরস্বতী বাগ্বলমনলোঽনিলঃ অহোরাত্রং নিমেষোন্মেষকর্ম্ম ॥১৫৯॥

সংসারগী হুন্নাওবা খুংঙাইবা অহাওবা কত্রবা বিষয় পুম্নমক ংদোক্লনা জীবপান্বা পুম্নমক্কী ভাকপিবা মপুরি অদুগা ভুষিত যৌবা দেবতা পুম্নমক্কী ঈহান্ হান্বা ব্রহ্মাদুমক্তপুন্ নহাক্না কন্না শেন্নবিনি ভাকপিন্নি ॥১৫৬॥

হিরণ্যরেতা কৌবা অগ্নি অদুসু নহাক্তি, নহাক্তি অন্তর্য্যামী পুরুষনি। নিপাসু নত্তে, নুপীসু নত্তে; নপুংসকসু নত্তে। অদুগা নিপাসু নহাক্তি, নুপীসু নহাক্তি, অদুগা নপুংসকসু নহাক্তি। * হে নাগ পুম্নমক্কী নিংথৌ! চহী কয় করাগী কুইরবা মোংলবা মাউরবা ঈকা থারবা শম্ কোই পুরিবা নহাক্না অমরোমদা লাই পুম্নমক্কীগী নিংথৌ ইন্দ্রসু অদুম মওইবিরি। বিশ্ব-জগৎ অসিগী শেম্বিবা ভাকপিবা থুগাইবনা নহাক্কী নথৌনি। প্রজাপতি পুম্নমক্কী অথোইবা প্রজাপতিসু নহাক্না ওইরিবনি। জগৎকী ভার পুম্নমক নহাক্না পুবিরি। নহাক্তি বিশ্বরূপ— বিশ্বজগৎ পুম্নমকসিনা নহাক্কী অউবা মশক ওইরি তেজস্বী— তেজ লৈবা পুম্নমক্কী তেজ পুম্নমকপু পুরিবা, বিশ্বতোমুখ— মায়গৈ পুম্নদা মায় ওন্শিন্বা নুমিৎ থা অনীনা মীৎ ওইবা, পিতামহ ব্রহ্মামক্কী থমোয়— থমোয়নি ॥১৫৭—১৫৮॥

সমুদ্র হায়বসু নহাক্তি, সরস্বতীন নহাক্কী মাহৈশিংগী মূর্ত্তি পুবী দেবতা ওইরি। মৈগী মুংশিংকী শক্তি

---

* হায়রিবসি "পরমাত্মাগী লক্ষণ" হায়বগুম্বনি। আত্ম— পরমাত্মাদি নিপাসু নত্তে, নুপীসু নত্তে, নপুংসকসু নত্তে। মাসি কৌরগীনো হায়বদা দেহ অমদা নিপা ওইন ওইনা মতমদুমক্তনা নুপী শাদুনা লৈরি। অদুনা নিপাসু ওই নিপাসু ওইদে, নুপীসু ওই নুপীসু ওইদে হায়বা মশানা তাকবনি। মরমদি— লৈবা লৈতবা, ওইর ওইদবা অনীমক মীশক পোংশীক অমতনা ওইবনি। বিদ্যা চপ মাদবা লানী পণ্ডিত অনীনা অমনা জীব লৈ হায়, অমনা লৈতে হায়। অমনা হায়রি— ব্রহ্ম হায়বা অমা লৈতে, জীব হায়বসু ব্রহ্ম হায়দিবসিনি। অমনা হায়রি— ব্রহ্ম হায়বা অংশাত্মা অমা লৈবা নত্তে, ব্রহ্ম হায়বসু জীবসিমক্তি। মতংশিং অসিনা খেন্নবগী মরমদি— আত্মা মশা অমতনা মতম অমতদা লৈ লৈতে অনীমক হায়রি। দেহ অমদা লৈরিবা আত্মানা অশিবা দেহ অমসু চিরগা শিদে— 'লত্রে' হায়রে। লৈরে হায়রিবা আত্মা অদু মা-মক্তা অদুম দেহ অমদা লৈত্রে শিরে হায়জরি। অদুনা আত্মানা লৈরবা দেহ— সংসার অসি মিথ্যা মীৎয়েংনি মায়ানি হায়নরিবনি। অসিগুম্ব পরমাত্মাবু মহাদেবমক্তু হায়না শৈশিংনা হায়বা তারবদা লক্ষণ পুম্নমক অসি মহাদেবনা শানুনা বর্ণনা তৌব তাবনি। অদুগা মাঙ্গদা বলাক্ত অসগুম্বা ওইবা— ওইদবা, লৈব-লৈতব" গী মায়া অসিদা ঈরাও মাওজদবা আত্মা অমা লৈরি। মাদুনি পরমাত্মা হায়রিবসি।

(কালাচাঁদ)

ন ব্রহ্মা ন চ গোবিন্দঃ পৌরাণা ঋষয়ো ন তে। মাহাত্ম্যং বেদিতুং শক্তা যথাতথ্যেন তে শিব ॥১৬০॥
যা মূর্ত্তয়ঃ সুসূক্ষ্মাস্তে ন মহ্যং যান্তি দর্শনম্। ত্রাহি মাং সততং রক্ষ পিতা পুত্রমিবৌরসম্ ॥১৬১॥
রক্ষ মাং রক্ষণীয়োঽহং তবানঘ নমোঽস্তু তে। ভক্তানুকম্পী ভগবান্ ভক্তশ্চাহং সদা ত্বয়ি ॥ ৬২॥
যঃ সহস্রাণ্যনেকানি পুংসামাবৃত্য দুর্দৃশঃ। তিষ্ঠত্যেকঃ সমুদ্রান্তে স মে গোপ্তাস্তু নিত্যশঃ ॥১৬৩॥
যং বিনিদ্রা জিতশ্বাসাঃ সত্ত্বস্থাঃ সংযতেন্দ্রিয়াঃ। জ্যোতিঃ পশ্যন্তি যুঞ্জানা তস্মৈ যোগাত্মনে নমঃ ॥১৬৪॥
জটিলে দণ্ডিনে নিত্যং লম্বোদরশরীরিণে। কমণ্ডলুনিষঙ্গায় তস্মৈ ব্রহ্মাত্মনে নমঃ ॥১৬৫॥
যস্য কেশেষু জীমূতা নদ্যঃ সর্ব্বাঙ্গসন্ধিষু। কুক্ষৌ সমুদ্রাশ্চত্বারস্তস্মৈ তোয়াত্মনে নমঃ ॥১৬৬॥

পাজলস্থ নহাক্কনা ওইরিবনি। মীং পাঙথোক্-পাওশিন্নবা— নিমেষ-উন্মেষ চায়বহুক্ত নহাক্তি। নংনা মীং পাঙথোক্লগা অয়ুক-মুংথিল, উইশিল্লগা অহিং ওইরি ॥১৫৯॥

মহাদেব! সদাশিব! নংগী মতীক্ নগুণ দথোনাবু আ-য়ৌনা থঙজিন্বসি ব্রহ্মা বিষ্ণু মহুৎশা কুই-য়ুবা লিরবা ঋষিশিংমক্কুসু থঙদে ॥১৬০॥

নহাক্কী কুপ্পবা পীক্কবা মূর্ত্তিদা, ঐখোয়গী দৃষ্টিশক্তিদগী য়াংমদা লৈবনি, ঐখোয়না ঙ্গ লাক্পা ওম্ব নত্তে, হে ভগবান্! মপানা মবুক্কগী— মাগী ঈদগী তাবা মচাবু শেল্লবিবা ঙাক্পিবহুক্তমা নহাক্না ঐহাকপুন্থ কন্বিয়ু— ঙাক্পিয়ু ॥১৬১॥

হে পাপকী শক্লক য়াওদ্রবা! ঐসে নহাক্না কন্বিবদা মতীক চাব্বা অমনি। অহুনা ঐবু কন্বিয়ু। নঙোন্দা চওজরি, হন্না হন্না খুরুমজরি। নহাক্তি ভক্তশিংবু চান্বিবা ভগবাননি, অহুগা ঐভি নহাক্কী ভক্ত অমনি ॥১৬২॥

ভাইবং জীবশিংবু মাগী মায়াগী লাংদা থুহন্দুনা মশাগী মশকপু থঙহন্দ্রবা, নীঙজবা পুন্নমক্কা থুংলবা তুংবা সমুদ্র ঈপাক্কী মতোওঙা ঈওঙল তান্না উহনবা, মাগুম্বা অনী ওইবা অঙোম্বা পরমেশ্বরনা ঐহাকপু কন্বিবা ওইসনু ॥১৬৩॥

যোগমায়াগী নিদ্রাগী মথ পোঙনা প্রাণ অপাননশিংহবু নিয়ম তৌহুনা লাক্চংহনুনা থম্মবা, ইন্দ্রিয় পুন্নমকপু জয় তৌহুনা সত্ত্বগুণদা কায়রুবা অহুওম্বা যোগীশিংনা ধ্যানগী পাম্বৈতনা মঙাল্লগী মশক্ ওইবা মাগী তত্ত্ব শংশংনা উবা ফংবা অহুগা যোগাত্মা— যোগগী মশক ওইবা পরমেশ্বরবু ঐনা খুরুমজরি ॥১৬৪॥

কোক্তা জটা, খুত্তা দণ্ড পুহুনা— পায়হুনা লৈরিবা, চাউরবা পুক্, লোয়রবা হকচাংনা মাগী ওইবা, কমণ্ডলুনা মাগী তেন্দোং ওইরিবা, ব্রহ্মাগী মতৌগুম্ ডাস্তোইরিবা, অহুওম্বা সদাশিব— মহাদেবদা হন্না হন্না খুরুমজৈ ॥১৬৫॥

নোং পুম্বমা জটাগী শম্লক্তা তম্বনা পাইহুনা লৈরিব', মাগী হকচাং কায়াংকী তাং তাং থিবিক্তা তুরেল পুম্বনা তম্বনা— লেপতনা চেল্লিবা, ঈশিংগী মশক ওইবা অহুওম্বা পরমেশ্বর— সদাশিব— মহাদেবদা ঐনা খুরুমজরি ॥১৬৬॥

সম্ভক্ষ্য সর্ব্বভূতানি যুগান্তে পর্য্যুপস্থিতে। যঃ শেতে জলমধ্যেষু জলমধ্যস্থকং প্রপদ্যেঽম্বুশায়িনে ॥১৬৭॥
প্রবিশ্য বদনং রাহোর্যঃ সোমং পিবতে নিশি। গ্রসত্যর্কং চ স্বর্ভানুর্ভূত্বা মাং সোঽভিরক্ষতু ॥১৬৮॥
যে চাপ্যপতিতা গর্ভা যথাভাগাননুপাসতে। নমস্তেভ্যঃ স্বধা স্বাহা প্রাপ্নুবন্তু মুদন্তু তে ॥১৬৯॥
যেঽঙ্গুষ্ঠমাত্রাঃ পুরুষা দেহস্থাঃ সর্ব্বদেহিনাম্। রক্ষন্তু তে হি মাং নিত্যং নিত্যং চাপ্যায়য়ন্তু মাম্ ॥১৭০॥
যেন রোদন্তি দেহস্থা দেহিনো রোদয়ন্তি চ। হর্ষয়ন্তি ন হৃষ্যন্তি নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ ॥১৭১॥

প্রলয়গী মতমনা লাকপদা, অচচন্ত জীব পুম্ববু লোইনা মাঙহল্লবা মফুংদা, প্রলয় ঈপাক ঈথক্তা, চেপ্পুনা লৈবা ক্ষীরশায়ী, পরমেশ্বর মাগী খুয়াদা চঙজরি— আশ্রয় তৌজরি ॥১৬৭॥

চন্দ্রমাগী অমৃতবু থকপ্লবা, রাহুগী হকচাংদা চঙহনা অমৃতহুবু থক্তোকহন্নবা, মশামক রাহু'মুক্ত ওইহনা সূর্য্যবু গ্রহণ তৌরুবা, তৌওমদবা তৌবা পরমেশ্বর নহাক্কী চরণদা খুরুমজে ॥ ১৬৮॥

ব্রহ্মানা পোক্লবা ভুংদা পোকপা, পিতৃলোককী দেবতা ওইবা, অভাংগী মতৌগুম যজ্ঞ খুদিং মাগী চংকম নমহনা লৌগনবা, পরমেশ্বর মঙোন্দা খুরুমজে। স্বধা স্বাহাগী পাম্বৈনা যজ্ঞগী শরূক চংহনা,— থোইনবু পেন্নবি সুংঙাইহনবি ॥ ১৬৯॥

হকচাংবু পুরিবা জীবশিংগী হকচাংমনুংদা খুবীমুক্তা য়াংনা, ঙাক্লোইরিবা মহাক্না ঐহাকপু কনবিসনু— ঙক্লনা ঙাকপিসনু ॥১৭০॥

হকচাং মনুংদা লৈন লৈনা নশামক্তি কপ্পনা অতোপ্পা হকচাংশিংদা লৈবশিং আত্মাশিংহুবু নহাক্না কপহল্লি। হকচাং মনুংদা নশামক্তি মুংঙাইনা লৈজনা অতোপ্পশি বুদি মুংঙাইহল্লি। অদুগুম্বা রুদ্রশিংদা মতম পুম্বদা চঙজরি খুরুমজরি ॥১৭১॥ *

---

* "রুদ্র" হায়রবা শব্দ অসি রুদ্ (কপ্পা) ধাতুদগী থোকখিবনি। শ্লোক অসিনা পুম্বিবা মনুংগী অর্থদা ভাবত্তি— আত্মাসিনা দেহমনুংদা মশাদি কপ্পা ঈয়াও য়াওদনা মাগী কুপোম— দেহ অদুদা য়াননীঙঙায় কপ্প-নীঙঙায় ওইবা অবস্থাচু উহল্লবা অতৈ অতোপ্পা দেহদা লৈরিবা আত্মাশিংবুদি কপহল্লি। কপ্লিবসু হকচাং মর্ত্ত্যদেহত্বর নত্তে। অঙকপদি— দেহ অমদা ঈকপ কপ্পনা লৈরিবা মশামক্না, মওংতুমজনা অতোপ্পা দেহ অমদা লৈহনা কপ্পনুবি। অসুম তৌহনা অরা মুংঙাই কপ্পা-লাউবগী মায়ালীলা অসি মহাক মথন্তনা শান্নরি। দেহসিদগী মহাক্তি ঈকপ কপ্পনং থোকপ্রগা খোক্ত্রিবা অতৈ দেহদা লৈহৌরিবা আত্মাশিংহুবু কপহনহৌই। মশাগীদি করিমত্তা লৈজদবা লায়রবা শাহনা লৈরগা মাগী কুবেরগুম্বা ভক্তাশংবুদি সনা লুপা হী-য়াই লিশিং লিশিংগী মপু ওইহল্লি, রাজচক্রবর্ত্তী ওইহল্লি। পরমাত্মা পরমেশ্বরগী অপিগুম্বা মায়ালীলাসিবু শিব নীঙবা শিব উপাসনা তৌবা— শৈবশিংনা রুদ্রনা পামশিন্দুনা, রুদ্র— মহাদেববু পরমাত্মা পরমেশ্বরনি হায়না ঊড়াংলি। কালিদাস-মরুপ্পু মহাক্কী "রঘুবংশ মহাকাব্য" দা ঈহন্ হান্‌বদা মঙ্গলাচরণদা "পার্ব্বতীপরমেশ্বরৌ" অদুম হায়না শিব দুর্গা অনীবু নমস্কার তৌহনা নমস্কারাত্মক-মঙ্গলাচরণ পীরি। শ্লোক অসিগী মশাদমু রুদ্র

যে নদীষু সমুদ্রেষু পর্ব্বতেষু গুহাসু চ। বৃক্ষমূলেষু গোষ্ঠেষু কান্তারে গহনেষু চ ॥১৭২॥
চতুষ্পথেষু রথ্যাসু চত্বরেষু তটেষু চ। হস্ত্যশ্বরথশালাসু জীর্ণোদ্যানালয়েষু চ ॥১৭৩॥
যেষু পঞ্চসু ভূতেষু দিশাসু বিদিশাসু। চন্দ্রার্কয়োর্মধ্যগতা যে চ চন্দ্রার্করশ্মিষু চ ॥১৭৪॥
রসাতলগতা যে চ যে চ তস্মৈ পরং গতাঃ। নমস্তেভ্যো নমস্তেভ্যো নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ ॥১৭৫॥
যেষাং ন বিদ্যতে সংখ্যা প্রমাণং রূপমেব চ। অসংখ্যেয়গুণাঃ রুদ্রাঃ নমস্তেভ্যোঽস্তু নিত্যশঃ ॥১৭৬॥
সর্ব্বভূতকরো যস্মাৎ সর্ব্বভূতপতির্হরঃ। সর্ব্বভূতান্তরাত্মা চ তেন ত্বং ন নিমন্ত্রিতঃ ॥১৭৭॥
ত্বমেব হীজ্যসে যস্মাৎ যজ্ঞৈর্বিবিধদক্ষিণৈঃ। ত্বমেব কর্ত্তা সর্ব্বস্য তেন ত্বং ন নিমন্ত্রিত ॥১৭৮॥
অথবা মায়য়া দেব সূক্ষ্ময়া তব মোহিতঃ। এতস্মাৎ কারণাৎ বাপি তেন ত্বং ন নিমন্ত্রিতঃ ॥১৭৯॥
প্রসীদ মম ভদ্রং তে ভব ভক্তগতস্য মে। ত্বয়ি মে হৃদয়ং দেব ত্বয়ি বুদ্ধির্মনস্ত্বয়ি ॥১৮০॥

তুরেল সমুদ্র চিঙ গুহা উকমু শন্নৈং চত্বর চংশী ভুমনবা লম্বী, উনং লম্নোং মরি কাংবা লমজাউ কড়ক মাচৌবা, চীংশক্ নাইবা লুপু পুখ্রী, লম্বী মপান শামুশঙ্গ সগোলশঙ্গ, রথ লক্ষয়শঙ্গ কুইরবা ভক্রবা বন হৈংলোস লৈকোল মনম মুন, পঞ্চভূত প্রেঙ মাংগৈ-শলাই, কুনিং-থা অমুগা মুনিং-থাগী মঙাল, পুরমক অসিদা, রসাতলদা অমগা মফম অতৈ মাতেলসু মফম মফম মতম মতাংদুগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা— লমদেন্ ভুশেন্নবী লাইংক্ষিরুম মফম মফম পুরনা শীনথুংলা ভান্নুনা লৈরিবা রুদ্রনা খুরুমজরি খুরুমজরি, খুরুমজরি ॥১৭২—১৭৫॥

রুদ্রগী থোঙলোয় শংসু অমমম্বা রুদ্র মকুনি। অমুগুম্বা রুদ্রশিং অমগী মমীং মমিং মশাক, মাং-চাউবগী চি ব হকচাংশিংগী মূর্ত্তিশিং অমুগীদা ভমথৈ লৈতে, শীথাবা ভমদে। অমুগুম্বা রুদ্রশিংদসু ঐনা হন্না হন্না খুরুমজরি ॥ ১৭৬॥

হে রুদ্র! নহাক্তি অচচচ্ছ পুম্বগী ভক্মাতা— মপোক পীবিবা অপোকপনি। পুম্বকসিবু শেম্বিব মপু, অঙাঙম্বা মপু অমুগা মাঙ নম্বব— কৌশিন্নবিবা মপুনি নহাক নশা নংম্বনা ওইরিবনি। পুম্বকসি নহাক্না ওইবনা ঐনা নহাক্কী নিমন্ত্রণ তোম্বম্বা লৌক্কদবনি ॥১৭৭॥

বিধি নিয়ম তাদাল তোঙনংগী দক্ষিণা মঙং তোঙাল তাঙনবগী তৌনরিবা যজ্ঞশিং অসে নহাক্কী উদ্দেশ্যদা তৌনবা লকুনি। যজ্ঞ পুম্বগী ভম্বুং মুম্না থওবদি অমুগা যজ্ঞ হায়বাকুমকপু শেম্বিবা কর্ত্তাদি— যজ্ঞকর্ত্তাদি নহাক্ক অমম্ মওইবনিনা ঐনা নহাক্কী নিমন্ত্রণ তাওম্বা অংক্ তৌজদবনি ॥ ১৭৮॥

মহাদেব! নংগী সূক্ষ্ম থম্নব লীথোক। মায়ানা মায়াদা শুন্দংথিব। ঐনা নহাক্কী নিমন্ত্রণ তো-ত্তাম্বা অমুক তৌজখিদ্রবা ॥১৭৯॥ হে ভগবন্! হে ভব! মঙ্গল ওইবিমু, তোম্বনা ঐ নহাক্কী চরণগী

প্রজাপতিনা পরমাত্মাগী গুণ লক্ষণ পুরক মহাদেবদ চপচান পাজ্খিন্দুনা মহাদেব— রুদ্রবু পরমাত্মানী সাকারমূর্ত্তিনা হায়না অব্ধন তৌই। মখাগী শ্লোকশিংদসু কনাগী মমক্ত মহাক্না অমুগুম মহাদেববু মহাক্না যজ্ঞদা কৌরিগী মমক্তা নিমন্ত্রণ তৌদবগে হায়বদুগী মরম চপচানা মথং মথং পীরি। (কালাচাঁদ)

স্তুত্বৈবং স মহাদেবং বিররাম প্রজাপতিম্। ভগবানপি সুপ্রীতঃ পুনর্দক্ষমভাষত ॥১৮১॥
পরিতুষ্টোঽস্মি তে দক্ষ স্তবেনানেন সুব্রত। বহুনাত্র কিমুক্তেন মৎ সমীপে ভবিষ্যসি ॥১৮২॥
অশ্বমেধসহস্রস্য বাজপেয় শতস্য চ। প্রজাপতে মৎ প্রসাদাৎ ফলভাগী ভবিষ্যসি ॥১৮৩॥
অথৈনমেষোঽব্রবীৎ বাক্যং লোকস্যাধিপতির্ভবঃ। আশ্বাসনকরং বাক্যং বাক্যবিদ্বাক্যসম্মিতম্ ॥১৮৪॥
দক্ষ দক্ষ ন কর্ত্তব্যো মন্যুর্বিঘ্নমিমং প্রতি। অহং যজ্ঞহা ত্বত্ত্যা দৃষ্টমেতৎ পুরাতনম্ ॥১৮৫॥
ভূয়শ্চ তে বরং দদ্মি তং ত্বং গৃহীষ্ব সুব্রত। প্রসন্নবদনো ভূত্বা তদিহৈকমনাঃ শৃণু ॥ ৮৬॥
বেদাৎ ষড়ঙ্গাদুদ্ধৃত্য সাংখ্যযোগাচ্চ যুক্তিতঃ। তপঃ সুতপ্তং বিপুলং দুশ্চরং দেবদানবৈঃ ॥১৮৭॥
অপূর্ব্বং সর্ব্বতোভদ্রং সর্ব্বতোমুখমব্যয়ম্। অব্দৈর্দশাহসংযুক্তং গূঢ়মপ্রাজ্ঞনিন্দিতম্ ॥ ৮৮॥

আত্মাগী চঙজায়। অদুনা ঐবু নংবু। ঐগী থম্মোয় পুম্নমক্তি বুদ্ধি জ্ঞান হৌচাং লোইমনক নঙোন্দা কখোকচরবনি ॥১৮০॥

মতৌ অসুম্না মহাদেবগী স্তুতি তৌরবা তুংদা দক্ষ প্রজাপতি অসি তুমিন্না লৈরম্লে। মহাদেবনা মতোইদা মহাক্কী মৈয়োকতা লৈখি। মাগী মতৌদু উবদা মহাদেবনা পুম্নমক চানবিরদুনা দক্ষদা অসুম্না হায়রকই ॥১৮১॥

নীঙথিবা ব্রতবু ভাবা দক্ষ! নহাক্না ঐগী মমক তৌরিবা স্তুতি অসিদা ঐ যাম্না পেল্লে। অমুক করি হায়রগনি, নহাক অসি ঐগী মনাক্তা লৈরগদবনি ॥১৮২॥

প্রজাপতি! ঐনা পেনবা ভাবাসনা নহাক যজ্ঞ অসিগী মহৈ ফংবতা ত্রুনা অশ্বমেধযজ্ঞ লিশিং অমসুং বাজপেয় যজ্ঞ চাম তৌবগী মহৈ ফংলগদবনি ॥১৮৩॥

অদুগী তুংদা মাডাং হৈরবা লোক পুম্নমগী মপু মহাদেবনা দক্ষবু থেমভিন্নবদুনা নীঙথিজরবা মাহৈনা অসুম্না হায়রকই ॥১৮৪॥

প্রজাপতি! দক্ষ! নংগী যজ্ঞদা থৈরাংবা লৈখিবসিগী মমক দপুম্নমদা মাকৌবা সুঙাইহৌবা থক্ তৌগনু। ঙসদা নত্তে, হৌখিবা কপ্পা অমদসু ঐনা নহাক্কী যজ্ঞবু অমুকসু থুগাইগনি। অদুনা কপ্প অসিমদসু হায়দনসু মতৌ ঐকায় কায়দনা অসুম্মক মতৌমিমসিনি ॥১৮৫॥

যজ্ঞব্রত করবা! ঐনা নঙোন্দা বর অমা পীগনি, মাদু নং হরাউ হরাউনা স্বীকার তৌ— লৌ। অদুগা ঐনা হায়গদৌরিবসি যাম্না পুক্নিং চঙনা তাও ॥১৮৬॥

মমাংডৌদা যুগ অমদা অঙ্গ তরুক্তা তিল্লবা বেদ সাংখ্যযোগ অদুগা তর্ক বিতর্ক ময়াম্না মরম ওইদুনা নিঙ্কয় তৌনাখিদুনা ওক্তোক্না করবা, শাক্চাউরবা অম। চক্ষকুরবা যজ্ঞ অমা দেব দানবশিংনা লিংথংখি। মাদুদগী হেন্না চাউরবা ব্রতদুগী মাদৌ ঐ নঙোন্দা পীগে ॥১৮৭॥

দক্ষ! মমাংডৌদা ঐনা মঙ্গলময় পীনহৈবদা পাশুপত কৌবা যজ্ঞ অমা লিংথংখি— হৌদোক্খি। মাদৌ ঈশ্বর্ হান্বা যজ্ঞনি, হায়রবদি— পাশুপত হায়বা যজ্ঞদো মাদুনা মহাল্লে। পাশুপত হায়বা যজ্ঞসি

ব্যাধিতো দুঃখিতো দীনশ্চোরগ্রস্তো ভয়ার্দিতঃ। রাজকার্য্যাভিযুক্তো বা মুচ্যতে মহতো ভয়াৎ ॥১৯৫॥
অপুত্রো [illegible] পুত্রান্ [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৬॥
ন রাক্ষসাঃ পিশাচা বা ন ভূতা ন বিনায়কাঃ। বিঘ্নং কুর্য্যুঃ গৃহে তস্য যত্রায়ং পঠ্যতে স্তবঃ ॥১৯৭॥
শৃণুয়াৎ যা স্তবং নারী, তৎ [illegible] ব্রহ্মচারিণী। পিতৃপক্ষে ভর্তৃপক্ষে পূজ্যা ভবতি দেববৎ ॥১৯৮॥
শৃণুয়াৎ যঃ স্তবং কৃৎস্নং কীর্ত্তয়েদ্ বা সমাহিতঃ। তস্য সর্ব্বাণি কর্ম্মাণি সিদ্ধিং গচ্ছন্ত্যভীক্ষ্ণশঃ ॥১৯৯॥
মনসা চিন্তিতং যচ্চ যচ্চ বাচানুকীর্ত্তিতম্। সর্ব্বং সম্পদ্যতে তস্য স্তবস্যাস্যানুকীর্ত্তনাৎ ॥২০০॥
দেবস্য চ গুহস্যাপি দেব্যা নন্দীশ্বরস্য চ। বলিং সুবিভক্তং কৃত্বা দমেন নিয়মেন চ ॥২০১॥
ততস্তু যুক্তো গৃহ্নীয়ান্নামান্যাশু যথাক্রমম্। ঈপ্সিতাংল্লভতে হ্যর্থান্ কামান্ ভোগাংশ্চ মানবঃ ॥২০২॥
মৃতশ্চ স্বর্গমাপ্নোতি তির্য্যক্ষু ন চ জায়তে। ইত্যাহ ভগবান্ ব্যাসঃ পরাশরসুতঃ প্রভুঃ ॥২০৩॥

[illegible] রোগ [illegible] আবদ্ধ-[illegible], দুঃখার্ত্ত [illegible] মনুষ্য [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] এই স্তোত্র [illegible] পাঠ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] — [illegible] ॥১৯৫॥

[illegible] [illegible] [illegible] ভগবান্ [illegible] [illegible] — [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৬॥

[illegible] এই স্তোত্র পাঠ [illegible], শ্রবণ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৭॥

[illegible] [illegible] [illegible] ভগবান্ মহাদেবের [illegible] [illegible] [illegible] এই স্তোত্র [illegible] পাঠ [illegible] পিতৃকুল মাতৃকুল [illegible] [illegible] [illegible] ॥১৯৮॥

[illegible] [illegible] এই স্তোত্র [illegible] [illegible] পাঠ [illegible] [illegible] শ্রবণ [illegible] [illegible] [illegible] পূজা [illegible] [illegible] ॥১৯৯॥

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] "[illegible]" [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] স্তোত্র [illegible] পাঠ [illegible] [illegible] ॥২০০॥

[illegible] [illegible] [illegible] — ইন্দ্রিয় [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] — [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible], পার্ব্বতী দেবী নন্দিকেশ্বরের [illegible] [illegible] পূজা [illegible] [illegible] [illegible] এই স্তোত্র পাঠ শ্রবণ — [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] — [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পরাশরনন্দন মহর্ষি ভগবান্ ব্যাসদেব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ॥২০১—২০৩॥

ব্যাধিতো দুঃখিতো দীনশ্চৌরগ্রস্তো [illegible] । [illegible] [illegible] ॥১৯৬॥
[illegible] [illegible] যুক্ত [illegible] ॥১৯৬॥
ন [illegible] পিশাচা [illegible] ন [illegible] ন বি[illegible] । [illegible] স্তুত্য ব[illegible] পঠতে [illegible] ॥১৯৭॥
[illegible] বা নারী [illegible] । পিতৃপক্ষে [illegible] পূজা [illegible] ॥১৯৮॥
[illegible] কীর্ত্তয়েৎ [illegible] । তস্য [illegible] সিদ্ধি [illegible] ॥১৯৯॥
[illegible] যচ্চ যচ্চ [illegible] । সর্ব্বং সম্পদ্যতে তস্য [illegible] সুকীর্ত্তনাৎ ॥২০০॥
[illegible] পুণ্যানি [illegible] । [illegible] ॥২০১॥
[illegible] গৃহে [illegible] যথাক্রমম্ । [illegible] ॥২০২॥
[illegible] । [illegible] ॥২০৩॥

[illegible] দুর্গা [illegible] যন্ত্রং [illegible] [illegible] ॥১৯৫॥

[illegible] মহাদেবী [illegible] ॥১৯৬॥

[illegible] ॥১৯৭॥

[illegible] ॥১৯৮॥

[illegible] ॥১৯৯॥

[illegible] ॥২০০॥

[illegible] — ইন্দ্রিয় [illegible] — [illegible] পার্ব্বতী [illegible] পূজা [illegible] পাঠ [illegible] — [illegible] । [illegible] — [illegible] । [illegible] । [illegible] মহা ভগবান্ [illegible] শিবশ্রী মহাত্মা [illegible] ॥২০১—২০৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি দক্ষপ্রোক্তশিবসহস্রনামস্তবে একোণাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৭৯॥

——:(৺):——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচোমনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা শিবসহস্রনামস্তোত্রগী চনীহমফুত্তরাথাপন্ থুবা অধ্যায় লোইয়ে ॥২৭৯॥

——:(৺):——

মণিপুরী মহাভারত

আশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(অধ্যাত্মজ্ঞান অহুগা মাসিগী মরৈ)

চনীমরিফুথুবা অধ্যায়।

——:(৺):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অধ্যাত্মনাম যদিদং পুরুষস্যহবিদ্যতে। যদধ্যাত্মং যতশ্চৈব তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥ ॥

ভীষ্ম উবাচ।

সর্ব্বজ্ঞানং পরং বুদ্ধ্যা যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি। তৎ ব্যাখ্যাস্যামি তে তাত তস্য ব্যাখ্যামিমাং শৃণু ॥২॥

পৃথিবী বায়ুরাকাশমাপো জ্যোতিশ্চ পঞ্চমম্। মহাভূতানি ভূতানাং সর্ব্বেষাং প্রভবাপ্যয়ৌ ॥৩॥

স তেষাং গুণসংঘাতঃ শরীরং ভরতর্ষভ। সততং হি প্রলীয়ন্তে গুণাস্তে প্রভবন্তি চ ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি,— ঈবুধৌ। অধ্যাত্ম মীগী মমক শাস্ত্রদা অধ্যাত্মতত্ত্ব হায়দা অমা হেক হেক ই। অধ্যাত্ম হায়বসিবু করিনো? অহুগা মাসিগী উৎপত্তি (পোক্লকপা থোরকপা) অসিনা থোকখিবসি করাম-দগীনে? মাসি পুম্নমক অসি অমুক্তা নখোয়গী তাকপিয়ু ॥ ॥

ভীষ্মনা হায়,— ঈবুঙো। তৌজিক নংনা হংখ্রবা অধ্যাত্ম হায়বসিনা বুদ্ধিপা লোম্বনবা বিষয় পুম্নমকী মমক্তা থাইংগী চেম্না খংনবা থৌবা জ্ঞান নী। ॥ হায়রিব অধ্যাত্মজ্ঞান হায়বসিগী ঐ ব্যাখ্যা তোপে যুম্না তাও ॥২॥ লৈপাক পুংশিং অকাশ ঈশিং অহুপ তেজ— মৈ হায়রিবা মহাভূত মঙা অসি অচৌবা জীব পানবা পুম্নমকী পোক্লকপি অমদি লোইকপি ॥৩॥ ভারতত্ত অখোইবা। জীব-পানবা পুম্নমকী হকচাং

ততঃ সৃষ্টানি ভূতানি তানি যান্তি পুনঃ পুনঃ। মহাভূতানি ভূতেভ্য ঊর্ম্ময়ঃ সাগরে যথা ॥৫॥
প্রসার্য্যেহ যথাঙ্গানি কূর্ম্মঃ সংহরতে যথা। তদ্বৎ ভূতানি ভূতানামল্পীয়াংসি স্ববীয়সাম্ ॥৬॥
আকাশাৎ খলু যো ঘোষঃ স বায়োস্তু মহীগুণঃ। বায়োঃ প্রাণোঽথ সংস্পর্শো রূপং তেজস উচ্যতে ॥৭॥
ইত্যেতন্ময়মেবৈতৎ সর্ব্বং স্থাবরজঙ্গমম্। প্রলয়ে চ তমভ্যেতি তস্মাদুদ্দিশ্যতে পুনঃ ॥৮॥
মহাভূতানি পঞ্চৈব সর্ব্বভূতেষু ভূতকৃৎ। বিষমান্ কল্পয়ামাস যস্মিন্ যদনুপশ্যতি ॥৯॥
শব্দঃ শ্রোত্রে তথা খানি ত্রয়মাকাশযোনিজম্। রসঃ স্নেহশ্চ জিহ্বা চ অপামেতে গুণাঃ স্মৃতাঃ ॥১০॥

অসে চাওরিবা পঞ্চমহাভূতশিং অসিগী থবক্কী মপৈনি, মতুংনি। থবক্কী মশক ওইহনা লৈরবা ভূতশিংসে মতম পুম্বনা মাওথি লূপথিবগা চোংথোরকপগনা তৌহনা লৈরিবনি ॥৪॥

সমুদ্রগী ঈশিংদা ঈথকশিংনা হাইগৎ-তাত্তথংলম্লগা ঈশাক্তা অমুমুক লূপথি-থিনৃথিবক্কুম্না অউবা পঞ্চমহাভূতশিংসিনা উদবা পীক্লবা মওংদা লৈরব্দগী মশক উনা চোংথোক্লম্লগা অমুমুক লূপথিবনি। মতৌ অদুগুম্না পীক্লবা অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক অসিনা পরমাত্মাগী থোরক থোরক্লম্লগা অমুমুক পরমাত্মা মতোক্না লূপথিবনি ॥৫॥

থেঙ্গুগী মখোও মথুংনচিংবা হকচাং-কায়াৎ পুম্বনা মপান্না শন্দোক্লম্লগা হকচাংমুং অয়দা চওশিন্থিবক্কুম্না অচচ্চত্ত জীব পুম্নমক্কী হকচাং অসি আকাশ বায়ুনচিংবা মহাভূতশিংসিগী থোক্লম্লগা— অমুমুক মখোয়দা লূপথি চঠথিবনি ॥৬॥

হকচাংমুং অসিদা থুপ্পুনা লৈরিবা শব্দ— খোঙ্গেল অসি আকাশ (মহাকাশ কৌবা মহাভূত) অসিগী মশক উত্রিবা গুণ অমনি। মাসি হেক হেক মশক উহল্লম্লগা হায়বদি— তাহল্লম্লগা মহাকাশ অসিদা অমুক লূপথি হিন্‌থিবনি। মপান্দা অউবা অচৌবা হকচাং— স্থূলশরীর অসি, পঞ্চমহাভূতশিংদা মাওবা পৃথিবী (লৈপাক) হায়বহুগী কার্য্যগী মওংদা লাক্লবা গুণ নত্রগা কার্য্যনি। মতৌ অদুম তৌহনা প্রাণবায়ু হায়বা অসিনা মপানগী মহাবায়ুসিবগী রস (মহাও) হায়বসিনা ঈশিংগী, রূপ (মশক) হায়বসিনা মপানগী মহাগ্নি কৌবা মহাভূত অসিগী গুণনি ॥৭॥

অদুম তৌহনা হেক উরিবা অচচ্চত্ত জীবশিংগী হকচাংশিং অসি পঞ্চভূতশিংসিগী অউবা মশকমতক্কনি। মখোয়সি প্রলয়গী মতমদা— থুপবিবগী মতমদা পরমাত্মাদা থুপুথি— তিন্‌থি— লোইশিন্‌থি। সৃষ্টিগী মতমদা, হায়বদি— অমুক মশক উরকপা উগম্লকপা মতমদা পরমাত্মাদুদগী মরী মরী থোরকই ॥৮॥

হাওরিবা ভূতশিংসিবু শেম্বিয়রিবা শক্তি পুম্নমক্কা তিল্লবা ঈশ্বরনা জীব পান্নবা পুম্নমক্কী মথাদা হাওরিবা ভূতশিং অসি চাং য়েং য়েংহনা শম্নক নাইনা নাইবা য়েম্বোক্তুনা থম্বিরিবনি। হকচাংসিগী মনুংদা ভূত অহুনা লৈবা মতমদা— লৈরিবৈগী তাইবংমীনা লনরিবা থবক অমদি থবক্কী মকং অহু ঐ হায়গে মুন্না তাও ॥৯॥

শব্দ (খোঙ্গেল), নাকোং মথুন, অহুপা হকচাংদা লৈরিবা চুথোংনচিংবা ছিদ্র (মথুল), হাওরিবা অহুম

রূপং চক্ষুর্বিপাকশ্চ ত্রিবিধং জ্যোতিরুচ্যতে। ঘ্রাণং ঘ্রেয়ং শরীরঞ্চ এতে ভূমিগুণাঃ স্মৃতাঃ ॥ ১॥
প্রাণঃ স্পর্শশ্চ চেষ্টা চ বায়োরেতে গুণাঃ স্মৃতাঃ। ইতি সর্বগুণাঃ রাজন্ ব্যাখ্যাতা পাঞ্চভৌতিকাঃ ॥ ২
সত্ত্বং রজস্তমঃ কালঃ কর্ম বুদ্ধিশ্চ ভারত। মনঃ ষষ্ঠানি চৈতেষু ঈশ্বরঃ সমবস্থিতঃ ॥ ৩॥
ঊর্দ্ধং পাদতলাভ্যাং যদবাঙ্মূর্দ্ধ্নশ্চ পশ্যতি। এতস্মিন্নেব কৃৎস্নেয়ং বর্ত্ততে বুদ্ধিরুত্তমে ॥ ৪॥
ইন্দ্রিয়াণি নরে পঞ্চ ষষ্ঠং তু মন উচ্যতে। সপ্তমীং বুদ্ধিমেবাহুঃ ক্ষেত্রজ্ঞঃ পুনরষ্টমঃ ॥ ৫॥
ইন্দ্রিয়াণি চ কর্ত্তা চ বিচেতব্যানি ভাগশঃ। তমঃ সত্ত্বং রজশ্চৈব তেঽপি ভাবাস্তদাশ্রয়াঃ ॥ ৬॥
চক্ষুরালোচনায়ৈব সংশয়ং কুরুতে মনঃ। বুদ্ধিরধ্যবসানায় সাক্ষী ক্ষেত্রজ্ঞ উচ্যতে ॥ ৭॥

অমি 'অঙাংবা' হায়বা মঙ্গ ভূত অমুগী থবক্তি — মঙাক্না তৌবিবা থোকচল্লিবমক্তনি। মচাও, অনম্বা, লৈ (জিহ্বা) অহুম অসিনা মীসিং হায়বা মচাভূত অমুগী থবক্তি। অহুম অসিনা লেপ্পরবনি ॥ ০॥

মশক, মীৎ, ভুম্বা হায়রিবা গুণ অহুম অসিগী মতংদা— থবক্তা তেজ (মংগল— মৈ) হায়বা ভূত অমুগী নি ॥ ১॥

মনম্, মাহোঙ, হকচাং হায়রিবা অহুম অসি 'লৈপাক' হায়বা অমুগী গুণনি হায়রি। প্রাণ (প্রাণবায়ু), শোকপা, লোগ থোংলনচিংবা থবক, হায়রিবা অহুম অসিনা বায়ুগী গুণনি হায়রি ॥ ২॥

অহাওবংশগী মুংচাউরিনবগী মশক ওইরবা। ঈশ্বরনা জীবগা নুংশিনগী মচা সিংসিনবা সত্ত্ব, রজ, তম, কাল কর্ম, বুদ্ধি অমসুং পুক্নীং হায়বসিগা মোঙ ইন্দ্রিয় মপাল মথোন্দা তরক অসি লৈ ॥ ৩॥

মখাতোংবদা লোংখা খুঙ্গশিংগী মীগী মথক্তোংদা কাংইরগে অসি অসিগী মতেঙ লৈরিবা— হকচাং অসিগী মচাদা, মক্ত পুম্মক বুদ্ধি হায়বসিনা মীনখুং লৈরিবসি ॥ ৪॥

তাংবং অসিগী মখাদা জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা, অমুগা পুক্নীং মখোয় তরক অসি মপু কানা নি। বুদ্ধি হায়বা অসিনা শরীরগী অহংদা নিংঙল ওইবা ক্ষেত্রজ্ঞ — আত্মা হায়বসিনা লৈরি ॥ ৫॥

হায়রবা পোংশকসিং অসিত্, হায়বদি— জ্ঞান ইন্দ্রিয় মঙা, অমুগা জীবাত্মা — ক্ষেত্রজ্ঞ মখোয়সিবু মাগী মাগী মথো (থবক), মখোয়গী মচুংইনা তোঙান তোঙানবা লৈ হায়না অকুপ্পনা খঙগদবনি। সত্ত্বগুণ রজোগুণ, তমোগুণ অহুমসিগী — সাত্ত্বিকভাব, রাজসিকভাব অমুগা তামসিকভাব মখোয় অসি, জীবাত্মা ক্ষেত্রজ্ঞগী অশাংবদা লৈরি ॥ ৬॥

মীগী মচা ইন্দ্রিয়শিং অসিনা লৈরিবসি 'ভাব' নিংবা থবকশিংগী মকুনি। পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয় অসিনা চিন্নবকঙদা, হায়বদি— পুক্নীং হায়বসিনা কচিগুম্বা বিষয় অমগী সন্দেহ অমতং লাকপদা বুদ্ধি হায়বসিনা অদোমা মঙা খনা তাকপিরবনি। তিন মতমগী মতমদা অদোমা মখং অমা লাইমগে চঙবগীদমক পুক্নীং হায়বসিনা লৈরিবসি। মাসি পুম্মক অসিগী সাক্ষীসি ক্ষেত্রজ্ঞ— জীবাত্মা হায়বসিনা ওইরিবনি। তৎক্রমমক। সত্ত্ব রজ, তম, কাল, কর্ম, হায়রিবা গুণ মখাসিগী সাইরনা বুদ্ধি হায়বসি খোঙাম্ খোঙাম্

তমঃ শব্দ [illegible] কালঃ কর্ম চ ভারত। [illegible] বুদ্ধির্বুদ্ধীন্দ্রিয়াণি ॥
মন' [illegible] সর্ব্বাণি [illegible] ॥ ১৮ ॥

বেন [illegible] চক্ষুঃ [illegible] । [illegible] ॥ ১ ॥
স্পার্শনং স্পার্শক্তী স্পার্শ ন্ বুদ্ধিবিক্রিয়তেচ্ছসকৃৎ । [illegible] ॥ ৩ ॥

বিষয়শিংগী মায়গৈদা হেক্ হেক্ পুশিরে। বুদ্ধি হায়বীসিনা পুক্নীংগা লোয়ননা ইন্দ্রিয়শিং অসিবু কোয়থাং থাংজ্বনা পুশিবনি— থৌশিবনি। বুদ্ধি হায়না কৌবা তরথক্তী ইন্দ্রিয় অসিবা লৈরমজবদি— হায়রিবা ইন্দ্রিয় গুণশিং অসি মাবা মানা খোক্পা পঙ্কতোং ত তৌনরমগনবনি ॥ ৭—১৮ ॥

অমুত্তা ইন্দ্রিয়শুগী পাইথক্না বুদ্ধি হায়বীসিনা উবা থেংবগী থবক তৌরিবনি— দৃষ্টি মতাংগা নেত্র হায়না কৌবা ইন্দ্রিয়শু ওই। মতৌ [illegible] কৌবা থবক [illegible] তৌবা মতনদা থবক্তুগী পাইথ ওইবা [illegible] শ্রোত্র হায়না কৌবা, [illegible] হায়না কৌবা ইন্দ্রিয়শু [illegible]। বুদ্ধি হায়বী [illegible] ঘ্রাণেন্দ্রিয় হায়না [illegible]। [illegible] কৌবা [illegible] বুদ্ধি [illegible] রসনেন্দ্রিয়— জৈ। হায়না মকৌনথ্রে। বুদ্ধি হায়বীসিনা খোক্পা— [illegible] হায়না [illegible] উনপা হায়না কৌবা ইন্দ্রিয় [illegible] [illegible]। মতৌ [illegible] বুদ্ধি হায়বীসিগী [illegible] খোক্ খোক্ [illegible]। [illegible] বুদ্ধি [illegible] ([illegible]) হায়না কৌবা ইন্দ্রিয়শু [illegible] ॥ [illegible] ॥ *

---

* [illegible]— [illegible], [illegible], [illegible] [illegible] ইন্দ্রিয় [illegible] বুদ্ধি কৌবী [illegible]। [illegible] হেক্ হেক্ [illegible]। [illegible] বুদ্ধি [illegible] বুদ্ধি কৌশিংখ্রে উনপা— [illegible] মকৌথ্রে। বুদ্ধি [illegible] '[illegible]' কৌথ্রে। [illegible] । [illegible] উং তাবা নাত্তে। [illegible]— [illegible] উং [illegible] নাত্তে। [illegible] জীবাত্মা [illegible] । [illegible] বিমর্শ [illegible] । [illegible] বুদ্ধিগী [illegible] । [illegible] তৌবা ওয়দে। [illegible] বুদ্ধি হায়বীসিনা [illegible] হেক্ [illegible]— [illegible] ওয়দে। ([illegible])

অধিষ্ঠানানি বুদ্ধ্যা হি পৃথগেতানি পঞ্চধা। ইন্দ্রিয়াণীতি তান্যাহুস্তেষু দুষ্টেষু দুষ্যতি ॥২১॥

পুরুষে তিষ্ঠতী বুদ্ধিস্ত্রিষু ভাবেষু বর্ত্ততে। কদাচিল্লভতে প্রীতিং কদাচিদপি শোচতি ॥২২॥

ন সুখেন ন দুঃখেন কদাচিদপি বর্ত্ততে। সেয়ং ভাবাত্মিকা ভাবাং ত্রীনেতান্ পরিবর্ত্ততে ॥২৩॥

সরিতাং সাগরো ভর্ত্তা যথা বেলামিবোর্ম্মিমান্। ইতি ভাবগতা বুদ্ধির্ভাবে মনসি বর্ত্ততে ॥২৪॥

প্রবর্ত্তমানং তু রজস্তদ্ভাবেনানুবর্ত্ততে। প্রহর্ষঃ প্রীতিরানন্দঃ সুখং সংশান্তচিত্ততা ॥২৫॥

কথঞ্চিদুপপদ্যন্তে পুরুষে সাত্ত্বিকা গুণাঃ। পরিদাহস্তথা শোকঃ সন্তাপোঽপূর্ত্তিরক্ষমা ॥২৬॥

লিঙ্গানি রজসস্তানি দৃশ্যন্তে হেত্বহেতুভিঃ। অবিদ্যা রাগসম্মোহৌ চ প্রমাদ স্তব্ধতা ভয়ং ॥২৭॥

বুদ্ধি হায়বীসিগী লৈকম ওইনা তোঙান তোঙানা শীজিন্নরিবা মীৎ নাকোংনচিংবা থুংলাইশিং অসিবু ইন্দ্রিয় কৌই। হায়রিবা ইন্দ্রিয়শিংসিবু মাঙথোক্লবদি— দোষ লৈরক্লবদি, মখোয়সিনা চোং চোংদুনা লৈক্ল-গদৌরিবী বুদ্ধি অদুগীক্ মশাদা দোষ লৈরে ॥২১॥

হকচাংগী মনুংদা তৌরিবা পুন্নমক অসি লোইনা উরবা সর্ব্বনাক্কী ওইরিবা আত্মা নত্তাকী আশ্রয়দা লৈরবী বুদ্ধি হায়বীসিনা লৈরিবাস সাত্ত্বিক, রাজসিক, তামাসক অবস্থা অহুম অসিদনি। অহুনা ওইক্ল ওইক্লরিবা অবস্থা অদুগী মতুংইন্না বুদ্ধিনা দুংঙাইবা অংেনবসু পী, লেম্বা থোৎপা চাউথোক্লীডবনচিংবসু পী, অরাবা থুলোংথীবসু পী ॥ ২— ২৩॥

তুরেল পুন্নমক্কী মপুরোইবা ওইব সমুদ্র ঈ াক্লা রাং-চ উরবা ঈথক্ ঈরৈগ লোয়ননা তোর্ব্বগুমা কুজিল্লক্লবসু— মাগী চাংজৌ লৈব্রায় অহুদগীদি ঈরাল্লাম্বেক্লবদুগুম্না সাত্ত্বিকচংবা গুণ পুন্নমকনা ভিন্নবসু সত্ত্ব রজ, তমঃ গুণ অহুম অসিবু বুদ্ধি হায়বীসনা থক্ লাম্ফোক্লে। সাত্ত্বিকভাবনচিংবগী মপক্ ওইরবা পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়াসগী মন্নুদা হন্দোক-হুক্তিন্ তৌদুনা লৈশিন্দুনা লৈ ॥২৪॥

বুদ্ধি অসিনা রজোগুণগী মায়গৈরোমনা চঙ-নখিবদা মহাক্কী নশাগী রাজসিকভাব অহুম মরাকুলে। পুরুষ অদুগী মশাদা কা হেক্না দুংঙাইবা, মাদুগী করিগুম্বা বিষয় অমদা থেইনা থল্লুদনা থম্মোয়দা কা হেক্না পেক্লবা হায়রবহু হেক্ মওইরবদি মহাক অদু সাত্ত্বিকভাবতা চঙক্লবনি ॥২৫॥

হকচাংদা নত্রগা পুক্নীংদা করিগুম্বা মরম অমনগী নত্রগা মমম অমতা লৈতনা চাকপা (মীগী অকবা উরগা থাঙবা ওমদনা প্রোক্ প্রোক্ চাকপা), করিদু ঈনং নঙবদ পঙম্না-ত রাবা, রাগনবা, করিগুম্বা অমতং তৌরকপদা মপুং ঈক্কা কানবা, থাঙবা ওমদবা অসিনচিংবা লাক্লবদি মী মহাক্কী মশাদা— রজোগুণ লাক্লবনি ॥২৬॥

বিদ্যা অমনি হায়না লৌবা য়াদবা অদুগুম্বী অবিদ্যা (শেখায়রবী বিদ্যা, অশাউবা, তম্মংপা, চোইরোন্ লোনবা, তৌফম থঙদবা, হুইডক্-হেনডক্-চাবা, অকিব, মতু ঈশোন্ শোম্না লৈবা, করিদু লৈতবা অমগী পাম্বৎপা, রাম্ববা, মঙগ্রেন-হাগ্রেন্নবা, তুন্নীংগনব; অতনবা, হকায়-চনবা, তীংত্তি-রাঙলিগনবা অসিনচিংবা

অপ্রবৃত্তি স্তথা দৈন্যং প্রমোহঃ স্বপ্নতন্দ্রিতা। কথঞ্চিদুপপদ্যন্তে বিধি তা তামসা গুণাঃ ॥২৮॥

তত্র প্রীতিসংযুক্তং কায়ে মনসি বা ভবেৎ। বর্ত্তত সাত্ত্বিকো ভাব ইত্যুপেক্ষেত তং তথা ॥২৯॥

অথ যৎ দুঃখসংযুক্তমপ্রীতিকরমাত্মনঃ। প্রবৃত্তং রজ ইত্যেব তদসংরভ্য চিন্তয়েৎ ॥৩০॥

অথ যন্মোহসংযুক্তং কায়ে মনসি বা ভবেৎ। অপ্রতর্ক্যমবিজ্ঞেয়ং তমস্তদুপধারয়েৎ ॥৩১॥

ইতি বুদ্ধিগতীঃ সর্ব্বা ব্যাখ্যাতা যাবতীরিহ। এতৎ বুদ্ধ্বা ভবেৎ বুদ্ধঃ কিমন্যদ্ বুদ্ধলক্ষণম্ ॥ ২॥

সত্ত্বক্ষেত্রজ্ঞয়োরেতদন্তরং বিদ্ধি সূক্ষ্ময়োঃ। সৃজতেঽত্র গুণানেক একো ন সৃজতে গুণান্ ॥৩৩॥

পৃথগ্ভূতৌ প্রকৃত্যা তু সম্প্রযুক্তৌ চ সর্ব্বদা। যথা মৎস্যো হ্যদ্ভিরন্যঃ সম্প্রযুক্তো ভবেৎ তথা ॥৩৪॥

তোয়না লাক্লবা মী মহাক অছুদি তমোগুণনা মশক মওং তোঙ্তাঙ্না তোঙ্তান্ পুক্না মহোন্দা কোয়শিল্লক্লবা মীশক অৎনি হায়না খঙ্গদবনি ॥২৭—২৮॥

অসিগুম্বা অবস্থাদা কয়িগুম্বা মশাদা ঊপেন্ত পেল্লবা মশাগী অবস্থা অদুবু খঙ্লকপনা অমগী মরল-মথুম দুংঙাইবগুবু থোইনা কন্নকটনা কুঙ ইথোক্নুনা লৈরবদি মতম অদুদসু নহাক সত্ত্বগুণগী অবস্থাদা লৈ হায়বসি খঙ্গদবনি ॥২৯॥

ঐনা ঊপেন্ পেল্লরিব, ঊইদে হৈন্দিংদ্রিবসি, অদুগা অরাবা দুংঙাইতবদা কংলিবসি কয়িগীনো হায়না মশান্না খঙ্লববা অদুগা মাদুগী মরম অদু খঙ্লরবা মতম অদুদা মহাক রজোগুণগী অবস্থাদা চঙলকপবনি, হায়না খঙ্গদবনি। অদুগা অদুগুম্বা মতম অদুনা অদুগুম্বা অবস্থাদুবু থোকহল্লিবা থবকশিংদু অমুক তৌদ-নবা হোৎনগদবনি। হায়বদি— য়াম্বিদমখৈ রজোগুণ মশাদা চঙঙক্লনবা হোৎমগদবনি ॥৩০॥

মতৌ অমুম্না ককচাংদা অমদি পুক্নীংদা চোকশিন্দবদগী ওইরবসু মত্রগা থঙহৌনবগী ওইরবসু কয়ি-গুম্বা অবস্থাশিং অসি ওইরক্লবদি বিবর অদুগা তমোগুণ লাক্লে হায়বসি খঙ্গদৌবনি ॥৩১॥

বুদ্ধি হায়বীসিগী ওইবিবা অবস্থাশিংসিগী ব্যাখ্যা তৌরবনি। অসি পুম্নমকসি খঙ্জিন্দুনা থবক তৌর-বদি ওইবংমীবা জ্ঞানী হায়বদু হেক্ ওই। হায়রিবসি নত্তবা জ্ঞানী ওইবগী লক্ষণ অমৈ অমা অমুক কয়ি লৈগদগে ॥৩২॥

বুদ্ধি হায়বীসিগা ক্ষেত্রজ্ঞ— অমুম হায়বসিগা অনী অসিদি য়াম্না কূপ্না লৈপ্রবনি। হায়বদি— অনী অসিগী ওত্ত্বদি য়াম্না কূপ্না লৈপ্রবনি। অনী আসনা থেরম্নিমসি কয়িগনো হায়বসি ঙঙকম থোকই। অনী অসিগী মরক্তা থেম্নবিবা হায়বদু বুদ্ধিনা সত্ত্ব রজ তম গুণশিংবু শেম্মি। অদুগা আত্মা হায়বসিনা কয়ি-গুম্বা অমত্তা তৌবা য়াওদনা তৌরিবা থবক পুম্বা অসিগী দ্রষ্টা (অংইবা-সাক্ষী) ওইদুনা লৈ ॥৩৩॥

থাইঙ্গেন্দোংবদি বুদ্ধি হায়বীসিগা আত্মা হায়বীসিগা য়াম্না থেই। অদুবু অনী অসি মতম পুম্নমকতা ঊতৌদ্ধ তিন্নদুনা, অমত্তা ওইমিন্নদুনা লৈকত্তুম ঊই। ঙাশিংগা ঙানা তোঙাঙ তোঙান্বা পোৎশক্কি, অদুবু অমগা অমগা মতম পুম্বনা অমত্তা ওইমিন্নবত্তুম লৈ। মতৌ অদুগুম্ব বুদ্ধিগা আত্মাগা অনীসি তোঙাঙ্লবসু অমত্তা ওইবত্তুম লৈ ॥৩৪॥

ন গুণ [illegible] সম্ভবান্ [illegible] পরিত্রষ্টা [illegible] যথা ॥৩৫॥
[illegible] ॥৩৬॥
[illegible] ॥৩৭॥
[illegible] ॥৩৮॥
এবং [illegible] ॥৩৯॥
[illegible] গুণাঃ ॥৪০॥

[illegible] যথোক্তো [illegible] ॥৪১॥

[illegible] ॥৪২॥

[illegible] অনীশ্বরী [illegible] ॥৪৩॥

[illegible] ॥৪৪॥

[illegible] ॥৪৫॥ *

* [illegible] (কালীপ্র)

প্রথবত্তা ন নিবর্ত্তন্তে প্রবৃত্তির্নোপলভ্যতে। এবমেকে ব্যবসন্তি নিবৃত্তিরিতি চাপরে ॥৪১॥
ইতীদং হৃদয়গ্রন্থিংবুদ্ধি চিন্তাময়ং দৃঢ়ম্। বিমুচ্য সুখমাসীত বিশোকশ্ছিন্ন সংশয়ঃ ॥৪২॥
তাপেয়ুঃ প্রচ্যুতাঃ পৃথ্বীং যোহপূর্ণাং নদীং নরাঃ। যথা গাধমবিদ্বাংসো বুদ্ধিযোগময়ং তথা ॥৪৩॥
নৈব তাম্যন্তি বিদ্বাংসঃ প্লবন্তঃ পারমম্ভসঃ। অধ্যাত্মবিদুষো ধীরা জ্ঞানং তু পরমং প্লবঃ ॥৪৪॥
ন ভবতি বিদুষাং মহাভয়ং যদবিদুষাং সুমহাভয়ং ভবেৎ। ন হি গতিরধিকাস্তি কস্যচিৎ সকৃদুপদর্শয়তীহ তুল্যম্ ॥৪৫॥

হায়রিবা গুণশিং অসি মাওগ্রবা মুৎগ্রবা ফুংদদি মথোয় অমুক হল্লক্ত্র। মময়দি মথোয়না হল্লকপন্থু পুক্নীংদা কাওত্রে, কাওবু কাওজবদি লৈত্রবা হল্লক্ত্রয়গুনি। হায়রিবসি জ্ঞানী ওইবা পণ্ডিতশিং খুং অমনী লিঙ্কাতদি, খুং (কাওলুপ) অমনদি মাওলুরবনু গুণশিং অসি অমুক হল্লকই হায়রি ॥৪১॥

বুদ্ধি কৌবী মাগী চিন্তাগী মশক ওইরবা কম্না য়েচ্ছিন্নগ্রবা থম্মোয়বু কিশি কিহুনা কম্না কাক্তিন্গ্রবা থম্মোয় অসিবু থাদোক্নুনা অয়া-নুংঙাইদগী লাম্হোক্নুনা ঈনুং নুংঙাইনা লৈথোক্কদৌবনি, মাসিনি অয়ান্-খুঙম হায়রিবসি ॥৪২॥

তুরেল অসি কয়াম্বুক্ লুহিপদগে হায়বা থওদবা মীনা তুরেল্দুবু লান্পে হায়না চোংথক্লবদা ঈথাক্লনুনা অয়াবা ফংবন্থুগুম্না বুদ্ধিযোগ অসিগী ওত্তবু থওদবশিংনা সংসায়দু ঈপাকসিদা চোংথহুনা অয়াবা ফংনরি ॥৪৩॥

লাম্হোক্লনবগী কলাবিদ্যা থওবা-হৈবশিংনা, হায়বদি— ঈয়োইবা সজয়োই-হৈবশিংনা ঈয়া য়াদনা সংসায় ঈপাকসিবু লাম্হোক্নুনা চংথি। অদুয়া অধ্যাত্মতত্ত্ব থওবশিংনা পোকপা শিবগী সংসায় অসিবু লাম্হোক্নুনা চংথি। অসিবুনি মুক্ত ওইবা— মুক্তি ফংবা হায়রিবসি। লাম্হোক্লবা হোৎনবদা অধ্যাত্মজ্ঞান অদুত্তনা পোও— হি, অহাজ ওই ॥৪৪॥

জ্ঞান লৈতবশিংনা সংসায়সিগী অয়াবা অকিববু খাওহুনা থম্নুনা লৈরি। অশিংবশিংনদি মহাকীদম্লক কহিমত্তা য়াবিদে। জ্ঞানীশিংনদি অথোইবা অফেন্বা অয়াবা-গতি হায়বা লৈতে। হায়বদি— ময়া ফংবা লুঙোইবদগী ঐগীমা য়াংলি হেল্লি হায়বা লৈতে – চপ্ মান্নে। মথোয় অদু ব্রহ্মলোকতা লৈরিবনি। ব্রহ্মজ্ঞানদি অমুক্তং ওন্‌গ্রপা লোইয়ে। মওোম্না অথোই-অহেন্, য়াথবা হেনগৎলকপা হায়বা অমা অমুক্ লৈত্রে। "সকৃদ্বিভাতো হ্যেষ ব্রহ্মলোকঃ।" হায়না শ্রুতিনা পীরিবা প্রমাণদুগুম্বনি ॥৪৫॥ *

* অনিত্যজ্ঞাননা পীবা পোৎশিং অদুত্তননি— ঐগী মাগীনা হেল্লি য়াংলি হায়না অপাঙ্ক-মিহৌবনচিংবা পোক্হল্লিহনি। অদুনা অনিত্য (অসত্য) জ্ঞাননা পীবা নুংঙাইবদু হেনগৎপা য়াথবা নাই। ব্রহ্মজ্ঞানদি মশামা নিত্যনিবা— সত্যনিনা মহাক্না পীবা ব্রহ্মানন্দদি য়াথবা হেনগৎলকপা নাইদে। অদুনা মর্ত্ত্যলোক অসিবু ব্রহ্মলোক ওইহন্‌পে হায়মবনু ব্রহ্মজ্ঞানীশিংদি অদুম মওশি। অমত্তোমদা থল্লুহবদি ব্রহ্মলোক হায়রিবসিমক অয়ান্বা অমনি। ব্রহ্মলোক হায়বা ভোত্তান্বা লোক অমা অমুক্ লৈপদবা নত্তে। তোত্তাননা লৈবা তাহন্‌লবদি— মকম অসিদা ব্রহ্ম লৈতে। মকম অদুদা লৈ, অসিমচিংবা অয়াম্দা য়াথলদি মশানা

যৎকরোতি যদ্ভোগমেকস্তত্ত্ব ভুঞ্জতি যৎ পুরাকৃতম্ ।
নাপ্রিয়ং তদ্ভুয়ং করোত্যসৌ যচ্চদূষয়তি যৎ করোতি চ ॥৪৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
অধ্যাত্মজ্ঞানেঽশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮০॥

——:():——

জ্ঞান লৈতবশিংনা য়ানরিবসি জ্ঞান তাজিঙৈদা তৌখিবা দোষনা থরবা কর্মচুগী হাক্তগী তাক্তনি। জ্ঞান তাজিঙৈদা অতোপ্পা অমনা তৌবা, মান পায়দবা কর্মচুবু উবগা নিন্দা তৌই, অচুপা অপাউবা মি-হৌবনচিংবা দোষদগী মথামরম্ভ দোষনা তিল্লবা কর্ম তৌরি। দোষ মক্তনা তিল্লবা হায়রিবা কর্ম অমীসিবু অধ্যাত্মজ্ঞান অসি লাকপদা অমুকহন্না তৌরক্রে, তৌপে হায়নস্থ থক্রে ॥৪৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা অধ্যাত্মজ্ঞানগী চনীমরিফুত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮০॥

——:():——

লাক্পা তারবনি। ব্রহ্মানন্দগী মন্থংদবু লৈরবদি মী মহাক অহু ব্রহ্মলোকতা লৈরমগুম্বনি। ব্রহ্মস'থম তহাক্তং তৌরগা হেল্লি য়াংলিগী বিষয়দা অমুক্ চঙলক্রবদি করিদি কায়রি ? মাসি তারকনি হায়বা হায়না থক্তজ্জুনা অশিংবা কনাগুম্বদা নিত্যব্রহ্মচারী ওইহুনা চংনখি। হেল্লি য়াংলিনচিংবা অরান্‌বা রাথলশিং অসি পোক্‌হনবা সনা লুপানচিংবা বিষয়ভোগ মরাব অহু থাংলক্রুনা নিত্যব্রহ্মচারী ওইখিবনি। নিত্য ওইবা অসিগুম্বা জ্ঞানদি অধ্যাত্মজ্ঞানতনা পী। ব্রহ্মানন্দনা পীবা আনন্দ অচুগী মহুংদা লৈরিবহুনি ব্রহ্মলোকতা লৈবা হায়বহু। স্বর্গ নরকচিংবগী ভেদজ্ঞান পুম্বা অজ্ঞাননা— অনিত্যজ্ঞাননা পীবা মরুনি। “ঐগী মাগী” নচিংবা ভেদজ্ঞান পুম্বা অজ্ঞান— অসত্যনা পীবা মরুনি। ব্রহ্মজ্ঞানানন্দদি অভেদানন্দনি। মীতৈ য়াইহেনা “ঈশ: মীচা থায়বু” হায়বসি হায়দোকপদদি,— ভাবনদি ঈচম্ চম্না তারগা ঈশ্বর লাবা পাউতাক্ অমা ওইনদি তৌরগা য়াম্না মমল য়াম্বা অধ্যাত্মিক ওইবা উপদেশনি। অচুপা হায়রিবা ব্রহ্মজ্ঞান অসি কংবমগী লম্বীদি অমনা অমদগী থেরবা য়াই, লম্বী থেরক্হুনা থক্ কায়বা লৈতে। অথুবা ঊহৈ অনুভব চাবা কংখনি হায়রবনি— চৈনা তমহুনবু ওইরবস্থ, উথক কাথংহুনবু ওইরবম্থ ঈশা য়াই। লম্বীশিং উপায়শিং অসিগী থেরবদা উহৈহুগী মধুরতাদা ভেদ থক্ পীগদবা নত্তে. সাধনাবস্থাদা থেরক্‌বনি, সিদ্ধাবস্থাদা থেরগদবা নত্তে। অরুর্বদ— “ঐ সিদ্ধ ওইরে, মাদি ওইত্রি” অসিনচিংবা অমুক্ মহায়রবদি হায়গীহু মতাম। অচুনা কনা কনাগুম্বনা শুক্চাও তাওদনা মুনি ওইহুনা চংখি। অহুদম্ভ অরুবদি— য়াদি থম্মোয়দম্ভ ভুমিল্লা অহুম্ — মতাওলি। অচুপা ভগবান্‌না ভগবদগীতাদা— “য়াম্না চাওবা তাক্লম্ভ চংনদে, তাওদবা ভুমিল্লা লৈবা তাক্লম্ভ চংনদে।— যে কম অভিলয় সেই নয় মহাশয়।” হায়রি। (স্বলাচাঁদ)

মণিপুরী মহাভারত

একাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(সমঙ্গনা নারদদা মপাগী অয়াবা লৈতবগী অবস্থাদু হায়বা)

চনীমরিকুমাথোইশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

শোকাৎ দুঃখাচ্চ মৃত্যোশ্চ ত্রসন্তে প্রাণিনঃ সদা। উভয়ং নো যথা ন স্যাৎ তন্মে ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। নারদস্য চ সংবাদং সমঙ্গস্য চ ভারত ॥২॥

নারদ উবাচ।

উরসেব প্রণমসে বাহুভ্যাং তরসীব চ। সম্প্রহৃষ্টমনা নিত্যং বিশোক ইব লক্ষ্যসে ॥৩॥

উদ্বেগং ন হি তে কিঞ্চিৎ সুসূক্ষ্মমপি লক্ষয়ে। নিত্যতৃপ্ত এব স্বস্থো বালবচ্চ বিচেষ্টসে ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হংঙি,— ঈবুধৌ! সংসারদা লৈরিবা অচচচন্ত জীব পুম্নমক অসিগী মঙুংদা অয়াবা থুদোং থীবা হায়বসিবু কিদবা কনামতঃ য়াগদে। অদুনা হায়রিবশিংসিদগী পোকপা অকিবদু কোক্লনবা পাঙিভাক্ উপায় অদু ঐঙোন্দা তাকপিয় ॥১॥

মা অসি তাবদা ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! নহাক্না হংলিহসিগুম্বা মতাং লাকপাদা দেবর্ষি নারদপা সমঙ্গপা অনীগী ভাঙনথিবা ৱাক্ম অদু থুদময়ারী ওইনা লীরৈ ॥২॥

মোংমা নারদনা সমঙ্গদা হায়রি,— সমঙ্গ! মী অয়াম্বনা মকোক্ নোম্মুনা থুক্রৈ। অদুবু, অয়ম রেংবদা ৱহাক্তদি মপানুগী খোঙ থুং অসি য়াগুরন্দনা থম্মোয়ত্তনা থুরুম্বগুম, থম্মোথক্তনা ওক্পগুম্ তৌই। অদুনা, ঐবা অমুম থবৃথবৃ নহাক পাম্মোম অনী অদুত্তনা চোংথুনা সংসার-ঈপাক্ অসিবু লাম্মোকে হায়না খল্লিবারে। নহাক অসি কুমিংচুম্না ঈসুংভ মুংঙাইনা লৈবা ওইনা উই। পিসি-নানি হায়বগী অয়াবা অকিবা কল্লিমত্তা লৈত্তবা ওইনা উই ॥৩॥

কল্লিগুম্বা বিষয় অমদা অরাংপা নত্রপা মুংঙাইতত্ব। অমা লৈবগী লাঙত্তরবগী থুদম অমত্তা নহাক্কী মথাদা— মায়থোংদা উবা ফংদে। বিষয় পুংদা অরাং-অপা লৈত্তবগী মওং ঈসুংভ মুংঙাইদুনা ঈপেন্ত পেন্দুনা লৈরি। অঙাংগী মত্তোগুম্না ঈতাও ভাউনা শাদবগী মওংদা নপুন্দি লেজি ॥৪॥

সমঙ্গ উবাচ।

ভূতং ভব্যং ভবিষ্যং চ সর্ব্বমেতত্তু মানদ। তেষাং তত্ত্বানি জানামি ততো ন বিমনা হ্যহম্ ॥৫॥

উপক্রমানহং বেদ পুনরেব ফলোদয়ন্। লোকে ফলানি চিত্রাণি ততো ন বিমনা হ্যহম্ ॥৬॥

অগাধাশ্চ প্রতিষ্ঠাশ্চ গতিমন্তশ্চ নারদ। অন্ধা জড়াশ্চ জীবন্তি পশ্য।স্মানপি জীবতঃ ॥৭॥

বিহিতেনৈব জীবন্তি অরোগাঙ্গা দিবৌকসঃ। বলবন্তেহবলাশ্চৈ তদ্বদস্মান সভাজয় ॥৮॥

সহস্রিণোঽপি জীর্যন্তি জীবন্তি শতিনস্তথা। শাকেন চাপি জীবন্তি পশ্যা।স্মানপি জীবতঃ ॥৯॥

যদা ন শোচেমহি কিং নু স্যাৎ ধর্মেণ বা নারদ কর্মণা বা।
কৃতান্তবশ্যানি যদা সুখানি দুঃখানি বা যন্ন বিধর্ষয়ন্তি ॥১০॥

সমঙ্গনা হায়,— মীবু য়াম্না ঊকায় থুম্নবিবা ঋষি। ঐ মুনিখোয় থাইগী কুপ্পদগী ভূত, ভবিষ্যৎ বর্ত্তমানগী তত্ত্ব পুম্বা পুক্রীংদা হাপ্লয়ে— হাপচরে। অদুনা ঐগী পুক্রীংদ' য়ানীডবা'য়গী বিষয় অমত্তা লৈতবনা ঊমুং মুংঙাইনা লৈজরি। ঐতোপ্পা কর্ম্মগুম্ব অমগী মথমদা য়ানহায় ফরিমত্তা লৈতে ॥৫॥

কর্ম্মগুম্বা থবক অমা তৌথিবগী অহৌবা মাতুংগী মতুং অহুমা ফরি, অতুগা কুপ্পদ্ৰে লাক্তদে হায়বা অমাদো ঐতোপ্পা লৈতে। সংসারসিদা তোঙাঙ্গ তোঙাম্না তৌনরিবা কর্ম্মশিং অমিগী তোঙাঙ্গ তোঙাঙ্গনা ফংমরিবা কর্মফল অসিগী তত্ত্ব থক্তৈ। অদুনা ঐগী য়ানীডবাগী কর্ম্মগুম্ব বিষয় অমত্তা লৈতে। ঐনা হৌজিক ওইরিবা মওং অমে অসুম্না ওইরকনি হায়বা হায়দগী অহুম খঙদোকচবনা হৌজিক ফরি অমত্ত য়াবিদে ॥৬॥

য়েংবিয়ু, নারদজী! জগৎ অসিদা য়াম্না গম্ভীর ওইরবা, কেম্নবা ঊকায় থুম্নিঙতার ওইরবা, কর্ম্মসু লৈজরব', চাওখৎরবা, মমীবাংবা, অপঙবা পুম্নমক অসিনা চপ মান্ননা হিংদুনা লৈবাসিগুম্না ঐসু হিংজরি ॥৭॥

দেবর্ষি নারদ জী। য়েংবিয়ু, মশাদা অনা অয়েক লৈতবা, মশা-মত্ত ফবা, মপাঙল ফরবা, মশা পোম্নবা পুম্নমক মানা মানা তোঙাঙ্কংআ প্রারব্ধকর্ম্মগী মতৌনা তোঙাঙ্গ তোঙবু মওংদা মপুন্‌শি লেপ্পি। ঐসু ঐগী প্রারব্ধকর্ম্মগী মতুংইন্না লৈরিবসিদা ঐনা ঊপুক্খোম্ব কর্ম্মগুম্বা কাম্যকর্ম অমত্তা পানৱদে। অদুনা মুনিসু ঐবু অসুম লুনা মঙৌবিয়ু ॥৮॥

লুপা লিশিং লখা অমা লৈব্রবা মীসু অহুম মহিংত্তি। চানিংঙাই লৈতবা মরা-মশীংত চাবা মীসু অহুম মহিংলি। অদুগুম্না ঐসু অহুম মহিংলি ॥৯॥

নারদজী। মাসিমু মুম্না খঙনবগী পোকপা অজ্ঞান অমু মাঙথিবগী ঐখোয় হৌজিক শিব-মাবগী অমাবা আকবা লৈতদ্রা হিংজনা লৈজরি। অসিগুম্বা মতমদা ফরম্বা কর্মগী মতুং অমা ফংনিংবগী অতোপ্পা কর্ম্ম অমা পানৱৎকদৌরিবনো? খুদক্তা মথক হোৎপদবা অমাবা পুংঙাইবমু মাঙজোননা থঙদোক্লবা জ্ঞানীবু অসিগুম্বা অমাবা মুংঙাইবা শীপজৌরিবা সংসারগী বিষয়না বাংনবা থক্ত ঙমদে ॥১০॥

যদৈব প্রাজ্ঞাঃ কথয়ন্তে মনুষ্যাঃ প্রজ্ঞামূলং ইন্দ্রিয়াণাং প্রসাদঃ।
মুহ্যন্তি শোচন্তি তথেন্দ্রিয়াণি প্রজ্ঞালাভো নাস্তি মূঢেন্দ্রিয়স্য ॥১১॥
মূঢস্য দর্পঃ স পুনর্মোহ এব মূঢস্য নায়ং ন পরোঽস্তি লোকঃ।
ন হ্যেব দুঃখানি সদা ভবন্তি সুখস্য বা নিত্যশো লাভ এব ॥১২॥
ভবাত্মকং সম্পরিবর্ত্তমানং ন মাদৃশঃ সংজ্বরং জাতু কুর্য্যাৎ।
ইষ্টান্ ভোগান্ নানুরুধ্যেৎ সুখং বা ন চিন্তয়েদ্দুঃখমভ্যাগতং বা ॥১৩॥
সমাহিতো ন স্পৃহয়েৎ পরেষাং নানাগতং চাভিনন্দেচ্চ লাভম্।
ন চাপি হৃষ্যেৎ বিপুলেঽর্থলাভে তথার্থনাশে চ ন বৈ বিষীদেৎ ॥১৪॥
ন বান্ধবা ন চ বিত্তং ন কৌল্যং ন চ শ্রুতং ন চ মন্ত্রা ন বীর্য্যম্।
দুঃখাৎ ত্রাতুং সর্ব্ব এবোৎসহন্তে পরত্র শীলেন তু যাতি শান্তিম্ ॥১৫॥

জ্ঞানীশিংনা হেক্ হেক্ হায়নবা 'প্রজ্ঞা' (ফাম্ মুঙা থঙজিনবা) হায়বসুগী মরুদি—"ইন্দ্রিয়শিংগী ভক্ত ভক্তনা লৈবা হায়বসুনা ওইগদৌরিবনি। মী মহাক অসুগী ইন্দ্রিয়শিংনা অমাংবা তমাংগী লাংবা থুরুমনা অমত্থা হায়বসু ওইরবদি, ইন্দ্রিয়শিং অসুনা প্রজ্ঞা হায়বসুবু থক্ ফংবা ঙমদে ॥১১॥

নাপল হায়বসি অপঙবা মীওনা তৌনৈ। অসুগুম্বা গর্ব্বসুনা অপঙবসুগী মকমদদি মোহ—ভুমংপা হায়বসুনা অরুম মওইরে। হায়বদি—মহাক্তী গর্ব্ব অসু গর্ব্ব নত্তে মোহমক্নি। অসুগুম্বা অপঙবা মী অসু-গীদি ইহলোক পরলোক অনীমক অয়াবগী মশক্নি। মতম লৈবা খিবিক্তা য়াসুনা ভাক্তা লৈবা অসুগা লেওদনা দুখঙাইবা ফংসুনা ভাক্তা লৈবা অসুগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তা লৈত্তে ॥১২॥

সংসারগী মশক অসি মীকুপ থুনিংগী তোংডি হাপবা থওবা ঐগুম্বা মী অমবা ফংত্রিবা পোৎ অমদি মাঙপ্রবা পোৎ অমগীমমক থক্ য়াবিদে। অসুগুম্বা য়াবিদবা অশিংবা মী মহাক অসুনা অপাম্বা পোৎশক অসুগী অসুগা লুগুাইবা হায়বসুগী মকুংদা কোয়ইন্ থক্ ইয়রদে। অয়াবা থুদোংখীবা হায়বসুনা মনাকতা য়ৌরয়বদা মাসুগীমমক্তা চিন্তা মরীক্ অমা কাওবা তৌবিদে ॥১৩॥

বিষয় পুয়মক্তগী হন্দোক্লক্রবা অসুগুম্ব মহাপুরুষনা সংসারগী কবিগুম্বা পোৎ অমত্তা পাম্বা লৈত্তে। লুংক ফংওকপা য়াবা নীঙথিবা পোৎশক অমত্তবুসু তরাম্ তরাম্ তৌকগে খন্দে। নীঙথিবা পোৎশক্, সম্পত্তি ফংলবসু হরাওরবা লৈত্তে। মমল য়াম্রব সম্পত্তিসু মাঙপ্রবসু কবিমত্তা য়াবিদে ॥১৪॥

শাগৈ মাতৈ, মরূপ মপাং, ওাই-শেল, লন্-থুম, শাগৈ-জাৎ অতৌবা, শাস্ত্র য়াম্রা ভম্বা, পাবা হৈবা, মন্ত্র-যন্ত্র অমদি হকচাংগী পাঙল মখোয়সিনা পুম্নমা হৌতুনসু কনা অমত্তবু সংসারগী য়ম্রনা (অয়াবা হৈবেং) দগী কোক্থনবা ঙম্বোই— ঙমদে। মসুং মপাম্ শেংবা চৎপা অক্তাবতমা পরলোকতা— মসুংগী মপোক্তা শান্তি পী ॥১৫॥

নাস্তি বুদ্ধিরযুক্তস্য নাযোগাৎ বিন্দতে সুখম্। ধৃতিশ্চ দুঃখ ত্যাগশ্চোভয়ং তু সুখং নৃপ ॥১৬॥
প্রিয়ং হি হর্ষজননং হর্ষঃ উৎসেকবর্দ্ধনঃ। উৎসেকো নরকায়ৈব তস্মাৎ তান্ সংত্যজাম্যহম্ ॥১৭॥

মী মহাক অচুম্বী বুদ্ধিনা যোগযুক্ত ওইজরবদি, হায়রদি— ভিরপদবা লেওওয়োইদৌবা পোৎশক অচুম্বা ভিরজরবদি, পোৎ থুদিংমকপু চপ মান্ননা উবা ঙমদে। * অচুম্বা যোগ— ভিরবা অমুক নত্তনা সংসারদা কয়া অমত্তনা নুংঙাইবা ফংবা ঙমদে। নিংথৌ! অমাবা ভাগদবা, ভাহনুগদবা পোৎশিং অচুম্বা লৈনথিবা, লৈনগদবা মন্নীগী থবৎপা, অচুম্বা ত্তপথবা— পাথত্তবা হায়বা অমীদিত্তনা সংসারদা নুংঙাইবা ফংনমদবগী কারণ (ময়ম — খুৎলায়) নি ॥১৬॥

পায়জক্কবা পোৎশক ফংবনা পীবা নুংঙাইবহুনা থম্মোয়দা থোৱবা— বাপন অমা কাওহল্লি। পায়জবা নীওজবা পোৎশক ফংবনা নুংঙাইবা পী। অদুগুম্বা নুংঙায়বহুনা থম্মোয়দা থৌগুম্বা লৈরম্বা অভিমান (থোৱবা) হায়বদবু মথি-কোৎহল্লুই। অদুগুম্বা অভিমান অচুনা ত্তাইবংমৌবু নরক-ত পুই। মরম অচুম্বা অভিমানবু পোকৃহন্‌পদৌরিবা পোৎশিংবু থাদোকজৌবনি। অচুনা ঐগী মথোমসিবু থাদোক্লবনি ॥১৭॥

---

* ভিরবা অমদি ভিরহনবা হায়বসি বুদ্ধি (জ্ঞান) ত্তনা ভিরপদবনি, অচুম্বা ভিরহনপদবনি। মাসিবু বুদ্ধিযোগ— বুদ্ধিগা ভিরবা কৌই। অসিগুম্বা বুদ্ধিযোগত্তনা সমতাগী মাথল পী। নত্রবদি ভিরপদবা পোৎশকশিং অসি লোইবা থবা নাইহয়োই। মাম্না লায়বা খুদমদা হায়রগা— ফি গা অচুম্বক ভিরনা লৈপনি, খেৎকনি, ইনপনি। অচুম্বা বুদ্ধিত্তনদি ফিচুগী মচুগা মওংগা, কন্নবা কপ্পদবগা থক্কু ভিরকবদি য়াদে। ফি হায়বা ফিং— নাম অসি ফাওবগা ভিরকবা য়াত্রে। মথোমসিগা ভির্দে থচুদে হায়দুনা ফিচুনা পীরিবা নুম্বা (আরাম) নুংঙাইবা (আনন্দ) অচুদি থক্কু কাররোই। অচুম্বা ফি-য়াল, উপু কাংথোল, সনা-লুপা পুম্নমক অসিগা ভিরকবা মমমগী 'লৈপাক' হায়বা তত্ত্ব অচুগ-ত্তা ভিরহিবনি হায়বসিগী বুদ্ধি অসিমদি থাব ঐম্না য়াদে। অমুম্বা সাধন ত্তৌবসি বুদ্ধিযোগ কৌই। বুদ্ধিযোগ অসিত্তনা ফি-যোল সনা-লুপানাচিংবা ত্তোঙাল ত্তোঙানবা পোৎশকশিংসিবু চপ মান্ননা উবা ঙম্মি। মাচুদগী সমতাজ্ঞান— পোৎশক খুদিংবু চপ মান্ননা উবা) পোকৃই। মরেকৌগী যোগ হায়ববু অসিত্তনি। গীতা-দত্ত হায়দি,— "সমত্বং যোগ উচ্যতে।" ফি, উপু, কাংথোল পুম্নমক মশক, মওং, মমিং তোংবথিবা য়াই। হায়রিবা পক্ক চিংবশিং অসিনা হোৎনরবদু— ওয়াঙ্গবদু মথোয়দা লৈরিবা লৈপাক— পৃথিবী-তত্ত্ব অচুত্তদি মহোৎলয়োই। হোৎলোইদৌবা নিত্য ওইবা পোৎশক অচুদা পোৎ খুদিংমকপু উনবা হোৎনগদবনি। মওং অসি ত্তানবা হোৎনবা অসিবুনি "সাধনা" হায়রিবসি। অমুম্বা হোৎলরোইদৌবা তত্ত্ব অসি মঙাদ্দি। মাচুদি— নৈ, ঈশিং নুংশিৎ, আকাশ, লৈপাক। মথোমসিবু পঞ্চভূত কৌই। অসিগুম্বা তত্ত্বশিং অসি মশীং থীজ্জয়কপনা ন্যায় সাংখ্য, বেদান্তবচিংবগী পণ্ডিতশিংনা মাম্না য়েংলৈ— "নানা মুনির নানা মত" পীলৈ। জ্ঞানশাস্ত্রনা তত্ত্ব নুম্নমিবি হায়। (কালাচাঁদ)

এতাংশ্চ লোক ভয়োৎসেকান্ মোহনাদ্ সুখদুঃখয়োঃ। পশ্যামি সাক্ষিবল্লোকে দেহস্যাস্য বিচেষ্টনাৎ ॥১৮॥
অর্থকামৌ পরিত্যজ্য বিশোকো বিগতজ্বরঃ। তৃষ্ণা মোহৌ তু সংত্যজ্য চরামি পৃথিবীমিমাম্ ॥১৯॥
ন চ মৃত্যোর্ন চাধর্মান্ন লোভান্ন কুতশ্চন। পীতামৃতস্যেবাত্যন্তমিহ বামুত্র চ ভয়ম্ ॥২০॥
এতৎ ব্রহ্মন্ বিজানামি মহৎকৃত্বা তপোঽব্যয়ম্। তেন সম্প্রাপ্তো ন মাং শোকঃ প্রবাধতে ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
সমঙ্গ-নারদ সম্বাদে একাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮১॥

——:(+):——

অরাবা, অকিবা থোয়বা— মাপল, ময়খোয় অদুম অসিনা জীবপা নুংশিংবু তুক্কৎপগী লাং— জাল-দা থুহল্লি। মরমদি— হকচাং অসিনা হাই-হুমনচিংবা তৌরিবা থবক পুম্বা ঐনা য়াম্না কূপ্না সাক্ষীগী মতৌ-ওম্না য়েংশিল্লুনা লৈ ॥১৮॥

কাম— অপাম্বা অচৌবা অর্থ— শেল সম্পত্তি অনীসিবু থাদোক্তুনা, অচৌবা অনীসিবুদি লায়রক্নুনা— থৌয়াংবা, তুক্কৎপা অনীসিবুদি পুমথা থাদোক্তুনা অরাবা, নীঙ্ঙমহৌদগী অনীসিগী মরীক্-তবু থম্মোয়দা অমত্তি পুক্নীংদা চঙহন্দনা, ঐ পৃথিবীগী মকম পুম্বদা (মালেমসিদা) কোয়চৎ চৎতুনা লৈজরি ॥১৯॥

অমৃতবু থক্উরবা মী মহাক অদুনা, শিগনি হায়বগী কিবা লৈতবাদুগুম্না— ইহলোক পরলোক অনী-মক্তা শিবগী, অধর্মগী, অপাম্বগী অকিবা করিমত্তা লৈতে ॥ ০॥

ব্রাহ্মণ! ঐ ভাব অসিবু তেঙ্ক কায়দবা, কন্নবা তপস্যা তৌদুনা ফংজখিনদি। মরম অদুনা, হে নারদ! অমুক্ত করি হায়গনি,— মাকম থোক্পা, রাগদবমক্ ওইবা থোদোক্ লাক্রবা ফাপবদা ঐ থক্ যাবিদে ॥২১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা সমঙ্গ-নারদ-সংবাদগী চনী-মৃশিকুমাথোইভবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮১॥

——:(+):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্ব্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(নারদনা গালব মুনিদা জ্ঞান তাকপা)

চনীগা মরিফুনীথোইশুবা অধ্যায়

——:(ক):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অতত্ত্বজ্ঞস্য শাস্ত্রাণাং সততং সংশয়াত্মনঃ। অকৃতব্যবসায়স্য শ্রেয়ো ব্রূহি পিতামহ ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

গুরুপূজা চ সততং বৃদ্ধানাং পর্য্যুপাসনম্। শ্রবণং চৈব শাস্ত্রাণাং কূটস্থং শ্রেয়ঃ উচ্যতে ॥২॥

অত্রাপ্যুদাহরন্তীমমিতিহাসং পুরাতনম্। গালবস্য চ সংবাদং দেবর্ষে নারদস্য চ ॥৩॥

আশ্রমং সমনুপ্রাপ্তং নারদং দেববর্চ্চসম্। বীতমোহক্লমং বিপ্রং জ্ঞানতৃপ্তং জিতেন্দ্রিয়ম্।

শ্রেয়স্কামো যতাত্মানং নারদং গালবোঽব্রবীৎ ॥৪॥

যৈঃ কশ্চিৎ সম্মতো লোকে গুণৈশ্চ পুরুষো মুনে। ভবত্যনপগান্ সর্ব্বাংস্তান্ গুণাংল্লক্ষয়ামহে ॥৫॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি,— ঈবুধৌ! শাস্ত্রশিংগী তত্ত্ব করিমত্তা খঙদবা, মপুক্কীংদা পংতংতা চিংনবা, পন্থ-মার্গগীমমক করিগুম্বদা করিমত্তা খল্লুরু, অদুগুম্বা মীশিং অদুনা কাংদোইরিবা গতি অসি কয়িনো? অদু-গুম্বা মীশিং অদুগী মপুন্‌শিংদা মঙ্গল ওইহনোইবসি করাইনো? মসি ঈবুধৌনা অমুক্তং পেংনা তাকপিয়ু ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! মতম পুম্বদা গুরুজনশিংগী সেবা পূজা, অহল্লমনশিংগী সেবা, শাস্ত্রশিংগী তত্ত্ব তাবা, অদুম অসি পুন্‌শিদা মঙ্গল ওইহনবগী উপায়নি ॥২॥

হায়রিবা বিষয় অসিদা নারদগা গালবগা তাঙনখিবা মতাং অদু খুদম ওইনা পীনৈ ॥৩॥

মতম অমগী মানি— তাইবংমীগী পুন্‌শিদা মঙ্গল ওইনমবগী মরমবু— উপায়বু খঙনীঙহুম্বা য়োংম্বা, গালব মুনিনা নারদগী আশ্রমদা চংখি। দেবতাশিংগা মান্ননা তেজ লৈরবা, অজ্ঞানংগা চোকথবা হায়বা অদুগী মরীদু অমা কাওবা মথাদা য়াওশিল্লবা, জ্ঞান-গুনা ঈথম্‌ রুপ্রবা, অয়াংপা অমত্তা লৈখিদ্রবা, পুক্নীং কোযা ইন্দ্রিয়বু যাগী খুদুম মথাদা থমগ্রবা দেবর্ষি নারদগী মফমদ গালবনা অদুম্বা হায়রকই ॥৪॥

অদুম অদুম ওইবা গুণশিং অদুগী ময়ুংদগী অমত্তং ফাত্তনা লৈখিবদগী তাইবংমীনা লোকতা সমাজদা সম্মান কংনরিবা গুণশিংদু হে নারদ! মত্তোন্দনি পুম্নপ হৈজিন্দুনা লৈবসি উয়ে ॥৫॥

তথাপ্যেবংবিধেষ্বস্মাকং সংশয়ং ছেত্তুমর্হতি। অমূঢ়শ্চিন্ময়ূঢ়ানাং লোকতত্ত্বাজ্ঞানতাম্ ॥৬॥
জ্ঞানে হ্যেবং প্রবৃত্তিঃ স্যাৎ কার্য্যাণামবিশেষতঃ। যৎ কার্য্যং ন ব্যবসামস্তৎ ভবন্ বক্তুমর্হতি ॥৭॥
ভগবন্নাশ্রমাঃ সর্ব্বে পৃথগাচারদর্শিনঃ। ইদং শ্রেয় ইদং শ্রেয় ইতি সর্ব্বে প্রবোধিতাঃ ॥৮॥
তাংস্তু বিপ্রস্থিতান্ দৃষ্ট্বা শাস্ত্রৈঃ শাস্ত্রাভিনন্দিনঃ। স্বশাস্ত্রৈঃ পরিতুষ্টাশ্চ শ্রেয়ো নোপলভামহে ॥৯॥
শাস্ত্রং যদি ভবেদেকং শ্রেয়ো ব্যক্তং ভবেৎ তদা। শাস্ত্রৈশ্চ বহুভির্ভূয়ঃ শ্রেয়ো গুহ্যং প্রবেশিতম্ ॥১০॥

লোকতত্ত্বগী জ্ঞান মরীক্ অমা কাওবা মাওন্নবা, অজ্ঞান— পত্তবগী লাংদা থুদনা লৈরবা ঐগুম্বা মীগী পূক্নীংদা লৈরিবা চিংনব অসিমু কোকহন্নবসি নহক্কুম্বা মহাত্মা নীতনা ওমহিবনি ॥৬॥

মুনিদেব। শাস্ত্রশিংদা তাইবামীগী চৎকদবা, তৌগদবা কর্ত্তব্য— তৌকম থোক্পা মথৌ কয়া কয়া মখীং লাক্তমদনা ইচনা লৈরে। লৈরিবশিং অদু তাবগা অসিগুম্ব। কর্মশিংমতং তৌরবদি জ্ঞানমার্গদা প্রবৃত্তি (মশানা চত্তশিল্লকপা) হায়বদু শোয়দনা ওইরনি হায়বসিগী বিষয়দ বিশেষ ওইনা নিশ্চয় তৌবা লেপ্নবা অসি ইত্তম ওমত্রি। অদুনা মীওইবা ঐখোইগী তৌগদবা কৈদৌদি অসিত্তনি হায়বা অদু লেপ্নবা ওমত্রি। মাহু দেবর্ষিনা থৌজাল্লিহুনা অমুক্তং তাকপিয়ু ॥৭॥

ভগবন্! তোঙান্ তোঙান্বা আশ্রমদা লৈরিবশিংসিনা তৌনরিবা কর্ম্মশিং অসি অমত্তা মায়দে। অদুগা তৌবদি অসিনা মঙ্গলবনি হায়না তৌনরিবা মক্তনি। অদুগা মথোয় মশেলসু অমনা অমগী মফমদা মাসিনা মঙ্গলবনি, মাসিংক তৌ হায়না তাক্লি। মাদুগা মেংলবি থংমহি, শাস্ত্র কাক্লি। মাগী সিদ্ধান্ত অদুতবু অচুম্বনি, লক্ষমদি হায়না প্রমাণগা লোয়ননা সমর্থন তৌনরি ॥৮॥

মাসিনা অচুম্বনি, মতৌগীনা শরানুবনি, অদুম্ হায়না মা মাগী পুক্নীংদা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা লেপ্নবা, অদুম অদুম ওইবা মীশিং অদুনা, মাগী মাগী জাতিগী ধর্মগী শাস্ত্রনা তাক্লিবা পাউতাক্ নিয়ম অত্তগী মহুৎ- ইন্না চপ চানা চৎচুনা মাগী মাগী ধর্মগী সমাজ অমদি সম্প্রদায়দা মচুত্তা— ইকায় থুমবা ফংনরি। মাসি ঐখোয়সু অদুবি। ঐগী ঐগী ধর্মসিদা চুংতাংদুনা লোকচুমবা লৈরি। মাসিদা চিংনরিবদি মাগীসিনা ফবা চুম্বরা? ঐগীসিনা অচুম্বরা, অকম্বরা হায়রসিনি। অদুনমীদি— ঐগী ধর্ম অসি থাদোকুনা মাগীসিংচুম চত্তলসিরা— চৎলসিরা হায়বা হায়বা নীওজিং-মাঙজিংনব অমা পোক্লকই। চিংনবসি কোক্নবিরগা— মীওইবা ঐগী মঙ্গল অমদি মাইকনবগী মমক খ্বাইদগী হেন্ব উপায় অদো তাকপিয়ু ॥৯॥

ভগবান ধর্মগী শাস্ত্র অসি অমত্তা ওইনা মথন্তা তাবয়রবদি— তাইবং মীওইবা ঐখোয় খুাইগী মঙ্গল ওইনমবগী লম্বী অসিমু অংত্তংত তাবয়মগদৌবনি। অদুম তৌরবদি— ধর্মগী মরমদা অমগা অমগা মেং- থিনবা, খণ্ড-মণ্ডনমচিংবদি অমত্তা লৈরম্মোইদৌবনি। অদুবু ধর্মশাস্ত্রশিং অসিনদি হায়না যামুপ্তবনিনা— শাস্ত্র ময়াম অসিনা পূম্নগা— অচুম্বা মহাক্ মথন্তবুদি মথোয়গী মরক্তা লোংতুনা— মুখচুনা থম্লি। অদুনা মথোয় মশেল কাওবা কম্বিমন্তা খণ্ডনত্রে— অমত্তা ওইবা— অতৈ অমা লৈত্রবা, অচুম্বা হায়রদু ঐখোয়গী

এতস্মাৎ কারণাচ্ছ্রেয়ঃ কলিলং প্রতিভাতি মে। ব্রবীতু ভগবাংস্তন্মে উপসন্নোহস্ম্যধী হি ভোঃ ॥১১॥

নারদ উবাচ।

আশ্রমাস্তাত চত্বারো যথা সংকল্পিতা পৃথক্। তান্ সর্ব্বাননুপশ্য ত্বং সমাশ্রিত্যেহ গালব ॥১২॥

মহক্ অসিনা কনানা মাওঙ্গিবগে হায়বসি ॥১০॥ * মরম অসিনা শ্রেয়ঃ— খুঙ্গৈনবী অকব অদুবা হায়-বসিগী মরমদা চিংনবা অমা পোক্লে। অদুনা, ভগবন্! হে মুনি! ঐগী চিংনবা অসি হোৎনবা পাউতাক্ পীনবিয়ু। ঐ মুনিদেব— নেংথি নহাক্কী আশ্রমদা লেঙ্লি। মহাক্কী শিষ্য ওইবনা ঐগী ঊকপদা অদুগুম্বা উপদেশ অদু পীরবিয়ু ॥১১॥

নারদনা হায়,— ইবুংগো! গালবমুনি! আশ্রম— জীবপাগী পোথাংখম— মরি তোকপা হায়বসি মথিনি। আশ্রমশিং অসিগী তোঙান্ তোঙানবা কর্মগী বিধি নিয়ম কয়া লৈ— লেপ্লদুনা লৈরে। গালব! নহাক্ শ্রান্তমগী পাইনবা আশ্রমশিং অসিগী কর্মশিং অসিগী মথক্ অসি যুম্না থম্মু ॥১২॥ †

---

* অদুনদি— অমত্তা ওইবা অদুবা হায়বসি সংসারগী ধর্মশাস্ত্রশিং অসিনা তাক্পা ঙম্নবা হায়ে।— "ধর্মস্য তত্ত্বং নিহিতং গুহায়াম্" হায়বদুনা ভাগবৌবমাগী হায়বা অমমা অমা লাকই।

† মথাং অসিনা কনা কয়াগুম্বনা চিংনবা য়াই,— ব্রহ্মচর্য্য গৃহস্থ অদুগুম্বা আশ্রমশিং অসি ক্রম যাইবা, বিধি কায়দনা চত্থবা লেম সমাজ কনা কয়া লৈদি। তাঙ্খশিংদি তাইবংগী পুরুষকী ওইনা তাকপা মতাংদি। "আশ্রমগী বিধি নিয়ম অসি চত্থবা লেম সমাজশিং কচুমদি কমম তৌরোইদ্রি?" অমুম হায়বা লেংপ য়াই। মাসিনা কাংলমবদি— তাইবংগী পুরুষক ঐবা চ লিংদি অ আশ্রমধর্মনি চাদবা খঙ্গনবু, চংদি অদুম মচাদি। তাইবংগী পুরুষক্তা লেক্ পান্দ্রিসি— খঙ্গদৌদ্রবনি। ধর্মশাস্ত্রনা হায়বদি— অশেংবা কর্ম তৌবা পাম্মি। তৌরিবা ধর্মগী কবিডুম্বা মতৈ অমসু কংবা পাম্মি। কনিবা মতৈ অদুনা পাইবা ওইদুনা অরাংবা নমপা থাডাইডবা অরাবা অমদগী লাম্মোকপা পাম্মি। মরি অসি সংসারগী মী পুরুষক্তা তৌরবা তাকলি। মথোয় মরি অসি মখলইনা— ধর্ম, অর্থ, কাম মোক্ষ কৌই। সংস্কৃতলোনদা হায়বতনি। মাসি মাগী মাগী মরোলনা লৌইনা লোঙ্গোকমগ ন। ভারত আর্য্যশিংগী নিয়মনা মথোয় মরি অসি অমগামপা থাডমদে। ধর্মগী অদু তম্বদবা ব্রহ্মচর্য্যাশ্রম অদুগা অদু অদুমা কর্ম তৌবা গৃহস্থাশ্রম, অর্থ অদু মচা-মশুশিংদু তৌবীদুনা বানপ্রস্থাশ্রম, পুরুষক অদুগী লাংদাকুনা পোথাবীঙ্খিনবুনা সন্ন্যাসাশ্রম অসিমি মথাং কনিনা অ ব্রহ্ম-অনংগাভাতিশিংগী নিয়মঙ্গদ— আশ্রমশিংসিগী কর্মশিংসি অমত্তা লেচ্ছিনদে। অদুম— বিদ্যা অদু তাক্চৈনা গৃহস্থ ওইবা য়াদে, বন— মচাক মশুদ তাম্বা য়াদে, সন্ন্যাসী ওইদুনা চংথিবনু য়াদে। লেং অতৈ অতৈগীনা ইহান্ যান্চদে। হায়রিবা মরি অসি সংসারগী মী পুরুষক্তা তৌনরিবা তাকলি। হায়রিবা পাইরে— ধর্ম, অর্থ, কাম অদুগা মোক্ষ, মরি অসিদা তাইবংমীনা য়াইকবা— শ্রেয় তৌবা মহাকপু তাকহি। (কালাচাঁদ)

তেষাং তেষাং তথা হি স্বাশ্রমাণাং ততস্ততঃ। নানারূপগুণোদ্দেশং পশ্য বিপ্র স্থিতং পৃথক্ ॥১৩॥

ন যান্তি চৈব তে সম্যগভিপ্রেতং সংশয়ম্। অতোঽহং তু তথা সম্যগাশ্রমাণাং পরাং গতিম্ ॥১৪॥

বক্ষ্যে নিঃশ্রেয়সং সম্যক্ তচ্ছ্রোতব্যং শ্রেয় উত্তমম্ ॥১৫॥

অনুগ্রহং চ মিত্রাণামমিত্রাণাঞ্চ নিগ্রহম্। সংগ্রহং চ ত্রিবর্গস্য শ্রেয় আহুর্মনীষিণঃ ॥১৬॥

নিবৃত্তিঃ কর্মণঃ পাপাৎ সততং পুণ্যশীলতা। সদ্ভিশ্চ সমুদাচারঃ শ্রেয় এতদসংশয়ম্ ॥১৭॥

মার্দবং সর্বভূতেষু ব্যবহারেষু চার্জবম্। বাক্ চৈব মধুরা প্রোক্তা শ্রেয় এতদসংশয়ম্ ॥১৮॥

ব্রাহ্মণ অথোইবা। মাগী মাগী জাতি অমদি সমাজগী আশ্রমশিংগী আশ্রম থুনিংমক্ত ফায়রিবা ওপ পুরমক্কা ভিন্নবা ধর্মশিং অসি, মাগী মাগী চপাচাবা মওংদা তোঙান্ তোঙান্ লৈরিবনি। অমনা অমদগী হেন্না ফাবা মওংদা অমত্তা লৈমদে। মাসি মশাবক্কা য়েংউ, অহুপা থত্তিম্মুবা থর্মু ॥১৩॥

সাধারণ মী অমাদন, হায়বদি— ধর্মশাস্ত্রগী তত্ত্ব অমুপ য়াম্না য়েংশিনুবা, পতৈদ মথেম্বা অচম্বা মীশিংমা আশ্রমশিংগী মরি থোক্না তোঙান তোঙান থাবোকশিংবগী অচুপা মথোয় থুনিংগী ধর্মনা তোঙান্ লৈমখিবসিগী মরুংদা লৈরিবা উদ্দেশ্য অমদি অভিপ্রায় অসি ফংলমক্না থওনদে। অচুপা মশা মশাগী চিংনরিবস্থ কোক্হনবা ঙমদ্রে। তত্ত্ব খঙবা মীশিংনদি আশ্রমশিংমা তোঙান তোঙানবা লৈরিবসিগী তত্ত্ব য়াম্না মুল্লা থত্তিও ॥১৪॥

খাই পুরমক্কী ফাবা অমদি য়াইফনবা ওইনা লৈরিবা মিরমশিং অসিনা কম্না অমত্তগী চিংনবীওয়ায় ফংমতা লৈদ্রে। অমনা অমগী ফননবা খঙবা, চাঙবা মরূপশিংগী মফমদা থোঙাদ অমদি পুকচেল ফজবা উৎপা, মঙনবা অমাদ পুনশি মাংননবা কৌশলপা য়েক্কপশিংবু মফংনবা হাংমবা, মী অমগী মফমদা মহাদ থম্মোমদা মুংঙাইজবা পোক্হল্লমা লেপ অমদি জীবিত, তানুবা হায়রিবশিং অসিনা ফনাঙবা অমত্তগী য়াদনীওয়ায় য়েংলনীওংগা লৈদ্রে। তঙইফবা পুরমক্কী ফামনবা শ্রেয় (মঙ্গল ওইবা, য়াইফবা) হায়বা অদু ওইবমা হায়রিবা বিষয়শিং অসিনা তোঙান তোঙানবা আশ্রমশিংগী বিধি নিয়মদা অমত্তা অদুবা সংজ্ঞাওয়া মরুংদা চুকচনা লৈতে ॥১৫—১৬॥

পাপকী থবক্তগী লাপথোক্না লৈবা পুণ্যগী থবক্ত-ত পুক্নিং চঙবা, সজ্জন সৎপুরুষ ওইবা মীশিংগ-ত ভিন্নবা, আচার-বিচার অশেং-অমাংনচিংবদা য়াম্না তাক্ত চৎপা, হায়রিবশিং অসি চিংনবীওয়ায় লৈত্রবা য়াইফনবগী লম্বীনি ॥১৭॥

অতোপ্ত, অতৌ অপীক থায়দনা, হেক্ লৈরিবা জীব-প্রাণশিংগী মফমদা অথোংবা, অচুম্বা ব্যবহার-ত তৌরিবা, ব্যবহারচুগী মশাদা লোলুপ-লোকোই লৈতবা, চীংম্ চম্বা অথুম্বা অথোংপা য়াওং লৈবা, মাসিসু চিংনবীওয়ায় লৈত্রবা য়াইফনবগী লম্বীনি ॥১৮॥ *

* পুকচেল ভাম্নি, য়াইফ-থোমকম্ কৌজ হায়রম্লীংবদগী তৌশিন্নবা অথোংপা ব্যবহার অদু মীনম্বা পুকচেল শেংবা, লোলুপ লোকোই লৈবগী মরুং চন্নি। অদুমকপু তুবানুবা মীনা শীবা 'তুবানুবা তৌপম্বু" হায়বা

দৈবতেভ্যঃ পিতৃভ্যশ্চ সংবিভাগোঽতিথিষ্বপি। অসংত্যাগশ্চ ভৃত্যানাং শ্রেয় এতদসংশয়ম্ ॥১৯॥
সত্যস্য বচনং শ্রেয়ঃ সত্যজ্ঞানং তু দুষ্করম্। যদ্ভূতহিতমত্যন্তমেতৎ সত্যং ব্রবীম্যহম্ ॥২০॥
অহঙ্কারস্য চ ত্যাগঃ প্রণয়স্য চ নিগ্রহঃ। সন্তোষশ্চৈকচর্য্যা চ কূটস্থং শ্রেয় উচ্যতে ॥২১॥

দেবতাশিংগী পিতৃলোকী অমুগা অতিথিশিংগী শরুক তম্বা, য়োকৃপি-থাকপিকম থোকপশিংবু য়োকৃপি-থাকপিব, চংজরকপশিংবু তাম্বোকপিদবা; মথোৎশিংসু য়াইফনবগী লম্বীনি ॥১৯॥

অচুম ঙাংবা হায়বসিংসু মঙল ওইনবগী— য়াইফনবগী লম্বী অমনি। অদুগা কুপ্পবদি— থাজে-শেংবা অচুম্বা হায়বদু কয়িনো— অসিনি। ঐ (ভীষ্ম) গী মতমদি— অচেৎপ জীব পানবা পুম্নমকী মকমদা মতম অমত্তদা থাইগী কাম্বা ওইবা অমত্ত ঊনবা লোৎশক অদো— অচুম্বা হায়বদু মহুক্তুনি ॥২০॥

মপান্নগী তৌদ্রিবা, তৌ হায়নসু উদ্রিবা চকচাংশিবু ঐনি হায়না খল্লিবশিবু অদুগা চকচাংশিদা থম্জিবা ঐ হায়বা য়াথংশিবু থাদোকপা, থাদোকপা তমত্রবসু চকচাংশিবু ঐবক্তি হায়না মমুবদগী ঐ কৈজ কজদে, অসিবটিংবা অমম্বা খংলগী লোকপা, ময়াম কারিবা ঙাওরিবা অসি থাদে কৃপা নত্রগা থিংবা, অকং অফংবদা নত্রগা। ঈশ্বর খংদবসু ঈপেঙ্গ পেন্দু না তৌবা, থাইগী হন্দোকুনা মথন্তা তৌবা, হায়রিবা মরি অসিবুমি শ্রেয়— য়াইফবগী লম্বী হায়রিবসি ॥২১॥ *

পাণ্ডিত্যক অসিদি লোগদবনি। অহুঙুমহুনা থম্মোয় মরুবা, মপুক্কচেল শেংজবা মী অদুগী মপান্দা উৎলিবা ব্যবহারহুনদি অতাবা মীগী থম্মোয়দদি হুংঙাইবা পেজবা অহুম মগীনি। অদুবু অসিগুম্বা মত্তাংদা তৌন-বদি অদুগা লোগদবনি, মহাক অমুক য়াম্না লোংম-নীনি সদা ব্যবহার মরাশিংখুকলিবসি হায়দ্রিনো হায়বা অকুপ্পা বিচারনা লেমরেই— অসিনি। লৌকিক তাক্লিবা পাণ্ডিত্যক্ সিদি অমু নত্তে। হায়বদি— পেন্-জবিব হুমলীংবা মচোন্দা পীবা পাণ্ডিত্যক নত্তে। মখুং মপান থায়না মা ঙাওলিবা মীশিং অদুনা পীবা পাণ্ডিত্যকনি। তৌশিন্নবা ব্যবহার অসি পুকচেল মোৎপগী মহু অচুম চল্লি। অদুনদি মাসি য়াইফনবগী লম্বী (শ্রেয়) হায়বদুদি নত্রে। তৌবগীদি পুকচেল শেংলবা মী অমমং অমীব অকনবা মতৈনা মী মগী থম্মোয়দা হুংঙাইহনবা পীবগীদি পুকচেল মোংলব মী অমন হায়দোহল্লিবা অথোংপা য়াদে অদুমা অতাবা মীগী থম্মোয়দা হুংঙাইবা পীবনা চল্লে। অদুনা পুকচেল মোংনবু ওইহনবসু, শেংনবু ওইহনবসু মপাঙ্গা উৎপা কজবা ব্যবহারসু য়াইফনবগী লম্বীনি হায়না লৌবা য়াই। অদুগা মীনল্লিবা মী অদুগীদি য়াইফনবগী লম্বী অশেংবদি নত্রে। মরমদি— লৌকিক তাক্লিবা অসিদি অতাবা অঙাঙবা অমীনকী য়াইফনবা— শ্রেয় গী লম্বীনি। (কালাচাঁদ)

* মথন্ত (ঈশ্বর) তৌবা হায়বসি, কনাগুম কনাসু য়াঙদনা, কনা অমত্তগা লোয়নদনা অচীকৃপদা তৌবা, মদু ওাক্তসু নত্তে। অচীকৃপা চীঙহুদো নক্লগা লক্কাংদা তৌ হাংদুনসু মপান্দা থাদোক্লিবা মথোয়গুম্ব খঙহুনা, মাথক্তা মথোয়তগা লোয়নহুনা তৌরবদি— মথন্তা তৌবা— অচীকৃপদা তৌবা কৌদে। মীচীকৃ-

ধর্মেণ বেদাধ্যয়নং বেদান্তানাং তথৈব চ। আচার্যাণাং চ জিজ্ঞাসা শ্রেয়সে তদসংশয়ম্ ॥২২॥
শব্দরূপরসস্পর্শান্ সহ গন্ধেন কেবলম্। নাত্যর্থমুপসেবেত শ্রেয়সোঽর্থী কথঞ্চন ॥২৩॥
অস্তুং চর্যাং দিবাস্বপ্নমালস্যং পৈশুনং মদম্। অতিযোগমযোগঞ্চ শ্রেয়সোঽর্থী পরিত্যজেৎ ॥২৪॥
আত্মোৎকর্ষং ন মার্গেত পরেষাং পরিনিন্দয়া। স্বগুণৈরেব মার্গেত বিপ্রকর্ষং পৃথগ্ জনাৎ ॥২৫॥
নির্গুণাস্তেব ভূয়িষ্ঠমাত্মসম্ভাবিতা নরাঃ। দোষৈরন্যান্ গুণবতঃ ক্ষিপন্ত্যাত্মগুণক্ষয়াৎ ॥২৬॥

ধর্মগী আচরণ কায়দনা বেদবু অদুগা বেদাঙ্গশিংবু অমদি বেদান্তবু নৈনদুনা মাদুগী মঙ্গাংদা যাওজিবা তত্ত্বদুবু পুথোক্কুনা তত্ত্বদুগী মতুংইন্না চৎলিবা অমদি চংকদবগী হোৎঅরিবা অদুমক শ্রেয়— যাইফনবগী লম্বী সাধননি ॥২২॥

জগৎকী যাইফনবা থোংনবা মীনা চীরম পুম্নমক্তা রূপ রসনচিংবা বিষয়শিংসিদা কা কেন্না আসক্তি থম্মদুনা থবক তৌহোংদোবনি। জগত্ত অশান্তি হেক হেক লাক্লিবসি বিষয়শিং অসিদা কা কেন্না আসক্তি (পুক্নীং লুনা) থম্মবক্তগনি ॥২৩॥

জগৎকী যাইফবা পাম্বা মীনা অহিং অথেংবদা কোয়বা, নুংথিল তুম্বা, অত্তনবা, চীরোল তৌবা, মরায় কাবা মহী মরায় চাবা, হয়াও-কুমৈ, হেদোয়-হয়াওবদা কা কেন্না পুক্নীং চঙবা,— হায়রিবা পুম্নমক অসি থাদোক্কদোবনি ॥ ৪॥

অতোপবু নিন্দা তৌরগা মশাগী গুণগী প্রশংসা থক তৌরোইদোবনি। সাধারণ ওইনা লৈরিবা মী শিংদগীদি মহাক মশান খোংদোক্ কেন্নোক্না লৈরিবনি হায়রু উচ্চনীংলবদি, মাদু গুণশক্তিতনা উৎকৃষ্ট-বনি। চীন্‌থাংনা ভাওবনদি করিমত্তা কাম্নব নত্তে ॥২৫॥

মশাবু থাগচ্ছবা অসি গুণ লৈতবা, লৈরবসু মপুংফানা লৈতবা মীনা থিং হেক্নি। মশাগী হঙ্না লৈবা গুণচুবু উজ্জ্বলরূপা মীনা মতোন্দগী তেনবা মীচুগী গুণশিংচুবু দোষ হুনা হুমং খিত্নুনা যৈথরগা

মীয়াওখোল তাদবা চীওম্বুং মানুংদা লৈরুবসু আত্মাশিনা মপাংনুগী হক্তাংসিগ তু লোয়নন অঙ্গগা থা শ্রী-শিরা লোয়নথিবদগী হক্চাংসি মাথক্কি হায়বা রাখলসিবু থাদোকপা মঙাংত্রবদি অচৌকপদা লৈবা কৌদে। মীয়াম মরক্তা লৈরবসু আত্মা (ঐ) গী কুয়োম ওইহুনা লৈরিবা হক্চাংসিমতগী হমি মঙ্গানি। মীয়াম অসি অসি হায়না উরবদি নত্রগা থন্দোকপা ঙমবদি মামুক অচৌকপদা লৈবা ফনামতা লৈত্রে। কাবশিংনসু অঙ্গম মহায়রি,— "নিবৃত্তরাগস্য গৃহে তপোবনম্।" (ঐ, নং, মা, গী রাখলগী রাংমদা লৈববু উরবদি মচা, মশূনা থম্বা যুম্ অদুমসু তপোবননি, অচৌকপা তপস্যা তৌবনি।) পরিবার মঙ্গংদা - গৃহস্থাশ্রমদা লৈরবসু নোংমগী অফংবা থরদং অদুদা অঙ্গম পেন্দুনা লৈরবদি,— উনা-শীনাতা চাহুনা লৈরিবা তপস্বী অদুগা অদ্ধানি। অসিবু ঙমবদি— "তপসা ততঃ কিম্?" তপস্যা তৌবা অচৌকপদা চৎপনা করি কাম্নে? চৎলুত্রবসু যাদে। মচা-মশু পোক্লবা মহর্ষিশিংনা পুন্নিবা থারণাসু অসিনি। (কালাচাঁদ)

অনুচ্যমানাস্তু পুনস্তে মন্তুস্ত মহাজয়াৎ। গুণবন্তমমাত্মানং যেন মানেন দর্পিতা ॥২৭॥
অকুর্বন্ কস্যচিন্নিন্দামাত্মপূজামবর্ণয়ন্। বিপশ্চিদ্গুণসম্পন্নঃ প্রাপ্নোত্যেব মহদ্যশঃ ॥২৮॥
অকুর্বন্ বাতি সুরভিগন্ধঃ সুমনসাং শুচিঃ। তথৈবাব্যাহরন্ ভাতি বিমলো ভানুরম্বরে ॥২৯॥

য়াম্না লৈরিবা থাক্ অমুদা মতৌন্দগী হেনবন্নবু পুথরক্লগা মহাক মশাগা চাং অমত্তদা থমগদবগী ক্ষমা হোংলৈ ॥২৬॥ *

অমুগুম্বা মী অমুনা তৌরিব নিন্দা অমুদা থুম্মু থবমু মহাক্না থোকপ, শাস্ত্রগী নিয়ম য়াওদবা রাওওনা মশাবু য়াম্না হৈয়বা অমুগা মহাপক্লবশিংমক্তা থীঙ্গু গুণচেনবা হেল্লি হায়না থজে ॥২৭॥

কনা অমত্তগী নিন্দা তৌদবা, গুণ লৈনা লৈনা আত্ম-প্রশংসা মশাবু মশানা থাগৎচদবা অমুগুম্বা মী অমুতমা লোক সমাজদা চাউরবা মিংচৎপু ফংবা ঙম্মি ॥২৮॥

মশক-মতৌ, মচু-মনম ফজরবা লৈনা— কম্বিমু ঈশ্ত ঙাঙদনা মাগী পূক্নীং চুমবগী মশক ওইরবা— মনম্ অমু মায়পৈ মরিদা শন্দোরকই। মকুন্নবা চুমিংনা করিম্ ঈশার হায়দনা নীওথিজ বা মশেল্ মঙানপা লোম্মননা নোংমেজোৎক্লা ভূমিল্লা হাইদোরকই ॥২৯॥

* সংসার অসি মশামক দোষ (অহানবা, শেংদবা, হাম্থাম্নবা) দগী পোকথিবনা, মাসিদা পোকলিবা লৈরিবা অংচেম্ব জী পুরুষকী মশাংদগী দোষ অমুম লৈরিবনি। অমুনা দোষ লৈবা তাইবংমীগী গুণগী মমুং দমু দোষ থরদি অমুম মরৈরিবসিনি। প্রমাণ অমদা হাম্নগা— বিদ্যাদি মিংচৎ তাম্নবা নত্তে, লম তাম্নবা, অচৌবা কম্খোন্ কাননবা নত্তে। অসিগুম্বা নত্তবা কান্নদবা পোংশকশিংনা উদ্দেশ্য ওইহনা তানখিবা বিদ্যা অমুমা বিদ্যাবান্ ওইখিবশিং অমুদি জ্ঞানী বিদ্বান্ নত্তে, ধর্মগী পরিপন্থীনি— য়েক্লবনি। মথোয়মুনা জগতদা অশান্তি পীরিবনি। অমনা অমদগী হেনবা তাম্নরূপদা ওন্থোক্ ওংলোকপা পোংশক পুথোক্নকুনা কল্লকয়েংথিনবা লৌতাম্নবগী মমাক্ অমু জ্ঞানীনি, বৈজ্ঞানিকনি হায়রিবশিংসিনা চুম্মি। মাসি চাউথবা দোষ অমনি। জ্ঞান বিজ্ঞানগী মূর্তি ওইবী সরস্বতীদেবীগী মায়থোঙদা মাম্নকিং কায়নবনি। বিদ্যা কৌবীগী লমচত্তা দোষ হাপ্পনি। মাসিদি অচৌবা রানি। মহাভারতকী মূলদা হায়রিবসিগী ভাবতি— মগুণ লৈতবা মী অমনা মগুণ লৈবা অমগী মশাদা কন্নি কন্নি দোষ লৈবগে হাবনা থিরগা গুণ লৈবমুগী পোককম— শাংকমদা, মপা-মপু হৌরককমদা, মশক-মতৌনচিংবদা লৈবা লোষশিংবু হুমা হুমা থিরগা, শ্রীকৃষ্ণবু পোপমচানি হায়না লঙনবা শিশুপালগুম্বা পাপীশিংনা মা মাবু হেনবা গুণীশিংবু মথোয়গা মান্নবা থাক্ অমগুম্বা পুরক্লবা হোংলৈ। অসুম্না হোংলরিবা মথোয়শিং অমুনা জগৎকী শান্তি থুগাইদ্রি— অশান্তি ওইহন্লি। বিদ্যা তানবা, ধন তানবশিংনা রাহুং অসোমদা চৎখিদবা মহাভরতনা তাইবংমীদা শান্তিক্ পীবদি। য়াম্না মোল্লীংবা অমনা কম্বিনো হায়রদা— আত্মাসিনা মশানা শেংজয়রূপা দেহমুংসিদা লৈরগা— পোক্ররূপা দেহগী শুস্তবু থিয়দি, জ্ঞানী বৈজ্ঞানিক শাস্ত্রদি। (কালাচাঁদ)

এবমাদীনি চাঙ্গানি পরিত্যক্তানি মেধয়া। অলভন্তি যশসা লোকে যানি ন ব্যাহরন্তি চ ॥৩০॥
ন লোকে দীপ্যতে মূর্খঃ কেবলাত্মপ্রশংসয়া। অপি চাপিহিতঃ শ্বভ্রে কৃতবিদ্যঃ প্রকাশতে ॥৩১॥
অসদ্বাক্যচয়েঽপি প্রোক্তঃ শব্দঃ সমুপশাম্যতি। দীপ্যতে চৈব লোকেষু শনৈরপি সুভাষিতম্ ॥৩২॥
মূঢানামবলিপ্তানামসারং ভাষিতং বহু। দর্শয়ত্যন্তরাত্মানং দিবারূপমিবাংশুমান্ ॥৩৩॥
এতস্মাৎ কারণাৎ প্রজ্ঞাং মৃগয়ন্তে পৃথগ্বিধম্। প্রজ্ঞালাভো হি ভূতানামুত্তমঃ প্রতিভাতি মে ॥৩৪॥
নাপৃষ্টঃ কস্যচিদ্ ব্রূয়ান্নাপ্যন্যায়েন পৃচ্ছতঃ। জ্ঞানবানপি মেধাবী জড়বৎ সমুপাবিশেৎ ॥৩৫॥

সংসাগুদা অসিগুম্বা নাপল তৌবগী বুদ্ধি লৈত্তবা পোৎশক কয়া কয়া লৈ। মখোয় অহুদি তুমিন্ তুমিন্না মখোয় তৌনহুনা অশংবা মতাম পীরি। নাপল তৌবগী মতাম অহংবু থবা কাজরপা তাইহং মীনা নাপল তৌরি ॥৩০॥

মশানা মশাবু থাগৎচবা অহুম্বা মীশি-হুবা অশংবা অমদি লোক লমায়দা লীতথিবা মিংচৎ কংগদব-ত্তদি মথেরে। জ্ঞানী গুণী ওইবা মীদি কমা অমতবু উহন্ তাহন্দনা চীঙুং মাহুংদা থান তৌহুনা তুমিন্ লৈত্রবসু মাগী লোৎপা মাত্রবা মিংচৎ অহুবা চীঙুংগী মথক্তা হাইদোকচরকই ॥৩১॥

অচুম্বা মিংচৎ চাউবা মী অহুগী মথক্তা থোক্কেল থোক্তা তৌনা তৌনা অথীবা নিন্দাগী বাহৈবা লাউশিন্নরবসু, লাউমহক্কিনা খোক্কেলদিং অদো থবা লৈরগা লৈহৌন্ চাক্কুম্ তাকখি। মরাম চঙহুনা মহাকপু লোক লমায়দা ঊকার খুম্বরবসু মতম থরগী মকুম্না অমুক পুম্বাদা ওয়াত্তোক্কই। লৈতৌম্না মুরবা লোংনা কুম্শিন্নরবসু থা অতাম লোং অচুগা উশম্ শাম্নাবা অতুম্ তাম্বুনা লৈবা ওখাক্ লৈরগা মশেক্-মতাপগা লোয়ননা লোংনকুগী হাইদোকই ॥৩২॥

নাপল তৌবা, মপুকচেল কয়রবা মীনা হায়দোক্কিবা হাইবশিংদো মহাক মশাগী থম্মোয়গী মচুহুম্— মরামদা উৎলকই। প্রমাণ অমদা হায়রগা— সুমিৎপু খিৎপদগী সূর্যকান্তমণি অমা সুমিৎলোমনা ওন্-শিন্দুনা থম্মরসু মফাম্তি মকম অমতদা লেঙরমা লৈত্রবসু মহাক্কী মতাম অহুনা চাক্থেকপগী শাক্তি অচু পুহুনা সূর্যকান্তমণিগী মথক্তা তাকই। সূর্যকান্তমণি অহুগা তিন্নরবদগী মতাম অতুমা মৈমক্ ওইহুবা উমা-শীংবা চাক্থেকলৈ ॥৩৩॥

মরম অচুনা মপুন্শিন্না হাইরবা— মফম ওইবা মংন্নিংবা মীনা তোঙ্গাল তোঙনবা শাস্ত্র কয়া কয়া তমহুনা নৈনহুনা অনৌ অনৌবা জ্ঞান বিজ্ঞান অমদি বুদ্ধিবু পুথোক্কদগী লোংবরি। অচুমা ঐগী মতুদি অচচত্ত জীব পানবা পুম্নমক্কী দমক্তা, হায়রদি— মখোয় পুম্নমক্কী যাইফননবগী দমক্তা জ্ঞান বুদ্ধি তানবনা, অদুগা মাহুগী দমক্তা কংওকপা জাতনা খুইদগী অথোইবা অফবদি হাইনা খল্লি ॥৩৪॥

জ্ঞানী ওইবশিংনা মখোয়গী মশানা হংজক্লবা কনাগুম্বা অমগী মকয়দা পাউজাক্ পাউখুম পীনদে, অদুগা পীবসু তৌনদে, পীরোইদোবনি। অদুগা হংজকই হায়রুনসু ধর্ম কায়বা, অমদি ধর্ম কায়বা বিষয় মাকম

ততো বাসং পরীক্ষেত ধর্মনিত্যেষু সাধুষু। মনুষ্যেষু বদান্যেষু স্বধর্মনিরতেষু চ ॥৩৬॥
চতুর্ণাং যত্র বর্ণানাং ধর্মব্যতিক্রমো ভবেৎ। ন তত্র বাসং কুর্বীত শ্রেয়োঽর্থী বৈ কথঞ্চন ॥৩৭॥
নিরাশ্রমোঽপ্যয়মিহ যথালাভোপজীবনঃ। পুণ্যং পুণ্যেষু বিমলং পাপং পাপেষু চাপ্নুয়াৎ ॥৩৮॥
অপাগ্নেস্তথেন্দোশ্চ স্পর্শং বেদয়তে যথা। তথা পশ্যামহে স্পর্শমুভয়োঃ পাপপুণ্যয়োঃ ॥৩৯॥
অপশ্যন্তোঽন্নবিষয়ং ভুঞ্জতে বিষমাশিনঃ। ভুঞ্জানাশ্চাপ্যবিষয়ান্ বিষয়ান্ বিদ্ধি কর্মণাম্ ॥৪০॥
যত্রাগময়মানানামসৎকারেণ পৃচ্ছতাম্। প্রক্রোশাৎ ব্রাহ্মণো ধর্মঃ ত্যজেত্তং দেশমাত্মবান্ ॥৪১॥
শিষ্যোপাধ্যায়িকা বৃত্তির্যত্র স্যাৎ সুসমাহিতা। যথাবচ্ছাস্ত্রসম্পন্না কস্তং দেশং পরিত্যজেৎ ॥৪২॥

ওইবা, থূনদা পাপ পুণ্যদগী রাহুং শুইনা হংলক্লবদি খুদোইদোইবনি। ঐখোয় থজদবা অপণ্ডবা অমঙুম— লৈথোক্লবনি ॥৩৫॥

সাধু মহাত্মা ওইবা, ধর্মদা পুক্নীং চেংবা, পুণ্যচেনবা মীশিংগতা ফম্নিংগদবনি, রাষী শাগদবনি। অদুগুম্বা মীশক্তগা মংসল তোংগদবনি ॥৩৬॥

বর্ণ মরিগী অশ্রম মকিবু মানিদবা— থাক্তবা মফম লমদম অদোমদা থক চেংজুবা অমদি লৈক্লবা তোৎখোইদোইবনি ॥৩৭॥

সংসারগী বিষয়গী অপাঙ্কা অমা লাকপদগী অনোবা থবক (সকাম-কর্ম) অমত্তা পাঙ্খথত্তবা— পাঙ্খৎ-লোত্তবা, লোমকী অকংব শরুদংনা অডুম পেংহুনা, মাহুনা জীবিকা ওইরিবা অদুগুম্বা মীশিংনা, পুণ্যাত্মা ওইবা পুণ্যচেনবা সাধু মহাত্মাশিংগা তিনরবদি মখোয়মু মকত্রবা পুণ্যবু ফংগি। অদুগুম্বা পুণ্য চেন্নবা মখোয় অডুম পাপীশিংগা তমুক লৈনিংকরবদি মখোয়দসু পাপকী শরুক অডুম মথুংগনি ॥৩৮॥

ঐশিংগা লৈগা অমদি চন্দ্রমগী মঙালগা লৈনিন্ শাকুমিংলরবদি— শোক্রকরিব লৈমিংকরিবা মহাক অডুম মথশীনা অজীবা, অমবা অমদি মুংহইবা তত্তুম মফংগি। মাসি প্রত্যক্ষ ওইনা খুদক্তা ঐশাদা কাওই ॥৩৯॥

বিষমাশী ওইবা মীশিংনা, হায়রবদি— মনাই মশল অক্তিশিনচিংবু শীজগ্রব তুংনা অরেম্বচু চাবা মী-শিংনা চাগিবা মচা অডু অথাব, অথুম্বা অসিনচিংবা বিষয়গী থোইনা থম্লুদনা চাবা হায়রগুগা অম্মানি। মখোয়দা তোঙ্গল তোঙানবা মুসত্তুগী মহাওগী চীংদাও য়াম্না থি শিন্নবা চাবগুগা অম্মানি। মখোয় অডু কর্মগী কৌবীনা ফংজিন্থরবনি ॥৪০॥

আচার-বিচার ব্যবহার মথক শঙুনবা, য়াম্না থোওক-উশিংনবা ধর্মশাস্ত্রগী বিষয় ওইবা মাবু হংলিবা অদুগুম্বা মীশিংগী মফমদা জ্ঞান তাকুনা পাঙ্ডাক্ শীরিবা অদুগুম্বা ব্রাহ্মণনা লৈরিবা মফম (লৈপাক) অডু খুদক্তা থাদোক্লদবনি ॥৪১॥

গুরুনা শিষ্যগা য়াম্না ফজনা লোয়নরিবা, থবক থনা পুম্নমক শাস্ত্রগী মত্ত বিধি কায়দনা পাঙথোক্লিবা, অদুগুম্বা মফম অডুবু কনানা থাদোক্লগা চৎনীঙগদগে? ॥৪২॥

আকাশস্থং ধ্রুবং যত্র দোষং কার্য্যবিপশ্চিতাম্। আত্মপূজাভিকামো বৈ কো বসেৎ তত্র পণ্ডিতঃ ॥৪৩॥
যত্র সংলোড়িতা পূর্ব্বৈঃ প্রায়শো ধর্ম্মসেতবঃ। প্রদীপ্তমিব চৈলান্তঃ কস্তং দেশং ন সংত্যজেৎ ॥৪৪॥
যত্র ধর্ম্মমনাশঙ্কাশ্চরেয়ুর্বীতসংশয়াঃ। চরেৎ তত্র বসেচ্চৈব পুণ্যশীলেষু সাধুষু ॥৪৫॥
ধর্ম্মমর্থনিমিত্তং চ চরেয়ুর্যত্র মানবাঃ। ন তাননুবসেজ্জাতু তে হি পাপকৃতো জনাঃ ॥৪৬॥
কর্ম্মণা যত্র পাপেন বর্ত্তন্তে জীবিতেপ্সবঃ। ব্যপধাবেৎ ততস্তূর্ণং সসর্পাচ্ছরণাদিব ॥৪৭॥
যেন খট্বাং সমারূঢ়ঃ কর্ম্মণানুশয়ী ভবেৎ। আদিতস্তন্ন কর্ত্তব্যমিচ্ছতা ভবমাত্মনঃ ॥৪৮॥
যত্র রাজা চ রাজ্ঞশ্চ পুরুষাঃ প্রত্যনন্তরাঃ। কুটুম্বিনামগ্রভুজস্ত্যজেৎ তদ্রাষ্ট্রমাত্মবান্ ॥৪৯॥
শ্রোত্রিয়াস্ত্বগ্রভোক্তারো ধর্ম্মনিত্যাঃ সনাতনাঃ। যাজনাধ্যাপনে যুক্তা যত্র তদ্রাষ্ট্রমাবসেৎ ॥৫০॥
স্বাহা স্বধা বষট্কারা যত্র সম্যগনুষ্ঠিতাঃ। অজস্রং চৈব বর্ত্তন্তে বসেৎ তত্র বিচারয়ন্ ॥৫১॥

মরম অদুবে লৈতবা বিদ্বান্ পণ্ডিতশিংবু থোওইনদ্রিবং, থোওইদব-ত নত্তবা, বিদ্বন্ জ্ঞানীশিং অমুগী মথক্তা মরাল পোম্খিন্দুনা তোপহল্লিবা অদুগুম্বা দেশদা, মশাগী আত্মসম্মান থমজবিবা কনম্বা মীনা মীকুপ অমত্তং পম্লমীগদগে ॥৪৩॥

মমা লোন্তা ওইবা মীশিংনা, ধর্মগী মান-মর্য্যাদা পুম্নমক থুগাইহনবা অদুগুম্বা দেশ অদুবু— ফীনাদা মৈ মাইহনবা খিবু মশাদগী লাংথোকপা অদুগুম্বা, কনানা থুদক্তা থাদোক্লোইদবগে ? ॥৪৪॥

কনানা মিতোইবা করিমত্তা মাংলনবা অদুগুম্বা মীশিংনা থম্না লৈরবা অদুগুম্ব দেশগী পুণ্যচেৎলবা অমুগুম্বা মীশিং অদুগা তিন্নগদবনি ॥৪৫॥

লন থুম লৈননবগী মমক মমকনিংবা ধর্ম কর্ম তৌগনবা মীশিং অদুগা তিন্নলোইদৌবনি, মথোঙ্গী নাক্ত তোন্না অম্বুবে ইদোবনি। মরমদি— থলগী মমক থম্দুনা লৈগনবা মী অমাম্বা পাপাচারী— পাপকী থবক্তা লৈনগনবা ওইগনবনি ॥৪৬॥

জীবিকাগী মমক পাপকী থবক তৌগনবা মীশা লৈমিন্নবদি লিল লৈবা ইমুংদা লৈবগা চপ মাপ্পবনি। অদুবা অদুগুম্ব মীশিংগী মাপ্পা লাপ্না চল্লেক্লুনা লৈগদবনি ॥৪৭॥

মঙুন্শিদা চাউখৎপা মাইকবা পাম্বা মীনা তৌগদৌবদি— অদুগুম্বা পাপকর্মশিংদু তৌকনবা অমুংদা তাদুনা অমাবা থাওজনা লৈবা তবা অদুগুম্বা পাপকর্মবু হাম্নদগী হৈদোক্লুনা থপ্পা অসিতনি ॥৪৮॥

মচা মশু লাইগে নাইত্তে, মরূপা-মপাংশিংতবু লুনা তৌবা, পীজ পীংকুপা অদুগুম্বা নিংথৌনা পান্বা দেশ লৈপাক্তা থক চৎলুমোইদৌগনি। লৈরবম্ অশিংদা মীদি পুদক্তা দেশ অদু থাদোক্কদবনি ॥৪৯॥

ধর্ম-কর্মদা পুক্নীং চঙবা, যাগ যজ্ঞ দানধর্ম মাম্না তৌবা, ব্রাহ্মণ অতিথিশিংবদা অন্নদান হাম্না তৌরগা কোম্না চাবা অদুগুম্বা নিংথৌনা শাসন তৌবা লৈপাকুদা মাইবদি পুন্সিচুম্না লৈগদৌবনি ॥৫০॥

স্বাহা— যজ্ঞ, স্বধা – শ্রাদ্ধকর্ম, বষট্কার— দেবতাশিংগী মমক যজ্ঞ, হায়রিবা ধর্মগী অনুষ্ঠানশিংসিনা

অস্তুতীন্ যত্র পশ্যেত ব্রাহ্মণান্ বৃত্তিকর্ষিতান্। ত্যজেৎ তৎ রাষ্ট্রমাসন্নমুপসৃষ্টমিবামিষম্ ॥৫২॥
দীয়মানা যথা যত্র প্রযচ্ছেয়ুরযাচিতাঃ। স্বস্থচিত্তো বসেৎ তত্র কৃতকৃত্য ইবাত্মবান্ ॥৫৩॥
দণ্ডো যত্র বিনীতেষু সৎকারশ্চ কৃতাত্মসু। চরেৎ তত্র বসেচ্চৈব পুণ্যশীলেষু সাধুষু ॥৫৪॥
উপসৃষ্টেষু দান্তেষু দুরাচারেষু সাধুষু। অবিনীতেষু লুব্ধেষু সুমহদ্দণ্ডধারণম্ ॥৫৫॥
যত্র রাজা ধর্মনিত্যো রাজ্যং ধর্মেণ পালয়েৎ। অপাস্য কামান্ কামেশো বসেৎ তত্রাবিচারয়ন্ ॥৫৬॥
তথা শীলা হি রাজানঃ সর্বান্ বিষয়বাসিনঃ। শ্রেয়সা যোজয়ন্ত্যাশু শ্রেয়সি প্রত্যুপস্থিতে ॥৫৭॥
পৃচ্ছতস্তে ময়া তাত শ্রেয়দেতদুদাহৃতম্। ন হি শক্যং প্রধানেন শ্রেয়ঃ সংখ্যাতুমাত্মনঃ ॥৫৮॥

চাং মাইনা, নিয়ম-বিধি কাস্তদনা চথরিবা অদুগুম্বা মহাময়লগী মশক ওইরবা মফমদা অতৈ অতোপ্পা অমা থাস্নদনা লৈথোক্কদবনি ॥৫১॥

ব্রাহ্মণশিংনা জীবিকা ফান্‌দনা য়াম্না য়ানা থোক্লবা, অদুগা মখোয় ব্রাহ্মণশিংদুম্না অশেং-অমাং থাস্নবা মওংদা লৈরবা, অদুগুম্বা লৈপাক্ অদুনা ঈনাক্‌মক্তদা লৈরবস্থ লৈপাক অদুবু হু য়াম্নরবা চাক্কী মতো-ওমনা থাদোক্কদৌবনি ॥৫২॥

মকম অদুদা লৈম্লিবা মীশিং অদুনা মতম পুম্নমক্তা ঈপেন্থ পেন্দনা লৈবা, শীম্ন হায়দ্রিদৌবনা— ভিক্ষায়ীদা দান তৌবা, লৈম্লিবা মী পুম্নমক্ পোকপগী মতৌ য়াম্নবগুম্বা পুক্নীং হুকচাং কায়াৎ পুম্নমক তক তক মঙ্গ থীনবা লৈবা, মকোক্ হাইগৎপা ঙমথোবা মীবু চৈরাক পীদুনা লৈহৎপা, ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা মহাত্মাশিংবু ওয়াম্ তংনা লৈশি লৈথোম্না থম্না, অদুগুম্বা মফমদা পুণ্যাত্মবা মীশিংগী মরক্তা লৈগদবনি ॥৫৩—৫৪॥

ইন্দ্রিয় খুদুম্ চন্‌বা অথোইবা পণ্য য়াক্ত ওইবশিংগী মফমদা অত্যাচার তৌবা, য়াম্না কা-চেন্না লোভী ওইবা, মতৌ মম্বা চাওবা মীশিংবু অদুবু নম্‌হৎপা, অচৌবা দণ্ড পীদুনা মহাশাস্তিদ থম্লিবা অদুগুম্বা দেশ অদুগা য়াম্না হৈনিংনা লৈগদবনি ॥৫৫

নিংথৌ মশামক ধর্মদা পুক্নীং চঙবা, ধর্মগা লোয়ননা প্রজাবু শাসন তৌবা, লনথৈ পুথৈ কম্না কম্নাগী মপু ওইনা ওইনা হায়রিবা লন থুম মতৌ অদোমদা থোইনা পুক্নীং খিংজিল্লদনা মপুম্শি তেন্‌বা অদুগুম্বা নিংথৌনা পান্‌বা লৈপাক অদুদা অতৈ অম অম থন্দনা লৈগদবনি ॥৫৬॥

মরমদি— প্রজাশিংগী লমচৎ ব্যবহার হায়বসিমক্তবু নিংথৌগী লমচৎ ব্যবহারকুগী মথা পোল্লি। হায়বদি— নিংথৌনা উৎলিবা চাকচা-কিজেৎ, তাঙাও-থোন্দা অদু প্রজাশিংনা মতৌ চেক্ চেক্ তম্মি। নিংথৌ মশাগী খুংগাই-য়াইফবা ওইবদি নত্রগা কংবদি তাঙ্গা লাকপদা প্রজাশিংগীসু শরুক য়াওরিবনি ॥৫৭॥

ইবুংঙো! মহাত্মা ঐহাক্না হংখিবদুগী মফুইমা ঐনা লোইনা হায়রবনি। মতৌ অদুম্না অতৈ কয়া কয়ানা খুংগাইব য়াইফবা হায়বস্ত ওইবদে অদুগা মফম অসিদা থম্না হায়রিবসিনা লোইরম্বা, হায়বদা য়াইফবা— মঙল কল্যাণ হায়বদুগীদি মশীং মাইক্ল৷ মশী থীবা তঙা-লাকপা ঙম্লোৎ নত্তে ॥৫৮॥

এবং প্রবর্ত্তমানস্ত বৃত্তিং প্রাপি হিতাত্মনঃ। তপসৈবেহ বহুলং শ্রেয়ো ব্যক্তং ভবিষ্যতি ॥৫৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি শ্রেয়বাচিকো নাম দ্ব্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮২॥

——:(*):——

হৌজিক হায়রিবা য়াইকবা কংবা অমদি ত্তান্বগী লম্বীশিং অশিগী অমদা— লম্বী অমদা চপ্‌চানা চংদুনা লৈরিবা, অদুগা অচেত্ত জীব-পান্‌বা পুম্নমক্কী হুংঙাই-য়াইকব-ত খঙ্‌দুনা লৈরিবা মী অদুদি অধর্ম্মগী মখক ওইরবা তপস্যা অদু তৌবনা ইহলোক অসিদা মদোংমক্কা শংবনা উজবা— য়াইকব। কংবগী খুদম অদু উবা ফংগনি ॥৫৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচোমরা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা য়াইক লম্বী-তাকপগী চনীমরিফুনীথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮২॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

ত্র্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(অরিষ্টনেমিনা নিংথৌ সগরদা বৈরাগ্যভাব তাকপা)

চনীমরিফুহুমদোইশুবা অধ্যায়।

——:(*):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কথং নু যুক্তঃ পৃথিবীং চরেদস্মদ্বিধো নৃপঃ। নিত্যং কৈশ্চগুণৈর্যুক্তঃ সঙ্গপাশাৎ বিমুচ্যতে ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যেঽহমিতিহাসং পুরাতনম্। অরিষ্টনেমিনা প্রোক্তং সাগরায়ানুপৃচ্ছতে ॥২॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়ি,— ঐবুঙো! ঐগুম্বা নিংথৌনা, হায়বদি— খাগৈ-নাইত্তে হাংদুনা নিংথৌ ওইবা ঐগুম্বনা পৃথিবী অসিদা করম্বা সাধননা মপুন্‌শি লেন্‌গদগে? অদুগা মতৌ করম্‌ তৌরগা সংসারগী থিবরশিং অসিদা লৈরিবা আসক্তিশিং অসিদগী থাত্তোকপা ঙমগদগে? ॥১॥ ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ!

সগর উবাচ।

কিং শ্রেয়ঃ পরমং ব্রহ্মন্ কৃত্বেহ সুখমশ্নুতে। কথং ন শোচেয় ক্ষুভ্যেয়েতদিচ্ছামি বেদিতুম্ ॥৩॥

ভীষ্ম উবাচ

এবমুক্তস্তদা তার্ক্ষ্যঃ সর্ব্বশাস্ত্রবিদাং বরঃ। বিবুধ্য সম্পদং চাগ্র্যাং সদ্বাক্যমিদমব্রবীৎ ॥৪॥

সুখং মোক্ষ সুখং লোকেন চ মূঢ়োঽববুধ্যতি। প্রসক্তঃ পুত্রপশুষু ধনধান্য সমাকুলং ॥৫॥

সক্তবুদ্ধিরশান্তাত্মা ন শক্যং তচ্চিকিৎসিতুম্। স্নেহপাশাসিতো মূঢ়ো ন স মোক্ষায় কল্পতে ॥৬॥

স্নেহজানিহ তে পাশান্ বক্ষ্যামি শৃণু তান্ মম। সকর্ণকেন শিরসা শক্যাঃ শ্রোতুং বিজানতা ॥৭॥

সম্ভাব্য পুত্রান্ কালেন যৌবনস্থান্ বিবেশ্য চ। সমর্থান্ জীবনেজ্ঞাত্বা মুক্তশ্চর যথা সুখম্ ॥৮॥

নহাক্ন হাদিবসিগী মরমদা মমাংতদা কুইনবা ঙতিজ্ঞাসকী মওংদা নিংথৌ সগরনা হংখিবা মতমদা অরিষ্ট-নেমিনা তাকখিবা পাউতাক্শিং অদু মথং মথং লীবরক্নি। ঐ মাদু নঙোন্দা অমুক্ লীগে ॥৩॥

সগরনা হায়,— হে ব্রহ্মন্! তাইবংপানদা পোক্লিবা তাইবংগী ঐখোয়না করম্বা মঙলগী থবক তৌরগা সুখ শান্তিগা লোয়নদা পুন্না লৈবা ঙমগনে? অদুগা করম থবথা উপায়না পুন্নীদ পোক্লিবা লাউতক্লবা অরাবসিংদগী কোকখনগে? মদু ঐহাক্না তাক্লিয়ু ॥৩॥

ভীষ্মনা হাক্,— নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! সগর নিংথৌগী বাসি তাবদা শাস্ত্র বৈদ-থওবশিংগী মহাক্দা অখোইবা অরিষ্টনেমিনা সগরবু অখোইবা গুণ সম্পত্তি পুরমক্না তিক্লবনি হায়বাস থজহনা করবা পাউতাক্শিং অসিবু মহৌ অমুক্না পীখি ॥৪॥

সগর! সংসারদা অঙানবা খুত্তংবু ফংবগী হুৎঙাইবনা হুৎঙাইব, মওং পুমনমক্কী অখোইবনি। অদুগা মোক্ষ পদবী— অথানবা খুজম হায়বসিদি কাইনো? করি ওঙনো হায়বদুনি— সংসারগী মপা-মচাগী মচা-মপুশিংগী, লৌমী-ইংখোলগী অমদি শাক ঈরোইশিংবা অরমংমথুনগী য়াথংতদা কা হেল্না লুকনা লৈরবশিং অসিনদি থওবা ঙমদে ॥৫॥

বুদ্ধি লৌশিং পুরা সংসারগী বিষয়শিংদু তানশিন্ পৈশিনবগী য়াথংতদা লীজিল্লরবা অংগুম্বা মখোয়গী থম্মোয়গী লায়না অসি কেক্লনবা অত্তে অতোপ্পা লায়েং অমদি ঙীনাক অমত্তা লৈত্রবনি। মরমদি সংসারগী অপাম্বা হুদিবা হায়বদুগী পৌরীনা কান্নিনথ্রবা মীশিং অদুনি মোক্ষ পদবী অসিবু ফংবনি মতৌক ঊচা চাত্রবনি ॥৬॥

সংসারগী বিষয়গী অপাম্বনা কাপ্পিনথ্রবা মখোয়শিংদুগী কাক্কিনখিবগী পরিচয় অদো ঐ হায়রক্কে যুধা তাও। তাবা হাপ্পবা থবকুগী খুংলায় ওইনা পৈশিবা শ্রবণেন্দ্রিয়— নাকোং কোনা ইন্দ্রিয় অদুবু চপচানা লোইহ্নবা অদুগুম্বা মী অদুনদি ঈশ্বায় জানবা থঙগনি ॥৭॥

মতমগী মতুংইন্না মচাশিংবু পোক্লবা তুংদা, অদুগা মচাশিংদুনা পাথং কাপ্পরবদা মমুম-মকৈ পালহন্দুনবা কনামত্তগী সহায়তা— মতেং য়াওদনা মশা মথন্তগী জীবিকা তানবা ঙমবদা মখোয়বু হুংশিনবগী থৌরী অদু

ভার্য্যাং পুত্রবতীং বৃদ্ধাং লালিতাং পুত্রবৎসলাম্। জ্ঞাত্বা প্রজহি কালেন পরার্থমনুদৃশ্য ॥৯॥
সাপত্যো নিরপত্যো বা মুক্তশ্চর যথাসুখম্। ইন্দ্রিয়েরিন্দ্রিয়ার্থং স্তঞ্চনুভূয় যথাবিধি ॥১০॥
কৃতকৌতূহলস্তেষু মুক্তশ্চর যথা সুখম্। উপপত্ত্যোপলব্ধেষু লোকেষু চ সমো ভব ॥১১॥
এষ তাবৎ সমাসেন তব সংকীর্ত্তিতো ময়া। মোক্ষার্থো বিস্তরেণাপি ভূয়ো বক্ষ্যামি তচ্ছৃণু ॥১২॥
মুক্তা বীতভয়া লোকে চরন্তি সুখিনো নরাঃ। সক্তভাবা বিনশ্যন্তি নরাস্তত্র ন সংশয়ো ॥১৩॥
আহারসংচয়াশ্চৈব তথা কীটপিপীলিকাঃ। অসক্তাঃ সুখিনো লোকে সক্তাশ্চৈ বিনাশিনঃ ॥১৪॥
স্বজনে ন চ তে চিন্তা কর্ত্তব্যা মোক্ষ বুদ্ধিনা। ইমে ময়ং বিনা ভূতা ভবিষ্যন্তি কথং ত্বিতি ॥১৫॥

থদংলম্বদুনা মনীংতম্না বমদা কেশ্বচং চংঙ্ঙুনা ঐলরো ॥৮॥ লোম্বনবী অচুনঃ হৌজিক্তি মচা পোকপী নুপী চায়বীদু ওইরে, অহল ওইরে লোরে। মচা-মশুশিংনা অহল ওইরবী মমাদু য়োরে। অদুবু মমাহুদি— হৌজিককাওবা মসুম পাঙবা মচাশিংচুপী মথক্তা মাপী চাম্নগী খাংসদাপ্রেমদো, অদুম্মক মপোপ ঈকায় খাম-দনা থম্মি। মীংনা শংশং তিরিবা সংসারগী অসিরুম্বা বক্তম— খাজিনবা অসিবু মুমা খঙলদুনা ধর্ম, অর্থ, কাম, মোক্ষ হায়রিবা মখোয় মরিশিপী ঈংকম্ ওননবা পুরুষার্থ, মোক্ষ হায়বসিতবু পারম ঈংনম্ত ওইবা থমদুনা খুদক্তা থাকোক্লমক্তনা চংখিগদবনি ॥৯॥

শাস্ত্রগী বিধিগী মতুংইন্না, ইন্দ্রিয়শিংনা পাইখবা মখোয়গী বিষয়শিংবু লৌখোক লৌশিন্ তৌবগী খায়-বদু থুনা মপুং ফাহল্লো। অতগীদি মচংকী অমদি মচাকী মচা পোকপা পোক্তবা থওদে, পোক্তপু পোক্ত-লবদু, পোকপু পোকত্রবদু লোরবীদুবুদু থাকোক্রমদনা ঈদুং চুংশাইনা চংখো ॥১০॥

লাইগী নোংমদগী লোককী মসাক্তী চংখবী থৱ খুঙোংনরক্রমদু মদোমচুপী, অক কন্ত পুন্নমক্তপু চপ-মামনা উপলবনি। চায়বদি— কায়বা কংলগা খুংজোইগদবা নত্তে, কাক্তনা কংলগা হাগুমক্তা খাঙ্গিগদবা নত্তে। মখোয়কুপী মদক্তা অশাঙবা চুংশাইতবা, মখোই কাবা তক্ ধম্মোইদৌরনি ॥ ১১॥

মোক্ষগী উপায়শিং অদো এনা মচোল্দা সম্পংনা হায়রবনি। মখোয় অসি অমুক্ কোম্বনা শন্নোক্না চায়গে তাও ॥১২॥

লাম্বোক্লবা অফা-অপুন্ লৈজবা মখোয় অদুতম চুংশাইবা ক্যংতি। মখোয় অদু ক্বখিগুম্বা বিষয় অমদগী অকি—অথং লৈজনা মনীঙ-তম্না কোমচং চংঙুনা লৈ। সংসারগী বিষয় পারার্থনা, হায়বদি— শনা-লুপা কি-য়োলদা কা চেম্না আসক্তি থমপ্রবা মীশিং অদুদি— তাঁল কাঙ যবুদেংচাদনা মীকুপ থুদিং—তানুশিন্ থোমজিন্ পৈশিন্দবনা মশিঙ্গাং ওইদুনা মকথমাং হওক্ত থক্তদনা মপুন্দা লেন্ দুগুম— মতম ওদুদং তানুশিন্ পৈশিন্নগা অদুম চংনখি— শিথি। চায়দিবা অশিদা কম্বিম্ভ চিংককম লৈজরদান। অদুনা আসক্তি থমত্রবা মখোয়দি সংসারশিদা মনীঙ-মথা তম্না চুংশাইনা লৈ। আসক্তি থমথবা মখোয় অদুদি— তাইবং মীগী তাওলবা মপোক অসিবু অয়েম্বনা মাঙহনহৌরবনি ॥১৩–১৪॥

সংসার অসিদা লৈনা লৈবা মুক্ত ওইবা— লাম্বোকপা অদুবু পাম্নবদি, এগী ঈচা-ঈশুশিং, শাগে-

স্বয়মুৎপদ্যতে জন্তুঃ স্বয়মেব বিবর্দ্ধতে। সুখদুঃখে তথা মৃত্যুং স্বয়মেবাধিগচ্ছতি ॥১৬॥
ভোজনাচ্ছাদনে চৈব মাত্রাপিত্রাশ্চ সংগ্রহম্। সুকৃতেনাধিগচ্ছন্তি লোকেনাভ্যাকৃতং পুরা ॥১৭॥
ধাত্রা বিহিতভক্ষ্যানি সর্ব্বভূতানি মেদিনীম্। লোকে বিপরিধাবন্তি রক্ষিতানি স্বকর্মভিঃ ॥১৮॥
স্বয়ং মৃৎপিণ্ডভূতস্য পরতন্ত্রস্য সর্ব্বদা। কো হেতুঃ স্বজনং পোষ্টুং রক্ষিতুং বা দৃঢ়াত্মনঃ ॥১৯॥
স্বজনং হি যদা মৃত্যুর্হন্ত্যেব তব পশ্যতঃ। কৃতেঽপি যত্নে মহতি তত্র বোধয়ামাত্মনা ॥২০॥
জীবন্তমপি চৈবৈনং ভরণে রক্ষণে তথা। অসমাপ্তে পরিত্যজ্য পশ্চাদপি মরিষ্যসি ॥২১॥

মাইতেংশিং অসি ঐ হাওদনা, ঐনা সহায় তৌদনা কয়রা হিংগদগে হায়না চিন্তা থক্ তৌরোইদৌবনি ॥১৫॥

জীব পান্‌ব পুম্নমক মশা মশা মথন্তা পোকচ ওইজরকদনি। মশা মশা মথন্তন কনাগুম কনাগুম হাও-দনা, কনা অমত্তগা লোয়নদনা অদুম অদুম চচ্চখিবনি— শিজখিবনি ॥১৬॥

তাইবং মীনা মহাক মহাক নহাসমুক্কী মপোক্কা তৌরকপা কর্মদুগী মতুংইন্না অচা-অথক্ ফিরোল, অহুম মফংলি। থব অমম মপা-মমা, মপা-মপুংগী থবথা মশা নুপা তৌবী-উংথোকপশিং অসি জীবা হাবদনা অহুম শীজিন্নরি। অদুগা তাইবং মীনা অমদি জীব পান্‌বা খুদিংমা অহু-মতু হেক্ কংলিবমথে নহাসমুক মপোক্তা তৌরকপগী মতুংইন্না কংলিবা তাক্কনি তৌরিবা কর্মদুগী মইহ মত্তুনা অত্তোম্বা অমা কল্লিনবা হাওত্রে ॥১৭॥

সংসারগী অচম্বগী জীব খুদিংমক নহাসমুক্কী কর্মশিংদুনা তাক্-শেম্বুনা পৃথিবী লৈমায়থক অসিদা মানা মানা পাম্বা কর্ম তৌনবগীদমক কোয়থক চাতুনা লৈরি। বিধাতানা মাগী মাগী লোংমগী চীঞাক অচু অম-দগী থত্তদে, অমগী থত্তদে— হাত্তুনা খাম্ম লীনখবনি। লোংগী শীন্নখিবা অকুত্তনি— মী মানা মানা কংজরিবনু ॥১৮॥

মী মহাক মশামকত্তু পঞ্চভূতনা শাবা লৈচুম অমা নত্তুনা কড়িস্ত নত্তে। অদুগুম্বা মী মহাক অহুনা মাগী মকপ-মপাং শাগৈ-নাইতেবু কয়ম্ খাকপা ওয়ৎপোরিবনো? ॥১৯॥

অদুগা হুমলিনেমথে থাকুনা য়োকুনা থম্মরা মচা-মশু; শাগৈ-নাইতেংশিং অহু মৃত্যু (অশিবা) হাববা লাই অদুনা নংগী মমাঙমক্তদ, নহাক্ উনা উনা লাকুনা কোইহুনা চংগ্রি। জীবশিং অদুনা তাইবং হকচাং অসিদা লৈদুনা, হকচাংসিগা লোয়নদনা লৈমনবগী অয়োইবা নত্তমদুনা লাক্কবা— মত্ত-মন্ত্রনা, হীদাক-লাং-ভকা, মাইবা-মাইবীগী পৌ-হাত্ত-নটিংবনা কনা হায়না কন্না হোংনহনবনু অবোইবা মত্তমদুনা কনাগুম্বা অমত্তনা থাম্বা ওনহৌদে। অসিগুম্বা মতাং অসিদা— নহাক নশা মথন্তনত্তু থজো— ঐতোন্দা লৈরিবা শক্তিসি কন্নিনো? — কদায়দগীনো হাযবদ ॥২০॥

হায়রিবা শাগৈ-নাইতে, মচল-মপাং পুম্নমক অসিনা চহী চাম পুন্‌শিন্দুনা লৈহৌরবতু মথোয়বু য়োক্-খাকে, তাক্-লেনুগে হায়না হোংনরিবা নহাক নশামক হায়রিবা মথোয়শিংসিবু য়োক্-থাকপা লোইজিতেদা

যদা শ্রুতং চ অশ্রুতং ন জানাসি কদাচন। সুখিতং দুঃখিতং বাপি নানুবোদ্ধব্যমাত্মনা ॥২২॥
মৃতে বা ত্বয়ি জীবে বা যদা শোক্ষ্যতি বৈ জনঃ। স্বকৃতং নন্থ বুদ্ধ্যেবং বর্ত্তব্যং জিতমাত্মনা ॥২৩॥
এবম্বিধাঁল্লোকেঽস্মিন্ কঃ কস্তোহাভিনিশ্চিতঃ। মোক্ষে নিবেশয় মনো তৃষ্ণাপ্যুপধারয় ॥২৪॥
ক্ষুৎপিপাসাদয়োভাবা জিতা যস্যেহ দেহিনঃ। ক্রোধো লোভস্তথা মোহ সত্ত্ববান্ মুক্ত এব সঃ ॥২৫॥

মথোৱনু থাদোক্লমজনা নিংনিবা য়ানন্থ কৈদ্রি ॥২১॥ ক্ষুংশিন্নবা শাইগে নাইত্তে কচ নখুশিংদুগী মসুংদো কনা-গুম্বী অমনা নহাকপু তাক্লমদনা থাদোক্লুনা চৎখিবা মতম অদুদা, চৎশ্রিবা মহাক অসি হৌজিক চুংতাইনা লৈরিগজা॥ কনা লৈরিগজা? মহাক্লা কদুনা লৈহৌদ্রিবসি চৎশ্রিবা— শিশ্রিবা মহাক অদুনা উদ্রি-তাত্রিজা? হায়রিবা বিষয় অসিদা নহাক কন্নিমত্তা থত্তদনা লৈদ্রিবনি। মাসি, নহাক নশানদু মুখা থত্থ-দুনা লৈগদবনি ॥২২॥

যোক্-থা ক্লবা নহাক মতম থবদা লৈরবদু নত্তপা শিশ্রবদু লৈহৌইবা মথোয়দুদি মাগী মাগী নহাল-দুকী মপোক্তা তৌথিবা কর্মশিংদুগী মতৈ চা চাদুনা অদুম মরৈথিগনি। নহাক লৈদু তাই, লৈতেদু তাই। নহাক্লা থাকপদগী মথোয়না ছি.বা নত্তে। থাক্লিবা নহাক্লা শিঞ্জবজ মথোয়দি শত্থুম্মক ছিংহৌই। মরাকুনা থাক্লা থাক্লা, অক্-শৈনথি শেনখিনা নবু থাদোক্লমজনা অদুম মতংখিনি। অসি পুন্নমজসিবু মুখা থক্লপা—নশাগী মজদ ওইননবা সাধনা তৌহৌবদ কৈ ॥২৩॥

বিষয় অসিবু মুখা নৈমত্থপা সংসার অসিনা কনানা কনাগী কদ্রি থাকপদে হাদত্থু মুখা বিচার তৌরগা মীনত্থা— ওইদবা পুন্নমক অসিগী থাহোক্লখা— মুক্ত ওইননবা সাধনা তৌ ॥২৪॥

অয়াম-থৌরাঙ্গী চৈনা হাতজুবা, অসেংবা, কঙ্কক মিহৌবা অসিগীবা মথোয়শিংবু অম্ব তৌরবা অদুগুম্বা সত্ত্ব হায়বা গুণ থর্মদুনা ডিক্রবা * মহাক অদুক্তি মতম পুম্বা মুক্ত ওইদুনা লৈরবনি ॥২৫॥

---

* "সত্ত্ব" হায়বসিগী অর্থদি— "সেব" হায়বনি। পীক্ত লৈবা, চাউবা লৈবা, ৱাংবা লৈবা, মেৱনা লৈবা শুঙ্গুমা হাবরদি— মাদু চুম্বা লৈব মথৈ নত্তে। "লৈবা", হায়না কৌবা মাগী অকোইবদা পীকপা-চাউবা, ৱাংবা-নেম্বা হায়বা অসিনচিংবা গুণদিং অসিনা কাস্থিন্দুনা থেজ্জখুনা অমত্তে। "লৈ"—সত্ত্ব হায়ব-দুদগী হেন্না কদিনত্তা লৈতনা অতৈ পুন্দগী মাঙ্কদুনা লৈবদু "সত্ত্ব" কৌই। অসিগুম্বা গুণনা ডিক্রবা মী মহাক অদু মুক্ত— লাহোকপা ওইরবনি। ঐগী ইচা, ঐগী ইপু, অসিনচিংবা হায়জিন্নিবসি কনাগুম্বা কন্নিগুম্বমতগা মরী থমজবা ঐ হায়বসিনা থোজ্জন্ বিবনি। অসুম্বা থেচিন্নিবসি করম্বা মতম করম্বা অকক্ মবা পুংকেমদগী হৌথিবনো হায়বদু থত্তহৌদে। মাসিদগী লাহোকপা অদুবুনি মুক্তি হায়ন্নিবনি। ঐ তৌই, ঐ মুই অসিনচিংবা হায়রবদি— "ঐ চুম্বা লৈত্তে" হায়বত্তনি। ঐ অহংনুংগী লৈ হায়বনি। অসিগুম্বা অয়ানুবা থাথদগী লাহোয়কপা মুক্ত ওইননবা হোৎনগদবনি, হায়বত্তনি। হোৎনবা অসিবুনি সাধনা হায়-ন্নিবসি। "ঐ" হায়ন্নিবা জীব অসিনা ৱাংবা, নেম্বা, হাওবা অম্মনা চৎশিল্লকবা লৈখীনি, ব্রহ্ম সাধন হায়বদু

দ্যূতেপানে তথা স্ত্রীষু মৃগয়ায়াঞ্চ যো নরঃ। ন প্রমাদ্যতি সম্মোহাৎ সততং মুক্ত এব সঃ ॥২৬॥
দিবসে দিবসে নাম রাত্রৌ রাত্রৌ পুমান্ সদা। ভোক্তব্যমিতি যঃ খিন্নো দোষবুদ্ধিঃ স উচ্যতে ॥২৭॥
আত্মভাবং তথা স্ত্রীষু মুক্তমেব পুনঃ পুনঃ। যঃ পশ্যতি সদা যুক্তো যথাবন্মুক্ত এব সঃ ॥২৮॥
সম্ভবং চ বিনাশং চ ভূতানাং চেষ্টিতং তথা। যস্তত্ত্বতো বিজানাতি লোকেঽস্মিন্ মুক্ত এব সঃ ॥২৯॥
প্রস্থং বাহসহস্রেষু যাত্রার্থং চৈব কোটিষু। প্রাসাদে মঞ্চকং স্থানং যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৩০॥
মৃত্যুনাভ্যাহতং লোকং ব্যাধিভিশ্চোপপীড়িতম্। অবৃত্তিকর্শিতং চৈব যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৩১॥

জুবুহৎপদগী জুয়ায় শান্নবা, যু থকপা, নুপী-নহাপা তিন্নবা, শাদাম্বা অসিনচিংবা হেন্দো-হেন্নাউ-কাবা অসিদগী লাম্মোয়ন্নবা মহাক্তু মুক্ত ওইরবনি ॥২৬॥

অহিং নুংথিল মতম পুম্বদা নুমিৎচুপ্পা চাক-মরগী খল্লবগীদমক খন্দুনা লৈবা, অদুপা নুপী-মহাপা কন্নিন্ চাখিন্নবগী মাথক্ত তৌরবা, অমুত্তদা মী মহাক্তুদি— মশাদা অমদি মশাগী মরুং মপান্দা দোষগী দোষ মক্তা ভাররবা মীশক অমনি হায়না খঙলগদবনি ॥২৭॥

মতম পুম্বা যোগ সাধন তৌদুনতা লৈরবা, নুপী-নহাগী মকমদা খম্বা ভোগভাব পুম্নমক হন্দোক্লবা, হায়বদি— নুপী-নহাগী মকমদা থরম্বা শাগ্রথোংনবগী মাথলনচিংবসি লোইবা থাদোকলবা— অমুত্তদা মী মহাক্তুদি থাজেখোংবা মুক্ত— (অয়াব-খুদম) ওইরবা— কাংলবা মীশক অমনি হায়না খঙগদবনি ॥২৮॥

জীবাত্মাসিনা তাইবংমীগী হকচাংদা চঙ্ঙকপাসিগী থাজেখোংবো উদ্দেশ্য খঙলবা, পোকপা-শিবগী তত্ত্ব মূলা খঙলবা মহাক্তুদি নিত্যমুক্ত ওইরবনি ॥২৯॥

কো. পেহ গাড়ী-মপোং লিশিং লিশিং কাপ্লিবগী মথুংদা মাপী লোংমগী মযুক্ থরবদা হাওরিবা শক্তি মেরুক্ অমত্তনি। য়াং-চাউরবা যুমুংপাউদুগী মখুংদা মাগী হকচাংনা কোন্‌গদবা কযুং কিবা অমত্তং চম্নবা মকমদি দম্ অমত্তনিকো। অদুনদি অদুক্ য়াং-চাউরবা যুম্ শাকবগী দি করি কাম্নরি? অদুম হায়বা খল্লকুনা নপাদা মথম্বা বৈরাগ্যভাব পোক্চন্নবা মী মহাক অমু মুক্ত ওইরবনি— মুক্তি ফংলবনি— অয়ান্ খুদম ফংলবনি ॥৩০॥

লায়না মথল মথলনা অয়াবা ফংলবা, জীবিকা য়াংলনা, চাক-থক্লবা লৈতবনা মঙাম্ব ফংলবা অদুপা মৃত্যু হায়বদুনা খঙহৌদনা সংসারগী জীবশিংবু চেল্লাক চেল্লাক্— হেন্‌কোয়নখিবসি উবগা মশাদা বৈরাগ্য ভাব লাক্লবা মী মহাক অদুদি— অমা-অনা পুম্বদগী কোক্লবা - লাম্মোক্লবা হায়বদুনি। অদুত্তদা মহাক্ অদুত্তনা অয়ান্‌বা-খুদম্ ফংলিবনি ॥৩১॥

অসিত্তনি। গোপাল কৌবা ঐ ব্রহ্মসাধন তৌরি, হায়রবদি— মাদু ব্রহ্মসাধন নত্তে। 'ঐ' হায়রিবসিদি গোপাল কৌদে। গোপাল কৌবা নহাক্তা গোপালমু কম্নিম্ন কৌদবা মত্তোন্দা কয়ম্না থিজ্ঞগনৌরিবনো? অদুনা "ঐ ব্রহ্মসাধন তোবা চৎলি" অসিনচিংবা হায়রিবসিমক মশাদা অদুম্ লাক্লে। (কালাচাঁদ)

যঃ পশ্যতি সঃ সন্তুষ্টো ন পশ্যংশ্চ বিহন্যতে। যস্তাপ্যয়েন সন্তুষ্টো লোকেঽস্মিন্ মুক্ত এব সঃ ॥৩২॥
অগ্নীষোমমিদং সর্ব্বমিতি যস্তাত্মুপশ্যতি। ন চ সংস্পৃশ্যতে ভাবৈরদ্ভুতৈর্মুক্ত এব সঃ ॥৩৩॥
পর্য্যঙ্কশয্যাভূমিশ্চ সমানে যস্য দেহিনঃ। শালয়শ্চ কদন্নং চ যস্তুত্তান্ মুক্ত এব সঃ ॥৩৪॥

সংসারগী অসিগুম্বা মওং কিতন্ন অসিদা লৈম্বিবনিবু উরবা—থওলবা মী মহাক অমু মুক্ত ওইরবনি, মুক্তি ফংলবনি— পোকপ-শিবগী লাংদগী লাম্থোক্লবনি। মাসি থওদবা— মোংমতংদু থমুত্রবা মী মহাক্ অমুদি শিরবনি। থবনং ফংবদা অদুম পেঙরবা মী মহাক অমু মুক্ত ওইরবনি ॥৩২॥

অচচম্ব জগৎ পুম্নমক অসিবু অগ্নি সোমগী মখক ওইনা উরবা, হায়বদি— ভোক্তা (অচাবা মীথক্) পা, ভোজ্য— চাগদৌম্বিবা পোৎ কা অমীসিংগী হেন্না অভৈ অতোপ্পা অমা মাওদবগুম্না উরবা, অমুগা— মহাক মথাবুতদি হায়ম্বিবা অমীসিংগী ভোগতাম্বা অতোপ্পা অমা ওইনা থম্বিবা অহুগুম্বা মী মহাক্ অমুদা অমা-কুংওইবগী, পোকপ-শিবগী মাথমা চঙদে। অমুগুম্বা মী মহাক অমু মতম পুম্নমক্তা সংসারদগী মুক্ত ওইদুনা— লাম্থোক্তুনা লৈরবনি ॥৩৩॥ *

মমল মাম্নবা ফজরবা কমুৎ-কাংথোল, মোন্দুম-মোম্বেক্কা, লৈমিন্-লৈমায়থক্তা অমতম্বি— অম্মানি হাবমা থম্নোক্লবা, পোইহুগী চমোম্না থোংবা থোংলবা চাক্কা, তুমাই-লেংগী চাক্-চঙোক্কা— মথা অমতম্বি মহাক্তি চপ মাম্নমা চারবা মী মহাক অমু অমী থোক্কপগী মাথদগী লাম্থোক্লবনি, হায়বদি— সংসারদগী মুক্ত ওইরবনি— মুক্তি ফংলবনি ॥৩৪॥

* অচচম্ব জীব পুম্না থম্না লৈরবা জগৎ অসিদা মুম্ন থম্বরবদি মাম্বা নত্তে, অনী-ভনি। ভোক্তাগা ভোগ্য নত্রগা ভোজ্যগা অনী অসিভনি। হায়বদি— অচাবা অমগ, চাগদৌম্বিবা পোৎ অমুগা অমীসিংভনি। পুমম ওইনা— মম্না— মম্নজিন্না অমতং হায়বা তাম্নমদা— উথক্তা পাম্বিবা উইহে অমগী মথাদা মাওম্বিবদি অচাপোৎ মক্তনি। উইহে অসিগী মওং, মমিং, মহাক্তি, মচু, মমম পুম্নমক অসিবু— চাথোকপ্রিবা, চুপমিন্-ম্বিবা— মথং মথং মাঙহন্‌ম্বিবা ভোক্তা অমমম্ লৈ। মনম্বু লৈপাক্তা লৌশিন্‌থি, লৈপাক অসি ভোক্তা ওইহে। অমুদগী লৈপাকপু ঈশিংনা লৌশিন্‌থি, ঈশিংনা অমুক ভোক্তা ওইহে। ঈশিংবু মৈনা লৌশিন্‌থি, মৈবু অমুক নুংশিংনা, নুংশিংপু অমুক আকাশনা, আকাশবু পুক্নীং, পুক্নীংবু বুদ্ধিনা, বুদ্ধিবু আত্মানা লৌ-শিন্‌থি। আত্মাদদি ভোক্তা ভোজ্য অনী পুম্নে। সংসারদা উম্বিবা অচচম্বা লেত্তিত-পাম্বিবা পুম্নমক অসি ভোজ্য ওইরম্ ওইরবনা ভোক্তং অমুমুক ওইখিবনি। ভোক্তা ওইরম্ ওইরবনা ভোজ্য অমুমুক ওইরক্-পনি। মতৌ অমুনা হৈপাল-লৈপাল, চৌও ভুবেল পুম্নমকপু অমুম থওগদবনি। মমম অমুনা ভোক্তা-ভোগ্য— অচাবা-চাগববা, সুখ দুঃখ— নুংঙাইবা-অনাবা, সংযোগ-বিয়োগ— কাম্নবা-তিম্নবা হায়দুনা— অমী অনী থোক্না লৈরবসি ওহাক্ ওহাকগীনি, মাম্নানি— তৌশিনদ্রবনি। অসিদগী লাম্থোক্লবনি হায়-বদি— অমী থেংনা থমুবা মাথদগী মুক্ত ওইপদবনি। (কালাচাঁদ)

ক্ষৌমং চ কুশচীরং চ কৌশেয়ং বল্কলানি চ। আবিকং চর্ম চ সমং যস্য মুক্ত এব সঃ ॥৩৫॥

পঞ্চভূতসমুদ্ভূতং লোকং যস্ত্বনুপশ্যতি। তথা চ বর্ততে দৃষ্ট্বা লোকেঽস্মিন্মুক্ত এব সঃ ॥৩৬॥

সুখদুঃখে সমে যস্য লাভালাভৌ জয়াজয়ৌ। ইচ্ছাদ্বেষৌ ভয়োদ্বেগৌ সর্বথা মুক্ত এব সঃ ॥৩৭॥

রক্তমূত্রপুরীষাণাং দোষাণাং সঞ্চয়াংস্তথা। শরীরং দোষবহুলং দৃষ্ট্বা চৈব বিমুচ্যতে ॥৩৮॥

বলীপলিতসংযোগে কার্শ্যং বৈবর্ণ্যমেব চ। কুব্জভাবং চ জরয়া যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৩৯॥

পুংস্ত্বোপঘাতং কালেন দর্শনোপরমং তথা। বাধির্য্যং প্রাণমন্দত্বং যঃ পশ্যতি স পশ্যতি ॥৪০॥

গতানৃষীংস্তথা দেবানসুরাংশ্চ তথাগতান্। লোকাদস্মাৎ পরং লোকং যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৪১॥

লম্নিংগী, য়েণ্ণমগী, কন্নাংগী ফিজল, উখু বাকু সুখ-দুখ-মনানচিংবগী ফিজল, কৈ মখোল শক্তী মওঙগী ফিজল— মতোম্দা ঊদানু বাদুনা অমুম থোক্লুদবা, হায়দবনি— তৈপাক হায়বা অসিগী অনী অনী থোক্পা শক্-লোন্থিং অসিনা মী মহাক অংগী মকমদা মঙিং মওং তোঙান তোঙান পুদুনা চঙখৎলুবা ঊবা যাদ্রবা মী মহাক অসু মথাদা অসুমক মুক্ত ওইজয়বনি ॥৩৫॥

লেঙিঙ-পাল্লিবা ঊব্বা পূম্নমক, পোৎ খুদিংমক মৈ ঊশিংমচিংবা পঞ্চভূতকী বিকার মত্রমি হায়না খঙলবা— ঊদবা মী মহাক্তু মুক্ত ওইরবনি। ঊদবা খঙলবা অদুবু নত্তনা খঙলিবদুগী মখুংইদা কর্ম তৌরবা অদুবুনি জীবন্মুক্ত হায়রিবসি ॥৩৬॥

মী মহাক্কী বুদ্ধিদা কাননব-তিন্নবা, অমাবা-খুংঙাইবা, মাঙবা-তোংবা, অম্বা-মাঙখোয়বা হায়রিবা অনী অনী থোকপগী মওং মমিং মশা অমত্তা ওইনা অদুম মরৈরবা, অদুগা অতুম্না নৈলিবদুনা কল্লকপা য়েংথিবমচিংবা মথোয় অসিনসু চঙ্কপা চমল্লবা, অদুগুম্বা নী মহাক অসু মুক্ত ওইরবনি ॥৩৭॥

দোষ কয়া কয়া পোক্লীঙজাব ওইবরা, দোষ কয়া কয়াগী ভূমকম ওইরবা হকচাংনি। ঈ-নাই, খী-মুং অসি নত্তবা অতৈ কত্রবা পোৎশক্ কয়া কয়াগী মপৈমি, শদ্রি। অদুম্ হায়না খঙলিবা অমদি ঊদ্রিবা মী মহাক অসু মুক্ত ওইরবান ॥৩৮॥

কুইনিঙ্গগা— অহল ওইনিঙ্গগা হকচাং অসি চপশিল-খুইজিল্লকই, কোকী শম্ তৌরোক তৌরকই, হকচাং অসি অদুম মনশিল্লকপদুনা মহৎক্-মহাও, মশেক-মঙাল হাওরক্তে, খাং নোন্-নোম্বুমা চৎশিল্লকপবা, মম্ পোনশিল্লকই। পুম্নমক অসিগী ওইদক্লিবা কারণ অমদি ঊদেশ্য খঙদুনা নৈনিবা, অদুগা মাহুগী মখুং-ইদা থবক তৌরিবা মী মহাক অসু মুক্ত ওইরবনি ॥৩৯॥

মতম অদুনা য়োশিল্লক্লবদা নিপা থোকপগী শক্তি মাঙশিল্লকই। মীত্তা ঊনমবগী শক্তি নৈশিল্লক্তে। নাকোংদা তাবনবগী শক্তি। প্রাণবায়ুগী শক্তিসু অদুম শোদ্বরকই। থোদোকনিং অসি মীকুপ খুদিংগী মুখ্য কুপা য়েংশিল্লিবা, অদুগা মাসি কদ্রম হায়না কে কপগে হায়নসু বিচার তৌরক্লবা মী মহাক অসু মুক্ত ওইরবনি ॥৪০॥

ঋষি কয়া কয়া, দেবতা কয়া কয়া, অসুর কয়া কয়া,— ইহলোক থাদোক্লুবা পরলোকতা চৎখ্রে।

প্রভাবৈর্ঋষিভাষিতৈঃ পার্থিবেন্দ্রাঃ সহস্রশঃ। যে গতা পৃথিবীং ত্যক্ত্বা ইতি জ্ঞানাদ্বিমুচ্যতে ॥৪২॥

অর্থাংশ্চ দুর্লভাল্লোকে ক্লেশাংশ্চ সুলভাংস্তথা। দুঃখং চৈব কুটুম্বার্থে যঃ পশ্যতি স মুচ্যতে ॥৪৩॥

অপত্যানাং চ বৈগুণ্যং জনং বৈগুণ্যমেব চ। পশ্যন্ ভূয়িষ্ঠশো লোকে কো মোক্ষং নাভিপূজয়েৎ ॥৪৪॥

শাস্ত্রাল্লোকাচ্চ যো বুদ্ধঃ সর্ব্বং পশ্যতি মানবঃ। অসারমিব মানুষ্যং সর্ব্বথা মুক্ত এব সঃ ॥৪৫॥

এতচ্ছ্রুত্বা মম বচো ভবাংশ্চরতু মুক্তবৎ। গার্হস্থ্যে যদি বা মোক্ষে কৃতা বুদ্ধিরবিক্লবা ॥৪৬॥

তৎ তস্য বচনং শ্রুত্বা সম্যক্ স পৃথিবীপতিঃ। মোক্ষজৈশ্চ গুণৈর্যুক্তঃ পালয়ামাস চ প্রজাঃ ॥৪৭॥

অসি পুন্নবকপু তজবা মুনি থম্বতুনা মপুমশি লেপ্লিবা মী মহাক অসো মুক্ত— লাল্লবা ওইরবনি ॥৪১॥

প্রভাব লৈরবা, মতৌক্-মগুণ চাউরবা, লিংথৌ লিশিংনা পৃথিবীসিবু থাদোক্লমহুনা মতমগী থবাংতা চোংশিন্‌খ্রবনি। মাসিবু কাউদনা লৈদ্রিবা মী মহাক অসো মুক্ত ওইরবনি ॥৪২॥

সংসারসিদা লল্‌ধন-সম্পত্তিদি ফাম্না অমাং ; অরাবা খুদোংথীবদি ফাম্না হোউই। খাগৈ-নাহৈ মরূপ মপাং পম্বিকনবু য়োক্‌-থারবা তোংবরবদা অয়াবা কয়া কয়া নত্তিও। মাসিবু পুক্নীংদা তজনা হাক্সিন্দুনা থম্‌লিবা মী মহাক অমু মুক্ত ওইরবনি ॥৪৩॥

অয়াবসি অসিত্তা নত্রে। অঙা-মশূগী মগুণ লৈতবা, মমাংবনা লাকচখিবা অসিনচিংবসি উবদা— মাঙুদনু অয়াবা কয়া কয়া ফংত্তি। মশাগী গুণগা শুম-তৈনবা গুণ লৈবা মীশিং অকুগনু সঞ্জ তৌরই। অতুনা মুংঙাইবা ফংবগা, অয়াবা ফংবগা, অয়াবা ফংবগী মশীংনা য়াম্না হেল্লি। অসিগুম্বা অয়াবশিংসিগী মায়গৈদা অশিংবশিংনা কৈদোনা চঙনীগুননি? অসিগুম্বা অয়াবনু পীম্বিবা খাগৈ-নাহৈ অমদি পম্বিবানু অশিংবা কনানা লুনা তৌগনগে? ॥৪৪॥

শাস্ত্রবু পাহুনা, বৈমহুনা লৈরিবা, অহুগা— মশাগী অমুত্তব (পুক্নীংদা পান্‌বা, কাওব) দগী জ্ঞান পুম্নমক হাম্নবা— হাপ্নবা, অহুগুম্বা মীশিংনা সংসারসিবু মচি-য়াওদবা কায়দবনি হায়না উই। মথোয় অমুসু মুক্ত ওইরবনি ॥৪৫॥

ঐনা হায়রিবা য়াকমশিং অসিবু মুম্না তাম্বগা, অমদি— গার্হস্থ্য লোয়নননা লৌরগা অকিবা নীও-ঙাম্বিবা পুম্নমকপী নাপ্তোক্তুনা সন্ন্যাসাশ্রমবু ওইরবসু, গৃহস্থাশ্রমবু ওইরবসু লৈজ লৈরবা সংসারসিদগী মুক্ত ওইনবা লমচৎ অমু চৎলু ॥৪৬॥

নিংথৌ সপম্বনা অয়িষ্টনেমিগী বা (হায়রিবা, লীমিবা য়াকমশিং) চনীও তাবা তাহুনা, মুক্তি— অমান্ থুঙনু ফংনমবগী লম্বী অমদি মচাক অহুনা শীজিন্নহুনা— সাধন তৌহুনা, প্রজা শাসন তৌহুনা নিংথৌ ওইহুনা অহুম লৈখি— পান্‌খি ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
সগরারিষ্টসম্বাদে ত্র্যশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৩॥

——:(✿):——

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা স্লোক চি.. না .. ব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা সগর-অরিষ্টনেমি-সংবাদ .. চ মু .. হুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৩॥

——:(✿):——

মণিপুরী মহাভারত

চতুরশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(ভৃগুগী মচা উশনাগী মরী, মহাকপু শুক্রাচার্য্য কৌখিবগী মরম)

চনীগা মরিফুমরিশুবা অধ্যায়

——:(✿):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

তিষ্ঠতে মে সদা তাত কৌতূহলমিদং হৃদি। তদহং শ্রোতুমিচ্ছামি ত্বত্তঃ কুরুপিতামহ ॥১॥
কথং দেবর্ষিরুশনা সদা কাব্যো মহামতিঃ। অসুরাণাং প্রিয়করঃ সুরাণামপ্রিয়ে রতঃ ॥২॥
বর্দ্ধয়ামাস তেজশ্চ কিমর্থমমিতৌজসাম্। নিত্যং বৈরনিবদ্ধাশ্চ দানবাঃ সুরসত্তমৈঃ ॥৩॥
কথং চাপ্যুশনা প্রাপ শুক্রত্বমমরদ্যুতিঃ। ঋদ্ধিং স চ কথং প্রাপ্তঃ সর্ব্বমেতদ্ বদস্ব মে ॥৪॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়.— ঈবুধো। মমাংতুংদগী হৌনা মায়া থওনীংবা তাকনীংবা থাকম অমা ঐগী থম্মোয় অসিদা লৈরক্লি। মাসি ঈবুধোনা ঐগী পুক্নীংগী চিংনবা অসি কোকহন্‌বিয় ॥১॥

মায়া বুদ্ধি লৈরবা কবিত্বশক্তি লৈরবা উশনা কৌবা দেবর্ষিসিনা করিগী দমক্তা তুমিংচুনা অসুরশিংগী মীচঙ ওইদুনা তখোয়গী ফননবা-ত তৌখিবা, অদুগা দেবতাশিংবু করিমক্তা তুংশিখিত্রবসি করিগীনো ? ॥২॥

মশানা হায়দগী মপাঙল কল্লবা, অসুর দৈত্যশিং অদুম্ মহাক্লা করিগীদমক লোগংখিবগে ? অদুগা মহাক্লা দেবতাশিংগা দৈত্য অসুরশিং অসিগা য়েংথিনহন্নবগী দমক্তা তুমিংচুনা হোংনখিবনা করিগীনো ? ॥৩॥

দেবতাগুম্বা মতৌক-মওং চাউরবা উশনাবু শুক্র— শুক্রাচার্য্য কৌখিবসিনা করিগীনো ? অদুগা মহাক্লা বুদ্ধিগী সম্পত্তি— জ্ঞান-বিজ্ঞান অসিনা কদাইদগীনো ? পুন্নমক অসি তাকপিয় ॥৪॥

ন যাতি চ স তেজস্বী মধ্যেন নভসঃ কথম্। এতদিচ্ছামি বিজ্ঞাতুম্ নিখিলেন পিতামহ ॥৫॥

ভীষ্ম উবাচ।

শৃণু রাজন্নবহিতঃ সর্ব্বমেতদ্ যথা তথম্। যথা মতি যথা চৈতচ্ছ্রুতপূর্ব্বং মযানঘ ॥৬॥

এষ ভার্গবদাযাদো মুনির্ধীমান্ দৃঢ়ব্রতঃ। সুরাণাং বিপ্রিয়করো নিমিত্তে করুণাত্মকে ॥৭॥

ইন্দ্রোঽথ ধনদো রাজা যক্ষরক্ষোঽধিপঃ সদা। প্রভবিষ্ণুশ্চ কোশস্য জগতশ্চ তথা প্রভুঃ ॥৮॥

তস্যাত্মানমথাবিশ্য যোগসিদ্ধো মহামুনিঃ। রুদ্ধ্বা ধনপতিং দেবং যোগেন হৃতবান্ বসু ॥৯॥

যুধি। দেবর্ষি উশনা— ভার্গব, কবি, শুক্রাচার্য্য হায়রিবসিদি য়াম্না তেজস্বী— মেঘ কন্নবা মীশক অমনি। অদুবু মহাক্কি অতৈ অতৈ দেবর্ষিশুম্না আকাশগী মরক্তা— লম্বীদা থক চত্তে। মাসি পুম্নমক মপুংফানা খঙজনীজিও ॥৫॥

ভীষ্মনা হায়,— পাপ য়াওদ্রবা নিংথৌ। ঐনা তাখিবা খঙথিবদুগী মতুংইন্না মাবী পুম্নমক্ ঐ নীপে হন্না পূর্ব্বৈং চত্তনা তাও ॥৬॥

ভৃগুগী মচা মুনি অথোইবা উশনা হায়বা দেবর্ষি অসি দেবতাশুম্না য়াম্না ঊকায় খুম্বা অদুগা অকন্বা ব্রত শিন্নবু চোকশিন্না তাকপা মুনি অমনি। কবিশুনা থৌরোক অমদগী য়াম্না শাউথিদুনা দেবতা পুম্নমকী বৈরী অমা ওইখি। থৌরোক্ অদুদি অসিনি,— মোংমা অসুরশিংনা দেবতাশিংদা শাথীবা অরাবা অমা পীবদগা ভৃগুগী-লোয়নবীদুগী আশ্রমদা চত্তুনা লোংলম্মি। অসুরশিং অদুনা মত্তোন্দা— "ঐখোয়। ঐখোয়বু কন্‌বিয়ু" অঙ্গুম্না হায়জরম্বদুনা ভৃগুপত্নীদুমক্ত মখোয়বু মচাগুম থন্‌বিদুনা— "কিগনু" হায়দুনা ভাক্-লেন্দুনা থম্মিখি। দেবতাশিংনা অসুরশিং অদুগী মথক্তা লম্মুল খুমগনবগী অদুম থিবকপা মতমদা ভৃগুপত্নীগী আশ্রমদা লোংদুনা লৈবদু উবেদি হায়বদু ভৃগুপত্নীবু কিবদগী আশ্রমদুনা চত্তবা ঙমদ্রে। অদুগনাদি— দেবতাশিং অসিনা ভগবান্ বিষ্ণুগী বাক্ তাম্না চংখি। অমংং পুথগী অভাকপা মপু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুনা দেবতাশিংগী সম্পত্তিশিং অদুবু কন্‌বিগে হায়বগী মতক সুদর্শন চক্র পায়খংলি। মশাদা আসুরীভাব চত্ত-লকবী ভৃগুপত্নীগী মতক্ অদু কক্‌খি, অদুগা দেবতাশিং অদুবুমু তাম তামদুনা হাংখি,। হাংহৌদবা উচিন্ মাচিন্ হিংহৌবশিংদুনা ভৃগুগী মচা উশনাগী মাক্তা চেন্‌শিন্দুনা আশ্রয় লৌখি। মমা হাংখিবদুগা দুখোই-থিদুনা ভৃগুনা চেংথক্রিবা অসুরশিংদুবু ভাক্-লেন্দুনা থম্মিখি। হায়রিবা থৌরোকসিদগী দেবতাশিংগী চাউথংলগী লম্বীদা ভৃগুগী মচা উশনা হায়রিবসিনা বৈরীবা য়াম্না পীখি। অসুরশিংগী মীচং ওইদুনা— মখোয়গী কননবতা পীন্‌খি ॥৭॥

মতম অদু ইন্দ্র অসি মরোল অহুমগী মপু ওইদুনা, যক্ষ-রক্ষ পুম্নমকী মপু কুবেরবু মাগী শন্‌লৈ-পুলৈ পায়বা— কোষাধ্যক্ষ— বৈকুংবা হাপখি ॥৮॥

যোগসিদ্ধ ওইরবা ভৃগুপুত্র উশনানা যোগশক্তিগী পাথমনা ইন্দ্রগী কোষাধ্যক্ষ কুবেরবু খুমন চল্লুবা

হৃতে ধনে ততঃ শর্ব ন লেভে ধনদস্তথা। আপন্নমন্যুঃ সংবিগ্নঃ সোঽভ্যগাৎ সুরসত্তমম্ ॥১০॥
নিবেদয়ামাস তদা শিবায়ামিততেজসে। দেবশ্রেষ্ঠায় রুদ্রায় সৌম্যায় বহুরূপিণে ॥১১॥
যোগাত্মকেনোশনসা রুদ্ধ্বা মম হৃতং বসু। যোগেনাত্মগতিং কৃত্বা নিঃসৃতশ্চ মহাতপাঃ ॥১২॥
এতচ্ছ্রুত্বা ততঃ ক্রুদ্ধো মহাযোগী মহেশ্বরঃ। সংরক্তনয়নো রাজন্ শূলমাদায় তস্থিবান্ ॥১৩॥
ক্বাসৌ ক্বাসাবিতি প্রাহ গৃহীত্বা পরমায়ুধম্। উশনা দূরতস্তস্য বভৌ জ্ঞাত্বা চিকীর্ষিতম্ ॥১৪॥
স মহাযোগিনো বুদ্ধ্বা তং রোষং বৈ মহাত্মনঃ। গতিমাগমনং বেত্তি স্থানং চৈব ততঃ প্রভুঃ ॥১৫॥
সংচিন্ত্যোগ্রেণ তপসা মহাত্মানং মহেশ্বরম্। উশনা যোগসিদ্ধাত্মা শূলাগ্রে প্রত্যদৃশ্যত ॥১৬॥
বিজ্ঞাতরূপঃ স তদা তপঃসিদ্ধোঽথ ধন্বিনা। জ্ঞাত্বা শূলং চ দেবেশ পাণিনা স সমানময়ৎ ॥১৭॥

মহাত্মা তাক্-শেংলবদুনা থবক্তগী লন্-থুম অদু লোইনা মুন্দুনা লৌথোক্লে ॥৯॥ শেল পুরবক হুথিবা—মুনথিবদুদা কুবের অসি পোথাকম থক্তখিত্রে। মহাত্মা শাউরম্লদুনা ঈপা পাথৎনা শিব—মহাদেবগী নাক্ তায়না চৎখি ॥১০॥

মতম অসিদা মহাত্মা গুমথৈ লৈতবা তেজবু পুরিবা, শক্লোন তোঙান্ তোঙানবা কয়া পুওবা মঙ্গলগী মশক ওইবা মহাদেবগী মকমদা অসুম্না হায়খি ॥১১॥

প্রভু ! মহর্ষি উশনা হায়বসে যোগশক্তি পুল্লক্লা তিল্লবনি। মহাত্মা মহাকী যোগশক্তিনা পাইবা ওইদুনা ঐবু কাক্তিন্দুনা থম্লগা অইবা লন্ পুম্বা লোইনা পুদুনা চৎখ্রে। দেবর্ষি অদুনা ঐবু মথা পোন্-হল্লগা মনীং তম্না লন্ পুম্নমক্ ঈমাংমক্তদগী পুদুনা চৎখি ॥১২॥

মাসি তাবদা মহাযোগী মহাদেব অসি ওক্লোক্লা শাউখ্রে। নয়ন— মীৎ অহুম অদু অশাউবগী ঈ কাখি। ত্রিশূল পায়থৎখুনা চপ্ লেপখি ॥১৩॥

"কদায় লৈ ? উশনা হায়বদো, কদায়দা লৈরোই ?" অসুম্না হায়না শাউনা লাউখি। মহাদেবনা তৌগদৌরিবদু হায়না থওলদুন উশনা অসি লাপ্পা চেন্থ্রে ॥১৪॥

মহাযোগী ওইরবা মহাত্মা ভগবান্ সদাশিবগী অশাউবা থওদুনা উশনা— শুক্রাচার্য্য অসি লাপ্না চথোক্খ্রে। মী অমনা তৌগে খল্লিবা থবক পুম্বা; লাক্পগী চৎপগী, মোরগদবা মোয়োইদৌবা, মকম মতম খুদিং লেওদনা মকমসিদা লৈগদবনি লৈরোইদবনি হায়না, মকম অসিদা চৎলবদি মী অদু উনবা ঙমগনি ঙংলোই হায়না অসিনচিংবসি যোগগী শক্তিতনা উশনানা লোইনা খঙবা তম্মি ॥১৫॥

যোগসিদ্ধ ওইরবা উশনানা তপস্যাগী শক্তিনা মহাদেববু ধ্যান তৌরগা মহাদেবনা পাররিবা ত্রিশূল অদুগী মতোন্দা ভুরিয়া কয়দুনা লৈবদু মহাদেবগী মমীতা উহন্খি ॥১৬॥

তাল্লাম্বক্লা ফম্বিবদু উশনা ঋষিনি হায়বসি উয়-থওলদুনা লীক্লা পাররিবা খুৎ অদুনক্লা ত্রিশূল অদু হেক্ কোয়হল্লি ॥১৭॥

আমন্ত্রণার্থ শূলেন পাণিমাপীড্য তেজসা। পিনাকমিতি চোবাচ শূলমগ্রায়ুধঃ প্রভুঃ ॥১৮॥
পাণিমধ্যগতং দৃষ্ট্বা ভার্গবমুমাপতিঃ। আস্যং বিবৃত্য ককুদী পাণিনা প্রাক্ষিপৎ শনৈঃ ॥১৯॥
স তু প্রবিষ্ট উশনা কোষ্ঠং মাহেশ্বরং প্রভুঃ। ব্যচরচ্চাপি তত্রাসৌ মহাত্মা ভৃগুনন্দনঃ ॥২০॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

কিমর্থং ব্যচরৎ রাজন্নুশনা তস্য ধীমতঃ। জঠরে দেবদেবস্য কিং চাকার্ষীন্মহাদ্যুতিঃ ॥২১॥

ভীষ্ম উবাচ।

পুরা সোঽন্তর্জলগতঃ স্থাণুভূতো মহাব্রতঃ। বর্ষাণামযুতং রাজন্ প্রযুক্তোঽর্ব্বুদানি চ ॥২২॥
উদতিষ্ঠৎ তপস্তপ্ত্বা দুশ্চরং চ মহাহ্রদাৎ। ততো দেবাতিদেবস্তং ব্রহ্মা বৈ সমসর্পত ॥২৩॥
তপোবৃদ্ধিমপৃচ্ছচ্চ কুশলং চৈবমব্যয়ম্। তপঃ সুচীর্ণমিতি চ প্রোবাচ বৃষভধ্বজঃ ॥২৪॥
তৎসংযোগেন বৃদ্ধিং চাপ্যপশ্যৎ স তু শঙ্করঃ। মহামতিরচিন্ত্যাত্মা সত্যধর্ম্মরতঃ সদা ॥২৫॥
স তেনাঢ্যো মহাযোগী তপসা চ ধনেন চ। ব্যরাজত মহারাজ ত্রিষু লোকেষু বীর্য্যবান্ ॥২৬॥

প্রমাণ পীমিংঙাগি লৈচম: তেজ লৈরবা ত্রিশূল অদু মহাদেবনা হেক ভামথহন্নকপন্থনা তা অদু মাহুপী যুমিত্তপী লীকংগী মনক লৌখি। খুৎ— পাণি মা কোম্বহন্দুনা লীকং ওইথিবদগী ত্রিশূল— মচীল অদু পিনাক হায়না কৌখ্রে ॥১৮॥

ভামথম্বকপন্থগা লোয়ন লোয়ননা ভাংলোম্বক্তা কন্নবা উশনা অদু মহাদেবগী খুত্তা ভাহরে। উশনাবা খুত্তা থংলবদু উবদা মহাদেবনা খু লাওনা কাখোক্তুনা মহাকপু চিংশিন্দুনা পুকচুংদা থোচ্ছিনখ্রে ॥১৯॥

মহাদেবগী পুকচুংদা চঙখিদুনা উশনানা পুক মচুংদা মকম অমদগী মকম অমদা কোয়চৎ চৎদুনা লৈ ॥২০॥

যুধিষ্ঠিরনা হংজি,— ঈশ্বরো! তপস্যা কল্লবা, তেজ লৈরবা উশনানা করিগী মখক মহাদেবগী গর্ভ মচুংদা চৎকৎ চন্দা চৎলুনা লৈরিবনো? অদুগা মহাদেবগী হকচাংগী অদুদা করি করি তৌখি? ॥২১॥

ভীষ্মনা হায়,— নিংথৌ! লীপে তাও। মমাংদদা মহাব্রত কল্লবা, তেজ লৈরবা মহাদেবনা মথুন্ ভুম্বা উচুপ অমগী মতোঙ্গা, লেঙবনা চপ লেপদুনা চহী অর্ব্বুদ অমা থ্যান তৌদুনা লৈখি ॥২২॥

অদুকপা অকিবা কংলবা তপস্যা অদু লোইশিনবদা পাক চাউরবা পুক্রীহ্রদগী মহাতপস্বী মহাদেব অনি কাখৎলকই। মতমতুমকত্তদা দেবতা পুখনী মকোক ওইবা ব্রহ্মানা মহাদেবগী নাক্তা থংখি ॥২৩॥

অমাঙ-অতা লৈত্রবা ব্রহ্মানা মহাদেবগী মফমদা মহাক্কী তপস্যাগী হৈথার-থিঙ্গায়দনা পাওথোক্‌খিবা, অদুগা মঙ্গল ওইদুনা লৈবগী মরমদু হংখি ॥২৪॥

অদুগী তুংদা মহাজ্ঞানী মহাবুদ্ধিমান্ ওইরবা, ধন্‌কম থোক্‌ত্রবা শক্তিনা মহাক্কী ওইরবা মহাদেবনা, মহাক্কী দেহচুংদা লৈরিবা উশনাগী তপস্যাগদু থোইদোক্না চাউথৎখিবদু উখি ॥২৫॥

নিংথৌ! যুধিষ্ঠির! তপস্যানা কল্লবা, উশনা অসি তপস্যাগী মখক ওইরবা সম্পত্তিদুগী পাদেনা

ততঃ পিনাকী যোগাত্মা ধ্যানযোগং সমাবিশৎ। উশনা তু সমুদ্বিগ্নো নিলিল্যে জঠরে ততঃ ॥২৭॥
তুষ্টাব স মহাযোগী দেবং তত্রস্থ এব চ। নিঃসারং কাঙ্ক্ষমাণঃ স তেন সা প্রতিহন্যতে ॥২৮॥
উশনা তু তদোবাচ জঠরস্থো মহামুনিঃ। প্রসাদং মে কুরুস্বেতি পুনঃ পুনররিন্দম ॥২৯॥
তমুবাচ মহাদেবো গচ্ছ শিশ্নেন মোক্ষণম্। ইতি সর্ব্বাণি স্রোতাংসি রুদ্ধ্বা ত্রিদশপুঙ্গবঃ ॥৩০॥
অপশ্যমানস্তু দ্বারং সর্ব্বতঃ পিহিতো মুনিঃ। পর্য্যক্রামৎ দহ্যমান ইতস্ততস্তু তেজসা ॥৩১॥
স বৈ নিষ্ক্রম্য শিশ্নেন শুক্রত্বমভিপেদিবান্। কার্য্যেণ তেন নভসো নাধ্যগচ্ছত মধ্যতঃ ॥৩২॥
বিনিষ্ক্রান্তং তু তং দৃষ্ট্বা জ্বলন্তমিব তেজসা। ভবো রোষসমাবিষ্টঃ শূলোদ্যতকরঃ স্থিতঃ ॥৩৩॥

মহোল অদুমক্ত মহাকী ব্রহ্মতেজঙনা পুমঙাল ও'রখি ॥২৬॥ অদুগী তুংদা মহাযোগী মহাদেবনা য়াম্না কম্না ধ্যান তৌবা হৌখি। মহাদেবনা ধ্যান অদুম কম্না কম্না তৌশিল্লকপহুদা দেহমুংদা লৈরিবা উশনাসি অদুম পিকশন্‌খিহনা মহাদেবগী গর্ভমুংহুদা তুমখিগদবগুম— লুপখিগদবগুম তৌরে ॥২৭॥

মতম অদুদা মহাযোগী উশনানা মহাদেবগী স্তুতি তৌরক্লে। মহাক থাওবা ওন্থকহনবা মহাদেবগী হকচাংমুংদগী মপান্ থোরকনীংলে। অদুবু মহাদেবনা মহাকী লম্বী থোঙ পুম্নমক থিংলে ॥২৮॥

য়েক্নবা ভম্বা নিংথৌ যুধিষ্ঠির! মহাদেবগী পুকমুংদা "প্রভু! মনাই ঐগাকপু মপাম্ থোরকহন্‌বিয়ো" অদুম হায়না কম্না হম' হায়জখি ॥২৯॥

মতম অদুদা মহাদেবনা মহাযোগী উশনাদা অদুম্না হায়খি,— "ঐগী লিঙ্গগী মথীলদগী থোকমলক্উ, মংবু উদ্ধার তৌবগনি।" অসি হায়বগা মহাদেবনা অতৈ থোঙ পুম্নমক থিংখি ॥৩০॥

মায়কৈ পুম্নমদা ঈথৎ থংগ্রবা, চংক্নম শীবরবা উশনানা, শিবলিঙ্গগী থোঙ অদু থাওবা মরেক্ লানা উবা ফংখিদ্রে। ভগবান্ সদাশিবগী তেজনা চাকখিদুনা মকম মথাং শকনবা পুকমুংদনা অমমগী অমদা— কোয়গৎ চংবুনা লৈখি ॥৩১॥

মতুংদা উচিন্-শাচিন্না মহাদেবগী ঈশিং-থোঙগী মথীল অদোমদা দেবর্ষি উশনা অসি মপাম্ থোরক্লে। লিঙ্গশরীরগী থোক্লকই— পোক্লকই হায়দুনা উশনাগী অকাওবা মিং অসি শুক্র— বীর্য্য হায়না অদুম মকৌমলে। মমমসিমক্তনা মহাক্ আকাশ-লম্বীদা থোরকখিদ্রে ॥৩২॥ *

মহাদেবগী পুকমুংদগী মপাম্হোক্ল থাওবদা উশনা অসি মশাগী তপস্যাগী তেজ অদুমক্তনা মহাক অসি মশেক্ মঙাল্লা পুম্নং লংঙম্মি। অদুগুম্বা অবস্থানা লৈরিবা উশনাবু উবদা মহাদেব অসি অমুক হন্না শাউ-রক্লে। খুত্তা ত্রিশূল পায়দুনা উশনাগী মাঙ মক্তদা চপ্ লেপ্পি ॥৩৩॥

---

* মমাগী গর্ভমুংদগী থোরকপা— পোক্লকপা জীব পুম্নমনা আকাশগী লম্বীদগী থাক্তনি। প্রসূতিবায়ুনা ইথোক্লপা পোকপমক্তনি। বায়ু— মুংশিত্তি আকাশগী মরক্তা হায়বদি— লম্বী থাবদুনা থোরকপা জীব মক্তনি। (কালাচাঁদ)

অথাব্রবত তং দেবী ক্রুদ্ধং পশুপতিং পতিম্। পুত্রত্বমগমৎ দেব্যা বারিতে শংকরে চ সঃ ॥৩৪॥

দেব্যুবাচ।

হিংসনীয়স্ত্বয়া নৈব মম পুত্রত্বমাগতঃ। ন হি দেবোদরাৎ কশ্চিন্নিঃসৃতো নাশমৃচ্ছতি ॥৩৫॥

ততঃ প্রীতো ভবো দেব্যাঃ প্রহসংশ্চেদমব্রবীৎ। গচ্ছত্বেষ যথাকামমিতি রাজন্ পুনঃ পুনঃ ॥৩৬॥

ততঃ প্রণম্য বরদং দেবং দেবীমুমাং তথা। উশনা প্রাপত্তদ্ধীমান্ গতিমিষ্টাং মহামুনিঃ ॥৩৭॥

এতত্তে কথিতং তাত ভার্গবস্য মহাত্মনঃ। চরিতং ভরতশ্রেষ্ঠ যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি ॥৩৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
ভব-ভার্গব-সমাগমে চতুরশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৪॥

——:():——

মতম অসিদা শান্তিরবা মপুরোইবা মহাদেববু পার্ব্বতীনা থামজিন্খি। পার্ব্বতীদেবীনা থামজিন্নরবা তুং অসিগী শুক্রাচার্য্য অসি মহাদেবগী পুত্রত্তার (মচানক ওইবগী মওং) বু কাখি ॥৩৪॥

পার্ব্বতীদেবীনা হায়খি,— প্রভু! হৌজিক্তি শুক্র অসে ঐমকী মচা ওইরে। অদুনা প্রভু! মচাবু নামক্ক হাংপা চুমদে ঔবুংগো! মহাক্কী পুক্কী তামথপা শুক্র অসিবু অগত্তা কনা অমত্তনা হাংপা য়াদে— হাংহৈদে ॥৩৫॥

পার্ব্বতী মা তাবদা মহাদেবনা য়াম্না পেন্খি। "কল্লে, মহাক হৌজিক মহাক্কা চংনীংবা মফমদা চৎপ ওইসনু।" অসুম মহাদেবনা পার্ব্বতীগী মতমদা হায়খি ॥৩৬॥

মরু তাবদা শিংলবা, তপস্যা কল্লবা মুনি শুক্রাচার্য্য অসি পার্ব্বতীগা মহাদেবগা অনীগী মফমদা নোমজুক্না খুৎয়ুমগা মহাক্কা চংনীংবা মায়কৈদা চৎখি ॥৩৭॥

ভীষ্মনা হায়,— ভরত-শাগেগী অথোবা! মিংথৌ! যুধিষ্ঠির! শুক্রাচার্য্যগী পুনশিগী মরমদা, অদুগা কমিগী দমক উশনা কৌবা মহাক্কা শুক্র কৌথ্রিবা হায়বদুগী মরমদ, ঐনা নংগী নকমদা জীয়রজি ॥৩৮॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্ম পর্ব্বনা শুক্রাচার্য্য-মহাদেব-উনবদা চনীমরিফুনরিতুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৪॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

পঞ্চাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশরগীতা হৌবা মতাং)

চনীম্নরিকুমঙাশুবা অধ্যায়।

——:():——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

অতঃপরং মহাবাহো যচ্ছ্রেয়স্তদ্বদস্ব মে। ন তৃপ্যাম্যমৃতস্যেব বচসস্তে পিতামহ ॥১॥

কিং কর্ম পুরুষঃ কৃত্বা শুভং পুরুষোত্তম। শ্রেয়ঃ পরমবাপ্নোতি প্রেত্য চেহ চ তদ্বদ ॥২॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যামি যথাপূর্ব্বং মহাযশাঃ। পরাশরং মহাত্মানং প্রপচ্ছ জনকো নৃপঃ ॥৩॥

কিং শ্রেয়ঃ সর্ব্বভূতানামস্মিঁল্লোকে পরত্র চ। যদ্ভবেৎ প্রতিপত্তব্যং তদ্ভবান্ প্রব্রবীতু মে ॥৪॥

ততঃ স তপসাযুক্ত সর্ব্বধর্ম্মবিধানবিৎ। নৃপায়ানুগ্রহমনা মুনির্ব্বাক্যমথাব্রবীৎ ॥৫॥

পরাশর উবাচ।

ধর্ম এব কৃত শ্রেয়ানিহলোকে পরত্র চ। তস্মাদ্ধি পরমং নাস্তি যথা প্রাহুর্মনীষিণঃ ॥৬॥

যুধিষ্ঠিরনা হায়,— কল্লবা ঈবু থৌ। অসিগী তুংদা ঐঙোন্দা তাকপিগদবদি কৰিগুম। উপায় অমনা অমনা পুন্নশিসিদা মঙ্গল ওইবা উম্লনবা মদু ময়া উপায় অদু ঐঙোন্দা তাকপিয়ু। অমুত্তবু থকপা হৌরুবগা, অমুক থক্লীঙ্লনা তাক্ত নৈনীংবদুগুম্না ঈবুঙোগী ৱারীশিং অসি তাবগী পেন্‌বা নৈঙ্গদে ॥১॥

নিপা অথোইবা। অকন্‌বা। ঈবুঙো। ঐনা ঈবুঙোদা হংজরিবদি, কয়ম্বা ধর্ম তৌরগা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মঙ্গল ওইবা ফংগনগে হায়বা অসিতনি ॥ ॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। নঙক্তা লৌকিক হংজিলগা বিষয় অসিদগী মমা হৈৱা থোকখিবা ৱাফম অমা খুদম ওইনা লৌতুনা তাহনুগে। মমা হৈৱা নিংথৌ জনকনা পরাশর ঋষিগী মফমদা অমুম্না হংখি ॥৩॥

মুনিদেব। সংসারদা অসিগুম পোৎশক অমত্ত তাকপিয়ু,— পোৎশক অদুনক্তনা পাইথে ওইদুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা তাইবা মীওইবা পীথোয়না মঙ্গল ওইবক্তা মফংবা— অসিনি ॥৪॥

ৱা অসি তাবদা ধর্মগী তত্ত্ব পুম্না লোইনা খঙলবা পরাশর মুনিনা অমুম্না হায়খি ॥৫॥ নিংথৌ ! ঋষিমচা অশিংবা, অশংবা মীশিংনা হায়বনৈ,— বিধি-নিয়ম কায়দনা ধর্মগী থবকপু অনুষ্ঠান তৌরবদি, হায়রবদি— লিংথৎলবদি মাহুগী মহৈক্তুমক্তনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা মহামঙ্গলগী মশক ওই। মাসিদগী

প্রতিপত্তে নরো ধর্মং স্বর্গলোকে মহীয়তে। ধর্মাত্মকঃ কর্মবিধির্দেহিনাং নৃপসত্তম ॥৭॥
তস্মিন্নাশ্রমিণঃ সন্তঃ স্বকর্মাণীহ কুর্ব্বতে ॥৮॥
চতুর্বিধা হি লোকেঽস্মিন্ যাত্রা তাত বিধীয়তে। মর্ত্ত্যা যত্রাবতিষ্ঠন্তে সা চ কামাৎ প্রবর্ত্ততে ॥৯॥
সুকৃতাসুকৃতং কর্ম নিষেব্য বিবিধৈঃ ক্রমৈঃ। দশার্দ্ধপ্রবিভক্তানাং ভূতানাং বিবিধা গতিঃ ॥১০॥
সৌবর্ণং রাজতং চাপি যথা ভাণ্ডং নিষিচ্যতে। তথা নিষিচ্যতে জন্তুঃ পূর্ব্বকর্মবশানুগঃ ॥১১॥
নাবীজাজ্জায়তে কিঞ্চিন্নাকৃত্বা সুখমেধতে। সুকৃতৈর্বিন্দতে সৌখ্যং প্রাপ্য দেহক্ষয়ং নরঃ ॥১২॥

তেন্বা অথোইবা অরায়বা উপায় শমত্তা লৈত্রে ॥৬॥ নিংথৌ অথোইব ! ধর্মগী তত্ত্ব যুম্না খঙলগা, মাহুৎনী মতু ইম্না থবক তৌরবা মী মহাক অমু স্বর্গলোকত্তা সম্মান কংন্তি। বেদগী মকম পুন্নবক্তা বেদশিংদা অচুম্বা ওাঙত্তু, ধর্মগী থবক তৌ, যজ্ঞ দান তৌ, অসিনচিংবা হায়রিবা উপদেশশিং অদো ধর্মগী লক্ষণ— খুদম মক্তনি ॥৭॥

আশ্রম খুদিংদা লৈরিবা মীশিংনা, হায়বদি— ব্রহ্মচর্য্য, গার্হস্থ্য, বানপ্রস্থ, সন্ন্যাস আশ্রমশিং অসিদা লৈরিবা মীশিংনা হায়রিবা ধর্মগী লক্ষণ অমদি পাউতাকশিং অসিগী মথুংইন্না, থবকশিং অদু অচুম্ মতৌ-পদবনি ॥৮॥

উবুংঙো ! নিংথৌ ! মর্ত্ত্যলোক অসিদা জীবিকাগী দমক লৈরিবা থবক মওং অসি মথল মরিনি। ব্রাহ্মণশিংনা যজমানশিংগী মঙলগী দমক্তা যাগযজ্ঞ তৌবিহুনা, জ্ঞানগী উপদেশ পীবিহুনা মাহুৎনী কংলকপা দান দক্ষিণাহুনা মথোয়গী জীবিকা ওই। ক্ষত্রিয়শিংনা অমদি ক্ষত্রিয়-নিংথৌশিংনা অতৈ অতৈ জাতিগী ওাক্-শেনরবা মথোয়গী দমক্ত কৈরবশিংগা লাম্ফেংনরিবা, মাহুৎনী দমক্ত কর— খাজনা লৌবনা মথোয়গী জীবিকা ওই। বৈশ্যশিংনা অতৈ অতৈ ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় শূদ্রশিংগী চাননবা চীজাকী দমক্ লল্লোন্ ইভীকপা লৌ উবনচিংবা থবকশিং অদু তৌরিব, অদুগা মাহুৎনী কংলকপা শেল অহুনা মথোয়গী জীবিকা ওই। শূদ্রশিংনা হায়রিবা মীশকশিং অসিগী মফি-মরোল শূব-চাম্বনচিংবা থবক তৌবহুনা মাহুৎনী কংলকপা শেল অহুনা মথোয়গী জীবিকা ওই। অদুগা জীবিকাশিং অসি দৈবনা হায়বদি— লাইগী মোংদম হায়-বহুনা পাঙথোক্লিবা ওাক্তনি ॥৯॥

মথল মথ অয়াম্বা পাপকর্ম পুণ্যকর্ম কয়া কয়া তৌহুনা মথং মথং শিরক্-পোক্রকপা জীব অহুনা হায়বদি— স্থুলশরীর— অচৌবা অউবা হকচাং শিং কয়া কয়া থাদোক্লক্লিবা জীব অহুনা কংথিবা, কংথি-দৌরিবা গতিশিং অহুম্ অমত্তা মায়দে ॥১০॥

কোম্বী, পীথ্রাইনচিংবগী পাত্রদা সনা লুপাগী মহীনা কনাই (মচু-শংবা) তৌশিল্লবদি মথোয়মু সনা লুপাগুম অহুম মণ্ডবহুগুম্না হায়-কর্মগী মথাক্তা, অদুগা মাহুৎনী সংস্কারনা জীব, হায়বদি— হায়গী কর্মগী মথাক্— প্রারব্ধকর্ম অহুদা অহুম্ লুপহুনা লৈ। পুণ্যকর্মনা লুপ্ পুবনা হুণ্ডাইবা কংন্তি। পাপকর্মনা লুপ্ পুবনা অরাবা কংন্তি ॥১১॥ মরু হুন্দনা— শিংদনা মরোল চোংনীংঙায় লৈত্তবহুগুম্না— পুণ্যকর্ম

নৈবং জাত ন পশ্যামি নাস্তি নৈষস্থ সাধনম্। স্বভাবতো সংসিদ্ধা দেবগন্ধর্বদানবা চ ॥১২॥

প্রেত্য জাতিকৃতং কর্ম ন স্মরন্তি সদা জনাঃ। তে বৈ তস্য ফলপ্রাপ্তৌ কর্মচাপি চতুর্বিধম্ ॥১৪॥

লোকযাত্রাশ্রয়শ্চৈব শব্দো বেদাশ্রয়ঃ কৃতঃ। শান্ত্যর্থং মনস স্তাত নৈতং বৃদ্ধানুশাসনম্ ॥১৫॥

চক্ষুষা মনসা বাচা কর্মনা চ চতুর্বিধম্। কুরুতে যাদৃশং কর্ম তাদৃশং প্রতিপদ্যতে ॥১৬॥

নিরন্তরং চ মিশ্রং চ লভতে কর্ম পার্থিব। কল্যাণং যদি বা পাপং ন তু নাশোঽহবিদ্যতে ॥[illegible]॥

তৌদনা লুংঙাই য়াইফবা চাউখংপা ফংবা হায়বদি ওইথোক্কবনি। অদুনা দেহসি থাদোক্লরবা তুংদা পুণ্য-কর্মধুগী মহৈনা লুংঙাইবা ফংঙি ॥১০॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! মতাং অসিদা নাস্তিকশিংনা হায়রিবদি— নহালমুক্কী মপোক্ নহালমুক্কী কর্মগী মথাক হায়রিবসিনচিংবসি প্রত্যক্ষ নত্তে— মীংনা উবা নত্তে। অদুগা হৌজিক্ হৌজিক্ মতুগী করিগুম্বা প্রমাণ খুদম অমত্তসু পীনীংঙাই লৈত্তে। দেবতা, গন্ধর্ব্ব হিংচা–য়াইতম্বা, শাস্ত্রা অসিনচিংবগী মপোক অসিদি মশানা অমদি মশা মশাগী স্বভাবনা অদুম মওইজরকপনি— অসিনি মথোয়না হায়রিবা ॥১৩॥

মাসিদা খুমখনবদি— হকচাং থাদোক্লুনা চংখ্রবা, হায়বদি— শিখ্রবা জীব পান্বা পুম্নমক্না মমাংডৌদা তৌথিবা কর্ম থিবিফপু লোইনা নীঙশিংবা চীন্থা পূবা ওমদে। অদুবু মমাংডৌদা তৌথিবা কর্মচুগী মহৈ অদু থম হেক্ ফংবদা পুক্নীংনা, য়াহৈনা, মীংনা অমদি থবক্না কর্ম মরিবু হক নীঙশিংহল্লি। মতম অদুদা নহালমুক্কী মপোক্কা অমুম্না থোকউ তমখিবনা— নহালমুক্কী মপোক্কা তৌথিবা কর্মচুগী মহৈনা হুন্দকী অমম মপোক্কা ফংলরিবনি হায়না মশানা হেক্কত্তা হায়দোকচরকই ॥১৪॥

নিংথৌ! নাস্তিকশিংনা হায়রিবদি পোক্লিবা মপোকসিগী জীবিকাগী দমক অমুগা পুক্নীংদা শান্তি পীন-নবগী দমক্ত বেদগী পাউতাক, মন্ত্র, য়ারীশিং অসিনা লৈজরকনি, অসিনি। অদুগা মথোয়না অমুম্নমু অমুক হায়রি,— বেদনা হায়রিবা তাক্লিবা পাউতাকশিং অসিদি মশা শোয়রবা, মপাঙ্গল লৈজত্রবা মথোয় অদুগী জীবিকা তাক্লনব', অমুম্বা থবক তৌননবা অদুগী দমক্কনি। অমুম্না পাউতাক পীন পীনা নহালমুক্কী মপোক, হুন্দকমুক্কী মপোক অসিনচিংবসি থম্নজরক্লরতনি। য়ারবা- খুদোংথীবা ফংলবা, নংলবা মীশিংগী মপুক্নীংদা তপথবা, থাওহৈবা অমদি শান্তি পীননবগী দমক্তনি, অসিনি নাস্তিকশিংনা পুরিবা য়াথন্দি। অদুবু যুধি-ষ্ঠির! মপোয় নাস্তিকশিংগী মত অসি থাজবা য়াবা, লৌরবা য়াবা রা অমত্তা নত্তে। মহাজ্ঞানী ওইরবা পতঞ্জলি ঋষিনচিংবনা অমুম্ন থক্ হায়রবা নত্তে। পুন্শিগা অম লুংঙাই ফংবগা অনী অসিদি নহালমুক্কী মপোক্কী কর্মগী মহৈনি, হায়রবসি মহাজ্ঞানী মহর্ষিশিংগী মতনি ॥১৫॥

তাইবং মীনা মীং, পুক্নী, য়াহৈ অমদি লেপ্তবা ওংপমচিংবা থবক, হায়রিবা অহুম অসিনা কর্ম মথক্ল য়রি তৌনরি। তৌক তৌক্লবা কর্মচুগী মপা চাব চাবা মহৈসু অদুম ফংঙি ॥১৬॥

নিংথৌ! তাইথংমী হায়থসিনা তৌরিবা কর্মচুগী মহৈগী মশক ওইনা অরাবা লুংঙাইবা, অদুগা— অরাবগা লুঙোইবগা অনী পুন্বসু অদুম্ ফংনরি। পুণ্যকর্মবু ওইরবসু পাপকর্মবু ওইরবসু কর্ম কর্মচুগী মহৈ

কদাচিৎ সুকৃতং তাত কূটস্থমিব তিষ্ঠতি। মজ্জমানস্য সংসারে যাবদ্ দুঃখাদ্ বিমুচ্যতে ॥১৮॥
ততো দুঃখক্ষয়ং কৃত্বা সুকৃতং কর্ম্মসেবতে। সুকৃতক্ষয়াদ্ দুষ্কৃতং তদ্বিদ্ধি মনুজাধিপ ॥১৯॥
দমঃ ক্ষমা ধৃতিস্তেজঃ সন্তোষঃ সত্যবাদিতা। হ্রীরহিংসা ব্যসনিতাদাক্ষ্যং চেতি সুখাবহাঃ ॥২০॥
দুষ্কৃতে সুকৃতে চাপি ন জন্তুর্নিয়তো ভবেৎ। নিত্যং মনঃ সমাধানে প্রযতেত বিচক্ষণঃ ॥২১॥
নায়ং পরস্য সুকৃতং দুষ্কৃতং চাপি সেবতে। করোতি যাদৃশং কর্ম্ম তাদৃশং প্রতিপদ্যতে ॥২২॥
সুখদুঃখে সমাধায় পুমানন্যেন গচ্ছতি। অন্যেনৈব জনঃ সর্ব্বঃ সংগতো যশ্চ পার্থিবঃ ॥২৩॥
পরেষাং যদসূয়েত ন তৎ কুর্য্যাৎ স্বয়ং নরঃ। যোহস্যূয়স্তথযুক্তঃ সোহবহাসং নিযচ্ছতি ॥২৪॥

অদু ভোগ তৌত্রিমথৈ— ফত্রি চাত্রিমথৈ পাপ-পুণ্য কর্মশিং লোইবা থক্বা নাইদে ॥১৭॥

ঐবুঙো। সংসারগী ঈপাক্তা লুপ্পবা মীগীদি অরা-থুদেংবা অদুদগী লাম্বোকত্রি কাওবদি, পুণ্যকর্মদু হায়দগী মকম ঈরেও লেঙনবগুম অতুম্ মরে। অমুগীদি অরাবদু কংলবা মতুংদগীদি তাইবংমী হায়বসিনা মহাক্কা তৌখ্রিবা পুণ্যকর্ম্মগী পুণ্যফল ভোগ তৌবা চাবা হৌরকই। অদুগুম্বা পুণ্যকর্মগী মথেৎদুবু চাবা লোইরবা মতুংদা পাপকর্মগী মহৈ অদু অমুক চৎবা হৌরক্লি। নিংথৌ? মাসি মহাক থাজবগা লোয়ননা লৌ— খঙহু ॥১৮—১৯॥

ইন্দ্রিয় খুদেম চনবা, ভাকুপিহৈবা, তপথবা, মরিল-মথৌনা লৈবা, ঈপেন্ত-পেঙ্গরা, অচুম্বা ভাঙবা, ঈকায়বা থকবা, হিংসা তৌদবা, ঈকান্ কায়না কা হেন্না কেথোক-মোথোকপা, থবক্তা য়াম্না মীৎশিং-না-শিংনা হায়রিবশিং অসি পুনশিনদা নুংঙাইবা পীবিবা মতুনি ॥২০॥

জ্ঞানীশিং অশিংবশিংনা পাপ-পুণ্য কর্ম অনীমক্তা কা-হেন্না আসক্তি থম্মুদনা পুক্কীবু মতম পুম্বদা পরমাত্মাগী ধ্যানদা লুপহন্দুনা থম্মদবনি ॥২১॥

জীব হায়বসিনা অতোপ্পা অমনা তৌবা অফবা ফত্তবা থবকপু অমদি লবক্তী মহৈবু ভোগ থক্ তৌদে চাদে। মশানা তৌবা কর্মদুগী মহৈদুনি মহাক্না চারি ফংলিবসি ॥২২॥

দুং-মাং য়েংনা চৎপা অশিংবশিংমা অরাবা নুংঙাইবা অনীমকপু, মশা মশা মথন্তগী মনুংদা চপশিন্-হন্থদুনা অতোপ্পা মার্গদা চায়বদি মোক্ষমার্গদা চৎলি। লুপী-অঙাং, মচা-মশু, লন-লুমথনা কা হেন্না আসক্তি থম্বা অদুম্বা য়াম্না সংসারী ওইবা মীশিংনা হায়রিবা মার্গ— লম্বী অসি নত্তবা অতোপ্পা শেয়াম্নবা মার্গ-মদা অদুম চৎথি। অদুগুম্বা মীশিং অদুনা সংসারদা হন্না হন্না পোক্লে, হন্না হন্না শিরে ॥২৩॥

মী অমনা তৌরিবা ফত্তবা মহাক মশামক্না নিন্দা তৌরম্বিবা অদুগুম্বা কর্ম অদু মহাক মশামকমসু থক্ তৌরোইদৌবনি। মীগী ফত্তবা কর্মদুতবু নিন্দা তৌরিবা অদুগা মহাক মশানদি অদুগুম্বা কর্মদুদি— অদুম মতৌরিবা, অদুগুম্বা মী মহাক অদুনা লোক সমাজদা ঈকায়বা ফাই, মতোন্দা মীয়োক্ চডিও; মী অদু মীনা নোক্নীত্তোয়গী মশক্তা মওই ॥২৪॥

নিংথৌ। য়াম্না কিপনবা, মীকিথী ওইবা ক্ষত্রিয়, চাহৈ-চাহৈদবা করিমত্তা থম্বনা— অক্ষং অকংবত্তা

ভীরু রাজন্যো ব্রাহ্মণঃ সর্ব্বভক্ষ্যো বৈশ্যোঽনীহাবান্ হীনবর্ণোঽলসশ্চ।
বিদ্বাংশ্চাশীলো বৃত্তহীনঃ কুলীনঃ সত্যাদ্বিভ্রষ্টো ব্রাহ্মণঃ স্ত্রী চ দুষ্টা ॥২৫॥
রাগী যুক্তঃ পচমানোঽত্মহেতো মূর্খো বক্তা নৃপহীনং চ রাষ্ট্রম্।
এতে সর্ব্বে শোচ্যতাং যান্তি রাজ্য রাজন্ যশ্চাযুক্তঃ স্নেহহীনঃ প্রজাসু ॥২৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি পরাশর-গীতায়াং পঞ্চাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৫॥

——:(৬):——

চাশিন্‌বা অচুম্বা ব্রাহ্মণ, সমাজগী উপকারগী দমক্তা লৈরিবা কৃষিকর্ম ব্যবসায়নচিংবদা পুক্নীং চঙজবা, যাম্না তন্‌বা বৈশ্য, মীগী সেবা লাংবানচিংবা থবক্তা পুক্নীং চঙত্তক্তবা শূদ্র, ধর্ম থঙবনীদি হায়রগা অচুম্বদি থক্ তাঙদবা, মরমচং চুমজবী লুপী, সংসারগী বিষয়দা আসক্ত ওইরিবা যোগী, মশা মথন্তনা চাথোক্নবা থোংলিবা অমদি চারিবা অচুম্বা অনীকপা মী মশাদি মূর্খ ওইরবা চীন্‌কেংনা রা ঙাংলিবা অচুম্বা বক্তা, নিংথৌ পান্দ্রবা লৈপাক, ইন্দ্রিয় থুরম চন্‌বা ঙমজবা অমুগা প্রজাশিংবু পেলহন্‌বা ঙমদ্রবা অচুম্বা, মশিংতা ঙাক্‌ন্‌বা নিংথৌ— মথোয়শিং অসি মহা অরাবগী মশক্নি, জীব পুম্নগী লোক্নীঙতায়নি ॥২৫—২৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাগী চনী-মরিফুমঙাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৫॥

——:(৬):——

মণিপুরী মহাভারত

ষড়শীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পরাশর-গীতা— কর্ম্মগী মহৈনা অরেম্বদা থক্ মাঙলোইদৌবা)

চনীগা মরিফুতরুকশুবা অধ্যায়

——:(৬):——

পরাশর উবাচ।

মনোরথরথং প্রাপ্য ইন্দ্রিয়ার্থহয়ং নরঃ। রশ্মিভির্জ্ঞানসম্ভূতৈর্যো গচ্ছতি স বুদ্ধিমান্ ॥১॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ। ইন্দ্রিয়শিংগী অউবা মশক ওইরবা সগোলশিংনা চিংলিবা, পুক্নীংগী মশক

যেনাহঙ্কৃতেন মনসা বুদ্ধিহীনস্তু শস্যতে। দ্বিজাতিহন্তা নির্দ্ধা ন তুল্যাৎ পরম্পরা ॥২॥
আয়ুর্ন সুলভং লব্ধ্বা নাবকর্ষেৎ বিশাম্পতে। উৎকর্ষার্থং প্রযতেত নরঃ পুণ্যেন কর্ম্মণা ॥৩॥
বর্ণেভ্যো হি পরিভ্রষ্টো ন বৈ সম্মানমর্হতি। ন তু যঃ সংক্রিয়াং প্রাপ্য রাজসং কর্ম্মসেবতে ॥৪॥
বর্ণোৎকর্ষমবাপ্নোতি নরঃ পুণ্যেন কর্মণা। দুর্লভং তমলব্ধ্বা হি হন্যাৎ পাপেন কর্ম্মণা ॥৫॥
অজ্ঞানাদ্ধি কৃতং পাপং তপসৈবাভিনির্ণুদেৎ। পাপং হি কর্ম্ম ফলতি পাপমেব স্বয়ং কৃতম্ ।
তস্মাৎ পাপং ন সেবেত কর্ম দুঃখফলোদয়ম্ ॥৬॥

ওইরবা সূক্ষ্মশরীর (লিঙ্গশরীর—পীক্লবা হকচাং) অসিনা ব্রথগী মশক্নি। অহংবৃত্তিশিং অসিনা শগোল-চুপ্পীগী মশক্নি। মচাক্শিং অসিনা শায়রবা মুখ মথক্ অসিদা তোংলিবা পুরুষ (আত্মা) না, হায়বদি—মী মগাক অহুনা সংসার লান্ কমদা কাম, ক্রোধনচিংবা য়েক্কবাশিংবু জয় তৌগে হায়না চোংথোকক্লবদি মহাক অহু অশিংবনি ॥ ॥

ইন্দ্রিয়শিংনা মপানগী সংসারদা, হায়বদি— মীংনা উত্থিবা মপান্গী হকচাং অসিদা চংলিবা আচম্বপ লমচৎ-শাজংশিং অসিদগী মথুংলোমদা হোৎচিন্নকুনা— মমায় লৈশিল্লকুনা ঈশ্বরগী আশ্রয়দা চত্তজদুনা পুক্নীং-থনা মহাকপু উপাসনা তৌরিব মহাক অহুগী উপাসনা অহুথনা, হায়বদি— লাইনিং অহুথনা অথোইবা অমদি অচম্বা উপাসনা হায়বহু ওইরিবনি। অসিগুম্বা উপাসন— লাইনিং— লাইবু নীংবা অসিদি কর্ম-গুম্ব থাঙলব মহাজক জ্ঞানী ব্রাহ্মণ অমগী বর পীন-হৈরবা মখুত্তগী ও ফ নরিবনি। চীনুকেং কবা, জ্ঞান-শক্তি মায়রবা মপ্রাম্রবশিংনা অমগামগী তাম্বোংনবদগী ফংগদবা নত্তে ॥[illegible]॥

প্রজাশিংগী মপু। নিংথৌ ! তাইবং মীগী হকচাং অসে— পাক্ পাক ফংবা, য়াম্না হোৎবা হকচাং নত্তে। মাসিদি য়াম্না থাঙলবা পোৎশক অমনি। মাশিবু ফংলগা আত্মাশিবু লৈথা তাহন্গদবা নত্তে। তাহন্বদু য়াম্না চুম্দে। অহুনা পুণ্যকর্মশিংগী পাম্বৈথনা আত্মাশিবু ক্রকংনবা— উন্নতি-বিধান— চাউথৎ-নবা হোৎনগদবনি ॥৩॥

কল্লনা কর্মগী মতু শংজিন্দুনা ভ্রষ্ট ওইরবা— লৈথং তাররবা, পুরথু থুগাইরবা মহাক অহুদি ইহলোক, পরলোক অনীমক্তা সম্মান ফংলোই। অহুগা মাহু ফংবনু মতৌক চাদে। মাসি নত্তগা সত্ত্বগুণদু ফংলগনু, রাজসিক-কর্ম তৌহুনা রজোগুণগী মহৈ ফংলবসু সম্মান অহু ফংবা ঙম্লোই ॥৪॥

পুণ্যকর্মগী পাম্বৈথনা অথোইবা বর্ণ— মচু— জাতি অসি ফংলগিবনি। হায়বদি— অথোইবা মীগী মপোক্তা পোক্লগিবনি। পাপী অমনা মাসি অমুক ফংলরোইদৌবনি। মপোক অসিবু ফংদহুনা পাপকর্ম অহুগী মহৈ ওইনা তোল্লবা শাগাগী মপোক্তা পোক্লুগদবনি ॥৫॥

খঙহৌদ্রহুনা চোকলিম্হৌদবগী পাপকর্ম অহু তৌরবসু মাহু তপস্যাতনা মংহম্গদবনি। মরমদি, তৌরিবা পাপকর্ম অহুগী মহৈনা পাপ-তগী মশক্ ওইরবা অয়াবসু ফংগনি। অহুনা অয়াবা থুদোংথীবতবু

পাপানুবন্ধং যৎ কর্ম যদ্যপি স্যান্মহাফলম্। তন্ন সেবেত মেধাবী শুচিঃ কুশলিনং যথা ॥৭॥
কিং কষ্টমনুপশ্যামি ফলং পাপস্য কর্মণঃ। প্রত্যাপন্নস্য হি ততো নাত্মা তাবৎ বিরোচতে ॥৮॥
প্রত্যাপত্তিশ্চ যস্যেহ বালিশস্য ন জায়তে। তস্যাপি সুমহাংস্তাপঃ প্রস্থিতস্যোপজায়তে ॥৯॥
বিরক্তং শোধ্যতে বস্ত্রং ন তু কৃষ্ণোপসংহিতম্। প্রযত্নেন মনুষ্যেন্দ্র পাপমেবং নিবোধসে ॥১০॥
স্বয়ং কৃত্বা তু যঃ পাপং শুভমেবানুতিষ্ঠতি। প্রায়শ্চিত্তং নরঃ কর্তুমুভয়ং সোহশ্নুতে পৃথক্ ॥১১॥
অজ্ঞানাত্তু কৃতাং হিংসামহিংসা ব্যপকর্ষতি। ব্রাহ্মণাঃ শাস্ত্রনির্দেশাদিত্যাহুর্ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১২॥
তথা কামকৃতং নাস্য বিহিংসৈবাপকর্ষতি। ইত্যাহুর্ব্রহ্মশাস্ত্রজ্ঞা ব্রাহ্মণাঃ ব্রহ্মবাদিনঃ ॥১৩॥
অহং তু তাবৎ পশ্যামি কর্ম যৎ বর্ততে কৃতম্। গুণযুক্তং প্রকাশং বা পাপেনানুপসংহিতম্ ॥১৪॥

পীগদবা অংগুম্বা পাপকর্মবু থাদোক্কদবনি— থক্ তৌরোইদোবনি ॥১॥ পাপকা মরী লৈনবা কর্ম অমুদি লোকত্তা চানবা ফল য়াম্না ফবা, অচৌবা ওইরবস্ু অশিংবশিংনা অমুগুম্বা কর্ম অমু থক্ তৌরোইদোবনি। অমুগুম্বা পাপকর্মদগী য়াম্না লাপথোক্না লৈগদবনি। চণ্ডাল ওইবা মতৌবা মীশিংদগী শেংলবা, পুণ্যচেন্নবা, পবিত্র ওইরবা মীশিংনা লাপথোক্লদুনা কত্রবা কর্মশিংদুগী মতম পুম্নমক্তা লাপ্থোক্লবা— লাপথোক্লবা ফোংনগদবনি ॥২॥

পাপকর্মবু পাপকর্মগী মহৈ হায়রবদুবুসু মীংনা উবা অমত্তা নত্তে হায়দুনা লৈরবা নাস্তিক পাপীশিংনা পরমাত্মাগী মরমদা মহাক্কী মফমদা ভক্তি শ্রদ্ধা থম্নবগী করিমত্তা থদে মাদু থন্নুদ্রে মথোয়না পামদে ॥৮॥

অসিগুম্বা তত্ত্বজ্ঞানবু ফংদবা অমুগুম্বা থাজদবশিং অমুদি পরলোকতা— শিরগা মতুংগী মপোক্তা অমা-খুদোংথীবা য়াম্না ফলুই ॥৯॥

নিংথৌ! অতৈ অতোপ্পা মচু পণ্ডত্রিব কি অদু শুদোকপদি য়ম্না লায়। হেক্না লুকনবা তৌফনবা য়াই। অশংবা অত্তাংবমচিংবা মচু অমা শন্নুবগা কি অবু তৌফনবদি য়াম্না য়াবা থোকই, শত্থিব মচু অদু কোকুউ হায়রবা য়াদে ॥১০॥

খত্তন খরনা পাপকর্ম তৌকরবা তুংদা, মাদুগী প্রায়শ্চিত্ত তৌগে হায়দুনা দানধর্মনশিংবা পুণ্যকর্ম তৌরবা মহাক অদু পাপকর্ম পুণ্যকর্ম অনীদুগী মহৈ অদু তোঙান তোঙানা ফংই ॥১১॥

অদুগা খঙদ্রোদনা তৌরবা হিংসাকর্মদুগীদি অহিংসাব্রত তৌরগা অদুম কোকই হায়না ব্রহ্মবাদী ওইবা ব্রাহ্মণশিংনা শাস্ত্রগী নিয়ম মতুংইন্না অঙুম্না হায়। অদুবু মনীংতম্না তৌবা হিংসাকর্মগী পাপ অদুবুদি অহিংসা ব্রতনসু কোকহনবা ঙমদে, অসুম্না বেদশাস্ত্রশিংগী তত্ত্ব খঙবশিংনা হায়রৈ। বেদগী উপদেশ পীবা ব্রাহ্মণ-শিংনসু মাসি য়াদৈ ॥১২—১৩॥

অদুগা উবত্তদি পাপকর্মবু ওইরবসু, পুণ্যকর্মবু ওইরবসু, লায় তৌথিবু ওইরবসু, কোংনা তৌথি-বু ওইরবসু, খঙনা তৌথিবু ওইরবসু— তৌখিবা কর্মদুগী মহৈদি— ডসি খঙদে, মরোং খঙদে শোয়দনা লাকই, লাক্ক-লাক্কনা তোক্তে ॥ ১৪॥

যথা সূক্ষ্মাণি কর্ম্মাণি ফলন্তীহ যথা তথম্। বুদ্ধিযুক্তানি তানীহ কৃতানি মনসাসহ ॥১৫॥
ভবত্যল্পফলং কর্ম্ম সেবিতং নিত্যমুল্বণম্। অবুদ্ধিপূর্ব্বং ধর্ম্মজ্ঞ কৃতমুগ্রেণ কর্ম্মণা ॥১৬॥
কৃতানি যানি কর্ম্মাণি দৈবতৈর্ম্মুনিভিস্তথা। ন চরেৎ তানি ধর্ম্মাত্মা শ্রুত্বা চাপি ন কুৎসয়েৎ ॥১৭॥
সঞ্চিন্ত্য মনসা রাজন্ বিদিত্বা শক্যমাত্মনঃ। করোতি যঃ শুভং কর্ম্ম স বৈ ভদ্রাণি পশ্যতি ॥১৮॥
নবে কপালে সলিলং সংন্যস্তং হীয়তে যথা। নবেতরে যথাভাবং প্রাপ্নোতি সুখভাবিতম্ ॥১৯॥
সতোয়েঽন্যত্তু যৎ তোয়ং তস্মিন্নেব প্রসিচ্যতে। বৃদ্ধে বৃদ্ধিমবাপ্নোতি সলিলে সলিলং যথা ॥২০॥
এবং কর্ম্মাণি যানীহ বুদ্ধিযুক্তানি পার্থিব। সমানি চৈব যানীহ তানি পুণ্যতমান্যপি ॥২১॥

রাজ্ঞা জেতব্যাঃ শত্রবশ্চোন্নতাশ্চ সম্যক্ কর্ত্তব্যং পালনঞ্চ প্রজানাম্।
অগ্নিশ্চেয়ো বহুভিশ্চাপি যজ্ঞৈরন্ত্যে মধ্যে বা বনমাশ্রিত্য স্থেয়ম্ ॥২২॥

ধর্ম খঙলবা। নিংথৌ! জনক! অসুম হায়না খঙহুনা নপূক্নীংদা য়াম্না নিশ্চয় তৌরপা, হায়বদি— থবক মচা ওইরবসু অচৌববু ওইরবসু থবক থবক অহুনা মাগী মাগী মতৌকপাব মইহৈ ফল অহু পোয়দনা হেক্তা পী। অহুওয়া মহাহিংসানচিংবা অকন্বা তম্থীবা থবক্না খঙহৌদনা তৌথিবা অকিবগী মখক ওইরবা পাপ অহু অহুম লেঙদনা লৈবা তারবদি, মাহুগী মইহৈ পোয়দনা ফংতি। মাসিদা খেন্নরিবা হায়বদু, খঙনা খঙনা তৌথিবা পাপকর্ম অন্নদগীদি খঙদনা তৌথিবহুনা য়াম্না হৈ ॥১৫—১৬॥

দেবতা, মুনিশিংমক্না তৌবা ওইরবসু ফত্তবা কর্মশিংদি ধর্মচেন্বা মীশিংনা থক্কু তৌকম থোক্কে। অদুব থবক্কু তৌই হায়হুনা মখোয়বু, হায়বদি— দেবতাশিং, মুনি-ঋষিশিং অহুবুদি নিন্দা তৌকম থোক্কে ॥১৭॥

নিংথৌ। থবক অসি ঐনা তৌকম থোক্প্রা-থোক্কব্রা? ঐনা ভমগত্রা-ভম্মোইত্রা হায়বদু য়াম্না য়ুম্না খলহৌরগা থবক তৌরিবা মী মহাক অহুদি— লোক সমাজদা মঙ্গল ওইব-ত মফংতিঙ ॥১৮॥

অচোৎপা— মৈ ঈরুবা চফুদা হাপ্লুরিবা ঈশিং অহুদি থম্ন লৈরগা হেক্তা কংশিন্ চুপকিন্থি। অহুগা মৈ ঈরুবা অকংবা চফুদা হাপ্পা ঈশিং অহুদি অহুম ফুইনা লৈ। মতৌ অহুওয়া মুন্নবা— কংলবা থম্মোয় অসিদা পাঙথোকখিবা পুণ্যকর্ম অহুদি কন্নিমত্তা হুন্দনা অহুম্মক লেঙদনা লৈ ॥১৯॥

নিংথৌ জনক! অকংবা নীঙথিনা মৈ ঈরুবা চফুদা হাপ্পা ঈশিং অহুদি, মতোন্দা অনৌবা অমমুক হৈজিন্-য়ান্শিন্নবসু হাপ্পগী ঈশিং অহুগী মায়া— মচাং হেনগংলকপতনি— চাউখৎলমপতনি। মতৌ অহু-ওয়া— হাপ্পা তৌগ্রবা পুণ্যকর্ম্ম অহুগী মথক্তা অনৌবা অহুগুম্ব হাপচিন্নবসু অনী তিন্নহুনা পুণ্যগী শক্তি মহেললহল্লি। মী মহাক অহুসু চাউরবা পুণ্যাত্মা—মহাত্মা অমা ওই ॥২০—২১॥

নিংথৌনা তৌগদবা হায়বদু মরায় হাইগৎলক্লিবা লৈপাক্তা অশান্তি পীগদবা য়েক্নবশিং অহুবু নমহৎ-ফদবনি। প্রজাশিংবু নিয়ম-বিধি কায়দনা শাসন তৌগদবনি, য়োকপি-থাকপিগদবনি। যজ্ঞ মথল মথন্না অগ্নিদেবতাবু পেলহনগদবনি। অহুগী তুংদা নচা মশু মতৌক চাবদা রাজ-সিংহাসন শিন্নকন্নগা বনবাসী—

এবমিতঃ পুরুষো ধর্ম্মশীলোভূতানি চাত্মানমিবানুপশ্যেৎ।
পরীযসঃ পুজয়মাত্মশক্ত্যা সত্যেন শীলেন সখং নরেন্দ্রঃ ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বণি পরাশর গীতায়াং ষড়শীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৬॥

——:(*):——

বানপ্রস্থ আশ্রমী ওইথিগদবনি, বৈরাগ্যা তত্তা পুরীং চঙতুনা পুন্শি লেন্গদবনি ॥২২॥ নিংথৌ জনক। মী থুনিংমক ইন্দ্রিয় থুম্মম চন্বা, ধর্ম্মাত্মা ওইগদবনি। জীব পানবা পুম্নমকপু মশামক্তি হায়না নীঙগদবনি। বিদ্যাদা, গুণদা, জ্ঞানদ, অচুপা সমাজদা গণায় ওইবদা মশাদগী হেন্থিবা মথকথোকপশিং অমুগী মকথদা সদ্ব্যবহার তৌগদবনি, সেবা পূজা তৌগদবনি, কিনা সুনা চংকদবনি। খঙাং-থোক্না ফজহনা, লাই-গুরুদা থকৃশি-খাশি নাইবশিং অচুম্বনা লোক সমাজদা ইকায় খুম্নবা কংতি ॥২৩॥

মফম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোককিশিংগী মনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাদা চনীমরিফুতরক্রুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৬॥

——:(*):——

মণিপুরী মহাভারত

সপ্তাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর গীতা মথং লীথবা)

চনীমরিফুতরেংশুবা অধ্যায়।

——:(*):——

পরাশর উবাচ।

কঃ কস্য চোপকুরুতে যশ্চ কস্মৈ প্রযচ্ছতি। প্রাণী করোত্যয়ং কর্ম সর্ব্বমাত্মার্থমাত্মনা ॥ ॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ! কনানা কনাগী কাঞ্জবা তৌরি? কনানা কনাদা করি পীরি? মরম অদুনা প্রাণী অমনা হায়রদি— মশাগী মশানা কনাগুম্বা নত্রগা করিগুম্বা জীব অমমা হেক্ তৌরিবা কর্ম পুম্বা মশাগীদমক্তনি ॥১॥

পৌরষেণ পরিত্যক্তং নিঃস্নেহং পরিবর্জ্জয়েৎ। সৌদর্য্যং ভ্রাতরমপি কিমুতান্যং পৃথগ্জনম্ ॥২॥
বিশিষ্টস্য বিশিষ্টাচ্চ তুল্যৌ দানপ্রতিগ্রহৌ। তয়োঃ পুণ্যতরং দানং তদ্ দ্বিজস্য প্রযচ্ছতঃ ॥৩॥
ন্যায়াগতং ধনঞ্চৈব ন্যায়েনৈব বিবর্দ্ধিতম্। সংরক্ষ্যং যত্নমাস্থায় ধর্ম্মার্থমিতি নিশ্চয়ঃ ॥৪॥
ন ধর্ম্মার্থী নৃশংসেন কর্ম্মণা ধনমর্জ্জয়েৎ। শক্তিতঃ সর্ব্বকার্য্যাণি কুর্য্যান্নর্দ্ধি-মনুস্মরেৎ ॥৫॥
অপো হি প্রযতঃ শীতাস্তাপিতা জ্বলনেন বা। শক্তিতোঽতিথয়ে দত্বা ক্ষুধার্ত্তায়াশ্নুতে ফলম্ ॥৬॥
রন্তিদেবেন লোকেষ্টা সিদ্ধিঃ প্রাপ্তা মহাত্মনা। ফলপত্রৈরথো মূলৈর্মুনীনর্চ্চিতবাংশ্চ সঃ ॥৭॥
তৈরেব ফলপত্রৈশ্চ স মাঠরমতোষয়ৎ। তস্মাল্লেভে পরং স্থানং শৈব্যোঽপি পৃথিবীপতিঃ ॥৮॥
দেবতাতিথিভৃত্যেভ্যঃ পিতৃভ্যশ্চাত্মন স্তথা। ঋণবান্ জায়তে মর্ত্ত্যস্তস্মাদনৃণতাং ব্রজেৎ ॥৯॥

নহাক্কী হেক্ পোক্লিমবা নচীমনাওসু, নহাক্কী অমদি মথোয়গী মীংথিরবা লমচৎ-ব্যবহারদুনু হৈনবদুনা থাদোক্লরবদি অদুগ অদুবনসু, লোক সমাজনসু মহাকপু থাদোকই— ভাংথোক্লকই— হংথোক্লকই। অতেগীদি করি অমুক হায়রগনি ? ॥২॥

দানগী তত্ত্ব খঙবা অথোইবা মীশক অমনা পীরবপা দান অসু লৌকবগী মহৈপা, তত্ত্ব খঙনা খঙবা দান অসু লৌকবগী মহৈপা চপ মান্নবসু হায়রিবা অনীসিগী মনুংদা অথোবা ব্রাহ্মণ অমগীদমক্তা হায়রবদি তত্ত্ব খঙনা লৌকবা দানগী মহৈংগী, তত্ত্ব খঙনা তৌথোকখিবা দানগী মহৈনা চাউবা হেন্নি ॥৩॥

হিংসা য়াওদনা নিয়ম চুম্না ভানশিনুনা, অসুগা নিয়ম চুম্না ভাক্-শেন্নবা অমদি চাউথংহন্নবা শেল অসু য়াম্না হোংশিন্না লৌকবা অমনি পুণ্যকর্মদ শীজিন্নগদবনি। মাসি, ধর্মশাস্ত্রগী নিয়মনি ॥৪॥

অচৎপা ধর্মবু পামজরিবা মীনা কায়গুম্বা মতৌবা কর্মগী পান্থনা সনবু ভানশিনরাইদৌবনি। মাগী লৈজরিবা শক্তি অসুনা পুণ্যকর্ম অয়াম্বা তৌগদবনি। পুণ্যকর্মশু শংনুশিবা মল অসুমক্ য়াম্বিমথৈ হেনগৎহন্দবনা কৈ। অসুগা করম হায়বা হেন্না হেনশিগে হায়নসু শক্ থাক্লরাইদৌবনি ॥৫॥

লাম্নবা থৌরাংলবা অতিথিবু অশাবা নত্রগা অঙীবা ঈশিংদুনবু ওইরবসু অসুগা অচা-ক্ষথক্ খজিক্তুনা পুক্চেল শেংনা পেনহন্নবদি অথোইবা মতৈ ফংগনি ॥৬॥

মহাত্মা ওইরবা নিংথৌ রন্তিদেবনা উহৈ-মাহৈ, হৈনা-লৈনা, থরংদুনা ঋষি মুনিশিংগী পূজা তৌদুনা মথোয়বু পেনহন্নখি। অাইবংগী পুন্নপ্রা আশা তৌনাইবা — অংগে হায়না ভাল্লিবা অথোইবা খুত্তম অসু মহাক্না ফংখি ॥৭॥

শৈব্য কৌবা নিংথৌনা উহৈ-মাহৈদুনা মাঠর কৌবা মুনিবু পেনহন্নখি। মাদুমক্তুনা মহাক অথোইবা খুত্তমবু ফংখি ॥৮॥

মী খুদিংমক অসি দেবতাশিংগী, অতিথিশিংগী, য়োক-থাক্লনবগী মপক ওইরবা শাগৈ-নাতৈ ভাই-শেল অমদি পরিবারগী, পিতৃ-মাতৃলোকগী, অমসুং মশামক্কী সন্দন্ ভাম্লুনা শমন অমু শিংবা লোইদনা— মথক্তা

স্বাধ্যায়েন মহর্ষিভ্যো দেবেভ্যো যজ্ঞকর্ম্মণা। পিতৃভ্যঃ শ্রাদ্ধদানেন নৃনামভ্যর্চনেন চ ॥১০॥
বাচা শেষাবহার্য্যেণ পালনেনাত্মনোঽপি চ। যথাবৎ ভৃত্যবর্গস্য চিকীর্ষেৎ কর্ম আদিতঃ ॥১১॥
প্রযত্নেন চ সংসিদ্ধা ধনৈরপি বিবর্জিতাঃ। সম্যগ্ হুত্বা হুতবহং মুনয়ঃ সিদ্ধিমাগতাঃ ॥১২॥
বিশ্বামিত্রস্য পুত্রত্বমৃচীকতনয়োঽগমৎ। ঋগ্ভিঃ স্তুত্বা মহাবাহো দেবান্ বৈ যজ্ঞভাবিনঃ ॥১৩॥
গতঃ শুক্রত্বমুশনা দেবদেব প্রসাদনাৎ। দেবী স্তুত্বা তু গগনে মোদতে যশসা বৃতঃ ॥১৪॥
অসিতো দেবলশ্চৈব তথা নারদ পর্ব্বতৌ। কক্ষীবান্ জামদগ্ন্যশ্চ রামস্তাণ্ড্যস্তথাঽংশুমান্ ॥১৫॥
বশিষ্ঠো জমদগ্নিশ্চ বিশ্বামিত্রোঽত্রিরেব চ। ভরদ্বাজো হরিশ্মশ্রুঃ কুণ্ডধারঃ শ্রুতশ্রবাঃ ॥১৬॥
এতে মহর্ষয়ঃ স্তুত্বা বিষ্ণুমৃগ্ভি সমাহিতাঃ। লেভিরে তপসা সিদ্ধিং প্রসাদাত্তস্য ধীমতঃ ॥১৭॥
অনর্হাশ্চার্হতাং প্রাপ্তাঃ সন্তঃ স্তুত্বা তমেব হ। ন তু বৃদ্ধিমিহান্বিচ্ছেৎ কর্মকৃত্বা জুগুপ্সিতম্ ॥১৮॥

লৈনা লৈনা পোক্লম্বিবনি। অদুনা ঋণ— লমন্শিং অসিদগী কোক্লনবা হোৎনগদবনি ॥৯॥

মুনি-ঋষিশিংবু বেদ-শাস্ত্র তম্বা অমদি নৈনবগা, দেবতাশিংবু যজ্ঞ-দাননচিংবগা, শ্রাদ্ধ-তর্পননচিংবনা— পিতৃলোকপু, উইং-থাইহেতনা, মাগুমক লৈত্রবদু নীংথকবা অথোৎপা থাইহেতনা স্বাগত তৌদুনা অতিথিশিংবু পেলহন্‌গদবনি। মাদুতনা হায়রিবা মথোয়শিং অসিগী লমন্শিংবা হায়বদু ওইবে ॥১০॥

যজ্ঞৌ অসিগুম্বা বেদশাস্ত্রবু তম্বা, ওঁথাইবা, লৈনবা অসিনচিংবা কর্মনা, যজ্ঞ তৌবা অদুপা যজ্ঞগী লেমহৌবা চাবনা, অতেন্‌বা মীশিংবু য়োক্‌পি থাক্‌পি কন্‌বিবনা হায়রিবা লমন্শিং অসিদগী কোক্‌ই। য়োকপি থাক্‌পিফম থোকপশিং অদুগী য়োক্‌পি থাকপিনবগী লমক হায়দগী শীল্লগুদুনা থম্‌গদৌবনি। মাদুমক্‌নসু মথোয়গী মকমদা তোন্‌বা লমন্দগী কোক্‌পা হায়বদু অদুম মপ্রইবে ॥১১॥

মুনি ঋষিশিংগী মকমদা লন্-থুম হায়বদো করিমত্তা লৈতবনি। অদুবু তোৎনবনা অমদি তপস্যানা সিদ্ধি ফংখি। মথোয়না অগ্নিহোত্র (যজ্ঞ) তনা সিদ্ধ ফংবা ওমখি ॥১২॥

ঋচীককী মচানা, যজ্ঞদা মাগী মাগী শরুক লৌগদবগী লাগিগা দেবতাশিংবু বেদগী মন্ত্রনা মথোয়বু পেলহন্দুনা বিশ্বামিত্রগী মচা ওইখি ॥১৩॥

মহর্ষি উশনানা মহাদেবগী থৌজান্দগী শুক্র— বীর্য্যগী মথক লৌখিদুনা, শুক্র ওইদা অহান্‌বদা পোক্‌খিদুনা মমৈথংদা শুক্র হায়না অদুম মথাওগ্রে। মহাকপু শুক্রাচার্য্য হায়না খঙনখি। অদুগুম্ মহুনা পার্ব্বতীদা স্তুতি তৌজবনা লোনদোয়ুক্তো শুক্রগ্রহ হায়বদু ওইদুনা তৌজিক কাওমা লৈরি ॥১৪॥

অসিত, দেবল, নারদ, পর্ব্বত, কক্ষীবান্, জামদগ্নিগী মচা পরশুরাম, টক্রিয় থুদুম চত্রবা তাণ্ড্য, বশিষ্ঠ, জমদগ্নি, বিশ্বামিত্র, অত্রি, ভরদ্বাজ, হরিশ্মশ্রু, কুণ্ডধার অদুপা শ্রুতশ্রবা কৌবা ঋষিশিং অসিনা পুক্লীং অমী লোজনা ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুগী স্তুতি তৌদুনা শ্রীহরিগী কৃপাদগী লোইনা সিদ্ধপুরুষ ওইখি ॥১৫—১৭॥

পূজা তৌবদা মতীক চাদ্রবা মীশকক্কাওবা স্তুতিতনা পেলহন্‌গ্রবা বিষ্ণুগী কৃপাদগী থাইনা পূজা তৌনফম

যেঽর্থা ধর্মেণ তে সত্যা যেঽধর্মেণধিগতা তান্। ধর্মং বৈ শাশ্বতং লোকে ন জহ্যাৎ ধনকাঙ্ক্ষয়া ॥১৯॥

আহিতাগ্নির্হি ধর্মাত্মা যঃ স পুণ্যকৃদুত্তমঃ। বেদা হি সর্বে রাজেন্দ্র স্থিতাস্ত্রিষগ্নিষু প্রভো ॥২০॥

স চাপ্যগ্ন্যাহিতো বিপ্রঃ ক্রিয়া যস্য ন হীয়তে। শ্রেয়ো হ্যনাহিতাগ্নিত্বমগ্নিহোত্রং ন নিষ্ক্রিয়ম্ ॥২১॥

অগ্নিরাত্মা চ মাতা চ পিতা জনয়িতা তথা। গুরুশ্চ নরশার্দূল পরিচর্য্যা যথাতথম্ ॥২২॥

মানং ত্যক্ত্বা যো বৃদ্ধসেবী বিদ্বান্ ক্লীবঃ পশ্যতি প্রীতিযোগাৎ।
দাক্ষ্যেণহীনো ধর্মযুক্তো ন দান্তো লোকেঽস্মিংস্তপূজ্যতে সদ্ভিরার্য্যঃ ॥২৩॥

ওইরবা সিদ্ধপুরুষ ওইরি। লোক অসিদদি মীমা নিন্দা তৌননীঙায় ওইবা থর্ম তৌবশিনা চাউবংঙগী কন্নিঙবা আথা অমতা তৌবা ঙমদে ॥১৮॥

ধর্মগী থবক তৌন তৌনা মমক্তা ফংলক্লিব লন্ অদুদুনা অশেংবা ধননি। মমল য়াম্বা সম্পত্তিদুদু অধর্মনা ফংবা ওইরবদি মাদু নিন্দা হায়রবদুগী মৃত্তিনি, জগৎনা নিন্দা তৌননীঙায়নি। অদুঙুম্বা ফাওব্রবা ধন অদুগী দমক লেঙত্রবা ধর্মবু থাদোকপা চুমদে ॥১৯॥

নিংথৌ। ঙসিমিং থুদিংগী অগ্নিহোত্র— যজ্ঞ তৌদুনা অঙম্বা দান তৌরিবা মহাক অদুদুনা পুণ্যকর্ম তৌবশিংগী মঙুংদা অথোইবনি। নিংথৌ! বেদ পুম্নমক অসে দাক্ষিণাগ্নি, আহবনীয়াগ্নি গার্হপত্যাগ্নি হায়বা অগ্নি— মৈ অহুম অসিতদা লৈম্নিবনি ॥২০॥

অদুম্বা লমচৎ চৎলিবা, সৎকর্মদা পুক্নীং চঙলিবা অদুঙুম্বা ব্রাহ্মণ মহাক অদুদি অগ্নিহোত্র তৌত্রবাঙ-বদা অগ্নিহোত্রীনি হায়বা য়াই। ব্রাহ্মণগী হৌনবা আচার-বিচার পুম্নমক ঙাক্না চৎলিবা ব্রাহ্মণ অদুদি অগ্নিহোত্র তৌবা ঙম্‌ত্রবসু অদুম মকৈ কন্নিনত্তা কায়বা লৈতে। সদাচারনি থাদোক্লপা অগ্নিহোত্র— যজ্ঞ-ত তৌবা অদুনদি কন্নিমত্তা তোংজবা লৈতে ॥

নিপা থোইবা! মৈ, আত্মা, মমা, মপা, গুরু— হায়রিবা মঙা অসিগী মতীক্ চানা সেবা-লাংবা, পূজা তৌকম থোক্‌ই ॥২২॥

থোয়বা— মাপল— মীবু ঊশিং-থোঙইনবা, পুম্নমক অসিবু থাদোক্নুনা অহল-লময় লাই—গুরুগী সেবায় ভক্তিগা— থাজবগা লোয়ননা তৌরিবা, সংসারগী কামভোগতা পুক্নীং চঙত্রবা, মী জীব থুদিংমক্তা হুংশিনিবগী য়াথল অমদি মী য়েং থম্নিবা, পুক্নীংদা লোথুপ-লোকোই লৈতনা ধর্ম কর্মদা পুক্নীং চঙলিবা, ফনাঙমা অমগী মকয়দা হিংসা তৌবা— ফত্তনবা মাঙনবা তৌবগী য়াথল ঊথম্ থম্নিবা অদুঙুম্বা মী মহাক অদুদি লোক অসিদা থাইদগী অথোইবনি হায়বা য়াই। অদুঙম্বা মী মহাক অদুবু মহাত্মা ওইরবা সৎপুরুষনি অদুগা সজ্জনশিংমা থাগৎলৈ ॥২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি সপ্তাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৭॥

——:():——

মকয় অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা মোক্ষধর্ম্ম পর্ব্বদা চনীমরিফুতরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৭॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

অষ্টাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতাগী মথং)

চনীমরিফুনিপালশুবা অধ্যায়।

——:():——

পরাশর উবাচ।

বৃত্তিঃ সকাশাৎ বর্ণেভ্যঃ ত্রিভ্যো হীনস্য শোভনা। প্রীত্যোপনীতা নির্দ্দিষ্টা ধর্ম্মিষ্ঠান্ কুরুতে সদা ॥১॥

বৃত্তিশ্চেন্নাস্তি শূদ্রস্য পৈতৃপৈতামহী ধ্রুবা। ন বৃত্তিং পরতো মার্গেচ্ছুশ্রূষাং তু প্রয়োজয়েৎ ॥২॥

পরাশরনা হায়— নিংথৌ। শূদ্রশিংগী দমক্তি মথক্কী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য বর্ণ অহুম অসিগী সেবা তৌবত্তনা মথোয়গী পুন্‌শিংগী য়াইক্কবা ওইগনি। অহুগুনা সেবাবৃত্তিবু মপুক্কীং শেংনা, অত্তোন্‌বা থবক্কনি, হায়বা থজ্জনা, সেবা তৌরক্লিবশিং অহুবু প্রেমগা লোয়ননা লোয়মন্নিবা, ফংশিনা তিন্নরিবা— অহুগুম্বা শূদ্রশিং অহুদি মহা ধর্মচেন্নবনি হায়না লৌনৈ ॥ ১ ॥ *

মপা-মপুনা লন্ থুম থনজদহুবা য়াম্না নংলমহু শূদ্র হায়বসিনা মাগী সেবাবৃত্তিদগী হেন্‌বা অতৈ অত্তোম্ন ব্যবসায় অমা পামশিল্লোইদৌবনি। ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য বর্ণ অহুম অসিগী সেবা তৌবত্তনা শূদ্রশিংগী জীবিকানি ॥২॥

* মথৌ অমদি মাগী ধর্মনা পুক্কীং চত্তবা, ত্তৌনিংঙাই লৈত্রবনা শূদ্রগী মথৌ তৌরক্লবা ব্রাহ্মণদগী,— মথৌদা পুক্কীং চত্তবা, সেবাতত্ত্ববু মুত্না খঙনা সেবাবৃত্তিদা লৈরিবা, অহুপা মাহুনা জীবিকা ওইজরিবা শূদ্র অমনা আ-হেন্নি। ধর্মচেন্‌বা শূদ্রনা ধর্মচেন্দবা ব্রাহ্মণ অমদগী আ—হেন্নি। (কালাচাঁদ)

সদ্ভিস্তু সহসংসর্গঃ শোভতে ধর্ম্মদর্শিভিঃ। নিত্যং সর্ব্বাস্ববস্থাসু বা সদ্ভিরিতি মে মতিঃ ॥৩॥
যথোদয়গিরৌ দ্রব্যং সন্নিকর্ষেণ দীপ্যতে। তথা সৎ সন্নিকর্ষেণ হীনবর্ণোঽপি দীপ্যতে ॥৪॥
যাদৃশেন হি বর্ণেন ভাব্যতে শুক্লমম্বরম্। তাদৃশং কুরুতে রূপমেতদেবমবেহি মে ॥৫॥
তস্মাৎ গুণেষু রজ্যেথা মা দোষেষু কদাচন। অনিত্যমিহ মর্ত্ত্যানাং জীবিতং হি চলাচলম্ ॥৬॥
সুখে বা যদি বা দুঃখে বর্ত্তমানো বিচক্ষণঃ। যশ্চিনোতি শুভান্যেব স ভদ্রাণীহ পশ্যতি ॥৭॥
ধর্ম্মাদপেতং যৎ কর্ম্ম যদ্যপি স্যান্মহাফলম্। ন সেবেত মেধাবী ন তদ্ধিতমিহোচ্যতে ॥৮॥
ধর্ম্মেণ সহিতং যত্তু ভবেদল্পফলোদয়ম তৎ কার্য্যমবিশঙ্কেন কর্ম্মাত্যন্তং সুখবহম্।
যো হিত্বা গোসহস্রাণি নৃপো দত্যাদরক্ষিতা স শব্দমাত্রফলভাগ্ রাজা ভবতি তস্করঃ ॥৯॥

ধর্ম্মগী মায়পেত্তনা মমীৎ ঙন্‌শিনবা, সৎপুরুষশিংগা তিন্নানা লৈরবা থাইদগী অথোইবা কর্মনি। অমাবা খুদোংথীবনচিংবা করিগুম্বা অবস্থাদসু কত্তুবা অধর্ম্মী ওইবা মীশিংগা তিন্নবোইদৌবনি। মাসি ঐগী লেপ্পবা রাখল্লি— মাসিনা ঐগী সিদ্ধান্তনি ॥৩॥

মুনিংকা নক্‌শিন্নরুবদগী উদয়াচল (চিঙ) গী পথক্তা লৌব— লৈবা পোৎ পুম্বা ঊবং-ত লংবদুগী মত্তৌগুম্বা— সাধু মহাত্মাশিংগী মনাক্তদা লৈরিবশিং অহুম্বু কর করবা গুণ, বিতা পুম্নমকনা তিন্‌নহুনা ঙাক্‌ লৈ ॥৪॥

অঙৌবা ফিদা শংগুবা তোঙাম্ তোঙানবা মচু অহুব ফি অহুনা অহুম্ পুবদুগী মত্তৌগুম্বা তিন্ন তিন্নরুবা মীশিংদুগী থম্মোয় হকচাংগী অনদি রাথংগী মচুশিং অহু মথোয়গা তিন্নকরিবশিংগী থবক অমদি রাথল অহুম্বু অহুম্ মত্তায়। মাসি নহাক য়াম্না থাজবগা লোয়নবা [illegible] ॥[illegible]॥

মরম অদুনা নহাক গুণগী মায়পেত্তনা নহাক্কী কৈনীংবা— পাম্‌শিন্‌বা হায়বদু মমায় ওম্‌শিন্‌হল্লু; দোষকী মায়পেদা থক্ ঙন্‌শিন্‌গনু। মরমদি তাইবং মীওইবগী পুনশিনদি অবেপ্পা লৈত্তবনিনা দোষগী মায়পৈদা ঙন্‌শিল্লিদৌদা থুদক্তা নপুন্‌শি লোইশিনখ্রবদি য়াম্না থীরবা মপোক্ অমা কংলুবনি ॥৮॥

অরাবা নুংঙাইবা অবস্থা খুদিংমক্তা মকম ঈরেঙ লেঙননা অকবা থবক্ক তৌরিবা অশিংবা মী মহাক অচুদি শক্তগী পাউত্তক্কী ওত্ত পুম্নমক থগলবা মীনি ক্ষায়বা য়াই ॥৭॥

ধর্মগী ওমত্তৈনবা কর্ম অদুবু, অদুগা কর্মদুগী মতৈশ্নবু লোককী দৃষ্টিদা কায়বা তোংজবা ওইরবসু— অশিংবশিংদি অদুগুম্বা অরাম্বা কর্ম অদুবু থক্ তৌরুদে মাদুনা পুনাশদা ওইজবা থক্ কংলোই ॥ ॥

ধর্মগী মরমদি থোক্‌পা কর্ম অদুনা লোকতা— সমাজদা মতৈ খজিক্ক পীরবসু মাদু চিংনবা লৈত্তনা, কৈনিংবগা লোয়ননা অদুম মত্তৌপনরনি। মরমদি অদুগুম্বা অদুনা মতৈমথক্তা ওমথৈ লৈত্তনা নুংঙাইবা পী। প্রজাশিংদগী নক্রগা অতোপ্পা মকমদগী নমদুনা খোন্‌গত্তুনা তৌরুবা শনশিং অদুবু নিংথৌনা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌরবদি মাদু নাম মাত্র— অমিং ত ওইবা দাননি, দান নত্তে। নিংথৌ অদুসু ফাকুনি, নুটে তৌবা মীনি, চুরান্‌বনি ॥৯॥

অযজ্ঞ্যুরসৃজচ্চাগ্রে ধাতারং লোক সংস্কৃতম্। ধাতা সৃজৎ পুত্রমেকং লোকানাং ধারণে স্রুতম্ ॥১০॥
অমর্চয়িত্বা বৈশ্যস্তু কুর্য্যাদন্যার্থমৃদ্ধিবৎ। রক্ষিতব্যং তু রাজন্যৈরুপযোজ্যং দ্বিজাতিভিঃ ॥১১॥
অজিহ্মৈরশঠক্রোধৈর্হব্যকব্য প্রযোক্তৃভিঃ। শূদ্রৈর্নির্মার্জনং কার্য্যমেবং ধর্মো ন নশ্যতি ॥১২॥
অপ্রণষ্টে ততো ধর্মে ভবন্তি সুখিতা প্রজাঃ। সুখেন তাসাং রাজেন্দ্র মোদন্তে দিবি দেবতাঃ ॥১৩॥
তস্মাৎ যো রক্ষতি নৃপঃ স ধর্মেনেতি পূজ্যতে। অধীতে চাপি যো বিপ্রো বৈশ্যো যশ্চার্জনেরতঃ ॥১৪॥
যশ্চ শুশ্রূষতে শূদ্রঃ সততং নিয়তেন্দ্রিয়ঃ। অতোঽন্যথা মনুষ্যেন্দ্র স্বধর্মাৎ পরিহীয়তে ॥১৫॥
প্রাণসন্তাপনির্দ্দিষ্টাঃ কাকিণ্যোঽপি মহাফলাঃ। ন্যায়েনোপার্জিতা দত্তাঃ কিমুতান্যাঃ সহস্রশঃ ॥১৬॥

ঈশ্বরনা ঈহান্ হান্বদা লোক পুম্নমক্কা পূজা তৌননীওত্তায় ওইরবা, ব্রহ্মাবু পুথোক্খি। অদুদগী ব্রহ্মানা লোক পুম্নমকী কান্নবা ওইবা মচা পর্জন্যবু পুথোক্খি পোক্হন্খি ॥১০॥

ব্রহ্মানা পুথোক্পা মচা পর্জন্য কৌবা দেবতাদুগী পূজা তৌরগা বৈশ্যশিংনা তৌগদবদি লৌউ-শিংউবা শা-শন য়োকপা, ব্যবসায় ওইদুনা লৈপাকপু ফো চঙনা চোম্ন থলহন্দুনা মায়া চাউখৎহনগদবনি। নিংথৌনা মথোয়গী সম্পত্তি লৌবুক-ইংথোল পুম্নমক অদু ঙাকপি-শেন্নবিগদবনি। মথোয়গী কৃষিকর্মনচিংবা থবকশিং অদুনা পুথোরক্লিবা মহৈ-মরোং অদুবু জ্ঞানী ব্রাহ্মণশিংনা মপুক্কীং শেংনা যজ্ঞ দাননচিংবদা শীজিন্নথোক্পিথি-গদবনি। অদুম্না ব্রাহ্মণশিংনা যাগ-যজ্ঞনচিংবা তৌরকপদা, অদুগা ওৌবা লোইশ্রবদা যজ্ঞপত্র মতাপনচিংবদা চাথি থক্থিবগী মত্ত-হৌদি ময়াম অদু শূদ্রশিংনা শেংদোক্কদবনি। মতৌ অদুম্না অমগা অমগা থবক থুনিং-মক্তা সহযোগ তৌমিন্নবদি লৈপাকী চাউখৎনবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি ॥১১—১২॥

মাগী মাগী ধর্মনা কর্মমতা য়েথাম্নবা পীদবা, ধর্মগী শক্তকপু মচেৎ অনা মাওবা মাঙহন্দনা বর্ণ জাতি পুম্নমকী মীশিংনা মাগী মাগী মথৌদা পুক্নীং চঙনয়কপা, অমগা অমগা মত্তেং পীনয়কপনা লৈপাক্ অমগী হীরম পুম্নমক্তা চাউখৎপা হায়বদু ওইরিবনি। অদুম্না চাউখৎপা লৈপাক্ হায়বদু প্রজা ময়াম্না লিংজেল মায়না নোম্নগা থোক্হন্নগদবনি। মর্ত্যলোককী প্রজা ময়াম, জীব-জন্তু পুম্নমকী চাউখৎপদু উরগা নোংম-য়োন্থক্তা দেবতাশিংনা অদুগা পিতৃলোকতা ঈপা-ঈপু পুম্নমকসু থোইদোক্না হন্নাউজে অমদি পেজে ॥১৩॥

নিংথৌনা ধর্ম কান্নদনা প্রজাশিংবু ঙাক্-শেন্বা অদুগা য়োক্-থাকপা, অদুগা মথোয়বুসু মাগী মাগী ধর্মদা পুক্নীং চঙহল্লবদি মহাক অদু ইহলোক পরলোক অনীমক্তা থাগৎনীওত্তায় পূজা তৌননীওত্তায়গী মথক্ ওই। প্রজাশিং ওইরিবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্রশিং অদুসু মাগী মাগী ধর্মদা পুক্নীং চঙনববদি মথোয় থুনিংমক লোক সমাজদা পুজা তৌননীওত্তায় থাগৎনীওত্তায় ওই। নিংথৌ। কান্নবা হায়বসে অদুবু নত্তে, মাগী মাগী মথৌদা পুক্নীং চঙনয়ক্তবু হায়বনি ॥১৪—১৫॥

থল্লায় থুবাক্তা হাপতুনা, ন্যায়ধর্ম কায়দনা, লীকোল-খুজিং অমতবু ওইরবসু তাঞ্জিল্লকবা অশেংবা মঙ্গল অদুবু দানগী থবক্তা শীজিন্নরবদি অদুগুম্বা দান অদুগী মহৈদি ওন্থোক্না চাউনা লৈজে। মাসিনা লীকোল

সংস্কৃত্যাহি দ্বিজাতিভ্যো যো দদাতি নরাধিপঃ। যাদৃশং তাদৃশং নিত্যমশ্নাতি ফলমূর্জ্জিতম্ ॥১৭॥

অভিগম্য চ তৎ তুষ্ট্যা দত্তমাহুরভিষ্টুতম্। যাচিতেন তু যদ্দত্তং তদাহুর্মধ্যমং বুধাঃ ॥১৮॥

অবজ্ঞয়া দীয়তে যৎ তথৈবাশ্রদ্ধয়াপি বা। তমাহুরধমং দানং মুনয়ঃ সত্যবাদিনঃ ॥১৯॥

অতিক্রামেন্মজ্জমানো বিবিধেন নরঃ সদা। তথা প্রযত্নং কুর্বীত যথা মুচ্যেত সংশয়াৎ ॥২০॥

দমেন শোভতে বিপ্রঃ ক্ষত্রিয়ো বিজয়েন তু। ধনেন বৈশ্যঃ শূদ্রস্তু নিত্যং দাক্ষ্যেণ শোভতে ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াম্ অষ্টাশীত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৮৮॥

——:(৬):——

থুজিং অমতন্দী য়ানিদো। অসিগুম্বা অশেংবা পোৎ অদু শিনিং শিনিং দান তৌশিল্লক্লবদি মাহুৎশিদি কদি অমুক্ হায়রক্লগনি ॥১৬॥

ধর্ম কায়দবা অনুম্বা ফংলকপা পোৎশিং অদুনা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌবা অদুগুম্বা নিংথৌনা পুণ্যচেম্লবা মহৈদু ফংবা ঙম্মি ॥১৭॥

ব্রাহ্মণশিংনা মথোক্ত-থোংবা লাকুনা দান তৌ হায়না হায়রক্লিবৈ— নিরঙ্কিতৈগী মমাঙদা দাতা মখা-মক্কা চৎতুনা দান তৌরকপদি ওন্নোক্লা নীওবিষখা মহৈদু দাতা অদুম্বা ফংতি, মাসিনা খাইদগী অফেন্বো দাননি। নিরম্বপা হন্নাও হন্নাও পীবা অদুবা মধ্যমী দাননি। মাসি য়াম্না কমত্নু নত্তে হম্বগ্ন নত্তে ॥১৮॥

পুন্নীংদা হৈনিংবমা— থৌওই-উশিত্তনা, য়াম্না চাউথোক্লা তৌবা দান অদুদি খাইদগী হত্তবা, দান তৌবগা অম্মা ওইবা দাননি হায়না মুনিশিংনা হায়রৈ। ঊপাক্তা ঊয়াক্লবা কনাগুম্বা অমনা, ঊপাক্ অদু লাম্নোক্লবা ওন্থোক ওন্থোকপা ঊপায়দু য়াম্না চেক্শিন্না থিক্লপদুগুম্না নিংথৌ। মহাকদু তাইবং-ঊপাক অসি লাম্নবা তোৎথগনবনি ॥১৯—২০॥

ব্রাহ্মণবা ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বনা, ক্ষত্রিয়শীনা লান্দা মৈরুংবদু ওন্থনা, বৈশ্যশিংগীনা ধর্ম কায়দবা ব্যবসায় তৌদুনা শেল তান্‌বনা, শূদ্রশিংগীনা সেবাশীলমক্তা হৈ-শিংবা উৎপনা অদুবা ফজবা পুন্‌শি মরেল হায়বদু ওইরিবনি ॥২১॥

মক্কয় অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা চনী-মরিফুশিপালগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৮৮॥

——:(৫):——

মণিপুরী মহাভারত

একোণনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পরাশর গীতা—মথং)

চনীগা মরিফুমাপলগুবা অধ্যায়

—:(*):—

পরাশর উবাচ।

প্রতিগ্রহাগতা বিপ্রে ক্ষত্রিয়ে যুধি নির্জ্জিতাঃ। বৈশ্যে ন্যায়ার্জ্জিতাশ্চৈব শূদ্রে শুশ্রূষয়ার্জ্জিতাঃ ॥১॥
স্বল্পাপ্যর্থাঃ প্রশস্যন্তে ধর্ম্মস্যার্থে মহাফলাঃ। নিত্যং ত্রয়াণাং বর্ণানাং শুশ্রূষুঃ শূদ্র উচ্যতে ॥২॥
ক্ষত্রধর্ম্মা বৈশ্যধর্ম্মা নাবৃত্তিঃ পততে দ্বিজঃ। শূদ্রধর্ম্মা যদা তু স্যাৎ তদা পততি বৈ দ্বিজঃ ॥৩॥
বাণিজ্যং পাশুপাল্যঞ্চ তথা শিল্পোপজীবনম্। শূদ্রস্যাপি বিধীয়ন্তে যদা বৃত্তির্ন জায়তে ॥৪॥
রঙ্গাবতরণং চৈব তথা রূপোপজীবনম্। মদ্যমাংসোপজীব্যঞ্চ বিক্রয়ো লোহচর্ম্মণোঃ ॥৫॥
অপূর্ব্বিণা ন কর্ত্তব্যং কর্ম্ম লোকে বিগর্হিতম্। কৃতপূর্ব্বিণস্তু ত্যজতো মহান্ ধর্ম্ম ইতি শ্রুতিঃ ॥৬॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ। ব্রাহ্মণদনা দানগী ফংলকপা পোৎ, ক্ষত্রিয়শিংগী যুদ্ধনা লান্ জমহনা মেরুবদগী লৌরকপা—ফংলকপা পোৎ, বৈশ্যশিংগী যুক্তনা ধর্ম্ম কায়দনা ব্যবসায় তৌদুনা ফংলকপা পোৎ, শূদ্রশিংগীনা পুক্চেল শেংনা মীগী সেবা-লাংবা তৌরুবদগী ফংলকপা পোৎ, হায়রিবশিং অসি খজিক্তং ওই-রবসু ওইবোক্লা শেংবা মমল য়ামল্লবা পোংনি। পোৎশিং অসি দানধর্ম্মনচিংবা পুণ্যকর্ম্মদা শীজিন্নরবদি হায়নীঙ্গাই লৈতনা অথোইবা মহৈ ফংঙি ॥১॥০॥

বর্ণ অহুমগী সেবাদু লেপ্তনা তৌরিবা মহাক অদু শূদ্রনি। ব্রাহ্মণনা মাগী জীবিকাগীদমক উপায় অতৈ লৈত্রবদা ক্ষত্রিয় নত্রগা বৈশ্যগী মথৌনা চত্তশিল্লক্রবদি মাদু পতিতনি— অদুগা শূদ্রমক্তী থবক চেক্নু মতৌৎসনক্রবদি ব্রাহ্মণদু পতিত ওইরে— অদুগা শূদ্রমক্তী থবক চৈক্নু মতৌৎনক্রবদি ব্রাহ্মণদু পতিত ওইরে— জাৎ ডায়ে চায়নৈ ॥২—৩॥

শূদ্রনা মাগী সেবাবৃত্তিদুনা জীবিকা ওইবা য়াদ্রক্লবদি— চাষ কোয়রক্ত্রবদি বৈশ্যগী মথৌ— লৌউ-শিংউবা, লৈয়োন-লৈতৌক্পা, সা-শল য়োক্পা থবকদু তৌবা য়াই। মাসি ফাওবসি মথোয়গীদমক শাস্ত্রগী য়াথং লৈ ॥৪॥

লীলাগী কথাকথক্লো হুমী-নহানা জগোইগী কিজেৎ শেংদুনা, জগোইনচিংবা শাদুনা শল তানবা, তোঙান্ তোঙানবা কিজেৎ শেংদুনা তোঙান্ তোঙানবা শক্তম্ লৌবা অদুগা জগোই-শাবা মৈথৈ-শক্পা,

সংলিপ্তঃ পুরুষো লোকে বলাৎস্মৃতি পাপকম্। যদেনোঽভিপ্লুতমানাস্তচ্চ ন প্রাহুর্যুচ্যতে ॥৭॥
শ্রূয়ন্তে হি পুরাণেষু প্রজাধিপদণ্ডশাসনাঃ। দান্তা ধর্মপ্রধানাশ্চ ন্যায়ধর্মানুবর্ত্তিকাঃ ॥৮॥
ধর্ম্ম এব সদা নৃণামিহ রাজন্ প্রশস্যতে। ধর্মবৃদ্ধা গুণানেব সেবন্তে হি নরা ভুবি ॥৯॥
তং ধর্মমসুরাস্তাত নামৃষ্যন্ত জনাধিপ। বিবর্দ্ধমানাঃ ক্রমশস্তত্র তেঽন্বাবিশন্ প্রজাঃ ॥১০॥
তাসাং দর্পঃ সমভবৎ প্রজানাং ধর্মনাশনঃ। দর্পাত্মনাং ততঃ পশ্চাৎ ক্রোধস্তাসামজায়ত ॥১১॥

শা-ঙা, শা-অশেঙ্বা য়োন্‌বা, শউম্‌ অমদি শউনা শাবা পোৎ-টৈ য়োন্দুনা মাহুনা জীবিকা ওইবা— হায়-রিবশিংসে লোক সমাজদা য়াম্না নিন্দা তৌমৈ, তৌমনীগুডায়রুনি। অদুগা হায়রিবা কর্ম অসি-দী মহাক অদুগী মুখদা অমদি পন্নিবায়দা আ-অকল লম্ব্রন হাক্তকী পরম্পরা ওইনা তৌনরুকপমক নত্রবদি মহাকথক্তকী ব্যবসায় অসি থক্‌ হৌদোক্লে ইদৌবনি। অদুগা পরম্পরাদগী চৎনরক্লবমক ওইরবসু থুদক্তা মুখৎননবা তৌরবদি— মুখৎলবদি মাহু রায়া চাউবা পুণ্যকর্ম অমত্তুম ওইগনি ॥৫—৬॥

লৈপাক্কী অমদি লোক সমাজদা ফাওরবা মমিং চৎলবা অমনা মাপন্দগী ওইরবসু, লোক্তী অমা ওই-রকপদগী ওইরবসু নিন্দা তৌনীগুডায় ওইবা পাপকী থবক তৌরবদি, মাহু মহে হৈবা অফাওবা মীনা তৌরিবনি হায়না মাগী মতৌ অদু থক তম্মোইদৌবনি ॥৭॥

পুরাণ পুরমক্তা অদুম্না ইরি, মাহুসি— ঈশান্‌ হান্‌বদা মী পুম্নমক অসে অয়াম্বনা ইন্দ্রিয় পুক্তম চৎবা, ধর্ম (অচুম্বা) জদা পুক্নীং চঙবা, তৌবা হৌনবা থবক্তা তৌবা ওজা ওইরম্মি। মনাওম্বা অমমা মতমা কর্ম অমা তৌগ্রবদি মাহুনা দগী হায়রবনু "তৌজিদা নং অসে" হায়দুনা মাবু নিন্দা তৌবা অসিত্তনা ওই-রম্মি। মাসি চাউখ্রব দগী অমনি হায়রন পৌনরম্মি ॥৮॥

নিংথৌ! আ-মমাংদগী হৌদুনা ধর্ম হায়বসিগীভু প্রশংসা তৌদুনা, অদুগা অধর্ম হায়বসিগীবা নিন্দা তৌদুনা পরম্পরাদগী লাক্লি। অদুগুম্বা ধর্ম হায়বদুতবু সেবন তৌদুনা পৃথিবীসিদা চাউরা চাউরবা মী কয়া কয়ামা গুণ অমদি লেগুত্রবা মিংচেৎনা লৈজেং তৌদুনা লৈরম্মি। মথোয়গী মগুণ অমদি মিংচৎ অদু ইতিহাস, পুরাণ অমদি লোক সমাজদা লাক্লি, মখোয়গী মতৌ ওজরি ॥৯॥

ঈবুঙো! নিংথৌ! মখোয়গী মিংচৎ মগুণ অদুগা তৌথোরকপা থবকশিং অদু উয়-তারগা অসুর-শিংবা, হায়বদি— কন্নবা হিংচা-মান্তবগুডুনা কল্লকই। মখোয়গী থবক অমদি মগুণ অদুবু মতৌ ভবগেদি হায়রগা— মতৌ তম্বা ওমত্রগা, অকবা দেবতাগুম্বা মীশিংদুবু মাঙহল্লনবা— হাৎননবা হোৎনরম্মি, হৌজিকসু হোৎনরি। মাসি, মখোয়না ধর্মদুগী মমাওদা থাওদুনা লৈবা ওমদবদগীনি। অদুগুম্বা অসুরশিং অদু মশীং অসুম য়ামথৎলকুনা, মথং মথং শিন্‌খিবদুনা ফত্রবা প্রজাশিং তাক্ত ওইনা পোক্লয়ে ॥১০॥

অদুদগীদি প্রজাশিংদগী মরক্তা ধর্মবু মরু করবা মাওঙ্মনবগী মশক্‌ ওইরবা দর্প (থোয়বা, মাপল) হায়বদু তোংশিন্‌খি। প্রজাশিংদুগী মরক্তা দর্প হায়বদুনা হেক্ক চঙশিন্‌খিবদগীদি ক্রোধ— অশাউবা হায়বদু পোকখি ॥১১॥

ততঃ ক্রোধাভিভূতানাং বৃত্তং লজ্জাসমন্বিতম্। হ্রীশ্চৈবাপ্যনশৎ রাজংস্ততো মোহো ব্যজায়ত ॥১২॥
ততো মোহপরীতাস্তে নাপশ্যন্ত যথা পুরা। পরস্পরাবমর্দেন বর্দ্ধয়ন্তো যথা সুখম্ ॥১৩॥
তাং প্রাপ্য তু স দিগ্দণ্ডো ন কারণমতোঽভবৎ। ততোঽভ্যগচ্ছন্ দেবাংশ্চ ব্রাহ্মণাংশ্চাবমন্য হ ॥১৪॥
এতস্মিন্নেব কালে তু দেবা দেববরং শিবম্। অগচ্ছন্ শরণং বীরং বহুরূপং গুণাধিকম্ ॥১৫॥
তেন স্ম তে গগনগাঃ সপুরাঃ পাতিতাঃ ক্ষিতৌ। ত্রিধাপ্যেকেন বাণেন দেবাপ্যায়িততেজসা ॥১৬॥
তেষামধিপতিস্ত্বাসীৎ ভীমো ভীমপরাক্রমঃ। দেবতানাং ভয়ঙ্করঃ স হতঃ শূলপাণিনা ॥১৭॥
তস্মিন্ হতেঽথ স্বংভাবং প্রত্যপদ্যন্ত মানবাঃ। প্রাপদ্যন্ত চ বেদান্ বৈ শাস্ত্রাণি চ যথা পুরা ॥১৮॥
ততোঽভিষিচ্য রাজ্যেন দেবানাং দিবি বাসবম্। সপ্তর্ষয়শ্চান্বযুঞ্জন্ নরাণাং দণ্ডধারণে ॥১৯॥

নিংথৌ ! ভাইবং মীওইবগী মরক্তা অশাউবা কৌবদুনা লাক্পবদা হীকাইবা হায়বা, অদুগা সদাচার (অকবা— ফজবা রাইহ খাল্লা, চাকৃলা-কিজেং) অসী অসি মুংখি। অদুদগীদি মথোয়দা শুমৃহৎপা হায়বদু লাকৃখি ॥১২॥

শুমৃহৎপা— মোহ হায়বসিনা লাক্লবদুদগি অক-কত্তগী রাখল, তুং-মাং-য়েংবগী রাখল অদু মাঙখ্রে। অদুদগীদি মথোয় মশেলনক্তা অংগাম্বগা থেঙ্গায়নচনা অমনা অমগী মাঙননবা তৌনরক্রে। মাগী মাগী-ত তুংঙাইনবা তোংননবা হোৎনরক্রে ॥১৩॥

অসুম্না অমনা অমগী মথক্তা শাথীনা অত্যাচার তৌনরক্রবা, দণ্ডি পীনিঙ্ঙায় ওইরবসিদা হায়গী-- "তোম্মিদা বংসে, মবু হন্না হন্না খিক্কার তৌরি" অসিগুম্বা রাইহগী মশক ওইরবা রায়কৃচৈ (দণ্ড) না রায়কপা রায়ক্তবে। মী পুম্নমক অসি দেবতা ব্রাহ্মণশিংবু উশিং-থোওইদবা অদুগা মান্না মান্না থোক্পা তৌনিংবভা তৌবা মীশক্ শাক্লা ওইরক্রে ॥১৪॥

অসিগুম্বা অমম্না অসি য়োৎক্লবদা দেবতাশিংবা, পুনিংবা মশক্তা পুরব, গুণ পুম্নমক্লা তিন্নবা, ভগথ-হৈরবা দেবদেব ভগবান্ সদাশিবগী মফমদা আশ্রয় লৌখি ॥১৫॥

মতম অদুদা দেবতাশিংনা ফ্দোকচরবা তেজবু পুরবা ভগবান্ মহাদেবনা থৌরবা তেম্ অমত্তমা,— নগর অহুমদা য়োংমদোম্বক্তা কোরপাই পাইছদা লৈবা হিংচাবশিং অদুবু হাৎতুনা লৈমায়থক্তা থাদখি ॥১৬॥

হিংচাবগী মকোক্ নিংথৌ অদু ওম্লোক্না অকিবগী মশক্ কনো ভমথীরবা অবা ওইরম্মি, দেবতাশিংবু তুমিংচুম্না মিপাইহন্নম্মি। অদুবু মহাকপুন্ন ভগবান্ শূলপাণি মহাদেবনা হাৎখি ॥১৭॥

হিংচাবা অদু হাৎপ্রবা তুংদা মী-লাই পুম্নমক হায়গী মতৌগুম্না গনীংতোম্না লৈখি। অমুকহন্না মথোয়গী থম্মোয়বু বেদ-শাস্ত্রগী জ্ঞানগী ময়াম্না পুম্নথদ থলহন্‌বিখি ॥১৮॥

অদুগী তুংদা সপ্তর্ষিশিংনা ইন্দ্রবু দেবতা পুরমক্কী নিংথৌ ওইনা অভিষেক তৌখি। ইন্দ্র মশামক্না স্বর্গগী শাসন তৌরে তৌনা মর্ত্ত্যলোককী জীব পুরমকীদু শাসন পুখি ॥১৯॥

সপ্তর্ষীণামথোঽর্দ্ধক বিপৃথুর্নামপার্থিবঃ। রাজানঃ ক্ষত্রিয়াস্তে মণ্ডলেষু পৃথক্ পৃথক্ ॥২০॥
মহাকুলেষু যে জাতা বৃত্তাঃ পূর্ব্বতরাশ্চ যে। তেষামপ্যাসুরো ভাবো হৃদয়ান্নাপসর্পতি ॥২১॥
তস্মাত্তেনৈবভাবেন সানুষঙ্গেন পার্থিবাঃ। আসুরাস্তেব কর্ম্মাণি হ্যসেবন্ত ভীম বিক্রমাঃ ॥২২॥
প্রত্যস্তিষ্ঠংশ্চ তেষেব তান্যেবহ্যাপয়ন্ত্যপি। ভজন্তে তানি চাপ্যাপি যে বালিশতরা নরাঃ ॥২৩॥
তস্মাদহং ব্রবীমি ত্বাং রাজন্ সংচিন্ত্য শাস্ত্রতঃ। সংসিদ্ধাধিগমং কুর্য্যাৎ কর্ম্মহিংসাত্মকং ত্যজেৎ ॥২৪॥
ন সঙ্করেণ দ্রবিনং প্রচিন্বীয়াৎ বিচক্ষণঃ। ধর্ম্মার্থং ন্যায়মুৎসৃজ্য ন তৎ কল্যাণমুচ্যতে ॥২৫॥
স ত্বমেবংবিধো দান্তঃ ক্ষত্রিয়ঃ প্রিয়বান্ধবঃ। প্রজা ভৃত্যাংশ্চ পুত্রাংশ্চ স্বধর্মেণানুপালয় ॥২৬॥
ইষ্টানিষ্টসমাযোগো বৈরং সৌহার্দমেব। অথ জাতিসহস্রেণ বহুনি পরিবর্ত্ততে ॥২৭॥

সপ্তর্ষিশিংগী মতুংদা বিপৃথু কৌবা অমনা পৃথিবীগী নিংথৌ ওইখি। মহাক অসি ঈহান্ হায়বা নিংথৌ। মহাক মথক্তনা ক্ষত্রিয় কাওনুপ কয়াগী মপু ওইখি ॥২০॥

অচৌবা শাগে— কাওনুপ্তা পোকপা, চহীদা ওপদা অহেন্‌বা, অথোইবা ওইবা মথোয়গী, অদুপা— মথোয়গী মমাংদা পোকখিবশিং অদুগী থম্মোয়দা অহান্‌বদা আসুরভাব (হিংচা-য়াইতম্বগী য়াথল-ভাব) অসি কয়িমত্তা লৈয়মদে ॥২১॥

অদুনগীদি— মতমগী মতুংইন্না মপাজল কন্নবা মিংথৌশিং অদুগী য়াথলদা অমদি থম্মোয়দা হায়রিবা আসুরভাব অসি মথং মথং লাকপা হৌরে ॥২২॥

হৌজিক কাওবা য়াম্না পংথব, মথোয়দা আসুরভাব চত্তে হায়বা ফাওবা খণ্ডরবা মথোয়গী থম্মোয়দা অদুগী আসুরভাব অদু অহুম ঈকায় কানদনা লৈরি। অদুগুম্বা আসুরভাব অদুবু মথোয়গী মহুন্নাইগী লেম্বল-খোঞ্চনবগী— লেন-মনবগী— চাউথোক্নবগী মচাক্ অমা ওইনা লৌশিল্লি ॥২৩॥

অদুনা নিংথৌ। ঐনা য়াম্না য়াথল বিচার তৌদুনা হায়রি,— তাঙ্গৈবং মীনা হীরম পুন্নমক্তা য়াম্না চাউখংনবা হোৎনগদবনি। অদুপা করিগুম্বা হীরম থবক্তা হিংসা (হিংচা-য়াইতম্বা) গী য়াথল অমদি থবক্তি য়াওহন্দোইদৌবনি ॥২৪॥

অশিংবা— জ্ঞানী ওইবা মীনা তৌগদবদি— ধর্মগী থবক তৌনমবনি হায়দুনমু, অদুম্বা ন্যায়বিধিবু থাদোকুনা পাখনা তিন্নবা উপায় অমাদ লম্বীদা লম-থুম থক্ তান্নোইদৌবনি। মরমদি— অদুগুম্বা লল অদুনা তৌবা ধর্মগী থবক অদুনা পুন্‌শিদা য়াইফবা থক্ পীরোই। পীরবসু মাতুগী পোলোইনা অকবা থক্ ওইরোই হায়বসি থগদৌবনি ॥২৫॥

নিংথৌ। নহাকমু অদুগুম্বা ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা নিংথৌ হায়বমু ওইদুনা শাগে-নাত্তে প্রজাশিংগা লুংশিনবা লৈমিন্নদুনা, মনাই-মশলশিংবুসু মচা-মশুগুম য়োক-থাকউ ॥২৬॥

অপাম্বা পাম্‌দবা পোৎশক কন্না কয়াম্ ফংদুনা, পোৎশক্ কয়াম্ লৌশিন্নদুনা পোৎশক্ মওং কন্না

তস্মাৎ ভবেষু দ্বন্দ্বেষু মা দোষেষু কথঞ্চন। নির্গুণোঽপি হি দুর্বুদ্ধিরাত্মনঃ সোঽভিরজ্যতে ॥২৮॥
মানেষষু মহারাজ ধর্ম ধর্মৌ প্রবর্ত্ততঃ। ন তথান্যেষু ভূতেষু মনুষ্যরহিতেষ্বিহ ॥২৯॥
ধর্মশীলো নরো বিদ্বানীহকোঽনীহকোঽপি বা। আত্মভূতঃ সদা লোকে চরেৎ ভূতান্যহিংসয়া ॥৩০॥
যদা ব্যপেত হৃল্লেখং মনো ভবতি তস্য বৈ। নানৃতং চৈব ভবতি তদা কল্যাণমৃচ্ছতি ॥৩১॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াং একোণনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥ ৮৯॥

——:(ঞ):——

কয়াবু থাদোক্লমদুনা জীব অসি— মপোক লিশিং লিশিং, দেহ মওং লিশিং লিশিং লাদোক্লমদুনা ওসি কাওবা লাক্লি। মতুংদদু মশীং লাক্তুমদবা দেহ মওং কয়া কয়াদা লোং লোংদুনা অনন্তকাল অসিগী মমুংদা চৎথিগদৌরিবনি ॥২৭॥

অদুনা, অকবা গুণশিংদা লৈদুনা, ফজবা লোবলোমদা থক্ চঙশিল্লোইদৌবনি। মগুণ লৈতবা মীশু গুণ লৈ হায়না হৌরাওজরি। মহারাজ। ধর্ম অধর্ম অনীনা, সত্য অসত্য অনীনা, অদুগা, হায়রিবা— অসিগী সুখ নৈনবগী মাথল অমদি বিচার অসি, তাইবংমীগী হকচাংসি মখা করিগুম্বা অতোপ্পা দেহ অমদা জীবাত্মাসিনা তৌবিদে। হায়রিবা বিচার অসি ঈতো তৌরমদনা চৎথিবা তাইবংমীগী মপোক— দেহ কয়া কয়াদসু জীব অসি লৈগ্রবনি। মদুগী অমুক লৈরিবদে হায়না লাইবক ফওবনি ॥২৮—২৯॥

ধর্মগী তত্ত্ব খঙবা জ্ঞানীশিংনা থবক্ তৌন তৌনবু ওইরবসু, তৌদনবু ওইরবসু অগংকী চৎনবা, লৈরিবা, লাকদৌরিবা জীব পুম্নমক্তা অমত্তা ওইনা তিনিশিনদুনা, হায়বদি— আত্মভাব থম্লুনা মখোয়দা হিংসাগী থবক অমত্তা তৌদনা মশা অমত্তা ওইনা লৈগদবনি ॥৩০॥

কদায়বা কর্মগী সংস্কারে অদুগা মপাদগী সংসারগী কামনা পুম্নমক অসি থাদোক্লুনা, পরিশুদ্ধা অকা-অপুম অমত্তা মশাদা য়াওজরবা মী মহাক অদুত্তমা পুন্নশিন্দা মুংঙাই-য়াইফবা ফংই ॥৩১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারততা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা,
মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতাগী চনীমরিফুমাপনগুবা অধ্যায় লোইয়ে ॥২৮৯॥

——:(ক):——

মণিপুরী মহাভারত

নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতাগী মথং)

চনীম্রিকুতরাগুবা অধ্যায়।

——:():——

পরাশর উবাচ।

এষ ধর্মবিধিস্তাত গৃহস্থস্য প্রকীর্তিতঃ। তপোবিধিং তু বক্ষ্যামি তন্মে নিগদতঃ শৃণু ॥১॥

প্রায়েণ চ গৃহস্থস্য মমত্বং নাম জায়তে। সঙ্গাগতং নরশ্রেষ্ঠ ভাবৈস্তামসরাজসৈঃ ॥২॥

গৃহাণ্যাশ্রিত্য গাবশ্চ ক্ষেত্রাণি চ ধনানি চ। দারাঃ পুত্রাশ্চ ভৃত্যাশ্চ ভবন্তীহ নরস্য বৈ ॥৩॥

এবং তস্য প্রবৃত্তস্য নিত্যমেবানুপশ্যতঃ। রাগদ্বেষৌ বিবর্দ্ধেতে হ্যনিত্যত্বমপশ্যতঃ ॥৪॥

রাগদ্বেষাভিভূতং চ নরং দ্রব্যবশানুগম্। মোহজাতা রতির্নাম সমুপৈতি নরাধিপ ॥৫॥

পরাশরনা হায়,— ঈবুঙো। গৃহস্থগী ধর্মগী মরুপদা তৌগদবা বিধি করা নিংথৌ মঙোন্দা হায়-রুবনি। অহুনা হৌজিক্তি তপ (ত স্যা) গী বিধি অহু ঐ নীয়গে ॥১॥

নিংথৌ। গৃহস্থ ওইবা মীনি মুমিংচুপ্পা রাজস তামস ভাবশিংদা লৈরনা তাইবংমী অতৈ অতৈদা অহুপা তোঙান্ তোঙান্ৰা পোৎশক্কী মমতা— ঐগী হায়বা রাখল অসি হেক্তা পোক্লুই ॥২॥

ব্রহ্মচর্য্যাশ্রমদগী গৃহস্থ-আশ্রমদা হেক্ চঙলকপদগী তাইবংমীনা শল-ইরোই লোইবগী, লৌউ-শিংউবা অহুপা ইংখোল কোইবগী লৈল-খুমগী পীথোক্-পীশিনগী, লোথোক-লোশিনগী, মুপী-অতাং য়োক্-থাকপগী শাগে-মাচৈ তাই-শেলগী মরী লৈমরা থবক্তদা পুক্নিং শুথি ॥৩॥

মতৌ অসুম্না প্রবৃত্তিমার্গতদা লৈতুনা, হায়রিবশিং অসিবুক্ত থন্নুনা উচুনা লৈ। হায়বদি— অনিত্য ওইবা মপানগী কুয়োমগী রাখল অতুতদা য়াউভাইচুনা লৈখোক্লুই। অহুনা পোৎশিং অহুদা লৈরিবা— অনিত্যতা অহু থক্ উরদে, উগে হায়নস্ থন্নুদে। অহুনা নিত্য ওইবা উবা ঙমদে। অহুনা— অউবা অনিত্য অহুত্তদা অপাম্বা মিহৌবনচিংবরু হাপচিল্লি। হাপচিল্লুরবনিনা মথং মথং অপাম্বা মিহৌবনচিংবা অহু হেনৃগৎলক্লুই ॥৪॥

নিংথৌ। অপাম্বা মরুকপা হায়বা অমী অসিগী মথা পোন্থিনুনা তাইবংমীবা, সংসারগী পোক্তেশিং অসিদা কা হেন্না হেক্ আসক্ত কুইথিবহুরগী মোহ— শুক্নাংপা হায়বহুগী মতাগী রতি হায়বীরু মী মহাক অহুগী মাক্ত হেক্ লাক্লুই ॥৫॥

কৃতার্থং ভোগিনং মত্বা সর্ব্বো ভবতি পর্য্যয়ঃ। লাভং গ্রামকুথাদন্তং যা ততো নাভুপগচ্ছতি ॥৬॥
ততো লোভাভিভূতাত্মা সঙ্গাৎ বর্দ্ধয়তে জনম্। পুষ্ট্যর্থং চৈব তত্ত্বেহ জনস্যার্থং চিকীর্ষতি ॥৭॥
স জানন্নপি চাকার্য্যমর্থার্থং সেবতে নরঃ। বালস্নেহপরীতাত্মা তৎক্ষয়াচ্চানুতপ্যতে ॥৮॥
ততো মানেন সম্পন্নো রক্ষন্নাত্মপরাজয়ম্। করোতি যেন ভোগীস্যামিতি তস্মাৎ বিনশ্যতি ॥৯॥
তথাহি বুদ্ধিযুক্তানাং শাশ্বতং ব্রহ্মবাদিনম্। অন্বিচ্ছতাং শুভংকর্ম নরাণাং ত্যজতাং সুখম্ ॥১০॥
স্নেহায়তননাশাচ্চ ধননাশাচ্চ পার্থিব। আধিব্যাধিপ্রতাপাচ্চ নির্ব্বেদমুপগচ্ছতি ॥১১॥

মতি কৌবীসিদা হেক্ লাকপদগী মতি অমুতগী উপাসবা তৌদুনা, হায়বদি— মাদুগনা লাইবিং ওই-দুনা নৈথিবদা ভাইবং মীনা যাদুবু ভোগ তৌবগনা অথোইবা মথৌদি হায়না খন্‌বা হৌথি। মাদু মতুনা অতৈ অভোপা কংজনীওভায়— ভোংজনীওভায় অমতা নৈতে হায়না খন্‌থ্রে ॥৬॥

অদুগী তুংদগীদি পুন্নাং কৌবা ইন্দ্রিয়সিগী মথক্তা লোভ— অপাবা হায়বদুনা আক্রমণ তৌশিন্নদুনা মহাক্তী মথা পোলহন্‌থি। লাল অদু ওয়নবা মচা-মশু, শাগৈ-মাতৈ যায়া পোক্‌হনদুনা মীচং-সজন যাম-হন্‌থি। মথোয়সিদা অদুক মঙোন্দা ওন্‌শিন্নদুনা মাগী মাওন ভাজনবা তৌয়কনি হায়বসি ভাইবং মীনা খঙদে। অহোয়নদুগদ্ মথোয়দিবু য়োক্ক থাক্কবগীতা খনজ্রে। মথোয়গী মমক্তা লন্‌থুম পৈশিন্‌-খোচ্চিন্‌-শাজনবগী-ত খন্‌থি ॥৭॥

তৌরিবা থবক অসি পাপকী থবকনি হায়বা খঙনা খঙনা পাপ অদু লৈমনবগী মমক্তা শেল তাল্লি, হায়বদি— মথোক্ত শোন্দি ॥৮॥

তান্নিবা টৈপন্নিবা শেল অদুগী পাকৈনা সমাজদা কংলিবা সম্মান মিংচেংনচিংবদু মাঙহন্নীওদবনা অপ-মান (চোয়) দগী মথাবু কঞ্জননবগী মমক্তা অমুক কন্না হোৎনয়কই। মাদু ওয়নবা শেল-থুম তান্‌বগুনা ভাইবং মীওইবগী পুনশিগী অমদি মপোক্কী উদ্দেশ্যনি হায়বা কাওবা খন্‌থি। মাদু হোৎনবদা মাদুগী তুমিংকী প্রভব অদু অদুম মাঙহন্‌থি ॥৯॥

ভাইবংমীনা কন্নি কনিগুবদা যাগ-যজ্ঞমচিংবা শুভকর্মগু মতৌই। অদুবু মাদুগী কংপকৌদিবা— তুংঙাইদা অদুদি থক্ পায়দে। অদুবু জ্ঞানীশিংদি শুভকর্মশিং অদুগী নিত্য ওইবা তুংঙাইবা মহৈ অদুবু কংনবা হোৎনৈ। অদুগুম্বা ব্রহ্মবাদীশিং অদুতনা সংসারসিমক্তদা— ইহলোকসিদা— শিদ্ধিতৈদা অমাওং অতা নৈন্নবা পদবীবু কংথি ॥১০॥

পৃথ্বীগী মপু। নিংথৌ। তুংশিনবকমগী মশক ওইরবা, তুংশিবা হায়বদুগী তুংবকম ওইরবা— তুগী-অওাং মচা-মশুশিংদুনা, হেক মৃৎথি-শিথিবদু উবগা, মহাক্তীদি হায়না থজনবা মঙ্গল-মথুম্ অদুনা মুখ-মাওথবক্রবদা, অদুগা মশানা য়োগ লাকুনা অয়াবা-টৈনাথোল কংলক্রবা মতম অদুগা, ভাইবংমীগী মশানা বৈরাগ্য— হৈনিংদবা— তরবগী ভাব অদু অদুম্ লাকই ॥১১॥

নির্ব্বেদাদাত্মসম্বোধঃ সম্বোধাচ্ছাস্ত্রদর্শনম্ । শাস্ত্রার্থদর্শনাৎ রাজংস্তপ এবানুপশ্যতি ॥১২॥
দুর্লভো হি মনুষ্যেন্দ্র নরঃ প্রত্যবমর্শবান্ । যো বৈ প্রিয়সুখে ক্ষীণে তপঃ কর্ত্তুং ব্যবস্যতি ॥১৩॥
তপঃ সর্ব্বগতঃ তাত হীনস্যাপি বিধীয়তে । জিতেন্দ্রিয়স্য দান্তস্য স্বর্গমার্গপ্রবর্ত্তকম্ ॥১৪॥
প্রজাপতিঃ প্রজাঃ পূর্ব্বমসৃজৎ তপসা বিভুঃ । ক্বচিৎ ক্বচিৎ ব্রহ্মপরোব্রতান্যাস্থায় পার্থিব ॥১৫॥
আদিত্যা বসবো রুদ্রাস্তথৈবাগ্ন্যশ্বিমারুতাঃ । বিশ্বেদেবাস্তথা সাধ্যাঃ পিতরোঽথ মরুৎগণাঃ ॥১৬॥
যক্ষরক্ষগণগন্ধর্ব্বাঃ সিদ্ধাশ্চান্যে দিবৌকসঃ । সংসিদ্ধাস্তপসা তাত যে চান্যে স্বর্গবাসিনঃ ॥১৭॥
যে চাদৌ ব্রাহ্মণাঃ সৃষ্টা ব্রহ্মণা তপসা পুরা । তে ভাবয়ন্ত পৃথিবীং বিচরন্তি দিবং তথা ॥১৮॥
মর্ত্ত্যলোকে চ রাজানো যে চান্যে গৃহমেধিনঃ । মহাকুলেষু দৃশ্যন্তে তৎ সর্ব্বং তপসঃ ফলম্ ॥১৯॥

অসিগুম্বা বৈরাগ্যভাব লাকপদগী তাইবং মীওইবগী থম্মোয়দা আত্মতত্ত্ব খিবা অহৃপা থগনীংবগী ভাব অমা হেক্ লাকই। থগনীংবহ্ পোকপদগী বেদ-শাস্ত্রবু তম্বগী অমদি বৈনবগী যাথল অমা পুক্নীংদা লাকই। বেদ-শাস্ত্রগী অর্থ অহুগা অর্থ অহুগী তত্ত্ব অহুবু থগনমবগী অয়াবা কয়া থাগলিবা, হায়বদি— তপস্যা তৌয়িবা মীশিং অহুগী তপস্যা অহুতনা আথাইবা পপত্তানি ॥১২॥

নিংথৌ! হায়রিবসিগী মতুংইদা, মচা-মশু, নুপী-অঙাং, মপা-মমানচিংবগী মপান্‌গী প্রেমগী থৌয়ীবু থদংলমহুনা তপস্যা তৌবা চংথিবা অসিগুম্বা মীশক অসি অগংতা য়াম্না তাতিও। চন্নবমকপু চংগ্রগে হায়না থক্লিবা মীশক অহুমকন্থ তাইবং মীওইবগী মন্নুংদা য়াম্না তাত্তবনি ॥১৩॥

ইবুঙো। অসিগুম্বা তপস্যা অসি তৌবগী অধিকার অদি মী পুম্নমক্না ইবৈ হেক্ লৈ। ইন্দ্রিয় খুদুম চন্‌বা, পুক্নীংবু কাজিন্‌বা হায়বসি হক্তরবা শূদ্রনচিংবগীসু বর্ণ-জাতিগী মীশিংনা তৌবসু য়াই। তপস্যাদি বর্ণ-জাতিনচিংবসিগী ভেদাভেদপা নময়— সমন্না করিমত্তা থমদে। মরমদি— তপস্যা হায়বসি তাইবংগী খুদিংমকপু স্বর্গদা চংননবগী পাক-চাউরবা লম্বী অমনি ॥১৪॥

নিংথৌ। প্রজাপতি মশামক্না অকন্‌বা তপস্যা তৌদুনা ব্রহ্ম-পরায়ণ ওইহিদুনা অকন্‌ব ব্রত তৌদুনা মাহুগী মহৈনা অগংপু অগংপু শেম্বগী শক্তিদু ফংখি ॥১৫॥

ইবুঙো! নিংথৌ! আদিত্য, বসুদেবতা, রুদ্র, অগ্নি, অশ্বিনীকুমার, বায়ু, বিশ্বেদেব, সাধ্য, পিতর, মরুৎকী কাওলুপ, যক্ষ, রক্ষ, গন্ধর্ব্ব, সিদ্ধ, সাধানচিংবা পুম্নমক্ অসিনা ওইরিবা— লৈরিবা কীতম অমদি মকম অসি মথোয় মথোয়না তৌয়কপা তপস্যাগী মহৈনি ॥১৬—১৭॥

অমাংহৌদা সৃষ্টিগী মতমদা ব্রহ্মানা মরীচিনচিংবা ঋষি ব্রাহ্মণশিংবু পুথোক্‌খি। হায়রিবা মথোয়শিং অসিদু তপস্যাগী শক্তিনা আকাশগী মকম পুম্নমক্না কোয়চৎ চৎদুনা লৈখি ॥১৮॥

মর্ত্ত্যলোক অসিমক্তগী চাউর-চাউরবা মুনি ঋষি, ধর্ম্মচেক্লবা নিংথৌ, অচৌবা শাংগে তাত্তা পোক্লিবা, দানধর্মনচিংবদা পুক্নীং চঙবা মীশক ওইনা পোক্লিবনি। মাবা মানা তৌখ্রিবা তপস্যাশিং অহুগী মহৈমক্তনি ॥১৯॥

কৌশিকানি চ বস্ত্রাণি শুভাণ্যাভরণানি চ। বাহনাসনপানানি তৎ সর্ব্বং তপসঃ ফলম্ ॥২০॥
মনোঽনুকূলা প্রমদা রূপবত্যঃ সহস্রশঃ। বাসঃ প্রাসাদপৃষ্ঠে চ তৎ সর্ব্বং তপসঃ ফলম্ ॥২১॥
শয়নানি চ মুখ্যানি ভোজ্যানি বিবিধানি চ। অভিপ্রেতানি সর্ব্বাণি ভবন্তি শুভকর্ম্মিণাম্ ॥২২॥
নাপ্রাপ্যং তপসঃ কিঞ্চিৎ ত্রৈলোক্যেঽপি পরন্তপ। উপভোগ পরিত্যাগঃ ফলান্যকৃতকর্ম্মণাম ॥২৩॥
সুখিতো দুঃখিতো বাপি নরো লোভং পরিত্যজেৎ। অবেক্ষ্য মনসা শাস্ত্রং বুদ্ধ্যা চ নৃপসত্তম ॥২৪॥
অসন্তোষোঽসুখায়েতি লোভাদিন্দ্রিয়সম্ভ্রমঃ। ততোঽস্য নশ্যতি প্রজ্ঞা বিদ্যেবাভ্যাসবর্জ্জিতা ॥২৫॥
নষ্টপ্রজ্ঞো যদা তু স্যাৎ তদা ন্যায়ং ন পশ্যতি। তস্মাৎ সুখক্ষয়েপ্রাপ্তে পুমানুগ্রং তপশ্চরেৎ ॥২৬॥
যদিষ্টং তৎ সুখং প্রাহুর্দ্বেষ্যং দুঃখমিহোচ্যতে। কৃতাকৃতস্য তপসঃ ফলং পশ্যস্ব যাদৃশম্ ॥২৭॥

শেচ্ছাবা মাক্তনা লৈরিবা. মী খু ইগী হায়ক্তকম— নিজকম ওইনা লৈরিবসিনু— মানা মানা ভোজ-খিবা তপস্যাগী মহৈ মক্তনি। থাক্ খেয়ন্বিষসিনা,— মানা মানা তৌথিবা তপস্যাশিং অদুগী থাক্—অহেন্ হেন্দ খেয়গ্নিবদগীনি ॥২০॥

মপুক্লীং-ভাবী মশক্ক লমচত্ত নীংথিজবী লোয়নবীবু ফংলিব', সনা-লুপানা থান্নবা য়ুম-কৈ, কুয়া-লালান্নমচিংবদা লুংভাইনা লৈরিবা অসি পুম্নমক মপোক্ কয়াগী তপস্যাগী মহৈ মক্তনি। ২১॥

তুমফম-হীপকম্ চানা, শেংনা চানীংবা পুম্নমক ফংদুনা, মীংভোন্দা হায়জ-থাজক্তবা লৈতন — ভোদন, মপুন্শি লেন্বা ফংলিবসি মপোক্ কয়াগী তপস্যাগী মহৈনি ॥২২॥

অফন্বা। নিংথৌ। তপস্যানা ফংহন্বা ওমদবা পোৎ অমতা সংসারদা লৈতে, অদুগা ভৌবা হোৎ-লবা কর্ম, অদুগা কাম্যকর্ম্মবু ভৌনিংত্রবা অসিমকতু সংসারগী সুখভোগপু থাদোক্‌পা ভৌবা তপস্যাদুগী মহৈনি ॥২৩॥

নিংথৌ। অমাবদবু তাভবত্ত, দুংভাইবদবু লৈতুবত্ত বুদ্ধি জ্ঞানগী পাথৈনা শাস্ত্রশিংনা ভাকৃপা ওন্নবু মুন্না থত্তপগা সুখভোগপু থাদোক্কনবনি ॥২৪॥

পেন্নবা, লোভ-লৈতবা কাহ্নবসে অরাবা ভানমবগী মরুনি—দুক্ষম্নি। মপাঙ্গনা পুক্লীং ইন্দ্রিয়বচিংববু ঊথক্ থক্হল্লি। মাঙ্গংগীনি ভাঙ্গবং মীওইবগী বুদ্ধি অসি মক্ত ফংনা মাডিত্ত। প্রমাণ অমদা হায়রগা— অভ্যাস ভৌদবা বিদ্যানা মাঙথখিবদুগুদনি ॥২৫॥

বুদ্ধিনা মপুক্তানা ভেক্ মাঙখিবদা অচুম-অমান্ মশক্ খঙদক্তে। ভৌগদবা ভৌদ্বোইদৌবা মথৌ মশক্ খঙলক্তে। মরম অদুনা, দুংভাইবগী শরুকুনা মাঙ্গঙ্করবদা— ভাইবা মী পুম্নমকনা অমুক্ তপস্যা ভৌগদবনি ॥২৬॥

মানা পাম্বতবু দুংভাইবনি হায়না খল্লি, মানা লৈনদবা পামদবদুনা অরাবনি খল্লি। তপস্যা ভৌরগা দুংভাইবদু অচুম্ মফংগনি, ভৌদ্রগা অমাবদু ফংগনি। মত্তো অদুনা— তপস্যা ভৌরগনা কন্নি ফংবা, ভৌদ্রগনা কন্নি ফংবা হায়বদু নহাক্ অচুম্ খঙ্গু ॥২৭॥

নিরয়ং অত্রাপি পশ্যন্তি বিষয়াংশ্চোপভুঞ্জতে। প্রাকাম্যং চৈব গচ্ছন্তি কৃত্বা নিষ্কল্মষং তপঃ ॥২৮॥
অপ্রিয়াণামবাপ্তাংশ্চ দুঃখ বহুবিধাত্মকম্। ফলার্থী তৎফলং ত্যক্ত্বা প্রাপ্নোতি বিষয়াত্মকম্ ॥২৯॥
ধর্মে তপসি দানে চ বিচিকিৎসাস্য জায়তে। স কৃত্বা পাপকান্যেব নিরয়ং প্রতিপদ্যতে ॥৩০॥
সুখে তু বর্তমানো বৈ দুঃখে বাপি নরোত্তম। স্ববৃত্তাৎ যো ন চলতে শাস্ত্রচক্ষুঃ স মানবঃ ॥৩১॥
ইষুপ্রপাতমাত্রং হি স্পর্শযোগে রতিঃ স্মৃতা। রসনে দর্শনে ঘ্রাণে শ্রবণে বিশাম্পতে ॥৩২॥
ততোঽস্য জায়তে তীব্রা বেদনা তৎ ক্ষয়াৎ পুনঃ। বুধা ন প্রশংসন্তি মোক্ষং সুখমনুত্তমম্ ॥৩৩॥
ততঃ ফলার্থং সর্বস্য ভবন্তি জ্যায়সে গুণাঃ। ধর্মবৃত্ত্যা চ সততং কামার্থাভ্যাং ন হীয়তে ॥৩৪॥

তাইবং মীনা পাপকী শক্তক ন্নাওদবা কর্ম-শু তৌবনা মঙ্গল ওইবা মাইকৈ-শু ফংংই। মপূক্রীং তাব পোংশক্‌ অদুশু ফংংই ॥২৮॥

অফবা ফলবা থজনা, মপূক্রীং তাব— মপূক্রীনা পাম্বা পোংশক অদু ফংননবগী দমক সকামকর্ম তৌদুনা মাদুগী মহৈ অদু চাব ফংত্রবৈগী পামজবা পোংশক, চোম্না ঈকায়বা নংবা, অরাবা খুদোংচীবা কয়া কয়াসু নংই। ফংনিংলিবা মহৈ অদুগী মরমদা কর্মমতা থনখিরদনা, মহৈগী মরমদা আশা করিমত্তা থম্বিকদনা কর্মগী শক্তক মতৌংনবদি অরাবা খুদোংচীবনচিংবদো অদুম্না য়াম্না ফংংনোইদৌবনি। অদুবা কর্মগী মহৈবু পাম্মদনা, মহৈ অদুগী মরমদা করিমত্তা থম্মুদনা, হায়বদি— নিষ্কামকর্ম তৌদুনা পরমেশ্বর পরমাত্মাবু ফংননবা হোৎনগদৌবনি ॥২৯॥

ধর্ম তপস্যা দানমচিংবগী মরমদা চিংনবগী মশক্‌-তা ওইরবা — থাজদবা মী অদুদি নরকগামী ওই, নরক-তা চাই ॥৩০॥

নিংথৌ! ফরিগুম্বা অরাবা খুদোংচীবদা তারবসু, নুংঙাইবা মওংদা তারবসু মাগী মহৌশাগী হায়রিবা অকবা ফজবা লবচৎ-ব্যবহারগী লীক্রম কায়দনা চৎলিবা মী মহাক অদুবু শাস্ত্রগী পাউতাকী মকুইরা চৎপা মীশকাম হায়না খঙগদৌবনি ॥৩১॥

প্রজা পুরমকী মপু! তেনজনা লীরীদগী পাইথোক্‌খিদুনা লৈমায়থক্তা নত্রগা করিগুম্বা মকম অমদা তারকপা চঙ্খিবা মতম অদুমুক্তগী মদুংদা ইন্দ্রিয়না বিষয়বু ফংজবদুগী নুংঙাইবা ফংজবগনি, হায়বদি— মতম কুইদে, মীকুপমুক্তনি ॥৩২॥

অদুগুম্বা নুংঙাইবদুনা মাঙথিবদা তাইবং মীদা থম্মোয় শোক য়াম হায়বদু হেক্‌ লাকই। অদু তৌ-রবা ফাওবদা অপঙব মীনা, অরাম পুরমকুনগী লাম্হোকপগী নুংঙাইবদুবু, হায়বদি— মুক্তিসুখ হায়বদুবু ফংনবা হোৎনগে থন্দে, পামদে ॥৩৩॥

মরম অদুনা বিবেক (অক-ফজগী বাখল) লৈবা মী খুদিংমক্না মুক্তি ফংনবগী নুংঙাইবা ফংহন্নবগীদমক্তা তপথবা, ইন্দ্রিয় খুদম চনবা হায়বা অসিনচিংবা গুণশিং অসি পোল্লকপনি। ধর্মগী নিয়মবু বিধি চুমনা

অপ্রযত্নাগতাঃ সেব্যা গৃহস্থৈর্বিষয়াঃ সদা। অপ্রযত্নেনোপগম্যশ্চ স্বধর্ম ইতি মে মতিঃ ॥৩৫॥
মানিনাং কুলজাতানাং নিত্যং শাস্ত্রার্থচক্ষুষাম্। ক্রিয়াধর্মবিমুক্তানামশক্যা সংবৃতাত্মনাম্ ॥৩৬॥
ক্রিয়মাণং যদা কর্ম্মনাশং গচ্ছতি মানুষম্। তেষাং নান্যদৃতেলোকে তপসঃ কর্মবিদ্যতে ॥৩৭॥
সর্ব্বাত্মনানুকুর্বীত গৃহস্থঃ কর্ম্মনিশ্চয়ম্। দাক্ষ্যেণ হব্যকব্যার্থং স্বধর্ম্মে বিচরন্ নৃপঃ ॥৩৮॥
যথা নদীনদাঃ সর্ব্বে সাগরে যান্তি সংস্থিতিম্। এবমাশ্রমিণঃ সর্ব্বে গৃহস্থে যান্তি সংস্থিতিম্ ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াম্ নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯০॥

——:():——

অমবদি সংসারদা হুংঙাইবা পান্‌বা হায়বশিংবুস্ত অদুম্ নকংতি ॥৩৪॥ মমম অদুনা বিষয়শিং থোইদোক্‌না কয়া নোম্মুদনা মপাঙ্গা লাকচবা বিষয়শিংবুস্ত অশিংবা গৃহস্থীশিংনা অদুম জান তানা সেবন তৌগদবনি, মাসি ঐগী মতনি ॥৩৫॥

অচৌবা অকবা শাটৈপদস্ত পোক্লবা, লোক সমাজদা সম্মান ফংলবা অদুগা শাস্ত্রশিংবু মৈমদুবা অর্থ তত্ত্বযু খুঙ্গা থওলবা মীশিংগী, অদুগা চৌবা ওমজনবগী ধর্ম কর্ম তৌত্রবা, অদুগা আত্মতত্ত্বযু থওজত্রবা মীশিং অমুশীড় তৌখিবা লৌকিক কর্ম পুম্বা পুম্মাও মাঙিও। অসিগুম্বা মতম অসি লাকপা উবদগী মাদিনা কয়ি তাবগে হায়বদু জগৎ অসিদা মথোয়গুম্বা মীশিংগীদি তপস্যা নত্তবা কয়িগুম্বা সৎকর্ম অমত্তা লৈত্তে ॥৩৬-৭॥

নিংথৌ। গৃহস্থ অমনা মথৌ পুম্নমক লেপ্পদুনা স্বধর্মবু ওক্তুনা, যাম্না শিংনা বিধি কায়দনা পিতৃ-শ্রাদ্ধ, তর্পনমচিংবা অসি তৌগদবনি ॥৩৮॥

তুরেল লাবা অমোম পুম্নমক্কা সমুদ্রদা তায়দুনা তিন্নবা অদুগুম্বা অতৈ অতোপ্পা আশ্রম পুম্নমক— গৃহস্থাশ্রমগী আশ্রয় লৌবে ॥৩৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীমরিফুতয়াত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯০॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

একনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতা মখং লীথবা)

চনীমরিফুতরামাথোইগুবা অধ্যায়।

——ঃ(ঃ ঃ——

জনক উবাচ।

বর্ণো বিশেষবর্ণানাং মহর্ষে কেন জায়তে। এতদিচ্ছাম্যহং জ্ঞাতুং তদ্ ব্রূহি বদতাং বর ॥১॥
যদেতজ্জায়তেঽপত্যং স এবায়মিতি শ্রুতি। কথং ব্রাহ্মণতো জাতো বিশেষগ্রহণং গতঃ ॥২॥
এবমেতন্মহারাজ যেন জাতঃ স এব সঃ। তপসস্ত্বপকর্ষেণ জাতিগ্রহণতাং গতঃ ॥৩॥
সুক্ষেত্রাচ্চ সুবীজাচ্চ পুণ্যো ভবতি সম্ভবঃ। অতোঽন্যতরতোহীনাদবরো নাম জায়তে ॥৪॥

জনক নিংথৌনা হংঙি,— ব্রাহ্মণশিংগী মচুংদা অখোইবা ! ব্রাহ্মণশিং তোঙান্ তোঙান্বা বর্ণ অমুক খায়থপ্রিবসিগী মরম থাজেংলেংবা করিনো ? মাসি ঐ মুম্না খঙনীঙিঙ। মাসি ব্রাহ্মণ মহাক্না মুম্ন অমুক্তা তাক্পিয় ॥১॥

শ্রুতি (বেদ) না হায়রিবদি— মহাক অহুদগী করিগুম্বা মচা অমা পোকপ্রবদি পোক্লিবা (মচা) অহু অপোকপা মাগী চপ্চাবা মওং পুবা অমনি, পুমু পুগদৌবনি। হায়বদি— সন্ততি (মচা) অমা তম্বমা অহুম লৈখিনবগী দমক অপোকপা অহুনা মাগী ভার্য্যা (নুপী) গী গর্ভচুংদগী মচা হায়বচুগী অনৌবা মখক অমা লৌমা চোংথোরকপনি হায়রি। হায়রিবসিগী মচুংইমা হায়কথদি ঈহান্ হান্বদা অমাগী মচা অহু-চগী হায়বদি ব্রাহ্মণ অহুদগী মথং মথং পোক্থরকপা মচাশিংমথৈ ব্রাহ্মণ ওক্তা ওইকম থোকপনি। অহুদি নত্তবা ব্রাহ্মণ অমতগী পোক্থরকপা ব্রাহ্মণশিংগী মরক্তা ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র হায়না অমুক খায়থপ্রিবা অসি করিগীনো ? ॥২॥

পরাশরনা হায়,— চুম্মি, নিংথৌ। পোক্লিবশিং অহুগী মচুংদা পোক্থরক্লিবা মচাশিং অহু মখোয়গী অপোকপশিং অহুগী মখক মওং মথৌ চপ্মান্না পুকম থোকই। অদুবু মাগী মাগী তপস্যাগী থাকচিংবহুগী খেন্নবদগী, তপস্যাগী মাপা (চাং) চুগী মথং মথং অহুম হন্নরকপদগী অয়াম্বা হন্নরকপা জাতিশিং অসি পোকখিবনি ॥৩॥

শেংলবা লৌবুক, শেংলবা মরু অনীসিদগী শেংলবা পাম্বী-মচা কয়া কয়া পোকখিবনি। অদুবু অকবা

বক্ত্রাংভুজাভ্যামূরুভ্যাং পদ্ভ্যাং চৈবাথজজ্ঞিরে। সৃজতঃ প্রজাপতের্লোকানিতি ধর্মবিদো বিদুঃ ॥৫॥
মুখজাব্রাহ্মণস্তাত বাহুজাঃ ক্ষত্রিয়াঃ স্মৃতাঃ। ঊরুজা ধনিনো রাজন্ পাদজাঃ পরিচারিকাঃ ॥৬॥
চতুর্নামেব বর্ণানামাগমঃ পুরুষর্ষভ। অতোঽন্যে ত্বতিরিক্তা যে তে বৈ সঙ্করজাঃ স্মৃতাঃ ॥৭॥
ক্ষত্রিয়াতিরথাম্বষ্ঠা উগ্রা বৈদেকাস্তথা। শ্বপাকা পুক্কসাঃ স্তেনা নিষাদাঃ সূতমাগধাঃ ॥৮॥
অযোগাঃ করণা ব্রাত্যাশ্চাণ্ডালাশ্চ নরাধিপ। এতে চতুর্ভ্যো বর্ণেভ্যো জায়ন্তে বৈ পরস্পরাৎ ॥৯॥

জনক উবাচ।

ব্রহ্মণৈকেন জাতানাং নানাত্বং গোত্রতঃ কথম্। বহুনীহ হি লোকে বৈ গোত্রাণি মুনিসত্তম ॥১০॥

লৌবুক অমসুং মরা, খরা হন্নবা লৌবুক খয়া হন্নবা মরা, অমুদগী অমুক খাইদগী হন্নবা লৌবুক খাইদগী হন্নবা মরা, অসুম হায়না লৈখিবদা ব্রাহ্মণ ভাক্তদি ওইরগা— খরা হন্নবা ব্রাহ্মণ, মারা হন্নখিবা ব্রাহ্মণ অসুম হায়না খায়খিবতনি। খাইদগী হেন্না ব্রাহ্মণ অমুবা ব্রাহ্মণনি হায়না কৌদুনা অমুম মরৈহোয়ে। খয় হন্নবা ব্রাহ্মণ অমুনা ক্ষত্রিয় কৌবা ব্রাহ্মণদু ওইখ্রে। মাদুগী হন্নগ্রবা ব্রাহ্মণ অমুনা বৈশ্য কৌবা ব্রাহ্মণ অদু ওইখি। খাইদগী হন্নগ্রবা ব্রাহ্মণ অমুনা শূদ্র কৌবা ব্রাহ্মণ অদু ওইখি ॥৪॥

হায়রিবা ব্রাহ্মণশিং অসিনা তোঙান্ তোঙানবা মমিং লৌ লৌদুনা হন্নখিবাসগী মরমদি— অহানবদা প্রজাপতি ব্রহ্মানা মচাশিং অসি মাগী মপাদগী থোকহন্নখিবা মতম অমদা পোক্‌কম্ থোক্‌কম অমত্তা মাম্ন-হন্নখিদে। ব্রহ্মানা তাইবংমীবু শেম্বা মতমদা খরনা মচীন্দগী, খরনা মপাম্বোমদগী, খরনা কৈগন্দগী, খরনা মখোঙদগী পুথোকখি— পোকহন্নখি ॥৫॥

মাগী মচীন্দগী থোকখিবশিং অমুনা ব্রাহ্মণ অমুম কৌহল্লি। মপাম্বোমদগী থোকখিবশিং অমুবুনা ক্ষত্রিয় হায়না কৌহন্নখি। কৈগন্দগী থোকখিবশিং অমুবু বৈশ্য হায়না কৌরহন্নখি। হকচাংগী খাইদগী হন্নবা খোঙ হায়বমুদগী পোক্‌খিবশিং অমুবুনা শূদ্র হায়না কৌনহন্নখি ॥৬॥

নিংথৌ! মতৌ অসুম্না ব্রহ্মানা মপা মথক্তদগী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র হায়বা ব্রাহ্মণ জাতি মরি অসি পুথোক্‌খি ॥৭॥

নিংথৌ! ক্ষত্রিয়, অতিরথ, অম্বষ্ঠ, উগ্র, বৈদেহ, শ্বপাক, পুক্কস, স্তেন, নিষাদ, সূত, মাগধ, অযোগ, করণ, ব্রাত্য, অমুগা চাণ্ডাল হায়রিবশিংসিদি ব্রাহ্মণচিংবা বর্ণ মরিদুগী, হায়বদি—ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য শূদ্র হায়বা বর্ণ মরি অদুগী অনুলোম, বিলোম ওইবা নুপীশিংগী সংসর্গদগী—ভিন্নরূপদগী পোকখিবা অচা-অপুশিং মতুনি ॥৮—৯॥

জনকনা হায়,— মুনি অথোইবা! ব্রহ্মা মপা অমত্তদগী থোক্‌খিবা— পুথোকখিবা তাইবং মীশিং অসিগী গোত্র তোঙান্ তোঙানবা অমুক খায়থখিবা অদিবা করিগীনো? জগৎ অসিদা তাইবংমী মপোল অমত্তগী মশীং লাক্তখ্রবা গোত্র (রেক্-শল্লাই) কয়া কয়া লৈগ্রি। মাসি করিগীনো? ॥১০॥

যত্র তত্র কথং জাতাঃ স্বাং যোনিং মুনয়ো গতাঃ। শুক্রযোনৌ সমুৎপন্না বিযোনৌ চ তথাপরে ॥১১॥

পরাশর উবাচ।

রাজন্নেতদ্ ভবেদ্ গ্রাহ্যমপকৃষ্টেন জন্মনা। মহাত্মনাং সমুৎপত্তিস্তপসা ভাবিতাত্মনাম্ ॥১২॥
উৎপাদ্য পুত্রান্ মুনয়ো নৃপতে যত্র তত্র হ। স্বেনৈব তপসা তেষামৃষিত্ব বিদধুঃ পুনঃ ॥১৩॥
পিতামহশ্চ মে পূর্ব্বমৃষ্যশৃঙ্গশ্চ কাশ্যপঃ। বেদস্তাণ্ড্যঃ কৃপশ্চৈব কক্ষীবান্ কমঠাদয়ঃ ॥১৪॥
যবক্রীতশ্চ নৃপতে দ্রোণশ্চ বদতাং বরঃ। আয়ুর্মতঙ্গো দত্তশ্চ দ্রুপদো মৎস্য এব চ ॥১৫॥
এতে স্বাং প্রকৃতিং প্রাপ্তা বৈদেহ তপসোঽশ্রয়াৎ। প্রতিষ্ঠিতা বেদবিদো দমেন তপসৈব হি ॥১৬॥
মূলগোত্রাণি চত্বারি সমুৎপন্নানি পার্থিব। অঙ্গিরাঃ কাশ্যপশ্চৈব বসিষ্ঠো ভৃগুরেব চ ॥১৭॥

মাগী মাগী পোক্নফম ঙাক্তি অমদি যোনিদ চংচানা চুম্না পোক্লবা মুনিশিংনা করিগীদমক্তা থরনা অশেংব পবিত্র ওইরবা গর্ভদা চঙজনা পোকখিবা? থরম্না ওন্নতেনবা হন্দবা যোনিদা, হায়বদি গর্ভদা চঙজনা পোকখিবা? মাসি শেংনা অমুক্তা তাকপিয়ু ॥১১॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ! তপস্যাগুনা থম্মোয় হকচাং শেংদোকপ্রবা অচুম্বা মহাত্মাশিংনা অনীং মথা তম্না করিগুম্বা হন্দবা গোত্র অমদা পোকখুরিবা মচা অহু পোক্‌কম ক্ষেত্র (মমা) অমুনা মপানৃদা হন্থত্রবা জাতিগী চুপীদি ওইরে হায়ববু মতা অচুনি য়াম্না অথোইবা ওইমা পোক্লখি ॥১২॥

মুনি মহাত্মাশিংনা অমদা অমদা পোক্‌লুবিবা মচাশিং অচুমা মপা মুনিশিং অচুগী তপস্যাগী পান্থেংনা অচৌ অচৌবা যোগী ঋষিমক্ত অহুম মওইখি ॥১৩॥

বিদেহগী মপু, জনক! ঐগী ইপুথৌ বশিষ্ঠ কাশ্যপগোত্রগী ঋষ্যশৃঙ্গ, বেদ, তাণ্ড্য, কৃপ, কক্ষীবান্, কমঠনচিংবসি, যবক্রীত, মতাংশিংগী মপুংদা অথোইবা, দ্রোণ, আয়ু, মতঙ্গ, দত্ত, দ্রুপদ, মৎস্য হায়রিবা মথোয় অসি তপস্যাগী শক্তিনা মাগী মাগী চা চাবা মওংদা স্বভাবতা লেপ্তনা লৈরমনি। তপস্যাগী শক্তিনা অচুগা ইন্দ্রিয় খুদুম চনবগী পান্থেনা বেদ শাস্ত্র হৈরবা অমুগা সমাজদা প্রতিষ্ঠা, সম্মান ফংলবা মীশক ওইখি ॥১৪ – ১৬॥

নৈপালী মপু! অহানবদা অঙ্গিরা, কশ্যপ, বশিষ্ঠ, ভৃগু, মরু গুইনা গোত্র * মরি অসি পোক্লেনো। গোত্র অতৈ অতৈনা কর্ম কর্মদুগী মতুংইন্না পোকখি। গোত্রশিং অসি মাবু মাবু পোকপিরকপা হায়বদি—

* "গো" শব্দগী মরু ওইবা অর্থ অহুমনি। লম, পৃথিবী, স্বর্গ (স্বর্গ) অহুম অসিমু ঙাকুননবা, অচুম্বা লম্বীদা পুথিনবা ওইনা শেম্বা মীশক মত্রগা পোং হায়বনি। "ত্র" গী অর্থনা— তাকপা। শেম্নবা, হায়বনি। অহানবদা বিশ্বকর্ত্তা— ব্রহ্মানা মাগী সৃষ্টিবু ঙাকুনবা মরম্নাই ওইনা শেমজবা মীশক মরিনি। মরি অদুগী পোকথখিবা মী পুরুমক অদুম্ব গোত্র পোক্রদুগী মরিংগী মতুংইন্না মাগী মাগী গোত্র অদুম ওইখি। থম ওইনা হায়রবদা— "অঙ্গিরা" দগী পোক্‌থখিবা মচা–মশু মথে "আঙ্গিরস" হায়না অদুম কৌখিবনি।
(কালাচাঁদ)

কর্মতোঽন্যানি গোত্রাণি সমুৎপন্নানি পার্থিব। নামধেয়ানি তপসা তানি চ গ্রহণং সতাম্ ॥১৮॥

জনক উবাচ।

বিশেষ ধর্মান্ বর্ণানাং প্রব্রূহি ভগবন্ মম। তথা সামান্যধর্মাংশ্চ সর্বত্র কুশলো হ্যসি ॥১৯॥

পরাশর উবাচ।

প্রতিগ্রহো যাজনং চ তথৈবাধ্যাপনং নৃপ। বিশেষধর্মা বিপ্রাণাং রক্ষা ক্ষত্রস্য শোভনা ॥২০॥
কৃষিশ্চ পাশুপাল্যঞ্চ বাণিজ্যঞ্চ বিশামপি। দ্বিজানাং পরিচর্য্যা চ শূদ্রকর্ম নরাধিপ ॥২১॥
বিশেষধর্মা নৃপতে বর্ণানাং পরিকীর্ত্তিতাঃ। ধর্মান্ সাধারণাংস্তাত বিস্তরেণ শৃণুষ্ব মে ॥২২॥
আনৃশংস্যমহিংসা চাপ্রমাদঃ সংবিভাগিতা। শ্রাদ্ধকর্মাতিথেয়ং চ সত্যমক্রোধ এব চ ॥২৩॥
স্বেষু দারেষু সন্তোষঃ শৌচং নিত্যানসূয়তা। আত্মজ্ঞানং তিতিক্ষা চ ধর্মাঃ সাধারণা নৃপ ॥২৪॥

গোত্র হৌদোকখিবা ঋষি অদুগী তপস্যানা সাধু সমাজদা কাওরবা, তপস্যা সম্মান ফংলবা মীশকমক্ত ওইখি ॥১৭—১৮॥

জনকনা হায়,— ভগবন্! মুনিদেব! বর্ণশিং অসিগী তোঙান্ তোঙান্বা, মথৌ— ধর্মশিং অদু তোঙান্ তোঙান্না তাকপিয়ু। অদুগা খ্বাইগী ওইবা ধর্ম অদুসু তাকপিয়ু। মুনিদি মাসি পুম্নমক মসি লোইনা খঙবিয়বা মীশক অমনি ॥১৯॥

পরাশরনা হায়, — নিংথৌ! মীনা করিগুম্বা অপঙং লৌজবা দান্, অতোপ্পশিংগী যজ্ঞ পাঙথোকখিবা অদুগা অতোপ্পশিংদা বিদ্যা তম্বিবা, অসিন তাক্পা হায়রিবসিনা ব্রাহ্মণশিংগী বিশেষ ওইবা মথৌনি অমদি ধর্মনি। প্রজাশিংবু ঙাকপিবনা ক্ষত্রিয়শিংগী অথোইবা ধর্মনি ॥২০॥

নিংথৌ! লৌউবা, শা-শন যোকপা, লৈরোন্-ঈতৌক্ তৌবা হায়রিবা কর্মশিং অসিনা বৈশ্যগী মথৌনি, ধর্মনি। দ্বিজাতিশিংগী, হায়বদি— ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুমসিগী সেবা তৌবনা শূদ্রগী মথৌ অমদি ধর্মনি ॥২১॥

মহারাজ! তোঙান্ তোঙান্বা বর্ণশিংগী তোঙাম্ তোঙাম্বা ধর্ম (মথৌ) অমু ঐনা হায়রে। মথোর পুম্নমক্কী ওইনা থেয়বা লৈতনা তৌগদবা ধর্ম অমদি মথৌ অমদি ধর্ম অমু অমুক হায়গে তাও ॥২২॥

ভয়থীনা মুংশিহৈত্তবা হায়বহু থাদোকুনা জীব পুম্নমক্কা থৌজালহৈবা, হিংসা তৌদবা, ঈপা পাখংতুনা ভুম্নাতবা, তাওবা তৌদবা, মুমিং খুদিংগী দেবতা অমদি পিতৃলোক্কী মাথল থাদোক্তনা মথোমগী শস্কক থর থর ভন্ব', বর্ণীয়শিংগী শ্রাদ্ধকর্মনচিংবা নিয়ম মাইনা তৌবা, লোংমগী ভমজবা অতিথি সেবা তৌবা, অচুম্বা ঙাঙবা, অশাউবা কাজিন্বা, মশাগী লুপী (লোয়মবী) তনা পেংজতুনা লৈবা, পুক্লীং চকচাং তক্ত তরনা, তথোং তথেংমা লৈবা, মীগী লোব অমা অনা খিদবা, আত্মজ্ঞান লৈবা অমদি খাওবা কন্বা, হায়রিবশিং অসি বর্ণ খুদিংমক্কী অমতা ওইবা ধর্মনি। মাদি সামান্য ধর্মমসি— মানব ধর্মনি ॥২৩—২৪॥

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাস্ত্রয়োবর্ণা দ্বিজাতয়ঃ। অত্র তেষামধিকারো ধর্মেষু দ্বিপদাং বর ॥২৫॥

বিকর্মাবস্থিতা বর্ণাঃ পতন্তে নৃপতে ত্রয়ঃ। উন্নমন্তি যথাসন্তমাশ্রিত্যেহ স্বকর্মসু ॥২৬॥

ন চাপি শূদ্রঃ পততীতি নিশ্চয়ো ন চাপি সংস্কারমিহার্হতীতি বা।
শ্রুতিপ্রবৃত্তং ন চ ধর্মমাপ্নুতে ন চাস্য ধর্মে প্রতিষেধনং কৃতম্ ॥২৭॥
বৈদেহ কং শূদ্রমুদাহরন্তি দ্বিজা মহারাজ শ্রুতোপপন্নাঃ।
অহং হি পশ্যামি নরেন্দ্র দেবং বিশ্বস্য বিষ্ণুং জগতঃ প্রধানম্ ॥২৮॥

সতাং বৃত্তমধিষ্ঠায় নিহীনা উদ্দিধীর্ষবঃ। মন্ত্রবর্জং ন দুষ্যন্তি কুর্বাণাঃ পৌষ্টিকী ক্রিয়াঃ ॥২৯॥

মিপা অখোইবা নিংথৌ! ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুম অসি দ্বিজাতি কৌই। মথক্ত হায়খ্রিবা ধর্ম অমদি কর্মশিং অসি তৌবদা মখোয়গী মপূংফানা অধিকার লৈ ॥২৫॥

নিংথৌ! হায়রিবা বর্ণ অহুমগী মীশিংসিনা মাগী মাগী মতৌ-শাদগী ওন্নতৈনবা তেক্ তৌবদা পত্তিত (লৈথা তাবা, সমাজনা হৈত্থোকপা) হায়বত্ ওই। অমসুং সঙ্গ তৌদুনা হায়রিবা বর্ণ অহুমসিগী মীনা মাগী মাগী মথৌগী লীক্লম কায়দনা চৎতুনা চাউখৎপা ফংবা অহুপ, মাগী মাগী মথৌদগী নাম্থোক্তুনা চৎলবদি লৈথা তাবসু অহুপ ওই ॥২৬॥

শূদ্রদি মশামা পত্তিত ওইবপা অমা ওইদুনা লৈরবনা মখোয়গী অমুক হন্দনীওত্তায় লৈত্রে। অমুনা মখোয়গীদি উপনয়ন— খুঙ্গুণ থাংবনচিংবা বৈদিক সংস্কার লৈতে। বেদগী নিয়ম মতুংইন্না যজ্ঞানুষ্ঠানচিংবা বৈদিককর্মশিং অসিদা শূদ্রশিংগী অধিকার লৈতে। অদুবু ময়াদগী ওইদা হায়খ্রিবা মানবধর্মশিং অদুদদি মখোয়গীসু অধিকার লৈ ॥২৭॥

মহারাজ। বিদেহগী মপু! বেদ-শাস্ত্রগী জ্ঞাননা তিন্নবা শদ্রবু প্রজাপতিমক্তি হায়না কৌনৈ। মরমদি— সেবাগুনা প্রজা পূরমক্তা পেন্নমবত্তা হোৎনরিবদি শূদ্রগুনা তৌরি। অদুগা ঐগী মতম্তদি শূদ্রবু ভগবান্ শ্রীবিষ্ণুমক্তি হায়নীত্তিঙ্। মরমদি— তাক-শেম্বা হায়বা খুনক অসি বিষ্ণু ভগবান্গীনি। শূদ্রনা মশাগী সেবাধর্মগুনা শ্রীবিষ্ণুবু হায়বদি— শ্রীনারায়ণবু পেলকন্দুনা বিষ্ণুগী মাক্ত চত্রখি ॥২৮॥

শূদ্রমা মশাগী আত্মা চাউখৎহন্নবগী ৰমক্তা মশাগী সেবা তৌবা মথৌগী মথক্তা মানবধর্মবু হাপকৎ-কনবনি। হায়বদি— সদাচার, সত্য, অহিংসানচিংবসু মশাগী মথৌ সেবা হায়নদুনা হাপকৎলবদি মহাক্কী আত্মা অদু মী পূরমক্তা অদুগা জীব শানবা খুদিংমক্তা লৈবা সর্ব্বব্যাপক ওইবা আত্মা (পরমাত্মা) অদু ওইরকই, অসিদি আত্মাগী চাউখৎপা হায়রবনু। অদুবং মীওইবা পূরমক্তী ওইবা ধর্ম-কর্ম পূরমক মহাকসু তৌবা য়াই, তৌগদবমক্তি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়দগী থাক্তুনা হল্লা মথৌ অসুদি মহাক্কা তৌবা য়াদে হায়বত্তনি। অহুম তৌরবদি মহাক্কী আত্মা অদু শূদ্রগুগী আত্মা ওইদুনা অহম্ মরেরে। হায়বদি— চাউখৎপা যংত্রে, অহোয়নহুম লৈথা তাবকনি। আত্মাবু তাহনবগী প্রায়শ্চিত্ত প্রতীকারগুম তৌবা হায়রকনি। ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয়

যথাযথাহি সংবৃত্তমাবলম্বীচরে জনাঃ। তথাতথা সুখং প্রাপ্য প্রেত্য চেহ চ মোদতে ॥৩০॥

জনক উবাচ।

কিং কর্ম দূষয়ত্যেনমথো জাতির্মহামুনে। সন্দেহো মে সমুৎপন্নস্তন্মে ব্যাখ্যাতুমর্হসি ॥৩১॥

পরাশর উবাচ।

অসংশয়ং মহারাজ উভয়ং দোষকারকম্। কর্ম চৈবহি জাতিশ্চ বিশেষং তু নিশাময়ঃ ॥৩২॥

জাত্যা চ কর্মণা চৈব দুষ্টঃ কর্মনসেবতে। জাত্যা দুষ্টশ্চ যঃ পাপং ন করোতি সপুরুষঃ ॥৩৩॥

জাত্যা প্রধানং পুরুষং কুর্ব্বাণং কর্মধিক্কৃতম্। কর্ম্ম তৎ দূষয়ত্যেনং তস্মাৎ কর্মনশোভনম্ ॥৩৪॥

জনক উবাচ।

কানি কর্মাণি ধর্ম্যাণি লোকেঽস্মিন্ দ্বিজসত্তম। ন হিংসন্তীহ ভূতানি ক্রিয়মাণানি সর্ব্বদা ॥৩৫॥

অসিনচিংবগী প্রায়শ্চিত্তশু অসি ওাক্তসি। অদুনা মাগী কল্লে হায়না কৈ রিবা স্বধর্ম অচুম্বনা অথোইবনি, হায়না থন্‌গদবনি হাওরিবসি অসিননি। ধর্ম পুন্নমক থাদোক্তুনা মশাগী ধর্ম অমত্তদা লৈগদবনি হায়রিবসি অসিননি। অদুবো শূদ্রনা ব্রাহ্মণগুম্না যাগ-যজ্ঞনচিংবা তৌদুনা বেদমন্ত্র য়াদে, হায়রিবসি মাহু হুন্নালগী না মত্তে, মশাগী আত্মাগী চাউখংননবগী লমক্তা হায়রিবনি। ব্রাহ্মণগীশু অদু মডাম, যাগ-যজ্ঞ তৌদুনশু, বেদ-মন্ত্র উচ্চারণ তৌদুনশু মশাদা মানবধর্ম লৈত্রবদি ব্রাহ্মণগী আত্মাদুশু লৈখা অদুম মডাগনি। শূদ্রনা দোষ পুথদুগুম্না ব্রাহ্মণ মহাকশু দোষ অদুম মপুগনি ॥২৯॥

হায়রিবা ব্রাহ্মণচিংবা জাতিশিংং নত্তবা অত্তোপ্পা জাতি সম্প্রদায়গী মী পুন্নমকশু মাগী মাগী ধর্মনি হায়-দুনা লৈনরিবা লৈনখিবা অদুগী মথক্তা সদাচারনচিংবা মানবধর্ম অসি হাপচিন্দুনা মাগী মাগী আত্মাবু চাউ-খংহন্নবগী লমক্তা হোৎনগদবনি। অদু ওইরবদি— ইহলোক-পরলোক— হন্দক্কী মপোক্ মতুংগী মপোক অনীমক্তা নুংঙাইবদু অদুম মফংই ॥৩০॥

জনকনা হংই,— মহামুনি! তাইবংমীবু মাঙথোক্লিবা— দোষ লৈহল্লিবসি মাগী কর্মদুনরা? নত্রগা জাতিদুনরা? মাসি ঐগী পুক্কীদা য়াম্না চিংনরে। মাসি শুগাইনা ময়ুক্তা তাক্‌পিয়ু ॥৩১॥

পরাশরনা হায়,— মহারাজ! কর্ম্ম অদুগা জাতি অনীমক্না তাইবং মীওইববু দোষ লৈহল্লি। অদুদা মাসিনা তোঙানবা রাকস্ লৈরি। মাহু পুক্নীং চঙনা তাও ॥৩২॥

মাগী জাতি কর্ম অনীমগী কবা হেন্‌থিবা নত্রগা হন্থবা, পাপ পোক্লককম ওইবা কর্মদুশু তৌরদবা, অদুগা জাতি হন্থরবা, দোষ লৈবা পাপকর্মবু তৌরক্লিবা মহাক অদুবু পুরুষ কৌই ॥৩৩॥

অথোইবা অহেন্‌বা জাতিদা পোক্লপা নিন্দা তৌননীঙঙাই ওইবা কর্ম তৌরবদি কত্রবা কর্মদুগা শম্ন-দুবগী মহাক মশাদা কলঙ্ক লৈবা মী অমা ওইরে। মশাদা কলঙ্ক (অমঙ্গা) অদুবু লৈরবদি অচৌবা জাতিদা, অথোইবা শাটৈদা পোক্পুবগী করিদি কান্নরি? মরম অদুনা অথোইবা অহেন্‌বা জাতিদা পোক্লপ মীশিংনা মীনা নিন্দা তৌবনীঙঙাই ওইবা কর্ম থক তৌবোইদবনি ॥৩৪॥ জনকনা হায়,—ব্রাহ্মণ অথোইবা

পরাশর উবাচ ।

শৃণু মেঽত্র মহারাজ যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি । যানি কর্ম্মাণ্যহিংস্রাণি নরং ত্রায়ন্তি সর্ব্বদা ॥৩৬॥

সংন্যস্যাগ্নীনুদাসীনাঃ পশ্যন্তি বিগতজ্বরাঃ । নৈঃশ্রেয়সং কর্ম্মপথং সমারুহ্য যথাক্রমম্ ॥৩৭॥

প্রশ্রিতা বিনয়োপেতা দমনিত্যাঃ সুসংশিতাঃ । প্রয়ান্তি স্থানমজরং সর্ব্বকর্ম্মবিবর্জ্জিতাঃ ॥৩৮॥

সর্ব্বে বর্ণা ধর্মকার্য্যাণি সম্যক্ কৃত্বা রাজন্সত্যবাক্যানি চোক্ত্বা ।

ত্যক্ত্বা ধর্মং দারুণং জীবলোকে যান্তি স্বর্গং নাত্র কার্য্যো বিচারঃ ॥৩৯॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি

পরাশর-গীতায়াং একনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯১॥

——:(০):——

করিগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তগী মতমদা হিংসা তৌরবা চীথোক্ থোক্তবা, ধর্মগী মরমদু ওইবা কর্ম হায়বসিবু করিনো ? অদুগুম্বা কর্মদুবু লৈত্রা ? মাদু লৈয়বদি তাকপিয়ু, তৌজগে ॥৩৫॥

পরাশর মুনিনা হায় — মহারাজ ! অদুগুম্বা কর্ম হায়গে তাবিয়ু । হিংসা য়াওদবা কর্ম অদুতনা তাইবং মীবু অরাবা থুদোংথীবদগী কন্নি ॥৩৬॥

মঙ্গনচিংবা কর্মবু থাদোক্লমদুনা, মপানুগী সংসারসিগী করিগুম্বা বিষয়দা হৈনিংবা পোকহন্দনা, করি-গুম্বা পোৎশক্ অমদা অপাম্বা পোকহন্দনা, জগৎকী সম্বান্ধগী কায়নবতা ওইরবা থবক তৌদুনা, তপথবা, মোক্ষুরুপা অসিনচিংবা গুণনা, ইন্দ্রিয় থুদুম চনবপা লোয়ননা মশাগী ধর্ম অমদি মথৌ পাঙথোক্পদা— অকন্বা ব্রত তৌরিবা অদুগুম্বা মী মহাক অদুতনা অমাঙ-অতা লৈত্রবা পদবীবু ফংই ॥৩৭—৩৮॥

নিংথৌ । বর্ণ খুদিংমক্কী মী খুদিংমক্না, জীব জগৎ অসিদা মাগী মাগী ধর্ম্মনা তাক্পা মথৌ অদু অদুবু তৌরমদুনা, অকিবগী মশক ওইরবা পাপকর্মবু থাদোক্লনা মাদুগী মতুংনা স্বর্গলোকতা চৎই । হায়-রিবা অসিদা চিংনরম করিমত্তা লৈত্রবনি ॥৩৯॥

মথম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্ম পর্ব্বদা পরাশর-গীতাগী চনীমরিফুত্রামাথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯১॥

——:(০):——

মণিপুরী মহাভারত

দ্বিনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ

(পরাশর-গীতা—মথং)

চনীগা মরিকুতরানিথোইশুবা অধ্যায়

——:(*):——

পরাশর উবাচ।

পিতা সখায়ো গুরবঃ স্ত্রিয়শ্চ ন নির্গুণানাং হি ভবন্তি লোকে।
অনন্যভক্তাঃ প্রিয়বাদিনশ্চ হিতাশ্চ বৈশ্যাশ্চ ভবন্তি রাজন্ ॥১॥
পিতা পরং দৈবতং মানবানাং মাতুর্বিশিষ্টং পিতরং বদন্তি।
জ্ঞানস্য লাভং পরমং বদন্তি জিতেন্দ্রিয়ার্থাঃ পরমাপ্নুবন্তি ॥২॥
রণাজিরে যত্র শরাগ্নি সংস্তরে নৃপাত্মজো ঘাতমবাপ্য দহ্যতে।
প্রয়াতি লোকানমরৈঃ সুদুর্লভান্ নিষেবতে স্বর্গফলং যথাসুখম্ ॥৩॥
শ্রান্তং ভীতং ভ্রষ্টশস্ত্রং রুদন্তং পরাঙ্মুখং পারিবর্হৈশ্চ হীনম্।

পরাশরনা হায়,— মহারাজ! সংসারদা মমা-মপা, গুরুজন, মরূপ-মপাং, শাগৈ-নাইত্তে, হায়রিবশিং অসি মহাক্কীদি কনামত্তা লৈতে। হায়রিবশিং অসি মত্তোন্দদি করিনত্তা ওইদে। মরমদি মহাক্কি কমিগুম্বা গুণ অমত্তগা য়িন্দে, গুণহীননি। ভগবান্ (প্রভু) গী তোঙাঞ্জবা ভক্ত ওইরবা, অতম্বা ফুংশিবা অথুবত্তা ডাডবা, মীগী মফমদা মঙল ওইহনবা থরূপা, ইন্দ্রিয় পুম্নমক চম্লবা অহুগুম্বশিংতনা মহাক্কী মী ওই, হায়রবদি— প্রভু (ভগবান্) না অহুগুম্বা মীশিং অমুবু থাদোক্কে ॥১॥

মপা হায়বসিতনা ভাইবংমীগী অখোইবা দেবতা (লাই) নি। কনা কনাগুম্বনা মপা হায়বসিবু মমা হায়বসিদগী হেন্না হায়না খল্লি। জ্ঞান ফংবা হায়বসিনা খুইদগী অতোংবনি, হায়না অখোইবা অানীশিংনা লৌনৈ। মীৎ নাকোংনশিংবা ইন্দ্রিয় পুম্নমকপু, অদুগা রূপ রসনচিংবা বিষয় পুম্নমকপু জয় তৌরবা মী মহাক অদুদনা অখোইবা থুম্ভয় ফংজিন্নি ॥২॥

ক্ষত্রিয়গী মচা-মশুশিংনা থোঙফম নাম-ত থুন্দনা লানক্কমগী মশক ওইরবা মোংফমদা তেনগী চিত্তা মথক্তা মশা চাকথক্কনখিদুনা ঈরুং চুংত্তাইনা স্বর্গগী ফুংভাইহবু ফংথি ॥৩॥

লালফমদা নশা চোকথরবা, কিহূনা হন্দোক্লবা, খুংলায় লৈমায়থক্তা থাদরবা, লালফমদা কপ-লাউরবা,

অনুব্রজন্তং রোগিণং যাচমানং ন বৈ হিংস্যাৎ বালবৃদ্ধৌ চ রাজন্ ॥৪॥
পাপিষ্ঠৈঃ সংযুক্তমুদ্যতং তুল্যতাং গতম্। অতিক্রমেৎ তং নৃপতি সংগ্রামে ক্ষত্রিয়াত্মজম্ ॥৫॥
তুল্যাদিহ বধঃ শ্রেয়ান্ বিশিষ্টাচ্চেতি নিশ্চয়ঃ। নিহীনাৎ কাতরাচ্চৈব কৃপণাৎ গর্হিতো বধঃ ॥৬॥
পাপাৎ পাপসমাচারান্নিহীনাচ্চ নরাধিপ। পাপ এব বধঃ প্রোক্তো নরকায়েতি নিশ্চয়ঃ ॥৭॥
ন কশ্চিৎ ত্রাতি বৈ রাজন্ দিষ্টান্তবশমাগতম্। সাবশেষায়ুষং চাপি কশ্চিন্নৈবাপকর্ষতি ॥৮॥
স্নিগ্ধৈশ্চ ক্রিয়মাণানি কর্মাণীহ নিবর্ত্তয়েৎ। হিংসাত্মকানি সর্ব্বাণি নায়ুরিচ্ছেৎ পরায়ুষা ॥৯॥
গৃহস্থানাং তু সর্ব্বেষাং বিনাশমভিকাঙ্ক্ষতাম্। নিধনং শোভনং তাত পুলিনেষু ক্রিয়াবতাম্ ॥১০॥
আয়ুষি ক্ষীয়মাণে পঞ্চত্বমুপগচ্ছতি। তথা হ্যকারণাৎ ভবতি কারণৈরুপপাদিতম্ ॥১১॥

মনায় ওন্দুনা চেন্নবা, মথুত্তা লানগী মপোৎ-মচে খুংঙু-খুৎলায় অমত্তা যাওত্রবা, লান তৌনিংত্রদুনা মথুৎ ক্ষাওবা হাইগত্রবা, মশানা কন্থিত্তবা লায়না অমা লাক্রবা, কন্থিমু হায়না মথরায় নিয়বা, মায়া মহা নত্রগা অহল ওইরবা য়েক্লবমু থক হাৎলোইদোবনি ॥৪॥

লানগী মপোৎ-মচে ভনা যাজনা লৈরিবা, লানগী মমক্তা শেম-শাদুনা ওইদুনা লৈরিবা, শামান্-লেং-মায়বা অদুগুম্বা য়েক্লবমু ক্ষত্রিয়শিংনা নীওইহন্দনা জয় তৌননবা হোৎনগদবনি ॥৫॥

মমায়বা নত্রগা কম্বা থৌবদা মতোন্দগী হেন্নবা য়েক্লবগী মথুত্তা থরায় থাববা ক্ষত্রিয়গী অথোইবা ধর্মনি। যুদ্ধশাস্ত্রগী ভত্বমু খঙবা মীশিংনা অদুম্না হায়রে। মাতোন্দগী পাজন্দা হন্থবা অশোম্বা য়েক্লবগী মথুত্তা শিবা হায়বসিনা খ্বাইদগী নিন্দা তৌননীঙ্গায়নি ॥৬॥

নিংথৌ। পাপী ওইবা, মন্নমচৎ থীবনা, কত্রবগী মথুত্তা শিবা হায়বসিনা খ্বাইদগী চন্থবা মশিনি। অসুম্না শিন্নবদি আত্মা অদু নরকলোমদা চৎথি। মাসি যুদ্ধশাস্ত্রনা লেপপ্রবা নিয়মনি।

নিংথৌ। মৃত্যু (শিবা) গী থরাত্তা তায়বা মীমু কনানসু কন্থিবা ঙমদে। মাগী চেঙ লৈরিবা মীমু কনানসু হাৎপা ঙম্দে ॥৮॥

চান্নবা মরূপ-মপাং, ওাই-শেলনা হিংসাগী কন্থিগুম্বা থবক অমা তৌরক্লবদি— তৌবা হৌরকলবদি মাদু থুনা যাওনা থিংহৌগনবনি— থামহৌগদবনি। অতোপ্পা পুন্শি লৌশিন্দুনা, হায়বদি— অতোপ্পগী পুন্শিনা মশাগী পুন্শিমু শাংথহন্নবগী থক্ হোৎনবোইদোবনি। অতোপ্পা অমমু হাৎলগা মশাগী পুন্শি শাংথহন্‌বা যাগদবা লৈয়বা কাওবদা যাদুগুম্বা থবক্ থক্ তৌরোইদোবনি ॥৯॥

সংসারদগী থোক্থিবা পাম্নবা মীনা গঙ্গানচিংবা তীর্থদা যাগ-যজ্ঞ দাননচিংবা তৌদুনা ধ্যান তৌদুনা মথরায় থায়বদি যাম্না খ্বাইদগী অফেনবা মৃত্যুনি ॥১০॥

দেহগী মপু দেহী (আত্মা) অসিনা মাগী পুন্শি হেক্ লোইবদা, হায়বদি— ফেক্কুংদা লৈপদবা অসি হেক্ লোইবদা মহাক পঞ্চত্বমু কংথি— লৌথি। হায়বদি— পঞ্চভূতশিংদা অরোইবা মওং লৌথি।

তথা শরীরং ভবতি দেহাৎ যেনোপপাদিতম্। অধ্বানং গতকশ্চায়ং প্রাপ্তশ্চায়ং গৃহাদ্গৃহম্ ॥১২॥
দ্বিতীয়ং কারণং তত্র নান্যৎ কিঞ্চিন বিদ্যতে। তদ্দেহং দেহিনাং যুক্তং পঞ্চভূতেষু বর্ত্ততে ॥১৩॥
শিরাস্নায়্বস্থিসংঘাতং বীভৎসামেধ্যসঙ্কুলম্। ভূতানামিন্দ্রিয়াণাং চ গুণানাং চ সমাগমম্ ॥১৪॥
ত্বগন্তং দেহমিত্যাহুর্বিদ্বাংসোঽধ্যাত্মচিন্তকাঃ। গুণৈরপি পরিক্ষীণং শরীরং মর্ত্ত্যতাং গতম্ ॥১৫॥
শরীরিণা পরিত্যক্তং নিশ্চেষ্টং গতচেতনম্। ভূতৈঃ প্রকৃতিমাপন্নৈস্ততো ভূমৌ নিমজ্জতি ॥১৬॥
ভাবিতং কর্মযোগেন জায়তে তত্র তত্র হ। ইদং শরীরং বৈদেহ ম্রিয়তে যত্র যত্র হ ॥

লৌখিবা মও অসি ময়ম ঈরৈ লৈতনা লৌখিবনু য়াওই। তোঙান্ তোঙান্‌ব ময়ম কয়ানা তিন্নগা ওইবা ময়মদগীনু লৌখিবনু য়াওই ॥১১॥

হকচাংসিবু মশানা খঙনা খঙনা মমহুনা য়ানা থাদোকখিবা, হায়বদি— আত্মহত্যানচিংবা তৌহুনা শিথিবশিং মথোয় অহুদি অয়াবা থাঙনা থাঙনা মপুন্‌শি লেলকম থোকপা, মথোক-মখুৎ লোয়বনচিংবা হকচাংদা চঙওক্লুমা পোল্লে। মথোয় অহুদি লায়নবগী সাধন (খুৎলায়) ওইরবা তাঙলবা মীওইবগী হকচাং অসি কাংহুনবু য়ায়া য়ানা মতম লৈরে। য়ুম অমদগী য়ুম অমদা হোং তোংহুনা চংখিবহুঙনা অয় -হুংওইবগী মওংদা মথং মথং চংখি ॥১২॥

অয়াবা খাঙনবগী মশক ওইবা হকচাংদা আত্মাসিনা চঙখিবহুদি আত্মহত্যা তৌখিবহুমক্তা ময়ম ওইবা মন্তনা অতৈ ময়ম অমত্তা লৈতে। অহুঙবা হকচাংসিবু কংখিবহুদি পঞ্চভূততগী মশক ওইরবা হকচাং নত্তনা অতৈ অত্তোম্মা দেহ অমত্তা নত্তে ॥১৩॥

হকচাং অসিদি শরু-তারু, ঈ-মাই তোংগী মপৈ নত্তনা কয়িনু নত্তে। য়েংবদা তুকচনীঙতাগী মশক ওইরবা, শেংত্রবা অমাং অশোয়ভগী তুংনফম ওইহুনা লৈববনি। মৈ, ঈশিংনচিংবা পঞ্চভূত, মীৎ, নাকোং নচিংবা ইন্দ্রিয়শিং অহুপা রূপ-রসনচিংবা বিষয়শিং অসিগী মপৈ নত্তনা কয়িনু নত্তে ॥১৪॥

অধ্যাত্মবিষয়দা য়ায়া জ্ঞানী ওইরবা মীশিংনা হায়, মাহুদি— হকচাং অসিগী ঈকোন কোন্‌বা মপান্ ঈথং খংবা কুয়োম অশিবু খাইনা উন্ হায়না কৌনৈ। অসিঙম্বা, পায়বা লৈপাক্কী শউন্ অসিনা কুপ্পিবা মপান থোপ্পিবা হকচাং অসিগী মশাদা কঞ্জবা কক্তদবা হায়বা পোৎ অমত্তা য়াওদে। মাসিগী মৃত্যুদি— অমুক্কং হায়বহু শোয়রনা থোক্লগদৌবনি ॥১৫॥

অসিঙম্বা দেহলুংসিদা জীবাত্মা হায়বশিনা লৈয়িবমথৈ হকচাং অসি লেঙ-ওন্‌না লৈগনি। জীবাত্মানা হেক্ক থাদোক্পদা লেঙ-ওৎপা কয়িমত্তা তৌঙয়োই। অহুনগীদি অশিবা হকচাংহুগী মূর্ত্তি ওইরবা হকচাংগী মচাক্ ওইবা মৈ, ঈশিংনচিংবা ভূতশিং অসি খুদক্তা য়াগী য়াগী প্রকৃতিদা মথং মথং চঙথি। অহুগী তুংদা লৈপাক্কগী মশক ওইথিপগনি ॥১৬॥

বিদেহ নিংথৌ! জনক! অসিঙম্বা হকচাংগী মৃত্যু হায়বহুদি— করিঙম্বা মকম মতম অমদা হেক্ক

ততঃ স্বভাবোঽপরোঽদৃষ্টো বিসর্গঃ কর্ম্মণস্তথা ॥১৭॥

ন জায়তে তু নৃপতে কঞ্চিৎ কালময়ং পুনঃ। পরিভ্রমতি ভূতাত্মা দ্যামিবাম্বুধরো মহান্ ॥১৮॥

স পুনর্জ্জায়তে রাজন্ প্রাপ্যেহায়তনং নৃপ। মনসঃ পরমো হ্যাত্মা ইন্দ্রিয়েভ্যোঃ পরং মনঃ ॥১৯॥

বিবিধানাঞ্চ ভূতানাং জঙ্গমাঃ পরমা নৃপ। জঙ্গমানামপি তথা দ্বিপদা পরমা মতাঃ ॥২০॥

দ্বিপদানামপি তথা দ্বিজা বৈ পরমাঃ স্মৃতাঃ। দ্বিজানামপি রাজেন্দ্র প্রজ্ঞাবন্তঃ পরা মতাঃ ॥

প্রাজ্ঞানামাত্মসম্বুদ্ধাঃ সম্বুদ্ধানামমানিনঃ ॥২১॥

জাতমন্বেতি মরণং নৃণামিতি বিনিশ্চয়ঃ। অন্তবন্তি হি কর্ম্মাণি সেবন্তে গুণতঃ প্রজাঃ ॥২২॥

আপন্নেতূত্তরাং কাষ্ঠাং সূর্য্যে যো নিধনং ব্রজেৎ। নক্ষত্রে চ মুহূর্ত্তে চ পুণ্যে রাজন্ স পুণ্যকৃৎ ॥২৩॥

ওইথিগনি। প্রারব্ধকর্মগী মহুৎইয়া, মকম মতন অমদা জীবসিনা শাথিবা দেহতুদা মহাক অমুক চঙথিগনি। অমুম তোকহুনা জীবনা দেহ অমদগী দেহ অমদা চোং চোংহুনা লাকি বনি। তৌথি তৌথিবা কর্মগী মহৈগী মথক ওইহুনা থোকখিবা হুকচা শিং অমুদা চঙথিহুনা জীবসিগী পুনর্জন্ম— অমুরকপা পোকপা হায়বহু ওই ॥১৭॥

মিংথৌ! জীব অসিনা হকচাং অসি থাদোকপগা খুদক অমুদা দেহ অমদা চোংশিনখিবহুস নাত্তে। পাক-চাউরবা নোং মতুম মপাক অমনা আকাশ অসিদা মনীং-মথা তম্না মতম থৱা পাটনপা হেক্ হেক্ শংথিবহুস্না জীব অসি মতম থরদং দেহ অমগা চঙমিংহুনা মতম থরদং গুত্রংদা কোয়পাই পাইহুনা লৈরম্মি। পুনর্জন্ম হায়বহু খুনক্তো হেক্ লোরে ॥ ১৮॥

কোয়পাই পাইহুনা অমুম লৈরিবৈদা কয়িশুম্বা আধারগী মথক ওইবা মকম মতম অমু হেক্ ফংবদা দেহ অমদা হেক্ চঙথি। চঙথিবং অমুবু পুনর্জন্ম কৌই। ইন্দ্রিয়শিংদগী পুক্নীং— মন কৌবসিবা মন্ন ওইবা অপোইবনি। পুক্নীংদগীসু আত্মাসিনা অথোইবনি ॥ ১৯॥

মহারাজ! সংসার অসিদা লৈরিবা অচঞ্চল্ত জীব পুম্নমক অসিগী মনুংদা চত্তবা জীবশিংদগী অচৎপা জীবন মতউৎ মগুণ চাউবা হেন্নি। অচৎপা জীবশিংগী মনুংদস্নু মখোঙ অনী পানবা তাইবংমী হায়বসিনা থাইদগী অথোইবনি ॥২০॥

তাইবংমীগী মনুংদস্নু দ্বিজ— ব্রাহ্মণনা অথোইবনি। মিংথৌ! দ্বিজশিংগী মনুংদা বুদ্ধিমান্ ওইবা দ্বিজশিংনা অথোইবনি। বুদ্ধিমান্— জ্ঞানীশিংগী মনুংদা আত্মজ্ঞানী ওইবা দ্বিজনা অথোইবনি। আত্মজ্ঞানীশিংগী মনুংদা মশাদা নাপল— অহঙ্কার য়াওদবা অমুনা অমুক্ অথোইবান ॥২১॥

হেক্ পোকপদগী মৃত্যু হায়বহুনা তুংদা কোয়টন্ ইয়রিবনি। জীব পানবা পুম্নমক সত্ত্ব, রজ, তম, কৌবা গুণশিং অসিনা ইহিরুকুনা মাত্তপগদবা কর্মশিং অসিমু চোঙ্গাল তেংতোম্না তৌরি ॥২২॥

সূর্য্যদেবনা উত্তরায়ণদা লৈয়রদা, অকবা লগ্নদা, অকবা মুহূর্ত্তদা মোক্ষাত্রিবশিংহ পুণ্যাত্মা মরুনি ॥২৩॥

অযোজয়িত্বা ক্লেশেন জনং প্রাপ্য চ দুষ্কৃতম্। মৃত্যুনাপ্রকৃতেনেহ কর্ম কৃত্বাত্মশক্তিতঃ ॥২৪॥
বিষমুদ্বন্ধনং দাহো দস্যুহস্তাত্তথা বধঃ। দংষ্ট্রিভ্যশ্চ পশুভ্যশ্চ প্রাকৃতো বধ উচ্যতে ॥২৫॥
ন চৈভিঃ পুণ্যকর্ম্মাণো যুজ্যন্তে নাভিসন্ধিজৈঃ। এবম্বিধৈশ্চ বহুভিরপরৈঃ প্রাকৃতৈরপি ॥২৬॥
ঊর্দ্ধং ভিত্ত্বা প্রতিষ্ঠন্তে প্রাণাঃ পুণ্যবতাং নৃপ। মধ্যতো মধ্যপুণ্যানামধো দুষ্কৃতকর্ম্মণাম্ ॥২৭॥

এক: শত্রুর্ন দ্বিতীয়োঽস্তি শত্রুরজ্ঞানতুল্যঃ পুরুষস্য রাজন্।
যেনাবৃতঃ কুরুতে সম্প্রযুক্তো ঘোরাণি কর্ম্মাণি সুদারুণানি ॥২৮॥
প্রবোধনার্থং শ্রুতিধর্ম্মযুক্তান্ বৃদ্ধানুপাস্য প্রভবেত যস্য।
প্রযত্নসাধ্যো হি স রাজপুত্র প্রজ্ঞাশরেণোন্মথিতঃ পরৈতি ॥২৯॥

অসিগুম্বা মশিংবু শিঙ্খিবশিং অহুদি কমাগুম্ব করিগুম্বা অমগী মকমদা অমাবা অমতা শীন্নমদনা— প্রায়শ্চিত্তনা মশাগী পাপপু কোকহন্নগা মশানা শুমজবা অহুগী মতুংইন্ন শুভকর্ম ত্তৌন ত্তৌনা চনীং-ত্তানা শিঙ্খিবনি ॥২৪॥

হু চাহুনা, থৌরী হান্থুনা, মৈথুংদা নক্রপা ঈশিংদা চোংথহুনা, লুট ত্তৌবা হুন্নান্-চিঙ্খিবা ত্তাকুশিংগী মথুক্তা, কৈ নোংশানচিংবা শা-ত্তাগী মথুক্তা শিবা— অন্নগুম্বা মশি (শিবগী মওং) অহুদি খ্বাইদগী হুম্বা, ত্তোন্নবা মশিনি ॥২৫॥

পুণ্যকর্ম্ম ত্তৌবা মীদি অসিগুম্বা অং-মৃত্যু অবমৃত্যুগী মশিংদা থক্ শিনদে। অকবা ধর্ম্ম-কর্ম্ম ত্তৌবা সজ্জনশিংনা অসিগুম্বা মহ্নবা ত্তোন্নবা উপায়শিং অসিনা ত্তাত্তলবা মপুন্সিন্ন অশিবগী থন্নাত্তা থক্ লংশিন্-নদে— শিনদে ॥২৬॥

নিংথৌ ! পুণ্যাত্ম ওইবশিংগীদি প্রাণবায়ুহ ব্রহ্মরন্ধ্রদগী মপান্ থোকৃখি। মন্নক্তা মীশিংগী প্রাণবায়ুনা মীং নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয়শিংগী মথুল মন্নীদগী মপান্ থোকৃখি। পাপকর্ম ত্তৌবা মীশিংগীদি প্রাণবায়ু অহু অপানগী বায়ু ওইহুনা গুহ্যদ্বার অমুগা লিঙ্গগী মন্দ্রনগী মপান্ থোকৃখি ॥২৭॥

নিংথৌ। ত্তাইবং মীওইবগী মথা ত্তানিত্তই লৈত্তনা শাথিন্নবা য়েক্লবা অমা লৈদি। মমিংনা অজ্ঞান কৌই। মহাক্না ত্তুংলোমদগী ঐখোয়বু কৃপশিন্থিহুনা ঐখোয় ত্তাইবং মীওইববু চিংহুনা নমহুনা নত্তবা— ফত্রবা থবক ত্তৌহল্লি। ঐখোয়স্ন মহাক্না শুদ্ধংথিহুনা মহাক্না ত্তৌ ত্তৌ হায়বা কর্ম অহু ত্তুং-মাত্ত য়েংহন্-দনা ত্তৌই ॥২৮॥

নিংথৌ ! বেদ-শাস্ত্রগা ত্তাক্রিবা পালত্তাক অহুগী মতুংইন্না, অহুপা জ্ঞানী ওইবা অহুল-লমন গুরুজন শিংগী মবাক ফংহুনা ত্তত্ত্ববু খিরিবা অহুগুম্বা মীশিংত্তনা য়েক্লবা অসিবু লায়না মন্নহুৎপা ত্তম্মি। মরমদি, অজ্ঞান কৌবা য়েক্লবসিবু নম্নহুৎপদা পরিশ্রম (নোম্বা, ত্তোংনবা) য়াম্না চত্তিত্ত। হান্নরিবা য়েক্লবা অসিদি মাগী য়েক্লবা জ্ঞান হান্নবহুনা কাপশিন্নবা প্রজ্ঞ কৌবা ত্তেল অহুগী চৈনা ফংলবা মত্তম অহুত্তদা মহাক্ লাম্না চেন্থি, অম্নুপা মহাক্ অহুম মুংখি ॥২৯॥

অধীত্য বেদং তপসা ব্রহ্মচারী যজ্ঞাংশ্চ শক্ত্যা স নিসৃজ্যেহ পঞ্চ।
বনং গচ্ছেৎ পুরুষো ধর্ম্মকামঃ শ্রেয়ঃ স্থিত্বা স্থাপয়িত্বা স্ববংশম্ ॥৩০॥

উপভোগৈরপি ত্যক্তং নাত্মানং সাদয়েন্নরঃ। চণ্ডালত্বেঽপি মানুষ্যং সর্ব্বথা তাত শোভনম্ ॥৩১॥

ইয়ং হি যোনিঃ প্রথমা যাং প্রাপ্য জগতীপতে। আত্মা বৈ শক্যতে ত্রাতুং কর্ম্মভিঃ শুভলক্ষণৈঃ ॥৩২॥

কথং ন বিপ্রণশ্যেম যোনিতোঽস্যা ইতি প্রভো। কুর্ব্বন্তি ধর্ম্মং মনুজাঃ শ্রুতিপ্রামাণ্যদর্শনাৎ ॥৩৩॥

যো দুর্ল্লভতরং প্রাপ্য মানুষ্যং দ্বিষতে নরঃ। ধর্ম্মাবমন্তা কামাত্মা ভবেৎ স খলু বঞ্চ্যতে ॥৩৪॥

যস্তু প্রীতিপুরোগেণ চক্ষুষা তাত পশ্যতি। দীপোপমানি ভূতানি যাবদর্থান্ন পশ্যতি ॥৩৫॥

সান্ত্বনান্নপ্রদানেন প্রিয়বাদেন চাপ্যুত। সমদুঃখসুখো ভূত্বা স পরত্র মহীয়তে ॥৩৬॥

দ্বিজ— ব্রাহ্মণনা অহান্‌বদা ব্রহ্মচর্য্য আশ্রমদা লৈদুনা অকন্‌বা তপস্যাগা লোয়ননা বেদশাস্ত্রয় তম্‌-পদবনি— লৈনগদবনি অদুগী তুংদা গৃহস্থাশ্রমদা লৈদুনা ইন্দ্রিয় খুদম চম্মুনা, তমঙ্গিবা মৈনঙ্গিবা বেদ অদুগী নিয়ম বিধি মতুংইন্না মহাযজ্ঞ মঙাদু পাঙথোকদোবনি। অদুগী তুংদা মমগী থবক-থনা পুম্বা মথক্তা শিন্নঙ্গা য়াবা মচা মশূশিংদা লৌরী-ইংথোল পুম্বা পীথোক্লমদুনা লোয়নবী— সহধর্ম্মিণীপা লোয়নবা বান-প্রস্থ আশ্রমদা চংথিপদোবনি ॥৩০॥

ঈবুঙো! নিংথৌ। তাইবংমী হায়বসিনা মশাগী করিগুম্বা চানীওঙায় শেংনীওঙায় অময়া লৈত্রবস্থ মশানা মশাবু য়ায়া তোন্‌থ্রবনি হায়না খক্‌ খন্দে। থন্নু থদ্রোইদোবনি। চাণ্ডালগী মীয়াৎ-মীথিন্‌বগী মপোক্তা পোক্‌লুরবসু তাইবংমী ওইবা পা-উচেকশিংগী মপোক্তগীদি তাইবংমীগী মপোক্তা কয়বসু ফজরবসু অদুম হেন্দুনা ময়েন্নিবনি ॥৩১॥

ময়মদি— নিংথৌ। তাইবং মীওইবগী মপোক্তি মাঙুদ্রা অমী ওওরবনি। মপোক অসিবু ফংলগা অকবা কর্ম তৌদুনা, অয়ান্‌বশিং অদুবু চুমথোক্লনা আত্মাসিবু উদ্ধার তৌবা অদুম ময়াই ॥৩২॥

নিংথৌ। "ঐ তোলমাল্লে মতৌ কয়ম তৌরগা ঐ ঈশানা ঈশাবু অমুক্তং কুপৎসিগে" অদুম হায়না খন্নবক্তুনা বেদ-শাস্ত্রনা তাক্‌পা নিয়ম বিধিগী মতুংইন্না তাইবংমীনা অশিংবা অমা ওইনা ধর্ম-কর্মবু পায়-থংকদোবনি ॥৩৩॥

অদুক য়ায়া কয়পা, মাসিগী মথক লৈত্রবা তাইবংমীগী মপোক অসিবু ফংলগা মশাদি হোৎনগে হায়-দদুনা মীবু খজুক-য়েংবিরুমদুদি মশাগী ধর্মবু য়েংথিকবনি। তোত্রবসু য়াবা ওয়্যোক ওয়্যোকপা কামনাদা— আসক্তি থম্মুরিবা মী অহাক অদুদি— তাইবং মীওইবনা ফংকম থোক্‌পা করিগুম্বা ওইজ ওইথকপা অময়া ফংলোই ॥৩৪॥

মৈনা— থাউমৈনা পোৎ পুম্নমকপু চপ মান্নবা উবা— উৎন্‌হদুওম্না, তুংশিনবা— তুংশিনবিবা হায়বদুনা মী পুম্নমকপু চপ-মান্নবা উবা, সংসারগী মপামগী থিবয় অসিদা ক-হেন্না য়েংশিন্ পাম্বা-লুনবা হায়বসিগুনা পয়চোকতা, হায়বদি— অতোপ্পা মপোক অময়া চাইথংপা সম্মাননচিংবা অদুম ফংঙ্গনি ॥৩৫॥ মী পুম্নমক্তা

দানং ত্যাগঃ শোভনামূর্ত্তিরদ্ভ্যো ভূয়ঃপ্লাব্যং তপসা বৈ শরীরম্ ।
সরস্বতী নৈমিষ পুষ্করেষু যে চাপ্যন্যে পুণ্যদেশাঃ পৃথিব্যাম্ ॥৩৭॥
গৃহেষু যেষামসবঃ পতন্তি তেষামথো নির্হরণং প্রশস্তম্ ।
যানেন বৈ প্রাপণঞ্চ শ্মশানে শৌচেন নূনং বিধিনা চৈব দাহঃ ॥৩৮॥
ইষ্টিঃ পুষ্টি র্যজনং যাজনং চ দানং পুণ্যানাং কর্ম্মণাঞ্চ প্রযোগঃ ।
শক্ত্যা পিত্র্যং যচ্চ কিঞ্চিৎ প্রশস্তং সর্ব্বাণ্যাত্মার্থে মানবোঽয়ং করোতি ॥৩৯॥
ধর্মশাস্ত্রাণি বেদাশ্চ ষড়ঙ্গানি নরাধিপঃ । শ্রেয়সোঽর্থে বিধীয়ন্তে নরস্যাক্লিষ্টকর্মণঃ ॥৪০॥

ভীষ্ম উবাচ ।

এতদ্বৈ সর্ব্বমাখ্যাতং মুনিনা সুমহাত্মনা । বিদেহরাজায় পুরা শ্রেয়সোঽর্থে নরাধিপ ॥৪১ ॥৪১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
পরাশর-গীতায়াম্ দ্বিনবত্যাধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯২॥

——:():——

নীংথিবা, পুক্নীং থৌগংশিবা যাওও তাওবিরিবা, নীংথিবা পাউতাক পীরিবা লায়রবা মীদা অওম্বা থয়দং পী-জরিবা, অরাক্পা মীবু তয়াম্ তরাদ্ তৌবিরিবা অদুগা মীগী অরা-ফুংওাইরবু মশাগী অরা-ফুংওাইরমি খল্লিবা, অদুওম্বা মহাত্মা অদুদি ইহলোক পরলোক অনীমক্তা চাউখৎপা সম্মাননচিংবা লোইনা ফংই ॥৩৬॥

নিংথৌ ! সরস্বতী তুরেল (তীর্থ), নৈমিষারণ্য, পুষ্করতীর্থ অসি নত্তবা অতৈ অতৈ তীর্থদা চৎলুনা দানধর্মনচিংবা তৌদুনা, সংসারগী বিষয়ভোগ অয়াম্বা থাদোকুন, শান্তিগা লোয়ননা তপস্যা তৌদুনা পুক্নীং হক্চাং অনীমক্পু শেংদোকদবনি ॥৩৭॥

ইয়ুংমক্লুংদা মথরার থাথিবা মীদুদি পুবা-যাওনা অদুদগী মপাদা পুথোকদবনি । শিরবা তুংদা মতাকী হক্চাং অদুবু মীওথিজরবা দোলাই (কু) দা হীপথহন্দুনা শ্মশানঘাট তায়া পুদুনা বেদশাস্ত্র । তাক্পা কর্ম-কাণ্ডগী মথু ইরা হক্চাং অদুবু সংস্কার তৌথোকদবনি ॥৩৮॥

তাইবংমীনা মাগী নৈজবা শক্তিদুগী মথু ইরা যজ্ঞ দানবনচিংবা শুভকর্মশিংদুপা লোয়নবা শ্রাদ্ধনচিংবা তৌরিবদু থাজেশেংবদি মহাক মশাগী দমক্তনি । তৌত্রবদি মতোম্দা দোষ লাক্ই ॥৩৯॥

নিংথৌ ! বেদদা অদুগা অতৈ অতৈ শাস্ত্র বেদাঙ্গনা হায়রিবশিং অসি তাইবংমীগী কান্নবা অমদি মঙ্গল পীনহৈবা কর্মমক্তনি ॥৪০॥ ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির ! অ্যা মমাংতদা পরাশর মুনিনা বিদেহ—নিংথৌ জনককী মমদা কান্নবা পাউতাক মরাম অসি পীরিবথি ॥৪১॥

মক্কম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা চনীমরিফুতয়ানীথোইকবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯২॥

——:():——

মণিপুরী মহাভারত

ত্রিনবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ।

(পরাশর-গীতাগী লোইশিনবা মতাং)

চনীমরিফুতরাহুমদোইগুবা অধ্যায়।

——ঃ(ঃ——

ভীষ্ম উবাচ।

পুনরেব তু প্রপচ্ছ জনকো মিথিলাধিপঃ। পরাশরং মহাত্মানং ধর্মে পরমনিশ্চয়ম্ ॥১॥

জনক উবাচ।

কিং শ্রেয়ঃ কা গতির্ব্রহ্মন্ কিং কৃতং ন বিনশ্যতি। ক্ব গতো ন নিবর্ত্তেত তন্মে ব্রূহি মহামতে ॥২॥

পরাশর উবাচ।

অসঙ্গঃ শ্রেয়সো মূলং জ্ঞানং চৈব পরাগতিঃ। চীর্ণং তপো ন বিনশ্যেৎ বাপঃ ক্ষেত্রে ন নশ্যতি ॥৩॥

ছিত্বা ধর্ম্মময়ং পাশং যদা ধর্মেঽভিরজ্যতে। দত্বাভয়কৃতংদানং তদা সিদ্ধিমবাপ্নুতে ॥৪॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির! অতুগী তুংদা মিথিলাপতি জনকনা ধর্মগী বিষয়দা মুপ্পা খঙলবা মহাত্মা পরাশরগী মুনিগী মফমদা অমুক্ত হায়রকই ॥১॥

ব্রহ্মন্! খাইদগী হেন্না মঙ্গল ওইবগী সাধন অসি করিনো? খাইদগী হৈহেন্ হেন্বা গতি অসিনা করিবো? করিগুম্বা মতমদা মাঙতরোইদোবা কর্ম অসি করিনো? মকম কদাইদা চৎলবদি অমুক হন্-লক্‌ত্রবগে? মহাজ্ঞানী! মুনিদেব! হংলিবশিং অসিগী পাউখুমশিং অতু চপচানা অমুক্ত পীনবিয়ু ॥২॥

পরাশরনা হায়,— নিংথৌ! আসক্তি কা হেন্না জ্ঞান তাননা পুক্নীং লুপশিন্নবা) হায়বসি মুথংপা লৈহল্লবতনা তাইবংমীগী পুন্শিদা মঙ্গল ওইবা লৈননবগী ঈহান্ হান্‌বা উপায়নি। জ্ঞানতনা পুন্নমকতগী আথোইবা গতিনি। মশা মথন্তনা তৌজবা তপস্যা, নতীকৃচাবা মীদা তৌখিবা দান, কাবুক্রিবা কর্ম মরিসিদি করিগুম্বা মতমদা অরেম্বদা মাঙদে ॥৩॥

অধর্ম— নত্তবা চুমদবা, তৌবা হৌন্‌নবগী মথক ওইরবা কর্মগী বন্ধন— কাক্তিন্ পুন্শিন্নবু থদং-ভুনা ধর্মগী মায়কৈদা চোংশিল্লক্লন মমায় ওন্শিল্লক্লবা, জীব পান্‌বা খুদিংমক্ত অভয়দান কিগন্দবা কৌবা দানবু তৌরিবা অমুগুম্বা মী মহাক অদুদি— অমনা পাক্ত কংতনত্রবা সিদ্ধি — (পোক্‌পগী মচৈ হান্‌বা) অমুবু ফাবা ঙমগনি ॥৪॥

যো দদাতি সহস্রাণি গবামশ্ব শতানি চ। অভয়ং সর্ব্বভূতেভ্যঃ সদা তমভিবর্ত্ততে ॥৫॥
বসন্ বিষয়মধ্যেঽপি নবসত্যেব বুদ্ধিমান্। সংবসত্যেব দুর্ব্বুদ্ধিরসৎসু বিষয়েষপি ॥৬॥
নাধর্ম শ্লিষ্যতে প্রাজ্ঞং পয়ঃ পুষ্করপর্ণবৎ। অপ্রাজ্ঞসাধকং পাপং শ্লিষ্যতে জতুকাষ্ঠবৎ ॥৭॥
নাধর্মঃ কারণাপেক্ষী কর্ত্তারমভিমুঞ্চতি। কর্ত্তা খলু যথাকালং ততঃ সমভিপদ্যতে ॥৮॥
ন ভিদ্যন্তে কৃতাত্মান আত্মপ্রত্যয়দর্শিনঃ। বুদ্ধিকর্মেন্দ্রিয়াণাং হি প্রমত্তো যো ন বুধ্যতে ॥
শুভাশুভে প্রসক্তাত্ম প্রাপ্নোতি সুমহদ্ভয়ম্ ॥৯॥
বীতরাগো জিতক্রোধ সম্যগ্ ভবতি যঃ সদা। বিষয়ে বর্ত্তমানোঽপি ন স পাপেন যুজ্যতে ॥১০॥
মর্য্যাদায়াং ধর্মসেতুর্নিবদ্ধো নৈবদ্ধো নৈব সীদতি। পুষ্টস্রোত ইবাসক্তঃ স্ফীতো ভবতি সঞ্চয়ঃ ॥১১॥

শন্থী— পাঙ্গী লিশিং অমা দান তৌবা, শগোল চাবা দান তৌবগীসু অভয়দান তৌবনা অ-কনায় কাওবা হেন্নে ॥৫॥

বুদ্ধিমান্ ওইবা মীদি সংসারগী বিষয়সিংগী মপুংদা লৈয়বসু য়াম্না শিংনা হৈনা লৈবা মরম্। ঈষ্বরক্ লৈতবগা অম্মা ওইনা লৈ। অপঙবা মীনা খন্নিবনা লাপথোক্লগদবা 'তিয়দন লৈবা হায়বদু ওই" অসিনি ॥৬॥

ঈশিংনা থম্নবু চোংহন্বা ওমদবন্ধুগুম্না সংসারগী বিষয়শিংনা অমুগা অধর্ম্মনা বুদ্ধিমান্ ওইবা মীশিং অমবু শোক্পা, তাওহন্বা, তম্মংপা ওমদে। চা-ম উ (চৈ) দা চেক্লোক্পা য়াদবমথৈ মপাশিন্নখিবগুম্না অধর্মগী থবক্কা অমুগা সংসারগী বিষয়গী আসক্তিনা অপঙবা মীগী পুক্নীং হকচাংদা মপাশিন্নখি ॥৭॥

অধর্ম্মগী থবক হায়বসিমক্তবু কল (মহৈ) তবু ঙায়রমা লৈপদ্রি। অমুনা অধর্মগী থবক হায়বসিনা তোপদোক্নিবা মীশক— কর্ত্তা অমুগী মতুংদা চুমিংচুম্না শলেত্তানা ইয়ক্হুনা, মাবু (থবক অমুবু) পাঙথোক্-চনুগদবগী ইয়ক্হুনা লৈ। অমুদগীদি কর্মচুগী মহৈবু কর্ত্তা মহাক্না তোপ তৌই — চায় ॥৮॥

থম্মোয় শেংলবা, আত্মজ্ঞান লৈরবা মীদি তৌরি তৌরিবা কর্মচুগী কংওকনবা মহৈগী মায়পেন্দা থোইনা থক্ থন্নিদে। জ্ঞানেন্দ্রিয়শিং অমসুং কর্মেন্দ্রিয়শিংনা তৌরকদোক্নিবা পাপকর্মশিংচুগী ময়মদা মমত্ত কাও-বদা থন্বিক্নদে। কর্মগী ফলতবু থন্বা মীশিংগীদি চুংশাথীনিঙাই কিনিঙাই ওইবা মরম য়াম্না লৈ ॥৯॥

অপাম্বা অশাউবা পুম্বা থাদোক্নুনা সদাচার (অচুম্বা আচরণ, ব্যবহার) তম্না লৈরিবা মীশিং অমুদি, সংসারগী বিষয়শিংগী মংক্তা লৈরবসু, লৈবা তারবসু পাপকী থবকলোমদা মবাম থক্ ওন্নিদে ॥১০॥

তুরেলদা কৈপাক্ কৈনা থিংওম্বা পল্না চেক্ নীওখায়রক্পদা— মাকল অমদা মৌথংলম্বা ঈশিংনা থিংবা য়াদনা চেক্সরক্পন্থুগুম্না, অমুপা হায়দগী চেম্না ঈষ্বৈ কম্না চেক্সরক্পন্থুগুম্না— কুইরবা পরম্পরাগী মর্য্যাদাগী মথক্তা ধর্মগী মশক ওইরবা পল্ অমু নীওখায়রকপা মত্তমন্থুবা আসক্তি য়াওদনা পৈথংখিবা তপত্তা অমু হায়দগী অসুম চাউথংলক্ই ॥১১॥ *

---

* স্মৃতিগী মত্তমদগী ওসি কাওবদা যুগ যুগ কয়া চুপা চৎমন্বা, চৎনখিবা, মপান্গী লোক সমাজগী চৎন

যথা ভানুগতং তেজো মণিঃ শুদ্ধঃ সমাধিনা। আদত্তে রাজশার্দূল তথা যোগঃ প্রবর্ত্ততে ॥১২॥

নিংথৌ অথোইবা! সূর্য্যকান্তমণিনা সুমিংকী মঙালবু চিংশিল্লিবা, চিংশিন্দুনা মাগী মঙাল ওইহন্দুনা, পোৎ অতৈবু চাকৎথেল্লনবগী হোৎনরিবম্ভুগুম্না— যোগগী সাধনা তৌরিবা সাধুশিংনা যোগতম্না ব্রহ্মগী তেজ মঙালবু চিংশিন্দুনা মথোইগী মপোৎকুম্না শীতিল্লমবগী হোৎনরি ॥১২॥

চৎনবুম্বা মর্য্যাদাগী মথক্তা শেমগৎ-শাগৎনবম্বা ধর্মশিং অসি মশীং থীগৎ-লাক্‌থৎপা ঙম্বা নত্তে। অদুগুম্বা ধর্মশিং অদুনা সমাজশিংগী, সম্প্রদায়শিংগী মরুপ্তা পল্ ওইনা খিংদুনা লৈনরম্মি। ধর্ম অমনা হায়বা ধর্ম অমনা লৌনরমদে, অমনা অমগী মথক্তা আক্রমণ তৌনথি, হৌজিক কাওবসু তৌনদুনা লাক্লি। পলশিং অদুনা হেক্ হেক্ নীঙথাম্বরকপদা, হায়বদি— খরা রাংনা মৌখত্তুনা লৈরিবা ধর্ম অদুনা ঈরুক্‌পদা পল্ অদু কীম্বরকপা মতমদা, খর রাংবা মর্য্যাদাগী মথক্তা লিংখৎলম্বা ধর্মগী নীতি অদুনা ঈরৈ কয়া চেম্থরক্তুনা খয় মুত্থবা ধর্মগী নীতিবু চিংশিন্দুনা মাগী ওইহন্থি— লৈতেম্ মাম্নহন্থি। মতম অদুদা ভগবানশিং অদুগী ভগবানশক্তিসু হেন্‌গৎনরম্থি; হৌজিক কাওবা হেন্‌গৎনরি। খুদম ওইনা চায়রবদা— মপাম্মোৎগী লমচৎ ব্যবহার, চাক্‌চা-ফিজেৎ, মাগী মাগী চৎনবীশিংগী মথক্তা শেমগৎনখিবা ধর্মশিং অদুনা পল্ ওইনা খিংবদি মতম কুইনদি মাদবা নিবা লৈখা হেক্ হেক্ তানখিবা, হিন্দুধর্ম্ম অমত্তগী মশাদা লৈরিবা— বৌদ্ধ, জৈন, শৈব, শাক্ত, বৈষ্ণব অদুম হায়না লৈনরক্লিবা ধর্ম্মশিং অসিনা, অমনা অমবু ঊরখিবা, অমনা অমদগী রাংনা লৈনখিবা, মতম মতমদা অমনা অমবু হায়বদি অরাংবদুনা অনেশ্বা অমবু মাগী ওইনা খোমাডিহন্থি। হৌজিক কাওবা খোপতিন্‌গনবগী ধর্ম-প্রচারকশিংসিনা চনাং ইন্দুনা হোৎনরি। অদুম্না তৌনরিবসি পৃথিবীগী মকম পুম্বদনি। মপাম্মোৎগী লমচৎ ব্যবহারকুনা মরু ওইবা মচাক্ ওইনা শাগৎনখিবা ধর্ম কয়া কয়া লুপ্তপ্রথনি। মপাম্মোৎগী চাক্‌চা-ফিজেৎ, যোংম-যোংমগী হো-দোক্-হোংজিন্ তৌরিবা রাথশিং অসিগী পরিকম্মদা চঙজনা অচৌক্‌পদা তুমিন্না আধ্যাত্মিকচিন্তাদা পুক্লীং চঙদুনা লৈরিবা, করম্ তৌরগা অশোংবা ধর্মগী চাউখৎপদু ওইপদগে হায়না ভগবানগা রা তাম্নরিবা ভগশীশিং অদুগী ভগশক্তিদি অমুন চাউখৎলক্লি। মথোইগীদি হম্বা লৈতে। মথোয়দুগুম্বা লৈবনসু অপৎনা ওদি কাওবা তেক্ত কায়দমা লৈরিবনি। অদুগুম্বা আধ্যাত্মিক ওইবা ধর্ম অদুমকদু হেক্ মুথবদা বিশ্বজগৎ অসিগী প্রলয় হেক্ হেক্ ওইরিবনি। কায়নরিবা শোয়রবা ধর্মশিং অদুনা কুইনা লৈবা য়ানখিজিবা অদু, মপাম্মোৎগী হকচাংগী পুক্লীংগী য়ুম্ফমতদা লিংখৎনখিবা অদুনি। হকচাং, পুক্লীং, আত্মা অদুম অসিগী অময়ুগী তোঙান্ তোঙাম্নিবা পরিকম্মগী মথক্তা লিংখৎনখিবা ধর্ম অদুম অসিগী মরুপ্তা আত্মতত্ত্বগী মমমদা, আত্মতত্ত্বগী য়ুম্ফমদা খিনুখিবা আধ্যাত্মিকধর্ম্মতনা কন্‌বা ঈহেন্ হেল্লি। ধর্ম অতৈ অতৈনা মরায় হেক্ হেক্ চায়থরকপদা, মশামকা চপমান্না থন্‌বা, হাঙরবা আধ্যাত্মিক ধর্মনা অতৈ ধর্মশিং অদুবু কন্‌বিরক্লি, হৌজিক কাওবা কন্‌বিরি। হায়বদি— মা মাগী ধর্মনা, মপাম্মোৎগী ব্যবহারতনা নম্দুনা শেম্‌খিবা ওইবনা, নীঙথাম্নরকপা শোয়ম্নরকপদু উবদা ধর্মশিং অদুগী মেতাশিং প্রচারকশিং

যথা তিলানামিহ পুষ্পসংশ্রয়াৎ পৃথক্ পৃথক্ যাতি গুণোঽতি সৌম্যতাম্ ।
তথা নরাণাং ভুবি ভাবিতাত্মনাং যথাশ্রয়ং সত্ত্বগুণঃ প্রবর্ত্ততে ॥১৩॥

জহাতি দারাংশ্চ জহাতি সম্পদঃ পদং চ যানং বিবিধাংশ্চ যা ক্রিয়াঃ ।
ত্রিবিষ্টপে জাতমতির্যদা নরস্তদাস্য বুদ্ধি বিষয়েষু ভিদ্যতে ॥১৪॥

প্রসক্তবুদ্ধির্বিষয়েষু যো নরো ন বুধ্যতে হ্যাত্ম হি কথঞ্চন ।
স সর্ব্বভাবানুগতেন চেতসা নৃপামিষেণেব ঝষো বিকৃষ্যতে ॥১৫॥

স যাত্যমর্ত্ত্যলোকঃ পরস্পরমপাশ্রিতঃ । কদলীগর্ভনিঃসারো নৌরিবাপ্সু নিমজ্জতি ॥ ৬॥

থোরদিংগী থাউনা— অতৈ অত্তোপ অংতোগ্না মনম য়ুংশিয়বা লৈপা তিয়কথা, য়ানথায়নকবদগী মহাক মথামকস্ত ময়ম য়ুংশিয়বা থাউ অমা ওইথিবতুগুম্না— সত্ত্বগুণনা তিল্লবা, মনম য়ুংশিয়বা লৈয়াংগুম্না— য়াভাভদা, তৌথোরকপদা থুন্নবা অতুগুম্বা মঙ্গলশিংগা সংসঙ্গ তৌক্রবদগী কত্তব মী কয়া কয়ান্ন সাত্ত্বিক-গুণ চেন্‌বা ওয়থি ॥১৩॥

খুৎইদগী চেন্‌বা থাক্তা কাগে থল্লবা অতুগুম্বা মীশকশিংনা, সংসারগী ধনসম্পত্তিগী, ধনজনগী, ভুমী-অভাংগী চাউখৎলবা থাক্তা লৈরম্বদগী মাতুদগী, মায়ুমগী হেন্‌বা থাক্তা ক্যাথিপদবগী মচু-মচা, পদবী-সম্পত্তি, য়ুম-কৈ লোইনা থাদোকুনা চৎনথি ॥১৪॥

হায়রিবা য়াসি সংসারগী বিষয়দা লুপ্তুনা লৈরিবা কাওবুনদি মত্ত কাওবা মতম্‌দে । নিংথৌ ! তিং-থংদা, থোই (ঙা কাননব থোই) দা নপশিল্লিব— তৌশিল্লিবা অচাপোৎ অতুবু পাস্মুমগী— মিহৌরুবদগী ঙানা অরাবা তাবা, য়ানা য়ানা থাংগমদবা চৈন কাহুনা শিবতুগুম্না সংসারগী বিষয়না তোওান্ তোভান্‌বা মশক মহাও উংতুনা মপান্দা উং চাইহুনা চিংশিন্‌থিগ্রবা অতুগুম্বা অপংবশিংনা অয়াবা তাররি ॥১৫॥

হকচাং অমতদা লৈমিন্নরিবা থোক-থুং— অঙ্গ-প্রত্যঙ্গশিং অ'সনা অমনা অমগী মত্তেং লৌহুনা লৈন-রিবা অসিগুম্না মর্ত্ত্যলোক অসিন', অতুগা মর্ত্ত্যলোক অসিদা লৈরিবা মীনা মচু-মমা, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাংশিংগী মরক্তা অমবা অমগী মত্তেং লৌনহুনা লৈরি । সংসার হায়ববু অসিনি । অতুনা অসিগুম্বা সংসার অসিদি লকুপাম্বীগুম্বা মচী কবিমত্তা য়াওক্রবা পোংশক অমনি । অমপা অমপা মত্তেং লৌহুনা লৈ-নরম্বশিং অসিদি— হিথক্‌ অমতদা তোংবিরম্বা যাত্রিকশিং অতুম', হিহুনা হেক্‌ লুপখিবদা কংবা নশাহু-গুম্না অমনা অমবু করুবা কয়দনা, মশামকপুম্ব কনবা গুমদনা শিনগ্রপদবা তাইবংতীব মজনি ॥১৬॥

অতুমা আধ্যাত্মিক ওইবা ব্যাখ্যান-ভাষণ-তনা মশা মশাগী ধর্ম্মবু কয়নবা হোৎনরি । অতুম পেংকদবনি, অতুম চাপদবনি, শাজং-ব্যবহার অসুম তৌপদবনি হায়না তাকপহুনদি কয়িগু কাময়বদা আধ্যাত্মিক ওইবা বিচার পুথোকহুনা মাগী মাগী ধর্ম্মবু কমা কয়নবগী, খুৎইদগী অহেনবনি হায়না প্রমাণ পীননবগী লাকনি ।

(কালাচাঁদ)

ন ধর্মকালঃ পুরুষস্য নিশ্চিতো ন চাপি মৃত্যুঃ পুরুষং প্রতীক্ষতে।
যদা হি ধর্মস্য ক্রিয়ৈব শোভনা যদা নরো মৃত্যুমুখেঽভিবর্ত্ততে ॥১৭॥

যথান্ধঃ স্বগেহে যুক্তো হ্যভ্যাসাদেব গচ্ছতি। যথা যুক্তেন মনসা প্রাজ্ঞো গচ্ছতি গতিম্ ॥১৮॥

মরণং জন্মনি প্রোক্তং জন্ম বৈ মরণাশ্রিতম্। অবিদ্বান্ মোক্ষধর্মেষু বদ্ধো ভ্রমতি চক্রবৎ ॥
বুদ্ধিমার্গপ্রয়াতস্য সুখং ত্বিহ পরত্র চ ॥১৯॥

বিস্তরাঃ ক্লেশসংযুক্তাঃ সংক্ষেপাস্তু সুখাবহাঃ। পরার্থং বিস্তরাঃ সর্ব্বে ত্যাগমাত্মহিতং বিদুঃ ॥২০॥

যথা মৃণালানুগতমাশু মুঞ্চতি কর্দমম্। তথাঽত্মাপুরুষস্যেহ মনসা পরিমুচ্যতে ॥২১॥

মনঃ প্রণয়তেঽত্মানং স এনমভিযুঞ্জতি। যুক্তো যদা স ভবতি তদা তং পশ্যতে পরম্ ॥২২॥

ধর্ম তৌননবগী অকক্লবা মতম অমা লৈবা নত্তে, লৈরব্রস্তু চুমদে। ভাইবং জীবনা— ভাইবংমীনা মীকুপ থুদিং অশিবগী থৱাত্তা ভাপদবগী নপত্রুনা লৈবমা, মরক্তা মীকুপ অমা ফাও অহাংবা থমদনা ধর্মগী মরম ওইবা পুণ্যকর্ম-ভ তৌত্রুনা লৈবসিস্তু ৱাম্না করবা, অশিংবা থবক অমনি। জগৎকী উপকারগীনি হায়বা য়াই ॥১৭॥

মমীত্তাওবা মীস্তু হুমিৎথুদিংগী তৌকপ অভ্যাস অস্তুনা চৈত্ত ঈশার পায়দনা মথুং শন্দিনবা য়াও-অবস্তু ঈমুংদা মপান্দা হরুং-হন্দা চৎত্রুনা থরক-থানা তৌবগুম্না—, অস্তুগা, অহিং অমস্বদস্তু থোঙ হাং-দোক্রুনা মপান্দা থোকৃথিবগুম্না অমবা সংসার অসিদা অভ্যাসযোগগী মরেংনা ভাইবংমীনা সংসারসিদগী লাম্বোক্থিবা য়াই ॥১৮॥

"লোক্‌পা" হায়বগী মরুংদা "শিবা" হায়বত্রুনা থুপ্রুনা লৈ। অমীসিদগী লাম্বোক্‌পা উপায়শিং— সংসারগী বিষয়শিংদা লুপ্লুনা লৈবরশিংনা থক্ থিদে, থিবস্তু তৌদে। থিরবস্তু থিকম্ থোক্‌প্রা হায়বা কাওবা থল্লুদে। অস্তুবা পোক্‌পা শিবগী-চক্রদা লৈত্রুনা অস্তুম্মক লৈরিবসিনি। চক্র অসিদগী কন্দি উপায় অমনা লাম্বোকপ্রবা মীশিং অস্তুনা জ্ঞানমার্গদা চৎথিত্রুনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা নুংঙাইবতা কংই ॥১৯॥

কর্মবু বিস্তার তৌবা হায়বসি, হায়বদি— কর্মগী মশীংবু হেনগৎহল্বা হায়বসি মদা অরাবগী মথক্তি। কর্মশিং অস্তুনা শীরবা নুংঙাইবনি থজিক্তা, অরাবদি পুম্নমক্তি। কর্মবন্ধারদি আত্মাদগী তোঙাম লৈরিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগী মমক্তনি। কর্মস্তু তৌরবা আত্মা মায়কীদি অমত্তা য়াওদে। অস্তুনদি আত্মা মায়কীদমক্-তদি— মশানা কর্মশিং অস্তুবু থাদোকপা— ত্যাগ তৌবা হায়বগুনা অথোইবা মথৌনি ॥২০॥

ঈশিং মরুংদগী কুরুকপা থম্বাল-মথোক্— থম্বোনা পক্রুকপা— তৈরক্‌পা লৈথোম অস্তুবু ঈশিংহুমক্তা চাবথোকপস্তুওনা— ত্যাগী যোগীশিংগী আত্মানা সংসারগী থিবগী মথক ওইরবা লৈথোমশিং অদুবু সংসার অস্তুমক্তী মরুংদা লৈবা নিষ্কামকর্মনা চামথোক্রুনা সংসারগী য়াংমদা লৈথি ॥২১॥

পুক্নীং (মন) না আত্মাবু যোগগী থায়দৈরোমদা পুস্তুনা চৎলি। যোগ সাধন তৌরিবা, হকচাংগা লোয়নরিবা যোগী আত্মা অস্তুনা পুক্নীং (মন) অস্তুবু অমুক যোগযুক্ত ওইহল্লি। হায়বদি— আত্মা মশাবক্তা

পরার্থে বর্ত্তমানস্তু স্বং কার্য্যং যোঽভিমন্যতে। ইন্দ্রিয়ার্থেষু সংযুক্তঃ স্বকার্য্যাৎ পরিমুচ্যতে ॥২৩॥

অধস্তির্য্যগ্‌গতিঞ্চৈব স্বর্গে চৈব পরাং গতিম্। প্রাপ্নোতি স্বকৃতৈরাত্মা প্রাজ্ঞস্যেহেতরস্য চ ॥২৪॥

মৃন্ময়ে ভাজনে পক্কে যথা বৈ নশ্যতি দ্রবঃ। তথা শরীরং তপসা তপ্তং বিষয়মশ্নুতে ॥২৫॥

বিষয়ানশ্নুতে যস্তু ন স ভোক্ষ্যত্যসংশয়ম্। যস্তু ভোগাংস্ত্যজেদাত্মা স বৈ ভোক্তুং ব্যবস্যতি ॥২৬॥

নীহারেণ হি সংবীতঃ শিশ্নোদরপরায়ণঃ। জাত্যন্ধ ইব পন্থানমাবৃতাত্মা ন বুধ্যতে ॥২৭॥

বণিগ্‌ যথা সমুদ্রাৎ বৈ যথার্থং লভতে ধনম্। তথা মর্ত্ত্যার্ণবে জন্তোঃ কর্ম্মবিজ্ঞানতো গতিঃ ॥২৮॥

অহোরাত্রময়ো লোকে জরারূপেণ সংচরন্। মৃত্যুর্গ্রসতি ভূতানি পবনং পন্নগো যথা ॥২৯॥

পুক্লীং অহুম্‌ তিগহল্লি। মতৌ অদুম্না মহাক্লা যোগসিদ্ধ ওইরবা মতমদা আত্মা অদু পরমাত্মাগা সাক্ষাৎ-কার তৌই— পরমাত্মাগা ঊনৈ ॥২২॥

অতোপ্পশিংগী-ত থন্নবা মথোমগী নমক্তা, হায়বদি— মতোন্দগী ভোতাব্‌খিবা ইন্দ্রিয়শিং অসিগীদমক্তা অদুগা মখোমবু পেম্মনবা হোৎনবতনা অথোইবা মথৌনি থম্লবা অনাত্মা (আত্মা থাজেপেংবা নত্রবা) অসিমা মশাগী ভোগদবা মথৌদগী পুম্নান্‌ লাপ্তোকৃথি ॥২৩॥

ইহলোক অসিদদি মাম্না বুদ্ধিমান ওইগে ওইসনু, অপওবা জ্ঞান লৈতবা মী ওইগে ওইসনু, মা মানা ভৌঙিবা কর্মদুগী মতুংইম্না নরকত, হায়বদি শা উচেকী মপোক্তা, অদুগা স্বর্গদা হায়বদি — মহাজ্ঞানী ওই-বগী পরিবারদা মহাজ্ঞানী ওইদুনা পোকপ-শিবগী অমাবা অসিদগী লাপ্তোক্লুনা লৈবা মীশক অমা ওইদুনা পোক্কই ॥২৪॥

মাম্না কংলবা, নৈ ঈরুবা লৈপাক্তী পাত্রদা হাপ্পা ঈশিংনা য়ুম্ন য়ুথিদবা, চুপন্ন চুপশিন্‌থিদবতুঙমনা তপস্যাগী তাপ-না, হায়বদি মৈনা কাঙ্ৱবা সূক্ষ্মশরীর (লিঙ্গশরীর— কুশঙবা পীক্লবা হকচাং) অদুদি ব্রহ্ম-লোক কাওবদনু স্বর্গগী লুংতাইবা অত্রবু অনুভব তৌকই ॥২৫॥

হৌজিক হৌজিকী ইহলোকী রূপ রস-গন্ধ-স্পর্শ-শব্দ তগা লুংতাইদুনা লৈথোক্লবা তাইবং জীবনা পর-লোককী ব্রহ্মানন্দবু শূক্ষঃ কওবোইদৌবনি। ইহলোককী বিষয়বু থাদোক্লবশিং অদুতনা ব্রহ্মলোককী লুংতাইবদুবু কংজ্রগদবনি ॥২৬॥

পোকপদগী মমীংতাওব মীনা লম্বীবু শুকক্ক উদবদুগুম্না, পুকা লিঙ্গগা অনীসিতগী পেম্মনবা তৌবদা পুক্লীং চত্তবা অদুগুম্না মী অদু অজ্ঞাননা কুপথিবদগী, মায়াগী লৈতৌম্‌ মমক্তা লৈদুনা অমান্‌থুতনগী লম্বীবু মরেক্‌ লানা উবা ঙমদে ॥২৭॥

লম্নোন ঈভীক্‌ তৌবা বৈশ্য (বনিয়া) না মহাক্লী শেন্নেপভুগী মাত্রা (চাং) গী মতুংইম্না ভোংজক্লিবা, পুমক্লিবা পোৎচেদুবু সমুদ্র বাংমদগী মমুন তান্না পুম্নকপদুগুম্না সংসার-সমুদ্রদা ব্যাপার তৌবিবা তাইবংমীরা মাগী কর্ম অমদি বিজ্ঞানগী মতুংইম্না শেন্নেপ-শেন্দোংবু পুমক্লি ॥২৮॥

অমুক কুচিদাগী মশক ওইদুবা সংলোরসিদা অহল ওইরকপা চরুকপগী মশক পুদুনা মৃত্যু হাবরদুনা

স্বয়ং কৃতানি কর্ম্মাণি জাতো জন্তুঃ প্রপদ্যতে। নাকৃত্বা লভতে কশ্চিৎ কিঞ্চিদত্র প্রিয়াপ্রিয়ম্ ॥৩০॥
শয়ানং যান্তমাসীনং প্রবৃত্তং বিষয়েষু চ। শুভাশুভানি কর্ম্মাণি প্রপদ্যন্তে নরং সদা ॥৩১॥
ন হ্যন্যৎ তীরমাসাদ্য পুনস্তর্ত্তুং ব্যবস্যতি। দুর্লভো দৃশ্যতে হ্যস্য বিনিপাতো মহার্ণবে ॥৩২॥
যথা ভারাবসন্না হি নৌর্মহাম্ভসি তন্তুনা। তথা মনোভিযোগাৎ বৈ শরীরং প্রতিকীর্ষতি ॥৩৩॥
যথা সমুদ্রমভিতো সংশ্রিতাঃ সরিতোঽপরাঃ। তথাদ্যা প্রকৃতির্যোগাদভি সংশ্রিয়তে সদা ॥৩৪॥
স্নেহপাশৈর্বহুবিধৈরাসক্তমনসো নরাঃ। প্রকৃতিস্থা বিষীদন্তি জলে সৈকতবেশ্মবৎ ॥৩৫॥
শরীরগৃহসংস্থস্য শৌচ তীর্থস্য দেহিনঃ। বুদ্ধিমার্গপ্রয়াতস্য সুখং ত্বিহ পরত্র চ ॥৩৬॥

জীব পান্নবশিং নোংম নোংমগী মীকুপ থুদিংগী চাশিন্নক্লিবসিদি লিজনা মীকুপ থুদিংগী জুংশিংপু থহচিন-চাশিন্নকপা অদুগুম্বনি ॥২৯॥

জীবনা জগৎ সংসারসিদা মমাঙদা তৌখিবা কর্মগী মহৈ অদু চাদুনা লৈরি। পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা কর্মশিং অদুগী মহৈশিং অদুবু অপাম্বা থওদে, পামজদবা থওদে, মপাদা কাম্নবা থওদে, কাম্নদবা থওদে, নোংম নোংমগী মীকুপ থুদিংগী চাশিন্দুনা লৈরি। মাদু পামজে হায়দুনা কংথনু মত্তে, মাদু পামজদে হায়দুনা— চংজরোই কংজরোই হায়বসু যাদে ॥৩০॥

তুম্মিঙৈদা, কম্মিঙৈদা চৎলিঙৈদা, বিষয়ভোগ চাদিঙৈদা, মকম মতম পুম্বদা তৌরিবা কর্মশিং অদুগী অফ-ফত্ত মহৈ অদু অদুম্ মচায়। কপ্নোক্লীখোকপা সুকয়া যাদে ॥৩১॥ সমুদ্রগী মাংদা মৌপ্রবা মীজা সমুদ্রদু অমুক্ক লানবগী, ঈরোইবগী রাথস তৌকত্রবদুগুম্না সংসার-ঈপাক লাম্নোকপ্রবশিং অদুনা ঈপাক অদুদা অমুক্ চোংথক্কবগী আশা তৌত্রে, অমুক্ হণ্ডিল্লকপসু ওইথোক্কবা ওইনা থোক্রে ॥৩২॥

অরুবা ঈশিংদা তাঙউরিবা হি অদুবু হিহোবদুনা থৌরী থাদুনা চিংশিল্লক্লবদা হি অদুনা মাবু চিংলিব অদুগী পুক্লীংগী মতুংইন্না মাগী মথাপোম্না চৎপা অদুগুম্না— জীবনা হকচাংগী মশক্ ওইরবা হি অসিবু মহাক্না চৎহল চৎহনীঙবা মকমদা কোয়পু পুনীংতি ॥৩৩॥

তুরেল ময়াম্না মায়পৈ মকম তোঙান্ তোঙান্নদগী চেন্‌শিল্লক্লপা সমুদ্রদা তানবদুগুম্না যোগপগী মথা-পোন্‌গ্রবা পুক্লীংসিনা মতম পুম্বগীদমক মূলপ্রকৃতিদা হায়বদি— মৈ, ঈশিংনচিংবদা অমত্তা ওইনা,— মথা অমত্তা ওইনা লূপথি— তিন্নথি ॥৩৪॥

বিষয় তোঙান্ তোঙানবদা য়েচ্ছিন্নগ্রবা, মসুংশি তোঙান্ তোঙানবগী থৌগীনা কাজিন্‌গ্রবা পুক্লীংবা মহাক্ত ওইরবা অদুগুম্বা জীবনা প্রকৃতিগী মায়াদা লূপথিদুনা ঈশিংদা তাথৎপা লৈতোইগী পন্‌ঙম অমদি শাগৎপা য়ুমগুম তেকৃথখিবা পুম্মুং মূৎখিবা রাবগী মওংদা লৈথি ॥৩৫॥

মপাম্নোংগী হকচাং অসিগুনা মাগী য়ুমগুম্ লৈবা, হায়বদি— হকচাংসিদা কয়িমত্তা শম্নদনা লৈরবা, মথুং-মপান্‌গী পবিত্রতা (অশেংবা মওং) দা লৈবনা তীর্থদা লূম্নগুম খল্লিব, বুদ্ধি তৌনা য়াইকবগী লম্বীদা চৎজিবা অদুগুম্বা হকচাংগী মপু দেহী (আত্মা) অদুদি— ইহলোক পরলোক অনীমক্তা নুংঙাইবগী শম্নক

বিস্তরাঃ ক্লেশসংযুক্তাঃ সংক্ষেপাস্তু সুখাবহাঃ। পরার্থং বিস্তরাঃ সর্ব্বে ত্যাগমাত্মহিতং বিদুঃ ॥৩৭॥

সঙ্কল্পজো মিত্রবর্গো জ্ঞাতয়ঃ কারণাত্মকাঃ। ভার্য্যা পুত্রশ্চ দাসশ্চ স্বমর্থমনুযুজ্যতে ॥৩৮॥

ন মাতা ন পিতা কিঞ্চিৎ কস্যচিৎ প্রতিপদ্যতে। দান পথ্যোদনো জন্তুঃ স্বকর্মফলমশ্নুতে ॥৩৯॥

মাতা পুত্রঃ পিতা ভ্রাতা ভার্য্যা মিত্রজনস্তথা। অষ্টাপদপদস্থানে লক্ষমুদ্রেব লক্ষ্যতে ॥৪০॥

সর্ব্বাণি কর্মাণি পুরা কৃতানি শুভাশুভান্যাত্মনো যান্তি জন্তোঃ।
উপস্থিতং কর্মফলং বিদিত্বা বুদ্ধিং তথা চোদয়তেঽন্তরাত্মা ॥৪১॥

ব্যবসায়ং সমাশ্রিত্য সহায়ান্ যোঽধিগচ্ছতি। ন তস্য কশ্চিদারম্ভঃ কদাচিদবসীদতি ॥৪২॥

অদ্বৈধমনসংযুক্তং শূরং ধীরং বিপশ্চিতম্। ন শ্রীঃ সংত্যজতে নিত্যমাদিত্যমিব রশ্ময়ঃ ॥৪৩॥

মাগী ওইহনা লৈ ॥৩৬॥ থবক্কী মথং মথং শন্দোক-পাক্থোক্খিবা শায়কসিনক্তবু অমাবসী মশক্ক মওই। মশীং য়াম্নহন্দনা শম্ভিন্বনা হুংঙাইবা পী। শান্দোক্হন্খ্রিবা মহায় মতৈসী নত্তে মীং, নাকোংমচিংবা ইন্দ্রিয় খুদিংমকসিগী পেলক্ননবসীদমক্তনি। অম্বা মহাক মশাগীদি অমতা পাও থাক্চাহোন্দ্রে। অদুনা মশীং য়াম্-লক্কদবদুবু ত্যাগ তৌবত্তনা— থাদোক্পত্তনা আত্মা মহাকী কান্নবা হুংঙাইব ওইগনি ॥৩৭॥

কন্নিগুম্বা অনীংবা (সঙ্কল্প— মতমব— ইচ্ছা) অমা লৈবদগী অমগা মরূপ শান্নকরিবনি। তাই-খেল, শাগৈ-নাইত্তগসু চান্নকরিবনি। মুপী-অন্তাং, মচু মচা পুম্বগা মত্তম খুদিংগী মুংশিনকরিবস্নু— অসিগী তাক্তনি ॥৩৮॥

পরলোককী হুংঙাইবা কংননবা হোংনর্কপদা মপা-মমা মচীন মনাওনা কন্নিগুম্বা মতেং অমতা পীরক্-লোই। মখানা তৌজখিবা দান ধর্মনচিংবসী মহৈ অদুতনা হায়বদি— ত্যাগকী মহৈ অদুতনা জীব মহাক্না স্বর্গদা চংখিবগী লম্বীসী চেঙক্লেন্ (পাথেয়) ওইগনৌদ্রবনি। জীব খুদিংমক মানা মানা তৌখিবা কর্মদুগী মহৈ অদু মীকুপ খুদিং চাদুনা লৈরিবনি ॥৩৯॥

মমা-মপা, মচা-মশু, মুপী-অন্তাং, মরূপ-মপাং, শাগৈ নাইতে— পুম্নমক অসি মপান্দদি সনাত্তনা শাবা সিকা মথক্তা থম্বা সনাগাঙ্গা মপাক্ লক্কা অমগুম্ উই ॥৪০॥

পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা অফ-ফত্ত কর্ম পুম্নমকনা জীবসিবু, কোক্ষ্যন্ ইন্নদুনা লৈরি। মতৌ অদুমনা— লাক্লি লাক্লিবা অবস্থাদুবু নহালমুক্কী মপোক্কী কর্মগী মহৈনি হায়না খন্দুনা মী মহাক অদুগী পুক্কীং কোবা ইন্দ্রিয়না মমুংদা লৈশিন্দুনা ভূমিন্না লৈরবা, মহাক অদুনা মশাগী বুদ্ধিবু হুংদা অন্নাবা অমমুক্ কংহল্লরোই-দৌবা থবক্কোমদা ইন্‌শিল্লি ॥৪১॥

মপুক্কীংদা লেপ্‌গ্রবা অকনা থবক্কা হোংনর্কিবদুগী মতীক্চাবা সহায় পীব্রিবা মীশিংবু খোম্জিন্-পৈ-শিল্লিবা মী মহাক্তুগী থবক্কা কন্নিগুম্বদা মহৈ থান্দনা অরেম্বদা থক্ মাওদে ॥৪২॥

মাংস হান্না তৌগদ্রা ? মাদুনা হান্না তৌগদ্রা ? হায়না নীওজিং মাওজিংনবা লৈব্রবা, নোম্বা কনবা,

আস্তিক্য ব্যবসায়াভ্যামুপায়াৎ বিস্ময়াৎ ধিয়া। সমায়ুক্তোঽন্ত্যাত্মা ন সোঽর্থঃ পরিষীদতি ॥৪৪॥

সর্ব্বঃ স্বানি শুভাশুভানি নিয়তং কর্ম্মাণি জন্তুঃ স্বয়ম্।
গর্ভাৎ সম্প্রতিপদ্যতে তদুভয়ং যৎ তেন পূর্ব্বং কৃতম্॥
মৃত্যুশ্চাপরিহারবান্ সমগতিঃ কালেন বিচ্ছেদিনা।
দারোশ্চূর্ণমিবাশ্মসার বিহিতং কর্ম্মান্তিকং প্রাপয়েৎ ॥৪৫॥
স্বরূপতামাত্মকৃতং চ বিস্তরং কুলান্বয়ং দ্রব্যসমৃদ্ধিসঞ্চয়ম্।
নরো হি সর্ব্বো লভতে যথাকৃতং শুভাশুভেনাত্মকৃতেন কর্ম্মণা ॥৪৬॥

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যুক্তো জনকো রাজন্ যথাতথ্যং মনীষিণা। শ্রুত্বা ধর্ম্মবিদাং শ্রেষ্ঠঃ পরাং মুদমবাপ হ ॥৪৭॥

মরিল-মথৌনা লৈবা, জ্ঞানী ওইবা মী মহাক অহুবু সম্পত্তিনা থাদোক্তবদি— হুমিংনা হুমিংকী মঙালহুবু থাদোক্তবহুগা চপ্ মায়ে ॥৪৩॥

থম্মোয় রাম্না পাক্-চাক্টবা, রাম্না থোংপা, নাস্তিক ওইবগী রাথল লৈতবা, অফবা থবক্তা মহে পাঝ-দনা মহেগী রাথল থম্মুননা, মমাং ওন্দনা থোক্ত কান্নশিন্বা, নাপল-থোয়বা লৈতবা, রাম্না বুদ্ধি তৌনা থবক পাঙথৎপা, অহুগুম্বা মী অহুগী থবক অহু থক্ মহে রান্দবা তৌদে। ইহলোক পরলোক অনীমক্তা চাউথৎপা ফংই ॥৪৪॥

জীব খুদিংমক্ পূর্ব্বজন্মদা তৌখিবা কর্ম্মশিং অহুগী অশ-অম্ব মহে অহু গর্ভয়ুংদা হেক্ চঙক্কপা হুমিং-অহুগী চাব থর থর হৌগ্রর্বনি। হোরায়না লেমক লেমকপদা পাইথোরকপা হোরায় মকুপ (উকুপ) শিং অহুবু হুংশিংবা পাইথোক্ংনখিবহুগুম্না, কম্বোক-লাকথোকপা যারবোইদোবা মৃত্যু (অশিবা) হায়বশিনা— কাল (মতম) কৌবা মহাক্না অমত্তা ওইশিন্দুনা, হায়বদি— মতেং লৌহুনা হুমিং খুদিংগী শিক্লি শিক্লি মরীক্ মরীক্ লৌশিন্দুনা তাইবং জীববু— তাইবং মীবু লোইনা লৌশিন্খি ॥৪৫॥

তাইবংমী পূর্ণমক মানা মানা তৌখিবা কর্ম্মগী অফবা ফত্তবা লম্বীহুগী মকুংইম্না অসুম হুম লাকুন লম্বী মরক্ মরক্তা ফজবা-অথীবা, পামজবা-পামজদব, মহাক্না ফংবদা কত্তীক্ চাবা-চাদবা ওইথোক্পা-ওই-দ থোক্তবা, মচা-মশু থম্না লৈবা—শুক্লে লৈতবা, শাগৈ-জাৎ অচৌবদা—হন্থবদা পোক্পা, মরূপ-মথুম্ ফংবা-ফংদবা ফংগম্বা—মুংখিবা অসিনচিংবা মহেদি ফং ফাহুনা, চা চাহুনা লাক্লি। লাক্লিঙৈসিমক্তদা, ওসাইগী—হোরায়-মকুপশিংবু হুংশিংমা পাইথোক্চন্খিবগী প্রমাণ অহুগুম্না মৃত্যুনা তাইবং জীববু— তাইবংমীবু অসুম অসুম লৌশিল্লি ॥৪৬॥

ভীষ্মনা হায়,— যিংথৌ। মহাজ্ঞানী ওইরবা মহাত্মা পরাশর মুনিগী মচৌন্দগী থাজেংনা তৌরিবা থৌদোকশিংগী পাউতাক্শিং অসিবু তাবদা জনক নিংথৌ অসি ওথোক্না পেন্থ্রে ॥৪৭॥

ইতি মহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি পরাশর-গীতায়াং ত্রিনবত্যধিকদ্বিশততমোহধ্যায়ঃ ॥ ৯৩॥

——:(৫):——

মহম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচাযনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা, শান্তিপর্ব্বদা, মোক্ষধর্মপর্ব্বদা পরাশর-গীতা-লোইবা চনীমরিফুত্তরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৩॥

——:(৫):——

মণিপুরী মহাভারত

চতুর্নবত্যধিকদ্বিশততমোহধ্যায়ঃ

(হংস গীতা)

চনীগা মরিফুতরামরিশুবা অধ্যায়

——:(৫):——

যুধিষ্ঠির উবাচ।

সত্যং দমং ক্ষমাং প্রজ্ঞাং প্রশংসন্তি পিতামহ। বিদ্বাংসো মনুজা লোকে কথমেতন্মতং তব ॥১॥

ভীষ্ম উবাচ।

অত্র তে বর্ত্তয়িষ্যেহহমিতিহাসং পুরাতনম্। সাধ্যানামিহ সম্বাদং হংসস্য চ যুধিষ্ঠির ॥২॥

হংসো ভূত্বা সৌবর্ণস্ত্বজো নিত্যঃ প্রজাপতিঃ। স বৈ পর্য্যেতি লোকাংস্ত্রীনথ সাধ্যানুপাগমৎ ॥৩॥

যুধিষ্ঠিরনা হংদি,— ঐবুধো। সংসারসিদা বিদ্বান্ (জ্ঞানী) অমাম্বনা অচুম্বা ঙাঙবা, ইন্দ্রিয় খুঙদম্-চনবা, ঙাকপিহৈবা, প্রজ্ঞা (অখোইবা বুদ্ধি) মখোয় অসিগী-ত প্রশংসা তৌরি। মাসিদা ঐবুধোগী করি মত্ত লৈ? করি য়াম্নীওদবা, করি য়াবিনীওবা? মাহুন্ন ঙাকপিয়ু ॥১॥

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির। হৌজিক হায়রিবা বিষয় অসিদা সাধ্যশিংগা হংস (কাঙ) গা তৌনখিবা সংবাদ অমা ঙুইরবা ইতিহাস প্রমাণ য়াম্নী ওইনা লীনৈ। মাহু ঐ লীগে তাও ॥২॥

মোংমা, মমাংঙৈদা মথম্ভা পোকচররূপা প্রজাপতি ব্রহ্মানা সনাগী কাংগী মশক্ লৌহুনা মরোল অহুমদা কোয়না চৎলম্মি। অদুম কোয়রকপদা সাধ্যশিংগী মাঙ য়োরক্লে ॥৩॥

সাধ্যা উচুঃ।

শকুনে বয়ং স্ম দেবা বৈ সাধ্যাস্তামনুযুজ্মহে। পৃচ্ছামস্ত্বাং মোক্ষধর্ম্মং ভবাংশ্চ কিল মোক্ষবিৎ ॥৪॥

শ্রুতোঽসি নঃ পণ্ডিতো ধীরবাদী সাধুশব্দশ্চরতে তে পতত্রিন্।
কিং মন্যসে শ্রেষ্ঠতমং দ্বিজ ত্বং কশ্মিন্মনস্তেষম তেহমহাত্মন্ ॥৫॥
তন্নঃ কার্য্যং পক্ষিবরপ্রশাধি যৎ কার্য্যানাং মন্যসে শ্রেষ্ঠমেকম্।
যৎ কৃত্বা বৈ পুরুষা সর্ব্ববন্ধৈর্বিমুচ্যতে বিহগেন্দ্রেহ শীঘ্রম্ ॥৬॥

হংস উবাচ।

ইদং কার্য্যমমৃতাশাঃ শৃণোমি তপো দমঃ সত্যমাত্মাভিগুপ্তিঃ।
গ্রন্থীন্ বিমুচ্য হৃদয়স্য সর্ব্বান্ প্রিয়াপ্রিয়ে স্বং বশমাননীত ॥৭॥
নারুন্তুদঃ স্যান্ন নৃশংসবাদী ন হীনতঃ পরমভ্যাদদীত।
যয়াস্য বাচা পর উদ্বিজেত ন তাং বদেৎ রুষতীং পাপলোক্যাম্ ॥৮॥

মতম অতুদা সাধ্যশিংনা অমুম্ন হায়রকই,— কাংও। ঐখোয় অসে সাধ্য হায়বা দেবতাশিং অহুনি। নহাক্কী মকমদা ঐখোয় মোক্ষধর্মগী মরমদা অকুপ্পা মরোলগী রা থরদং তাজনীংঙি। মরমদি নহাক মোক্ষধর্মগী তত্ত্ব মুমা খঙবা অমদি থওলবনি ॥৪॥

পুক্চেল চাউরবা! ঐখোয়না কন্নি তাবগে হায়রবু নহাক অসি মহাপণ্ডিত অমনি, বক্তা (য়াওাং হৈরবা) অমনি। মহাক্না তাক্পিবা জ্ঞানগী পাউতাক পুম্নমক মকম খুদিংদা শীন্থুনা লৈরবনি। উচেক্-নিংথৌ! মহাক্কী মততা জগৎ অসিদা খাইদগী হেন্না পোৎশক অসি করিনো? নহাক্কী পুক্নীংনা করম্না মায়পৈনা লেপ্লিবা? ॥৫॥

উচেক্ নিংথৌ! সংসারগী থমক পুম্নমক অসিগী মচুংদা করম্বনা খাইদগী হেন্না? করম্না কর্মবু তৌরগা তাইবং জীবনা কর্ম পুম্নমক্তা বন্ধনদগী লাপ্পোকপা ঙমগনগে? মাসিগী মরমদা নীংথিবা পাউতাক্ অহ্ পীবিয়ু ॥৬॥

কাংওনা হায়,— অমৃত ত চাক্না লৈরবা দেবতাশিং! ঐবু হায়য়ু হায়রবদি— তপস্যা, ইন্দ্রিয় থুনম চন্থ', অচুম্বা ঙাওবা, পুক্নীংবু লাক্শিন্বা, অসিনচিংবা কর্মতনা খাই কর্ম পুম্নমক্তগী অথোইবনি। থম্মোয়গী কিশি পুম্নমক্ থোক্লগা অপাম্বা পামদবা পুম্নমক মথা পোন্না থম্লগা, অবা-নুংঙাই পুম্নমক অমতনি হায়না থন্বা, পুম্নমক অসি থওহনা লৈগদবনি ॥৭॥

কনাগুম্বা অমতগী থম্মোয়দা চৈনাথোল শীম্মোইদৌবনি। তমথীবা য়াহৈ শীজিন্নমোইদৌবনি। অতোপ্পা মীগী আধ্যাত্মিক ওইবা পাউতাক অমত্তা লৌরোইদৌবনি। মীগী থম্মোয়দা লাওতক্লবা, ঈক্ষার হোৎবা, তাবদা মবুক তানিংব ওইবা য়াহৈ অমত্তা চীবাগদগী কাওথোক্লোইদৌবনি ॥৮॥

বাক্সায়কা বদনান্নিষ্পতন্তি যৈরাহতঃ শোচতি রাত্র্যহানি।
পরস্য নামর্মসু তে পতন্তি তান্ পণ্ডিতো নাবসৃজেৎ পরেষু ॥৯॥
পরাশ্চেদেনমতিবাদবাণৈর্ভৃশং বিধ্যেচ্ছম এবেহ কার্য্যঃ।
সংরোষ্যমাণঃ প্রতিহৃষ্যতে যঃ স আদত্তে সুকৃতং বৈ পরস্য ॥১০॥
ক্ষেপায়মাণমভিষঙ্গব্যলীকং নিগৃহ্লাতি জ্বলিতং যশ্চ মন্যুম্।
অদুষ্টচেতা মুদিতোঽনসূয়ঃ স আদত্তে সুকৃতং বৈ পরেষাম্ ॥১১॥
আক্রুশ্যমানো ন বদামি কিঞ্চিৎ ক্ষমাম্যহং তাড্যমানশ্চ নিত্যম্।
শ্রেষ্ঠং হ্যেতৎ যৎ ক্ষমামাহুরার্য্যাঃ সত্যং তথৈবার্জবমানৃশংস্যম্ ॥১২॥
বেদস্যোপনিষৎ সত্যং সত্যস্যোপনিষৎ দমঃ। দমস্যোপনিষন্মোক্ষ এতৎ সর্বানুশাসনম্ ॥১৩॥
বাচো বেগং মনসঃ ক্রোধবেগং বিধিৎসাবেগমুদরোপস্থবেগম্।

মাইহৈগী মখক লৌরবা তেল অমদি তাশোম্ন থম্মোয়দা খাউহৈত্র চৈনা ফংলবা মী মহাক অত্তু অহিং নুংথিল্লা নুংঙাইতবা, শিনিংবগী ঈপাক্তা লূপখি। মরম অদুনা জ্ঞানী ওইবা মীনা মী অমগী মফমদা অদু-গুম্বা তমথীরবা মাইহৈ-রাক্তা অদু থক্ শী জমরোইদৌবনি ॥৯॥

অদুগা অমমোমদা অতোপ্পা অমগী মচীন্দগী তমথীরবা মাঙাং অদু তাবগা মাহু তপথবপা লোয়ননা খাঙহুনা লৈগদবনি। মাহুনি তপস্যা হায়রিবসি। থম্মোয়দা নুংঙাইতবা পোকহন্‌বা মাইহৈ অমত্তং লাক্ল-বদি মাহুবু নীংথিজবা অথোৎপা মাইহৈনা গুরুদবনি। অদু ওইরবদি ভাওশিবা মী অদুনা মমাংতৌদা তৌখিবা পুণ্যকর্ম্মশিং অদুগী মহৈ পুম্বা, তুমিন্না তত্তুনা খাঙহুনা লৈরিবা মী অদুনা অদুম লৌথোকৃখি ॥১০॥

অপংবা নিন্দা তৌহল্লিবা, থম্মোয়শোক্ল মাহন্দুনা জ্ঞান তাহন্দবমা ফত্তে হায়না থত্তুনা— নেমথহুনা থনম্বা অশাউববু অমুক মথি কোংহল্লকপদা, নমথহুবা থম্লিবা, থম্মোয়দা করিগুম্বা বিকার অমত্তা পোক-হল্লবা, নুমিৎচুপ্পা ঈপেত্ত পেল্লহুনা লৈবা, অতোপ্পা কনাগুম্ব অমত্তগী দোষ য়েংদব'— খিদবা, অদুগুম্বা অশিংবা মীনা— মাঙোন্দা য়েক্লবা হৌহুনা শী নয়ক্লিবশিং অদুনগী মথোয়গী পুণ্যদু লৌথোক্‌ই ॥১১॥

ঐদি, কনাগুম্বা অমনা চৈয়রবসু মঙোন্দা ওন্‌শিন্দুনা থক্ চৈরুদে। কনাগুম্বা অমনা ফুররবসু— মঙোন্দা চৈহন্দে। অচোয়নহুম্ মী অদুগী মরাল অদু তাক্পি। মরমদি— অহৈ-অশিং জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা তাকপি-হৈবা, অচুম্বা তাংবা, লৌথুপ-লৌকোই য়াওদবা, ঈচম্ চম্বা লৈবা, অদুগা থৌজালহৈবা, অসিন-চিংবা গুণকর্মশিং অসিভবু তাইবং মীওইবগী অথোইবা গুণনি হায়রৈ ॥১২॥

বেদবু তম্বা নৈনবগী মচি (সার) দি অচুম্বা ঙাওবনি। অচুম্বা ঙাওবগী মচিনা ইন্দ্রিয় থুহ্‌মচন্‌বনি। ইন্দ্রিয় থুহ্‌মচন্‌বগী মচি ওইবা মহৈ অমদি উদ্দেশ্যনা মোক্ষ (মুক্তি) নি। শাস্ত্র পুম্বগী পাউতাক্ হায়-বসু অসিতনি ॥১৩॥

হায়নীংবা, ফুদোয়ক্কদবা মাহৈগী ফুদোয়ক্কনবা শাক্তবু, পুক্লীং অদুগা অশাউবগী শাক্তবু, অহাম-

এতান্ বেগান্ যো বিষহত্যুদীর্ণাং স্তং মন্যেঽহং ব্রাহ্মণং বৈ মুনিঞ্চ ॥১৪॥
অক্রোধনঃ ক্রুধ্যতাং বৈ বিশিষ্টস্তথা তিতিক্ষুরতিতিক্ষোর্বিশিষ্টঃ।
অমানুষান্মানুষো বৈ বিশিষ্টস্তথা জ্ঞানাজ্‌জ্ঞানবিৎ বৈ বিশিষ্টঃ ॥১৫॥
আক্রুশ্যমানো নাক্রোশেন্মন্যুরেবং তিতিক্ষতঃ। আক্রোষ্টারং নির্দ্দহতি সুকৃতং চাস্য বিন্দতি ॥১৬॥
যো নাত্যুক্তঃ প্রাহ রুক্ষং প্রিয়ং বা যো বা হতো ন প্রতিহন্তি ধৈর্য্যাৎ।
পাপঞ্চ যো নেচ্ছতি তস্য হন্তুস্তস্যেহ দেবাঃ স্পৃহয়ন্তি নিত্যম্ ॥১৭॥
পাপীয়সঃ ক্ষমেতৈব শ্রেয়সঃ সদৃশস্য চ। বিমানিতো হতোঽক্রুষ্ট এবং সিদ্ধিং গমিষ্যতি ॥১৮॥
সদাহমার্য্যান্নিভৃতোঽপ্যুপাসে ন মে বিবিৎসা ন চ মেঽস্তি রোষঃ।

থৌরাংবগী শাক্তক্, পুক্ শামদি জিংবগী শাক্তক্— ফত্রবা শাক্তশিং অসিবু থিংদুনা নমহনদুনা থম্বা ঙম্লিবা মী অদুদবু ঐনা ব্রহ্মজ্ঞ খঙবা মুনিনি হায়নী হায়ই ॥১৪॥

শাউজিল্লকপা মীগী মফমদা খক্ শাউদবা, মখোয় অদু অথোইবনি। থাওইদবা, থাজবা ঙমগদবা মীদগী থাওবা ঙম্বা— অথাও কনবনা অথোইবনি, হেক্লি। মী নত্তবা অতৈ অতৈ জীবদগী, হায়বদি— মপোক্কগী মীওইবনা, মীগী মপোক্লা অথোইবনি, অহেনবনি। জ্ঞান লৈদবা মীদগীদি জ্ঞান লৈবা মীনা অথোইবনি ॥১৫॥

মীনা মীনা হৈরক্লবসু লমন্ খুম্বগুম্ মথোক্না থেনথজুনা চৈরদবা অদুগুম্বা থাওইবা মীদুগী মখা— থৌজালগী মশক্ লৌরবা অশাউবদুনা চৈরবিবা মী অদুবু ঙম্ব— (উৎ) ওইনা মাওহল্লি। অদুগা চৈরবিবা মী অদুনা মমাংঙোনা তৌজখিবা পুণ্যনৈসু মুন্দুনা লৌই ॥ ৬॥

মীনা অথীবা হাইদুনা চৈরবরসু, নিন্দা তৌরবরসু মাগুম্ব থেনথজুনা খক্ চৈবিকদবা, তুমীন্না তদুনা লৈথোক্পিবা, কনাগুম্ব ফজবা মী অমদগী কুব চৈবগী চৈনা কংলবসু মাদুবু তুমীন্না থাওদুনা লৈথোক্পিবা, মথোক্না থুং হল্লুদবা, মপান্থোংদা হকচাংদা থুং হল্লুবদি লায়রদুনা কুররিকদুগী অথোয়বদুম অফবা— মদুদ ওইনবদুম্ হৎবিরিবা অদুগুম্বা মহাত্মাবু উনগদবগী, উননীংবনা, স্বর্গগী দেবতা কাওবনা তজুনা হেংঙনা লাও-ঙজুনা ঙাইদুনা লৈরি ॥১৭॥

পাপকী থবক তৌরবা অপরাধী অমুনা চহী (বয়স) দা, জাত্তিদা হন্দ্রবসু হেক্লংলবসু নত্রগা— লেংমান্নবা ওইরবসু, মহাক্না চৈরবিবা, কুররিবা, নিন্দা তৌরবিবদুবু তুমিন্না ঙাথোক্পিদুনা, মহাক্না হংহবা অপমান (চোপ্পা) কাওবসু থাওদুনা লৈথোক্পিবা হায়বা ধর্ম অসি ঙাউবংমীগী মপোক্তা জানী ওইবা পোক্লবশিংনা চৎকদবনি। অসিগুম্বা ধর্মবু চৎলিবা মীশিং অদুদনা ইহলোক পরলোক অনীমক্তা সিদ্ধিবু ফাই— সিদ্ধপুরুষ ওইরে॥ ৮॥

ঐ হীরম পুন্নমক্ত ইথন্ত থন্দুনা লৈ। ঐনা খঙগদবা অদুগা কংগদবা অমত্তা লৈত্রে। অদুবু

ন যাচ্যহং ভিক্ষমাণঃ পরৈরস্মি ন চৈব কিঞ্চিৎ বিষয়েণ যামি ॥১৯॥
নাহং শপ্তঃ প্রতিশপামি কিঞ্চিৎ দমং দ্বারং হ্যমৃতস্যেহ বেদ্মি ।
গুহ্যং স ব্রহ্ম তদিদং ব্রবীমি ন মানুষাৎ শ্রেষ্ঠতরং হি কিঞ্চিৎ ॥২০॥
নির্মুচ্যমানঃ পাপেভ্যো ঘনেভ্য ইব চন্দ্রমাঃ । বিরজাঃ কালমাকাঙ্ক্ষন্ ধীরো ধৈর্য্যেণ সিধ্যতি ॥২১॥
যঃ সর্ব্বেষাং ভবতি হ্যর্চনীয় উৎসেধনস্তম্ভ ইবাভিজাতঃ ।
যস্মৈ বাচং সুপ্রসন্নাং বদন্তি স বৈ দেবান্ গচ্ছতি সংযতাত্মা ॥২২॥
ন তথা বক্তুমিচ্ছন্তি কল্যাণান্ পুরুষে গুণান্ । যথৈষাং বক্তুমিচ্ছন্তি নৈর্গুণ্যমনুযুঞ্জকাঃ ॥২৩॥
যস্য বাঙ্মনসী গুপ্তে সম্যক্ প্রণিহিতে সদা । বেদাস্তপশ্চ ত্যাগশ্চ স ইদং সর্ব্বমাপ্নুয়াৎ ॥২৪॥
আক্রোশনবিমানাভ্যাং নাবুধান্ বোধয়েদ্ বুধঃ । তস্মান্ন বর্দ্ধয়েদন্যং ন চাত্মানং বিহিংসয়েৎ ॥২৫॥

লাধ্ মহাত্মাশিংগী সংস্কারদি অতুম মতৌই । ঐ অয়াম-খোয়াংবগী মথা পোন্দে । করিগুম্বা মহে য়াম্না চাউনা কংগদবা বর্মমক্ লৈরবসু মাতু কংনি হায়রুনসু, ঐ ঐগী ঈথৌ অমদি ধর্মবু থক্ থাদোক্তে । হায়-বদি— অপাম্বা (লোভ) হায়বত্তুনা ধর্মবু থক্ তমকন্দে— মায়থীবা পীহন্দে । করিগুম্বা সংসারগী বিষয় অমবু পাম্মুবদগী অমদগী অমদা কোয়চেল থক্ চেন্নুজি ॥১৯॥

কমাগুম্বা শাউথিবদগী ঐত্তোন্দা শাথিনা শাপ তৌরবসু, মত্তোন্দা ঐ শুন্‌শিন্দুনা শাপ থক্ তৌদে । ঐদি, ঐগী মতত্তদি ইন্দ্রিয় খুতুম্‌চনবা হায়বসিত্তনা মোক্ষ-পদবী (অয়ান্‌বা-খুঙম) কংনমবগী থোঙনি, লম্বীনি । ঐ য়ায়া কুপগ্রবা — থুপগ্রবা য়া অমা হায়গে, মুন্না তাও । তাইবং মীওইবদগী হেন্‌বা অচৌ মপোক্ অমযুক্ লৈত্রবনি ॥২০॥

লৈচীন্ মরক্ত— মকমদা লৈরম্বা থাবা হাইদোরক্তুম্বা তাস্থোয়রূপগুম পাপ পুম্নমক্তগী হাইদোয়ক্তুম্বা মক্তগ্রবা থম্মোয়না মহাক্তী ওইরবা অত্তুগুম্বা জ্ঞানী ওরইবা তপ্পবা মীনা, মতমগী থোঙচং-ত্ত ভাই ভাইতুনা অকবা থবক্ত তৌতুনা সিদ্ধি কংন কংনা মপুম্‌শি লেপ্পি ॥২১॥

মপূক্লীংবু লাক্‌শিন্-কাঞ্জিন্দুনা য়াংবা, চুয়া মথাক্লামদা হাইগনলক্‌পা য়ুত্তীগী মত্তোওয়া, অচৌবা সত্তা ওইব, য়ুমিংচুপ্পা অত্তপ্পা অথুম্বা য়াহৈত্ত ভাওবা, অত্তুগুম্বা মী মহাক্ অত্তুদি দেবতাভাব, হায়বদি— লাই-মক্তী মওং-মত্তৌ মগুণ পুই ॥২২॥

মীবু কল্লক য়েংথিবা মীনা, মথাগী লোবশিং অত্তুবু কনামতগী মফমদা গুমথোক্-হায়দোক্‌নীংদবতুগুম্বা অত্তোপ্পা মতাক্লা কল্লকলুথিবা মীতুগী মগুণবু মহাক্লা শক্লীং-শোক্লীংদে ॥২৩॥

মী মহাক্ অত্তুগী য়াভাও খিবিক্লা, অত্তুগা পূক্লীংনা য়ুমিংচুপ্পা ভগবান্ পরমাত্মাতদা লুপ্‌তুনা লৈবা, হায়বদি—ঈশ্বরগী মরমতদা লৈবা ওইনা তৌবা, মহাক অত্তুদি বেদবু নৈনবা, তপস্যা তৌবা, পুম্নমক থাদোক-পপা, হায়বদি— ত্যাগ তৌবা, হায়রিবশিং অদিগী মহে অত্তু অত্তুম্ মকংতি ॥২৪॥

মরম অত্তুনা অশিংবা মীনা তৌগদবা হায়রবু— য়াহৈ-খোন্‌কম্ থীবা মীবু অপমান তৌগন্‌বা জ্ঞান

অমৃতস্যেব সংতৃপ্যেদবমানস্য পণ্ডিতঃ। সুখং হ্যবমতঃ শেতে যোঽবমন্তা স নশ্যতি ॥২৬॥

যৎ ক্রোধনো যজতি যৎ দদাতি যদ্বাতপস্তপ্যতি যজ্জুহোতি।
বৈবস্বতস্তদ্ধরতেঽস্য সর্ব্বং মোঘঃ শ্রমো ভবতি হি ক্রোধনস্য ॥২৭॥

চত্বারি যস্য দ্বারাণি সুগুপ্তান্যমরোত্তমাঃ। উপস্থমুদরং হস্তৌ বাক্ চতুর্থী স ধর্মবিৎ ॥২৮॥

সত্যং দমং হ্যার্জবমানৃশংস্যং ধৃতিং তিতিক্ষামতিসেবমানঃ।
স্বাধ্যায়নিত্যোঽস্পৃহয়ন্ পরেষামেকান্তশীলস্ত্যূর্দ্ধগতি ভবেৎ সঃ ॥২৯॥

সর্ব্বাংশ্চৈনাননুচরন্ বৎসবচ্চতুরঃ স্তনান্। ন পাবনতমং কিঞ্চিৎ সত্যাদধ্যগমং ক্বচিৎ ॥৩০॥

আচক্ষেঽহং মনুষ্যেভ্যো দেবেভ্যো প্রতিসংচরন্। সত্যং স্বর্গস্য সোপানং পারাবারস্য নৌরিব ॥৩১॥

লৈতবা মীশিংদুগী দোষশিং অসিবু হায়দোক্পিদুনা মথোৎবু য়াম্বকপা, মীনা হাৎবিক্কবদু তৌদবা অসিতনি। মহাক্তী মকমদা— মনাক্তা মী অমগী মঙাৎবু য়াংনা চাউনা থাজংদুনা থক্ শক্পু শোক্কুদ্রোইদৌরনি। অদুগা মীনা হায়দুনা মশাগী কিংসাগী থবক থক্ তৌদ্রোইদৌরনি ॥২৫॥

বিদ্বান্ ওইবা, জ্ঞানী ওইবা— অদিংবা মীনা তৌগদবা হায়রবু কনাগুম্ব কত্তবা অমগী মকমদগী অপমান— চোম্না ক লবদু মাদুবু অমৃত পীথকপগা চপ মান্নবা থনব, অদুগ উৎসুং কুংত্তাইদুনা পেন্দুনা লৈথোক্পা অসিতনি। মরমদি অপমান কংলবা মীদুদি করিমত্তা শাউবা য়াবিবা তৌদনা কুংত্তাইবা তুম-দুনা লৈথোক্লই। মীত্তোন্দা অপমান তৌরুরিবা মী অদুদি মশাগী তৌজরুবা অনুতাপকী মৈ অদুনা— তুমক-চাকম থডদে, মশানা অদুম মাঙজখি ॥২৬॥

অশাউবা— শাউদনব মীনা শাউরিরৈডে মতমগী তৌবা যজ্ঞ-দাননচিংবা পুণ্যকর্মদুগী মহৈদি অশাউবগী মূর্ত্তি পুৎসা যমরাজনা অদুম মরোখ্রে। অদুনা অশাউবা মীনা তৌবা যজ্ঞ দান পূমনক অরেখ্বা কায়দবা ওক্কা ওই ॥২৭॥

সিদ্ধ সাধ্য পূমনক! লিঙ্গবু পুক্পু, খুৎ অনীবু অদুগা য়ারাংবু চোক্শিন্না থম্নিবা মহাক অদুমনি, ধর্ম খঙবা হায়রিবসি ॥২৮॥

সত্য অচুম্বা ওঙবা), ইন্দ্রিয় থুদ্রমগনবা, পুকচেল তিংবা, থৌজাল, থাগবা কনবা, জংক পৈবা — অসিনচিংবা গুণকর্মশিং অসিবু মতম অয়াম্বদা শীজিন্নরিবা, বেদ শাস্ত্র নৈনবা অমদি তম্বদা মতমচুম্নদা পুক্নিং চঙলিয, করিগুম্বা কনাগুম্বা অমত্তগী মপোৎ পামজদবা, কুনিংদুম্না অচৌকপত্তদা লৈপনবা মী মহাক অদুদি ঊর্দ্ধগামী (অয়াংবা থাক্তী থামদা কাখৎখিবা) হায়বা মীশক্ অমু ওইখি ॥২৯॥

শগ্রাউনা মমা— শগ্গীগী খোমজিন মরিবু চুপ চুপক্কুনা অমুত— শঙ্গোম থক্পদুগুম্না তাইবং মীনা অসিগুম্বা মথক্তা হায়খ্রিবা গুণকর্মশিং অসিবু অদিংবদিংনা মতম পুম্বদা সেবন তৌগদবনি। সত্যাদগী হেন্না অপেংবা পোৎ অমত্তা ওসি ফাওবা জগৎতা উজ্রি ॥৩০॥

ঐবা মায়গী মরিমক্তা কোয়পাই পাইনা, কোয়রো য়োবা তাইবংমী অদুগা দেবতাশিংদা অমুম হায়বা

যাদৃশৈঃ সংনিবসতি যাদৃশাংশ্চোপসেবতে। যাদৃগিচ্ছেচ্চ ভবিতুং তাদৃগ্ ভবতি পুরুষঃ ॥৩২॥

যদি সন্তং সেবতি যদ্যসন্তং তপস্বিনং যদি বা স্তেনমেব।

বাসো যথা রঙ্গবশং প্রয়াতি তথা স তেষাং বশমভ্যুপৈতি ॥৩৩॥

সদা দেবাঃ সাধুভিঃ সম্বদন্তে ন মানুষং বিষয়ং যান্তি দ্রষ্টুম্।

নেন্দুঃ সমঃ স্যাদসমো হি বায়ুরুচ্চাবচং বিষয়ং যঃ স বেদ ॥৩৪॥

অদুষ্টং বর্ত্তমানে তু হৃদয়ান্তর পূরুষে। তে নৈব দেবা শ্রীয়ন্তে সত্যংমার্গস্থিতেন বৈ ॥৩৫॥

শিশ্নোদরে যে নিরতাঃ সদৈব স্তেনা নরাবাক্‌পরুষাশ্চ নিত্যম্।

অপেতদোষানপি তান্ বিদিত্বা দূরাৎ দেবা সম্পরিবর্জয়ন্তি ॥৩৬॥

পাউজেল্লি— সমুদ্র দ্বীপাক্ লান্নবা উপায়দি জহাজ (হি) তনা ওইবদুগুম্না সত্য হায়বদুগুনা স্বর্গ কাননবগী সিড়িনি ॥৩১॥

অদুম্ অদুম্ ওইবা মীশিংগা লৈমিন্নরিব, সেবা তৌকরিবা, অদুগা অদুম্ অদুম্ ওইবা মওংবু পাম্জিরিবা অদুগী মতুংইন্না লৈরুরিবা মহাকনু অদুম্ অদুম্ ওইবা মওংশিং অদু অদুম্ মওইরুই, হায়বদি— মফংগুই ॥৩২॥

কি অদুদা শগুমু শগুমুরিবা মদু অদুবু কি অদুনা অদুম্ মপুবয়ুগুম্না অকবা-হুতবা, তপস্বী নত্রগা চুরান্‌বা, মুর্খ-পণ্ডিতনচিংবগা তিন্না তিন্নরিবিবদুগী মতুংইন্না তিন্নুরিবা মহাকনু অকবা নত্রগা হুতবা, তপস্বী নত্তগা চুরান্‌বা, মুর্খ নত্তগা পণ্ডিত অদুম্ মওইখি ॥৩৩॥

দেবতাশিং কাওবনা মর্ত্ত্যলোককী সৎপুরুষ, সজ্জনশিংগা তিন্নবা, অদুগা মখোয়ণগা লোয়ননা রান্নীরাতাই শান্নবা পাম্মি। মরম অদুনা লাইশিংদুনা তাইবং মীওইবশিংসিগী মীকুপ্তা কায়খিগদবা বিষয়ভোগ মরাম অসি য়েংশিল্লুদে, হায়বদি— য়েংশিল্লুবগী মতম মখোয়দা লৈতে। অনিত্য ওইরবা মীকুপ্তা কায়খিগদবা বিষয়শিং অসিগী তত্ববু তাইবংমীনা মুন্না খঙবা নৈনবা অদুগ চন্দ্রদেবমক্তা বায়ুদেবমক্‌না খঙবা ঙমদে ॥৩৪॥

ধম্মোয়-গুফামুংদা লৈবা, লোইনা খঙবা, মতুংগী রা পুম্নমক খঙবা আত্মা অসিগী করিগুম্বা দোষ অমত্তা চঙদ্রবা অবস্থা অদুদা হায়বদি— মতম তঞ্জাহুক্কদা অদুগা আত্মাসিবু উজরবদি (হকচাংসিগা কোকচুনা "ঐ" অম্নুম্না হায়রিবা অনাত্মা অসিনা হকচাংনচিংবা দোষ অমত্তা য়াওদ্রবা আত্মাদুবু সাক্ষাৎকার তৌবা মতমদা মী মহাক অদু, হায়বদি— হকচাংসিগা কোম্নরিবা অ.ম্ম অদু সম্মার্গগামী (স্বর্গগামী— স্বর্গ কাবা) হায়বদুনক্ ওই। অদুনা, অদুগুম্বা মীশক অদুবু স্বর্গগী লাইশিংমক্তা পাম্নৈ য়েংবদা পেল্লে ॥৩৫॥

তুমিৎচুপ্পা মপুকী রাক মখনুবা, হায়বদি চানখরুবগীতা মখনুবা, তুপী-মহাশিংগা তিরু-খোৎননবগী রাখত্তনা মরু ওইবা খবক ওইনা খনুবা, চুরান্‌বা ডাকুগী খবত্তনা মশিঞ্জাং ওইবা, মী-ঙা-অয়াকুপা রাহৈ

न বৈ দেবা হীনসত্ত্বেন তোষ্যাঃ সর্ব্বাশিনা দুষ্কৃতকর্ম্মণা বা।
সত্যব্রতা যে তু নরাঃ কৃতজ্ঞা ধর্ম্মেরতাস্তৈঃ সহসম্ভজন্তে ॥৩৭॥
অব্যাহৃতং ব্যাহৃতাচ্ছ্রেয় আহুঃ সত্যং বদেৎ ব্যাহৃতং তদ্দ্বিতীয়ম্।
বদেৎ ব্যাহৃতং তৎতৃতীয়ং প্রিয়ংধর্ম্মং ব্যাহৃতং তচ্চতুর্থম্ ॥৩৮॥

সাধ্যা ঊচুঃ।

কেনায়মাবৃতো লোকঃ কেন বা ন প্রকাশতে। কেন ত্যজতি মিত্রাণি কেন স্বর্গং ন গচ্ছতি ॥৩৯॥

হংস উবাচ।

অজ্ঞানেনাবৃতো লোকো মাৎসর্য্যান্ন প্রকাশতে।
লোভাৎ ত্যজতি মিত্রাণি সঙ্গাৎ স্বর্গং ন গচ্ছতি ॥৪০॥

শীজিন্নগন্‌বা মীশিং অদুদি দোষশিং অসিগীদমক্তা প্রায়শ্চিত্ত তৌরবসু দোষ শং আস লৈরম্বা মীনি হায়না দেবতাশিংনা মাপা তিন্ননীডদে ॥৩৬॥

মশানা সত্ত্বগুণগী মরীক্ অমা কাওবা য়াৎস্রবা, চাহৈবা-চাহৈদবা য়েংদন, মহাক্না থোকৃপদা চাশিন্‌বা, পাপাচারী (পাপ লীচংনবা) শিং অমুনা দেবতাশিংবু পেলহনবা ঙমদে। পেলহন্‌বদি লায়রক্তুনা, সংসারদা লাই লৈতে, ঈশ্বর লৈতেদ্রুম্ হায়দোকই। মশাগী অকক্লবা নিয়ম অমগী মথাদা লৈদুনা, অচুং-ত ঙাঙ-লিবা, মীগী তৌবিমল থওবা, ধর্ম কর্ম তদা পুক্লীং চত্তুনা লৈরিবা অচুঙবা মীশক অচুপত্তা দেবতাশিংনা সম্বন্ধ থম্লিংতি— মরী লৈনমীতিঙ ॥৩৭॥

অর্থ য়াওদবা, কায়দবা, মীনম্বা ঙাঙগদবগী মতুক্তা ঈঙাঙ ঙাঙদনা, মুনি ওইদুনা (মৌনব্রত তৌদুনা) লৈবনা হেন্না ফৈ। মাসিমা রা ঙাঙবা হায়বতুগী ঈহান্ হান্‌বা থাইদগী হেন্‌বা থাকৃনি। অচুম্বগী শক্লক্তা য়াওবা রাঙাঙ অদুনা রাঙাঙ হায়ংতুগী অনীশুবা থাকৃনি, অনীশুবা বিশেষতানি। মীনা তাবদা নুংঙাইবা অথুম্বা অথোংপা রাঙাঙ অদুনা রা ঙাঙবতুগী অহুমশুবা থাকৃনি, অহুমশুবা বিশেষতানি। ধর্মগা মরী লৈনবা রাঙাঙনা রা ঙাঙবা হায়বতুগী মরিশুবা থাকৃনি, মরিশুবা বিশেষতানি। হায়রিব থাক্ মম্রি অসি মথং মনাও নাইনা কৰা হেল্লি ॥৩৮॥

সাধ্যশিংনা হংডি,— হংস (কাংঙ)। বিশ্বজগৎ অসিবু কনানা কুপ্তুরা থম্মি? করিগী দমক্ত মহাক মশাগী রূপপু কোঙদোক্তনা লৈবগে? করিগী দমক্তা তাইবং মীওইবনা মশাগী মরূপপু থাদোকপগে? করি করি দোষদগী মী থুংনমক্ স্বর্গ কাবা ফংদবগে? ॥৩৯॥

হংস (ব্রহ্মা) না হায়,—দেবতা সাধ্যশিং। অজ্ঞানতনা বিশ্বজগৎ অসিবু কুপশিন্দুনা থম্মি। তাইবং জীবনা, বিশেষ ওইনা হায়রবদা, তাইবংমীনা অমগমগা চারুবনা, অমনা অমগী চাউথংপা অকবা ওইরক্-পবু য়েংদুনা থাঙদুনা লৈবা ঙম্নরক্তবদগী তাইবং জীবশিংগী মরক্তা অমত্তা ওইরিবা মহাক মশাগী চপচাবা মশকপু কোঙদোক্তনা লৈ। অপাম্বা (লোভ) না হেজিন্নকপদগী চায়রম্বা মরূপপু শাগৈ নাতৈমকপুস্থ

সাধ্যা উচুঃ।

কঃ স্বিদেকো রমতে ব্রাহ্মণানাং কঃ স্বিদেকো বাহুভির্বৈ বিমাতে।

কঃ স্বিদেকো বলবান্ দুর্ব্বলোঽপি কঃ স্বিদেষাং কলহং নান্ববৈতি ॥৪১॥

তাইবংমীনা থাদোকৃই। সংসারগী বিষয়া (বিষয়শিং) না কা হেন্না পুক্নীং লূপাথিবদগী মী থুদিংমক্ স্বর্গ কাবা কংদে ॥৪০॥ *

সাধ্যাশিংনা হংজি,— হংস (কাংও)। ব্রাহ্মণশিংনা পাম্নিবা অহুপা অমতা ওইনা খ্বাইদগী হেন্নবনি হায়না মথাঃ কাওব্নিবা "খুংঙাইবা" হায়বসি কব্নিনো? শাগে মাতৈ, মরূপ-মপাং, মরাম্ খ্বাইগী মরক্তা লৈন লৈনা, মথক্তা কনাগুম কনাসু য়াওদনা, কনাসু লৈজদবগুম্ ভূমিদা ঈটীক্ টীক্রা লৈব্নিবসি কনানো? হকচাংগী পাগল য়াওদবা মম্না শোন্নবা অমনা খ্বাইদগী কন্না ওইব্নিবসি কয়থা তাইবং মীনো? কনগুম্বা অমত্তগা ক্নুন-চৈনদবা, খৎনে-চৈনদবসি কনানো? ॥৪১॥

* হংলিবা বাহংশিং আসগী মতুংদা খ্বাইদগী অহান্বা বাহং, অতুগা বাহং অসিগী পাউখুম অসিনা— তাইবংমী ঐখোয়গী খ্বাইদগী নৈননীঙঙাইয়রি। মাসিগী অথথা সিদ্ধান্তদি— অজ্ঞানগী মশক ওইরবা অমবা হকচাং (জগৎ) অসিনা কূপশিন্দুনা আত্মা (পরমাত্মা— ঈশ্বর) অসিনা মশাগী রূপ বু ফোঙদোকৃতনা লৈরি। অজ্ঞানগী কুয়োম অসিবু হাইদোকপা ওঙা মী মহাক অহুগী মকমদা চংচাবা মশক্— স্বরূপ অদু ফোঙদোকদবগী ঙাইহুনবা লৈরি। আত্মা, পরমাত্মা ঈশ্বর চায়বা অমা লৈতে, হায়রিবসি অজ্ঞানগী কুয়োম (দেহ— হকচাং) অসিনা কূপতুনা লৈরিবা অনাত্মা মতুনা অহুম্ মচায়জবনি। হকচাং হায়বসি— কর্ম হায়বহুগী অউবা মশক্নি। উদবা মাগী অউবা মশক্না অজ্ঞানগী মূর্ত্তিনি। অউবা অবৈবা মাগী উদবা মশকসু অজ্ঞানগী মশক জাৎ অমনি। হায়রিবা অহান্বা বাহং পাউখুম্ অসি-গী মথংগী অতৈ বাহং পাউখুমশিং অতুগীসু মরাইনা অহুম তশেং তশেংনা চোংথোক্চঙ্কনি। অমনা অমবু লৌশিন্নে, থাদোক্নে, থাদোক্নবে, হায়রিবসি— মপান্গী অজ্ঞানগী মশক্ ওইরবা, অনাত্মাগা কোয়না লৈরিবা— হকচাংশিং মখোয় মশেল-তননি। অজ্ঞান হায়বহুগী অউবা মূর্ত্তি ওইনা লৈরিবা, ওমৈথ নাইবা হকচাং অসিনা কূপতুনা লৈবোই নীঙঙবা অনাত্মা অসিনা অজ্ঞানসিগী মতুংদা লৈরিঙৈদনি— মাগী স্বার্থ রেং য়েংদুনা মরূপশুদু য়েক্নবা ওইনরিবা, য়েক্নবসু মরূপ ওইরকুনা তিন্নরিবা— অসিনচিংবসি। যোগী, সন্ন্যাসী, মুনি, ঋত্বি-নচিংবা ওইনরিবসি— অনাত্মাশিংশিনা আত্মা (পরমাত্মা — পরাত্মা) ওইত্রিবদু কাওবতনি। স্বর্গ কাবং হায়রিবা অসিসু অনাত্মানা থাজেশেংবা আত্মা ওইনা হকচাংদগী মনীংতম্না চংথিবা হায়বতনি। মামা হক্-চিল্লা অনাত্মা ওইদুনা চংগ্রবদি— মানা হক্চিল্লা থম্লম্বা বৈ, ঈশিং, লৈপাক্লচিংবা পঞ্চভূতশিং অহুগী মশক লৌদুনা, হকচাং অমদা পাক্ হেক্ চঙতবদনা প্রেত ভূতকী মশক্ লৌদুনা কোয়পাই পাইদুনা লৈ। শ্রুতি স্মৃতি-নচিংবা শাস্ত্রশিংদা প্রায়শ্চিত্ত প্রতিকার-নচিংবা ইরিবা লৈরিবশিং অসি, অনাত্মাসিনা তৌরিবা অমদি

হংস উবাচ।

প্রাজ্ঞ একো রমতে ব্রাহ্মণানাং প্রাজ্ঞশ্চৈকো বহুভির্তোষমাস্তে।
প্রাজ্ঞ একো বলবান্ দুর্ব্বলোঽপি প্রাজ্ঞ এষাং কলহং নান্ববৈতি ॥৪২॥

সাধ্যা উচুঃ।

কিং ব্রাহ্মণানাং দেবত্বং ব্রতং সাধুত্বমুচ্যতে। অসাধুত্বঞ্চ কিং তেষাং কিমেষাং মানুষং মতম্ ॥৪৩॥

হংস উবাচ।

স্বাধ্যায় এষাং দেবত্বং ব্রতং সাধুত্বমুচ্যতে। অসাধুত্বং পরীবাদো মৃত্যুর্মানুষমুচ্যতে ॥৪৪॥

হংসনা হায়,— সাধ্য লাইয়াম পুম্নমক। ব্রাহ্মণশিংগী মরুংদা জ্ঞানী ওইবা মহাক্তমা থোইদোক্না নুংঙাইবা হায়বদু কংবা ঙম্মি। হায়বদি— জ্ঞানী ওইবা ব্রাহ্মণ অমনা কংবা নুংঙাইবা অদুগ্— জ্ঞানী ওইদবা সাধারণ ব্রাহ্মণ অমনা অদুগ্ নুংঙাইবা কংদে। জ্ঞানী ওইবা মহাক্তি ময়ামগা তিন্নানা লৈমিন্নবদু হুমিন্না মুনি ওইদুনা— মৌনব্রত তৌদুনা লৈবা ঙম্মি। শারীরিকশক্তি লৈত্রবদু, হায়বদি— হকচাংগী পাঙ্গল যাংত্রবদু, জ্ঞানী ওইবা মহাক্না মকল্লে। জ্ঞানী ওইবা মহাক্তি কনাগুম্বা করিগুম্বা অমত্তগা থংনচৈনবা তৌদে ॥৪২॥

সাধ্যশিংনা হায়,— হংস। ব্রাহ্মণশিংদা লৈরিবা দেবত্ব হায়বসি করিনো? হায়বদি— মাথোন্নদা লৈরিবা লাই (দেব) ওইবগী মওং অসি করিনো? মথোন্নদা লৈরিবা সাধুতা অসিনা করিনো? মথোন্নগী মশাদা অসাধু ওইবগী অদুগা তাইবংমী হায়বদু ওইবগী মওশিং অমু করিনা ওইগদৌরিবনো? ॥৪৩॥

হংসনা হায়,— সাধ্যশিং! ব্রাহ্মণশিংদা লৈরিবা দেবত্ব অসি— বেদ-শাস্ত্র নৈনবা, তম্বা হায়বা অসিতনা ওইরি। মীওথিজবনা ব্রত উপাসনা তৌবা অদুতনা মথোন্নদা সাধু ওইবগী মওং অমা চপ্‌চানা লৈরিবনি। মীবু নিন্দা তৌবা অমদি কল্লকপা হায়বসিতনা মথোন্নদা অসাধুতা হায়বসি লাকই। অদুগা অমনা শিবা (লোইশিন্নবা— মৃত্যু) হায়বা অসিতনা মাথোন্নদা মানুষতা, হায়বদি— শিবা নাইবা মীওইবা হায়বদুগী মওংচু লৈরিবনি ॥৪৪॥

তাত্ত্বিকশিংদুগী ঙমক্তনি। অহান্না রাজাগী পাউথুম অসিমতনা রাজাং অতৈগী পাউথুমশিং অমুম্ মকোন্‌শিন্নরে। কল্লকপা, রেংখিবা, তাথিবা, শাউবা, শাম্বা, নিন্দা, হিংসানচিংবা তৌরিবসি হকচাংগা অমত্তা ওইনা নকশিন্না তিন্নদুনা লৈমিন্নরিবদগী অনাত্মাগুম্ লৈজবা আত্মা ঙমিতনদি। নিন্দা তৌরগা শাউরিবা প্রশংসা তৌরগা চরাউরিবসি অনাত্মা হায়রিবা অসিনদি। নিন্দা-প্রশংসা, অয়াবা-নুংঙাইবা মশা অমত্তদি থমু অসিনচিংবা শীনরিবা পাউতাকশিং অসি অনাত্মাসিনা হকচাং মরুংদা লৈনা লৈনা আত্মা-ত আত্মা ওইনা লৈবা হাননবগী ঙমক্তনি। অনাত্মা (জীব) দগী আত্মা, আত্মাদগী পরমাত্মা — অদুম্ হায়না মথং মথাং মশক হোংখি। (কালাচাঁদ)

ভীষ্ম উবাচ।

ইত্যুক্ত্বা পরমোদেবো ভগবান্ নিত্য অব্যয়ঃ। সাধ্যৈর্দ্দেবগণৈঃ সার্দ্ধং দিবমেবারুরোহ সঃ ॥৪৫॥
এতৎ যশস্যমায়ুষ্যং পুণ্যং স্বর্গীয় চ শ্রুতম্। কথিতং দেবদেবেন পরমেনাব্যয়েন চ ॥৪৬॥

সংবাদ ইত্যয়ং শ্রেষ্ঠঃ সাধ্যানাং পরিকীর্ত্তিতঃ।
ক্ষেত্রং বৈ কর্ম্মণাং যোনিঃ সত্যাং সত্যমুচ্যতে ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং শান্তিপর্ব্বণি মোক্ষধর্মপর্ব্বণি
হংসগীতাসমাপ্তৌ চতুর্নবত্যধিকদ্বিশততমোঽধ্যায়ঃ ॥২৯৪॥

——:():——

সমাপ্তশ্চেদং একবিংশতিতম খণ্ডম্।

—:(৬):—

ভীষ্মনা হায়,— যুধিষ্ঠির ! অসুম্ হায়না তাক্পীররগা, পোকপা-শিষ লৈত্রবা, নিত্য ওইবা ভগবান্ ব্রহ্মা অসি সাধ্যশিং অহুমকা লোয়ননা স্বর্গলোকত লেংখি ॥৪৫॥

দেবতা পুম্মক্তগী অথোইবা, অমাঙ-অতা লৈতবা ভগবান্ ব্রহ্মানা তাক্পীরবা, পুণ্যজেরবা ভবজান অসি পুন্শি, থিংচৎ অমদি বুদ্ধিবু চাউথহংহমনবগী মশক্তি। অমুক নত্তনা স্বর্গলোক কংননবগী লেপত্রবা সাধন উপায় অমনি ॥৪৬॥

যুধিষ্ঠির ! সাধ্যদেবতাশিংগা ভগবান্ ব্রহ্মানা হংস (কাংশ) গী মশক্ লৌংবা তাক্খিবা তত্ত্ব পুম্নমক্ ঐনা মঙোন্দা অমুক্ লীরবনি। হকচাং অসে কর্ম পুম্নমক্কী যোনি (শোক্ষকম্) নি। অচুম্বা রাখল অহুদ্রতনি সত্য (অচুম্বা) চায়রিবসি ॥৪৭॥

মকুম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা শান্তিপর্ব্বদা
মোক্ষধর্ম্মপর্ব্বদা হংসগীতানা লোইবা চনীমরিফুতরামরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥২৯৪॥

— —:():——

মাসিদা কুম্মাথোইশুবা খণ্ডম্ লোইরে।

—:():—

